CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

৫.১



শ্রীগীতগোবিন্দম্

—পণ্ডিতরাজ

সর্ব্বে ভদ্রাণি পশ্যন্তু, সর্ব্বে সন্তু নিরাময়াঃ।
সর্ব্বে কুশলিনস্সন্তু মা কশ্চিদ্দুঃখভাগ্ ভবেৎ ॥

সপ্তসপ্তত্যধিকশতাধিকসহস্রৈকবর্ষপরিমিতে পণ্ডিতরাজাবিষ্কৃতে মণিপুরাব্দে বা শকাব্দে সপ্তাশীত্যধিকাষ্টশতাধিকসহস্রৈকপরিমিতে চান্দ্রভাদ্রমাসান্তর্গতায়াং শুক্লত্রয়োদশ্যাং বুধবাসরে পূর্ব্বাহ্নে গবেষকশিরোমণিপণ্ডিতরাজাতোম্বাপুশর্ম্মণাং স্বনামধন্যানাং দ্বিতীয়-বার্ষিকপ্রপঞ্চদেহান্ততিথৌ মণিপুরীয়বিশ্বভারতীমন্দিরেঽষ্টাধিক-[illegible]থ্যকব্রাহ্মণকর্ত্তৃকশ্রীমদ্ভাগবতপাঠাবসরে— পণ্ডিতরাজকৃত[illegible]ায়মাতৃভাষানুবাদতদ্ব্যাখ্যাভিস্সমলঙ্কৃতং শ্রীজয়দেবগোস্বা-[illegible]তশ্রীগীতগোবিন্দনামধেয়ং পুস্তকং শ্রীগোবিন্দপ্রীত্যর্থং [illegible]রূপেণ সম্প্রদীয়তে সেবকৈরস্মাভিরিতি শম্ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri



শ্রীগীতগোবিন্দম্

—পণ্ডিতরাজ

সর্ব্বে ভদ্রাণি পশ্যন্তু, সর্ব্বে সন্তু নিরাময়াঃ।
সর্ব্বে কুশলিনসৃসন্তু, মা কশ্চিদ্দুঃখভাগ্ ভবেৎ ॥

সপ্তসপ্তত্যধিকশতাধিকসহস্রৈকবর্ষপরিমিতে পণ্ডিতরাজাবিষ্কৃতে মণিপুরাব্দে বা শকাব্দে সপ্তাশীত্যধিকাষ্টশতাধিকসহস্রৈকপরিমিতে চান্দ্রভাদ্রমাসান্তর্গতায়াং শুক্লত্রয়োদশ্যাং বুধবাসরে পূর্ব্বাহ্নে গবেষকশিরোমণিপণ্ডিতরাজাতোম্বাপুশর্ম্মণাং স্বনামধন্যানাং দ্বিতীয়বার্ষিকপ্রপঞ্চদেহান্ততিথৌ মণিপুরীয়বিশ্বভারতীমন্দিরেঽষ্টাধিকশতসংখ্যকব্রাহ্মণকর্ত্তৃকশ্রীমদ্ভাগবতপাঠাবসরে— পণ্ডিতরাজকৃত মণিপুরীয়মাতৃভাষানুবাদতদ্ব্যাখ্যাভিস্সমলঙ্কৃতং শ্রীজয়দেবগোস্বামিপ্রণীতশ্রীগীতগোবিন্দনামধেয়ং পুস্তকং শ্রীগোবিন্দপ্রীত্যর্থং বিতরণরূপেণ সম্প্রদীয়তে সেবকৈরস্মাভিরিতি শম্ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Presented to:
Dr. Kapila Vatsyayan

From:

General Secretary,
The Atombapu Research Centre
IMPHAL.

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কবি শ্রীজয়দেব গোস্বমীগী

শ্রীগীতগোবীন্দম্

পণ্ডিতরাজ শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মানা

মৈতৈলোন্দা অন্বয়, অনুবাদ অমস্থং
ব্যাখ্যা তৌরবা

ভাগ্যবতী লাইব্রেরী,
শগোলবন্দ, ইম্ফাল

মমল লুপা ৫৲

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ছাপা তৌবা—
শ্রীবাসুদেব শর্ম্মা
ভাগ্যবতী কার্য্যালয়
চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্ক্স
ইম্ফাল।

৫সুবা ছাপা
(৪শুবা সংস্করণ কাইদনা)

ফোংবা—
শ্রীমধুমালী সিংহ
ভাগ্যবতী লাইব্রেরী
শগোলবন্দ, ইম্ফাল
৩০ জুন, রথযাত্রা ১৯৬৫ ইং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীশ্রী৺গীতগোবিন্দ মহাকাব্যম্

কবিরাজরাজ শ্রীজয়দেব মহাকবি বিরচিতম্ বরাকেণাপিময়াকস্যচিদ্
বৈষ্ণবস্যানুরোধেনমণিপুরীভাষয়ান্বয়ানুবাদ—বিশুদ্ধানুবাদ বিস্তৃত
ব্যাখ্যাভিঃসমলঙ্কৃতমিদম্ তৃতীয়াবৃত্তৌ তত্রভবতাং ভারত-
রাষ্ট্রপতীনাং শ্রীরাজেন্দ্রপ্রসাদানামমৃত স্রাবিকণ্ঠেস-
মর্পিতমেতল্লপিয্যত্যাশাস্মহে।

হঃ শ্রীঅতোম্বাপু দেবশর্ম্মণাম্।
১সুদি মাঘঃ মণিপুরাব্দঃ ১৮৬৫।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ওঁ

"ওঁ সর্ব্বাত্মনে পরমাত্মনে নমঃ ওঁ"

খলু তাবদাগম্যতাং তত্র ভবদ্ভির্ভারত রাষ্ট্রপতিভিঃ কর্ক-রেখয়া সমুদ্রতীরেণ মণিপূরং নাম্না প্রাচীনং ভবনম্। তত্র-ভবদ্ভিঃসুস্বাগতং কুর্বন্তো বয়ং কৃতার্থীকরিষ্যামহে। সরস্বতী-দৃষদ্বত্যোর্দেবনদ্যোর্যদন্তরবর্তিব্রহ্মাবর্তবাসিভির্যাজ্ঞিকবিপ্রৈর্মে-খাবদ্ভিঃ পুরৈব ভুবলয়োপরি যুগমাত্রোদিতাগ্নেয়তারাবলিমব-লোক্য যস্যাং স্থাপিতা প্রাগ্‌বংশশালা, তদুপলক্ষতংস্থানং হি "রম্যং মণিপূরং নাম বভ্রুবাহনপালিতম্। দ্বিতীয়মিব বৈকুণ্ঠং স্থাপিতং বিষ্ণুনা ক্ষিতৌ ॥"

তত্র চ চকাস্তি চক্রবালাচলবর্তিঃ শ্রীগামুদয়পর্ব্বতঃ তথাহি— "উত্তরেণ পরিক্রম্য জম্বুদ্বীপং দিবাকরঃ। দৃশ্যো ভবতি ভূয়িষ্ঠং শিখরং তন্মহোচ্ছ্রয়ম্॥ তত্র বৈখানসা নাম বালি-খিল্যা মহর্ষয়ঃ। প্রকাশমানা দৃশ্যন্তে সূর্য্যবর্ণাঃ তপস্বিনঃ॥ অয়ং সুদর্শনো দ্বীপঃ পূরো যস্য প্রকাশতে। তস্মিনস্তেজশ্চ চক্ষুশ্চ সর্ব্বপ্রাণভৃতামপি ॥"

ইত্যেবং বাল্মীকিনোক্তমস্য স্থানস্য বিন্দুকং,— "গ্রিনিচঃ পূর্ব্বতো বাণগ্রহে দ্রাঘিম্নি চোত্তরা। চতুর্বিংশে নিরক্ষাচ্চ যত্র তিষ্ঠতি বৈ সদা ॥" অত্রদেশে প্রসূতানাং শ্রীগোবিন্দৈকচেতসাং। ভক্তিযোগবিধানার্থং কান্যাখ্য উদয়ে গিরৌ ॥ তত্রাবিভূর্য় গোবিন্দো রাসক্রীড়ামকুর্ব্বত। সা লীলা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিশ্ববিখ্যাতা জয়তি তত্র তৎস্থলম্। বেদেষ বহুধাগীতং ছন্দোভির্বিবিধৈঃপৃথক্। প্রশ্লোকঃ পৃথিবীনাভিঃ প্রাচীনং ভবনং তথা॥ ত্রিবিক্রমস্য বিষ্ণোশ্চ পাদস্থানং প্রচক্ষ্যতে। তত্র পূর্ব্বং জগৌ বেদান্‌ব্রহ্মা লোকপিতামহঃ॥ এষ পূর্ব্বেদিশাং ভাগো ব্যাসেনামিততেজসা। জয়াখ্যে ভারতে নাম্না মণিপূরং প্রচক্ষ্যতে॥ তত্র তত্র ভবং হি চাগচ্ছেয়ুর্বিহায়সা। প্রকল্প্য গালবং হৃষ্টাঃ অভ্যর্থয়ামহে মুদা॥ যস্যামুদয়তে পূর্ব্বং সর্ব্বলোকপ্রভাবনঃ। সবিতা যত্র সন্ধ্যায়াং সাধ্যানাং বর্ত্ততে তপঃ॥ যস্যাং পূর্ব্বং মতির্যাতা যয়া ব্যাপ্তমিদং জগৎ। চক্ষুষী যত্র ধর্ম্মস্য যত্রবৈ সুপ্রতিষ্ঠিতে॥ হুতং যতো মখে হব্যং সর্পতে সর্ব্বতো দিশং। এতদ্দ্বারং দ্বিজশ্রেষ্ঠ দিবসস্য তথাধ্বনঃ॥ তত্র পূর্ব্বং প্রসূতা বৈ দাক্ষায়ণ্যঃ প্রজাঃ স্ত্রিয়ঃ। অস্যাং দিশি প্রবৃদ্ধাশ্চ কশ্যপস্যাত্মসম্ভবাঃ॥ অতো মূলং সুরাণাং শ্রীর্যত্র শক্রোঽভিষিচ্যতে। সুররাজ্যেন বিপ্রর্ষে দেবৈশ্চাত্র তপশ্চিতম্॥ এতস্মাদ্ কারণাৎ ব্রহ্মণ পূর্ব্বে ত্যেষাদিগুচ্যতে। যস্মাৎ পূর্ব্বতরে কালে পূর্ব্বমেবাবৃতাঃ সুরৈঃ॥ অতএবচ পূর্ব্বেষাং পূর্ব্বমাসাং প্রচক্ষ্যতে। পূর্ব্ব সর্ব্বাণি কার্য্যাণি দেবানাং সুখমীপ্সতা॥ তত্র বেদান জগৌ পূর্ব্বং ভগবান্ লোকভাবনঃ অত্রৈবোক্তা সবিত্রাসীৎ সাবিত্রী ব্রহ্মবাদিষু॥ তত্র দত্তানি সূর্য্যেণ যজুংসি দ্বিজসত্তম। অত্র লব্ধবর সোমঃ সুরৈঃ ক্রতুষু পীয়তে॥ অত্র তৃপ্তা হুতভুক্ স্বাং যোনিমুপভুঞ্জতে। অত্র পাতালমাশ্রিত্য বরুণঃ শ্রিয়মাপচ। অত্র পূর্ব্বং বশিষ্ঠস্য পৌরাণস্য দ্বিজর্ষভ। সূতিশ্চৈব প্রতিষ্ঠা চ নিধনঞ্চ প্রকাশতে॥ ওঁকারস্যাত্র গীয়ন্তে শ্রুতয়ো দশতির্দশ। পিবন্তি মুনয়ো যত্র হবির্ধুমধুমপাঃ॥ প্রোক্ষিতা যত্র বহবো

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বরাহাশ্চ মৃগা বনে। শক্রেণ যজ্ঞভাগার্থে দৈবতেষু প্রকল্পিতাঃ॥ অত্রাহিতঃ কৃতঘ্নাশ্চ মনুষ্যাশ্চাসুরাশ্চ যে। উদয়ং তান্ হি সর্ব্বান্ ক্রোধাদ্ধন্তি বিভাবসুঃ॥ এতদ্দ্বারং দ্বিজশ্রেষ্ঠ স্বর্গস্য চ সুখস্য চ। এষ পূর্ব্বোদিশাংভাগ আগম্যতাং বিহায়সা॥ মণিপূরং সমাগম্য পাণ্ডবানাং ধনঞ্জয়ঃ। মত্বা চ সমুদ্রান্তাং পর্য্যেতি বসুধামিমাং॥ নিবৃত্তোঽভিমুখস্তস্মাৎ যেন বারণসাহ্বয়ম্। যদৃচ্ছয়া সমাপেদে পুরং রাজগৃহংস্তদা॥ তথৈবচ ভবান্যস্ত পুনরাগমনায় চ। অর্জ্জুনস্য পথা যাতু মণিপূরমনুস্মরন্॥ তত্র তত্র স্মরেদ্দেবভবান ছুর্ল্লিতং বচঃ। বদন্তি বিশ্বকোষাদৌ নগেন্দ্রাদি বিপশ্চিতঃ॥ কলিঙ্গনগরং নাম্না মণিপূরং হি মনকুর। তথৈব দাক্ষিণাট্যেষু আপ্তে প্রভৃতয়োবুধাঃ॥ সেনাপতি কনিংহামা মন্যন্তে প্রত্নবিদ্ বুধাঃ। উত্তরা রত্নপুরাচ্চ মণিপূরং প্রতিষ্ঠীতম্॥ অপার্ট নামধেয়াস্ত আচার্য্যাঃ প্রবদন্তি হি। পূর্ব্বস্যাং মদুরাতশ্চ মানলুরং মণিপূরম্॥ আযোধ্যানাং প্রবাদোঽস্তি সন্নুওয়া মণিপূরকং। কোচন্বদন্তি মাদ্রাজে মোহলাপুরকেতি চ॥ এবমাদিপ্রদেশেষু কুতশ্চিৎস্থানকাদযদি। নিবৃত্তোঽতিমুখস্তস্মাদ্ যেন বারণসাহ্বয়ম্॥ যদৃচ্ছয়া ন গচ্ছেৎপুরং রাজগৃহংস্তদা।

নিঃ—শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মণাম। ইম্ফাল, মণিপূর।

১ সুদি মাঘঃ মণিপূরাব্দঃ ১১৬৫।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভূমিকা

ভারতকী

কবি জয়দেব অমসুং গীতগোবিন্দ

গীতগোবিন্দ হাঈবসি মহাকাব্যনি। "কাব্যং রসাত্মকং" রসগী মশক ওইবা ৱাহৈবু কাব্য কৌই। কাব্য হাঈবসি চুন্নগী ৱাহৈ পরেং—গদ্য, অমসু শৈরেং, ওইনা ছন্দপান্দুনা পানবা নত্রগা শকনবা পদ্য ওইনা লেংবা অমা, মরেং অনি সুই। নাটকসাহিত্য লীলা ওইনা সান্নবা অতুসু কাব্যগী মনুং চল্লি। অতুগুম্বা কাব্যসিং অতু মহাকাব্য অমসু খণ্ড কাব্য অসুন্না অনি থোক্লা খাইদোকই। গীত-গোবিন্দ হাঈবসি মহাকাব্য অতুগী মনুং চনবনি। গীতগোবিন্দ হাঈব-সিদি উজ্জ্বল রসগী কাব্যনি।

গীতগোবিন্দ কৌবা মহাকাব্য অসিগীদি ঈশৈনা মরু ওইনা লেংই। ফজবা অশেংবা সুর, তাল, লয়দা মেংলবা নৌরবা, যজরবা অমসু পান্নবগী মশক ওইবা গীতগোবিন্দগী ময়েক অতু তাবতদা অর্থনাচিংবা ইথং খংদ্রবসু জীব পানবা পুন্নমক্কী সুমহৎনবা ওইবা কাব্যনি। মহাক্কী ময়েক অতুতা তাবদা ঙক্তবা হুজিক ফাউবা লৈতে। অতৈদি লাইরহুনা স্বয়ং শ্রীজগন্নাথ দেবমকপু ঈশৈ অসিনা সুমহৎখ্রবনি। মাসিগী মরমদা ৱারি য়ামনা লৈ। শ্রীজয়দেব কবি হাঈবসি কেন্দুবিল্ব কৌবা খুন অচৌবা অমদা পোকপনি। মহাক অসি নহা ওইরিঙৈদা ব্রহ্মচারী ওইহুনা মুমিৎ চুপ্পা শাস্ত্রমক্তা আলোচনা তৌহুনা লেনখি। মহাক্তি পোকপদগীনা শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তিগা লোইননা কবিত্বশক্তি লৈরমই। মহাক্কী নোংমা নোংমগী হৈগৎ লকপা বিদ্যাগী ধারাগা লোইননা শ্রীকৃষ্ণ ভক্তি অহুনা মহৌশানা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ওইরকপা কবিত্বশক্তি অদুগা লোইননা থোরকই, মাদুদা অসিগুম্বা তাইবংপানদা ফাউরবা গীতগোবিন্দ কৌবা মহাকাব্য অসি থোকখি।

শ্রীজয়দেবগী কবিত্বশক্তিগী প্রতিভা অসি দৈবীসম্পংনি, থাজৈঙ্গশেংনা দয়াময় ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা পীনবনি। ভগবৎকী কৃপানা ফংবা অদুগুম্বা মাগী সম্পত্তি অদু জয়দেবনা অতৈদা পীথোক্তে, অরেম্বদা শিজন্নদে, মহাক্কী মবুঙো শ্রীকৃষ্ণগী সেবাতদা শিজন্নখি, মাদুমকতনা গীতগোবিন্দনা মাসুপ য়ান্না নিংথিথিবনি অমসু মগুণ চাউখিবনি।

ঐখোয়না গীতগোবিন্দগী পরিচয় পীরমদাইদা হান্নমা হিন্দু মণিপুরী সমাজগী পরিচয়সু সম্পংনা হাঙ্গৈনিংই। হিন্দু মণিপুরী সমাজগী ঈচেন অসিগী হৌরকফম গোমুখীদি মৈদিঙু গরিবনিৱাজনি। সমাজ অসিগী সৌর্য্য বীর্য্য অসিনা এরুবা মীরৈবাক্কী নিংথৌশিংগী মীপাইনবা ওইদুনা লাকলিবনি। অদুগুম্বা সমাজ অসিগী বজ্রদগী হেন্না কনথরবা থম্মোইদা তাইবংপানগী ধর্ম্ম পুন্নামক্তগী মানা মমেংলবা প্রেমভক্তিনা ময়োন চোংদুনা হৌখিবা হিন্দু মণিপুরী জাতিনি। মাসি থমোই পানবাসিংনা খনথরবদি অঙকপা অদ্ভুত অমনি হাঙ্গৈবামকপু য়াই। ঐখোইনা শ্রীভাগবত ইরকপদা ভূমিকা ওইনা তাইবংপানবদা থোইদোক্লমকতি ভারততা চৎলিবা ধর্ম্ম পুন্নমক্কী মতুংদা মণিপুরগী লৈফম অদু ইতিহাসগী মশক ওইনা ইখরে, মাদু মতাং অসিদা অগোক ইরুবদি হুঞ্জনবা থোক্লনি। অদুনা মতাং অসিদদি সমাজ অসিগী পরিচয়তা সম্পংনা থরদং ইরি।

ঐখোইনা শ্রীভাগবতকী ব্যাখ্যাদা হাঙ্গৈখরে, মণিপুরী হিন্দুসিং অসিদি মধুর প্রেমভক্তনি। সমাজ অসিদি শুষ্ক বৈরাগ্য প্রিয়, শুষ্কজ্ঞানী নত্তে, রাজযোগী নত্রগা হঠযোগী নত্তে অমসু স্বর্গপাম্বা তপস্বীসু-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নত্তে। ভাগবত পরমহংস, মাখোই অতুমক্তি জ্ঞানমিশ্র ভক্তিগী লম্বেনদা চৎপা মাখোই অতুগী মতুংইনবা সাধনাস্থু তৌদবা সমাজনি। শ্রীশ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা "অনর্পিতচরী, উন্নতোজ্জ্বলরসময়ী" ভক্তিগী সম্পাত্তিবু পীবিগে হাঙ্গৈবগীদমক অবতার তৌরে। অতুগুম্বা প্রভুনা পীনবিরবা উন্নত উজ্জ্বল রসগী মশক ওইবা ভক্তিনা হিন্দু মণিপূরী সমাজগী পাইনফম পাম্বেনি, মাছু পাইরগা শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দনা থারিবা শ্রীশ্রীকৃষ্ণচন্দ্রগী মধুরপ্রেমময় মূর্ত্তি অতুবু ফংগে হাঙ্গৈতুনা মতম পুন্নমক্তা তানবনা নিখিল হিন্দু মণিপুরী পুন্নমক্কী পরম নিষ্ঠানি, মাছুদি—

সঞ্চরদধর-সুধামধুরধ্বনি-মুখরিত-মোহনবংশং।
বলিতদৃগঞ্চল চঞ্চলমৌলি-কপোল বিলোল-বতংসম্।
রাসে হরিমিহ বিহিতবিলাসং
স্মরতি মনো মম কৃতপরিহাসম্। ১ ধ্রুবম্।
চন্দ্রক-চারুময়ুর-শিখণ্ডক মণ্ডল-বলয়িতকেশং।
প্রচুর-পুরন্দর ধনুরনুরঞ্জিত-মেদুর মুদিরসুবেশম্। ২।
গোপকদম্ব-নিতম্ববতী-মুখচুম্বন লম্ভিতলোভং।
বন্ধুজীব-মধুরাধর পল্লবমুল্লসিত স্মিতশোভম্। ৩।
বিপুল পুলকভুজ পল্লববলয়িত বল্লব যুবতিসহস্রং।
করচরণোরসি মণিগণভূষণ কিরণবিভিন্ন তমিস্রম্। ৪।
জলদ পটল বলদিন্দু বিনিন্দক চন্দন তিলক ললাটং।
পীনপয়োধর পরিসর মর্দ্দন নির্দয় হৃদয়কবাটম্। ৫।
মণিময় মকরমনোহর কুণ্ডল মণ্ডিত গণ্ডমুদারং।
পীতবসনমনুগত-মনিমনুজ-সুরাসুর-বরপরিবারম্। ৬।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিশদকদম্বতলে মিলিতং কলিকলুষভয়ং শময়ন্তং।
মামপি কিমপি তরঙ্গদনঙ্গদৃশা মনসা রময়ন্তম্ ॥ ৭ ॥
শ্রীজয়দেব-ভণিতমতিসুন্দর মোহন মধুরিপু-রূপং।
হরিচরণস্মরণং প্রতি সংপ্রতি পুণ্যবতামনুরূপম্ ॥ ৮ ॥

মরম অসিনা মণিপূরী সমাজ অসিবু সুপনগী বৈষ্ণবনি হাঙ্গবা-তনদি থাঙ্গশেংবা পরিচয় ওইদরি। বৈষ্ণব সম্প্রদায় হায়বসি মখল মামই। মাহুদি রামানুজীয়, মাধ্ব, বল্লভা চারীয় অমসু নিম্বার্কীয়। সম্প্রদায় মরি অসি ভারতবর্ষদা ফাউরিবনি। শ্রীশ্রী৺কৃষ্ণচৈতন্য প্রভু হাঙ্গবসি মাধ্ব সম্প্রদায়গী মন্নুং চনবা গুরুদগী দীক্ষা তৌই। তৌইগুম্বসু প্রভুনা সম্প্রদায় অতুগী মনুং চনবনি নত্রগা মাতুগী মশা শাখা অমনি হাঙ্গবদি চান্ননামক খল্লবদি হাঙ্গফম থোক্কে। প্রভুনা শঙ্কর প্রবর্ত্তিত বেদান্ত ধর্ম্মগী মধ্যম ভারতী সম্প্রদায়দা চৈতন্য গোত্র ওইহুনা সন্ন্যাসাশ্রম লৌই, অশুম্না লোকনা মতম অমদা প্রভুবু উনখি। অহুবু কনা কনাগুম্বা পণ্ডিতসিংনসু মরম অসিনা প্রভুগী মতপু "অচিন্ত্যভেদাভেদবাদী" হাঙ্গ, মাহুবু থম্লগা প্রভুগী শ্রীমুখনা হাঙ্গরম্বা অমসু গৌরভক্তবৃন্দগী সিদ্ধান্ত এংলুরবসু প্রভুবু সম্প্রদায় অমতগী গণ্ডীদা থমজিনবা য়াদে। মরমদি ইবুঙো মহাকতি স্বয়ং অবতারীনি। মহাক্না অবতার তৌবিহুনা ধর্ম্ম পুন্নমক্কী লেংদ্রবা মচিবু তাইবংপানবদা ফোংদোকপীরৈ। ইবুংঙো মহাক্তি কনাগুম্বা সম্প্রদায় অমগী মখা পোনদে, সম্প্রদায়গী সঙ্কীণগণ্ডীদাসু মহাকনা তাকপীরিবা মচি ওইবা ধর্ম্মগী তত্ত্ববু ফাজিন্দুনা থমদে। প্রভুনা সম্প্রদায় পুন্নমক্কী সম্প্রদায়িক গণ্ডীগী সঙ্কীর্ণ প্রাচীরবু থুদেকতুনা তাইবং-পান পুন্নমক্কী পাক চাউরবা ধর্ম্মগী তত্ত্ববু ফোংদোকপী। প্রভুগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মতবাদ প্রচারবু তৌবা ভক্ত ময়ামনসু মাখোইনা লৌরিবা মতবাদ অদুবু তাইবংপানবা জীব পুম্নমক্কী ওইনা ৱাক্তা লৌথি, অদুনা পণ্ডিত-সিংনা প্রভুগী পবর্ত্তিত ধর্ম্মবু "বিশ্ব বৈষ্ণব সভা" হাঙ্গৈনা খংনৈ মিংকম অসিদা য়াউরিবা "বৈষ্ণব" হাঙ্গৈবা পদ অসি তাইবংপানবদা লৈরিবা উপাসক সম্প্রদায় পুম্নমক্কী লেংদ্রবা সারতত্ত্ব অদুবু লৌবা হাঙ্গৈবনি। শিব. শক্তি, সূর্য্য, গণপতি—উপাস্যদেবতা পুম্নমক অসিনা তিনবা চাউরবা পাক্লবা ওইবা বিষ্ণু অদুবু উপাসনা তৌববু হন্দক্কী গৌরভক্ত বৃন্দগী "বৈষ্ণব" হাঙ্গৈবা পদ অসিনা খংনগনি মাতুত্তবু কন্নিগী ওইগনি, "আল্লা গোড জিহোভা" নাচিংবা বিশ্বমানবতা চৎনরিবা উপাস্য দেবতা পুম্নমক অদুবুসু গৌরভক্তবৃন্দনা উপাসনা তৌরিবা বিষ্ণুগী মনুং চনবনি অসুম্না খংনগনি।

মাসিদা খরদং তোঙানবা লৈ, মাতুদি—মী মী অদুগী পোকলবা, লৈরুবা, অমসু মতম মতম অদুগী মতুং ইন্না মণ্ডোন্দা পাল্লিবা সংস্কৃতিগী মতুংইন্না মীওইবনা কন্নিগুম্বা ধর্ম্ম অমবু লৌবা চৎপা য়াই। মাদুম্না মী অদুনা তৌখ্রিবা ধর্ম্ম অদুবু অমসু ধর্ম্ম অদু অদুগী গুরু ২ অদুবু উসিৎতবা থৌওইদবা, অনাদর তৌবা হৌনদে। গৌরভক্ত বৃন্দনা হাঙ্গৈরি, অদু অদুগুম্বা ধর্ম্মসিং অদুগী মপানদা কুয়োম নত্রগা সংবন অদু লৌথোকখ্রগা মনুংদা লৈহোবা লেংদবা মচি ওইবা স্নপনগী ভগবৎ প্রেমতবু থিদুনা ঐগী আত্মা অসি মহৈ য়ালহনগে নিংলবদি অসিগুম্বা গৌরভক্তবৃন্দগী বিশ্ববৈষ্ণব ধর্ম্ম সভাগী (Universal Religion) মনুং চনবা সদস্য ওইগদবদা মী অদু মতিক চাই। ঐখোইনা পীকলবা পুক্লিং অসিগা লোইনদুনা লৈপাক্তা লেপতুনা এংবদা অকোইবদা লৈরিবা ইংখোন ময়াম্না মাগী ২ সংবন খাদুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কোনথোং চেংনা পান্দুনা লৈবা উরমই । ৱাংগ্রবা চিং অমদা কাহুনা এংবদা খরদং কাখৎপদা মাহুন্না খাজিনবা ইংখোন অহু ঙাক্তনা থন্না ময়াম লৈবা উই, মাহুগী মথংদা চিং অহু অসুম কাখৎখ্রগদি সংবন পুন্নমকতু উথিদরে. সুপনগী পাকলবা ইংখোন অমতাগুমনা উই, চিং অহুগী মতোন য়ৌরগদি পাকখরবা ওইনা উরমবা ইংখোন পুন্নমক্তু পীশক অমা ওইনা উই । মাহুগুমনা ধর্ম্মগী লম্বেন অহুনা কাখৎলকপদা অহুপকী মথৈ ৱাংল ৱাংলগা ধর্ম্ম পুন্নমক্কী খারিবা সংবন পুন্নমক অহু উথিদহুনা লেংদবা ময়োন অহুতা উই, অহুগুম্বা লেংদবা ধর্ম্ম পুন্নমক্কী মচা ওইবা তত্ব অহুবু "প্রেমভক্তি" কৌই। মরম অসিনা তাইবংপানবগী ধর্ম্ম ময়ামগী চাং এংনঙৈদা সিকাগোদা স্বামি বিবেকানন্দনা ইরোই লোইবদা পীথিবা সিদ্ধান্ত—"সুরতবর্দ্ধনং শোকনাশনং, স্বরিতবেণুনা সুষ্ঠুচুম্বিতং। ইতররাগবিস্মারণং নৃণাং বিতর বীর নস্তে ধরামৃতম্ ।।" হাঙ্গৈথিবা গোপী প্রেম হাঙ্গৈবা প্রেম অহুতবু নিখিল মণিপূরী হিন্দু সম্প্রদায় অসিনা নিংথৌদগীনা লৌমী কাউবা নিপা, নুপী, অঙাং, অহল খাইদনা লৌই । মাসিগুম্বা থাইজ খাইবুং নাইদবা মণিপূরীগুম্বা সম্প্রদায় অমা তাইবংপানবদা লৈতে হাঙ্গৈবদা কুনাগুম্বা অথংবা অমত্তনাসু আপত্তি তৌরোই।

কুরুক্ষেত্রগী লানজাউগী মতুংদগীনা মণিপূর কৌবা লৈপাক অসি অমম্বা ইতিহাসকী মবুক মমুংদা মতম কুইনা লুপখি। অহুগুম্বা শাংলবা মতম অহুবু মণিপূরগী প্রলয় হাঙ্গৈগদবনি। খৃষ্টগী নিপানসুবা শতাব্দীগী লোইরমদাইদগীনা অমোক হন্না প্রলয়দগী লৈশেমবা মণিপূরদা হৌই। ফনামক পীকশিনলুহুনাসু খোংনাংপাম্বী চাউরবা অমনা মহৌ-শানা মাগী মরু কুপখ্রবা অমদা ৱাত্তানা লৈবা অহুগুন্না ময়োন

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চোংথৎলকপদা ঙাইরিবা মণিপুর হান্নগী শাস্ত্রনা থাগৎনরিবা মণিপুরী-শিংগী ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা, মরৈপাকপু নুংশিবা, জাতিগী মর্য্যাদা ঙাকপা হাঙ্গৈবা মহোশা অত্তুম অতুনা মথং মথং চাউখৎলকই। অতুনা মৈদিংঙু গরিবনিরাজগী মতমদা প্রেমভক্তিগী কল্পবৃক্ষনা তাইবং ফাউবা হৌথি। নিংথৌরেন অসিগী মচুসিংগী থম্মোইদা প্রেমভক্তি দেবীগী সান্নফম ওই। রাজ প্রবর্ত্তিত ধর্ম্ম চৎপা লৈবাক অসিগী মী খুদিংদা লৈবা সংস্কার অতুনা হুজিক্তি প্রেমভক্তিনা মণিপুরীসিংগী সমাজগত ধর্ম্ম' ওইখরে।

মীওইবগী মরৈবাকপু অমসু স্বজাতিবু নুংসিবা হাঙ্গৈবা অসিসু ভক্তি মখল অমনি। ভক্তি হায়বদি ঐবু হেনববু নুংসিববু কৌই। ভক্তি পুন্নমকতগী ইহেন হেনবা প্রেমভক্তিগী সংস্কৃতিনা। চন্নবা মণিপুরী জাতিগী থম্মোইদা দেশপ্রেম অমসু জাতিপ্রেমনা মাসুপ য়ান্না মতম অমদা কনখিবা মরম অসিননি। অকনববু নোইহৎপা, অকিবা লৈতবা, মরৈবাকপু ঙাকপদা থন্নাই পামুদবা, জাতিগী মগুণ ঙাক্লনবগীদমকতদা খুৎলাই পাইবা হাঙ্গৈবসি প্রেম্না ইনসিল্লক্লবতদা মশক থোকই। প্রেম হাঙ্গৈবহু লৈতবা মীগী থমোইদা অথৌবা অমসু রীববিক্রমগী পাঙ্গন লৈবা হৌনদে। অসাউবা থমোইদা হৌবা সৌর্য্য বীর্য্যদি লৈ, পশুবলনা তাইবংপানবদা করিগুম্বদসু চান্ন চন্নবা য়াদে।

অর্জ্জুনগুম্বা নুংশি হৈবা মীদা ভারতকী অশেংবা শৌর্য্য বীর্য্য লৈ। লিসু তেনসু হৈবা অর্জ্জুনগী থমোইদি মাসুপকী মতিক মুংসি হৈ, মাগুম্বা কুন্তীগী মচানবু মমান্নবগা লান থেংনগদবগী "নংনা করিদা ঐনা কাদাইদা" হাঙ্গৈনা মিকুপ নাহুম এংনরকলবদা, এক্লবন্না হাৎকে হাঙ্গৈনা খুৎলাই পাইরবা মতমদা মহাত্মা মমিৎতা মপী তাদুনা খুৎলাই

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

থাদোক্তুনা কপতুনা ফম্বা ঙমই। মতম অতুদা কপ্তুনা খুৎলাই থাদোকতুনা নুংসি নুংওন্দুনা লৈবা ঙম্বদি কিগনবা মীদা ওইবা য়াব নত্তে, কৈনা চাগে হাঙৈনা হোৎসল্লকঙ্গবদা মাগী নুংসিবা মীবু শিখ্রগনি হাঙৈনা কপতুনা মীগীদমক নুংসিবনা মশাগী পামুবা থাদোকতুনা ফমতুনা লৈথোকপা ঙম্বা কিগনবা মী কনা য়াউবগে? অথৌবা, কিদবা হাঙৈবা অসিদি নুংসিবগী মৈনা ফুদোংলবতদা অশেংবা সনা ওনলি। অতুনা নুংসি হৈবা মীগী থমোইগী অকনবনা পৃথিবী অসি জয় তৌথি। পুন্নমক অতু হুজিক ফাউবা ইতিহাসগী লামাই ২ খুদিংদা সাক্ষী পীরি। নেপোলিয়ানগুম্না ফনমকসু কনসন্নু নুংসিহৈতবা মীগী পরিনাম অফবা মহৈ লৈবা হৌনদে।

মরৈপাক নুংসিবা জাতিগী মর্য্যাদা থাদোক্তবা, মণিপূরী জাতিগী থমোইদা মধুরপ্রেম ভক্তিগী সংস্কারনা চুরবা রাজর্ষিগী প্রভাবনা মাসিগুম্বা শৌর্য্য বীর্য্যগী নিংথিবা মিংচৎ ওইরম্বনি। অতুগুম্বা সমাজ অসিগী মতম পুন্নমক্তা চুপকদবা অমৃতদি—শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যগী রস অসিনা অথোইবা মহৈ অমনি। মরম অতুনা শ্রীগীতগোবিন্দবু পাগে নিংলিবা পাঠকসিংগীদমক্তা অহানবদা কবি জয়দেব অমসু মহাক্কী অথোইবা মহাকাব্য গীতগোবিন্দগী পরিচয় অতু খরদং প্রবন্ধ অসিদা ইরি।

শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যগী

আখ্যান বস্তু।

(PLOT)

শ্রীজয়দেবনা মহাক্কী কাব্যগী অহানবা সর্গগী অনিসুবা "বাগ্-দেবতা" হাঙৈবনা হৌবা শ্লোকতা হাঙৈ, মাহুদি—মহাক্না শ্রীরাধা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৃষ্ণগী "রতিকেলী"বু বর্ণন তৌবা গ্রন্থ অসি লেংই। রতি কেলীগী মশা ওইবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী অভিসার, বাসক সজ্জা, উৎকণ্ঠা, বিপ্রলব্ধা-খণ্ডিতা, কলহান্তরিতানাচিংবা নায়িকাগী অবস্থাগী মান, বিরহনাচিংবা গীতগোবিন্দদা য়াম্না নিংথিনা লেংই। মাতুম্না লেংলকপদা কবি জয়-দেবনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী রতিকেলীবু সম্ভোগগী অর্থদা পুদতুনা প্রেমলীলা হাঙ্গবগী অর্থদা লেংই। অলঙ্কার শাস্ত্রদা শৃঙ্গার, হাস্যননাচিংবা রস ৯গী বিচার তৌই অমসু রস মাপন অতুগী রতি, হাস্যনাচিংবা স্থায়ী-ভাব মাপননি হাঙ্গ। মাতুদা শৃঙ্গার রসগী স্থায়ীদি রতিনি, মাতুদি পুক্লিংগী নুংসিবা কৌবা অনুরাগনি। মরম অতুনা রতি কেলী হাঙ্গবনা নুংসিবগী সান্নবা প্রেমলীলাবু খংনৈ। মরম অসিনা জয়দেবনা মহাকবী কাব্যদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী সম্ভোগলীলাবুসু লেংথোকপদা করিসু অপনবা লৈতে। বৈষ্ণব সম্প্রদায়দা গীতগোবিন্দ হাঙ্গর্বসি সুপনগী কাব্যগী ভাবতদা চৎনবা নত্তে, মাখোইগী ধর্ম্ম গ্রন্থ ওইনা য়ামনা ভক্তি আদর তৌনা চৎনবা লাইরিকনি। জয়দেব মশামকনাসু গীতগোবিন্দগী মরক মরকতা হাঙ্গ, মাতুদি—মহাত্মা ভক্তসিংগী ভক্তি চাউখৎনবগীদমক শ্রীরাধাকৃষ্ণগী রতি কেলী কথা অসি লেংবনি। মরম অসিনা ঐখোইনা বিচার তৌতুনা এংগদবদি—শ্রীকৃষ্ণবু পরব্রহ্ম অমসু শ্রীরাধাবু পরাপ্রকৃতি—হ্লাদিনী কৌবী শক্তিনি হাঙ্গনা লৌরবসু মীওইববু বিলাসগী বাসনা থোকহনবা সম্ভোগ লীলাবু শ্রীরাধাকৃষ্ণদা পানসিন্দুনা ভক্তসিংবু কবিনা পুক্লিংদা ভক্তি থোকহনগনি হাঙ্গনা হোৎনরমলিবসি করম্না তৌরিবনো ? অসুমনা এংফম থোকই। মীওইবা হাঙ্গবসিদি নুমিৎ চুপ্পা যুবতি যুবাগী লালসাগী বাসনাতদা লুপতুনা লৈরিবনি। অতুগুম্বা মীওইবসিংবু অতু অতুগুম্বা বাসনা অতু কৌরুবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঈশ্বরদা ভক্তি প্রেম তৌনবা হাঙ্গৈরগবু কামগী লীলাবর্ণন তৌবনা থোকহনগনি হাঙ্গৈনা কবি জয়দেবনা তৌরমবা থৌনা অসিদি অমোৎপবু লৈথোমনা চামথোকসি হাঙ্গৈবগুম থোকই। অদুগা অমারোমদা অমোক হাঙ্গৈরবনু গীতগোবিন্দ হাঙ্গৈবসিসু রসগী মশক ওইবা কাব্য অমনি হাঙ্গৈনা লৌরবসু, হাঙ্গৈগ্রবা অচোপ্পা রাহৈমক্তনা থনখ্রবা লাইরিকনি, অদুনা গীতগোবিন্দ হাঙ্গৈবসি কয়াদা তুক্কচনবগী মশক ওইবগে হাঙ্গৈবসিসু খনফম থোকই। অদুগা জয়দেবনা মাগী কাব্যদা হাঙ্গৈরিবা আখ্যান বস্তু (Plot) অসি মহাক্কী মমাংগী কবিসিংগী কাব্যদগী লৌবা পুবা য়াউবরা ? পুত্রগা মানা তাইবংপানবা অসিদা ইনৌ নৌনা ফোংদোকপা রাফম কয়াগুক য়াউবগে ? হাঙ্গৈবসিসু ঐখোইনা এংলিঙৈদা থিফম থোকই।

বঙ্গদেশগী সমালোচক পণ্ডিতসিংনা যুক্তিগা লোইননা বিচার তৌবদা পুরাণনা হাঙ্গৈরিবা শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজগোপীসিংগা প্রেমলীলা সান্নবা অসিদি চান্নবা নত্তে, শেমজিনবনি, অয়ুম্না লেপই। অদুগা মখোইনা হাঙ্গৈ শ্রীকৃষ্ণগী গোপীগা সান্নবা প্রেমলীলা অসিদি মপানদদি হুজিক্কী কালগী সাহিত্য সেবীসিংগী পান্নদবা ওইহ্রনাসু মনুংদা য়াম্না শেংখ্রবা ভক্তিগীতত্ব অমা লৈ। হরিবংশ লেংবা কবিগুম্না শ্রীভাগবত লেংবদি অপাম লুংসিদা পামজবা ভাব য়াউদে শ্রীভাগবত লেংবগী পুকনিং অভিপ্রায়দি য়ামনা থুপই, অমসু য়ামনা শেংনা লুই অমুম্না লেপনৈ। বঙ্কিম বাবুগী অফাউবা কৃষ্ণচরিত ফৌবা লাইরিক্কী তরেৎসুবা অমসু মাপনসুবা পরিচ্ছেদদা শ্রীভাগবততা হাঙ্গৈবা অচেপ্পা অকাম অপেৎনা থল্লবা বস্ত্রহরণ অমসু রাস লীলাগী বিচার তৌই। অদুগা মাহুদা লেপ্পা সিদ্ধান্ত অদু লাইরিক অদুদগী খরদং লৌখৎলি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

"দশমস্কন্ধ শ্রীভাগবতগী তরামাথোইসুবা অধ্যায়দা গোপীসিংগী পূর্ব্বরাগ বর্ণন তৌই। গোপীসিংনা মুংথিনদা বনমনুংদা ষণ শেন্না শেন্না খোংলকপা বেণুগী খোঞ্জেন তারগা সুমহক্তুনা মাখোই মশেন মহৈ মহৈ ঙাংনবদা শ্রীকৃষ্ণদা মাখোইগী ওইরিবা প্রেমানুরাগ অদু ফোংদোকই। অদুগুম্বা পূর্ব্বানুরাগ অদু বর্ণনা তৌবদা শ্রীভাগবত-কারনা মীচমগা মান্নদবা কবিগী শক্তি অদু ফোংদোকই। মাদুগী মতুংদা মাদুবু শেংনা ফোংদোক্লবা হাঙ্গদুনা রারি অমা শেমজিনলি, মাদুদি "বস্ত্রহরণ" হাঙ্গনা ইখ্বাইনা খংনৈ। × × × গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণদা মাখোইগী লৈজবা পুন্নমক লোইনা কৎথোকই। নুপী হাঙ্গব-সিনা মাখোইগী মপোৎ পুন্নমক পামুবা হুঞ্জেক্তুনা লোইনা পীথোকপা ঙমই, সুপনগী ইকাইবা হাঙ্গবা অসিতবুদি পীথোকপা ঙমদে। শেনথুম, ধর্ম্ম, কুল, জাতি, মান পুন্নমক হুঞ্জেক্লবসু ইকাইবতদি মহুন্দোক্তরে। ইকাইবা হাঙ্গবসিদি নুপী ওইবগীদি অথোইবী লননি। নুপী হাঙ্গবা-সিনা কনাগুম্বা মী অমগীদমক মহাক্কী ইকাইববু থাদোকপা ঙম্লবদি, অদুগুম্বা মী অদুদা নুপী অদুনা পুন্নমক কৎখ্রবনি। অদুগুম্বী নুপী অদুনা শ্রীকৃষ্ণদা ইকাইবা ফাউবা খাকচবা লৈতনা কৎখ্রবনি। গোপী-সিংনা শ্রীকৃষ্ণদা ইকাইবা কৎপা অসিদি ওক্তবীসিংনা মাখোইনা পাম্বা নিপাদা ইকাইবা থাদোকপা অদু নত্তে, ইকাইগনবী অথোইবী নুপীনা ইকাইবা অদু কৎথোকপনি। অদুনা গোপীসিংনা ঈশ্বরদা মাখোইগী-হাঙ্গদুনা লৈরিবা পুন্নমক কৎখ্রবনি। শ্রীকৃষ্ণনসু মাখোইনা কৎপা অদু ভক্তিগী খুদোননি হাঙ্গনা লৌই। শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গরমই—"কৃষ্ণ ঐঙোন্দা পুকনিং হাপথরবা মী অদুগী অপাম্বা লুংসিবা হাঙ্গবা অদুনা মীরমরেনগী অপাম্বা—কাম হাঙ্গবদু ওনবা ঙমদে। মাদুদি ভোথোক্লবা,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ফুত্তোকল্লবা যব—ফৌনা মপান ওইননবা হৌবা ঙমদবগুম্বনি।" অমোকস্তু হাঙ্গৈরমই—"হে গোপীসা নখোইনা অপাম্বা অমা থুংগে হাঙ্গৈত্তুনা ব্রত তৌখ্রে, ঐনা নখোইগী অপাম্বত্তু অহিংদা থুংহনলক্কনি।"

গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণবু মপুরোইবা ওইনা ফংনিংত্তুনা কাত্যায়নী ব্রত তৌই। মরম অত্তুনা শ্রীকৃষ্ণনা গোপীসিংগী অপাম্বত্তু থুংহনগে হাঙ্গৈবনিনা মাখোইগী মপুরোইবা ওইথি। অত্তুনদি সোইদনা রাদি কাইরে। গোপীসিংদি মীগী মতুনি। মাখোইগী মপুরোইবা ওইরুরবদি মরা লৈবা নুপীগা চান্নবা হাঙ্গৈবা পাপ ফত্তবা অত্তুনা চংলে। অসিগুম্বা পাপ কর্ম্ম অসিবু কৃষ্ণনা তৌই হাঙ্গৈরুবদি করি হাঙ্গৈফম থোকপগে? × × × হিন্দু ধর্ম্মদা ভক্তিবাদগী মতুংইন্না শ্রীকৃষ্ণবু গোপীসিংনা ইপুরোইবনি অসুন্না সোইদনা নিংফম থোকই। ভগবদ্ গীতাদা শ্রীকৃষ্ণ-না হাঙ্গৈ, "যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্।"—মী অত্তুনা ঐবু নিংবদা তৌরিবা ভাব অত্তু ওইনা ঐনস্তু মী অত্তুবু নিংঙি। অত্তুনা গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণবু মপুরোইবা ওইগে নিংখিবনা শ্রীকৃষ্ণনস্তু মাখোইগী মপুরোইবা ওইত্তুনা লৌসিনবি। "মরম অসিদগী গোপীসিংনা তাইবং-পানবগী মপুবু মপুরোইবা ওইনা ফংনিংবদা পাপ করি অমতা লৈতে। গোপীসিংগীদি পাপ লৈত্রবস্তু কৃষ্ণগীদি লৈতরা? রাহৈ অসিগী পাওখুমদা বিষ্ণুপুরান্না হাঙ্গৈবগা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈবগা অত্তুগী অত্তু মঙাই। ঈশ্বরদা পাপ পূন্য হাঙ্গৈবা করি লৈ? মহাকতি ঐখোই মীচমগুমনা হকচাং লৈতে, হকচাং লৈতবগীবু ইন্দ্রিয়গী বৃত্তিদা চংবা অমস্তু মাত্তু তৌরুবগী দোষ হাঙ্গৈবা লৈবা হৌনদে। মহাক্তি পোৎ পুন্নমক্তা লৈ, গোপীসিংদাস্তু লৈ, গোপীসিংগী মপুরোইবসিংদাস্তু লৈ। অত্তুনা মাগী মরা লৈবা নুপীগা ঙাংনসানবা হাঙ্গৈবা লৈবা হৌনদে।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বঙ্কিমচন্দ্রনা পুরাণকারসিংগী অসিগুম্বা কৈফিয়েৎ অসি পেন্দুনা হাঙ্গৈরমই—'ঈশ্বরনা মনিং তৌদুনা মীওইবগী হকচাং লৌদুনা অবতার তৌই, অদু ওইরবদি মীওইবগী লিচৎ তৌদুনা থবক তৌনবগীদমক্তা মহাক্না মীওইবনি। মীওইবগী মীরমরেনদা গোপীসিংদি মীগী মতুনি। অদুনা মাখোইগা ণাংনরবদি মীগী মতু ণাংনবাগী পাপতি ওই। শ্রীকৃষ্ণনা গীতাদা হাঙ্গৈথি। "মীওইবা লোকপু শিক্ষা পীগে হাঙ্গৈবগী-দমক মহাক্না থবক তৌই"। মীবু তম্বিদোরিবা মহাক্না মীগী মতু ণাংনরবদি পাপ তৌবা থোকলে, অদু ওইরবদি মীওইবদা পাপ তম্বীবা ওইরে। অদুনা পুরাণকারগী শ্রীকৃষ্ণগা গোপীসিংগা সান্নবগী দোষ লৈতে হাঙ্গৈদুনা পীবা কারণ অসি চুমদে। মাসুম্না দোষ কোল্লবা হাঙ্গৈবসি করিস্ত কানদে। শ্রীভাগবতকারনা মশানস্থ হাঙ্গৈ—

এবং শশাঙ্কাংশুবিরাজিতা নিশাঃ
স সত্যকামোঽনুরতাবলাগণঃ।
সিষেব আত্মন্যবরুদ্ধসৌরতঃ
সর্ব্বাঃ শরৎকাব্যকথারসাশ্রয়াঃ।

× × × × × ×

"তৌইগুমস্থ পুরাণ লেংবসিংগী য়াম্না অকাইবা অমা লৈরে। মর্‍্যানি হাঙ্গৈরবদি নুপীসিং অদুগা ইন্দ্রিয় সম্বন্ধদি লৈরে। অদুগুম্বা ইন্দ্রিয় সম্বন্ধ অদুনা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈরিবা রাস বর্ণন অদুদা চংলি। শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈবা রাসনা বিষ্ণুপুরাণ অমসু হরিবংশগী রাসগুম্না সুপনগী জগোই ইশৈতা লেংবা নত্তে। কৈলাসগী চিংদোনদা তপ-তৌবা মহাদেবগী অশাউবগী মৈদগী উৎ ওনখ্রবা কামদেবনা বৃন্দাবনদা রাস সান্নবা শ্রীকৃষ্ণগী চরন্দা চংজদুনা মহাক্কী মশা মাংথিবদু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৃঞ্জন্নিংহুনা হোৎনৈ। কামনা মাসিদা চংলে। পুরাণকারসিংগী রাখন অভিপ্রায় অহু ফত্তবা নত্তে। ঈশ্বরবু সংসংনা ফংলবা মুক্তজীবগী মুঙাইবা অহু "যে যথা মাং প্রপদ্যন্তে তাংস্তথৈব ভজাম্যহম্" অসিগুম্বা ভগবানগী য়াথং অহু নিংসংহুনা মাহুদা ফোংদোকপতনি। তৌইগুমসু মাহুবু চুম্নগী মীচয়দি খংবা ঙমদে। পুরাণকারসিংগী অশেম্বা ভগবদ্ ভক্তিগী মশক ওইবা থন্বাল মরু অহুদি ঙমখৈ লৈতনা লুখ্রবা ঈসিংগী মথাদা লৈখরে। মথক্তদি সুপনগী কামগী মশক ওইবা মপান অহুতা সাত্তুনা লৈবহু মীনা টই। সুপনগী মপানতা এংবা মহুং লুপ্তবা-সিংনদি অহুগুম্বা মথক্তা শাৎলিবা মপান অহুতা হেকতুনা পরেং লেংহুনা ইন্দ্রিয় পরায়ণ ওইবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম হাঈবসি শেমই। শ্রীভাগবতনা য়াম্না লুনা থুপনা থমখ্রবা নিগূঢ় ভক্তিতত্ত্ব অহু জয়দেব গোস্বামীগী মখুৎতা তারুহুনা মদন মহোৎসব—লাই হরাউবা ওইখ্রে। অসুপ কুইবা মতম অসি ঐখোইগী পোক্লফম লৈপাক অসিবু মদন মহোৎসব অহুনা নেত্তুনা লুমহুল্লবনি।"

লুমিৎ চুপপা যুক্তিতা পাম্বা মরমনা তাইবংপানবদা ওইথোক্তবা (Miracles) বু থাজদবা সিংগা মখোইগী মত ইন্দবা ওইহুনাসু ঐখোইগী কান্নদবনিনা নিংঙাই য়েৎনজনিংদে। মরম অসিনা ধীর, শান্ত ওইবা, লৌসিং চাউবা বঙ্কিম বাবুনা ব্রজগোপীসিংগা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নবা প্রেমলীলাবু কবিগী কল্পনাদগী থোকপনি হেক্তা হাঈজনবা অহবু ঐখোইনা করিসু হাঈফম লৈতে। তৌইগুমসু বঙ্কিম বাবুনা পুরাণ লেংবগী কৈফিয়েৎকী বিরুদ্ধদা উৎপা যুক্তি অহুগীদি ঐখোইনা খুমনিংই, মাহুদি—পুরাণকারদি বঙ্কিম বাবুগুম্বা ওইথোক্তববু থাজদবা নত্তে। বঙ্কিমবাবুগুম্বা যুক্তি বাদীসিংনা হাঈগে হাঈবগী মখৈ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হাঙ্গজসনু, হুজিক ফাউবসি অয়াম্বনা হিন্দু, মুসলমান, বৌদ্ধ, খৃষ্টীয়াননাচিংবা শাস্ত্রগী রা থাজবা, ঈশ্বরবু অবতার তৌই হাঙ্গীবা ধর্ম্ম সম্প্রদায় পুন্নমক্না জয়দীশ্বরগী অমসু মহাক্কী অবতারসিংগী লোকতা ওইথোক্কবা থৌথোক ওইরকপা থাজে। শ্রীভাগবতনাচিংব পুরাণসিংদা শ্রীকৃষ্ণনা মসিং লাকত্তমদ্রবী গোপীসিংবু মতম অমদা চপমান্ননা সান্নত্নুনা গোপীসিংবু মনিং থুংহল্লি, অসুমনা হাঙ্গ, মাহু অলৌকিক শক্তি লৈবা ঈশ্বরগী অবতার নত্তনা কনাগুম্বা মীচম অমনা তৌবা ঙম্বা নত্তে হাঙ্গবসি পংখরবা মী ফাউবা ইরাই লাইনা থংই। শ্রীকৃষ্ণগী অসিগুম্বা রাসলীলা সান্নবা অসিবু পুরাণকারসিংনা শ্রীকৃষ্ণগী অতৈ অতোপ্পা অলৌকিক লীলাসিং অতুগুম্না ওইথোকতবা (Miracles) নি হাঙ্গনা নিংথি। মরম অতুনা পুরাণকারসিংনা হাঙ্গরমই—"ঈশ্বর নত্তবা মীসিংনা মাসি পুকনিংমকনসু তমফদে।" পাঙ্গলৈতবা অতোনবা মীনা মাহুবু করম্না ঙমফম থোকপগে? বঙ্কিম বাবু হিন্দু ধর্ম্মগী ভক্তিতত্ত্ব ব্যাখ্যা তৌবদা তৌথিবা সিদ্ধান্তগী মতুংইন্না হাঙ্গরবদা গোপীসিংনা মাখোইগী লৈজবা পুন্নমক ঈশ্বরদা কৎথোক্কুনা ঈশ্বরবু পতি ভাব তৌবা অতু তৌফম থোকই, মাহুগা ঈশ্বরসু জীব অতুগী তৌরকলিবা ভাব অতু ওইহনা লৌফম থোকই, মাহুদি দোষ লৈতে, হাঙ্গবসিনা, মাহুগুম্বা ঈশ্বরগী মতৌ অদুনা মীওইবা লোকতদি ফত্তে হাঙ্গনা উরুবা করি ঋান্নবগে? জীবনা ঈশ্বরদা তৌবা হৌনবা তৌবা, অতুনা মীওইববু ফত্তবা পাপ কর্ম্মদা লমজিংলে হাঙ্গবা ঙম্বা বঙ্কিমগী মত অহু ঐখোইগুম্বা অপংবনা থল্লুবদা লাম্বা ফংদে। কাম লালসা য়াউদবা, পবিত্র প্রেমগী হৌনবি করি করিগুম্বা হুকচাংগী থৌদৌ অতুনা মপুকশেংদবা মীচমগী মরিদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কামভাব থোকহনবদি য়াই। মাহুম্না ফত্তবা মীদা মী মহাক্কী মপুক ফৎচদবগী দোষ ওইজবনা লুরবা ঐশ্বরিক প্রেম ভক্তিদা দোষ হাপচিনবা হৌনবরা? তাইবংপানবগী ভক্তি তত্ত্বদা মাসিনা মহেল্লে হাঙ্গনা লেপথ্রবা অদুবু কনা কনাগুম্বা মপুক শেংদরিবা কয়ামুক্কী ফত্তবা ভাব থোকহল্লি হাঙ্গহুনা ওইনদুনা অফবা ভক্তি অদুম্ব লৌদনা তোক্কদরা? অমসু অদুপ ফবা ভক্তি তত্ত্ব অদুবু পুরাণকারনা হুঞ্জেক্ক-দরা? মরম অসিনা প্রেমভক্তিগী মরমদা যুক্তিবাদীসিংগী যুক্তি পুম্নমক অদু করিসু ওইদবা রানি। মাহুদি নোং নিংথিনা তাবা হাঙ্গবসিবু হু পাম্বীগীসু ফগৎকনি হাঙ্গহুনা ফত্তবনি হাঙ্গনা লৌগদরা?

হুজিক্তি ঐখোইনা এংথিনি, মাহুদি খাংমুথক্কী বৈষ্ণবসিংনা শ্রীভাগবতকী লীলাগী নিগূঢ়তত্ত্ব খংদহুনা লীলাসিং অদুগী মপান্দা-মপান সাৎপা লৈ অদুতা লৌহুনা কমিকুসুমগী লৈ পরেং লেংসিনহুনা বৈষ্ণব ধর্ম্ম শেমই। অমসু মাহুনা জয়দেবগুম্বগী মথুক্তা তারুহুনা মদন মহোৎসব—লাই হরাউবদা তাখরে অসুম্না বঙ্কিম বাবুনচিংবনা হাঙ্গবা অদুগী মরমদা কয়ামুক চুমবগে হাঙ্গবদু খরদং নৈনফম থোকই।

বঙ্কিম বাবুনা মহাক্কী কৃষ্ণ চরিততা মফম অয়াম্বদা ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত পুরাণবু থাজদবা ফোংদোকই। মাগী মততি অসিনি, মাহুদি রাধা হাঙ্গবসি মমিং ফাউবা শ্রীভাগবততা য়াউদববু শেমজিন্দুনা হুজিক্কী কালগী অনৌবা বৈষ্ণবসিংগী ধর্ম্ম অসি প্রচার তৌই” অসুম্না হাঙ্গবা মত অসি ফোংদোকপা বঙ্কিম বাবুগী কৃষ্ণ চরিততা হাঙ্গবা রাহৈ কয়ামরুম মতাং অসিদা ঐখোইনা লৌখৎলি:—

(১) “ভাগভতা রাস পঞ্চাধ্যায়গী মনুংদা ‘রাধা’ হাঙ্গবা মিং অসি করিগুম্বা মফমদাসু য়াউদে। বৈষ্ণবাচার্য্যসিংগী লূতীং ফাউবা রাধা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হাঙ্গবা নাম অসিনা চংখরে। মখোইনা টীকা টীপ্পনীগী মনুংদা রারি পুথোক্কুনা রাধা হাপসিনলি, তৌইগুমসু মূলদদি মমিং ফাউবা য়াউদে। গোপীসিংগী অনুরাগদগী থোরকপা ঈর্ষাগী প্রমাণ শইহনা কবিনা ইরমই, মাহুদি—গোপীসিংনা পদচিহ্ন এংহনা অনুমান তৌখি, মাহুদি কনাগুমবা গোপী অমবু পুহনা শ্রীকৃষ্ণনা মী লৈতবা বন মনুংদা চংখি। মাহুসু গোপীসিংগী ঈর্ষাদগী থোকপা অঙকপা ভ্রমনি (চান্নবা নত্তে) শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান তৌরবদা লৈবা রাদি, কনাগুম্বী গোপী অমা পুথি হাঙ্গদে, রাধা হাঙ্গবা মিং অসিগী মনম ফাউবা য়াউদে।"

মাসি হাঙ্গরগা বঙ্কিম বাবুনা ব্রহ্ম বৈবর্ত্ত পুরাণনা হাঙ্গবা শ্রীরাধা য়াউবা রারি ময়াম অহু শন্না ইবদা হাঙ্গ, মাহুদি—

(২) "অসিগুম্বা রারা ময়াম অসি অনৌবা ওইরবসু অমসু পুন্নমক্কী মমৈথংদা চৎনরকপা "থাইনা চৎনরমবা" ওইরবসু ব্রহ্ম-বৈবর্ত্ত পুরান্না বাঙ্গলা লৈপাক্কী বৈষ্ণবসিংগী মথক্তা য়ান্না অচৌবা মপু ওইনা লৈখরে। জয়দেবনাচিংবা বাঙ্গালী বৈষ্ণব কবিসিং, বাঙ্গলীগী জাতীয় সঙ্গীত যাত্রা মহোৎসব নাচিংবগী মূলদি ওইরগা ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণনা হাঙ্গবা চাউরবা মরু ওইবা রাফম অমদি বাঙ্গালী বৈষ্ণব সিংনা লৌদে। বাঙ্গালী বৈষ্ণবসিংগী ধর্ম্মদা মাহু অহুপ হাকনা ফোংদে। মাহুদি অসিনি—রাধা হাঙ্গবসি আয়ণগী পত্নীনি মসুমনা মাখোইনা খংই, ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণগী মততাদি রাধাদি শ্রীকৃষ্ণগী বিবাহ তৌহনা লৌবী পত্নীনি।"

বঙ্কিম বাবুনা কৃষ্ণচরিতক্কী তরাসুবা পরিচ্ছেদদা বেদান্তগী মায়াবাদ, সাংখ্যগী প্রকৃতি পুরুষবাদ অমসু বিষ্ণুপুরাণ নাচিংবা প্রাচীন

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বৈষ্ণব শাস্ত্রগী চৎনরিবা বৈষ্ণবী শক্তিবাদগী আলোচনা তৌহুনা "রাধা তত্ত্ব" গী মরমদা মখাদা ইরিবা সিদ্ধান্ত অসিদা লেপলমই, মাহুদি—

(৩) "বেদান্তনা মায়া হাঙ্গৈবহু সাংখ্যনা প্রকৃতি হাঙ্গৈরিবা অহুনি। প্রকৃতিদগী শক্তিবাদ ওই। × × × শ্লোকসিং অসিদগী শক্তিবাদনে অমসু অদ্বৈতবাদনে অনি তিনসিননখরে। ঐখোইনা খণ্ডি মাহুদি মাসি নিংসংহুনা ব্রহ্মবৈবর্ত্তকারনা ইরমই, মাহুদি কৃষ্ণনা রাধাদা হাঙ্গৈ, নং য়াউদ্রগা ঐ শ্রীকৃষ্ণনি। বিষ্ণু পুরাণনা × × "শ্রী" হাঙ্গৈবা অসি লৌসিনলগা শ্রীকৃষ্ণ ওইবনি। পাঠকসিংনা উগনি, মাহুদি—বিষ্ণু পুরাণনা শ্রীগী মরমদা হাঙ্গৈরিবা অহু ব্রহ্ম-বৈবর্ত্ত পুরাণনা রাধাগী মরমদা মাহুমক ওইনা হাঙ্গৈ। রাধাদি শ্রী অহুনি। পরিচ্ছেদ অসিগী হৌগৎলকপদা ঐ (বঙ্কিমনা) না মকোক্তা থাবা মিংদা "শ্রীরাধা" হাঙ্গৈথি। রাধাদি ঈশ্বরগী শক্তিনি। মৌবিভাগী বিধিগী মতুং ইন্না বিহার তৌবা হাঙ্গৈবদি শক্তিমানগা শক্তিগা অনিগী ফাউবা-স্ফুর্ত্তিবু হাঙ্গৈবনি মাস্তন্না শক্তিগী সাৎতোকপা—'বিকাশ'বু মাখোই অনিগী সান্নবা-বিহার কৌই।"

ঐখোইনা বঙ্কিমবাবুগী মতসিং অসিগী মথং মথং আলোচনা তৌরি। বঙ্কিমবাবুনা হাঙ্গৈরম্বা—শ্রীভাগবততা রাধা হাঙ্গৈবা মিং অসি য়াওদে হাঙ্গৈবহু চুমই হাঙ্গৈনা লৌবস্থ ময়াবস্থ য়াই। তৌইগুমস্থ ভাগবততা রাধা হাঙ্গৈবা মিংগী মনম ফাউবা য়াউদে অমসু শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান তৌবদা কনাগুম্বা গোপী অমবু পুহুনা মী লৈতবা বন মনুংদা চংথি হাঙ্গৈবসি গোপীসিংগী ঈর্ষাদগী থোকপা ভ্রম-অঙকপনি হেক্তা মহাঙ্গৈবা সিদি মহাককুম্বা লাইরিক হৈবা, অকুপপা উবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পণ্ডিত অমনা অসিগুম্বা হাঙ্গবসি খল্লুবদা ফনা য়ামনা ঙকপা ৱানি। চান্নবা ৱাদি সিনি শ্রীভাগবতকারনা রাধা হাঙ্গবা মিং অসি ইরাই লাইনা ফোংনা করিগুম্বা মরম অমদগী ওইরবসু হাঙ্গদ্রবসু দশম-স্কন্ধগী কুন্থ্রাসুবা অধ্যায়গী শেষভাগতা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নথোইবী গোপিকা অমাগী মরমদি য়ামনা ফোংনা হাঙ্গ। মাহু পাঠকসিংনা পাবিরবদি খংবিগনি। মাহুদি—কৃষ্ণনা পুখিবী গোপী অহুবু চান্নবা পুখিবা নত্তে। গোপীসিংনা ঈর্ষা তৌহুনা পংখন খনবনি হাঙ্গবহু চুমদে। শ্রীকৃষ্ণগা লোইনহুনা অন্তর্দ্ধান ওইমিন্নখিবী গোপীহুদি শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী গোপী অমনি। মরম অসিনা ভাগবতকী মতাং অহু অনুবাদ তৌহুনা মখাদা পাঠকসিংগী মুংঙাইনবগীদমক লৌখৎলি, মাহুদি—

মহারাসগী হৌগৎলকপদা শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান তৌখ্রবদা বিরহনা ৱারবী গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ চিহ্ন তাবা এংল ২ হুনা শ্রীকৃষ্ণগী পদবী থিরকই। খর চৎলগদি উরে, শ্রীকৃষ্ণগী পদচিহ্নসিং অহুগা য়ান্না য়ান্নহুনা তাবা কামিনী অমগী পদচিহ্নগা তিন্ননা তারমই। মাহু উরগা ৱারহুনা গোপীসিংনা হাঙ্গনখি—তারিবা খোঙ্গুন ময়াম অসি করম্বা কামিনীগীনো? শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী সাগন্দা খুৎ হাপখ্রে। অহুম ২ ওইহুনসু মুপী অহুনা আরাধনা তৌহুনা শোইদনা ভগবান ঈশ্বর হরিবু পেনহলখ্রবনি। নত্তনদি শ্রীগোবিন্দনা ঐখোইবু হুঞ্জেক্কুনা মাতবু অচিকপা মী লৈতবা বন্দা পুহুনা করিগী চৎকদগে? × × × মফম অসিদা মুপী অহুগী খোঙ্গুন অহু উরে। মাসিনা খংলে মাহুদি শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী অহুগী খুয়াদা নাপী মতোল অভুম্বনা থিঙ্গাইরে হাঙ্গহুনা চান্নবা শ্রীকৃষ্ণনা মহাকপু পোহ্নুনা পুখ্রবনি। এঙু এঙু হে গোপীসা! কামী ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা চান্নবীবু পোবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অতুনা লুম্লহুনা লুম্না ২ নেৎথরে। অতুনা কৃষ্ণগী পাদচিহ্নসে লুনা লুনা চংলে লক্ষ্মীগী চান্নবা শ্রীকৃষ্ণনা লৈ হেক্কে হাঙ্গৈহুনা মফম অসিদা চান্নবীবু থাখিবোইরে। চান্নবনা চান্নবীগীদমক লৈ হেকখি। এঙু, লৈপাক্তা চরণ অনিগী মতোনতা তারিবসে। অতুনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ চিহ্ন মপুং ফাদরে। কামীকৃষ্ণনা কামীনীগী শম পুনবিখি, মফম অসিদা ফমহুনা চান্নবীগীদমক সোইদনা লৈনা চূড়া শেমখি। শুক-দেবনা হাঙ্গৈ হে নিংথৌ শ্রীকৃষ্ণ হাঙ্গৈবসে আত্মারাম মথন্তনা মথন্তদা শান্নহুনা নুঙাইবনি। নুপীসিংগী কেমৌবনা মহাকপু ফাবা ঙম্বা নত্তে। অতুম্না ওইহুনসু কামীপুরুষ-নুপীবু পাম্বা মী হাঙ্গৈবসিগী অতোনবা মতৌ অমসু নুপী ওইবীগী দুরাত্মতা—পুকচেন ফত্তববু উত্তনা চান্নবীগা লোইনহুনা সান্নে। অতুসু ওইসনু অতুগুম্বা গোপী-সিংনা অতুগুম্বা পদচিহ্নসিং অতু এংহুনা পুকনিং লৌসিং লৈত্রবী ওইহুনা কোইনা চংখি। হে নিংথৌ! কৃষ্ণনা অতোপ্পী নুপা কামিনী সিংবু হুঞ্জেক্তনা মাতবু বন মনুংদা পুত্থনা চৎলিবী, নুপী অতুনা "গোপীসিংনা চান্নবা অসিতবু পামই, অতুবু মাখোইবু হুঞ্জেক্তনা ঐতবু নিংলে" অসুম্না খল্লহুনা মাবু নুপী পুন্নমক্তগী অথোইবীনি হাঙ্গৈনা নিংলে। অতুগী তুংদা বনগী মচি অমা য়ৌরগা নাপন তৌরহুনা কেশব—কৃষ্ণদা হাঙ্গৈ "ঐ চৎপা ঙমদরে, নহাকনা চৎকে নিংবা মফমদা ঐবু পুবিয়ু" হায়রা অসি তারগা কৃষ্ণনা চান্নবীদা হাঙ্গৈ—"ঐগী লেংবান্দা কাখৎলো" অতুগী তুংদা চান্নবী অতুনা কৃষ্ণগী লেংবান্দা কাখৎকে হাঙ্গৈনা তৌরবদা শ্রীকৃষ্ণনা খুৎথক অতুদা অন্তর্দ্ধ্যান তৌখরে। মতম অতুদা কামিনী অতুনা অনুতাপ তৌহুনা হাঙ্গৈ—"হা ইবুংঙো, হে চান্নথোইবা! কদাইদা লৈখরে, কদাইদা লৈখরে, হে পাম্বোম কনবা!

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইবুঙো নংগী ননাই ওইবা তোল্লবী ঐঙোন্দা হে মরুপ নহাক্কী লৈফম ননাক তাকপিয়ু।' হে পরীক্ষিৎ নিংথৌ! অসোমদনা গোপী ময়ামনা শ্রীকৃষ্ণগী লৈফম থিতুনা লাকপদা উরে। মাখোইগী সখী অমনা চাননবগা কাইনতুনা ঙক্কুনা রাতুনা লৈরমলে। লৈরমলবী সখী অতুগী মচিন্দগী গোপী মহাক্না মাধব শ্রীকৃষ্ণদগী সন্মান ফংবা অমসু মহাক্কী তুরাত্মতাদগী মাইথিবা ফংবা অতু তারগা গোপীসিংনা য়ামনা ঙকখি অমসু ওন্থোকপনি হাঙ্গনা খনখি।

শ্রীভাগবতকী অসিগুম্বা প্রসঙ্গ অসি পারগা শ্রীকৃষ্ণগী চান্নবী গোপী অমা লৈ, মাতুগা লোইনতুনা রাসগী অন্তর্দ্ধানদা চৎমিন্নখি হাঙ্গবদা করিগী চিংনগদগে। শ্রীভাগবতকী মূলদা অসিগুম্বী গোপী অসিগী মিংতা ফোংনা ফংদে, অতৈদি ফংদবা লৈতে। মাসুন্না ভ্রমরগীতাদসু চান্নবি ইখ্বাইদগী হেনবী অমা লৈ হাঙ্গবা তশেং তশেংনা হাঙ্গ! মাতুগী মরমদি অসিনি, মাতুদি অতিতুরূহ, নিগূঢ় প্রেমগী খমথেংবা ঙমখৈ অতুতা শ্রীভাগবতনা হাঙ্গ, মাতুগুম্বা প্রসঙ্গ অতু থোক্লবগীদমক ব্রজগোপীসিংগী বিহার অসিবু শ্রীভাগবতনা পরকীয়া ওইনা থোকনবা হাঙ্গতুনা গোপীসিংবু মখিং ২ হাঙ্গতুনা বিশেষণ তৌদে। মাতুগী থোইদোকপা মরম অমদি সিনি, মাতুদি ভাগবততা শ্রীকৃষ্ণ প্রিয়া গোপীসিংগী আধ্যাত্মিক ব্যাখ্যা তৌদে। বঙ্কিম বাবুগী মত্তা হাঙ্গরবদি ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণদা শ্রীকৃষ্ণগী প্রিয়া শ্রীরাধা হাঙ্গনা মিংথোল্লে, মহাক্তি মূল প্রকৃতিনি, মহাক্কী অংশ ওইবী গোপীসিং পুন্নমক আধ্যাত্মিক ব্যাখ্যা তৌই। অতুগা ব্রজলীলা অমসু লীলা অতুগী অঙ্গ ওইবা সম্ভোগ কেলীবু শন্দোকনা ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণনা হাঙ্গ। সম্ভোগবু বর্ণন তৌবা হাঙ্গবসি কাব্যগী হিসাবতা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হাঙ্গীরুরগা অশ্লীল কৌবা দোষনা ফত্তে হাঙ্গীবসি চুম্বরা? হাইনা ঐখোইনা বিচার তৌগনি। হৃজিক্তি মাসিযাম্ব মাতুগী মমাংদা হান্ননা হাঙ্গীফম থোকপা অমা লৈরি, মাতুদি—ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণদা শ্রীভাগবতকী মতৌগুমনা সম্ভোগ লীলা বর্ণন তৌবদা মহাকনা হেননা সন্দোকনা হাঙ্গী। মাতুমনা সন্দোকনা হাঙ্গীবা অতুনা ইন্দ্রিয় পরায়ণ ওইবগী মশক ওইবা বৈষ্ণব ধর্ম্ম ওইথি হাঙ্গীবা বঙ্কিমনাচিংবগী রাখল অসি ঐখোইনা ফংবা ঙমদে। থাঙ্গেশেংবদি ধর্ম্মগ্রন্থগী হিসাবতা ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণ হাঙ্গীবসি য়ামনা থাগৎফম থোকই, মাতুদি শ্রীভাগবতনা হাঙ্গীরিবা তত্ত্ব অতুনা লুমনথিবনা মী ওইবনা খংদতুনা কত্তবা ভাবতা মপানদা পুথোকথিগদবদগী ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণদা দার্শনিক যুক্তিগী পাঙ্গননা আধ্যাত্মিক তত্ত্ব ব্যাখ্যা তৌবিতুনা অপংবা মীওইবসিংবু খংহল্লি। ঐখোইস্ন যুক্তিবাদীগী মতৌ তমতুনা শ্রীরাধা কৃষ্ণবু ইচম চম্বা মরোন্দা প্রকৃতি পুরুষনি হাঙ্গীরসি, অতু ওইরবস্থ মন্নুংদদি শ্রীরাধাকৃষ্ণদি মশা অমত্তনি। অমসু অতুগুম্বা মশা অমত্তা ওইবা রাধাকৃষ্ণদা পরকীয়াত্বতু দার্শনিককী নিংএংদদি করিস্থ নত্তবা আকাস কুসুমগুম্বনি। অমসু যুক্তিবাদী বঙ্কিম বাবুনাচিংবনা "ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পূরাণগী মূলতত্ত্ব অতু মতুংগী বৈষ্ণবাচার্য্যসিংনা লোইনা লৌদে" অস্থমনা হাঙ্গীবাতুস্থ চুমদে। মরমদি মতুংগী বৈষ্ণবাচার্য্য শ্রীরূপ সনাতন, শ্রীজীব অমসু কবিরাজ গোস্বামীনাচিংবনা লেংবা বৈষ্ণব গ্রন্থদা ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণদা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী অমসু গোপীসিংগী তত্ত্ব পুন্নমকপু থোইদোক্না বিচার তৌতুনা দার্শনিক যুক্তিগা লোইননা ফজবা সিদ্ধান্ত তৌরি। অপংবা হাঙ্গীগদবা অজ্ঞ-মুর্খসিংদদি গোস্বামীসিংগী বিচার অতু খংদ্রবসু বিজ্ঞবৈষ্ণবসিংনদি মাতুবু খংই। অতুয়দি ওইরগা বৈষ্ণব কবিসিংগী কাব্যদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গোস্বামীসিংগী অদুগুম্বা তত্ত্ব অদু থোইনা লেংদে। মরমদি কবি হাঈবা অসিদি পুরাণ লেংবা নত্তে অমসু দার্শনিক যুক্তি তৌবসু নত্তে মখোইদি স্বপনগী কবিগী হৌনবি কাব্যরচনা তৌবনি, অদুনা মখোইনা কবিগী হৌনবি তৌগদবা থবক অদু তৌদুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী অমসু গোপী-সিংগী মধুর রসগী মশক ওইবা প্রেমলীলা অদুতা বর্ণন তৌদুনা প্রেমভক্তসিংগী থমোইদা অমৃতদগী হেন্না থুম্বা কাব্য রস পীবতনি, রাতুতনা মাখোইগী মুখ্য উদ্দেশ্যনি। বৈষ্ণব কবিসিং অদু থাঙ্গৈশেংবা কবিনি।

কবি জয়দেবনা মহাক্কী গীতগোবিন্দদা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী প্রেম লীলা বর্ণন তৌই—মাতুগী আদর্শ মূল অদু কদাইদগী লৌবনো হাঈনা থিবদা শ্রীভাগবত অমসুং ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণদগী লৌবনি অসুম্না অনুমান তৌদুনা যুক্তিনদি লৌবা য়াই, থাঙ্গৈশেংবদি মমাংগী কবিগুম্বা গ্রন্থ অমদগী চপ্ চানা লৌবদি নত্তে। থাইনগী অফাউবা কবি কালি-দাসনাচিংবনা পৌরাণিক ঘটনা লৌদুনা মাখোইগী কাব্য লেংই, অদুগা মাখোইগী কাব্যসিং অদুদা কবিগী হৌনবি মনিংতৌনা লেংশিনবা কাব্যগী মতৌদু হাপই। থাঙ্গৈশেংবদি কবিসিংগী মনিংমখা তম্বা মফম অয়াম্বদা মাখোইগী নিংথিজরবা কবি কল্পনা ফোংদোকই। পুরাণ লেংবসিংনা বর্ণন তৌবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলাগা গীতগোবিন্দগী প্রেমলীলাগা মশা পুন্নমক সন্দোক্না চাংদয়বদি ঐখোইনা ঙমদে। অদুনা মাসিগী মরমদা ঐখোইনা হাঈজরিবদি গীতগোবিন্দদা বর্ণন তৌরিবা প্রেম লীলাগী ঘটনাময়াম অসিদি শ্রীভাগবতনাচিংবা পুরাণনা হাঈরিবা শারদীয় লীলাগী মতুং কাইনথংদা লেংবনি। ঐখোইনা শ্রীজীবগী অফাউবা বৈষ্ণবদর্শননা তৌবা ইঙ্গিত অদু ঐখোইনসু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মতাং অসিদা হাঙ্গৈনিংই, মাহুদি শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈবা শারদ রাস লীলাদা শ্রীকৃষ্ণনা গোপীশিংবু হুঞ্জেক্কুনা অন্তর্দ্ধান তৌই, গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণবু থি, মাহুগী ওন্না তৈনবা ওইনা বাসন্ত রাসবু গীতগোবিন্দনা হাঙ্গৈ। মাহুদি—"শারদ রাসদা কৃষ্ণনা ইবেমাবু হুঞ্জেক্কুনা লেংখিবা বসন্ত রাসদা ইবেমনা শ্রীকৃষ্ণবু হুঞ্জেক্কুনা লেংখিবা, শারদ রাসদা ইবেমগী অরাবা বিলাপতা বর্ণন তৌবা বসন্ত রাসদা ইবুঙোগী বিলাপ তৌবা লেংবা অসিনাচিংবা গীতগোবিন্দগী তৃতীয় সর্গদা পাঠকসিংনা উগনি। অহুমনদি ওইরগা গীতগোবিন্দগুমনা বাসক সজ্জা, উৎকন্থিতা বিপ্রলব্ধা, খণ্ডিতানাচিংবদা শ্রীমতী রাধিকাগী মখল মখা য়ামলবা অবস্থা বর্ণন তৌবদি ঐখোইনা গীতগোবিন্দগী মমাংগী লাইরিক অমদা উদরে। অহুনা পুরাণদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলাবু মমিগী ময়েক ওইনা লৈবা অহু গীতগোবিন্দদা কবি জয়দেবনা মাগী কবিগী হৌনবি কল্পনানা একথোক্কুনা ফজহনবনি। অহুনা কবি জয়দেব হাঙ্গৈবসি মহাক্কী গীতি কাব্যদা আখ্যান বস্তু (plot) বু শেমদোকপদা মাচমদা ওইদবা প্রতিভা লৈ হাঙ্গৈবসিদি য়াগদবনি। অহুনা জয়দেব হাঙ্গৈবদি কবিসিংগী আদি কবি হাঙ্গৈগদবনি।

অনৌবা সমালোচক সিংনা কবি জয়দেববু য়ামনা কন্না পীরিবা দোষদি গীতগোবিন্দদা অশ্লীল ঙাক্তা লেংসিনলি, অকাম অপেৎ ঙাক্তা হাঙ্গৈ হাঙ্গৈবা অসিনি, মহুগী মরমদা ঐখোইনা খুমনিংই, শ্রীভাগবতডা প্রেমলীলা সম্ভোগবর্ণন অহু ওন্থোকনা সুপচিন্না য়ামনা তনৌ ২ না হাঙ্গৈ, মাহুবু গীতগোবিন্দনা সন্দোকনা হাঙ্গৈ চুমই, তৌইগুমসু ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেমলীলাগী অধ্যাত্মিক ব্যাখ্যা তৌবদা হাঙ্গৈরিবা সম্ভোগবর্ণন অহুগা থানরুবদি গীতগো-বিন্দগী সম্ভোগবর্ণনদি ইয়াউবু য়াউদে হাঙ্গৈবমক য়াই। অহুগা বৈষ্ণব

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শাস্ত্রগী সমালোচনা তৌগনি হাঙ্গৈরগা ব্রহ্মবৈবর্ত্তকারনচিংবনা ফোং-দোকপা ইন্দ্রিয় পরায়নগী মশক ওইবা বৈষ্ণব ধর্ম্মনা জয়দেবগী মখুৎ-পাক্তা তারুত্তুনা মদন মহোৎসব—লাই হরাউবা ওনথরে হাঙ্গৈবদি করি অমত্তসু হাঙ্গৈফম থোক্তে। সম্ভোগবর্ণনবু বর্ণন তৌফদবনি হাঙ্গৈরবদি মাতুগী দোষ অতু কবি জয়দেবগী নত্তে, প্রাচীন ব্রহ্মবৈবর্ত্তকারনচিংবগী দোষনি। অতুগা শ্রীভাগবতনা অতিতুরূহ, নিগূঢ় তত্ত্ব অমা হাঙ্গৈরি, অসুম হাঙ্গৈবসি য়ারবদি তত্ত্ব অতুবু খংননবা ব্যাখ্যাতৌরিবা ব্রহ্মবৈবর্ত্ত-কারগী দোষ করি অমত্তা লৈতে। শ্রীভাগবতকী অতুগুম্বা তত্ত্ব অতুনা জীব ঐখোইগী লৌনবা থিননবা ওইবনা ভাইবংপানবদা পোকলগা অথোইবা মচা ফংগে হাঙ্গৈনা তাল্লবদি গীতগোবিন্দগী অতুগুম্বা মধুর প্রেমরস অতুগা মান্নবা অমা তাইবংপানবসিদা লৈবা হৌনদরে হাঙ্গৈবসি রাখন তৌবা জীব অপুম্বনা খংনগনি।

তৌইগুমসু শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈরিবা শ্রীকৃষ্ণগী গোপীসিংগা লোই-নতুনা সান্নবগী সম্ভোগলীলা অতু বর্ণন তৌবদা দোষ লৈতে হাঙ্গৈবসি চুম্বরা? হাঙ্গৈবা প্রমাণ তৌতুনা এংবা তারি। মরমদি সংস্কৃতগী আলঙ্কার লেংবা অফাউবা কাব্যপ্রকাশ লেংব মম্মট ভট্ট, অমসুং রস গঙ্গাধর লেংবা পণ্ডিতরাজ জগন্নাথনা তর্ক অমা তৌরি মাতুদি—মহাকবি কালিদাসকী অফাউবা কুমার সম্ভবকী অষ্টম, নবমসর্গদা হর-পার্ব্বতীগী সম্ভোগ লীলাবু য়াম্না শন্দোকনা বর্ণন তৌই। মাতুগী মরমদা মম্মটভট্টনা হাঙ্গৈ, মাতুদি সহৃদয় পাঠকসিংগী মরিদা হরপার্ব্বতীগী সম্ভোগ লীলাবর্ণন তৌবতু মপা মমাগী সম্ভোগ বর্ণনা তৌবগুমনা থোকই, অতুনা মাতু তৌফদে অমসু নুঙাইতে। নব্য আলঙ্কারিক পণ্ডিতশিংগী মরক্তা অথোইবা পণ্ডিতরাজ জগন্নাথনা হাঙ্গৈবনবু—ইপা ইমাগী মশক ওইবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জগৎ পিতা অমস্থ জগৎজননীগী বিহার বর্ণনা তৌবা হায়বসি তৌফদবনি অমুম হাইবা সহৃদয়সিংগী চৎনরিবা নিয়ম অসি মচুম তারিবা শামূগুম্না জয়দেবনচিংবা কবিশিংনা থুগাইরমই, অমুম্না হাঙ্গৈ। মাসিদা ঐখোইনা য়াম্না মুম্না এংশিনগদবনি মাসিনি, মাতুদি—কাব্যপ্রকাশকার মম্মটভট্ট অমস্থ পণ্ডিতরাজ জগন্নাথগী মততা চুম্নগী অচুম্বা নায়ক নায়িকাগী লেংবদা কাব্যদা সম্ভোগ বর্ণন তৌবদি মাখোইগী আপত্তি লৈতে। সংস্কৃত আলঙ্কারিক অমস্থ কবিসিংগী চৎনবি মতম কুইনা তৌনরকপদা মাখোয়না চমৎকারি থোক্তুবা অমস্থ ফজদবা নত্রবদি সম্ভোগ বর্ণন হাঙ্গৈবসি কবিশিংনা তৌগদবনি হাঙ্গৈনা লৌখি, মাতুদা অশ্লীল ওইবা অকাম অপেৎ য়াউদবনি হাঙ্গৈতুনা অফবা অমস্থ দোষ লৈতবা কবিতাগী খুদম পীবদা সম্ভোগবু বর্ণন তৌবা শ্লোক ময়াম লৌখৎলমই। মাখোইনা আপত্তি তৌবদি নায়ক নায়িকাদা জগৎকী পিতা মাতা ওইবা দেবদেবীতগী সম্ভোগ বর্ণন তৌবতবুনি। অসিগুম্বা সংস্কৃত আলঙ্কারিকসিংগী ওনথোকপা মত অসি হুজিক্কীকালগী সুরুচিবাদীসিংনা য়াফম থোক্তে, করিনা হাঙ্গৈববু হুজিক্কী কালগী সুরুচিবাদীসিংদি সুপনগী সম্ভোগ বর্ণন হাঙ্গৈবসিমক্তবু য়াদবনি ঈশ্বরগীনি হাঙ্গৈরগা য়াদবা, মীচমগীনি হাঙ্গৈরগা য়াবা নত্তে, অতুবু সুরুচিবাদীশিংগী মত অতুবুনা কোম্না আলোচনা তৌগনি, অহানবদা সংস্কৃত আলঙ্কারিকসিংগী মত অসি চাউরাক্লা এংলবদি য়ামনা অকুপপা উবা মাল্লি, অতুগা মাখোইনা ইচা চাদবা অমা পুথোকতূনা গাসিগা মান্নৈ হাঙ্গৈজিন্দুনা যুক্তি তৌরগা ইপা ইমাগী মশক ওইবা দেবদেবীগী সম্ভোগবর্ণন তৌবা চুমদে হাঙ্গৈজিনবসি চংথোনবা রা নত্তে। মরমদি —নায়ক নায়িকাগী বিহার বর্ণনা তৌবা হাঙ্গৈবসিবু কাব্যদা ফত্তবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নত্রবদি ঐখোইনা ইরাইলাইনা হাঙ্গৈবা ঙমই, মাতুদি—অচম্বা নিপা নুপীগী সম্ভোগ বর্ণনা তৌগদবগী শরুকপুদি জগৎ পিতা অমসু জগৎ মাতাগী জগৎ সৃষ্টিগীকার্য্যগী মশক ওইবা অলৌকিক সম্ভোগ-লীলা অদু বর্ণনা তৌবনা শরুক লিশিং লিশিং হেন্না ফৈ। মরম অসিনা ঐখোইনা উই, মাতুদি—পুরাণকার ঋষি অমসু কালিদাস-নচিংবা অথোইবা কবিসিংনা করি অমত্তসু হঙ্গোইবা লৈতনা অদুগুম্বা দেবদেবীগী সম্ভোগলীলাদুবু বর্ণন তৌরমই। থাঙ্গৈশেংবদি অসিনি—তত্ত্ব খংবী ঋষি অমসু কবি অথোইবসিংনা অদুগুম্বা দেবদেবীগী সম্ভোগলীলা অদুবু অলৌকিক অমসু রূপককী মশকনি হাঙ্গৈবা খংখি, মরম অদুনা মাখোইনা করি অমত্তা হঙ্গোইবা, ইকাইবা লৈতে। মীওইবগী ঐগী ইপা ইমা অদুগা লাই তাইবংপানবগী মপু অদুগবু মান্নৈ হাঙ্গৈজিনবসি তাবদদি ফনা ফজনা থোক্লকসু অনি অদু মাসুপকী মতিক থেন্নৈ, মাতুদি ইপা ইমা চান্নবা অদুগা ঈশ্বরগা করি অমত্তা চাংদমনদুনা সিদ্ধান্ত তৌবা য়াদে। অমসু মরু ওইবা রাদি অসিনি—ভক্তি মার্গদা ঈশ্বরবু আরাধনা তৌননবা লম্বেন ময়াম লৈরগী মরক্তা বৈষ্ণব শাস্ত্রকারসিংনা হাঙ্গৈবা মধুর রসকী মশক ওইবা উপাসনানা পুমনমক্তগী ইহেন হেল্লি, হাঙ্গৈবসিদি মুক্তিবাদী পণ্ডিতসিংনসু মচিন্না য়ারিবনি। মধুর প্রেম ভক্তসিংনা ঈশ্বরবু পতি ওইনা মহাকপুনা পত্নী ওইনা সাধনপথদা চংই। ভাব অদুদা ভক্তনা শ্রীরাধাকৃষ্ণবু মমা মপা ওইনা নিংদে। সাধকনা অহানবদা শ্রীকৃষ্ণবু পতি শ্রীরাধা-বুনা মবেমনি ঐদি শ্রীরাধাগী দাসীগী দাসীনি হাঙ্গৈনা চংজে। অরোইবদা সাধননা সিদ্ধ ওইরবদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভূনা মহাভাবময়ী শ্রীরাধাগী ভাব লৌবা অদুগুমনা প্রভুগী ভক্তসিংনা তৌবগুমবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মখোইনা অতু অতুগুমবা ভাবতা আবিষ্ট ওই। মরম অসিনা মাতুদা শ্রীরাধাকৃষ্ণবু করিগুম্বদসু ইমা ইপানি হাঙ্গৈনা নিংদে। মাতুগুম্বা সম্বেন অতুদা আলঙ্কারিকসিংনা ইমা ইপাগী বিহারবর্ণনগুম্বনি হাঙ্গৈবা যুক্তি তৌবদি করি অমত্তা চানদে-চূনদে।

শ্রীরাধাকৃষ্ণবু অচম্বা মুপী নিপানি অসুম্না খনবসিংগী মততা গীতগোবিন্দগুম্বা সম্ভোগবর্ণনা তৌবা কাব্যশিং অসি দোষরা অসুম্না বিচার তৌফম থোকই। হুজিক্কীকাল অসিদি মাসিগুম্বা পাঠকসিংনা য়াম্লে। মাতুগুম্বা পাঠকসিংনা হাঙ্গৈ—গীতগোবিন্দগুম্বা কাব্যদা মুপী নিপাগী বিহারবু বর্ণন তৌবা অসিনা কাব্য অতুবু পাবা তারুরিবা জীবসিংগী নৈতিক চরিততা ফংলোই অসুম্না আপত্তি তৌই, মাতুগী মরমদা খরদংসু ঐখোইনা আলোচনা তৌরি।

তাইবংপানবদা জীব হায়বা অসিগী মচাবু নুংসিবা হাঙ্গৈবসি মথন্তা ওইজরকপা জ্ঞাননি। মতু মব্রাগী নুংসিনবা হায়বসিদি মথন্তা থোকচরকপদি নত্তে হায়ববু মীওইবগী মথনতা থোকচরকপা ইন্দ্রিয় লালসাগা তিন্নহুনা মহাকসু মথন্তা থোকচরকপগুমনা য়ামনা পাঙ্গল্লি। মচাবু নুংসিবা অপত্যপ্রীতি, মতু মব্রাগী নুংসিনবা দাম্পত্যপ্রীতি হাঙ্গৈবা বৃত্তি অনি অসি, মথক্তা হাঙ্গৈগ্রবা মরম অসিনা লাকফাবা ওমদবা পাঙ্গল ওই। মাখোই অনিসি য়াম্নসু ফজৈ। মাখোই অনি অসিগা মানবা পাঙ্গন অতোপ্পা বৃত্তি অমা লৈরম্নবসু মাসুপ ফজবা নিংথিবদি মীওইবগী অতোপপা বৃত্তি অমা লৈতে। নিংথিজমনবা অসিমক্তনা বৃত্তি অনিসিনা মীওইবগী বৃত্তি পুন্নমকপু নমহৎলি, অতুনা বৃত্তি অসিনা থোইদোক্নমক্তি দাম্পত্যপ্রীতিনা জাতি পুন্নমক্কী কাব্য সাহিত্য পুন্নমক্তা পানহুনা লৈখরে। মরম অসিনা তাইবংপানবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অসিদা মাসিতনা কাব্যগী মচাক ওইখ্রে হাঙ্গৈবমক য়াই। মীওইবা পুন্নমক্কী মরমদা নুঙাইবা হাঙ্গৈবা অতুসু বৃত্তি অনি অসিগা মান্নবা অমা লৈতে। ভক্তি হাঙ্গৈবতুসু তাইবংপানবদা লৈরিবা নুঙাইবা অপেন্নবা হাঙ্গৈবা পুন্নমক্কী রাংখ্রবা অমসু কল্লবনি, চুমই অতুবু ভক্তি হাঙ্গৈবতুবু ফংবদি মীওইবনা য়ামনা কন্না অনুশীলন তৌবা নত্তনা ফংদে। ভক্তি ফংননবা অনুশীলন তৌবা হাঙ্গৈবা অতুসু য়ামনা লুই অমসু জ্ঞান লৈত্রবসু য়াদে। অতুগা মচাবু নুংসিবগী নুঙাইবা হাঙ্গৈবা অসিদি অনুশীলন তৌরুদ্রবসু মীওইবদা হেক্তা মথন্তা ফংজে অমসু মতু মরাগী নুংশিনবা দাম্পত্য প্রেমগী সুখদি ফংননবা অনুশীলন খরদি য়াউইদি হাঙ্গৈববু মাগী অনুশীলনদি য়ামনা লাই অমসু অনুশীলন অতু তৌবদা য়ামনা নুঙাই।

হাঙ্গৈখ্রবা মরম পুন্নমক অসিনা খংবা ঙমই, মাতুদি দাম্পত্য প্রেমগুম্বা লাকওমদবা পাঙ্গন খমথেংনা ফজবা অমসু তান্দ্রবসু লাইনা ফংবা নুঙাইবা বৃত্তি অমা তাইবংপানবদা মীওইবগী লৈতে। মরম অসিনা ফজবতা উবা কবিসিংনা মহৌশা কৌবী প্রকৃতিগী মমি তাকম ওইবা অমসু খমথেংনা নুঙাইবগী থোক্রফম ইফুৎ ওইবা কাব্য হাঙ্গৈবা অসিদা দাম্পত্য প্রীতিগী মশক ওইবা আদি রসনা রস পুন্নমক্কী অথোইবনি হাঙ্গৈনা থমই। মাতু শেমজনবা নত্তে, অচুম্বমক্নি।

অমসু অথোইবা কবিগী অফবা কবিতা হাঙ্গৈবসিনা থমোই পানবসিংগী মরিদা ইন্দ্রিয়না সংসংনা থংলিবা চান্নবা পোৎতগীসু হেন্না ফজনা পামনবা অমসু পেন্নবা ওই, মরমদি—থাঙ্গৈশেংবা পোৎ অতুবু সংসংনা ফংবা হাঙ্গৈবসিদি পুকনিংদা হান্নবা লৈবা অপাম্বগী মশক ওইবা বাসনা অতুবু ওকলে হাইনা পেনবা য়াদবা মতমদা শক্তি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

য়ামদবা মীওইবগী মরিদা বিষয় অত্তুবু ইন্দ্রিয়না সংসংনা লৌবা উপভোগ অত্তুনা পলহনবা য়াউই, মরম অসিনা পেন্দবা হায়না কৌবা অত্তুনা ইন্দ্রিয়না বিষয়গা তিন্নব। উপভোগকী মতুং ইন্নহুনা মতম পুন্নমক্তা লৈ। মাসিবু শন্না হাঙ্গৈরবদি বিষয়গী উপভোগ হাঙ্গৈবসিনা অপাম্ববু পেলহনবা ঙমদে। ইন্দ্রিয়না বিষয়বু উপভোগ তৌরু তৌরুরগা অপাম্বহু হান্নদগী অস্তুম অস্তুম হেনগৎলকই। মমৈদদি বিষয়বু ইন্দ্রিয়না উপভোগ তৌবা ঙমলক্তে। মতম অত্তুদা মাবু পেলহনবা ঙমদ্রবা অপাম্বা অত্তুনা অরাবগী মশক ওইহুনা জীব অত্তুবু মাংহল্লি। অত্তুনা চান্নবা পোৎনা ইন্দ্রিয়বু পেলহনবদি মাগী মসিদগী হেনবা ঙমদবা হাঙ্গৈবা ঙমখৈ লৈ। কবিগী কাব্যদি মাহুগুমনা ঙমখৈগী মন্নুংদা লৈতে। মরম অসিনা সংস্কৃতগী আলঙ্কারিকসিংনা কাব্যগী নুঙাইববু ব্রহ্মানন্দগা মান্নে হাঙ্গৈনা চাংদমনৈ। যোগীসিংনা মাখোইগী সমাধীদা ওইবা নুঙাইবা, মহুমক্তি—তাইবংপানবদা লৈতবা অত্তুগুম্বা বুদ্ধিতনা খংবা, ইন্দ্রিয়না খংবা ঙমদবগা মান্নে অস্তুমনা হাঙ্গৈরমই। মাহুদি—

স জয়তি যেন দৃশি প্রভতি সুদৃশাং ব্যঞ্জনাবৃত্তিঃ।
অতিশয়িতপদপদার্থো ধ্বনিরিব মুরলীধ্বনিমু'রারাতেঃ।

মাস্তুমনা কবিকর্ণপুর মহাকবিনা হাঙ্গৈরমই. মহাক্তনত্তে, সংস্কৃতকী আলঙ্কারিক পুমনমকনা মাস্তুমনা হাঙ্গৈবা ঙাক্তনি। মাহু কবি অমস্তুং কাব্য আলোচনা তৌবসিংনা মাসি মশা মশাদা পাল্লবা ঙাক্তনি, অত্তুনা ভাব অসি ফোংদোক্তুনা হাঙ্গৈবা ঙাক্তনি। অত্তুনা কাব্যগী সুখ হাঙ্গৈবসিদি ঙমথৈ লৈতবা অমস্তুং চাংদমনবা লৈতবা নুঙাইবগী মশকনি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মরম অসিনা মীওইবগী লুরবা নিংথিজবা, নুঙাইবগী মশক ওইবা প্রেম অতুগা কাব্যগী চাংদমনবা লৈতবা অমসু মাসিদা লৌরে হাঙ্গবা ভমখৈ লৈতবা নুংঙাইবগী মশক ওইবা কাব্য সুখগা অসিগুম্বা বৃত্তি অনিসি তিননরবদি মাগুম্বা অমা তাইবংপানবদা লৈতরে হাঙ্গবা থমোই পানবা জীব পুন্নমকনা চপ মান্ননা য়ানগদবা সিদ্ধান্তনি, মাসিদা করি অমত্তা চিংনবা লৈতে। অসিগুম্বা নুংঙাইবা অসিবু মীওইবদা পীবগীদমক কাববু তাইবংপানবদা ইকাই খুম্নবনি। মাসিদা সুপ্নগী সুরুচীবাদীসিংনা নৈতিক চরিত্র ফৎহনলোই হাইতুনা কার্য্যদা সম্ভোগ-বর্ণনা য়াদবাতনি। মরম অসিনা ঐখোইনা কবিগী কাব্য হাঙ্গবসি করম তৌবা হৌনবগে হাঙ্গবা আলোচনা তৌদরিঙৈগী মমাংদা হান্ননা কাব্যগী মহৌশানা লৈবা মরু ওইবা পোৎ অমগী খেন্নববু য়ামনা পুক্লিং চংনা য়েংফম থোকই। মাতুদি অসিনি—মীওইবা ঐখোইগী ইন্দ্রিয়গী বিষয় পুমনমক অসিনা ঐখোইগী পুকনিংদা থোকহনবা ভাব অতুগা—কবিনা হাঙ্গরিবা পোৎশক অতুনা ঐখোইগী পুকনিংদা থোকহনবা ভাব অতুগা ভাব অনিসি মান্নদে, খেন্নে। খুদমগীদমক্তি মচা নুংশিরবা সিবদগী ষারবী মমানা কপপা অমসু নুংসিরবা মপুরোইবা কাইনরবী নুপীনা মঙ্গারকপাদা মথরাই শোক্না কপপা উরগা ঐখোইনা নুংঙাইবরা? মাতুবু য়ুন্না য়েংলুরগা ঐখোইগী মিৎতা পী তারকই, মাতুদা ঐখোইগী পুকনিংদা নুঙাইবা পোক্তে। তৌইগুম্বসু কাব্যদা রামায়নগী কৌশল্যা বিলাপ কুমারসম্ভবকী রতি বিলাপ পারগা থমোই পানবা মীওইবগী পুকনিংদা ওইবা ভাব অতুগা মান্নদে। পাঠকীসু মাতু মাতু পারুরগা মিৎতা পী তাবদি য়াই, অতুমনদি ওইরগা পুকনিংদা ওনথোকপা হাঙ্গবা থোক্তবা নুঙাইবা অনদি থোকই। মাসি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নুংসিবা কাইনবগী করুণ রসতদা খুদম উৎল্লুবনি। অতৈ অতৈ রসদাসু মাসিমঙাই। অকিবগী মশক ওইবা কৈনা শামুললমশানা মীহাৎকে হাঙ্গৈনা তান্নবা উরগা মী কনাগী পুকনিংদা নুঙাইবা পোকপগে থাঙ্গৈশেংবতু উরুরগা থমোইদা কিবনা খাংবা ঙমদে. মাতুবু কাব্য ওইনা তারগদি 'পুকনিংদা নুঙাইবা অমা পোকই। মাতুদি কোংয়াম্ববু কৈনা চিকলিঙৈদা কনানা নুঙাইগদগে ? মাতুবু পেনাদা কাব্য ওইনা তারগদি অতাবা মীগী পুকনিংদা কোংয়াম্ববু নুংসিবগী মিৎতা পী তারবসু থমোইদসু নুঙাইবা অমসু য়াউই। কাব্য হাঙ্গৈবসি অতাবা শ্রব্য কাব্যবু হাঙ্গৈবনি, দৃশ্য কাব্য নাটকত্তি কাব্যদি ওইরগা মহাক্তি অউবগা য়ামনা মান্নবা হেনজিনবনা কবিনা শ্রব্য কাব্যদা ফংলিবা স্বাধিনতা অতু নাটক লেংবা কবিনা ফংদে। শ্রব্যদা নায়ক নায়িকাগী চুম্বন আলিঙ্গননচিংবা অতু লেংবা নিপা অতুনা নাটক লেংবা মতমদদি মাতু হাপচিনবা সংস্কৃত কবিসিংনা তৌনদে।

চান্নবা বিষয়গা কাব্যনা বর্ণনা তৌবা বিষয়গা অনিগী খেন্নবা উৎখরে। মাতুগুন্না ইখ্বাইগা মান্নদবা কাব্যগী মতৌদা পোৎ অমসু লৈরি, মাতুদি ফজবগী মতৌ, মাতু হাঙ্গৈরোই হায়রগা মাবু অঙকপা চমৎকারিত্ব হায়বা তাই। মীচমদা ওইদবা ইখ্বাইগা মান্নদবা অঙকপগী মতৌনা তিনববু (চমৎকার কারিত্ববু) কাব্য কৌই, মাতু লৈত্রবদি ব্রাহৈ অতু কাব্য কৌদে। করিগুম্বা পোৎশক নত্রগা থৌদোক, অমা থাঙ্গৈশেংনা থোক্লবা, ঐখোইনা উরিবা তারিবা অসিদা অতুগুম্বা ফজবা নিংথিজবগী চমৎকারিত্বতু লৈরবসু অয়াম্বা মফমদা থুপনা লৈ, অতুনা পোৎশিং, থৌদোকশিং অতু উরুবা তারুবা মী খুদিংনদি অতুগুম্বা চমৎকারিত্বতু লৌবা ঙমদে। মাদুবু চানবা কবিনদি মহাক্কী প্রতিভাগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পাঙ্গলনা ইরাই লায়না লৌথোকতুনা কাব্যদা হাপতুনা মীওইবা ঐথোইগী মাংদা থমই। মাদু হেক পারুবদা ঐথোইগী পুক্নিং অসি সুমহৎথিজুনা ঐথোইনা অরা অনা অপুম্বা কাউতুনা ইওক ওক্তুনা লৈ। জর্ম্মনগী লানজাউদা মাইথিরবা কাইজারনা কবি রবীন্দ্রনাথগী কাব্য পারগা মাগী অরাবা পুন্নমক কোকই হাঙ্গবতুনি। মরম অসিনা কবি হাঙ্গবসিনা নীতিশাস্ত্রগী পাউতাক পীবা নত্রবসু পাউতাক অদু ফোংনা কবিনা পীত্রবসু মীওইবদা কবিনা তৌরিবা উপকার অদু তাইবংপানবদা নীতি শাস্ত্র লিশিং লিশিং প্রচার তৌতুনসু য়োবা ওমদে। নীতি শাস্ত্রগী উদ্দেশ্যদি মী খুদিংমকপু ফহল্লগা পুলপ ওইনা মীবু ফহনবনি। কব্যগী উদ্দেশ্যনা সুপনগী ফহনবতনি। মাথোই অনিসি চাউরাক এংবদদি তোঙান্না উরবসু মরুদদি মশা অমতনি। মরমদি—কাব্য হাঙ্গবসিনা মাগী ফজবা—চমৎকারিত্ব অদুনা মীওইবগী থমোইবু তাইবংপানবগী অরাবা, অনাবা, নুঙাইবা, নুঙাইতবদগী লৌথোক্তুনা কাব্য মহাক্কী নুঙাইরবা, লূরবা, চাংদমনবা লৈত্রবা, অয়িংবা, তাইবংপানবদা ওইদবা রাংলবা ভাবকী রাজ্যদা পুশিনলি। অদুগুম্বা অফববু কাব্য নত্তনা কনানা থোকহনবা ঙম্বগে? কাব্যগী ইখল্বাইগা মান্নদবা মশক অদু ঐথোইনা মাসি ফাউবা এংলকলে, হুজিক্কি অদুগুম্বা কাব্য, অদুদা নিপা নুপীগী সম্ভোগ বর্ণনা তৌবসি ফবরা ফত্তবরা? হাইবদু এংলসি।

ঐথোইনা মথক্তাসু হাঙ্গথরে নুপী নিপাগী চান্নবদগী থোকখিবা দাম্পত্য প্রেম হাঙ্গবসি তাইবংপানবদা ওম্থোকনা ফজগ্রবা, নুঙাইবগা মশক্কনি, মাদুবু হেনবা কাব্যগী বর্ণনা তৌনবা বিষয় অমসু তাইবং-পানবদা লৈত্তে। নুপী নিপাগী নুংশিনবদগী থোকপা শৃঙ্গাররস

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হায়ীবসি মশা অমত্তদা অনি থোকনা খাই, মাতুদি অহানবদা মৌবিঙাগী সংসংনা থেংনদরিবৈঙ মমাংদা পূর্ব্বরাগ, উৎকণ্ঠা, বিপ্রলব্ধা, হায়ীবনা-চিংবগী মশক ওইবা শরুকপু বিপ্রলম্ভন কৌই, উনতুনা থেংনখরবা উপভোগকী শরুক অতুবু সম্ভোগ কৌই, বিপ্রলম্ভন হায়ীবা অসিনা পুকনিং হকচাং অমত্তা ওইনা সম্ভোগবু পামই। মহাক নত্তনদি আদিরসগী মপুংফাবা য়াদে। অতু ওইরবদি কবিসিংনা সম্ভোগ হায়ীবসিদি কাব্যদা বর্ণনা তৌবা হৌনদে অস্থুন্না হুঞ্জেল্লবদি কাব্যগী বিষয়দি ওনথোক্লা য়ামদবা ভারে অমসু কবি মাখোইগী ফজনবা শেম্বা কৌবা মথৌ অতুস্থ কাইবা তাই, হায়ীবসি মী পুন্নমকনা য়াগনি। মরম অসিনা কবিসিংনা মাখোইগী ফজনবা শেম্বা অতুদা মাখোইগী বিষয়তু য়াদবা কৌবগী মথা পোন্দুনা পিকসনহনবা তৌনদে। মরমদি কবিশিংগী সোইদবা অচম্বা অসি লৈ, মাতুদি কবিনা মহাক্কী কাব্যদা সৌন্দর্য্যগী চমৎকারিত্বতু হাপ্পা ঙমলবদি কাব্য অতু পারুবা মীনা কাবা অতুগী নিংথিবা অতুদা ঙক্তবা, স্থমহত্তবা ঙমদে। অতুগুম্বা মতম অতুদা মী অতুগী পুকনিংদা ফত্তনা ভাব অমা থোক্লকনবা মতম লৈতে। হায়ীখ্রিবসি চিত্রশিল্পদাস্থ প্রমাণ তৌবা য়াই, মাতুদি মফি শেত্তবা নুপী নুপা একপা হায়ীবসি, চৎনবিদা হায়ীরবদি লমচৎ ফজদবা উংলি অমস্থ মীওইবগী পুকনিংদা ফত্তবা ভাব পোকহনলি। চুমই, ভোইগুম্বস্থ লাইএকপা হৈবা মীনা মফী মরোন স্থত্রবী নিংথিজবী নুপীগী ইরুবা কারকপাগুম্বদা ওইবা নুপীগী প্রকৃত সুন্দরতাবু মহাক্কী চিত্রশিল্পদা ওইবা হৈশিংবনা উৎনিংলকপা য়াউই, মাতু উৎকে হায়ীনা শিল্পীনা মহাক্কী পুকনিংনা অতুগুম্বী নুপীগী অবয়ব খুদিংদা অনি লোংদবা পুকনিং হাপলিবৈঙ অতুগা মাতু একপোকলিবৈঙদা নিপা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অতুনা করিগুম্বদাসু নুপীগী মরিদা কু ভাব অমত্তা খনবা সংদে অমসু মাগী পুকনিংদসু থোরক্কে। অতুগা অয়েকপাতু লোইরতুনা ইথরাইনা এংনবা মতমদসু এংবা হৈবা মীনা এংলকপদা অয়েকপা নিপা অতুগী শিল্প কৌশলতাগী হৈশিংবা অতুতা খনখিতুনা মাতুগী ভাবনা বিভোর ওইখিতুনা এংবাহৈবা মী অতুগী পুকনিংদা ফত্তবা ভাব অতু ঙরি অমত্তা পোক্কে। অতুগুম্বা একপা হৈবা অমসুং এংবা হৈবাশিং অতুগী মরিদদি ঙসাইগী নুপীগী ফিশেত্তবা মশক একপা অমসু এংবতু চোপনবা লৈবদি থন্নহনা থাগৎনবা অফবা নিংথিবগী মশক ওইনৈ। অতুগা একপসু হৈতবা অমসু এংবসু হৈতবা মীচমগী মরিদদি অতুগুম্বা অএঙ্কপা অতুনা ফত্তবা ভাব পোকহল্লি মী মাংহল্লি চুমই, অতুগুম্বা কাব্য লেংবা ঙমদবা অমসু কাব্য পাবা হৈতবা মীগী মরিদদি কাব্যদা বর্ণনা তৌরিবা নায়ক নায়িকাগী বিহারবর্ণননা নৈতিক চরিত মাংহল্লি হাঙ্গৈবসি তাবদদি ফনাসু চুম্বাগুম থোকহল্লি। থাঙ্গৈশেংবদি মাতু য়ান্না চুমদে, পুক্কিংদা বিলাসগী বাসনা থোকহনবা কাব্যগী বর্ণনা অমসুং চিত্র হাঙ্গৈবসি তাবা এংবা হৈতবা মীগী মরিদসু ফহনবতনি, ফৎহন্দবা করি অমত্তা তৌদে। মাতু পুক্কিং তপনা অমোক্তুং খনথরবদি হেক্তা ফংই, মাতুদি — ফজবা হাঙ্গৈবা অসিগা মান্নবা পুক্কিং থৌগৎপা অমা তাইবংপানবদা লৈতে। পুক্কিং থৌগৎতুনা অচৌবা ভাবতা চংহনবা হাঙ্গৈবসিগা মান্নবা মী ওইবগী ফননবা লম্নেন অমতসু তাইবংপানবদা লৈতে, মাতুগুম্না পুক্কিংগী অচৌবা অরাংবা খনবা ঙমদবা হাঙ্গৈবা অসিগা মান্নবা মীওইবগী মাংনবা অমসু তাইবংপানবদা লৈতে। পুকচেন অতোনবা মীগী মরিদদি তাইবংপানবা অসিদা উরিব, ভারিবা পুম্নমক

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অসিনা মী অতুগী ফত্তবা পুকচেন অতু নুমিৎ চুপ্পা হেন্না ফৎচন-হন্দবতনি. নুপীদা পুকনিং চংতুনা লুপথ্রবা মী অতুগীদি উনা অনিতা খেৎনরম্বা. অহাংবা অমত্তা উবদাস্তু করিগুম্বা রাঙাং মখোন অমত্তা তারুবদাস্তু নুমিৎচুপ্পা মাগী খল্লিবা অতুগা পানসন্নতুনা সোরি পারি খন্দুনা নেংম ২ গী অমাংবতা হেন্না ২ পীশল্লি। অতুগুম্বা অপংবা, শাদগীস্তু হেন্না তোল্লবা জীবসিং অতুনা ফজবা চিত্র, ফজবা কাব্যগী সম্ভোগবর্ণনা অতু এংলু, তারুরগা ফজবাগী হৌনবি অপংবগী মপুক-নিংদা খরতং ওইরবস্তু সুমহৎলি, মাতুন্না সুমহৎখিতুনা অয়েকপা চিত্র অমস্তু কাব্যদা পুক্নিং চংবা অতু অনুশীলন তৌবা তম্লকই, মতুং অতুদদি সোইদনা অপংবা মীতু ফজবা পাম্বা কৌবতু খংলক্তুনা মাগী পীকখ্রবা পুক্নিং অতু চাওখৎলকই. মাতুগা মান্নবা জীববু উপকার তৌবা করি লৈরি। অতুনা কাব্যদা সম্ভোগবর্ণনা তৌবনা অতোনবা অপংবা জীবগী মরিদা নৈতিক ফৎহন্দবা ওইগনি হাঙ্গৈনা খন্নবা অসিদি য়াই কার্য্য ক্ষেত্রদদি মাতু তৌবা নত্তে, কাব্যনা মীওইদবু অফবা লম্বেন্দা পুই হাঙ্গৈবগী চান্নবা অথদি মাসিনি। মাসি কলিদা জীববু ধর্ম্মঙারুবা শ্রীকৃষ্ণনা অবতার তৌরিবা শ্রীভাগবতনা তাক-লিবনি। ঐখোইনা মাস্তুপ শাংনা কাব্যদা শৃঙ্গার রস বর্ণনা তৌবগী মরমদা আলোচনা তৌরকপসি সুপনাগী শ্রীভাগবতকী শ্লোক অমত্তংগী অনুবাদ তৌগে হাঙ্গৈবগীদমক্তনি। মরম অতুগীদমক্তা হুজিক্কীকালগী অনৌবা পণ্ডিতসিংগী রাহৈ রাতা কয়ামুকস্তু লৌখৎখরে, মাতু পাঠক-সিংনা ঐখোইগী হৈসিংদবদি ঙাকপিয়ু শ্রীভাগবতকী শ্লোক অতুদি দশমস্কন্ধদা শ্রীকৃষ্ণগী গোপীসিংগা লোইনতুনা সান্নবা রাসবু বর্ণন তৌরগা মাতু তারিবা পরীক্ষিৎনা হুজিক্কী কালগী সুরুচীবাদীগুমনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

এংলে। ধর্ম্ম' ঙাকপীরিবা শ্রীকৃষ্ণনা ধর্ম্মগী পন পুন্নমকপু হাঙৈবী অমসুং তৌবিরগা পরদারাগা সাননবদি করিগীনো? হাঙৈনা হংই, রাহং অসিগী চিংনবত্থু কোকহল্লগা খল্লি, পরীক্ষিৎনা হংবসিদি শ্রীকৃষ্ণগা গোপীসিংগা সংসংনা সান্নখিবা অত্থুতদা হংলে। অত্থুগা মাসিবু ব্যাসনা লেংসিন্দুনা শ্রীভাগবতনা থনস্বগী মরমদি পরিক্ষিৎনা হংদরে। পরীক্ষিৎতি মহাপুরুষগী মতৌ ওইবনা খংগনি অত্থুগা চুম্নগী ইতর জননদি খংঙরোই, অস্থুম্না খল্লি। জীব জগৎকী ফননবতা খনবিবা শ্রীশুকদেবনা পরীক্ষিৎনা হংদ্রবস্থু ব্যাসগুম্বা মহাকবিনা নায়ক নায়িকা চান্নবা ওইবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী সম্ভোগবর্ণনা ভৌত্থুনা জীব অচম্বগীস্থু নৈতিক চরিত্রা ফহনবা অত্থু তাকপীরম্বা শ্লোকনি—

"বিক্রীড়িতং ব্রজবধুভিরিদঞ্চ বিষ্ণোঃ
শ্রদ্ধান্বিতোঽনুশৃণুয়াদথ বর্ণয়েদ্ যঃ।
ভক্তিং পরাং ভগবতি প্রতিলভ্য কামং
হৃদ্রোগমাশ্বপহিনোত্যচিরেণ ধীরঃ॥"

অনুবাদ—কনাগুম্বা মীনা ব্রজবধুসিংগা লোইনত্থুনা শ্রীকৃষ্ণা সান্নখিবাসিবু (শ্রীভগবততা হাঙৈরিবসিবু)—অয়াম্বা রসগী তুংনফম ওইব', শ্রীশুকদেবগী মচিন্দগী সিনথরকপা অমৃতনা তিনবা—ব্যাসগী অথোইবা কবিত্বশক্তিগী সৌন্দর্য্য, চমৎকারিত্বনা তিনবা অসিবু থাজনা তাগদবনি, অত্থুগা মচিনমকনা হাঙৈজগদবনি, মাত্থুগুম্বা অনুশীলন অত্থুনা মশাদা লৈরকঙবা মানা হৈজবা মরোন্দা মাগী ঙমজবা কবিতানা লেংগদবনি। মাত্থু তৌরবা মী অত্থুনা ধীর ওইরত্থুনা (অতোনবা ফত্তবতা তৌরম্বদগী ফজবা নিংথিবা এংবা তাবা খনবা হৈরক্তুনা) ভগবান শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি ফংত্থুনা মীওইবগী থমোইগী ব্যাধি (পুকনিং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অতোনবা ওইহনবা নিপা মুপীগী মরমদা খন্দুনতা লৈহুনা পুকনিংগী লাইথুং ওইহুনা মশা মাংহল্লম্বা অচম্বা) কামভাবপু য়ামনা থুনা থাদোকই ।" ইতি—

অসিগুম্বা শ্রীশুকদেবগী পাওতাক অসিদি তোল্লবা জীবগী ফগৎহনবদা মহাককুম্বা অমা লৈত্রবা পাওতাকান, শ্রীভাগবতনা কলিগী পাপ তাপনা তাপিত ওইরবা জীব জগৎতা মঙ্গল ওইননবা তাকপিবনি। মাগা মান্নবা পাউতাক অমা তাইবংপানবদা শ্রীভাগবত নত্তুনা কনানা তাকপিবগে ? অসিগুম্বা পাউতাক অসি হাঙ্গরিবা শাস্ত্রসিং অহুম্থু শ্রীভাগবততগী তমহুনা হাঙ্গবা ওাক্তনি অহুনা গীত-গোবিন্দদা শ্রীভাগবতকী য়াথং অসি লৌহুনা কবি জয়দেবনা হাঙ্গরমই—

"যদি হরিস্মরণে সরসং মনো যদি বিলাস কলাসু কুতুহলম্ ।
মধুরকোমলকান্তপদাবলী শৃণু তদা জয়দেবসরস্বতীম্ ॥"

ফজবা এংবসু তাবসু হৈত্রবা তোল্লবা কলিগী জীবসিংনা মুমিৎ চুপপা নত্তু নত্তবা চরিত্র ওইহুনা ফত্তবা পুকচেন ওইহুনা মাংলিবাসিবু কবিজয়দেবনা উহুনা জীবসিংগী ফননবগী মরমদা ময়েকনা তাহুনা লৈরবা উপায় অসি তৌবিরমই। জীবগী উপায় অসি তৌগে হায়না কবিনা নিংদ্রবদি মহাক্কীদমক্তা ওইরবদি মহাকনা থকপ্রবা গীতগো-বিন্দ কৌবা অমৃত অসিবু ইহুনা থনমল্লোইদবনি। অহুনা শ্রীজয়-দেব কবিগী মফমদা তাইবংপানবদা পোকলিবা জীব পুম্নমকনা লমন তোল্লিবনি। তাইবংপানবদা ফাউরিবা কবি পুম্নমকতা ঐখোইনা তৌবিমল খংবনা চুমই, মাহুগুমনা কবি জয়দেবগী ঐখোইনা লমন তোনবা নত্তে। কবি অতৈদগী জয়দেববুনা হেনবদি মহাক্কী অসিগুম্বা কবিতা অসি হেক তাবতনা অর্থনাচিংবা খল্লুদবসু মহাক্কী নিংথিজবনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মীবু হেক্ত সুমহৎলি। অতুগৈ জর্ম্মন লৈপাক্তা জর্ম্মনি সাহেব অমা গীতগোবিন্দনা সুমহত্তুনা মাগী অর্থ তমগে হাঙ্গীতুনা চীন্দা অমোক ভারততা অমোক, চৎখিবা অতু গীতগোবিন্দগীদি মমাংগৈদগী হুজিক ফাউবা ইতৎ তত্তনা থোকলিবা থোঁদোকনি। অতুনা পৃথিবীদা কবিদি জয়দেবতনি হাঙ্গীবমকপু য়াই। মরমদি কবি অথোইবা কর্ণপুরনা মহাকী চম্পু কাব্যদা হাঙ্গীরমই।

"অর্থদি পার্য্যাকলনং বিনাপি প্রহ্লাদয়ন্তে শুকর্ব্বেচাংসি" হুজিক্তি সংস্কৃত কাব্য জগত্তা জয়দেবগী মাতৌ মানবা য়াম্না লৈ, মাথোই অতু কবি জয়দেবগী মতৌ তম্বনি হাঙ্গীবসু য়াই অতু নত্রবসু জয়দেবগী ব্বারেং অসিদি শ্রীকৃষ্ণগী গুণ ওইবনা অতৈদা লৈত্রবা মন্ত্রগুম্বা শক্তি অমা লৈ, মাতুনা মহাক্কী কাব্যগী মনুংদা ওইরিবা অর্থগী ভাব অতু খংদবা জীববুসু হেক্তা সুমহৎলি, মাসিগী মরমদা ঐথোইনা অমোক হন্না হাঙ্গীরুদবসু মশাদা পান্দুনা লৈবা ওইবনা ইথ্নাইনা ইথং খংনরি।

মাসিদা ঐথোইনা য়াম্না অরানবা অপরাধ অমা তৌরুরে। অতুগুম্বা অপরাধ অতু কোরুবগীদমক পাঠকসিংদা নোল্লুক্লবা ব্বাহৈনা ঐথোইগী অসোইবসি কোকপিয়ু হাঙ্গীজরি। মাতুদি— অতুপ লুথ্রবা কবিগী গীতগোবিন্দবু ভাবসু লৌবা ঙমদ্রিবা, অর্থমকসু খংদ্রিবা ঐথোইনা ইরোন্না অর্থ হন্দোক্লুরে, মাতুম্না হন্দোকপা অতুনা ঐথোইগী অর্থ অতু পারুরগা মাসুপ ফজবা গীতগোবিন্দগী অর্থবু মাসুম তৌবরা হাঙ্গীতুনা গীতগোবিন্দগী চেনথনবা থৌরাং অমা ঐথোইনা তৌরুরে, মাতুগীদমক খাংবা ঙমদ্রতুনা পুক্নিং হকচাং অসত্তা ওইনা ঐথোইগী অরানবসি খরদংতসু কোক্লবা অপনবা লৈতনা হাঙ্গীদোকচরিবসিনি। ঐথোইনা অসিগুম্বা গীতগোবিন্দগী অর্থ হন্দোকলুবসি অর্থ খংই, ভাব

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

খংঙি, হাঙ্গৈত্বনা তৌবা নত্তে, ঐগী পুকনিংগী নিঙমদবা অমগী মখা পোন্-থহনা গীতগোবিন্দগী মরমদা ঐখোইনা তোঙবা অনুশীলন অহুতা ইথোকচবনি। অহুনা পাঠকসিংনা ঐখোইগী গীতগোবিন্দদা হাঙ্গৈ-জিনগুরবা মরোনসিং অহুবু শালগ্রামগা তিন্নরুবদগী অচম্বা ঈশিংনা চরনামৃত ওইখিবগুম্না পাহুনা মথং মথং শেংদোকপীথবদি ঐখোইগী অয়োন অরান পুন্নমক কোকপীরে হাঙ্গৈনা নিংঙ্গগনি।

ঐখোইনা গীতগোবিন্দবু মৈতৈরোন্দা ইদবা য়াথিদবগী মরমদি ঐগী চহি ৮। ৯ সুরকপা অবস্থাদা ঐগী শ্রীগুরুদেবদা শ্রীমদ্ভাগবত তমলিঙৈদা ঐগী শ্রীগুরুগী মরুপ অমা তাৱৈ, মহাক্না হাঙ্গৈরমই, গীতগোবিন্দ তৌরবনি য়ামনা নুংঙাইনি, ঐগীদা অমোক্তা গীতগো-বিন্দ হাঙ্গৈয়ু তাসি হাঙ্গৈরমই। মতম অহুদা ঐগী অবস্থানা পীকপগা মহাক্না লৈকাই তিন্নদবগানা গীতগোবিন্দগুম্বা লাইরিক অমা লোইনবা ব্যাখ্যা তৌবা মতম ফংখিদে। নিপা অহুনা ঙানখিবা ব্রা অসি ঐগী প্রৌঢ় অবস্থা ওইরবা ফাউবা মহাকনা থক কাউদে, মরক মরক্তা হেকতা হাঙ্গৈ, তৌইগুমসু ঐগী কার্য ক্ষেত্রদা য়াম্না বিঘ্ন লৈবগা নিপা অহুগী খুদোং থোক্তবগনা থবক অহু পাংথোকপা য়াবা মতম ঐখোই অনিদা ওইখিদরে। হুজিক চহি ৭।৮ সুরে, ঐগী শ্রীগুরুদেবগী মরুপ অহু শ্রীবৃন্দাবনদা শ্রীরাধাকুণ্ডদা বাস তৌখরে। বৈরাগ্য ওইহুনা সন্ন্যাস আশ্রমদা লৈহুনা ভগবদ্ভজন তৌখরে। ঐগী ভাগ্যদা মহাক্কুম্বা ভক্ত অমাগী মাংদা গীতগোবিন্দ ব্যাখ্যা তৌবা ঙমগনি হাঙ্গৈবা ভাগ্যসু উজদরে। মরম অসিনা গীতগোবিন্দ অসি ইথোকচবনি।

ঐগী শ্রীগুরুদেবগী মরুপ অহু ইম্ফাল মণিপুরদা নম্বুন মপান স্না জন্মস্থানদা লৈরমই তাকএনজমনি, মমিংনা শ্রীতোঙ্গাউসিংহ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৌম্নমই। হুজিকতি মহাক মুনিব্রত তোঞ্জনা শ্রীকৃষ্ণগী ভজনগী আনন্দদা লুপ্তুনা লৈখরে। অতুবু-করিগুম্বা মতমদা অহাংবা এংতুনা ঐনা হৈত্ত হৈতনা ইজবা গীতগোবিন্দগী ব্যাখ্যা অসি অমোক্তং পাবিরবদি ঐগী লমন অতু কোকপে হাঙৈনা নিংজবতা নত্তনা "দর্শনাদেব সাধবঃ" হাঙৈতুনা ঐ কৃতার্থ ওইরে হাঙৈনা হরাঙ্জগনি। মরম অসিনা ঐখোইনা অয়িবা গীতগোবিন্দ অসি ছাপা নমজরি।

ঐনা আনন্দকন্দ ওইবা ব্রজচন্দ্র শ্রীকৃষ্ণগী চরণখাদা নিজরিবদি মনাই জয়দেবগী গীতগোবিন্দদা অর্থসু খংদা, ভাবসু চুমদবা ঙাক্তা ইরোম্না ইসন্দুনা য়ামনা অপরাধ তোরে. মাসি ঐগী ইছানা য়াজরবা অপরাধনি, অসিগুম্বা অপরাধ অসিগী কোকনবা দণ্ডদি পীনবিয়ু, অরানবা, তোপ্পবা, জীববু থৌজানবিহৈবা কৌবা নগুণগী হৌনবি থৌজান অতুনা থৌরি ওইতুনা পুল্লগা ঐবু ইবুঙো নংগী নখোং খুয়াখাদা ননাই ওইহনবিয়ু হাঙৈনা নিজরি।

হে প্রাণেশ্বর প্রেমতত্ত্ববিষয়ে ভক্ত্যা সদা রক্ষিতে
বুদ্ধ্যা সত্ত্ববিশুদ্ধয়া বিরহিতো নাহং প্রবেষ্টুং ক্ষমঃ।
দৃষ্ট্বা লেখ্যপটস্ত তস্য যদহো ব্যাখ্যামি সর্ব্বজ্ঞবৎ,
তদ্দোষাত্ত্বদীয়দাস্যনিগড়ে বন্ধোঽস্তু দণ্ডো ময়ি॥
ইতি—১৮৫৯ এতচ্ছকায়াশ্বিনপূর্ণিমা।

শ্রীঅতোম্বাপু শর্ম্মা।
চুড়াচান্দ প্রিণ্টিং ৱার্কস,
পোঃ ইম্ফাল, মণিপুর ষ্টেট।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্।

নত্বা কৃষ্ণপদদ্বন্দ্বং সংসারার্ত্তিহরং পরম্।
লিখেঽয়ং গীতগোবিন্দব্যাখ্যাং ভক্তপ্রমোদিনীম্॥

মেঘৈর্মেদুরমম্বরং বনভুবঃ শ্যামাস্তমালদ্রুমৈ-
র্নক্তং ভীরুরয়ং ত্বমেব তদিমং রাধে গৃহং প্রাপয়।
ইত্থং নন্দনিদেশতশ্চলিতয়োঃ প্রত্যধ্বকুঞ্জদ্রুমং,
রাধামাধবয়োর্জয়ন্তি যমুনাকূলে রহঃকেলয়ঃ। ১॥

পদান্বয়—অম্বরং (আকাশ) মেঘৈঃ (নোংনা মরম ওইহুনা) মেদুরম্ (অমেংবনা থল্লে) বনভুবঃ (বনগী লৈবাক পুম্নমক) তমালদ্রুমৈঃ (তমাল পাম্বীনা মরম ওইহুনা) শ্যামাঃ (মুরে—সংলে) অয়ম্ (কৃষ্ণ অসিনা) নক্তম্ (অহিংদা) ভীরুঃ (কি) ত্বং (মরম অতুদগী) রাধে (হে রাধে) ত্বম্ (নংনা) ইমম্ (কৃষ্ণ অসিবু) গৃহম্ (য়ুম) প্রাপয় (য়ৌহল্লু,—ফংহল্লু) ইত্থম্ (অসুম্না) নন্দনিদেশতঃ (নুঙাইরবা পাউতাকতগী) চলিতয়োঃ (চৎথোক্লক্লবা) রাধামাধবয়োঃ (রাধামাধব

অনুবাদ—হে রাধে ! ঙসিদি অতিয়া অপুম্বা নোংনা থল্লে, উম্নুং পুম্নাকসু তমাল পাম্বীনা ইসং সংখরে, কৃষ্ণ অসিদি অহিংদা কি, অদুনা কৃষ্ণসে নংনা য়ুম য়ৌহল্লু, অসুম্না তাকপা নুঙাইরবা পাউতাকতগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অনিগী) যমুনাকূলে (যমুনা মপান্দা) প্রত্যধ্ব কুঞ্জক্রুমম্ (লম্বেন, কুঞ্জ, উ, উরিনচিংবনা কুপশিনবা নফম) অমসু উ পুন্নক অসিদা) রহকেলয়ঃ (অথুপ্পা লীলা পুন্নমকমা) জয়ন্তি (জয় ওইরি—অথোইবা ওইরি)। ১ ॥

লোইনহুনা লেংমিন্নরিবা রাধামাধব অনিগী যমুনা মপান্দা লম্বেন কুঞ্জ অমসু উখোং পুন্নমক্তা সানবা অথুপ্পা লীলা পুন্নামক্তা অথোইবা ওইরি ।১॥ *

* **ব্যাখ্যা**— লেংগে নিংলিবা "গীতগোবিন্দ" কৌবা মহাকাব্যগী অয়েৎ-অকাঙবা পুন্নমক লৈতননবা হাঙহুনা গ্রন্থকর্ত্তা শ্রীজয়দেব গোস্বামীনা মঙ্গলা-চরণ তৌই। অদুগুম্বা মঙ্গলাচরণঅদুবু শ্লোককী মশক ওইনা লেংথোকতুনা গ্রন্থগী মকোক্তা হাপ্পুনা লেংশিল্লি। মরমদি—"ঐনা গ্রন্থগী হৌগৎপদা ঐগী ইষ্ট-দেবতাবু খুরুম্বা অসি ঐগী শিষ্যশিংসু মাসুন্না তৌসনু" অসুন্না নিঙহুনা শিষ্টগী আচারনা ফংনরিবা মঙ্গলাচরণ অসি তৌই, অদুগা গ্রন্থগী মকোক্তসু হাপই।

শ্লোক অসিনা মহাকাব্যগী মথক্তা হাপ্পহোনবা আশীঃ, নমস্কার, অমসু বস্তুনির্দ্দেশ কৌবা মঙ্গলাচরণ মথন অহুম্মকসু সুরে, মাদুদি— ১। রাধা-মাধবয়োঃ (রাধামাধব অনিগী) রহকেলয়ঃ (অথুপ্পা লীলা থিবিক্তা) জয়ন্তি (অথোইবা ওইরসনু) অসুন্না আশীর্ব্বাদগী অর্থদা হাঙরগা আশীর্ব্বাদগী মশক ওইবা মঙ্গলাচরণ ওই। মরমদি "জন্তুবন্তেব্যন্তিবন্তী" অসুন্না ব্যাকরণগী ব্রাএন লৈবনা "জয়ন্তি" হাঙবসি "জয়ন্ত হাঙনা অর্থ হনগনি মাদুদি কবিকল্প-দ্রুমগী 'জয়ন্ত্যষ্টাদি শাব্দিকাঃ" হাঙবগুম্বনি।

২। অমসু 'জয়ন্তি' জি ধাতুনা মফম অসিদা অকর্ম্মক ওইরে। অদুনা "সর্ব্বোৎকর্ষেণ বর্ত্তন্তে" রাধামাধবকী অথুপপা লীলা থিবিকনা পুন্নমক্তগী থোই-দোক হেন্দোকনা লৈ, অসুন্না অর্থ হন্দ্রোক্কনি। মাদুগী ভাবার্থদি অদুগুম্বা রহ-কেলি— অথুপ্পা লীলা পুন্নমক অদুবু ঐনা থুরুগজে। হাঙবনি, মরমদি থুরুম্বা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— কৌবদি "স্বাপকর্ষবোধানুকুল ব্যাপার বিশেষঃ নমস্কারঃ" ঐখোইনা ঐখোইদগী মানা হেল্লি হাঙ্গৈবা খংলগা তৌরিবা থবক অত্তুবু খুরুম্বা কৌই। শ্রীরাধামাধবকী লীলানা পুম্নমক্তগী হেল্লি হাঙ্গৈরবনিনা হেল্লি হাঙ্গৈবত্থ খংতুনা ৱা অসি হাঙ্গৈরিবনি। অত্তুনা খংলগা হাঙ্গৈরিবা অত্তু চিন্না খুরুম্বা কৌই। মাত্থ মীরম্বেন্দস্থ চৎনরি, মাত্থদি—ঐখোইবু হেনবা উরগা 'জয়' হাঙ্গৈনা সম্মান-সূচক ওইবা ৱাহৈ হাঙ্গৈনরি। অত্থুনা 'জয়ন্তি' হাঙ্গৈবা ৱাহৈ অসিনা খুরুম্বগী মশক ওইবা (নমস্কারাত্মক) মঙ্গলাচরণনি।

৩। গীতগোবিন্দ কৌবা লেংগদবা গ্রন্থসিগী রহকেলিনা অভিধেয়নি। অত্থুনা মাবু— রহকেলি অত্থুবু শ্লোক অসিনা তাকপা ওইবনা বস্তু-নির্দ্দেশগী মশক ওইবা মঙ্গলাচরণস্থ শ্লোক অসিনা ওইরে।

শ্লোক অসিগী মন্নুংদা য়াম্না পুক্লিং-চংনা খনজিনগদবা মফমদি—'নন্দ' হাঙ্গৈবা অসিনি। মরমদি ১। নন্দ হাঙ্গৈবগী অর্থদি নুঙাইবা, অম্থম্না হাঙ্গৈ। মাত্থগী মতুংইন্না হাঙ্গৈরগা 'নন্দ নিদেশতঃ'—নুঙাইবা পাণ্ডিতাক্তগী, অম্থম্না অর্থ হাঙ্গৈগনি। মাত্থগী ভাবতি অসিনি—ঙরাংগী অহিংদা শ্রীকৃষ্ণনা অতোপ্পা ইবেমাসীংগা সান্নরুবদগী মানিনী শ্রীমতী রাধিকানা সাউবদা ইবেমাগী অত্থগুম্বা অভিমানত্থবু শ্রীকৃষ্ণনা য়ামনা কিখি। ঙসিগী সায়ং সন্ধ্যা ওইরক্লবদা কনাগুম্বী সখী অমনা শ্রীমতীদা হাঙ্গৈ,— "হে রাধে! ঙসিদি অতিয়াসি নোংনা থল্লে, উনুং পুম্নমকস্থ তমালনা ইসং সংলে, কৃষ্ণ অসি অহিংদা কি। ঙরাং অহিংদা নহাকপু কিগ্রবনি, অত্থুনা ঙসিদি নংগী অভিমানত্থ থাদোকতুনা) কৃষ্ণসে নংনা য়ুম য়ৌহনলু— ফংহনলু, হাঙ্গৈবদি নংনা ইবুঙো মাগী গৃহিণী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— ওইতুনা (১) কৃষ্ণবু গৃহস্থ ওইহল্লু, অহিংদা থা থরাম্মচারু-চিংবগী মঙান্না মীনা উখি-খংখিগনি হাঙ্গৈবস্থ লৈতরে, ঙসিদি নোংনা অতিয়া পুন্নমক সিন-থুংখরে, এনিং অনৌবা হুন্দুনা অসংবা মনানা পুঙলবা শ্রীবৃন্দাবনগী মনুংদা ননিং তৌনা সানরু" অস্নুন্না সখীনা সঙ্কেত তোত্না তাকপনি। অর্থ অমনবু— ২। যশোদাজীগী পতিবু 'নন্দ' কৌই। মাতুগী অর্থদা হাঙ্গৈরগা "নন্দনিদেশতঃ"—নন্দনা ভাকপদগী অস্নুন্না খংনগনি। মাতুগী ভাবতি অসিনি— নোংমা সায়ংকালগী সঙ্গোম সুম্বা য়াওগে হাঙ্গৈতুনা অরাপ্পা সঙ্গোন্দা থোকপদা শ্রীকৃষ্ণনা অঙাং ওইরিঙৈদা নন্দগী তুংইন্দুনা শ্রীকৃষ্ণস্থ লাকই। নুমদাংরাইদা নোং হৌরকতুনা অতিয়া অপুম্বা ইমম মমখরে, মাতু উবদগী মচাবু নুংশিবনা নন্দনা মনাক্তা সখীসীংগা লোইনতুনা লৈরম্বী— শ্রীমতী রাধিকাদা হাঙ্গৈ, মাতুদি "অতিয়া পুন্নমক নোংনা থল্লে, উন্নুং পুন্নমকস্থ তমাল পাম্বীনা ইসং সংখরে, কৃষ্ণসে অহিংদা কিগল্লি, অতুনা কৃষ্ণসে নংনা য়ুম য়ৌহনবিয়ু।" অস্নুন্না ভাকপদগী, হাঙ্গৈনা অর্থ হনগনি।

অর্থ অনিসিগী সমীক্ষা— অকোনবগী নন্দ নিংথৌনা শ্রীকৃষ্ণবু য়ুমদা থিনবিরম্মু হাঙ্গৈতুনা শ্রীমতীনা কৃষ্ণবু প্পুরকপদগী যমুনা মপান্দা লম্বেন, কুঞ্জ অমস্থ উখোংদা সান্নব। হাঙ্গৈবা অসি প্রাচীন টীকাকার-সীংনা পান্নদে। মরমদি মফম অসিদা শ্রীনন্দনা দূতীগী থবক তৌবা ওইবা ভাই। মাতুদি রস কাই, অসিনাচিংবা দোষ অসি পুথোকই। চুমই, অতুবু তৌইগুম্বস্থ "নন্দ" হাঙ্গৈবা পদ অসি গ্রন্থকারগী মততা

(১) "ন গৃহং গৃহমিত্যাহুর্গৃহিণীং গৃহমুচ্যতে"— য়ুম্বু য়ুম কৌদে, মতুবু য়ুম কৌই, অস্নুয়া শাস্ত্রনা হাঙ্গৈরি। অতুনা য়ুম ফংহনলু—গৃহ ফং-হনলু—গৃহস্থ ওইহনলু, হাঙ্গৈবনি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— মথক্তা হাঙ্গৈখ্রবা অর্থ অনিমক হাঙ্গৈগে হাঙ্গৈবা ভাব অমা পীরি। মাতুদি অসিনি— শ্রীমতী রাধিকানা শ্রীকৃষ্ণবু হল্লি, অহুনা নন্দনা মচাগী ইখ্বাইদগী হেন্না তনৌ তনৌবা অমসু বাৎসল্যপ্রেমগী অকনবগনা মচাবু সোইখিগনি, অসুন্না প্রেমনা নিংখিবগনা ধয়সদা হেনলবা রাধিকাদা মচাবু য়্নমদা থিনবিরম্মু হাঙ্গৈ। নন্দগী ভাবতি— রাধাকৃষ্ণবু নিপা নুপী ওইবগী ভাব করি অমত্তা খন্দে। মীয়ম্বেন্দা হাঙ্গৈরুরগা কনাগুম্বনা য়াম্না চান্নবা নুপী মরূপ-মপাংদা মচা অঙাংবু ঙাহাক্তা থিনবিরম্মু হাঙ্গৈনা নেকপা ভাব অতুদা হাঙ্গৈবনি। হাঙ্গৈরিবা রাফম অসিগী ভাব ওইনা মতাং অসিদা জয়দেব কাব গোস্বামীপাদনা লেংই, দূতীগী ভাবতা লেংবা নত্তে। মাতুগী তাৎপর্য্যার্থদি— পৌ-রাণিককী মততা শ্রীমতী রাধিকাবু শ্রীকৃষ্ণদগী হনবা ওইনা লেংই; মাতুনা খংহনবদি মীয়ম্বেন্দা ওইরিরা নুংশিবা নুংশিনবী মিপা নুপী অনিগী মরীদা ওইবা হৌনবা অচম্বা কাম সুখ অতু শ্রীরাধাকৃষ্ণদা লৈতে। রাধাকৃষ্ণ অনিগী প্রেমরসবু হাঙ্গৈনডাই লৈতবদগী মীয়োনদা হাঙ্গৈরবা মতমদা "কাম—অপাম্বা—নুংশিবা" অসিনচিংবনা হাঙ্গৈরু-বতনি। অহুনা শ্রীমদ্ভাগবতনা হাঙ্গৈ,— "আত্মন্যবরুদ্ধ সৌরতঃ" চরন ধাতুনা ভাবা লৈতে। শ্রীরাধাকৃষ্ণগী অনির্ব্বচনীয় ওইবা— হাঙ্গৈবদা থোকহনবা ঙমদবা প্রেম অতুগী দমক্তা হাঙ্গৈতুনা ব্রজলীলাবু কবিনা বর্ণন তৌগদৌরি। মাতুদা অচম্বা নিপা নুপীগী ভাব অদু নত্তে, মাতু লৈতে হাঙ্গৈবা খংননবা নন্দনা "অঙাং অসি ঙহাক্তা থিনবিরমউ" হাঙ্গৈড়না রাধিকানা কৃষ্ণ কৌবা অঙাংমচা অমা পমতুনা থিনবিরমই, অসুম তাহনবনি। পুরাণকার বেদব্যাসগী অমসু কবিগুরু জয়দেবগী মততা শ্রীমতীনা কৃষ্ণবু হল্লি হাঙ্গৈবা নত্তে অমসু কৃষ্ণনা হনবসু নত্তে ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা—ঋষিসীংদি পরোক্ষবাদীনি। মীরম্বেনগী অচম্বা নিপা-ন্নুপীগী ভাবতু মত্তবনি হাঙ্গবতা থংননবা ন্নুপীবুনা প্রৌঢ়া ওইরবী ওইনা, নিপাবুনা অঙাং ওইনা হাঙ্গবতনি। ব্রজপ্রেমগী মাতুমক্তদা শ্রীমতীগী প্রেমগী অরোইবা সীমাদি শ্রীশুকদেবগী মুখদগী থোরকতুনা শ্রীভাগ-বতনা হাঙ্গরি, মাতুগী ব্যাখ্যানা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতনা তৌরি, মাতুগী দৃষ্টান্তনা স্বয়ং শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভুনি; হাঙ্গখ্রবা অহুম অতুগী কৃপা নত্তুনা গীতগোবিন্দগী তাৎপর্য্য খংবা ঙমদে। পাঠকসীংনা অসিগুম্বা অমূল্য রত্ন অসিবু যৌনাকাঙ্ক্ষাগী দমক পাঠ তৌদনবা হাঙ্গজুনা জীববু ন্নুংশিবীহৈবা গ্রন্থকারনা মঙ্গলাচরণগী শ্লোকতা নন্দ কৌবা পদ অসি তন্ত্র কৌবঃ ন্যায়না অর্থ অনি পুন্না থম্বনি।

শ্লোক অসি 'শার্দ্দুলবিক্রীড়িত" কৌবা ছন্দনি। গীতিনা "সং-ভাবিতা" কৌই। লয়না মধ্যনি, গুণনা প্রসাদনি, রসনা শৃঙ্গারনি। মথক্কী তগ্মাইনা বিপ্রলম্ভন, মখাগীনা সম্ভোগনি, স্থায়ীনা রতিনি। নোংনে তমালবৃক্ষনে, অহিংনে অহুম্না উদ্দীপন বিভাবনি। শ্রীমতীনে শ্রীকৃষ্ণনে অনিনা আলম্বন বিভাবনি। নায়কনা অনুকুলনি, নায়িকানা স্বাধীনভর্ত্তৃকানি। ভীঃ (কি) হাঙ্গবনঃ অনুভাবনি, হুরাওবা ঙাই-ঙমদবনাচিংবনা ব্যভিচারিনি। পুন্নমক অসিনা তিল্লগা রতিনা স্থায়ী ওইবা আদিরসনা মফম অসিদা ওইরে। শব্দালঙ্কারনা বর্ণর্ত্ত্যনুপ্রাসনি, অর্থালঙ্কারনা পূর্ব্বার্দ্ধদা সমুচ্চয়, পরার্দ্ধদা আশীনি, রীতিনা বৈদর্ভীনি, বৃত্তিনা কৌশিকীনি।

আলম্বন বিভাব ওইবা শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী "রাধামাধবয়োঃ" অস্থুয়া লেংবগী তাৎপর্য্যদি, রাধা হাঙ্গবা নাম অসিদি শ্রীমদ্ভাগবতনা "অনয়া রাধিতো নূনং" অস্থুম্না হাঙ্গজুনা লৌথৎলিবা নামনি; নামগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— মহিমাদি নাম পুন্নমক অচৌবা ওাক্তনি, অতুমকপু কলি কৌবা যুগ অসিদা অমোক শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈরিবা নাম অতুনা বিশেষ ওইনা হেল্লি (মাসিগী মরমদা য়ান্না সন্দোকনা সন্দর্ভদা হাঙ্গৈরি)। অতুনা নাম অতৈ হুপ্পেকতুনা কবিনা 'রাধা' হাঙ্গৈবা নাম অসি হাপ্পনি, অমসু শ্রীকৃষ্ণগী নাম 'কৃষ্ণ' হাঙ্গৈবনা নাম অতৈদগী প্রধান নামনি; অস্থুম্না শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈ। অতুবু 'মাধব' হাঙ্গৈবাসিসু শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈরিবা নাম অমনি। অতুনা কৃষ্ণ হাঙ্গৈদতুনা মাধব হাঙ্গৈরুবগী মরমদি "মায়াঃ ধবঃ"—লক্ষ্মীগী মবুঙোনি, হাঙ্গৈনা মাধব কৌই। কোটি কোটি বৈকুণ্ঠ খুদিংদা মবেমা ওইতুনা লৈরিবী লক্ষ্মী পুন্নমকতুনা সেবা তৌতুনসু লক্ষ্মী কোটি কোটিগী মবেম্মা শ্রীমতী রাধিকা নত্তুনা শ্রী-কৃষ্ণগী প্রেমগী তুংনফম অমা লৈতে। অতুনা লক্ষ্মী পুন্নমক অতুবু হুপ্পেকতুনা শ্রীমতীতগা সান্নবতদা শ্রীকৃষ্ণগী পরিপুর্ণ ওই, অতুনা— হন্দক্কী কাবাসিদা লেংগদৌরিবা বস্তু ওইবা— শ্রীরাধাকৃষ্ণগী লীলা অসিদি লক্ষ্মী পুন্নমক্না ফংবা নত্তে, হাঙ্গৈবা ভাব অতু উৎতুনা "রাধা-মাধব" অস্থুম্না লেংই। নাম অসিদা রাধানা হান্না হাঙ্গৈবগী মরমদি রস অসি আদিরসনি, অতুনা ইবেমানা প্রধাননি, অতুনা ব্যাকরণগী নিয়মনা ময়েক য়ামদবা "রাধা" হাঙ্গৈবা মিং অসিনা হান্না— মথক-থংনা কবিনা লেংই। অমসু ঋক্‌পরিশিষ্টনা মাসিমাসু হাঙ্গৈ, মাতুদি "রাধয়া মাধবো দেবো মাধবে নৈব রাধিকা।"— মাধবনা রাধাগা লোইনতুনা লৈ, রাধানা মাধবকা লোইনতুনা লৈ. অস্থুম্না হাঙ্গৈরিবদগী সর্ব্বশাস্ত্রদা রাধা হাঙ্গৈরগা মাধবপু অমসু মাধব হাঙ্গৈরগা মাতুগী মথক্তা রাধা হাঙ্গৈবসি প্রসিদ্ধ নাম অমনি। অমসু রাধামাধবয়োঃ অস্থুমনা ইতরেতর দ্বন্দ্বসমাস তৌবগী মরমদি শ্যামলবর্ণ কৃষ্ণনা দেবতা ওইবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বাগ্‌দেবতাচরিতচিত্রিতচিত্তসদ্মা,
পদ্মাবতীচরণচারণচক্রবর্ত্তী।
শ্রীবাসুদেবরতিকেলিকথাসমেত-
মেতং করোতি জয়দেব কবিঃ প্রবন্ধং। ২ ॥

বাগেদবতায়াঃ (য়াথংগী মশক ওইবী দেবতা—হাঙবদি সরস্বতী-গী, অর্থ অমদি য়াথংগী মপু শ্রীকৃষ্ণগী) চরিতেন (সরস্বতীগী পক্ষদনা প্রসাদ, মাধুর্য্যনাচিংবা গুণনা তিনবা অমদা ওইবা হৌনদবা কাব্য রচনা-না, শ্রীকৃষ্ণগী পক্ষদনা শ্রীবৃন্দাবনদা সান্নবা চরিতনা) চিত্রিতম্ (এক-লবা) চিত্তং সদ্মং যস্য সঃ (থমোইগী মশক ওইবা য়ুমনা মহাক্কী ওইবা) পদ্মাবত্যাঃ (পদ্মাবতীগী) চরণয়োঃ (চরণ অনিগী) চারণেন (সেবানা অর্থ অমদি জগোইনা) চক্রবর্তী (নিংথৌ অথোইবা ওইবা) জয়দেব কবিঃ (জয়দেব কৌবা কবি—ঐনা) শ্রীবাসুদেবস্য (শ্রীমতী রাধিকাগা লোইনবা শ্রীকৃষ্ণগী) রতিকেলিকথায়া (সুরতক্রীড়াগী ৱাহৈনা) সমে-তম্ (তিনবা) এতম্ (অসিগুম্বা) প্রবন্ধম্ (তারিবা মী পুন্নমককী থমোইবু ফানবা ওইবা রচনাসিবু) করোতি (তৌই) ।২॥

য়াথংগী মপুগী লিচৎনা এক্লবা থমোইনা য়ুম ওইবা, পদ্মাবতীগী চরণ অনিগী সেবা অমসু জগোইনা নিংথৌ অথোইবা ওইররা, জয়-দেব কৌবা কবিনা শ্রীবাসুদেবগী অথুপ্পা শানবগী ৱাহৈনা তিনলবা অসিগুম্বা রারেং অসিবু লেঙি ।২॥ *

—ব্যাখ্যা— আদিরসগী অনিমকনা আলম্বন ওইহুনা লৈবা ভাব অদু ফোংদোক্লবগী দমকনি ।১॥

* বাক্ (য়াথং) দেবতা (লাই) হাঙবা পদ অনিসি সমাস (সমস্ত)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— তৌরবা পদনি। মাগী অর্থনা য়াথংগী মশক ওইবা লাই অমুম্না কর্ম্মধারয়দ হাঙ্গৈরগা সরস্বতীবু হাঙ্গৈ। য়াথংগী লাই অমুম্না তৎপুরুষ সমাস ওইরগা শ্রীকৃষ্ণবু হাঙ্গৈ। কবিনা মফম আসদা বাক্-দেবতা হাঙ্গৈবনা সরস্বতীনে শ্রীকৃষ্ণনে অনিমকপু ইয়ায়ানা লেই। মরমদি—শ্রীকৃষ্ণগী চরিতপু সরস্বতীগী চরিত হাঙ্গৈবদি প্রসাদ, মাধুর্য্য, শব্দার্থালঙ্কারনাচিংবনা হুমিৎচুপ্পা লেংহুনা মাতৃতা খন্দুনা লৈখ্রবা কবি গুরু জয়দেবগী পুক্লিংনি (অতোপ্পা নায়ক নায়িকাগী চরিতপু খল্লুদর-বনি) অমুম হাঙ্গৈবা ভাবনি। অতুগুম্বা পুকনিং অতুনা য়ুম ওইবা হাঙ্গৈবদি চুম্নগী য়ুম্বু অএকপা লাই-ভিনসীংনা লৈতেংই, মাতৃগুমনা থমোইনা একফম ওইরগা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী চরিতনা এক্লব অতোপ্পা সংগী মচু ওইবা প্রসাদ, মাধুর্য্যনাচিংবা অলঙ্কারনা খুংএক ওইদুনা এক্লবা থমোইগী মশক ওইবা জয়দেব মহাক্কী আত্মাগী লৈনফম ওইবা শ্রী-রাধাকৃষ্ণগী মন্দিরনি হাঙ্গৈনা ফোংদোকই।

পদ্মং করেহস্তি যস্যাঃ ইতি পদ্মাবতী— 'শরাকীনারত" ইত্যনেন দীর্ঘঃ সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী শ্রীরাধা পদ্মাবতীত্যুচ্যতে—থম্বাননা মাগী খুৎতা লৈবীবু কৌই, মাতুদি লক্ষ্মী পুম্নমক্কী মশক ওইবী শ্রীমতী রাধিকাবু খংনগনি। অতুগুম্বী ইবেমাগী শ্রীচরণ অনিগী চারণ, হাঙ্গৈবদি—সেবা তৌজবনা চক্রবর্ত্তী ওইবা, হাঙ্গৈবদি শ্রীজয়দেবনা উপাসনা তৌরিবা অষ্টাক্ষর মহামন্ত্রগী মপু — দেবতা, মহাশক্তি হ্লাদিনী কৌবী শক্তিগী সার ওইবী ইবেমা মাগী অংশ অমত্তনা কোটি কোটি ওইবা বৈকুণ্ঠ-নাচিংবা ধামদা লক্ষ্মা ওইবী, মহাকপু— সর্ব্বলক্ষ্মীময়ী, সম্মোহিনী, পরা, গান্ধর্ব্বী অমুম হাঙ্গৈনা কৌবী— মহাভাবময়া বৃষভানুনন্দিনী শ্রীমতীবু খংনগনি। মাতুবু জয়দেব কৌব। কবিনা সেবা তৌজবমত্তনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— মাঙোন্দা কবিগী মতৌ ওইদুনা কবি পুন্নমক্কী অথোইবা কবিরাজ-রাজ ওইরবা জয়দেবনি, হাঙ্গৈ। ভাবতি অর্থ অমনবু জয়-দেবগী পত্নীগী মিংসু 'পদ্মাবতী' কৌই, মহাক্কী চরণয়োঃ— খোঙ্ অনিগী, চারণেন--জগোই খোঙচৎনা, চক্রবর্ত্তী--নিংথৌ অথোইবা ওইরে হাঙ্গৈবদি জয়দেবনা হরিলীলা রচনা তৌই, পদ্মাবতীনা মাদু শকতুনা জগোই শাই, মাদুমনা তৌবা সাধনা অদুমক্তনা হাঙ্গৈখ্রবা কবি পুন্ন-মক্কী অহেনবা ওইবা কবিরাজ রাজদু জয়দেব মহাক্কা ওইরে, হাঙ্গৈবনি। অর্থ অনিমক অসি শ্লোক অসিদা কবিনা হাঙ্গৈরিবা তাৎপর্য্যমকনি। মাদুগী মরমদি,—

কবি ওইবা হাঙ্গৈবসিদি মী অদুগী মশাদা লোইনরকপা বীজ অমা লৈ, মাদু লৈরভদা কবি ওইবনি, মী খুদিংমক্কা তাল্লগা হেক ফংবা নত্তে। অদুগুম্বা মপোক্কী ওইনা বীজ লোইনরকপা মী কবি ওইগদবা অদুনা "সরস প্রতিভাশালী"— রস খংবা প্রতিভা (অনৌ অনৌবা ব্যাখ্যা থোকপা বুদ্ধি) লৈবা মাদুগী মথক্তা শাস্ত্র ময়ামদু উবা, খংবা ওইরবদি উত্তম কবি ওই। "সবীজো হি কবির্জ্ঞেয়ঃ স সর্ব্বাগমকোবিদঃ। সরসঃ প্রতিভাশালী যদিস্যাদুত্তমস্তদা।" ইভি॥ অদুনা মশাদা বীজগা লোইনরকপগী মথক্তা জয়দেব কৌবা মহাক্কী শাস্ত্র পুন্নমক খংবা, অনৌ অনৌবা ব্যাখ্যা থোকপা বুদ্ধি লৈবা, মাদুগা লোইনদুনা মশাদা রসমু খংলে, অদুনা অসিগুম্বা চমৎকারকারী ওইবা রচনা অসি তৌগদবদা মতিকচাবনি হাঙ্গৈবা— "পদ্মাবতী" হাঙ্গৈবা বিশেষণ অসিনা তাকই। রস খংবা হাঙ্গৈবগী অর্থদি— "শৃঙ্গারী চেৎ কবিঃ কাব্যং জাতং রসময়ং জগৎ। স এবাশৃঙ্গারী যত্র সর্ব্বং বিরসতাং ব্রজেৎ॥"—কবি অদুনা শৃঙ্গাররস অদু মশানা খংলবদি মানা জেংবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— কাব্যদু রসনা তিল্লি, মরমদি কবি অদুগী মরিদা তাইবংপানবা পুন্নমক রসগী মশক ওই। কবি অদুনা শৃঙ্গার রসবু মশানা খংদ্রবদি মানা লেংবা কাব্যদা রস য়াওদে, অসুম্না অভিজ্ঞসিংনা হাঙ্গরি, অদুনা জয়দেবনা পদ্মাবতী কৌবী নিজ ধর্ম্মপত্নীদা ওইরিবা রসগী মতৌ অদু খংবা অদু "পদ্মাবতী চরণ চারণ চক্রবর্ত্তী" হাঙ্গবা বিশেষণ অসিনা ফোংদোকতুনা শৃঙ্গাররসবু মানা বর্ণন তৌরগা সরস ওইগনি হাঙ্গবা শ্লেষার্থ না ফোংদোকপনি। মাদুম্না তৌই হাঙ্গদুনসু অদুগুম্বা শৃঙ্গারগী অচম্বা ভাব অদুদা নিজ ধর্ম্মপত্নীদা জয়দেবগী পুক্নিংনা লুপ্পা নত্তে, হাঙ্গবা খংননবা— "চরণ চারণ চক্রবর্ত্তী" হাঙ্গ, মাদুগী অর্থদি— চরণ অনিগী জগোইনা চক্রবর্ত্তী ওই, হাঙ্গ। মাদুগী ভাবতি জয়দেবনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী চরিত অদু প্রসাদ মাধুর্য্যনাচিংবা চমৎকারকারী ওইবা রচনা তৌরগা রচিত কাব্য অদুবু পদ্মাবতী ঠাকুরাণীনা শকতুনা জগোই শাই, মাদুম্না তৌবা অদুমক্তনা অয়াম্বা আদিরসগী রস ভূমিকা ওইরবা জয়দেবনি, হাঙ্গবা ভাবনি। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভুনা অবতার তৌদ্রিঙৈগী মমাংদগীনা মধুর প্রেমরসবু আস্বাদন তৌখিবা পরম ভাগবতোত্তমসিংনা মাসুম্না আদিরসবু আস্বাদন তৌনৈ। মাসিদি কালিদাসগুম্না বারবনিতাদা আসক্ত ওইরুবা ভাব নত্তে। খুদমগী দমক— রায় রামানন্দনা জগোইশাবী মশক ফজবী যুবতীবু মখুৎমক্তা ঈরু-মাইথবীদুনা একান্তস্থানদা মফি·মরোন লৈতেংবিদুনা শ্রীকৃষ্ণগী লীলা মহাক্না লেংবা "পহিলহি— নচিংবা" দু শরুবা থমই। মাদু তৌই হাঙ্গদুনসু নুপী অদুদা রামানন্দগী করিসু ভাব তৌখিদে। সুপ্নগী শ্রীকৃষ্ণগী মধুর প্রেমরসবু আস্বাদন তৌবা ফংনবতা তৌখি। মাদুবু খংদ্রবদি লম্বোইবসু য়ারক্তে,। খুদমগী দমক ঐখোইনা পৃথিবীগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— ইতিহাসতা উই, মাতুদি পোকপদগীনা লম্বোইরবা সাক্ষাৎ শঙ্করাবতারী আচার্য্য শঙ্করনা বেদান্তগী অদ্বৈত মত প্রচার তৌদৈদা উভয় ভারতীগা শাস্ত্রার্থ তৌনবদা রস ইখং খংদ্রতুনা মাইথিখরবদগী রস খংননবগী দমক শিরমদাই ওইরবা নিংথৌ অমগী গর্ভদা চংতুনা শৃঙ্গাররস খংলুই, মাতুদা রসগী নুঙাইমনখিতুনা শঙ্করাচার্য্যনা থোরকপা কাউরবদগী শিষ্যসিংনা "মোহ-মুদ্গর" কৌববু শকউতুনা মাতু তারগা নিংসংলকতুনা রস খংলগা অমোক থোরকই। যাস্তুমনা রামানন্দনা আচার্য্য শঙ্করনা রস তম্বা অতু জয়দেবগীদি নিজ ধর্ম্মপত্নী পদ্মাবতীদগী তমই হাঙ্গৈবা মহাক্কী বিশেষণ পদ অসিনা তাকপতনি। হুজিককী কালগী কনা কনাগুম্বাসিংনা অসিগুম্বা তাৎপর্য্য অসি এংশিনবিদতুনা জয়দেবগী ঠাকুরাণী পদ্মাবর্তীবু দেবদাসীনি (১) হাঙ্গজিনবি, কনা কনাগুম্বনা অতোনবাসিংনা কিশোরী কৌবা ভজন মখন অমা হৌদোকতুনা মাখোইগী ভার্য্যাবু রাধা, মশাবুনা কৃষ্ণনি, অসুম হাঙ্গনা নিংবা ভজন মখন অমা চৎনরি। মাতু চৎপা কাংবু অতুনা পরম ভাগবতসিংগী তাৎপর্য্যদি খংদতুনা জয়দেবনাচিংবা আদিরসিকসিংনা তৌখিবা অতুবু মাখোইগী ভজন, জঘন্য বৃত্তি অতুনি হাঙ্গজিল্লি, মাতুদি ওন্থোকনা চুমদে। ঐথোইনা ইতিহাস বিদ্বানস্ত প্রমাণ তৌবা ঙমই, মাতুদি কিশোরী ভজনদি তন্ত্রগী কুলাচার ধর্ম্মদগী লৌবনি। মাতু হৌদোক্লকপদগী শ্রীনিত্যানন্দগী মচানা হৌদোক্লম্বনি, কাইনথংগীনি। জয়দেবনাচিংবগী মতমদা কিশোরী ভজন লৈতে।

(১) দেবদাসী কৌবদি— মমা-মপা, মচিন্মনাওনচিংবা লৈত্রবী নুপী মচাবু দেবমন্দিরদা য়োক্লগা বেশ্যাবৃত্তি তৌহনবী নুপীবু দেবদাসী কৌই, মাসি দক্ষিণভারতলোমদা থাইনা চৎনরমই।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— মীওইবগী চৎনবা শ্রেয়ঃ কৌবা অমা, প্রেয়ঃ কৌবামা লম্বেন অনি লৈ, লম্বেন অনিসিদা প্রেয়ঃ কৌবদু চৎপা মীনা তাইবং পানবগী অরাবসি হন্দক্কী মপোক্তস্থু হয়েংমুক্কী মপোক্তস্থু ফংই। শ্রেয়ঃ কৌবা লম্বেননা মীওইবগী হিংলিঙৈদা শিরগস্থু অনিমক্কী ফননবনি, অস্থুন্না বেদনা হাঙ্গৈ। ধর্ম্মশাস্ত্রনা হাঙ্গৈরি শ্রেয় পাম্বা মীনা "আত্ম-নাম গুরোনাম নামাতি কৃপণস্য চ। শ্রেয়স্কমো ন গৃহ্নীয়াৎ জ্যেষ্ঠ-পুত্রকলত্রয়োঃ ॥"— মশাগী মিং, গুরুগী মিং, অরিকপা মীগী মমিং, মচা-নিপা অহনগী মিং অমস্থু মতুগী মমিংবুদি হাঙ্গৈফদে, অস্থুমনা হাঙ্গৈ। অমস্থু ভার্য্যাগী মরিদা ওইবা প্রেমদি ফোংদোকফরে "রহোবিহারঃ ক্বচ নাস্তি দৃষ্টং সত্যং স্বকান্তা প্রণয়াদিকম্" অস্থুন্না শাস্ত্রনস্থু হাঙ্গৈ। অদুগা লোকতা চৎনবদস্থু কান্তা প্রণয়দি কনা অমতস্থু ফোংদোরুদে, অদুবু জয়দেবনা করিগী ফোংদোকপগে ? মাস্থুন্না চিংনবা য়াদে। মরমদি কবিসিংগী বচনদা শব্দবিন্যাসগী হৈ-।সংবনা অমোক্তা ওইনা হাঙ্গৈবা রাহৈনা অর্থ ময়াম ফোংদোকপদি কবিগী হৌনবিনি। অদু-গুম্বা লোকোত্তর চমৎকারকারী ওইবা কবিগী রচনাগী পাঙ্গলনা অদু-গুম্বা অর্থ অদু ফোংদোকৃপদা মহাক্কী মমিংনচিংববু কাব্যদা লেংশিন্বা অসিদি শিষ্টসিংনা তৌনবা ওইবনা শ্রীজয়দেবগী নিজপত্নী-নাম প্রয়োগ তৌবনা শ্রেয়ঃগী লম্বেন থুগাইবা লৈতে। নিজকান্তাগী প্রণয় লেং-থোকপস্থু দোষ লৈতে, মরমদি ভক্তশ্রেষ্ঠ জয়দেবগীদি ভগবান্‌গী প্রেম-গুম্বা প্রেম বিশেষনা ভক্তদস্থু ওই, ভক্তনে ভগবান্‌নে অনিগীদি—লোকোত্তর চরিতনি, মীরম্বেনদ্য ওইরিবা প্রণয় অসি নত্তে। চুম্নগী মীরম্বেনদা ওইরিবা প্রণয় আসদি ঈশ্বরদা ভক্তদস্থু লৈতবনা মাদুবু যোগীশ্রেষ্ঠ শ্রীশুকদেবনা অমস্থু ভীষ্মনাচিংবনা সভা ময়াইদা থাগৎ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— নরিবনি। অতুনত্রবদি ঈশ্বরগী শৃঙ্গারবু বর্ণন তৌরবদি মমা-মপাগী শৃঙ্গার বর্ণন তৌবগুম্না কাব্যগীসু দোষ ওইগদবনি। ঈশ্বরগী প্রেম অতৈদগীসু ব্রজপ্রেম হাঙ্গৈবাসিনা অমোক ইতোং তোঙানবা অমনি। ব্রজপ্রেমবু মাসিনি হাঙ্গৈনা চিন্না হাঙ্গৈদোকপা থোকতে। মরম অসিনা উদ্ধবনা উরুত্নুনা হাঙ্গৈরমই,— "কৃষ্ণে ক চৈষাপরমাত্মনি রূঢ় ভাবা।" ভীষ্মনা শিরমদাইদা হাঙ্গৈরমই,—"কিল যস্য গোপবধ্বঃ।" শ্রীমতী রাধিকানাচিংবী ব্রজদেবীসিংদি মীগুম্না তুম্বা, মঙ মঙবনচিংবা রজোগুণগী বৃত্তি লৈতে। অতুগুম্বী গুণাতীত ওইবী হ্লাদিনী শক্তিগী সার ওইবী ইবেমাসিংদা ওইরিবা প্রেম অতুদি শ্রীমদ্ভাগবতকী ভাষাদা "রূঢ়ভাব" কৌই। অতুগুম্বা লোকোত্তর ক্রীড়াবু জয়দেবগী লোকোত্তর চমৎকারকারী রচনানা লেংগদৌরি। অতুগুম্বা জয়দেবগী বচন খিবিক অতুনা রস পুম্নমক্কী তুংনফম ওইবা শ্রীমদ্ভাগবতকী ব্রজপ্রেমবু গীতগোবিন্দগী মতাং মতাং খূদিংদা কবিরাজ-রাজ জয়দেবনা ফোংদোক্লক্কনি, মাতুবু ঐখোইনা মতাং মতাং খূদিংদা উরক্কনি।

শ্রীবাসুদেব রতিকেলি কথা সমেতম্— হাঙ্গৈবদি শ্রী হাঙ্গৈবনা শ্রীমতী রাধিকাবুনি, মাতুগা লোইনরবা বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণগী সুরতক্রীড়া কথানা তিনবা, অসুম্না খংনগনি।

শ্রী হাঙ্গৈবনা অয়াম্বা লক্ষ্মীগী মবেমা শ্রীমতীবু সর্ব্বশাস্ত্রদা খংনরি। মাতুগুম্না বাসুদেব হাঙ্গৈবসু শ্রীকৃষ্ণগী নাম অমনি। মাতুদি মায়াগী গুণ পকত্রবা পুক্নিং অপাম্বা, অশাওবা, লোনিংবা, অঙকপা, ময়াইকাবা, নুংনাংবা অসিনচিংবা য়াওদবা সুপ্নগী তশেং তশেংবা পুকনিং কৌবা পোৎশক অতুবু "বসুদেব" কৌই। অতুগুম্বা পুকনিং অতুদা ইবুংঙো মাবু সংসংনা উবা ফংই হাঙ্গৈতুনা শ্রীকৃষ্ণবু "বাসুদেব" কৌই।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

যদি হরিস্মরণে সরসং মনো. যদি বিলাসকলাসু কুতূহলং।
মধুরকোমলকান্তপদাবলীং শৃণু তদা জয়দেবসরস্বতীং। ৩॥

পদান্বয়—যদি (মতম অত্তুদা) মনঃ (পুক্লিংনা) হরিস্মরণে (হরিগী স্মরণদা) সরসম্ (পান্নবা) যদি (মতম অত্তুদা) বিলাসকলাসু (নুপীগী বিলাস কলা পুন্নমক্তা) কুতূহলম্ (উনিংবা-খংনিংলবা) তদা (মতম অত্তুদা) মধুরকোমল কান্ত পদাবলীম্ (নিংথিরবা মেংলবা পান্নবা ওইবা ৱাহৈগী পরেংনা তিনবা) জয়দেবসরস্বতীম্ (জয়দেবগী য়াথংবু) শৃণু (তাউ)। ৩॥

শ্রীকৃষ্ণবু তত্তুনা নিংসংবদা পুক্লিংনা পান্নবদি অমসু নিংথিজরবী নুপীগী ভাবকী মওংবু উনিং-খংনিংলবদি ফজরবা, মেংলবা, তাবতদা পান্নবা ওইবা, জয়দেবগী য়াথং অসি তাউ।৩॥ *

—ব্যাখ্যা— অমসু শ্রীভাগবতনা মাসিমাসু হাঙ্গৈ, মাত্তুদি—বসুদেবগী মচা ওইনা দেবকীগী গর্ভদা পোকই হাঙ্গৈবত্তুসু শ্রীকৃষ্ণবু "বাসুদেব" কৌই, মাসিমাসু অর্থনা খংহল্লি, মাত্তুদি দ্রোণ কৌবা বসুনা পোকই, হাঙ্গৈত্তুনা নন্দবু "বসু" লাইনি হাঙ্গৈত্তুনা "বসুদেব" কৌই, অত্তুনা নন্দগী মচা ওইনা ব্রজধামদা সান্নে হাঙ্গৈত্তুনা ব্রজরাজ-নন্দন শ্রীকৃষ্ণবু "বাসুদেব" কৌই। হন্দক্কী ঈশৈ অসিসু "সম্ভাবিতা গীতি" নি, থমোইবু য়ুম ওইনা হাঙ্গৈবনা অলঙ্কারনা "রূপকালঙ্কার অমসু অনুপ্রাস" নি। ছন্দনা বসন্ত-তিলকনি। গুণনা ওজনি। রীতিনা গৌড়ীয়ানি। বৃত্তিনা ভারতীনি।২॥

* হরি হাঙ্গৈবদি ভক্তজনসিংগী সংসারগী তাপ মাংহনবা, ব্রহ্মানা-চিংবা জীবগী পুক্লিংহুবা হরিবু গঙ্গাগী ঈচেন্না সমুদ্রদা অতৎপা লৈতনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—ব্যাখ্যা— তাবা অতুগুল্লা পুক্লিংনা থাদোকপা লৈতনা নিংবা হাঙ্গৈবা-সিবু পান্নবদি অমস্থ বিলাস কলা থিবিক্তা হাঙ্গৈবদি নুপী ওইবী নিং-থিজবীনা পামুবা নুংশিববু উরগা থমোইদা পোক্লিবা ভাব মখল অতুনা মথন্তগী মশাবু লৈরি হাঙ্গৈবা কাওতুনা হেক চৎপা, হেক ইখং খংদনা ফম্বা, ওন্থোক ওন্থোকপা মিৎ, চিন্নাচিংবদা ওইরিবা অঙ্গবিকার, অতুগা নিপা ওইবসিংনা নুংশিবীবু উরগা তপ্পা এংবা, অকনবা যণলাবগুম্না কান্দুনা কান্দুনা চৎপা, নত্রগা ইখং খংহোদনা হেক চৎপা, মোমোন নোকতুনা ৱা ঙাংবা অসিনচিংববু বিলাস কৌই। অতুগুম্বা বিলাস-নাচিংবগী কলাসিং অতুদা কৌতুক—খংনিংলবদি জয়দেবগী মধুর (ফজবা) কোমল (তমেং তমেংবা), কান্ত (তাবদা পান্নবা ওইবা) পদাবলীং (ৱা-হৈগী পরেংসিং) তাউ। মধুর (ফজবা হাঙ্গৈবসি মখন অনিনি,—খোঞ্জেনদা ফজবা অমা, অর্থদা ফজবা অমা। খোঞ্জেনদা ফজবনবু ৱাহৈ পদবু তোঙান তোঙান লেংবা, অর্থদা ফজবা হাঙ্গৈবনা — খুৎ হাঙ্গৈগদবদা খুৎ থম্বাল হাঙ্গৈবনাচিংবা, অর্থদা বিচিত্র ওইবা), কোমল (তমেং তমেংবা হাঙ্গৈবস্থ মখন অনিনি, মাতুদি— শব্দদা মেংবা, মাতুনা ৱাহৈ অমগা অমগা লেংসিনবদা কনসিনহন্দবা, অর্থদা মেংবা মাস্থম্না অর্থদস্থ তমেং তমেংবতা হাঙ্গৈবা, মাতুদি 'শিরে' হাঙ্গৈগদবদা "নিংথবা মিংচত্তা লৈহৌরে" অস্থম হাঙ্গৈবনাচিংববু অর্থদা মেংবা কৌই), কান্তা (পান্নবা ওইবা হাঙ্গৈবতুস্থ মখল অনিনি, মাতুদি— লেংলিবা শব্দদা ফজবনা পুক্লিং নাকোংগী তানিংতুনতা লৈবা, মাতুদি কাঠোর্য্যং হাঙ্গৈ-গদবদা কাঠিন্যং হাঙ্গৈবগুম্বা অমা, অমনা অর্থদা পান্নবা ওইবা অমা, মাতুদি—দীপ্তরসনা তিনবা, হাঙ্গৈবদি রসবু মপুংফানা খংহনবা অস্থম্না খংনগনি)। অতুনা জয়দেবগী সরস্বতী হাঙ্গৈবদি লোকোত্তর চমৎকার

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বাচঃ পল্লবয়ত্যুমাপতিধরঃ সন্দর্ভশুদ্ধিং গিরাং,
জানীতে জয়দেব এব শরণঃ শ্লাঘ্যো দুরূহদ্রুতে।
শৃঙ্গারোত্তরসৎপ্রমেয়রচনৈরাচার্য্যগোবর্দ্ধন,
স্পর্দ্ধী কোঽপি ন বিশ্রুতঃ শ্রুতিধরো ধোয়ী কবিক্ষ্মাপতিঃ ।৪॥

পদান্বয়— উমাপতিধরঃ (উমাপতিধর কৌবা পণ্ডিতনা) বাচঃ (য়াথং খিবিকপু) পল্লবয়তি (সন্দোকই) জয়দেবঃ এব (জয়দেবতনা) গিরাম্ (য়াথং খিবিক্কী) শুদ্ধিম (অশেংববু) জানীতে (খঙি) শরণঃ (শরণ কৌবা কবিনা) দুরূহদ্রুতে (অরুববু থুনা লেংথোকপগী) শ্লাঘ্যঃ (থাগৎনবা ওই) শৃঙ্গারোত্তরস্য (শৃঙ্গারনা অথোইবা ওইবা) সৎপ্রমেয়স্য (অথোইবা পোৎশক্কী) রচনৈঃ (রারেং খিবিকনা মরম ওইদুনা) স্পর্দ্ধী (সিংনবা য়াবা) কঃ অপি (কনাগুম্বা অমত্তা)

উমাপতিধরনা রাহৈশেংনা লেংথোকপা হৈ, জয়দেবনা পুন্নামক্কী অশেংবা খংঙি, শরণ কবিনা অরুবা মরম্ব থুনা লেংথোকপদা ফাউই,

কারী রচনা অসি তাগদবনি, হাঙবা ভাহনি। হন্দক্কী রাফম অসিনা খংহন্লবদি "শ্রীহরিবু স্মরণ তৌবনা গ্রন্থ অসিগী প্রয়োজননি, মধুর প্রেমরসম্ব আস্বাদন তৌবনা আবান্তর (মনুংচনবা) প্রয়োজন (কান্নবা-পঞ্চপুরুষার্থ) নি. গীতগোবিন্দগা শ্রীকৃষ্ণগা আন অসিগী স্মার্য্য স্মারক নিংসংহন্বা, নিংসংলিবা কৌবা সম্বন্ধ (মার) নৈ, গ্রন্থ অসিবু তাগদবা পাগদবা বৈষ্ণব, মাতুমক্তি মধুর প্রেমভক্তাসংনা অধিকারনি, হাঙবা শাস্ত্রগী মখল অহুম আস উৎলি। শ্লোক অসি দ্রুতবিলম্বিত ছন্দনি। দীপকালঙ্কারনি, পঞ্চালীরীতিনি, কৌশিকী বৃত্তিনি ।৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ন বিশ্রুতঃ (ফাউদোক্তে) কবিক্ষ্মাপতিঃ (কবি অথোইবা) ধোয়ী—(ধোয়ীনা) শ্রুতিধরঃ (তাবদা হেক্তা ফাবা ওই) ।৪।।

গোবর্দ্ধন আচার্য্যনা শৃঙ্গার রসবু ইখ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকনা লেংবদা মপা লৈ হাঙ্গৈবা ভাইবংদা তাদে, ধোয়ী কৌবা কবি অথোইবনবু তাবদা হেক্তা ফাই অসুম্না ফাউই ।৪।। *

* ব্যাখ্যা— উমাপতিধর হাঙ্গৈবসি লক্ষ্মণসেনগী মন্ত্রীনি, মহাক্না ব্বাহৈ শাংনা লেংথোকপা হৈ, অদুনা মানা লেংবা কাব্যদি ফজদে শব্দগী অর্থগী গুণ লৈতে অদুনা থমোইপানবসীংনা পামনদে. শরণ কৌবা কবিনা অরুবা মরম্থু থুনা লেংবা হৈ, অদুনা মানা লেংবা কাব্যদি থুনা আর্থনাচিংবা খংদবনা মীনা থাগৎনদে, প্রসাদনাচিংবা গুণ য়াওদে । গোবর্দ্ধন আচার্য্যনা শৃঙ্গার রসবু ইখ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকনা লেংবদা মপা লৈতে. অদুনা মাগী কাব্যগী হাঙ্গৈদবা মরু ওইবদা মপুং ফাইদি হাঙ্গৈববু মাধূর্য্য কৌবা গুণনা তিনবা পদ হাপ্পদি ঙমদে. অদুগা রস অতৈ লেংবা ফজদে অদুনা আচার্য্য-ত আচার্য্যনি কবিদি ওইদে। ধোয়ী কৌবা কবি অথোইবনা তারগা হেক্তা ফাই ফাগনবনি। লেংবা হৈবা কবি নত্তে অর্থাৎ ব্যাখ্যাতৃ ভূমিকানি, নির্মাতৃ ভূমিকা নত্তে। অদুনা য়াথংগী অশেংবা লেংবাদ হাঙ্গৈবদি গুণালঙ্কারনাতিনবা গ্রন্থ রচনাদি জয়দেবতনা খংই । অদুনা জয়দেবগী কাব্য নত্রবদি অতৈ অতোপ্পগী কাব্য তাবদি মী ওইবগী মাতুপ হাক্না পেনফম লৈতে। মাসিদা হাঙ্গৈরিবা. কবিসীং অসি কনা-গুম্বা টীকাকারনা "শ্রুতিধর": হাঙ্গৈবসি কবি অমগী মমিংনি হাঙ্গৈনা লৌই টীকাকারসীংনদি মঙাতা ওইনা লৌনৈ। মাখোইসি লক্ষ্মণসেন

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অষ্টপদী ১।

মালবরাগেণ রূপকতালেন গীয়তে।

প্রলয়পয়োধিজলে ধৃতবানসিবেদম্,
বিহিতবহিত্রচরিত্রমখেদম্।
কেশব ধৃতমীনশরীর জয় জগদীশ হরে। ধ্রু।১।

পদান্বয়—কেশব (হে কেশব) জয় (ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তুগী হেন্না লৈয়) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (হে ভক্তগী অৱাবা মাংহনবা) ধৃত মীনশরীর (হে ঙাগী হকচাং লৌবা) প্রলয়-পয়োধিজলে (প্রলয়গী মতমদা অমত্তা ওইনা তিনসিন্নখরবা সমুদ্র ময়ামগী ঈশিংদা) বিহিত বহিত্র চরিত্রম্ (হিগী মতৌবু ওইরত্নুনা) অখেদম্ (অৱাবা লৈতনা) বেদম্, ধৃতবান্ অসি (বেদবু নংনা লৌখৎপনি) ।১।।

হে কেশব ! ইবুঙো নংনা পুন্নামক্তুগী হেন্না লৈবা ওইয়ু, মরমদি নংদি মরোল তারামরিগী মপুনি, অমসু ভক্তগী অৱাবা মাংহনবনি. হাঈদবরা ? হে অচুম ওইবও ! ইবুঙো নংনা ঙাগী হকচাং ওইত্নুনা

—নিংথৌগী সভাপণ্ডিত ঙাক্তুনি। হন্দক্কী শ্লোক অসিনা জয়-দেবনা কবি পুন্নমক্তুগী ইহেন হেল্লি হাঈবাস উৎাল, তৌইগুমসু জয়দেবনা কবি পুন্নমক্তুগী ইহেন হেল্লি হাঈনা আত্মশ্লাঘ্য তৌবদি নত্তে, জয়দেবনা অওইবতা হাঈবতান অওইবা কবিশং অতুগী মাতক মগুণ অচু থাবতনি, অতুদা ময়েক্না তাবদা মহাক্না হেনবত্ন থোক-চবতনি। শ্লোক অসি শার্দ্দূল বিক্রীড়িত ছন্দনি, অলঙ্কারনা--সমুচ্চয়ান ।৪।।

—:(*):—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ক্ষিতিরতিবিপুলতরে তব তিষ্ঠতি পৃষ্ঠে,
ধরণিধারণকিণচক্রগরিষ্ঠে।
কেশব ধৃতকচ্ছপরূপ জয় জগদীশ হরে। ধ্রু। ২॥

কেশব (হে কেশব) ধৃত কচ্ছপরূপ (হে থেঙ্গুগী রূপ লৌবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেনবা ওইয়ু) জগদীশ (হে মরোন ভরামরিগী মপু) হরে (হে ভক্তগী অরাবা কোকহনবা) তব (নংগী) অতিবিপুলতরে (পাকচাউরবা) ধরণিধারণকিনচক্রগরিষ্ঠে (পৃথিবীবু পুবগী অহৈব ময়ামনা য়াম্না লৈরবা) পৃষ্ঠে (নঙ্গন্দা) ক্ষিতিঃ (পৃথিবীনা) তিষ্ঠতি (লৈ)। ২॥

প্রলয় ওইরদুনা তাইবংপানবনা ঈশিং ডাক্তা ডাইরবা মতমদা ঈশিংদুদা হিগুন্না ওইদুনা অরাবা লৈতনা বেদ মরিসকপু লৌখৎপনি।১॥ *

হে কেশব, থেঙ্গুগী মশক লৌবা ইবুঙো! নংনা পুন্নামক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু, মরমদি ইবুঙো নংদি মরোল তরামরিগী মপুনি, অমসু

---

* ১। ব্যাখ্যা—প্রলয়পয়না হৌবা, ঈশৈ অসি মালব রাগ, রূপক তালনা শকই, অলঙ্কারনা উপমানে অতিশয়োক্তিনে অনিনি, অৰ্দ্ধ মাগধী রীতনি, রসনা বীর রসনি, উৎসাহনা স্থায়ী ভাবনি; নায়কনা ধীর ললিতনি; মাসুম্না দশবতারগী ঈশৈ তরামক্তা খংনগনি। অহৌবা ঈশৈ অসি "কেশব" হাঙ্গবনা হৌবা পাদ অসিনা "ধ্রুব" পদনি হাঙ্গবদি মাসি হঞ্জন হঞ্জন হাঙ্গগনি "ধ্রুবত্বাচ্চ ধ্রুবঃ জ্ঞেয়ঃ" অসুম্না সঙ্গীত শাস্ত্রনা হাঙ্গবা খংনগনি, অতুগা শকপা মতমদদি "কেশব" হাঙ্গবা পদ আস "কেশব, কেশব" অসুম্না অনিরক হন্না হাঙ্গগনি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বসতি দশনশিখরে ধরণী তব লগ্না,
শশিনি কলঙ্ককলেব নিমগ্না।
কেশব ধৃতশূকররূপ জয় জগদীশ হরে। ধ্রু ।৩।।

কেশব (হে কেশব) ধৃত শূকররূপ (হে ওক্কী রূপ লৌবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেন্বা ওইয়ু) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (হে ননাইগী অরাবা মাংহন্বা) তব (নংগী) দশনশিখরে (য়া মতোন্দা) শশিনি (থাদা) নিমগ্না (লুপ্তুনা লৈবা) কলঙ্ককলা

ননাইগী অরাবা মাংহনবনি, হে অতুম ওইবও! ইবুঙো নংনা নহাক্কী পাল্লবা চাউরবা ননঙ্গন্দা লৈপাক লৈমবু হাপ্তুনা পুরকপা, লৈপাক মরোল মরোলনা মসিং য়াম্মনখিবনা অমসু মতম কুইমনখিবনা ননঙ্গন্দো অহৈবা ময়ামনা থল্লবনি, অদুগুম্বা নঙ্গন্দা হুজিক ফাউবা লৈপাক লৈমাবু নংনা হাপ্তুনা পুবিরি ।২।। *

হে কেশব! ওক লাবগী মশক লৌবা ইবুঙো নংনা পুন্নামক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু, মরমদি ইবুঙো নংদি মরোল তরামরিগী মপুনি,

---

* ব্যাখ্যা— তিষ্ঠতি— হাঙ্গবা ক্রিয়াপদনা বর্ত্তমান ওইবনা নিত্য প্রবৃত্ত বর্ত্তমান ওইতুনা হুজিক ফাউবা কুর্ম্মদেবগী নঙ্গন্দা পৃথিবীবু পুবিরি হাঙ্গবা থংহল্লি। কিণ হাঙ্গবদি তকপা খোৎপনাচিংবদগী হৈবা মফম্মু কৌই, মাতুগী চক্র—মপৈ, হাঙ্গবদি—কল্প কল্প খুদিংদা পৃথিবীনা অমুক মাংথিবা, অদুগা অমোক অনৌবা লৈপাক শেমগৎপা মাসুম তৌতুনা পৃথিবীতা মহোংবা, ইবুঙো মাদি ইহোং হোংদবনা পৃথিবা অমমন্না লৈরম্বগী মফম অমমম হৈহৌবনা য়াম্মনখিতুনা ইবুঙো মাগী নঙ্গল অদু অহৈবা মফম্না থল্লে অসুন্না কবিনা কল্পনা তৌবনি ।২।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তব করকমলবরে নখমদ্ভুতশৃঙ্গং,
দলিতহিরণ্যকশিপুতনুভৃঙ্গং।
কেশব ধৃতনরহরিরূপ জয় জগদীশ হরে। ধ্রু।৪॥

(অমকপনা) ইব (তৌবগুন্না) ধরণীঃ (পৃথিবীনা) বসতি (লৈ ।৩।

কেশব [হে কেশব] ধৃত নরহরিরূপ (হে নরসিংহ রূপ লৌবা) জয় (ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তুগী হেনবা ওইনা লৈয়্) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (হে ননাইগী অৱাবা মাংহনবা) তব (নংগী) করকমলবরে (অথোইবা থম্বান ওইবা নখুত্তা) দলিতহিরণ্যকশিপুতনুভৃঙ্গম্ (থদৎলবা হিরণ্যকশিপুগী হকচাংনা খোইমু ওইবা) অদ্ভুতশৃঙ্গম্ (অঙকপা মতোন ওইবা) নখম্ (খুজিন্না নিংখিরি) ।৪॥

অমসু ননাইগী অৱাবা মাংহনবনি, হে অতুম ওইবও হাইদবরা ? ইবুঙো নংগী নয়াগী মতোন্দা লৈপাক লৈমনা থাদা মাহিং পকপগুন্না লৈরিবনি।৩॥ *

হে কেশব ! তঙ্খাই অমা মী, তঙ্খাই অমা নোংশাগী মশক ওইবা হে ইবুঙো ! নংনা পুন্নামক্তুগী হেন্না লৈবা ওইয়ু, মরমদি ইবুঙো নংদি মরোল তরামরিগী মপুনি, ননাইগী অৱাবা মাংহনবনি, হে অতুম ওইবা ইবুঙো ! নংগী নখুৎ খম্বাল অথোইবদা হিরণ্যকশিপু হিংচাবগী

---

* ব্যাখ্যা — নিমগ্না (লুপলবা) কলঙ্কা (অমকপা কলা) হাঙবা ৱাহৈ অসিনা মতাং অসিদা য়াউরিবা শশিনি (থাদা) হাঙবসি মচেৎ ওইনা থোকলিবা থানৌরকপগী থাবু খংহল্লি, মাতুনস্থু ওল্লাবগী মশক লৌরিবা ইবুঙোগী য়াগা পান্দম্নবসু চাই, মাসি উপমা অলঙ্কারনি।৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ছলয়সি বিক্রমণে বলিমদ্ভুতবামন,
পদনখ নীর জনিতজনপাবন।
কেশব ধৃতবামনরূপ জয় জগদীশ হরে। ধ্রু ।৫॥

কেশব (হে কেশব) ধৃতবামনরূপ (হে বামনগী মশক লৌবা) জয় (ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়্) জগদীশ (হে মরোন তরামন্নিগী মপু) হরে (হে ননাইগী অন্নাবা মাংহনবা) পদ-নখ-নীর-জনিতজনপাবন (হে নখোং খুজিনগী ঈশিংনা জীবব্ শেংবিবা) অদ্ভুত-বামন (হে অঙকপা খোংনেম্বা) বিক্রমণে (নহাক্কী পাঙ্গন্দা) বলিম্ (বলিব্) ছলয়সি (নংনা নমহৎপনি) ।৫।

থদৎপিরবা হকচাংনা খোইমু ওইনা তোংলিবা, অতুনা অঙকপা মতোন ওইবা খুজিন্না ভাম্বোইরি ।৪।। *

হে কেশব। হে বামনগী মশক ওইবা। নংনা পুন্নামক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়্, মরমদি ইবুঙো নংদি মরোল তরামন্নিগী মপুনি, অমসু ননাইগী অন্নাবা মাংহনবনি, ইবুঙো নংগী নখোঙ খুজিন্দগী থোকপা

* ব্যাখ্যা— মাসিদা হিরণ্যকশিপুগী হকচাংবু খোইমু ওইনা হাঙবা খুৎপুনা থম্বাল ওইনা হাঙবনা রূপক অলঙ্কারনি, অতুগা চুন্নগী খোইমুদি থম্বালগী মতোন্দা থুগাইদুনা তোংলগা মমুংদা চংদুনা থম্বানগী লৈহিবু চুপ্তুনা খোইমুগী মপুক থন্দুনা মুভাই, নরহরিগী খুৎ থম্বানগী মতোন-সিদি খোইমুবু মানা থিঙ্গাই, অমসু খোইমুগী মশক অতুগী ঈ লৌই, অতুনা হরিগী মখুৎ থম্বান মতোন ওইবা খুজিন অসিদি অঙকপনি অসুম হাঙবা ভাব অসিনা মফম অসিদা কবিনা "অদ্ভুতশৃঙ্গম্" অসুমনা লেংই ।৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঈশিংনা থৱাইপানবা পুন্নমকপু পাপ্তগী শেংবিবও ! হে অঙকপা খোঙনেম্বা ! ইবুঙো নংগী পাঙ্গলনা বলি নিংথৌবু নংনা নমহৎলি ৫। *

* ব্যাখ্যা— পৌরাণিকক্কী কথা লৈ, অহানবদা অদিতিগী মচা অমা ওইনা পোক্লগা মখোং নেমই হাঙ্গৈহুনা মমিংনা বামন কৌই। বলি নিংথৌদা খোংফম অহুমদা পীয়ু হাঙ্গৈহুনা নিথি। বলিনা পীগে হাঙ্গৈবদা ঙহাক্তদা খংচাও চাওথোকখিহুনা খোং নামনা লৈপাক পুন্নমক থনখরে, মতমহুদা বলিনা পূজা তৌগে হাঙ্গৈনা পাইরিবা ঈসিং অহুনা ইবুঙো মাগী চরণদা হৈবদা চোংপা ঙমদরে, অহুনা সুপগী খুজিন খজিক্তং চোংলি, অহুগুম্বা খুজিন চোংনরুবা ঈসিং অহুনা পৃথিবীগী মথক্তা তাবিহুনা জীব পুন্নমকনা শেংনরি। মখন অমনবু খোং নামনা মথক্তা স্বর্গদা থিঙ্গৎথি,, মাহুনা স্বর্গলোক মথং মথং থিঙ্গাইহুনা কাখিবদা ব্রহ্মলোক য়ৌরবদা ব্রহ্মানা মাগী কমণ্ডলুদগী ঈসিংনা হৈহুনা পূজা তৌথি। অহুগুম্বা ভগবান্ বামনগী খুজিন্দগী চেন্থখিবা ঈসিং অহুনা থরাইপানববু শেংবিরি। মখন অমনবু থিঙ্গৎখিবা বামনগী চরণ অহুনা তাইবংপান মায়ানা শেম্লিবা অসি হেঙ্গৎখিহুনা বৈকুণ্ঠলোক য়ৌখ্রে,, বৈকুণ্ঠগী থাঙ্গপাৎ বিরজা কৌবীগী ময়াইদা চরণগী মতোন্না থিঙ্গাইরুবদগী মথারোমদা মথং মথং চেন্থরকপা চরণগী ঈসিং অহুনা শ্রীগঙ্গাগী মশক ওইহুনা মরোন তরামরিগী জীব পুন্নমকপু শেংবিরিবা, হাঙ্গৈবনি অহুনা "অদ্ভুত বামনা"—অঙকপগী মশক ওইবা খোংনেম্বা হাঙ্গৈনা কৌই। খোং অহু অহুম পান্দুনা খোংফম অমাগী পীরো হাঙ্গৈবদা নামনা লৈপাক, নামনা স্বর্গ থনখিবনা অহুমসুবা খোংগী থাফম লৈত্রবদা বলিনা 'অমদি ঐগী কোক্তা নেৎপিয়ু' অসুমনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ক্ষত্রিয়রুধিরময়ে জগদপগতপাপম্,
স্নপয়সি পয়সি শমিতভবতাপম্।
কেশব ধৃতভৃগুপতিরূপ জয় জগদীশ হরে। ধ্রু ।৬॥

কেশব (হে কেশব) ধৃতভৃগুপতিরূপ (হে ভৃগুবংশগী মপুগী মশক লৌবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (হে ননাইগী অরাবা মাংহনবা) ক্ষত্রিয়রুধিরময়ে (ক্ষত্রিয় মচাগী ঈগী মশক ওইবা) পয়সি (ঈসিংদা) শমিতভবতাপম্ (তাইবংপানগী মৈচাক কোকনবা) জগৎ (থরাইপানববু) অপগত পাপম্ (পাপ কোকপা ওইনা) স্নপয়সি (নংনা ঈরুজহল্লে) ।৬॥

হে কেশব! নঙ ভৃগুযাগেগী মপুগী মশক লৌবা ইবুঙো নংনা পুন্নামক্তগী অহেনবা ওইনা লৈয়ু. মরমদি ইবুঙো নংনা মরোল তরামরিগী মপুনি অমসু ননাইগী অরাবা মাংহনবনি, হে অতুম ওইবও! ইবুঙো নংনা ক্ষত্রিয় মচাগী ঈগী মশক ওইবা কুরুক্ষেত্রগী ঈশিংদা মাহুবু উবতদা তাইবংপানবগী মৈচাক কোকপা মফমদা, থরাই পানবাবু পাপ কোকনবা ঈরুজহনবনি ৬॥ *

—হাঈজরবদা মনাইগী কোক্তা নেংখ। অতুনা হুজিক ফাউবা মনাই বলিবু পাতালদা থাদোক্তুনা লৈরি। অতুনা হৌখ্রবা লীলাবু হুজিকমক ওইরিবা ওইনা "ছলয়সি" অসুন্না লট্কী মধ্যমপুরুষদা লেংই ।৫॥

* ব্যাখ্যা— পৌরাণিকী কথা— নিংথৌনি হাঈতুনা মীতা ওংপা ক্ষত্রিয় মচাসীংগী তমথিরবা পুকচেন্না থরাইপানবসীংবু রাহল্লবদা মাতু উবদগী খাংবা ভমদ্রতুনা ভৃগু কৌবা ব্রাহ্মণগী যাগেদা পোকতুনা পরশুরাম কৌতুনা মথুক্তা শিংজং পাইতুনা ক্ষাত্রিয় মচাবু কুম্মাথোইরক হন্না

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিতরসি দিক্ষু রণে দিক্‌পতিকমনীয়ং,
দশমুখমৌলিবলিং রমণীয়ং।
কেশব ধৃতরামশরীর জয় জগদীশ হরে। ধ্রু।৭॥

কেশব (হে কেশব) ধৃতরামশরীর (হে রামগী হকচাং লৌবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈয়্ন) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (হে ননাইগী অৱাবা মাংহনবা) রণে (লানদা) দিক্ষু— (মাইকৈ পুন্নমক্তা) দিক্‌পতিকমণীয়ম্ (মাইকৈ ঙাকপসীংগী অপাম্বা ওইবা) রমণীয়ম্ (নুঙাইবা ওইবা) দশমুখমৌলিবলিম্ (মকোক তরা পানবা রাবণগী মকোক্কী মশক ওইবা খুদোনপোৎপু) বিতরসি (নংনা পীব্রি) ৭।

হে কেশব, হে রামচন্দ্রগী মশক লৌবা ইবুঙো ! নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়্ন, মরমদি ইবুঙো নংদি মরোল তরামরিগী মপুনি, ননাইগী অৱাবা মাংহনবনি; হে অচুম ওইবও ! ইবুঙো নংনা লানফমদা রাবণ হিংচাবগী মকোক কক্তুনা মাইকৈ ঙাকপা লাইসীংগী অপাম্বা অমসু নুঙাইরবা খুদোনপোৎপু মাইকৈ পুন্নমক্তা এনবি।৭॥ *

—হাৎখি, পৃথিবীদা ক্ষত্রিয়মচা পুন্নমকপু ভুমহনাখ। মাচুমনা হাৎপা ক্ষত্রিয় মচাগী ঈনা কুরুক্ষেত্রদা তীর্থ মঙা শেমচুনা শ্যমন্ত পঞ্চক— রাম হ্রদ কৌচুনা মফম অদুদা লৈবা ঈশিং অদুবু উবতদা জীবসীংগী সংসারগী মৈচাক কোকহল্লি, মাদুদা ঈরুঙ্গচুনা পিতৃলোক্কী তর্পণ তৌ- চুনা থরাইপানবা পুম্নবু পাপ কোকহল্লি। পদ অসি স্বভাবোক্তি অল- ঙ্কারনি, রসনা বীভৎসনি, নায়কনা ধীরোদ্ধতনি অমুম্না খংনগনি।৬॥

* ব্যাখ্যা— পৌরাণিক্কী কথা— রাবণ হিংচাবনা মাতগীদমক

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বহসি বপুষি বিশদে বসনং জলদাভং,
হলহতিভীতিমিলিতযমুনাভং।
কেশব ধৃতহলধররূপ জয় জগদীশ হরে। ধ্রু।৮॥

পদান্বয়— কেশব (হে কেশব) ধৃতহলধররূপ (হে লাঙ্গোল পাইবগী মশক লৌবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী অহেনবা ওইনা লৈন্নু) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (ননাইগী অৱাবা মাংহনবা) বিশদে (অঙৌবা) বপুষি (হকচাংদা) জলদাভম্ (ঈসিংগী মচু

হে কেশব, হে লাঙ্গোল পাইবা! বলদেবগী রূপ লৌবা ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু, মরমদি ইবুঙো নংনা মরোল তরামরিগী মপুনি, অমসু ননাইগী অৱাবা মাংহনবনি হে অতুম ওইবও! ঙৌরবা নংগী হকচাংদা ঈশিংগী মচু মান্বা অসংবা ফি থোল্লি, মাতুদি ইবুঙো নংগী লাঙ্গোন্না ৷থনগনি হাঙ্গৈনা কিত্তুনা নংগী নখোং খুয়াথাদা

—সম্পত্তিপুম্বা মুন্দুনা মথন্তনা লাইগী. হিংচাবগী সম্পাত পুম্বা চারবদা সীতা লাইরেম্বী হুত্তুনা সতী লক্ষ্মীবু অপরাধ তৌরুবদগী শ্রীরামচন্দ্রনা মনাউ লক্ষ্মণগা লোইননা সমুদ্র লান্দুনা তেঙ্গোন য়োংয়াম পুত্নুনা রাবণ হাৎথি. পুরাণনা হাঙ্গৈ — রাবণগী মকোক্তি কল্ল-কল্লগা অমামোক চোংই, অতুগুম্বা মকোকতু মশীং নাইদনা কক্তুনা লানফনদা মাঙ্গৈকৈ তরাদা চাইথোকখি, মাতুদি মকোক তরা পানবা হিংচাবগী মকোকতু কক্তুনা মাসুমনা অমোক্তা তৌরবদি হাঙ্গৈত্নুনা পামত্তুনা ঙাইরিবা মাইকৈ ঙাকপা লাই অমসু নিংথৌসীংত্নুদা মাখোইগী অপাম্বত্তু থুংহনবি অতুগা রাবণ হাৎতুনা নুঙাইহনখি, রাহৈ আস জাতি কৌবা অলঙ্কারনি, নায়কনা ধীরোদাত্তনি ৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নিন্দসি যজ্ঞবিধেরহহ শ্রুতিজাতং,
সদয়হৃদয়দর্শিতপশুঘাতং ।

মানবা) বসনম্ (ফিবু) বহসি (নংনা পুরি) ।৮॥

কেশব (হে কেশব) ধৃতবুদ্ধশরীর (বুদ্ধগী হকচাং লৌবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেননা লৈবা ওইয়) জগদীশ (হে মরোন তরামরি-

সেবা তোগে হাঙ্গৈহুনা চংজরল্লবী যমুনাগী ঈশিংগী মচু মানবা ফি থোন-বনি ।৮॥ *

হে কেশব, হে বুদ্ধগী মশক ওইনা অবতার তৌবা ! ইবুঙো, নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়, মরমদি ইবুঙো নংদি মরোন তরা মরিগী মপুনি অমসু ননাইগী অন্নাবা মাংহনবনি, হে অতুম ওইবও ! ওস্থোকপনি ইবুঙো নংনা থন্নাইপানবা পুন্নমকপু থৌজানবিবমক্তনা

* ব্যাখ্যা — পৌরাণিককী কথা — শ্রীবলদেবনা দ্বারিকাদগী বৃন্দাবন্দা লৈঙৈদা গোপীসীংগা লোইনহুনা শান্নবদা বারুনী কৌবা য়ু থকহুনা ঙাওরহুনা ঈল্লুজগে লাউ হাঙ্গৈহুনা যমুনাবু কৌই। অচেনবা তুরেনবু লাউ হাঙ্গৈবা য়াবা হৌনদবনা যমুনানা লাকত্রবদা বলদেবনা শাউহুনা লাঙ্গোন্না মতুপ চামা চামা থোক্লা থিনগাইরগে তৌরবদা কিরবী যমুনানা মাগী মূর্ত্তি লৌহুনা বলদেবগী চরণদা চংজখি। শ্রীবলদেবনা থোনবা ফি অংসংবত্র অতুগুম্বী যমুনাগী মুক্তাগুম্না সংবা ঈসিংগী মচু অহু মানবনা কৰিনা কল্পনা তৌরি, মাহুদি— ঙোরবা বলদেবগী হকচাংদা যমুনাগী মচু অসংবগা তিন্নহুনা লৈবা শ্রীমূর্ত্তিনা প্রয়াগ— তীর্থরাজদা গঙ্গা যমুনাগী তিন্নবা অতুগুম্না শ্রীবলদেবনা জীবসীংবু তাইংপ'নবগী অন্নাবা মৈচাক কোকহনবা অথোইবা খুবম পীনবিবা অহু নিংশিংহল্লি। মফম অসিদা নায়কনা ধীরললিতনি ।৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কেশব ধৃতবুদ্ধশরীর জয় জগদীশ হরে । ধ্রু ।৯।।

গী মপু) হরে (ননাইগী অরাবা মাংহনবা) সদয় হৃদয় (জীববু নুংশিবিবা থমোইনা ওইবা) অহহ (ওন্থোকপনি) যজ্ঞবিধেঃ (যজ্ঞবিধিগী) দর্শিতপশুঘাতম্ (শা হাৎলু অস্তুম্না উৎপা) শ্রুতিজাতম্ (বেদ বাক্য ময়াম্বু) নিন্দসি (নংনা নিন্দা তৌই) ।৯ ।

যজ্ঞ তৌনবা ব্রাএনগী শা হাৎলু হাঙ্গৈবা ব্রাএন ময়াম্বু ইবুঙো নংনা নিন্দা তৌই ।৯। *

* ব্যাখ্যা— ইবুঙো নংনা বেদগী যজ্ঞ তৌ হাঙ্গৈতুবা তাকপা ব্রাএনগী শা হাৎলু হাঙ্গৈবা বেদগী ব্রাএন ময়াম্বু নিন্দা তৌই, হাঙ্গৈবদি বেদবু নিন্দা তৌই হাঙ্গৈবা নত্তে। মাওইবনা পোকপদগীনা হৌতুনা শা ভা হাৎতুনা চাবা হাঙ্গৈবা অসিদি মহৌশানা তৌরম্লবা মশিন ওইনা লৈরিবনি। অতুনা জীব ময়াম হাৎতুনা হিংসা তৌবতু তোরুবা হাঙ্গৈতুনা বেদনা যাগ তৌবদা শা হাৎপদি, জীব হাৎপগী দোষ মৈত্তে, হাঙ্গৈরনা জীব ময়াম হাৎকদববু তোকহল্লি, সুপ্নগী যজ্ঞ তৌবত্তদা হাৎপা অতৈদি তোকহল্লি, মাস্তুম্না তোকহন্দুনা বেদমার্গদা জীববু পুশিল্লগা মমৈদদি পশুবধ তৌবনা কান্নবা নত্তে, হাঙ্গৈবতু উহনতুনা অহিংসা ধর্ম্ম নিবৃত্তিমার্গদা জীববু পুশিল্লি। অসিগুম্বা বেদগী অচেৎপা অসি খংদ্রবা জীবনা যজ্ঞ তোত্তুনা বলি তৌবমক্তনা শা হাৎপনা অথোইবনি, বেদনা হাঙ্গৈরি, মাসি তৌরবদি স্বর্গ কাই, অস্তুম্না হাঙ্গৈভনা শাতা পংহাত্তা হাৎতুনা জীববু নুংশিবা খংদ্রবা মী ময়াম্বু উত্না জীববু নুংশিবীহৈবা বুদ্ধ ওইনা পোকতুনা বেদগী শা হাৎলু হাঙ্গৈবতু চুমদবনি, হাঙ্গৈনা নিন্দা তৌতুনা জীব হাৎকনু হাঙ্গৈনা অহিংসাধর্ম্ম প্রচার তৌই, হাঙ্গৈবা ভাগনি । মফম অসিদা নায়কনা ধীর শান্তনি ।৯।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ম্লেচ্ছনিবহনিধনে কলয়সি করবালং,
ধূমকেতুমিব কিমপি করালং।
কেশব ধৃতকল্কিশরীর জয় জগদীশ হরে । ধ্রু ।১০॥

কেশব (হে কেশব) ধৃতকল্কিশরীর (হে কল্কিগী হকচাং লৌরিবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈয়্ব) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (ননাইগী অরাবা মাংহনবা) ম্লেচ্ছনিবহনিধনে (ম্লেচ্ছমপৈ হাৎনবগী দমক) ধূমকেতুম্ ইব (ধূমকেতুগুম্বা) করালম্ (অকিবগী মশক ওইবা) করবালম্ (থাংবু) কিম্ অপি (করিনো) কলয়সি (নংনা পাইরিবা ?) ।১০॥

হে কেশব, হে কল্কিগী মশক ওইবা। ইবুঙো নানা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়্ব; মরমদি ইবুঙো নংনা মরোন তরামন্নিগী মপুনি অমসু ননাইগী অরাবা মাংহনবনি। ম্লেচ্ছ ময়াম হাৎনবগী দমক ইবুঙো নংনা ধূমকেতুগুম্না অকিবগী মশক ওইবা থাংশাং অমবু পাইরবসি করিননো ? ।১০। *

---

* ব্যাখ্য— জীববু থৌজানবিহুনা বেদগী শা হাৎলু হাঙ্গবব নিন্দা তৌরম্বা নংনা বেদ নিন্দা তৌবা ম্লেচ্ছবু হাৎকে হাঙ্গহুনা ধূমকেতুগুম্না অকিবগী মশক ওইবা থাংশাং অমা পাইরি, করিননো ? নংগী চক্রনাচিংবা খুৎলাই মরাম লৈবদি পাইদে অস্তুম হাইবা ভাবনি। ধূমকেতু হাঙ্গবদি আকাশতা থোকপা থরাম্মচাক মমৈপানবব কৌই। মাতু থোক্লগা পৃথিবীদা লৈবা মীনা য়াম্না কিনৈ, মমাং মমাংঙৈদা মাতুগুম্বা থব্রাম্মচাক অতু থোক্লগা মী য়াম্না শিনৈ, অতুনা ধূমকেতু থোকলবদি অরাবা নংগনি হাঙ্গবা খংনৈ। কল্কিদেবগী থাংশাং অতু উরগা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবকবেরিদমুদিতমুদারং,
শৃণু সুখদং শুভদং ভবসারং ।
কেশব ধৃতদশবিধরূপ জয় জগদীশ হরে । ধ্রু ।১১॥

কেশব (হে কেশব !) ধৃতদশবিধরূপ (হে শক্লোন তরা লৌবা) জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেনবা ওইনা লৈয়ু) জগদীশ (হে মরোন তরামরিগী মপু) হরে (হে ননাইগী অৱাবা মাংহনবা) শ্রীজয়দেবকবে (শ্রীজয়দেব কৌবা কবি—ঐগী) ইদম্ (অসিগুম্বা) উদারম্ (অথোইবা—য়াম্না থুনা অর্থ খংহনবা) সুখদম্ (নুঙাইবা পীবা) শুভদম্ (অফবা পীবা) ভবসারম্ (তাইবংপানবদা মচি ওইবা) উদিতম (ৱাহৈ অসিবু) শৃণু (নংনা তাবিয়ু) ।১১॥

হে কেশব, হে শক্লোন তরা লৌবা ইবুঙো ! নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু, মরমদি ইবুঙো নংনা মরোন তরামরিগী মপুনি ; অমসু ননাইগী অৱাবা মাংহনবনি। হে অতুম ওইব-ও! শ্রীজয়দেব কৌবা কবি ঐগী তাবত্তদা অর্থ হেক্তা খংবা, নুঙাইরবা, অফবমক্তা পীরিবা অমসু তাইবংপানবদা মাংদ্রবা মচী ওইবা ৱাহৈ অসি ইবুঙো নংনা তাবিয়ু ।১১। *

—ধূমকেতু উরগা অৱাবা নংগনি কিনবা অহুগুম্না কিনবা হাঙ্গৈবনি । অর্থ অমদি থাংনা মৈথু, সনা লুপ্পা থাংখোক্পা মৈ ওইনা কবিনা কল্পনা তৌই, মাদোমদা হাঙ্গৈরগা 'ধূমকেতু' হাঙ্গৈবনা মৈথুগা লোইনবা মৈবুসু কৌই। "উৎপাতে বহ্নিধূমশিখো ভবতি"— অৱাবা তারমদাইদা মৈনা মৈথুগা লোইনৈ, অসুম হাঙ্গৈবনা কল্কিগী থাংহু অতুগুম্বা মৈগাসু চাংদম্নৈ। মফম অসিদা নায়কনা ধীরোদ্ধতনি ।১০॥

* ব্যাখ্যা— অবতার তৱাবু তোঙান তোঙান হাঙ্গৈহুনা শ্রীকৃষ্ণবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বেদানুদ্ধরতে জগন্তি বহতে ভূগোলমুদ্বিভ্রতে,
দৈত্যং দারয়তে বলিংছলয়তে ক্ষত্রক্ষয়ং কুর্ব্বতে।

বেদান্ (বেদ খিবিকপু) উদ্ধরতে (লৌখৎপা) জগন্তি (জগৎপু) বহতে (পুবা) ভূগোলম্ (লৈপাক লৈমবু) উদ্বিভ্রতে (পুবা) দৈত্যম্ (হিংচাববু) দারয়তে (ছেগাইবা) বলিম্ (বলিবু) ছলয়তে (নমহৎপা) ক্ষত্রিয়ক্ষয়ম্ (ক্ষত্রিয়মচাসীংগী তুম্নববু) কুর্ব্বতে (তৌবা) পৌলস্ত্যম্ (রাবণবু) জয়তে (মাইথিবা পিবা) হলম্ (লাঙ্গোনবু) কলয়তে (পাইবা) কারুণ্যম্ (থৌজানবু) আতন্বতে (সন্দোকপা)

ভাগী মশক ওইদুনা সমুদ্রগী ইনুংবংদা লুপথ্রবা বেদবু লৌখৎপা থেঙ্গুগী মশক ওইদুনা নঙ্গনদা তাইবংপানবাবু পুবা, ওক্লাবগী মশক ওইদুনা নয়া মতোন্দা লৈপাক লৈমা পুবা, হিরণ্যকশিপু কৌবা হিংচাবাবু মীগী নোংশাগী মশক ওইদুনা শেগাইবা, অনেম্বা বামনগী মশক ওইদুনা বলি কৌবা হিংচাবগী নিংথৌবু তাৎ তৌদুনা নমহৎপা, ভৃগুষাগেদা পরশুরাম কৌদুনা ক্ষত্রিয় মচা মাংহনবা, রামচন্দ্র ওইদুনা রাবণ হিংচাবাবু মাইথিবা পিবা, বলদেব ওইদুনা লাঙ্গোন পাইবা,

—লৈশিলৈথোল্লরগা পুম্নমকতুগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণদা মতাক্লা ভৌখবা অবতার তরাগী স্তোত্র তরাবু "যৎ করোসি যদশ্নাসি, যৎ জুহোসি, দদাসি যৎ। যৎ তপস্যসি কৌন্তেয় তৎ কুরুম্বমদার্পণম্।।" অসুমনা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গৈরিবদগী শ্রীকৃষ্ণদা কৎলি। শৃণু (তাবিয়ু) হাঙ্গৈবদি— ঐগী ইনাইনা ঐবু অবতারগী মশক ওইনা লৈসিলৈথোঞ্জরি. অসুমনা লৌবিয়ু হাঙ্গৈবনি, মাদুতনা জয়দেব ঐগী কৃতার্থ ওইজগনি, অসি হাঙ্গৈবা ভাবনি। মফম অসিদা শান্তরসনি, অলঙ্কারনা পর্যায়োক্তিনি।১১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পৌলস্ত্যং জয়তে হলং কলয়তে কারুণ্যমাতন্বতে,
ম্লেচ্ছান্ মুর্চ্ছয়তে দশাকৃতিকৃতে কৃষ্ণায় তুভ্যং নমঃ। ধ্রু।১২॥

ম্লেচ্ছান্ (ম্লেচ্ছ থিবিকপু) মুর্চ্ছয়তে (মাংহনবা) দশাকৃতিকৃতে (শকলোন তরাবু তৌবা) কৃষ্ণায় (কৃষ্ণ কৌবা) তুভ্যম্ (নংবু) নমঃ—(খুরুমজৈ) ।১২॥

বুদ্ধ কৌহুনা থব্রাই পানবাবু দুঃসিথিবা অমসু কল্কি ওইদুনা ম্লেচ্ছবু মাংহনবা শ্রীকৃষ্ণ কৌবা ইবুঙো নংবু খুরুমজৈ।১২॥ *

---

* ব্যাখ্যা— শ্রীভাগবতনা হাঈ— "এতে চাংশকলাঃ পুংসঃ কৃষ্ণস্তু ভগবান্ স্বয়ং" হাঈরিবা অবতার পুন্নমক অসি পুরুষাবতারগী অংশ, কলা ওাক্তনি, কৃষ্ণদি স্বয়ং ভগবান্নি অসুমনা হাঈবনা অবতার পুন্নমকনা শ্রীকৃষ্ণদা ইতিন তিল্লি উৎখরে, হুজিক্তি অবতার পুন্নমক্তনা তিনবা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমহুনা অবতারশিং অদুদা ওইরবা নায়ক অমসু অবতারগী লীলাসীং অদুগী রস পুন্নমকতুনা লেংগদৌরিবা গীতগোবিন্দ কৌবা গ্রন্থ অসিগী নায়ক ওইবা শ্রীকৃষ্ণদা তিল্লি, অমসু লেংগদৌরিবা শৃঙ্গার রস অসিগী নায়ক শ্রীকৃষ্ণদা রস পুন্নমকনা ওই, শ্রীকৃষ্ণদি সর্ব্বরসময়নি অমসু রস পুন্নমক্কী মপুনা অবতারসীং অদুান স্বয়ং ভগবান্না মধুর প্রেমরসগী মপুনি হাঈবা উৎতুনা কবিগুরু শ্রীজয়দেবনা "বেদানুদ্ধরতে" হাঈবনা হৌদুনা মথক্তা হাঈখ্রবা অবতার পুন্নমক অদু হাঈরি। গৌরভক্তসীংনা হাঈ, মাদুদি——

১। মীননা—　বীভৎস রসগী মপুনি,
২। কুর্ম্মনা—　অদ্ভুত　„
৩। বরাহনা—　ভয়ানক　„

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গুর্জরীরাগ নিঃসারতালাভ্যাং গীয়তে ॥

শ্রিতকমলাকুচমণ্ডল ধৃতকুণ্ডল (এ)
কলিতললিতবনমাল জয় জয় দেবহরে । ধ্রু ।১॥

শ্রিতকমলাকুচমণ্ডল (হে লক্ষ্মীগী বক্ষস্থলবু আশ্রয় তৌবা) ধৃত-কুণ্ডল (হে কুণ্ডল নাইন য়ানবা) কলিতললিতবনমাল (হে অনৌবা বনমালা থোনবা) দেব (হে সান্নরিবা) হরে (ননাইগী অৱাবা মাং-হনবা) জয় জয় (ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেনবা ওইয়ু) ।১॥

কমলা কৌবী লক্ষ্মীগী কুচযুগলনা ইবুঙোগী চংনফম ওইবা, কুণ্ডল নাইন য়ানবা, বনমালা সিবা, হে দেব ! হে হরে ! ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তা হেনবা ওইয়ু ।১॥ *

--ব্যাখ্যা— ৪ । নৃসিংহনা— বাৎসল্য রসগী নপুনি
৫ । বামননা—. সখ্য ,,
৬ । পরশুরামনা--রৌদ্র ,,
৭ । রামচন্দ্রনা— করুণ ,,
৮ । বলরামনা— হাস্য ,,
৯ । বুদ্ধনা— শান্ত ,,
১০ । কল্কিনা— বীর ,,

—অসুম্না হাঙ্গৈ । শ্লোক অসি শার্দ্দূল বিক্রীরিত ছন্দনি । 'প্রলয়-পয়োধিজলে' হাঙ্গৈবনাচিংবা পদসিং অহুদি মাত্রা ছন্দনি, কীর্ত্তিধবল ছন্দ কৌই ।১২।

---

* 'এ' হাপ্পা অসিনা পদ অসিগী হৌগৎপদা এ না আ-লাপ তৌগনি, "জয় জয় দেব হরে" না ধ্রুব পদনি, অসুম্না মথংগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দিনমণিমণ্ডলমণ্ডন ভবখণ্ডন (এ)
মুনিজনমানসহংস জয় জয় দেব হরে। ধ্রু ।২।।

দিনমণিমণ্ডলমণ্ডন (হে নুমিৎকী মকোইগী লৈতেং ওইবা) ভবখণ্ডন (তাইবংপানববু মাংহনবা) মুনিজনমানস-হংস (হে মুনিজনসীংগী পুকনিংগী মশক ওইবা মানস কৌবা পুখ্রীগী কাঙ ওইবা) দেব (হে দেব সান্নরিবা) হরে (নমাইগী অৱাবা মাংহনবা) জয় জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু) ।২।।

হে নুমিৎকী মকোইগী লৈতেং ওইবা ! হে তাইবংপানববু কোকহনবা ! হে মুনিসীংগী পুক্নিংগী মশক ওইবা পুখ্রীদা তাবা কাঙ ওইবা ! হে দেব, হরে ! ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু ।২।। *

—অতৈদসু থংনগনি, বনমালা হাঙ্গৈবদি বিশ্ব প্রকাশনা "আপাদলম্বিনী মালা বনমাল্যেতি তাং বিদুঃ" হাঙ্গৈবনা খোং য়োনা চোনবা লৈপৰেংবু কৌই। অমসু "পত্র পুষ্পময়ীমালা বনমালা প্রকীর্ত্তিতা"— মনাগা মপালগনা লেংবা মালাবুসু বনমালা কৌই। অমসু "বনাস্তসি কাননে" অসুন্না ঈসিংবু 'বন' কোই, অদুনা বনমালা হাঙ্গৈবদি ঈসিংদগী পোকপা লৈনা লেংবা পরেং— থৱো থম্বাল পরেংবুসু বনমালা কৌই ।১।।

*— "নুমিৎকী মকোইগী লৈতেং ওইবা" হাঙ্গৈবদি গায়ত্রী বেদমাতানা হাঙ্গৈরিবা ভর্গ কৌবা দেবতাগী মশক ওইদুনা নুমিৎকী মকোই মনুংদা লৈবা হাঙ্গৈবনি। তাইবংপানববু মাংহনবা হাঙ্গৈবদি ইবুঙো মাবু ধ্যান তৌজবতদা কোকওমন্ত্রবা তাইবংপানবদগী কোকতুনা জীবনা মুক্তি ফংবা হাঙ্গৈবনি। অর্থ অমদনা রুদ্রগী মশক লৌতুনা সংসারবু প্রলয় তৌবা হাঙ্গৈ। মুনিসীংগী পুক্নিংদা ডাম্ন কাঙ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কালিয় বিষধর গঞ্জন জনরঞ্জন (এ)
যদুকুল নলিন দিনেশ জয় জয় দেব হরে । ধ্রু ।৩।।

কালিয়বিষধর-গঞ্জন (হে কালিয় কৌবা লিনবু অয়াকপা ৱাহৈনা তান্থোকপা) জনরঞ্জন (হে মীওইববু নুংশিহনব) যদুকুল-নলিন-দিনেশ (হে যদুষাগৈগী মশক ওইবা থম্বানগী নুমিৎ ওইবা) দেব (হে সান্নবিা) হরে (হে ননাইগী অৱাবা মাংহনবা) জয় জয় (ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু) ।৩।।

হে কালিয় কৌবা লীনবু অয়াকপা ৱাহৈনা তান্থোকপা ! হে মীওইববু নুংশিহনবা ! হে যদুষাগৈগী মশক ওইবা থম্বালবু শাৎকাইহনবা নুমিৎ ওইবা ! হে দেব, হে হরে, ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু ।৩।। *

—ওইবা হাঙ্গবদি মুনিসীংগী কাম, ক্রোধনাচিংবা লৈত্রবা অশেংবা পুক্নিং মাহুবু শাস্ত্রনা 'বসুদেব' কৌই ; অতুগুম্বা পুক্নিংগী অৱাবা অতুদা ইবুঙো মাবু উই, মাতুদি শ্রুতিনা হাঙ্গ,— "তদ্বিষ্ণোঃ পরমং পদং সদা পশ্যন্তি সূরয়ঃ দিবীব চক্ষুরাততম্" অংয়ম্না হাঙ্গবদগী অতুগুম্বা মুনিসাংগী অৱবা পুক্নিং অতুবু লূরবা ঈসিং ওইনা কবিনা কল্পনা তৌহুনা অৱব। ঈসিংগী মথক্তা কাঙনা তাউববু শুঙাইনা উবা অমসু কাঙনা অতুগুম্বা ঈসিংদা নুঙাইনা লৈবা পাম্বা অতুবু কবিনা কল্পনা তৌহুনা হাঙ্গবনি ।২।।

* — কালিয় তান্থোকপা হাঙ্গবনা পাঙ্গন কনবা, মীবু নুংশিহনবা হাঙ্গবা ৱাহৈ মেংবা, যদুষাগৈগী মশক ওইবা থম্বালবু শাৎকাইহনবা হাঙ্গবনা যাগৈ জাৎ ফবা হাঙ্গবনি । গুণ অহুমসিনা তিনবা অসুম্না নায়ককী গুণ থাবনি ।৩।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মধুমুরনরকবিনাশন গরুড়াসন (এ)
সুরকুলকেলিনিদান জয় জয় দেব হরে । ধ্রু । ৪ ॥

অমলকমলদললোচন ভবমোচন (এ)
ত্রিভুবনভবননিধান জয় জয় দেব হরে । ধ্রু । ৫ ॥

মধুমুরনরকবিনাশন (হে মধু, মুর, নরক কৌবা হিংহাববু মাংহন্বা) গরুড়াসন (হে গরুড় তোংবা) সুরকুলকেলিনিদান (হে লাই পুন্নমক্কী মরু ওইবা) দেব (হে দেব !) হরে (হে ননাইগী অৱাবা মাংহনবা) জয় জয় (নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু) ।৪॥

অমলকমলদললোচন (হে থম্বাল লকাগী নিংথিজববু চমজবা মীৎনা ওইবা) ভবমোচন (হে চংজরবা ননাইবু তাইবংপানদা হন্না হন্না পোক-পবু কোকহনবা) ত্রিভুবন ভবন নিদান (হে মরোন অহুমগী ওইননবগী কারণ ওইবা !) দেব (হে দেব) হরে (হে হরে) জয় জয় (ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু) ।৫॥

মধু, মুর অমসুং নরক কৌবা হিংচাববু মাংহনব-ও ! হে গরুড় তোংবা, হে লাই পুন্নমকপু মুঙাইহনবা, হে দেব হে হরে, ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু ।৪॥ *

থম্বাল লকাবু ঙমজবা মীৎনা ওইবা ইবুঙো ! চংজরবা ননাইবু তাইবংপানবদা হন্না হন্না পোকপা কোকহনব-ও ! মরোন অহুমবু পোকপনাচিংবা ওইব-ও ! হে দেব, হে হরে । ইবুঙো নহাকনা

---

* ব্যাখ্যা— হিংচাবা হাৎপা, গরুড় তোংবা, লাইবু মুঙাইহনবা, হাঙৈবসীংসিনা নায়ককী গুণ পাঙ্গলনা তিল্লি হাঙৈবা ফোংদোকপনি ।৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জনকসুতাকৃতভূষণ জিতদূষণ,
সমরশমিতদশকণ্ঠ জয় জয় দেব হরে। ধ্রু। ৬॥
অভিনবজলধরসুন্দর ধৃতমন্দর,
শ্রীমুখচন্দ্রচকোর জয় জয় দেব হরে। ধ্রু। ৭॥

জনকসুতাকৃতভূষণ (হে স্বাধীন ভর্তৃকাগী অবস্থাদা সীতাগী লৈতেং তৌবিবা!) জিতদূষণ (হে দূষণ কৌবা হিংচাববু ঙম্বা— দোষ পুম্ন-মকপু কোকপা) সমরশমিতদশকণ্ঠ (হে লানফমদা রাবণবু ঙম্বা) দেব (হে দেব) হরে (হে হরে) জয় জয় (ইবুঙো নংনা পুম্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু)।৬।

অভিনবজলধরসুন্দর (হে নোং অনৌবগুম্না নিংথিবা) ধৃতমন্দর (হে মন্দর কৌবা চিং পুবা) শ্রীমুখচন্দ্রচকোর (হে শ্রীমতীগী মাইথোং থাগী নোইন ওইবা) দেব (হে দেব) হরে (হে হরে) জয় জয়— (ইবুঙো নংনা পুম্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু)।৭।

—পুম্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু ।৫॥ *

সীতাবু চন্দননাচিংবনা একতুনা লৈতেংলিবা হে ইবুঙো! খর-দূষণ কৌবা হিংচাববু মাংহনবা হে ইবুঙো! হে লানফমদা রাবণবু ঙম্বা, হে দেব হে হরে, ইবুঙো নংনা পুম্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়ু।৬। †

নোং অনৌবা হৌরকপগুম্না নিংথিবা ইবুঙো। হে মন্দর কৌবা

---

* রাহৈ অসিনা মনাইবু ভাইবংপানবদগী অরাবা কোকহনবা, মোক্ষ পীনবা মতৌবু হাঙ্গৈবা অসিনা নায়কপু অথোইবা আনন্দগী মশকনি, হাঙ্গৈবা ফোংদোকই ।৫।

† সীতাবু লৈতেংবিবা হাঙ্গৈবাসিনা অয়াম্বা কলাবিদ্বাবু হৈবা অমসু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তবচরণে প্রণতা বয়মিতিভাবয়,
কুরু কুশলং প্রণতেষু জয় জয় দেব হরে। ধ্রু। । ৮ ॥

বয়ম্ (ঐখোই অসিনা) তবচরণে (নংগী নখোং খুয়াখাদা) প্রণতাঃ (খুরুমজরি) ইতি (অসুম্না) ভাবয় (খংবিয়ু) প্রণতেষু (খুরুমজরিবা পুন্নমক্তা) কুশলম্ (মঙ্গলবু) কুরু (তৌবিয়ু) দেব (হে দেব) হরে (হে হরে) জয় জয় (ইবুঙো নংনা হেন্না লৈবা ওইয়ু) ।৮।।

চীঙ পুবা শ্রীমতী রাধিকাগী মাইথোং থাগী নোয়িন ওইবা হে ইবুঙো, হে দেব হে হরে, ইবুঙো নংনা পুন্নমক্তগী অহেনবা ওইয়ু ।৭।। *

ঐথোইনা ইবুঙো নংগী খুয়াখাদা খুরুমজরিবনি অসুম্না খংবিয়ু,—খুরুমজরিবা পুন্নমক্তা য়ৈথাই-থিঙ্গাই লৈতনা য়াইফবা পিনবিয়ু, হে

—ব্যাখ্যা— রাবণবু ভস্বা হাঙৈধনা অভিমান লৈবা ওইবা নায়ককী গুণ হাঙৈ ।৬।

* নোং অনৌবা কৌবদি হুজিন্নক তারিবা নোংদি নত্তবা তাগদবগী মমাই ওন্থরক্লবা নোংবু কৌই। মাতুগুন্না ফজবা হাঙৈবদি—ন্নারবা থৌরাংলবা জীববু অমস্থ লৌউবসিংবুস্থ পেলহনবা অমস্থ মানা তারগা জীব পুন্নমককী অফবা নুঙাইবা পীবা মাহু ওইবা, হাঙৈবাসিনা নায়ককী পুন্নমকপু য়াইফহনবা গুণ অতু কোংদোকপনি। সমুদ্র নৈঙৈদা মন্দর চীঙ পুবা হাঙৈরুবনা নায়ককী পাঙ্গন কনবা উৎপনি। শ্রীমতীগী মাইখোং থাগী নোইন ওইবা হাঙৈবনবু— রতিক্রীড়া হৈবা নায়ককী গুণ ফোংদোকপনি ।৭।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবকবেরিদং কুরুতে মুদং,
মঙ্গলমুজ্জ্বলগীতি জয় জয় দেব হরে। ধ্রু। ৯ ॥

শ্রীজয়দেবকবেঃ (শ্রীজয়দেব কৌবা কবিগী) ইদম্ (অসিগুম্বা) মঙ্গলম্ (মঙ্গল কৌবা) উজ্জ্বলগীতি (উজ্বল ওইবা গীতি অসিনা) মুদম্ (নুঙাইববু) কুরুতে (তৌই) দেব (হে দেব) হরে (হে হরে) জয় জয় (ইবুঙো নংনা পুম্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয়) ।৯।।

দেব, হে হরে, ইবুঙো নংনা পুম্নমক্তগী হেন্না লৈবা ওইয় ।৮।। *

শ্রীজয়দেবগী অসিগুম্বা উজ্জ্বল ওইবা মঙ্গলগান অসিনা নুঙাইববু তৌব্রি, হে দেব হে হরে, ইবুঙো নংনা পুম্নামক্তগী হেন্না হেন্না লৈবা ওইয় ।৯।। †

---

* ব্যাখ্যা— মথক্কী পদ ৭না নায়ক্কী গুণ হাঙ্গখবে, অদুগুম্বা গুণনা তিনবা নায়কপু খুরুমত্নুনা হন্দক্কী পদ অসিনা মরম ওইত্নুনা কবিনা ইবুঙো মাগী গুণরচনানচিংবদা য়ৈথাই থিঙ্গাইবনচিংবা লৈহন-বিগনু অস্নুমনা হাঙ্গজবনি ।৮।।

† ব্যাখ্যা— মথক্তা হাঙ্গপ্রবা পদ নিপান অসিবু মঙ্গল গান কৌই, মাসিমক্তি উজ্জ্বল গীতিনি হাঙ্গবদি নিংথিজবনচিংবা ঈশৈগী মগুণ পুম্নমকনা তিনবা অমসু ঈশৈগী দোষ পুম্নমক লৈতবা অদুগুম্বা ঈশৈনি। ঈশৈগী দোষ কৌবদি—শঙ্কিতং ভীতমুদ্ঘৃষ্টমব্যক্তমনুনাসিকম্ কাকস্বরং শিরশি গতং তথা স্থানবিবর্জ্জিতম্ ।। বিস্বরং বিরসং চৈব বিশ্লিষ্টং বিষমাবহন্ । ব্যাকুলং তালহীনঞ্চ গীতদোষান্ বিদুর্বুধাঃ।। অর্থাৎ ১ নুংশাথিনা শকপা, ২ কিনা শকপা, ৩ থকৎনা শকপা, ৪ অর্থ লৌবা য়াদনা শকপা, ৫ নাতোন্দা স্বর পুত্নুনা শকপা, (খুলঙ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পদ্মাপয়োধরতটীপরিরম্ভলগ্ন,
কাশ্মীরমুদ্রিতমুরো মধুসূদনস্য ।

পদ্মায়াঃ (লক্ষ্মীগী) পয়োধরতট্যোঃ (কুচ যুগগী মনাক অনিবু) পরিরম্ভেণ (কোল্লুবনা) লগ্নেন কাশ্মীরেন (পক্ষবা কুঙ্কুমনা) মুদ্রিতম

লক্ষ্মীগী কুচযুগগী মনাক অনিবু কোল্লুবদগী লক্ষ্মীগী থবাক্তা

—ঈশৈ, পাল্লানচিংবদা নাতোন্দা স্বর পুন্থুনা শকপা) ৬ কোক্তা খোঞ্জেন থাঙ্গৎতুনা শকপা ('এ' হাঙ্গিতুনা পালানা য়াম্না হৌনা শকপা অতুগুম্বা) ৭ সঙ্গীত শাস্ত্রনা হাঙ্গিবা স্বরগী মফম অতু শোক্তনা শকপা, ৮ খোঙ্গাই তাবা, ৯ অমেংবা য়াউদবা, ১০ ময়েক শাইদংপা, ১১ অরুম্বা অয়াকপা স্বর ওইনা শকপা, ১২ য়ান্না রানা শকপা অমসু তাল কাইবা, তরানিথোইসিবু গীতদোষ কৌই, অসিগুম্বা দোষ অসি য়াউদবা হাঙ্গিবনি। অতুগা পদ নিপান "শ্রিতকমল" না হৌবা পদশিং অসিবু "মঙ্গল গান" কৌই। মহাক্কী ছন্দস্থ মঙ্গল কৌই,— মঙ্গলং মঙ্গলাখ্যেন ছন্দসা তাল সংযুতম্। বিলম্বিতলয়ো পেত মুৎসবে গীয়তে জনৈঃ।" মঙ্গল কৌবা ছন্দনা লেংবা, তালনা তিনবা অমসু বিলম্বিত লয়না তিনবব্ মঙ্গল গান কৌই, মাতুবু মীওইবনা উৎসবতা শকনৈ। অমসু "একারগণৈঃ প্রতিপদ গতৈশ্চৈব। মঙ্গলমাহুরিদং সুধিয়ঃ খলুযুক্তম্" ঈশৈগী পদ অরোইবা খুদিংদা 'এ" কারগণ য়াউবা ঈশৈ অতু পণ্ডিতসীংনা মঙ্গল গান কৌই। অমসু সঙ্গীতরাজনসু হাঙ্গি,— ছন্দসা মঙ্গলাখ্যেন স্বননং গন্থ পদ্যয়োঃ। আলাপিশ্চ প্রতিপদং নানাগম পেশলঃ। ধ্রুবঃ প্রতিপদং রাগো ললিত তাল উচ্যত। আদিতালঃ স্বরাস্তেতাঃ প্রবন্ধেতে প্রতিষ্ঠিতাঃ সহরি বিজয়ঢ্যশ্চ মঙ্গলাচার উচ্যতে। ইাত ।৯।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ব্যক্তানুরাগমিব খেলদনঙ্গখেদ—
স্বেদাম্বুপূরমনুপূরয়তু প্রিয়ম্বঃ। ১০ ॥

(মোহর নম্নবা) ব্যক্তানুরাগম্ ইব (থমোই মনুংদা লৈবা নুংশিববু মপান্দা ফোংদোকপগুম্বা) খেলাত অনঙ্গে খেদেন (কাম ক্রীড়াদা ৱাবনা) স্বেদাম্বুপূরম্ (থোরকপা হুমাংনা থল্লবা) মধুসূদনস্য উরঃ (মধুসূদনগী থবাকনা) বঃ (নখোইগী) প্রিয়ম্ (অপাম্ববু) পূরয়তু (থলহনলসনু)।১০॥

—তৈবা কুঙ্কুমনা মধুসূদন শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা মোহর নম্বাগুন্না চুরি, চুম্নগী পক্লিবা কুঙ্কুম অদু কংহুনা লৈবা নত্তে, প্রেমগী সান্নবগী অৱাবনা থোরকপা হুমাংনা চোৎলিবনি, মাতুমক্তি শ্রীকৃষ্ণগী থমোই মনুংদা লৈবা নুংশিবা হাঙ্গৈবা অদুনা মপান্দা থোরকপা গুমই, অদুগুম্বা শ্রীকৃষ্ণগী থবাক অদুনা নখোই পুম্নমককী নিংলিবা পুন্নমক থুংহনবা ওইরসনু ।১০। *

---

* ব্যাখ্যা— মথক্তা শ্রীকৃষ্ণবু চুম্নগী নায়ককী গুণ পুম্নমককী মশক ওইনা হাঙ্গৈরুরগা হুজিক্তি থনগৎপা নায়ককী গুণ হাঙ্গৈহুনা মথাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা হরি লীলাগী মঙ্গলাচরণ তৌহুনা আশিষ তৌই, মাতুদি 'পদ্মাপয়ো' হাঙ্গৈবনা হৌবা অসিনি, মফম অসিদা লক্ষ্মীগী বক্ষস্থলবু চীংগী মতৌ ওইনা হাঙ্গৈরি, অদুগা মাতুগী মনাকপুনা নাপোম তারকপা ভৃগু কৌবা মফম ওইনা হাঙ্গৈর, মাতুগা শোরুরুবদগী মফম অদুদা তৈরিবা কুঙ্কুম চন্দন্না শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা চুরিবা অদুবু মুদ্রানম্বা, মোহর-নম্বা ওইনা হাঙ্গৈরি, মাতুগী ভাবতি— লক্ষ্মীদেবীনা শ্রীকৃষ্ণগী থবাক অসিদি অতৈ অতোপ্পী নুপী অমগী নত্তে সুপনগী ঐগীতনি হাঙ্গৈবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—খংহনগে হাঙ্গীহনা রাজকার্য্যগী চেদা মোহর নম্বগুম্না ছাপা নম্নবনি অম্নম্না কষিনা কল্পনা তৌরি। অহুগুম্বা থবাক্তা চুরিবা কুঙ্কুম অহুবু "খেলদ—" হাঙ্গীবনাচিংবা বিশেষণনা খংহনবদি— ইতত্তত্তনা সান্নাবগী চোকথ-হুইথবনা সোবা হুমাংনা চোৎলি হাঙ্গীবনা লক্ষ্মীনা নম্বা মুদ্রা অহু কংতুনা লৈবা নত্তে ইতত্তত্তনা হুজিক্তা নম্নীবা কংদ্রিবগুম্না লৈরি হাঙ্গীবসি নুমিৎচুপ্পা লক্ষ্মীগী প্রেম অহুনা ক্ষণ ক্ষণ খুদিংগী অনৌবদগী অনৌবতা ওইবা ঙসাইদগী হুজিক্কা হেনগৎলকপা ওইনা থোক্পা প্রেমগী অনৌবহু হাঙ্গীবনি। "ব্যক্তানুরাগম্ ইব" হাঙ্গীবদি কৃষ্ণনা ইবেম্মবু নুংশিরিবা অহুনা থমোই মনুংগী মপান্দা খোরকপগুমই হাঙ্গী-বগী ভাবতি অসিনি, মাতুদি— লক্ষ্মীবু নুংসিবহু হাকমনুখরহুনা শ্রীকৃষ্ণগী থমোই অতুদা লৈবদা পাথোক্লহুনা মপান্দাম্নু পাথরক্লবনি হাঙ্গীবনি। মনুংগী ভাব অমনবু লক্ষ্মানে শ্রীকৃষ্ণনে অনিগী নুংসিনব্বা (রাগ) দি অঙাংবা রাগনি হাঙ্গীবসিমম্নু ফোংদোকই, তৌইগুম্বম্নু লক্ষ্মীবু নুংশিবদি মপান্দা থমই মনুংদা অন্তরদদি শ্রীমতীরাধিকাবু নুংসিবা অনুরাগনা থন্না লৈবা ওইবনা লক্ষ্মীবু নুংসিবা অনুরাগনা চংবা ঙমদরে হাঙ্গীবা গূঢ়ার্থ অসিবুম্নু ফোংদোকই। রাহৈ অসিনা শ্লোক অসি শৃঙ্গাররসনি, নায়ক শ্রীকৃষ্ণনা দক্ষিণনি, অহুনা দাক্ষিণ্য গুণবু ব্রাহৈ অসিনা খংহল্লি, মাতুমক শৃঙ্গারতিলক্না হাঙ্গীরি— "যো গৌরবং ভয়ং প্রেমসম্ভবং পুর্ব্বযোষিতঃ। নমুঞ্চত্যন্যচিত্তেঽপি জ্ঞেয়োঽসৌ দক্ষিণো যথা।" অর্থাৎ— লৈমিন্নরিবী হান্নগী নুপীদা সন্মান তৌবা, কিবা, নুংসিবা, লুনা তৌবা অতুদি থাদোক্তনা তৌরগা পুক্নিংদদি অমবু নুংসিবহু কাউবা ঙমদবা নায়ক অহু দক্ষিণ কৌই, অম্নুম্না উজ্জ্বল নীলমণিনা লৌখৎলি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বসন্তে বাসন্তীকুসুমসুকুমারৈরবয়বৈ-
র্ভ্রমন্তীং কান্তারে বহুবিহিতকৃষ্ণানুসরণাম্।

সহচরী (লোইনরিবী সখীনা) বসন্তে (বসন্ত ঋতুদা) কান্তারে (চাওরবা বন মরক্তা); বাসন্তী কুসুম সুকুমারৈঃ (বাসন্তী কৌবী মাধবীলতা লৈগুম্না নৌরবা) অবয়বৈঃ (হকচাংগী অবয়বনা) ভ্রমন্তী

শ্রীমতী রাধিকানা নুংশিবগী মৈনা চাক্লহুনা বসন্ত ঋতুদা লানথমদ্রবা অচৌবা বনদা শ্রীকৃষ্ণবু থিহুনা হন্না হন্না চৎলি, ইবেমাগী

—মফম অসিদা "পদ্মা" হাঙ্গবসি "লক্ষ্মী পদ্মাকমলা শ্রীহরি প্রিয়া" অসুম্না কোষনা হাঙ্গরিবদগী লক্ষ্মী হাঙ্গনা অর্থ লৌরে। শ্রীমতী রাধিকাবুসু লক্ষ্মী পুন্নমক্কী মবেমা ওইবনা পদ্মা হাঙ্গবনা খংনৈ, অসুন্না ভাব তৌহুনা পুজরী গোস্বামীনা মহাক্কী টীকাদা পদ্মাবু রাধা হাঙ্গনা ব্যাখ্যা তৌই, তৌইগুম্বসু রসগী পরিপাটীদা "ব্যক্তানুরাগমিব" হাঙ্গবসি অর্থ অমা ওইনা ভৌগনি। মাহুদি শ্রীমতী রাধিকাগী বক্ষস্থলদা তৈরিবা কুঙ্কুম চন্দন্না শ্রীকৃষ্ণগী বক্ষদা পকপা অহু থমোইগী অনুরাগ অহু ফোংদোকপগুমই, হাঙ্গবদি— রাধা মাধব অনিগী রাগদি মঞ্জিষ্ঠ কৌবা রাগনি, হাঙ্গবা ফোংদোকপগুমই হাঙ্গবা ভাবনি। অহুমক উজ্জ্বলনীলমণিনা হাঙ্গ,— "অহার্য্যোহমন্যসাপেক্ষো যঃ কান্ত্যা বহতে সদা। ভবেন্মঞ্জীষ্ঠরাগো তৌ রাধামাধবয়োর্যথা।। অর্থাৎ— নুংশিবগা নুংশিবীগা অনিগী নুংসিনবা অহু সঞ্চারী ভাব পুন্নমক্না কোকহনবা থমদ্রবা নুংশিবীনসু অভোপ্পা অমবু নুংশিদবা, নুংশিবনসু অতোপপী অমবু নুংশিদ্রবা মাহুগী নিংথিজবা অহুমক্তনা ক্ষণ ক্ষণ খুদিংগী হান্নদুগী হেন্না হেন্না অসুমক নুংশিবহু হেঙ্গৎপা অহুগুম্না নুংশিবী অহুগুম্না

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অমন্দং কন্দর্পজ্বরজনিতচিন্তাকুলতয়া,
বলদ্বাধাং রাধাং সরসমিদমুচে সহচরী ।১১॥

(কোইনা কোইনা চৎলিবী) বহুবিহিত কৃষ্ণানুসরণাম্ (হন্না হন্না শ্রী-কৃষ্ণবু থিরিবী) কন্দর্পজ্বরজনিত চিন্তাকুলতয়া (কামগী লাইনানা পোকহনবা চিন্তাগী অৱাবনা) অমন্দং (কন্না) বলদ্বাধাম্ (অৱাবাহু মথং মথং চাওথৎলবী) রাধাম্ (রাধাদা) ইদম্ (হাঙ্গৈগদৌরিবা ৱা অসিবু) সরসম্ (রসগা লোইননা) উচে (হাঙ্গৈখি) ।১১।

হকচাং পুন্নমক অতুদি বসন্ত ঋতুদা শাৎপা বাসন্তী কৌবী মাধবীলতা লৈদগী হেন্না নৌরবীনি. অতুগা বনগী তিঙ্খং তুম্বৌ নুংজেং মরক্তা চৎপদা ৱারিবা অতুবুদি ৱাই হাঙ্গৈবা খংদরে, থমোইদা চাক্লিবা শ্রী-কৃষ্ণগী প্রেমগী মৈনদি অতৎপা লৈতনা হেঞ্জল্লকপা অৱাবহু উরগা সহচরী অমনা য়াম্না ফজরবা রসগা লোইনবা ৱাহৈনা মখাদা হাঙ্গৈ-গদৌরবা ৱাসি হাঙ্গৈ ।১১। *

—নুংশিবা অতুবু ম'প্রষ্ঠ রাগ কৌই, মাতুদি রাধামাধব অনিগী ওইবা অতুনি। পক্ষ অমদা হাঙ্গৈরগা— পদ্মাবু রাধা হাঙ্গৈনা অর্থ লৌবদা নায়কনা অনুকুল নায়কনি, নায়িকানা স্বাধীন ভর্তৃকানি হাঙ্গৈনা খংন-গনি, পক্ষ অসোমদা হাঙ্গৈববু পুজরী গোস্বামীনা পামই, অতুনা—টীকা অতুগী অৱাৎপা মফম অসি পাঠকনা হাপকদবনি ।১০।

* — কবিনা বর্ণন ভৌগদৌরিবা রসদি শৃঙ্গারনি, মহাক্তি সম্ভোগ কৌবা অমা, বিপ্রলম্ভন কৌবা অমা, মখল অনিনি। বিপ্রলম্ভন—(কাইনবা) হাঙ্গৈবা অতু নত্তনদি সম্ভোগ (কাইনদবগী) নিংথিবা লৈতে, মাতুদি কষায়িত (মচু সংনবা রসনা সেন্নবা) ফীদা সংলগা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বসন্তরাগ যতিতালাভ্যাং গীয়তে ॥৩॥

ললিতলবঙ্গলতা পরিশীলন কোমলমলয়সমীরে,
মধুকরনিকরকরম্বিতকোকিলকূজিতকুঞ্জকুটীরে ।১॥

সখি (হে সখী রাধে) ইহ (বৃন্দাবন অসিদা) সরস বসন্তে— (শৃঙ্গার রসনা প্রধান ওইবা বসন্ত ঋতুদা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) বিহরতি (সান্নরি) যুবতী জনেন সমং (যুবতীজনসিংগা লোইনতুনা) নৃত্যতি — (জগোই সারি) বসন্ত অতুদি করম তৌবগে ? (১) ললিতলবঙ্গলতা পরিশীলনেন কোমলঃ মলয়সমীরঃ যত্র (নৌরবী লবঙ্গলতাগা শোরুরুবনা মেংলবা মলয় পবননা মাঙোন্দা ওইরিবা) (২) মধুকরনিকরৈঃ করম্বিতৈঃ কোকিলৈঃ কুজিতঃ কুঞ্জ এব কুটিরঃ যত্র (খোইমুগী মপৈগা তিন্নরবা কোকিলসিংনা খোংলবা কুঞ্জনা য়ুম ওইবা) (৩) বিরহিজনস্য

হে সখী রাধে ! নিংথিজরবা বসন্তগী মতম অসিদা বৃন্দাবনগী বনদা শ্রীকৃষ্ণনা যুবতীসিংগা লোইননা জগোই সামন্নতুনা সান্নরি ।

—য়াম্না নিংথিবা মচু ওই "কষায়িতে বস্ত্রাদৌ ভূয়ান্ রাগোঽভিজায়তে ।" অসুম্না শাস্ত্রনা হাঙ্গৈবনা অহানবদা বিপ্রলম্ভন রসবু হান্না কাবনা লেংই । নায়কনা দক্ষিণনি (মশক্তি মথক্তা হাঙ্গৈখরে), নায়িকানা বিরহোৎকণ্ঠিকানি, দশানা অভিলাষনি । অলঙ্কারনা লুপ্তোপমালঙ্কার অমসু অনুপ্রাসনি, রীতিনা বৈদর্ভীনি, ছন্দনা শিখরিণীনি, মফম অসিদদি মাবু উপনাগরিক কৌগনি, "মাধুর্য্য ব্যঞ্জকৈর্বর্ণৈ রুপনাগরিকেষ্যতে ।" অসুম্না হাঙ্গৈ । বাসন্তী কৌবা লৈ, হাঙ্গৈবদি— মণিপুরদা মাধবীলতা কৌবা লৈ অদুবু হাঙ্গৈবনি ।১১॥

—:※:—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিহরতি হরিরিহ সরসবসন্তে নৃত্যতি,
যুবতিজনেন সমং সখি বিরহিজনস্য দুরন্তে। ধ্রু ।২।।

উন্মদমদনমনোরথপথিক বধূজনজনিতবিলাপে,
অলিকুলসঙ্কুলকুসুমসমূহনিরাকুলবকুলকলাপে ।৩।।

দুরন্তে (নুংশিবা কাঙ্গৈনন্নবা মীনা ৱানা সিনবা ওইবা) (৪) উন্মদ (উৎসুক) মদন মনোরথেন পথিক বধূজনস্য জনিতবিলাপঃ যত্র (ময়াই কারবা নুংশিবগী রাথন্না লম্বেনচৎপী মৌনহাসিংগী তেংথাফম ওইবা) (৫) অলিকুলসংকুলবকুলানাং কলাপঃ যত্র (খোইমুনা থল্লবা বকুলগী মপৈনা ওইবা) (৬) মৃগমদসৌরভরভসবশম্বদঃ নবদল তমাল যত্র—

এংঙু হে ইতা, বসন্ত অসিদা তৌরিবা— মলয়াগী মেংলবা নুংশিৎনা মাগী চান্নবী অনৌবা মাধবীলতা কৌদী উরিবু কোল্লত্থুনা সিৎলি। কুঞ্জগী য়ুম ওইরিবা উ, উরী, পুন্নমক অসিদা লৈহী চুপকদবগী পাই-রিবা খোইমুগী খোঞ্জেনগা লোইননা কোকিল খোংলিবা, কুহুকুহু হাঙ্গৈবা খোঞ্জেন্না ইনিল নিল্লে, মাসিমক্তি চান্নবগা লৈমন্নবা ফংদ্রবী যুবতীনা অৱাবামক্তনা হেক শিবা মতমনি। চান্নববু উনবা ফংদ্রবী লম্বেনচৎ-লিবী মৌনহানা মাখোইগী পুক্নিংদা বসন্তঋতু অসিদা ঋতুরাজগী নিংথিবা ময়াম অত্থু উরুবা, মাত্থুগা লোইনত্থুনা "ঐবু ঐগী ইবুঙো চান্নবনা মাত্থুন্না হাঙ্গৈবা, ঐনা মাত্থুন্না খূম্বা" হাঙ্গৈবনাচিংবা নুংশিবগী রাখল অস্থুম তৌরুরগা খোঞ্জেন থোক্লা তেংথাত্থুনা কপ্পবা মতমদা— "হে ইতা, এঙু, এঙু বকুলপাম্বী অসে, লৈহী চুপকে হাঙ্গৈত্থুনা ঙং-লিবা খোইমু ময়াম্না থন্না তোংলবা মপান অসিনা মশা পুন্নমক থল্লে, তমালপাম্বী অসিনা মত্তোন অনৌবা এম্নিং হুল্লত্থুনা মাত্থুগী মনমনা—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মৃগমদসৌরভরভসবসম্বদনবদলমালতমালে,
যুবজনহৃদয়বিদারণমনসিজনখরুচিকিংশুকজালে ।৪।।

(কস্তুরীগী লাপনা চৎপা মনমবু নমহৎপা মতোন অনৌবা চোংলবা তমালনা ওইবা) (৭) যুবজনহৃদয়বিদারনমনসিজনখরুচিকিংশুকজালে (পাথ গী থমোই থিঙ্গাইবা কামদেবগী খুজিন মানবা পংগোং মপানগী মপৈনা ওইবা) (৮) মদন নহীপতেঃ কনকদণ্ডরুচি কেশর কুসুমবিকাশে

কস্তুরী চন্দনদগী হেন্না নুংশিরে, ভাংলবা পাঙ্গোংগী মপান অসিনা পন্নেং পন্নেং শাৎলিবা অসে ! মথোৎকারকপা মী পুন্নমক্কী থমোই থিঙ্গাইগে হাঙ্গৈতুনা কাম কৌবা লাইনা খুজিন থিন্দোরকপা ওইরি। নাগেশ্বর কৌবা লৈনা শাৎলিবসি উরগা ঐথোইনা নিংই,—বসন্ত কৌবা ঋতুদা কামনা নিংথৌ ওইরে, নিংথৌ অতুগী থৌগনগী দমক সনাগী ছেকপীন খনরগুম উরে। পটল পাটল কৌবা লৈনা শাৎলিবসি কাম কৌবা লাইনা মথোৎকারকপা মীওইববু থানবা ভেনবু তেন্দোংদা হাপপা ওইনা উই। বসন্ত কৌবা ঋতু অসি হেক চংবদা মী পুন্নমক অসি ইকাইবা থাদোক্তুনা মী পুন্নমক নুংশিবগী কুমৈ তৌতুনা শান্নরিবা উরগা বসন্ত ঋতুনা নুঙাইরতুনা করুণ কৌবা লৈনা শাৎপা শারতুনা নোকলি, ঐথোইনা কেতকী কৌবা লৈনা মতোন ইতুম তুম্না শাৎলি-বনি হাঙ্গৈনা উরিবসি কামদেবনা কাইনরিবা মীওইববু থিনগে হাঙ্গৈতুনা থিন্দোকপা তা মান্দ্রা? মাধবিকা কৌবা লৈগী মনমনা বসন্ত ঋতু অসিদা মফম পুন্নমকপু ইনৌত নৌহল্লে, নব মালতী অমসু যাতীগী মনমনা মফম পুন্নমক নুংশিবনা সিন-থুংলে, মাসিদি চুন্নগী মীচমদি থন্নো, মুনিগী পুক্নিংমকপু স্নঙ্কৎলে। হে ইতা! বসন্ত হাঙ্গৈবসিমক্তবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মদনমহীপতিকনকদণ্ডরুচিকেশরকুসুমবিকাশে,
মিলিতশিলীমুখপাটলিপটলকৃতস্মরতূণবিলাসে ।৫।
বিগলিতলজ্জিতজগদবলোকনতরুণকরুণকৃতহাসে,
বিরহিনিকৃন্তনকুন্তমুখাকৃতিকেতকি দন্তুরিতাশে ।৬॥

(কামদেব কৌবা নিংথৌগী সনানা মথোক পানবা ছেকপিন মান্নবা নাগেশ্বর কৌবা লৈনা শাৎকাইরবা) (৯) মিলিত শিলীমুখপাটল পটল-কৃত স্মর তূণবিলাসে (তেন হাপ্লবা পাটল পটল কৌবা লৈগী মশক ওইবা কামদেবগী তেন্দোংনা ওইবা) (১০) বিগলিত লজ্জিত জগদব-লোকন তরুণ করুণ কৃতহাসে (ইকাইবা থাদোক্লবা তাইবংপানববু উত্তুনা অনৌবা করুণ কৌবা উগী মপান শাৎপা শাত্তুনা নোক্লরিবা) (১১) বিরহিনি কৃন্তন কুন্তমুখাকৃতি কেতকি দন্তুরিতাশে (চান্নবা চান্নবী কাই-নরিবা নিপা হুপীগী থমোই থিঙ্গাইনবগী দমক শেন্নবা তাগী মচিন মান্বা কেতকী কৌবা লৈনা মাইকৈ পুন্নমক থল্লবা) (১২) মাধবিকা পরিমল ললিতে (মাধবিকা কৌবা লৈগী লাপ্পা চৎলবা মনমনা নিংথিরবা) (১৩) নবমালতি সুগন্ধৌ (অনৌবা মালতি জাতীনা মনম নুংশিরবা) (১৪) মুনি মনসামপি (মুনিসীংগী পুক্লিংগী) মোহনকারিণি (সুক্ষৎনবা ওইবা)

মথোৎকারকপা মীওইবগীদি থাঙ্গৈশেংনা মহৌশানা চান্নজবা মতমনি। এঙ্গূনে ইতা, হৈনৌগী মশাদা এৎতুনা অতিমুক্তলতা কৌবী উরীনা মশাহু হাইহুমত্তুনা হৈনৌপাম্বীবু কোল্লি, মাতুগী নুভাইবনা হৈনৌনা মপালশাৎপা শারত্তুনা মতু চুংলে। যমুনাগী মনাক্তা লৈবা বন পুন্নমক অসি যমুনাগী ঈসিংনা অমোক্তা ওইনা শেংহনখরে। অসিগুম্বা বৃন্দা-বনগী বনদা হরিনা সান্নরি, অসিগুম্বা শ্রীজয়দেবগী ব্লাহৈ অসে, শ্রী-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মাধবিকাপরিমলললিতে নবমালতিজাতিসুগন্ধৌ,
মুনিমনসামপি মোহনকারিণি তরুণাকারণবন্ধৌ ।৭॥
স্ফুদরতি মুক্তলতা পরিরম্ভণ মুকুলিত পুলকিত চুতে,
বৃন্দাবিপিনে পলিসর পরিগত যমুনা জলপূতে ।৮॥
শ্রীজয়দেব ভণিতমিদমুদয়তি হরিচরণ স্মৃতিসারম্.
সরস বসন্ত সময় বনবর্ণনমনুগত মদনবিকারম্ ।৯॥

---

(১৫) তরুণাকারণবন্ধৌ (পাখং-নুরাসিংগী মহৌশাগী চান্নবা ওইবা) (১৬) স্ফুরদতিমুক্তলতা পরিরম্ভণ মুকুলিত পুলকিত চূতে (তনিক তনিকলবা অতিমুক্তলতা কৌবা উরীনা এৎপনা মপান শাৎপগী মশক ওইনা তু চুং-লবা হৈনৌনা ওইবা) পরিসর পরিগত যমুনাজলপূতে (মনাক্তা লৈবা মফমদা সিন-থুংলবা যমুনাগী ঈসিংনা শেংদোক্লবা) বৃন্দাবিপিনে (বৃন্দা-বনগী বনদা—সান্নরি) হরিচরণস্মৃতিসারম্ (শ্রীহারগী চরণ নিংসংবন্দ্র মচা ওইবা) সরস বসন্ত সময়বনবর্ণনম্ (রসগা লোইনবা বসন্ত মতম গী বনবু থাবা—বর্ণনা) অনুগত মদনবিকারম্ (অতৎপা লৈতনা ওই-রিবা কন্দর্পগী বিকার ওইবা) ইদম্ (অসিগুম্বা) শ্রীজয়দেবভণিতম্ (শ্রীজয়দেবগী বচননা) উদয়তি (পুন্নমক্তগী হেন্না লৈ) ।১—৯।

হরিবু নিংসংবতনা মহাক্কী মাংত্রবা মচীনি, নিংথিবা বসন্ত ঋতুগী বন থাবা, মাহুমক্তনা মুংশিবগী মৈচাকনা শক-চু ওন্নবা ওইবা য়াথং অসিনা পুন্নমক্তগী অহেনবা ওইরি ।১—৯।! *

---

* ঈশৈ অসি বসন্তরাগনি, যতি তালনি। পদ ৮ ললিতলবঙ্গ লা চিংবা অসি জাতি কৌবা অলঙ্কারনি, মধ্য নায়িকা, দক্ষিণ নায়কনি,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দরবিদলিতমল্লীবল্লিচঞ্চৎ পরাগ,
প্রকটিতপটবাসৈর্বাসয়ন্ কাননানি।
ইহহি দহতি চেতঃ কেতকীগন্ধবন্ধুঃ,
প্রসরদসমবাণপ্রাণবদ্গন্ধবাহঃ ।১০॥

ইহ (বসন্ত অসিদা) হি (লেপনা) দরবিদলিতমল্লীবল্লীনাং (খজিক্তং শাকাইরবা মল্লিকা কৌবা উরীগী) চঞ্চৎপরাগ প্রকটিতৈঃ পটবাসৈঃ (পাইথোক্লক্লবা লৈরিক্লা) পিষ্টাত—ফিনচিংবদা মনম চুনবা সেম্বা মনম নুংশিবা মকুপ ওইহুনা) কাননানি (বন খিবিকপু) বাসয়ন্ (মনম নুংশিহন্দুনা) কেতকীগন্ধবন্ধুঃ (কেতকীগী মনমগা চান্নবা) গন্ধ-বাহঃ (মনম নুংশিবা নুংশিৎনা) প্রসরদ্ অসমবাণ প্রাণবৎ (কামদেবগী থব্রাইনা থোরকপগুম্না) চেতঃ (বিরহিজনগী থমোইবু) দহতি (চাকই) ।১০।।

বসন্ত ঋতু অসিদা হৈনগ-লৈনমগী নুংশিবা মনম পুবা নুংসিৎনা মাল্লিকা কৌবী লৈগী লৈরিক পুহুনা মাহুনা মনম নুংশিহনবা মকুপ ওইহুনা বনগী মফম পুম্নমকপু মনম নুংশিহল্লি। নুংসিৎ অসিনা কেতকী কৌবী লৈগী মনমগা চান্নবা ওইহুনা কামদেবগী হিংলিবা থরাইগুমনা সিৎতুনা নুংশিবগা কাইনরবীগী থমোইবু মৈ ওইহুনা চাকলি।১০।। *

—রসনা বিপ্রলম্ভন কৌবা শৃঙ্গার রসনি! ছন্দনা লয় কৌই, মাহুদি "মুনিষগণৈর্লয়ঃ মামসন্তি" যগন ভরেৎনা লেংববু লয় কৌই, 'বিহরতি' হাঙ্গবা পদনা ধ্রুবপদনি, মাহু পদ খুঁদংগী অহানবদা শব্দবনি। অতুগা পদ অতৈনা বসন্তগী বিশেষণ ওাক্কনি।৯।।

৪ শ্লোক অসি মালিনী ছন্দনি, অলঙ্কারনা সমাসোক্তি বর্ণানুপ্রাসনি.

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

উন্মীলন্মধুগন্ধলুব্ধমধুপব্যাধুতচূতাঙ্কুর,
ক্রীড়ৎকোকিলকাকলীকলকলৈরুদ্গীর্ণ কর্ণজ্বরাঃ।
নায়ন্তে পথিকৈঃ কথং কথমপি ধ্যানবধানক্ষণ,
প্রাপ্তপ্রাণসমাসমাগরসোল্লাসৈরমী বাসরাঃ।১১॥

পথিকৈঃ (লম্বেন চৎপা নিপাসিংনা) উন্মীলন্মনুগন্ধলুব্ধমধুপৈঃ (চৎথোরক্লবা লৈহগী মনম পান্বা খোইমুসিংনা) ব্যাধুতাঙ্কুরেযু (হাইজুম্লবা হৈনৌ মতোনসিংদা) ক্রীড়ৎকোকিলকাকলীভিঃ (সান্নরিবা কোকিলসিংগী মিরবা খোঞ্জেন্না) কলকলৈঃ (নিনখোংলবা) উদগীর্ণ-কর্ণজ্বরা (নাকোংদা চাল্লবা) অমী (অসিগুম্বা) বাসরাঃ (বসন্তগী নুংথিল থিবিকপু) কথং কথমপি (ল্লানা) ধ্যানাবধানক্ষণ প্রাপ্তয়াঃ (নুংসিববু তত্তনা নিংসংলম্বদগী থমোইদা ঙাইহাকতং হেক ফাউরক্লবী)

বসন্ত ঋতুদা লম্বেন চৎপা মীসিংনা বসন্ত ঋতুগী নুংথিন পুন্নমক অসিবু লেনবদি ওন্থোক্লা ল্লানা লেনখরে, লম্বেনগী নাক এৎতা এং-থোকখিবদা মফম পুন্নমক্তা উরিবা হৈনৌমপানগী লৈহী মনম তাবদা ঙাওহুনা পাইরবা খোইমুনা হৈনৌ মতোন পুন্নমক অসি ইনোম নোমখ্রে, মাতুদা কোকিলনা হৈনৌ মপাল মখোৈথন্না উমহুনা "কূ কূ" হাঙ্গৈনা পঞ্চম স্বরদা খোংলকপা হেক তাবদা লম্বেন চৎথোরকপা ওইবনা মাগী-

---

—রসনা বিপ্রলম্ভন কৌবা শৃঙ্গারনি, পঞ্চালী রীতিনি, ভাবতি বসন্ত কৌবা ঋতু অসিনা নুংশিবগা কাইনরবীবু থমোই চাকহনবা মতৌ, পুন্নমকপু মনম নুংশিহনবা অমসু মাবু থাদোকপা ঙমহন্দবা পুন্নমক অসিনা মরম ওইহুনা থল্লাইপানবা— হিংলিবা ওইনা কবিনা অসিদা বসন্তবু থারি।১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অনেকনারীপরিরম্ভসংভ্রমস্ফুরন্মনোহারিবিলাসলালসম্ ।
মুরারিমারাদ্দর্শয়ন্ত্যসৌ সখী সমক্ষং পুনরাহ রাধিকাং ।১॥

প্রাণসমায়াঃ (থরাইগ৷ মাননবী নুংসিবীগী) সমাগমরসেন (থমোই মন্নুংদা ফাউরকপগী নুঙাইবনা) উল্লাসৈঃ (হৌরকপা ঈরাংনা মরম ওইদুনা) নীয়ন্তে (লেনলি) ।১১।।

অনেকনারীণাম্ (অয়াম্বা নুপীসিংগী) পরিরম্ভ সংভ্রমেণ (অলিঙ্গন তৌবগী ইকাইখুম্নবা) স্ফুরন্মনোহারি বিলাসেযু (ফোংদোক্লবা নীংথিজরবা বিলাস পুন্নমক্তা) লালসম্ যস্তম্ (পাম্বনা মহাক্কী ওইবা) মুরারিম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) আরাৎ (অরাপ্পদা) সমক্ষং (সংসংনা) দর্শয়ন্তী (উরবী) অসৌ (অদুগুম্বী) সখী (সখীনা) রাধিকাম্ (শ্রীমতি রাধিকাদা পুনঃ (অমোক হন্না) আহ (হাঙ্গী) ।১॥

মাগী চান্নবী য়াওরক্তবনা মখোইদদি অদুপ ফজবা খোঞ্জেল্দুনা নাকোংদা মৈ ওইনা চাক্লরে। নুংসিবী কাইনরবা মী হাঙ্গবসিদি হিংবা হৌনদ্রবনি অদুবু মখোইনা থরাই পুদুনা ময়ুমদা হজ্ঞনবা ওম্বদি নিপা ওইবনা চান্নবীবু বসন্তগী নুংথিনদা নিংসংবদা কনমনখিদুনা মাখোইগী মথরাইগা মান্নবীনা হেক ফাউরকপা ওহাক্তং অদুদা ওইবা নুঙাইবা অদুনা হাকমন্দুনা অসুপ নুঙাইবসি সিরবদি অমোক হন্না ফংলরোইকো হাঙ্গদুনা রানা থরাই পুদুনা বসন্তগী নুংথিল অসি লেপ্লি ।১১। *

সখী অদুনা অসুম এংখিবদা লাপনা শ্রীকৃষ্ণনা নুপী ময়ামগা সান্নদুনা লৈবদু উরে। শ্রীকৃষ্ণদি নিংথিজবী ইবেমাসিংনা চেৎনা কোন্দুনা

---

* ব্যাখ্যা—পদ্য অসি শার্দ্দুল বিক্রীড়িত ছন্দনি, রীতিনা গোড়িয়ানি। রসনা বিপ্রলম্ভণশৃঙ্গারনি ।১১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রামকরী রাগেণ যতি তালাভ্যাং গীয়তে ।

চন্দনচর্চ্চিতনীলকলেবরপীতবসনবনমালী,
কেলিচলন্মণিকুণ্ডলমণ্ডিতগণ্ডযুগঃ স্মিতশালী ।২॥

চন্দনচর্চ্চিতনীলকলেবরে (চন্দন তৈরবা অসংবা হকচাংদা) পীতবসনং বনমালাচ যস্য (নাপু মানবা ফী, বনমালা থোনবা) কেলিষু চলন্ মণিকুণ্ডলাভ্যং মণ্ডিতং গণ্ডযুগং যস্য (কেলিসিংদা হাই-হুমলবা মণিকুণ্ডল অনিনা লৈতেংলবা চাইরুং অনিনা ওইবা) স্মিতশালী (মোমোন মোমোন নোকপনা নিংথিজরবা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) ইহ (মসিদ) বিলাসিনি (হে বিলাসনা তিনবী হে রাধে) কেলিপরে (চুম্নগী সান্নবদা পুকনিং চংলবী) মুগ্ধবধুনিকরে (ফজবী নুপীসিংগী মরক্তা, অর্থ অমনা হাব-ভাবনচিংবা খংদবী নুপীসিংগী মরক্তা) বিলসতি (সান্নরি) ।২॥

ইবুঙো মাবু সন্মান তৌবগী পুকনিং হুরবা নিংথিজবা কুম্মেদা নুঙাইহুনা লৈরি, মাহু হেক উরুবগা সখী অতনা অমোক হন্না শ্রীমতীরাধিকাদা হাঙ্গথি ।:॥ *

কস্তুরীনাচিংবা চন্দননা নিংথিনা লৈতেংলবা অশংবা শ্রীঅঙ্গদা ফীগেসনা অমা শেৎ, অমা ইন অমস্থ লৈগী পরেং থোন্দুনা নাদা থোল্লিবা মণিগী নায়িন অনিনা ইবুঙোগী সানবনা লেংবদা হাই-হুম্লবা চাইরুং অনিদা লৈতেংলি, মোমোন মোমোন নোকপা মীনোক্না নিং-থিজরবা হরিনা হে রাধে, অসিদা, ফজবী মশাদি অপংবী নুপী ময়ামগা লোইনহুনা সান্নরি ।২॥

---

* ব্যাখ্যা— শ্লোক অসি বংশস্থ ছন্দনি, অলঙ্কারনা বর্ণসাম্য অনুপ্রাসনি, নায়কনা দক্ষিণনি ।১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরিরিহ মুগ্ধবধূনিকরেণ বিলাসিনি বিলসতি কেলিপরে ॥ধ্রু॥
পীনপয়োধরভারভরেণ হরিম্ পরিরভ্য সরাগম্,
গোপবধূরনুগায়তি কাচিদুদঞ্চিতপঞ্চমরাগম্ ।৩।।
কাপি বিলাসবিলোলবিলোচনখেলনজনিতমনোজম্,
ধ্যায়তি মুগ্ধবধূরধিকং মধুসূদনবদনসরোজম্ ।৪।।

কাচিৎ (কনাগুম্বী) গোপবধূঃ (গোপী অমনা) পীনপয়োধর ভারভরেণ (মপুং ফারবা বক্ষস্থলগী অরুম্বনা) হরিম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) সরাগম্ (অনুরাগগা লোইননা) পরিরভ্য (কোল্লতুনা) উদঞ্চিত পঞ্চ-মরাগম্ (লাউথংলবা পঞ্চম কৌবা রাগ ওইতুনা) অনুগায়তি (শ্রী-কৃষ্ণনা শকথরবা তুংদা, শকথিবতু মাস্থ শকই ।৩।।

কাপি (কনাগুম্বী) মুগ্ধবধূঃ নিংথিজবী নুপী অমনা অর্থ অমদি রসগী হৌনবী খংদবী অপংবী অমনা) বিলাসেন বিলোল বিলোচনয়োঃ খেলনেনজনিতঃ মনোজঃ যেনতম্ (সান্নবনা তথক তথক্লবা মীৎ অনিগী সান্নতুনা এংলকপনা পুকনিংদা কামদেববু পোকহল্লবা) মধুসূদন বদন সরোজম্ (শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং থম্বানবু) অধিকম্ (থোইদোকনা) ধ্যায়তি (ধ্যান তৌই) ।৪।।

কনাগুম্বী ফজরবী অমনা মপুং ফারবা থবাক্কী অরুম্বনা হরিবু নুংশিনা চেংনা কোল্লতুনা পঞ্চম কৌবা রাগনা শক্লিবা শ্রীকৃষ্ণগী ঈশৈগী তুংদা মহাক্কা শকলি ।৩।।

কনাগুম্বী নুপী ফজবী অমনা সান্নধগী তথক তথক এংবা মীৎএংনা নুপী পুন্নমক্কী থমোইদা কন্দর্পবু থোকহল্লিবা শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং-থম্বানবু মুন্না এংলম্লগা মাত থমোইদা হাপতুনা মীৎ উইসিন্দুনা ধ্যান তৌরি ।৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কাপি কপোলতলে মিলিতুংলপিতাকিমপিশ্রুতিমূলে,
চারু চুচুম্ব নিতম্ববতী দয়িতং পুলকৈরনুকূলে ।৫।।
কেলিকলাকুতুকেন চ কাচিদমুং যমুনাজলকূলে,
মঞ্জুলবঞ্জুলকুঞ্জগতং বিচকর্ষ করেণ দুকূলে ।৬।।
করতলতালতরলবলয়াবলিকলিতকলস্বনবংশে,

কাপি (কনাগুম্বী) নিতম্ববতা (নিংথিজবা খ্বাংগী মখানা ওইবী মুপী অমনা) শ্রুতিমূলে (নাকোং মরূদা) কিমপি (করিগুম্বা অমবু) লপিতুম্ (হাঙ্গৈগে হাঙ্গৈবগীদমক) পুলকৈঃ (তুজুংখিবনা) অনুকুলে (ফৌরোই ইন্না লৈবা) কপোলতলে (শ্রীকৃষ্ণগী চাইরুংদা) মিলিতং (নপ্লহনা) চারু (নিংথিনা) চুচুম্ব (চুপলি) ।৫।।

কাচিৎ (কনাগুম্বী অমনা) যমুনাজলকূলে (যমুনাগী ঈশিংনা থল্লবা মপান্দা) মঞ্জুল বঞ্জুল কুঞ্জগতম্ (নিংথিজরবা বঞ্জুল কুঞ্জদা লৈখ্রবা) অমুম্ (শ্রীকৃষ্ণ অসিবু) কেলিকলাকুতুকেন (সান্নবগী মরম্না মুঙাইহনা) দুকুলে (ইনফিদা) করেণ (খুৎনা) বিচকর্ষ (চিংখি) ।৬।।

করতল তালেন (খুৎ অনিনা খুবাক খুবনা) তরলবলয়াবলিভিঃ

কনাগুম্বী তুংয়ান্ নিংথিজবী অমনবু শ্রীকৃষ্ণদা ব্বা অমত্তা হাঙ্গৈগে হাঙ্গৈহনা নাকোং ময়াদা নপ্লগা মাহুম ভৌরুবদগী প্রেমনা তুজুংলক্লবা শ্রীকৃষ্ণগী খজাইদা ফজনা চুপলি ।৫।।

কনাগুম্বী অমনাবু যমুনা মপান্দা ফজরবা বঞ্জুল কুঞ্জদা শ্রীকৃষ্ণনা চংখরবদা সান্নসি লাউ হাঙ্গৈনা হুরাউনা খুৎনা শ্রীকৃষ্ণগী ইন্নফি পাইহনা চিংলি ।৬।।

মুপী ময়ামনা রাসগী জগোই শারি, মাহুদা খুবাক খুবদা খুত্তা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রাসরসে সহনৃত্যপরা হরিণা যুবতী প্রশশংসে ।৭।।

শ্লিষ্যতি কামপি চুম্বতি কামপি কামপি রময়তি রামাম্
পশ্যতি সস্মিতচারুপরামপরামনুগচ্ছতি বামাম্ ।৮।।

(হাইরবা খুজিনাচিংবগী মখোনসিংগ) কলিত কলস্বনবংশে (য়াম্থাই-নরবা বংশীগী মীরবা খোঞ্জেন্নঃ ওইবা) রাসরসে (নুপী ময়ামগী রাস-কোবা কুমৈগী রসদা) সহনৃত্যপরা (কৃষ্ণগা জগোই সামন্নরিবী) যুবতিঃ (যুবতিবু) হরিনা (শ্রীকৃষ্ণনা) প্রশশংসে (থাগৎখি) ।৭।।

কাম্ অপি (কনাগুম্বী) বামাম্ (সান্নরিবী অমাবু) শ্লিষ্যতি (কোল্লি) কাম্ অপি (কনাগুম্বী অমব) চুম্বতি (চুপই) কাম্ অপি (কনাগুম্বী অমব) রময়তি (নিভৃত সংভোগনা সান্নৈ) সস্মিত চারুপ রাম্ (মোমোন নোংপনা থোইদোকনা নিংথিবী অমাবু) পশ্যতি (এংঙি) অপরাম্ (অতোপ্পী) বামাম্ (বাম স্বভাব ওইবী—সাউগনবীবু । অনুগচ্ছতি (সাউদনবা থেমগে হান্নৈহুনা তুংইনহুনা চৎলি) ৮।।

সিরিবা খুজিসিংদগী থোরকপা মখোন অহুগা লোইনরহুনা বংশীগী মীরবা খোঞ্জেনগী তাল চানা কনাগুম্বী অমনা জগোই শামিন্নরি, শ্রীকৃষ্ণনা গোপী অহুবু থাগৎলি ।৭।।

কনাগুম্বী অমবু কোল্লি, কনাগুম্বী অমবু চুপই, কনাগুম্বী অমবু অথুপ্পদা সান্নৈ, নিংথিজরবী মিনোক্পা ফজরবী কনাগুম্বীবুনা এংই, নুপী ওইবগী নুমিৎচুপ্পা ওইয়োইনবা লীচৎনা সাউগনবীবুনা সাউদনবা থেমই ।৮।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবকবেরিদমদ্ভুতকেশবকেলিরহস্যম্
বৃন্দাবনবিপিনবিনোদকলাবলিতং বিতনোতু শুভানি
যশস্যম্ ।৭।।

বিশ্বেষামনুরঞ্জনেন জনয়ন্নানন্দমিন্দিবর,
শ্রেণীশ্যামলকোমলৈরুপনয়ন্নঙ্গৈরনঙ্গোৎসবম্ ।

শ্রীজয়দেবভণিতম্ (শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গৈবা) বৃন্দাবনবিপিনে (বৃন্দাবনদা) অদ্ভুত কেশব কেলি রহস্যম্ (ওন্থোকপা ওইবা অথুপ্পা হরিলীলান তিনবা) যশস্যম্ (যশগস্থ লোইনবা) ললিতম্ (অনৌবা ওইবা শীত অসিনা) শুভানি (মঙ্গল খিবিকপু) বিতনোতু (সন্দোকসনু) ।৭।।

সখি (হে ইতা রাধে।) মধৌ (বসন্ত ঋতুদা) বিশ্বেষাম্ (পুন্নমক্কী) অনুরঞ্জনেন (অনুরাগনা— তত্তনা মথং মথং হেঞ্জিল্লকপা নুংশিবনা) আনন্দম্ (নুঙাইববু) জনয়ন্ (পোকহন্দুনা) ইন্দীবর শ্রেণী

শ্রীবৃন্দাবনগী বন মনুংদা থুপনা সান্নথরবা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাবু শকপা শ্রীজয়দেবগী অসগুম্বা কবিগী মিংচৎ পীবা ঈশৈ অসিনা নিংথিবা মঙ্গল পুন্নমকপু সন্দোকসনু ।৭।। *

বসন্তঋতু অসিদা নিংথিজরিবা হরিনা শৃঙ্গার কৌবা অথোইবী

---

* ব্যাখ্যা— ঈশৈ অসি রামকরী রাগ, যতি তালনা শকলি। ঈশৈগী ভণিতাদা "অদ্ভুত" হাঙ্গৈবগী ভাবত্তি— অমত্তা ওইবা নায়ক শ্রীকৃষ্ণনা গোপীময়ামগা লোইনদুনা মতম অমত্তদা তোঙান তোঙান সান্নবা অদুবু হাঙ্গৈবনি জস্নমনা খংহল্লি। ঈশৈ অসিগী মরেং ছন্দ অসি লয় কৌই, মাত্তদি "মুনিবগনৈল যমামনন্ত তজ স্তাঃ" অস্নমনা শাস্ত্রনা হাঙ্গৈ ।৭।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্বচ্ছন্দং ব্রজসুন্দরীভিরভিতঃ প্রত্যঙ্গমালিঙ্গিতঃ,
শৃঙ্গারঃ সখি মূর্ত্তিমানিবমধৌ মুগ্ধোহরিঃক্রীড়তি ।১০॥

শ্যামলকোমলৈঃ (থরো অসংবা পন্নেংগুন্না সংবানবা অমসু মেংলবা) অঙ্গৈঃ (হকচাংগী অবয়ব খিবিকনা) অনঙ্গোৎসবম্ (কামগী কুমৈবু) উপনয়ন্ (থোকহন্দুনা) ব্রজসুন্দরীভিঃ (গোপীসীংনা) অভিতঃ (অনিমকনা—মপান্দসু হকচাংনা মন্নুংদসু পুক্লিংনা) প্রত্যঙ্গম্ (হকচাংগী মফম পুন্নমক্তা) স্বচ্ছন্দম্ (মনিং তৌনা) আলিঙ্গিতঃ (কোল্লবা) মুগ্ধঃ (নিংথিজরবা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) মূর্ত্তিমান্ (মশক পানলবা) শৃঙ্গারঃ ইব (শৃঙ্গার কৌবা রসনা তৌবগুন্না) ক্রীড়তি (সান্নরি) ।১০॥

নুপীগা লোইনবা রসনা মশক পান্দুনা থোরকপগুম্না ব্রজসুন্দরী ওইবী নুপীসিংনা মপান্দসু মশানা, মন্নুংদসু পুকনিংনা ইবুঙো মাগী হকচাং পুন্নমক্তা মনিংতৌনা কোল্লতুনা সান্নরি। গোপীসিংগী অতৎপা লৈতনা মথং মথং হেঙ্গল্লকপা নুংশিবগী অনুরাগনা মরম ওইতুনা পুন্নমক অতুবু নুঙাইহল্লতুনা ইবুঙো মাগী থম্মো অশংববু হেন্না ফজবা কুচু অমসু অমেংবা হকচাংনা কামদেবগী কুমৈবু পুথোকতুনা সান্নরি।১০॥ *

---

* শ্লোক অসি শার্দ্দূল বিক্রীড়িত কৌবা ছন্দনি। মাসিদা "মুগ্ধ" হাঙ্গৈবা পদ অসি বিশ্বপ্রকাশনা "সুন্দর মূঢ়য়োঃ" অসুন্না ফজববুসু অপংববুসু খংনগনি হায়ৈবদগী মফম অসিদা ফজবা হাঙ্গৈবগী অর্থদা হাঙ্গৈখরে। শৃঙ্গার রসনা মূর্ত্তি পান্দুনা থোক্লকপগুমই, হাঙ্গৈবদি— "পুরুষঃ প্রমদাযুক্তোরসঃ শৃঙ্গার সংজ্ঞিতঃ" অথোইবী নুপীগা লোইনবা নিপাগী মতৌবু শৃঙ্গাররস কৌই, অমসু "শ্যামো ভবতি শৃঙ্গারঃ সিতোহাসঃ প্রকীর্ত্তিতঃ" শৃঙ্গাররসগী মচদি শ্যামবর্ণনি, মাগী মীনোক্লা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অম্ভোৎসঙ্গবসদ্ভুজঙ্গ কবলক্লেশাদিবেশাচলং,
প্রালেয়প্লবনেচ্ছয়ানুসরতি শ্রীখণ্ডশৈলানিলঃ।
কিঞ্চ স্নিগ্ধরসালমৌলিমুকুলান্যালোক্যহর্ষোদয়াদুন্মী-
লন্তি কুহূঃকুহূরিতিকলোত্তালাঃ পিকনাংগিরঃ।১১॥

শ্রীখণ্ডশৈলানিলঃ (মলয়াগী নুংশিৎনা) অম্ভোৎসঙ্গবসদ্ভুজঙ্গকবল ক্লেশাদ্ ইব (চীঙগী নাপোমদা লৈবা লিন্না চিকতুনা ৱারবদগী তৌবা-গুন্না) প্রালেয়প্লবনেচ্ছয়া (উন্দা লুপকে হাঙ্গৈনা নিংতুনা) ঈশাচলম্ (মহাদেবগী চীঙ—হিমালয়বোমদা তমতুনা) অনুসরতি (ভত্তনা সিৎলি) কিঞ্চ (তৌইগুম্বসু) স্নিগ্ধরসাল মৌলি মুকুলানি (ফুইরবা হৈনৌ পান্থীগী মতোনদা শাৎলিবা মপান অপোম্বা পুন্নমকপু) অবলোক্য— (উরগা) হর্ষোদয়াৎ (হরাওবদগী) পিকানাম্ (কোকিলাসিংগী) কুহুঃ কুহুঃ ইতি (কুহূ কুহূ অসুম হাঙ্গৈবা) কলোত্তলাঃ (মিনা থোরক্লবা) গির (খোঞ্জেন খিবিকনা) উন্মীলন্তি (ইনিল নিল্লে) ।১১॥

মলয় কৌবা চীঙদগী নুংসিৎনা অৱাং পাংনা অতৎপা লৈতনা বসন্ত ঋতু অসিদা সিৎলি, হে সখী রাধে! নুমিৎ অসিমক্তি মলয়া চীঙগী নাপোমদা লীনসিংনা চিকপগী ছুগী মৈচাকনা খাংবা ওয়দ্রতুনা অৱাংদা লৈবা মহাদেবগী হিমালয়চীঙ তান্না চৎলগা উনগী অইংবদা লীনগী মৈচাক কোক্লখা ঈরুগে হাঙ্গৈতুনা তৌবগুমই. অমসু মনা অনৌবনা ফুইরবা হৈনৌপান্থাসিংগী মতোন্দা শাৎলিবা মপান ময়ামহু উরগা হরাওতুনা খোংলিবা কোকিলসীংগী কুহু কুহু হাঙ্গৈবা মিরবা

অঙৌবনি, অসুম্না হাঙ্গৈবা অতুগা শৃঙ্গার কৌবা রসগী মপু দেবতাসু শ্রীকৃষ্ণনা ওইবা "শ্যামলঃ কৃষ্ণদৈবতং" হাঙ্গৈবা মরম্না হাঙ্গৈবনি।১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রাসোল্লাসভরেণ বিভ্রমভৃতামাভীরবামভ্রুবামভ্যর্ণে
পরিরভ্য নির্ভরমুরঃপ্রেমান্ধয়া রাধয়া ।

রাসোল্লাসভরেণ (রাসলীলাগী নুঙাইরবা কুমৈনা থল্লহুনা) বিভ্রম ভৃতাম্ (ওল্লবী) অভীরবামভ্রুবাম্ (গোপীসিংগী) অভ্যর্ণে (নাক্তা) প্রেমান্ধয়া (প্রেমনা মল্লবী) রাধয়া (শ্রীমতী রাধানা) উরঃ (শ্রী-কৃষ্ণগী থবাকপু) নির্ভরম্ (চেৎনা) পরিরভ্য (কোল্লহুনা) সাধু (নিংথিজে) তদ্বদনম্ (মহাক্কী মাইথোংস) সুধাময়ম্ (অমৃতনা

খোঞ্জেনস্থ বসন্ত ঋতু অসিদা মাইকৈ অপুম্বা ইনিন্ নিন্খরে ।১১॥ *
রাসগী নুঙাইরবা কুমৈনা থল্লহুনা ওল্লবী গোপীসীংগী ময়াইদা প্রেমনা ওকথ্রবী শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা চেৎনা কোল্লহুনা হাঙ্গী,

---

* শ্লোক লসি শার্দ্দূল বিক্রীড়িত ছন্দান, মথক্কী মতৌগুম্না রতি কৌবা স্থায়ীভাব, বিপ্রলম্ভন কৌবা শৃঙ্গার রসনি। অলঙ্কারনা বর্ণা-নুপ্রাস, উপমা, হেতু মাখোই অসিনি। বৈদর্ভী রীতিনি। বসন্ত ঋতুদা নুংশিৎনা মখাদগী অরাংপাংনা সিৎলি, মরমদি নুংসিত্তি অসাবা মাইকৈরোমদা চৎলি, অছুনা উত্তরায়ণ চংলবগী হৌনবী বসন্তদা নুং-সিৎনা অরাংপাংনা সিৎলি। মথারোমদা মলয়া কৌবা চন্দনগী চীং-দগী চন্দন মনম পুহুনা অরাংলোমদা সিৎলকপা নুংশিৎগী নিংথিজবা অছুনা বিরহিণীগী মরীদদি প্রেমগী মৈচাকনা হেন্না হেন্না চাকই, মাহু উরগা কল্পনা তৌরি, মাহুদি—অসুপ নুঙাইবা নুমিৎ অসিনা মৈগুম্না বিরহিণীবু চাকপা অসিদি মলয়া চীঙগী নাপোমদা লৈবা লীনগী মহু পূরকতুনা মাহুনা য়েবা অহুদা বিরহগী হান্না লৈরম্বা অহু হেন্না হেন্না চাক্লবোইরে হাঙ্গীনা কল্পনা তৌরি। অমসু নিংথমথাদদি থোক্লমদবদগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সাধুত্বদ্বদনং সুধাময়মিতি ব্যাহৃত্য গীতস্তুতি
ব্যাজাদুদ্ভটচুম্বিতঃ স্মিতমনোহারী হরিঃ পাতু বঃ ।১২॥

ওইরনি) ইতি (অসুমনা) ব্যাহৃত্য (হাঙ্গৈদুনা) গীতস্তুতিব্যাজাৎ (ঈশৈ থাগৎপা শাদুনা) উদ্ভতচুম্বিতঃ (কন্না চুপলবা) স্মিতমনোহারী (মোমোন নোকপনা নিংথিজরবা) হরিঃ (হরিনা) বঃ (নখোইবু) পাতু (ঙাকসনু) ।১২॥

হে কৃষ্ণ ! ফজৈদা নহাক্কী মাইথোংসে, অমৃতনা ওনবোইরে, অসুমনা হাঙ্গৈদুনা শ্রীকৃষ্ণনা শকপা ঈশৈবু থাগৎপা শারদুনা ইবেমানা হন্না হন্না চুপলি, মাদু উরগা মোমোন মোমোন নোকপনা নিংথিরবা হরিনা নখোই পুন্নমকপু ঙাকপিরসনু ।১২॥ *

—কোকিলনা বসন্ত চংলগা নোংমা নোংমগী স্বর খোন্থাং হেঙ্গৎলকতুনা মপাস্থবা পঞ্চমস্বরনা খোংই । কোকিলগী অদুগুম্বা খোঞ্জেন অদুদি বিরহিণীগী মরোদদি বজ্র তাবগুম্বা ত্তাই, অদুনা কবিগুরু শ্রীজয়দেবনা অদুগুম্বা বিরহিণীগী রাননবা ওইবা বসন্তানিল অমসুং কোকিল কলরব অদু থারদুনা সখীনা শ্রীমতীবু থৌগৎপা ওইনা হ্বাহৈ অসি লেংই ।১১॥

* কবি অথোইবা শ্রীজয়দেবনা শ্রীমতীগী বিরহ বেদনাবু হাঙ্গৈরুরগা খাংবা ঙমদ্রদুনা শৃঙ্গার রসগী সম্ভোগ কৌবা রসবু বর্ণন তৌদুনা মহাককুয়া ৱাররিনি, হাঙ্গৈনা নিংদুনা জীব পুন্নমকপু আশীর্ব্বাদ তৌই । আশী, প্রস্তুত প্রশংসা ব্যাজোক্তি, আক্ষেপ হেতু কৌবা অলঙ্কারসিংনা ওই । নায়িকানা প্রগল্‌ভানি, নায়কনা মুগ্ধনি । মফম অসিদা শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণবু চেৎনা চুপ্পা অসি রতিশাস্ত্রগী মরোনদা "মনিতবা" কৌই । ছন্দনা শার্দ্দূল বিক্রীড়িতনি, ইবেমনা শ্রীকৃষ্ণবু কোনবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতি শ্রীজয়দেবকৃতৌ গীতগোবিন্দে সামোদদামোদরো নাম
প্রথম-সর্গঃ।

—ঃ—

শ্রীগীতগোবিন্দম্।

দ্বিতীয়ঃ--সর্গঃ।

—ঃ—

(অক্লেশ কেশবঃ)

বিহরতি বনে রাধা সাধারণপ্রণয়ে হরৌ,
বিগলিতনিজোৎকর্ষাদীর্ষ্যাবশেন গতান্যতঃ।

মতাং অসিদা শ্রীজয়দেবনা লেংবা গীতগোবিন্দদা সামোদ
দামোদর কৌবা অহানবা সর্গঃ লোইরে।

—০—

বনে (বনদা) সাধারণ প্রণয়ে (পুম্নমক্তা মান্নবা প্রেম লৈরবা) হরৌ (কৃষ্ণনা) বিহরতি (সান্নরবদা) বিগলিতনিজোৎকর্ষেণ (ঐনা

মত্তাং অসিদা শ্রীজয়দেবগী গীতগোবিন্দদা সামোদ
দামোদর কোবা অহানবা সর্গ লোইরে।

—।—

শ্রীকৃষ্ণনা গোপী পুম্নমক্তা চপমান্নবা প্রেমগী মতৌ ওইছুনা বন্দা সান্নছুনা লৈখরবদা শ্রীমতী রাধিকানা ঐনা পুম্নমক্তগী ইহেন হেনবী

—হাঙবা অসিনা বীররসগী ওইবা আরভুটি বৃত্তিন, অনিস্থবা পদদা পাঞ্চালী রীতিনি, ঈশৈনা স্থিতলয়নি।১২।

মতাং অসিদা সামোদ দামোদর কৌবা অহানরা সর্গ লোইরে।

—।—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কচিদপি লতাকুঞ্জে গুঞ্জন্মধুব্রতমণ্ডলী,
মুখরশিখরে লীনা দীনাপ্যুবাচ রহঃ সখীম্ ।১॥

গুর্জরী রাগেণ যতি তালেন গীয়তে ।

সঞ্চরদধর সুধা মধুরধ্বনি মুখরিত মোহন বংশম্,

হেল্লি হাঙ্গৈবা রাথল থাদোকতুনা) ঈর্ষ্যাৎবশীৎ (খন্থনবগী মখা-পোনবা ওইরবদগী) অন্ততঃ (অতোপ্পা মফমদা) গতা (লৈরবী) রাধা (শ্রীমতী রাধানা) গুঞ্জন্ মধু ব্রতমণ্ডলী মুখর শিখরে (ঙংলবা খোইমুসীংগী মপৈনা ইনিল নিল্লবা মতোন্না ওইবা) লতাকুঞ্জে (লতানা য়ান্না হৌবা কুঞ্জদা) লীনা (লোৎলবী) দীনা অপি (কৃষ্ণগা কাইনবা ওইত্রনা তোল্লবী ওইহুনসু) রহঃ (অচিকপা মফমদা) সখীম্ (সখীদা) উবাচ (হাঙ্গখি) ।১॥

মম (ঐগী) মনঃ (পুক্সিংনা) ইহ (অসিদা) রাসে (রাসদা)

প্রেমবতীনি, অহুনা শ্রীকৃষ্ণনা ঐবু ইহেন হেন্না নুংশি হাঙ্গৈনা খল্লস্বা থাদোকখরে। শ্রীকৃষ্ণনা অতৈগদি সান্নরি ঐদি ফংদরে হাঙ্গৈবগী খোই-রাবমক্তনা মফম অত্তুদগী (শ্রীকৃষ্ণনা সান্নবহু উবা মফম অহুদগী) অতোপ্পা মফম অমদা চৎথোকলে অহুগা খল্লি, তাইবংপানবগী মনুংদা তোনবা হাঙ্গৈবহু ঐনা মতোল্লবোইরে অসুমনা খল্লহুনা লৈহৌ চুপকে হাঙ্গৈহুনা পাইরিবা খোইমুনা মতোন পুন্নমক্তা ঙংলবা উরিনা নিংথিরবা কুঞ্জ মনুংদা ইবেমানা লোৎলহুনা অচিকপা মফমদা চান্নবী সখিদা হাঙ্গখি ।১॥ *

হে সখি ! রাধাকৌবী ঐগী পুক্সিং অসিনা বসন্ত ঋতু অসিদা

---

* ব্যাখ্যা— শ্লোক অসি হরিণীছন্দনি । রসনা বিপ্রলম্ভণ কৌবা শৃঙ্গাররনি, নায়ক্কা দক্ষিণনি, নায়িকানা প্রৌঢ়ানি অনুপ্রাস শব্দা-লঙ্কাররনি ।১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বলিতদৃগঞ্চল চঞ্চল মৌলি কপোল বিলোলবতংসম্ ।
রাসে হরিমিহ বিহিত বিলাসং,
স্মরতি মনো মম কৃতপরিহাসম্ ।২।।
চন্দ্রকচারুময়ূরশিখণ্ডকমণ্ডলবলয়িতকেশম্
প্রচুরপুরন্দরধনুরনুরঞ্জিতমেদুরমুদিরসুবেশং ।৩।।

বিহিভবিলাসম্ (সান্নারবা) হরিম্ (হরিবু) স্মরতি (উদ্রবা হরিগী চরিতপু সংসংনা থংলি) হরি অতুমক্তি ?— সঞ্চরদধর সুধা মধুরধ্বনি (থোরক্লবা চিনবানগী মশক ওইবা অমৃতনা নিংথিজবা মখোন ওইনা) মুখরিতমোহনবংশম্ (মোহন কৌবা ব শীবু খোংলিবা) বালতদৃগঞ্চলং যথাস্যাৎতথা চঞ্চলঃ মৌলিঃ কপোলয়োঃবিলোলৌবতংসৌ বশ্যম্ (মিৎচিন তথক তথক এংতুনা কোক্তা থেৎলিবা চুড়ানা হাইবনা, চাইরুং অনিদা নাকোংদা য়াল্লিবা নায়িন অনিনা হাইরবা) কৃতপরিহাসম (অথোইবী নুপীগা নোক্না হাঙ্গনরিবা) ।২।।

চন্দ্রকচারুনা (য়েকখোংলবা থামানবা নিংথিবা) ময়ূরশিখণ্ডকমণ্ডলেন (ব্রাহোং মতুগী মপৈনা) বলায়তাঃ কেশাঃ যস্যতম্ (য়েৎলবা শমনা ওইবা) প্রচুর পুরন্দরধনুভিঃ (চুমথাং ময়ামগা) অনুরঞ্জিত মেদুর মুদিরবৎ (য়ান্নরবা অনৌবা নোংগুম্বা) সুবেশঃ যস্যতম্ (নিংথিজবা ফিজেৎনা ওইবা) ।৩।।

রাস শানরিবা হরিবু মমাংঙেদা উথিবতু সংসংনা উরে, ইবুঙো মহাক্কী চিনবান্দা থমতুনা অমৃতগুমনা নিংথিজবা খোঞ্জেন্না বংশীখোংবা, মিৎচিনা তথক তথক এংবা, মাতুগী মথক্তা কোক্তা থোল্লিবা চুড়ানা হাইবা চাইরুং অনিদা হাইরিবা নায়িন্ অনিনা নিংথিবা, গোপীসিংবু নোকনা-হাইনতুনা নুঙাইনব , পুন্নমক অতু নিংসংলে ।২।।

থা মকোইমান্না একংবা ব্রাহোং মতু ময়ামনা লৈতেংবা শমগী নিংথিবা, ইবুঙো মাগী অনৌবা হৌরকপা নোংদগীহেন্না ফজবা হকচাংদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গোপকদম্বনিতম্ববতীমুখচুম্বনলম্ভিতলোভং,
বন্ধুজীবমধুরাধরপল্লবমুল্লসিতস্মিতশোভং ।৪।।
বিপুলপুলকভুজপল্লববলয়িতবল্লবযুবতিসহস্রং,
করচরণোরসি মণিগণভূষণকিরণবিভিন্নতমিস্রং ।৫।।
জলদপটলবলদিন্দুবিনিন্দিকচন্দনতিলকললাটং,
পীনপয়োধরপরিসরমর্দ্দননির্দ্দয়হৃদয়কবাটং ।৬।।

গোপকদম্ব নিতম্বতীনাং (গোপীসিংগী তুংয়ান ফজবী নুপীসিংগী) মুখচুম্বনেন (মুখচুম্বনা) লম্ভিতঃ লোভঃ যেনতম্ (পামহনলবা) বন্ধুজীব মধুরাধরম্ (বন্ধুক কৌবা লৈগুমনা নিংথিজবা চিনবান ওইবা) উল্লসিতস্মিতঃশোভম্ (খাজক্কুং নোকপনা নিংথিজরবা) ।৪।

বিপুলপুলকাভ্যাং ভুজপল্লবাভ্যাং (তুচুংথোক্লবা পাম্বোম অনিনা) বলয়িতম্ বল্লবযুবতীনাং সহস্রম্ যস্তম্ (গোপগী নুপী লিশিং লিশিংবু কোল্লিবা) করচরণোরসি (খুৎ, খোং, থবাক্তা) মণিগণভূষণকিরণৈঃ (থোল্লিবা মণিগী মপৈগী লৈতেং খিবিকনা) বিভিন্নতমিশ্রম্ (অমম্বা মাংহনবা) ।৫।।

জলদপটলবলদিন্দুবিনিন্দিক চন্দন তিলকঃ ললাটে যস্তম্

নোং মরক্তা চুমথাং ময়াম থোকপগুম্ন সনা মণিমুক্তানা লৈতেংবা ।৩।।

খ্বাংগী মখাদা পুকনিং হুনবা ওইবী গোপীসিংগী মুখচুম্বন তৌবনা অথোইবী নুপীসিংবু পামহনবা, বন্ধুককৌবা লৈগুন্না নিংথিজবা চিনবান, মাহুগী মনুংদা মোমোন ২ নোকপগী ফজবা ।৪।।

প্রেমনা তুচুংথোকলবা পাম্বোম অনিনা উরিগী মশক ওইহুনা গোপরমণী লিশ লিশিংবু কোনবা, খুত্তা খোংদা, থবাক্তা থোনল্লিবা মণিগী আভরণশিংগী মঙান্না অমম্বা পুন্নমক কোকহনবা ।৫।।

লাইপক্তা থিল্লিবা চন্দননা অনোবা হোররুপা নোংদা থানা চৎপা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মণিময়মকরমনোহরকুণ্ডলমণ্ডিতগণ্ডমুদারম্,
পীতবসনমনুগতমুনিমনুজসুরাসুরবরপরিবারম্ ।৭॥
বিশদকদম্বতলে মিলিতং কলিকলুষভয়ং শময়ন্তং,
মামপি কিমপি তরঙ্গদনঙ্গদৃশা মনসা রময়ন্তং ।৮॥

(নোংগী মপৈদা চৎলিবা থাবু ঙমজবা চন্দননা একলবা তিলকনা লাইপক্তা থিনবা) পীনপয়োধরয়োঃ পরিসরস্তমর্দ্দনে নির্দ্দয় হৃদয়কপাটম্ যস্তম্ (নোইরবা পয়োধর অনিগী অরোইবা মফমবু নোইবনা অপেনবা লৈত্রবা থমোইগী মশক ওইবা থোংপাকনা ওইবা) ৬॥

মণিময়মকরমনোহরকুণ্ডলাভ্যাং মণ্ডিতৌ গণ্ডৌ যস্তম্ (মণিনা সাবা ঙাক্কিয়োং মানবা ফজরবা নায়িন অনিনা লৈতেংবা চাইরুংনা ওইবা) উদারম্ (ঔদার্য্য কৌবা—অমেংবা গুণনা তিম্বা) পীতবসনম্ (ফীগে সনা থোনবা) অনুগত মুনিমনুজ সুরাসুরবরপরিবারম্ (খুরুমজরিবা মুনি, মী, লাই, অমসু হিংচাবা পুন্নমক অসিনা অথোইবা মনাই ওইবা) ।৭॥

বিশদকদম্বতলে (নিংথিজবা কদম্ব মখোংদা) মিলিতম্ (নপ্লিবা) কলি কলুষভয়ম্ (প্রেম কলহগী মুঙাইনদবা অকিববু) শময়ন্তম্ (কোকহনবা) কিমপি (হাঈনিঙাই লৈতনা) তরল তরঙ্গদনঙ্গদৃশা

মানবা, নোইরবা পয়োধর অনিগী অরোইবা মফমদা তকলিবা থমোইনা থোংগী মতৌগুমনা কনবা ।৬।

মণিগী ঙাক্কিয়োং মানবা, পুকনিং হুরবা কুণ্ডলনায়িন অনিনা চাইরুং অনিদা লৈতেংবা, মেংলবা-ঔদার্য্য কৌবা গুণনা তিনবা, ফীগে-সনা থোনবা, মুনি, মী, লাই, হিংচাবা পুন্নমকনা মহাক্কী চরণগী খাদা খুরুমজহনা মনাই ওইবা ।৭॥

ঐবু সঙ্কেত তৌত্তনা ফজরবা কদমপাম্বীদা নপতুনা মী অতৈবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতমতিসুন্দরমোহনমধুরিপুরূপম্,
হরিচরণস্মরণ প্রতি সম্প্রতি পুণ্যবতামনুরূপম্ ।৯॥
গণয়তি গুণগ্রামং ভামং ভ্রমাদপি নেহতে,
বহতি চ পরিতোষং বিমুঞ্চতি দূরীতঃ।
যুবতিষু বলতৃষ্ণে কৃষ্ণে বিহারিণি মাং বিনা,
পুনরপি মণোবামং কামং করোতি করোমি কিম্ ।১০॥

(চংখোল্লবা কামগী ঈচেন্না তিল্লবা মিৎয়েংনা) মনসা (পুকনিংনা) মাম অপি (ঐবুসু) রময়ন্তম্ (নুঙাইহনবা) ।৮।।

শ্রীজয়দেবভণিতম্ (কবি শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গৈবা) অতিসুন্দর-মোহন মধুরিপুরূপম্ (থোইদোকনা ফজবা, অঙকপগী মশক ওইবা মধুরিপু—শ্রীকৃষ্ণগী রূপ অসি) সংপ্রতি (কলিযুগ অসিদা) হরি-চরণ স্মরণং প্রতি (হরিগী চরণবু নিংসংবদা) পুণ্যবতাম (পুণ্যচেনবা-সিংগী) অনুরূপম (মতিকচাবনি) ।৯।।

যুবতিষু (যুবতিসিংদা) বলতৃষ্ণে (মথং মথং চাউখৎলকপা অপাম্বনা ওইবা) মাং বিনা (ঐনা য়াওদনা) বিহারিণি (সান্নরিবা)

উহন্দনা লৈবা, প্রেমগী খৎনরগা পুকনিংগী অমকপা পুম্নমক কোক-হনবা, কামগী ঈচেন্না তিল্লবা মীৎএংনা অমসু পুক্লিংনা রাধা কৌবী ঐবু পামহনবা অতুগুম্বা হরিবু হে সখী নিংসংলুরগা সংসংনা উরে ।৮॥

কবি জয়দেবনা হাঙ্গৈরিবা নিংথিজরবা পুক্লিং সুন্দ্ধৎনবগী মশক ওইবা মধুসূদনগী রূপ অসিদি কলি কৌবা যুগ অসিদা শ্রীহরিগী চরণবু কাওদনবগী মরমদা পুণ্যচেনবসিংগী চপচাবনি ।৯।। *

হে ইতা! ঐগী পুক্লিং অসে ইওন ওন্নরে, ঐবুদি হুঞ্জেকতুনা

---

* "মুনি যগণৈর্ল য়নামনন্তি" হাঙ্গৈবা মরমনা পদসীং অসি লয় কৌবা ছন্দনি ।৯।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৃষ্ণে (শ্রীকৃষ্ণদা) বামম্ (ওন্নরবা) মনঃ (ঐগী পুকনিংদা) কামম্ (অপাম্ববু) পুনঃ অপি (অমোকহন্না) করোতি (তৌই) কিম (করিবু) করোমি (ঐনা তৌগনি) পুকনিংনা ওনবগী মরমদি— গুণ গ্রামম্ (শ্রীকৃষ্ণগী গুণগী মপৈবু) গণয়তি (মশীংদা থি) ভ্রমাৎ অপি (ঙকপদগী ওইরবস্থ) ভামম্ (অসাউববু) ন ঈহতে (তৌদে) পরিতোষম্ (অপেনববু) বহতি (পুই) দোষম্ (দোষবু) দূরাতঃ (লাপনা) বিমুঞ্চতি (হুঞ্জেকই) ।১০।।

শ্রীকৃষ্ণনা অতৈ অতোপ্পা নুপীসিংগা সান্নতুনা লৈখরে, শ্রীকৃষ্ণনা নুপী-সিং অতুবু য়াম্না খোরাংনা মথং মথং হেনগৎনা নুংসিখরে, অদুগা ঐনা শ্রীকৃষ্ণগী গুণ ময়াম অদুতা পুকনিং অসিনা শিংথারি, ওহাক্তস্থ কাউ-তুনা শ্রীকৃষ্ণবু প্রেমগী সাউগে হাঙ্ঈবা পুকনিং অসিনা ঙমদে, সাউগে হাঙ্ঈতুনা খল্লু খল্লুরগা অপাম্বতা ওইরকই, অমস্থ শ্রীকৃষ্ণনা তৌবা দোষ পুন্নমক লাপ্না হুঞ্জেকখি, ঐগী পুকনিং অসিনা শ্রীকৃষ্ণতা পামই, ঐদি করম তৌগনি ।১০।। *

* হে ইতা ! বামম্—ওন্নবা হাঙ্ঈবাদ ঐবু নুংশিবিদবদা ঐনা নুং-শিবা হাঙ্ঈবসি ওন্নবনি । শ্রীকৃষ্ণনদি শ্রীমতীবু নুংশিদবা ওইবনা— শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিবা অসি ওন্নবা 'বাম' না হাঙ্ঈবা ভাবনি । (থাঙ্গৈশেংবদি ইবেমাবু শ্রীকৃষ্ণনা নুংশিদবা নত্তে, নায়িকা হাঙ্ঈবসিগীদি মাবু হুঞ্জেকতুনা অতোপ্পা অমগা লৈমিন্নখ্রবদি মাবু নুংশিদ্রবনি, অস্থুন্না চৎনবীদা হাঙ্ঈবতনি ।) ইবেমনা হাঙ্ঈরিবা ব্রাহৈ অসি ইবেমনা শ্রী-কৃষ্ণগী নাক্তা লেংবা য়াবা অনুরাগদ ওইদ্রগা ইবেমনদি লেংনিংবা, অমস্থ অতোপ্পা নুপীগা লোইনথরবা ওইবনা ইবেমদি অপাম্বা অদু থাদোকপা য়ারবমক্তদা 'ঐদি থাদোক্লে' হাঙ্ঈদবা, রাহৈনি, অসিনা মথং মথং বিভাবনা অমস্থ বিশেষোক্তি অলঙ্কারনি অস্থুন্না খংনগনি । কনাগুম্বনা হাঙ্ঈবনবু সংশয় অমস্থ দীপক কৌবা অলঙ্কারনিস্থ হাঙ্ঈ । অদুনা মফম অসিদা ইবেমাগী উৎকণ্ঠিতাবস্থাদগী বিপ্রলব্ধা ওইরে, বৃত্ত অসি হরিণী কৌই ।১০।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মালব গৌড়রাগেণ একতালীতালেন চ গীয়তে।

নিভৃত নিকুঞ্জগৃহং গতয়া নিশি রহসি নিলীয় বসন্তম্ ।
চকিতবিলোকিতসকলদিশা রতিরভস রসেন হসন্তম্ ।১॥
সখি হে কেশিমথনমুদারং রময় ময়াসহ,
মদনমনোরথ ভাবিতয়া সবিকারম্ ॥ ধ্রুবম্ ।২॥

সখী হে ! (হে ইতা) ময়াসহ (ঐগা লোইনহুনা) উদারম্ (ঔদার্য্য গুণনা তিন্‌বা) কেশিমথনম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) রময় (সান্নহল্লু) নিভৃত নিকুঞ্জগৃহংগতয়া (নিভৃত নিকুঞ্জগী গৃহদা লৈরবী ঐগা) নিশি (অহিংদা) রহসি (অচিকপা মফমদা) নিলীয় (লোৎতুনা) বসন্তম্ (লৈবা কৃষ্ণবু সান্নহল্লু) চকিতং যথাস্যাৎ বিলোকিতদিশা (তথক ২ মাইকৈ পুন্নমক্তা য়েংলিবী ঐগা লোইনহুনা) রতিরভসভরেণ (রতিগী অয়িনবনা থল্লবা ওইহুনা) হসন্তম্ (নোক্লিবা কৃষ্ণবু সান্নহল্লু) মদন-মনোরথ ভাবিতয়া (কাম. ক্রীড়াবু নিংহুনা লাক্লবী ঐগা লোইনহুনা) সবিকারম (বিকার কৌবা মতৌনা তিনবা কৃষ্ণবু সান্নহল্লু) ।১—২॥

হে ইতা ! কেশি হিংচাবগু হাৎপা, ঔদার্য্য কৌবা গুণনা তিনবা শ্রীকৃষ্ণবু ঐগা লোইনহুনা সান্নহল্ল, ঐনা অথুপ্পা নিভৃত নিকুঞ্জগী য়ুমদা লৈবা, ইবুঙো মানা অহিংদা অচিকপা মফমদা লোৎপা, ঐনা তথক তথকপা মীৎএংনা মাইকৈ পুন্নমক্তা কোইনা কোইনা এংবা, ইবুঙো মানা রতিলীলাগী অয়িনবনা থল্লবা ওইহুনা নোকপা, ঐনদি কামগী লীলাতবু নিংহুনা লাকপা, ইবুঙো মানা কামক্রীড়াগী বিকারনা তিনবা ।১—২॥ *

---

* মতাং অসিদা উৎকণ্ঠিত গোপবধু ওইবী শ্রীমতীনা মশা অমত্তা ওইনা নিংলবী সখীদা শ্রীকৃষ্ণবু খিরুনবগীদমক থুপখবা ঙমথৈ য়ৌরবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রথমসমাগমলজ্জিতয়া পটুচাটুশতৈরনুকূলম্.
মৃদুমধুরস্মিতভাষিতয়া শিথিলীকৃতজঘনদুকূলম্ ।৩॥

প্রথম সমাগম লজ্জিতয়া (অহানবা লাকপগী ইকাইরবী ঐগা) পটু চাটুশতৈঃ অনুকুলম (প্রিয়াব্ পেলহনবা হৈবগী হৌনবী ফজবা রাহৈ চাম চামনা থেমলিবা শ্রীকৃষ্ণব্ সান্নহল্লু) মৃদুমধুরস্মিত ভাষিতয়া (তমেং তমেংনা ফজবা মীনোক্কা লোইননা ভাংলিবী ঐগা লোইননা) শিথিলীকৃত জঘন দুকুলম (খরাংগী মথক্তা শেৎলিবা ঐগী ফিব্ কোমহনলিবা শ্রীকৃষ্ণব্ সানহল্লু) ।৩।

ঐনা অহানবদা চংলকপদা ঐ লাকলে হাঙ্গগদবদা ইকাইবা, ইবুঙো মানা পেলহনবা রাহৈ চাম চামনা থেন্নস্বা, ঐনা তমেং তমেংনা ফজনা মোমোন নোকতুনা ভাংবা, ইবুঙোনা ঐগী খরাংগী মথক্তা

—ব্যাখ্যা—প্রেমলীলাব্ হাঙ্গরদুনা উৎকণ্ঠা তৌরি। অদুগুম্বা ইবেমাগী য়াথং অসিব্ কবিগুরু শ্রীজয়দেবনা লয় কৌবা ছন্দদা লেংদুনা মালব গৌড় কৌবা রাগনা, একতালী কৌবা তালদা শক্লি। হাঙ্গথ্রবা রতি লীলা অদু মপুম্ তিংনা ব্যাখ্যা তৌরবদি মাস্থন্না থোকই, মাদুদি—অনিস্থবনা হাঙ্গরিবা অদুদি শ্রীমতী রাধিকাগী অভিসারিকানি, মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা সঙ্কেতস্থানদা লোৎতুনা লৈরম্বদু ইবেমানা তেংথারি। ইবেমানা কোইনা এংবা, শ্রীকৃষ্ণনা নোকপা হাঙ্গবনা, প্রেমগী অয়িনবনা মাতুদা কুইনা লোৎপা ভমদতুনা মফম অসিদা লৈরে হাঙ্গবা থংননবা নোকপা হাঙ্গবনি। ঐনা কামগী ক্রীড়াতব্ নিংদুনা লাকপা হাঙ্গবদি ইবুঙোগা উনরগা অদুম্না সান্নগে, অদুম্না হাঙ্গগে অসিনাচিংবা নিংলকপা, শ্রীকৃষ্ণনা প্রেমগী বিকার ওইরম্বা হাঙ্গবদি গ্রন্থ অসিদসু হাঙ্গরক্কনি। ইবেমাগী শ্রীমুখচন্দ্র অদু উরগা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গ পুম্বদদি থা উরগা সমুদ্রনা ঈথক হৌবগুম্না প্রেমগী ঈথক হৌবা অদুব্ হাঙ্গবনি, অস্থন্না থংনগনি।১—২।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কিশলয়শয়ননিবেশিতয়া চিরমুরসি মমৈব শয়ানম্,
কৃতপরিরম্ভণচুম্বনয়া পরিরভ্য কৃতাধরপানম্ ।৪॥

কিশলয় শয়ন নিবেশিতয়া (উনা অনৌবগী শয্যাদা হিপলিবী ঐগা লোইননা) চিরম্ (কুইনা) মমৈব উরসি (ঐগী থবাকতা) শয়ানম্ (হিপ্পা কৃষ্ণবু সান্নহল্ল) কৃতপরিরম্ভণচুম্বনয়া (কৃষ্ণবু চেৎনা

শেৎপা পটবস্ত্রবু কোমথোকহনবা ।৩।। *

ঐনা অনৌপা উনাগী নিংথিজরবা শয্যাদা হিপ্পা ইবুঙো মানা

---

* অনিস্থবগী "ঐনা অহানবদা চংলকপদা ঐ লাক্লে হাঙ্গবা ইকাইবা" হাঙ্গবদি শ্রীকৃষ্ণ হাঙ্গবসি ইবেমগা অতৎপা লৈতনা সান্নরিবনি ; অহুবু প্রেমময়ী শ্রীরাধিকাগী মরমদদি মতম মতম খুদিংদা অনৌ-অনৌবতা ওইনা থোকই, মরম অসিনা ইবুঙোবু উবা মতমদা হান্না উনখিদ্রিবগুম্না ইবেমনা ইবুঙোবু কৌবা ৱাঙাংবা ঙমদে, মাহুবু "প্রথম সমাগম লজ্জিতয়া" অসুমনা ইবেমনা হাঙ্গরি । মাগী ভাবতি ইবেমগীদি শ্রীকৃষ্ণগা উনবা খুদিংগী অহানবা ইওই ওই । নুংশিবগা নুংশিবীগা অনিগী নুংশিনবা অহু চান্নবা নুংশিনবা ওইরবদি নুং-শিবীদি নুংশিবগী মমাংদা অহানবা হেক উনবদা ৱাইন্থে, মাস প্রেমগী হৌনবনি, মাসুন্না ৱান্থবা অসিবু রসিক ওইবা কবিসিংনা "ৱান্থবা" হাঙ্গবসি হাঙ্গনদে ৱাহৈ-ৱাতাদা ৱান্থবোইরে হাঙ্গবা খংহল্লি মরমদি ৱান্থবা শিব: হাঙ্গবা অসিগুম্বা ৱাহৈ অসিদি অমঙ্গল ওইবা ৱাহৈনি কাব্যদা মাহু হাঙ্গরবদি দোষনি। শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণ উবা খুদিংগী ৱাইন্থে, লহুগা চেতন লাক্লবা মতমদা প্রেমনা ইবেমদি ৱা ঙাংবা ঙমদে, প্রেমগী লীচৎ হাঙ্গবসি য়াম্না শেংথরবা মচৎনি অহুনা মতম অহুদা প্রেমবতীনা মান তৌই, মরম অসিনা অথোইবা অহেনবী নুপীবু নুমিৎচুপ্পা ওন্নতৈনবতা তৌই হাঙ্গহুনা বামা, কোপনা মানিনী হাঙ্গ-বানাচিংবা মিং অসি শাস্ত্রনা কৌই। অহুগুম্বা অহানবা ওইন্নিবা মান

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কোন্দুনা চুম্বন তৌরিবী ঐগা লোইননা) পরিরভ্য (ঐবু আলিঙ্গন তৌতুনা) কৃতাধরপানম্ (ঐগী অধরবু পান তৌবা শ্রীকৃষ্ণবু সায়হল্লু) ।৪॥

ঐগী থবাক্তা কুইনা চেপতুনা লৈবা, ঐনা ইবুঙো মহাকপ্পু চেৎনা কোন্দুনা চুম্বন তৌবা, ইবুঙো মহাকনা ঐবু কোন্দুনা ঐগী অধরপান তৌবা ।৪॥ *

—অদু কোক্লবগীদমক রসিকশেখর ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা নায়িকাবু পেলহন্ব, রাহৈ ফজ্জবা চাম-চামনা ইবেমাবু থেন্বা শুতুবু মতাং অসিদা শ্রীমতীনা নিংসিংতুনা সখীদা তমথি । অমসু ঐনা তমেং কমেংনা ফজনা মোমোন নোকতুনা ঙাংবা, ইবুঙোনা "ঐগী খরাংগী মথক্তা শেৎপা পট্টবস্ত্র কোমথোকহনবা" হাঙ্গৈবদি নুংসিবী প্রেমবতীনা চান্নবা নুংসিবগী উরগা হকচাংদা ওইরকপা প্রেমবিকার অদু তম্বনি, মাতুদি শাস্ত্রনা মাঙ্গননা হাঙ্গৈ—

"ওষ্ঠাগ্রং স্ফুরতীক্ষণে বিচলতঃ কূপোদরে মংস্তবদ্ধর্ম্মিলঃ কুসুমাকুলঃ বিগলতি প্রাপ্নোতি বন্ধং পুনঃ। প্রচ্ছন্নৌ ব্রজতঃ স্তনৌ প্রকটিতং শ্রোণাতটং দৃশ্যতে নিবীচস্খলতি স্থিতাপি সুদৃঢ়ং কামেঙ্গিতে যোষিতাম।" চান্নবৰু উরগা চান্নবানা মথাদা হাঙ্গৈরিবা মওং অসি মথন্তা ওইরকই। মাতুদি— চিনবান মতোন চোংই, মিৎ জনি চোংই, শম্বুলদা থেংলিবা লৈনা পুক্তা তারকই, শম হেক পৃল্লি, থবাক্তা পুল্লিবা ফি কোমথোরকই, খ্বাংগী মথা অসি ফীগী মচুংদা মপাচু ফোংদোকই, চেৎনা পুল্লিবা হকচাংগী নীবী নাম্থোকই মাসি নুপীসিংগী কামগী ইঙ্গিত্তা তৌই, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা ইবেমদা ওইরিবা শ্রীঅঙ্গগী মওং মতৌ অদু সখীদা ইবেমনা হাঙ্গৈবনি ।৩।

* ব্যাখ্যা— ইবেমনা উনাগী শয্যাদা চেপ্পা ইবেমাগী থবাক্তা শ্রীকৃষ্ণনা কুইনা চেপ্পা হাঙ্গৈবদি "ক্ষীর নীর" কৌই "গাত্রোপরি-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অলসনিমিলীতলোচনয়া পুলকাবলিললিতকপোলম্,
শ্রমজলসকলকলেবরয়া বরমদনমদাদতিলোলম্ ।৫॥

অলস নিমীলিত লোচনয়া (অলসনা মিৎ উইশিল্লবা ঐগা লোইননা) পুলকা বলিললিত কপোলম্ (তুগী মপৈনা নিংথিনা হৌরিবা চাইরুংনা ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহনলু) শ্রমজল সকল কলেবরয়া (রাবগী হুমাংনা হকচাং পুম্নমক্তা শোরবী ঐগা লোইননা) বরমদন মদাদাতলোলম্ (অথোইবা কন্দর্পগী নুঙাইবনা থোইদোক্না চঞ্চল ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহনলু) ।৫।

ঐনা প্রেমগী চোকথ হুইথরক্পা তন্না তন্না মিৎ অনি উইথ-রকপা, ইবুঙো মহাকনা চুংথোরকপা তুগী মপৈনা চাইরুং অনিমক্তা নিংথিজবা, ঐনা রতিক্রীড়াগী রাবনা হকচাং অপূম্বা হুমাংনা সৌ-দোরকপা ইবুঙো মানা পুম্নমক্তগী অহেনবা কামদেবগী ময়াই কাবনা তকুপ তরাংবা ।৫॥ *

—ষ্টাদথ তস্য মধ্যে সংলীয়তে ষন্মিথনং শরীরং। কামাভিমানা ক্ষত পূর্ণচেষ্টং তৎ ক্ষারনীধ্যাখ্যমিদং প্রদিষ্টম্ ।" অস্মমা পঞ্চশায়কনা হাঈ। মথংগী ইবেমনা শ্রীকৃষ্ণবু চুম্বন তৌবা শ্রীকৃষ্ণনা চেজেৎ কোন্দুনা ইবেমগী অধরপান তৌবা হাঈবা অসিবু "জঘনোপশ্লেষ" কৌই;— "জঘেনকলিতকান্তশ্রোণিরঙ্গো পরিষ্টাদ্ ব্রজতি যদিহনারী স্রস্ত কেশোত্তরীয়া। করজরদন কৃত্যং চুম্বনংবা বিধিৎসুঃ কলয়ন্তি জঘনোশ্লেষমেনং মুনীন্দ্রঃ।" শ্রীকৃষ্ণবু ইবেমনা অধরপান তৌবা মতৌ অহুবুনা "সমৌষ্ঠ" কৌই— এষ্ঠেন কান্তস্য মুখৌষ্ঠ যুগ্মং নিপীড্য জিহ্বাঞ্চিত তালুভাগম্। চুম্বোৎসুকং নৃত্যতি যত্রনারী প্রোক্তং সমৌষ্ঠং কবিভিঃ পুরাণৈঃ॥" শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাবু অধরপান তৌবনা "ললা-টিক" কৌই,— অন্যোন্যসংসক্তমুখং কপোলং নেত্রং ললাটং হৃদয়ঞ্চ বাহুম্। সানন্দভাবং শ্রমমীলিতাক্ষং ললাটিকং তত্ত্ববিদো বদন্তি।৪॥

* ব্যাঃ— ইবেমনা মিৎ উইশনবা, ইবুঙোগী চাইরুংদা ভুচুংবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কোকিলকলরবকূজিতয়া জিতমনসিজতন্ত্রবিচারম্ ,
শ্লথকুসুমাকুলকুন্তলয়া নখলিখিতঘনস্তনভারম্ ।৬॥

কোকিলকলরব কূজিতয়া (কোকিলগী মীরবা খোঞ্জেনগুমনা খোন্থোকপা ঐগা লোইনদুনা) জিতমনসিজতন্ত্র বিচারম্ (কাম শাস্ত্রগী রাএনবু থদৎপা শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহল্লু) শ্লথকুসুমাকুলকুন্তলয়া (লৈ ময়াম থেৎপা শমজি নান্থোক্লবী ঐগা লোইননা) নখ লিখিত ঘন স্তনভারম্ (ঐগী বক্ষ অনিদা খুজিন্না ইরিবা শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহল্লু) ।৬॥

ঐগী খোঞ্জেন্না কোকিলগী মঙাগুবা খোন্থাং য়ৌরবা মখোনগুমনা থোরকপা, ইবুঙো মানা রতিবিদ্যাগী হৌনবী রাএন থদৎপা, ঐনা লৈ ময়াম থেৎপা সম্বুন নান্থোকপা, ইবুঙো মহাক্না ঐগী ফুইরবা থবাক্তা খুজিন্না একখোৎপা ।৬॥ *

—ইবেমনা রতি লীলাগী হুমাংসৌবা, ইবুঙোগী তকুপ তরাংবা (চঞ্চল) ওইবা অসিনা "অঘৃষ্ট" কৌবা চুম্বননি হাঙৈনা খংনগনি— "হস্তেন নেত্রেন চ সংমীল্য ভর্তুঃ সংমীলীতাক্ষীবদনে স্বজীহ্বাম্, নিক্ষিপ্য ক্রীড়তি যত্র লোলাখ্যাতং রজজ্ঞৈরবঘৃষ্ট সংজ্ঞম্ ।" ।৫।।

* ইবেমনা কোকিলগুমনা ঙাংবা হাঙৈবসিনা 'কূজিত' কৌবা মপানগী লীলানি "পিকশিখি কলহংস প্রায় পক্ষি ব্রজানাম্ । স্বরিতমনুকরোতীত্যঙ্গনামন্মথার্ত্তা । মুখ দর্শন পির্বানি (?) তৎ কবীন্দ্রা বদন্তি স্তনিতমিতি সমাসা চিত্র সংভোগকালে ।" (মাসিবু চিত্র সংভোগ অসুম্নসু কৌই) রতি লীলাদা নায়িকানা কোকিল, ব্রাহোং, কাঙঙা মাখোই আসগী মখোনগুম্না খোন্থোকপা হাঙৈবাসদি ৭সুবগীনি মন্নমদি— "আশ্লেষং প্রথমং কুর্য্যাৎ দ্বিতীয়ং চুম্বনং তথা । তৃতীয়ং নখদানং চ দংষ্ট্রাঘাতং চতুর্থকম্ । পঞ্চমং ক্ষেপণং প্রোক্তং ষষ্ঠং প্রহরণং তথা । সপ্তমং কণ্ঠ শব্দঞ্চ বদ্ধাখ্যাং চাষ্টমংরতম্ " অসুম্না

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চরণরণিতমণিনূপুরয়া পরিপূরিতসুরতবিতানম্,
মুখরবিশৃঙ্খলমেখলয়া সকচগ্রহচুম্বনদানম্ ।৭॥

চরণরণিত মণিনূপুরয়া (খোং অনিদা মখোন হৌরবা মণিগী নূপুরসিবী ঐগা লোইনচুনা) পরি পূরিত সুরতবিতানম্ (রতি-লীলা সন্দোকপা শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহল্লু) মুখরবিশৃঙ্খল মেখলয়া (অহান-বদদি মখোন হৌরম্বা অকোনবদদি কোমহল্লবা মেখলানা লৈত্তেংলবী ঐগা) সকচ গ্রহ চুম্বনদানং (ঐবু শম পাইদুনা চুম্বন পীবা শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহল্লু) ।৭॥

ঐনা ঐগী খোঙ অনিদা মণিগী নূপুরদগী ফজরবা খোঞ্জেন থোরকপা, ইবুঙো মহাকনা মফম পুম্নমক্তা থল্লবা সুরতলীলাবু সন্দোকপা, ঐনা অহানবদদি মখোন থোকলম্বা অকোনবদা মন্নি কোমথোকহল্লবা মেখলা সিবা, ইবুঙো মহাক্না ঐগী শম পাইদুনা চুম্বন পিবা ।৭। *

—কামশাস্ত্রনা হাঙ্গৈ, অদুবু মথংদা "নখলিখিত ঘনস্তনভারম্" অসুন্না অহুমসুবদা ওইগদবা রতিনা কোন্‌লে, মাসিদি চতুষষ্টি কলাহৈবা শ্রীকৃষ্ণনা অনুকলা ওইবা অথোইবা নায়িকাগী মফমদা রসমগ্ন ওইদুনা কামশাস্ত্রগী মথং মনাও থাদোকপা অদুবু 'জিতমনসি তন্ত্রবিচারম্' হাঙ্গৈনা ইবেমনা সখীদা ভন্বনি। শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমগী বক্ষনাচিংবদা নখদান তৌবা অসিবু শাস্ত্রনা "পঙ্কজ পত্র" কৌই, মাদুদি— "অত্যুর্দ্ধমেকং স্ফুরিতোর্ধ্বরেরং প্রাহুঃ ক্ষতং পঙ্কজ পত্র সংজ্ঞং দোর্মূল নাভি স্তন বক্ষ সন্ধাবিত্যুর্দ্ধ যোগং মনুতে মহেশঃ।" ।৬।

* ব্যাখ্যা— ইবেমগী শ্রীচরণদা নূপুরগী খোঞ্জেন থোকপা হাঙ্গৈবা অসিনা ভ্রামরিকা কৌবা বিপরিত রতি লীলাবু হাঙ্গৈবনি অসুমনা খংনগনি। 'চক্রবদ্ ভ্রমতি কুঞ্চিতাঙ্‌ঘ্রিকা ভ্রামরং নৃজঘনেসমুচ্ছ্রিতো॥' পরিপূরিত সুরতবিতানম" সুরতলীলা সন্দোকপা হাঙ্গৈবমা নায়কনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রতিসুখসময়রসালসয়া দরমুকুলিতনয়নসরোজম্,
নিঃসহ নিপতিততনুলতয়া মধুসূদনমুদিতমনোজম্ ।৮।
শ্রীজয়দেবভণিতমিদমতিশয়মধুরিপুনিধুবনশীলম্.

রতি শুখময়সময় রসালসয়া (সুরতগী সুখবু আস্বাদন তৌবা মতমদা তাইবংপানবদা লৈতবা ঙমথৈ য়ৌখরবা রসনা হিকথরবী ঐগা) দর মুকুলিত নয়নসরোজম্ (খজিক্তং উইশিল্লবা মিৎ থম্বাম অনিনা মহাক্কী ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহল্লু) নিঃসহ নিপতিত-তনুলতয়া (ঙমদ্রবতুনা উনাগী শয্যাদা হকচাংগী মশক ওইবা লতানা তাদুনা লৈবী ঐগা) উদিতমনোজম্ (মতমতুদা থোরক্লবা কামদেবনা ওইবা) মধুসূদনম্ (শ্রীকৃষ্ণবু সান্নহল্লু) ।৮।

ইদম্ (অসিগুম্বা) শ্রীজয়দেবভণিতম্ (শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গৈবা)

ঐনা কামক্রীড়াদা নুঙাইরবা মতম ওইতুনা ইতন তল্লবদা ইবুঙো মহাকনা মিৎ থম্বাল অনিবু খজিক্তং উইসিনবা, ঐনা খাংবা ঙমদ্রতুনা উনাগী শয্যাদা ঐগী হকচাংগী মশক ওইবা লতানা তাখ-ব্রবদা ইবুঙো মাঙোন্দা অমুক হন্না মতম অতুদা কন্দর্পনা থোরক্ল-বা অতুগুম্বা মধুসূদনবু হে ইতা ! ঐগা লোইনতুনা সান্নহল্লু ।৮।। *

মধুকৌবা হিংচাবগী এরুবা শ্রীকৃষ্ণগী নিধুবন লীলাবু থারিবা

— রতিবন্ধন ওইববু হাঙ্গৈবনি । ইবেমগী অহানবদা মখোন থোকপা অকোনবদা কোমহল্লবা মেখলা হাঙ্গৈবনা "প্রেঙ্খোল্লিখিত" কৌই মাতু কোক শাস্ত্রনা হাঙ্গৈবা নিপাগী মওং ওইরিবী নায়িকাগী প্রকরণদা মাস্যুমা হাঙ্গ ' স্বজঘনমেব দোলায়মানং সর্ব্বত্র ভ্রাময়েদিতি প্রেঙ্-খোল্লিখিতম্." শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমগী শম পাইবা চুম্বন দান তৌববুনা বিপরীত রতিলীলাদা নায়কনা নায়িকাগী শম পাইগান অগ্রমনা কোক শাস্ত্রনা হাঙ্গৈবা লীলা অদ্রনি হাঙ্গৈনা খংনগনি । 'শৃঙ্গারে চুম্বনং কার্য্যং পুংসালিঙ্গন পূর্ব্বকম্ । বিপরীতরতেনার্য্যা সকচ গ্রহ চুম্বনং' ।৭।।

* ব্যাখ্যা— রতিলীলাগী অরোইবা মতমবু হাঙ্গৈরি । ইবেমা ইবুঙো অনিগা শয্যাদা চেপথরকপা মতমনি ।৮।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সুখমুৎকণ্ঠিতগোপবধূকথিতং বিতনোতু সলীলম্ ।৯॥
হস্তস্রস্তবিলাসবংশমনৃজুভ্রূবল্লিমদ্বল্লবী
বৃন্দোৎসারিদৃগন্তবীক্ষিতমতিস্বেদার্দ্রগণ্ডস্থলম্ ।

মধুরিপু-নিধুবন-শীলম্ (শ্রীকৃষ্ণগী সুরত লীলাগী লমচৎ ওইবা) উৎকণ্ঠিত গোপবধূ কথিত (উৎকণ্ঠাবস্থা ওইবী ইবেমা শ্রীমতীগী য়াথং ওইবা) সলীলম্ (লীলাগা লোইনবা অসিনা) সুখম্ (তান্নিবাঃ পান্নিবসিংগী নুঙাইববু) বিতনোতু (সন্দোকসনু) ।৯।।

কাননে (বৃন্দাবনগী বনদা) মাম্ (ঐবু) উদ্বীক্ষ্য (উরগা) বিলর্জ্জিতম্ (ইকাইরবা) হস্তস্রস্ত বিলাস বংশম্ (খুত্তগী সান্নরিবাঃ বংশী তারবা) অনৃজু ভ্রূবল্লিমদ্বল্লবী বৃন্দোৎশারি দৃগন্তবীক্ষিতম্ (খোই খোইবা পীশুমনা তিল্লবী গোপীসিংগী মপৈবু হেন্দোকনা মিৎচিনা এংলক্লবা) অভিস্বেদার্দ্রগণ্ডস্থলম্ (য়ামনা সৌরবা ভুমাংনাঃ

উৎকণ্ঠানা তিল্লবী গোপবধূ শ্রীমতীগী য়াথং ওইবা শ্রীজয়দেব কবিনাঃ লেংলিন্বা অসিনা তান্নিবা, পান্নিবা পুন্নামক্কী মরিদা নুঙাইবাবু সন্দোক-সনু ।৯।। *

হে ইতা ! বন মনুংদা ব্রজগী ফজবীসিংগা লোইনতুনা শ্রীকৃষ্ণগাঃ সান্নরি মতু উরগা ঐ য়ায়া নুংঙাইরে, শ্রীকৃষ্ণনু সানরিঙৈ অতুদা ঐবু উবগা ইকাইতুনা খুত্তগী বাশী তাথি,, পীশুম ফজবী নুপীসীং

---

* ব্যাখ্যা— কবিগী ভণিত অসিনা হাঙ্গৈরি, ইবেমনা সখীদা ভমলিবা ঙাংলিবা অসি প্রেম বিবর্ত্ত বাদী মধুর প্রেম ভক্তসিংগী মত্তা ইবেমগী প্রেম অতুনা হাকমনখিতুনা সখীগী মশক ওইনা প্রেমতুবু ইবেমনা উবা, অতুগা সখী অতুবু তুতিগী মতৌ ওইনা ইবেমনা হাঙ্গৈ-বনি অসুমনা দংনগনি । কবি জয়দেবনা মাশুমনা হাঙ্গৈরিবী ইবেমাবু উৎকণ্ঠাগী অবস্থানি হাঙ্গৈবা থংনবা " উৎকণ্ঠিত গোপবধূ " অসুমনা হাঙ্গৈ ।৯।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মামুদ্বীক্ষ্য বিলক্ষিতস্মিতসুধামুগ্ধাননং কাননে,
গোবিন্দংব্রজসুন্দরীগণবৃতং পশ্যামিহৃষ্যামি চ ।১০॥
তুরালোকঃ স্তোকস্তবকনবকাশোকলতিকা,
বিকাশঃ কাসারোপবনপবনোঽপি ব্যথয়তি ।

চাইরুং অনিমক চোৎলবা) স্মির্তাসুধামুগ্ধা ননম্ (মোমোন নোকপা মীনোক্কী অমৃতনা নিংথিজরবা মাইথোংনা ওইবা) ব্রজসুন্দরীগণ বৃতম্ (ব্রজসুন্দরীগী মপৈনা কোইরিবা) গোবিন্দম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) পশ্যামি (ঐনা উই) হৃষ্যামি (ঐনা হরাউই) ।১০।।

সখি (হে ইতা) তুরালোকঃ (বিরহ ওইরিবা মীনা এংবা ঙমদবা) স্তোকস্তকঃ যস্যাঃ (অপিশক ময়োন অনৌবা ওইবী) নবকাশোক লতিকায়াঃ (তনৌ-তনৌবা অশোক লতাগী) বিকাসঃ (শাৎপনা) কাসারোপবন পবনঃ অপি (পুখ্রী মনাক্কী উপবনগী নুংসিৎসু) ব্যথয়তি

অতুবু লান্থোকতুনা মিৎচিনা ঐবু য়েংলকই, শ্রীকৃষ্ণনা প্রেমরসনা হুমাং সৌবনা চাইরুং অনিমক চোৎলহুনা নিংথিজবা ফজবা মীনোক্কা অমৃতগুন্না মোমোন নোক্লকই । ১০ ॥ *

হে ইতা ! ঙাঙ্‌নিবা মনানা ইপুং পুংলবা অশোক বৃক্ষসিং অসি মহৌশানা এংবদা ফজথরবনি ; অহুগী মথক্তা বসন্ত ঋতু চংল-

---

* ব্যাখ্যা— মাস্তুয়া ইবেমনা ঙাংলুবদগী শ্রীকৃষ্ণবু সংসংনা প্রেমগী অরুবা মিৎএংনা উরে, অতুদা হাঙ্গ,— শ্রামতীনা হাঙ্গরিবসি মপান্দা সান্নরিবা অতুবু মপান্দা উতুনা হাঙ্গবা নত্তে, ইবেমাগী উৎ-কণ্ঠাগী অবস্থাদা ভাবতা শ্রীকৃষ্ণনা সান্নরিবা অতুবু সংসংনা উবা মাতু উরগা শ্রীকৃষ্ণনা মপান্দা চান্নরা তৌবা মওং-মতৌ অতু সখীদা তম্বনি, অমুম্না কনাগুম্বনা হাঙ্গ। শ্লোক অসি শার্দ্দুল বিক্রীড়িত ছন্দনি, দীপকালঙ্কারনি, পঞ্চালীরীতি, লাটানুপ্রাসনি ।১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অপি ভ্রাম্যদ্‌ভৃঙ্গীরণিতরমণীয়া ন মুকুল,
প্রসূতিশ্চূতানাং সখি শিখরিণীয়ং সুখয়তি ।১১॥
সাকূতস্মিতমাকুলাকুলগলদ্ধম্মিল্লমুল্লাসিত
ভ্রূবল্লীকমলীকদর্শিতভুজামুলার্দ্ধদৃষ্টস্তনম ।

(ঐবু ৱাহল্লি) চূতানাম্ (হৈনৌপাম্বীসিংগী) শিখরিণী (মতোন পাল্লবী) ভ্রাম্যদ্ ভৃঙ্গীরণিত রমণীয়া (কোইনা কোইনা পাইরিবা খোইমু অমোমগী খোঞ্জেন্না ঙংলবা মপান্না) ন সুখয়তি (ঐবু নুঙাইহন্দ্ররে) ।১১।

গোপীণাম্ (গোপীসীংগী) মুগ্ধমনোহরম্ (অপংবাসীংগী পুকনিং হুৱবা) সাকূতস্মিতম্ (পুকনিংগী অভিপ্রায় ফোংদোকপা মিনোকনা

বদা ফজরবা মপান, মনা অনৌবা মচা ময়াম পুন্নমক আসনা হাই-হুম্বা অসিদি হাঙ্গৈনিংঙাই লৈতনা নিংথিজে। পুথ্রী মপানগী উপবনদা সিংপা নুংসিৎতি মহৌশানা ইংই অমসুং ওলাংবা কৈ, অমসু খোইমু খোন্দানবনা ঈশৈ শক্তুনা অমোক্তা ওইনা ইনিন্ নিনবা হৈনৌ মপানসিং, মখোই পুন্নামক অসি এংবদা পুক্লিং হুনবা ওইনা নিংথিরে। তৌইগুম্বসুং অসুপ নিংথিজবা পুন্নামকসি প্রিয়বিরহগী অৱাবসিনা হেক শোকখিবদা রাধা কৌবী ঐগী মরিদা পুন্নামক ইওন ওন্নখরে, ফজরবা অশোক বৃক্ষনা ঐগী মিত্তা নুঙাইতবা পীরে, অয়িংবা মুংসিংনা ঐবু চান্নরে, অমসু খোইমুগী খোঞ্জেন্না থল্লবা হৈনৌ মপান্না ঐবু অৱাবা পীরি ।১১। *

গোপীসীংনা মোমোন নোকতুনা পুক্লিংগী ভাব ফোংদোকপা, শন্বুন

---

* ব্যাখ্যা— পদ্য অসি শিখরিণী ছন্দনি। অলঙ্কারনা সমুচ্চয়নি। লটানুপ্রাসনি। হন্দক্কি রাহৈ অসি অহানবদা ইবেমনা অনুরাগদা ভাবতা উরুহুনা নুঙাইরম্বদগী বিরহগী হৌনবি হান্নগী অৱাবা অচু থারিবনি ।১১।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গোপীনাং নিভৃতং নিরীক্ষ্য গমিতাকাঙ্ক্ষশ্চিরম্,
চিন্তয়ন্নন্তর্মুগ্ধমনোহরং হরতু বঃ ক্লেশং নবঃ কেশবঃ ।১২॥

ইতি শ্রীজয়দেবকৃতৌ গীতগোবিন্দ মহাকাব্যে অক্লেশ-কেশবো
নাম দ্বিতীয় সর্গঃ।

—।—

মোমোন নোকপব্) আকুলাকূলগলদ্ধম্মিল্লম্ (প্রেমনা হৌরকপনা তু-চুংবনাচিংবা ওইহুনা শম্বুন নাম্হোকপব্) উল্লাসিত ভ্রূবল্লিকম্ (পীশুম লৈহুনা থেকপব্) অলীকদর্শিত ভুজামূলাদ্ধ দৃষ্টস্তনম্ (নাকোং হোৎপ-নাচিংবা তৌশিন্নহুনা পাম্বোম অনি থাঙ্গৎতুনা থবাক অনি উহুম্বব্) নি-ভৃতম্ (থুপ্না) নিরীক্ষ্য (এংলগা) অন্তঃ (থমোইদা) চিরম্ (কুইনা) চিন্তয়ন্ (খন্দুনা) গমিতাকাঙ্ক্ষাঃ (গোপী পুন্নমক্তা পাম্লম্বা আকাঙ্ক্ষা থাদোক্লবা) নবঃ (শ্রীমতী রাধিকানা পুন্নমক্তগী হেল্লি হাঙ্গৈবব্ পুক্লিংদা লেপ্পনা অমোক ইনৌ নৌহৌরবা) কেশবঃ (শ্রিকৃষ্ণনা) বঃ (নখোইগী) ক্লেশম্ (অরাবব্) হরতু (মাংহনসনু) ।১২॥

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা অক্লেশ-কেশব কৌবা
অনিশুবা সর্গ লোইরে।

—০—

নাম্হোকতুনা শম হঞ্জন হঞ্জন পুনবা, খোইখোই তৌনা পীশুম থেকপা অমসু তাং তৌহুনা পাম্বোম হাঙ্গৈগৎশিন্নহুনা থবাক আন উহনবা, অসিগুম্বা গোপীসীংগী ভাবসীং অতু শ্রীকৃষ্ণনা থুপনা এংলগা থমোইদা কুইনা খল্লুই অতুগা গোপী পুন্নামকতা শ্রীকৃষ্ণগী খৌরাংলম্বা পুন্নামক থাদোকখরে, পুন্নামকতু উরুরগা শ্রীমতী রাধিকানা ইহেন হেনবা অতুগুম্বা কেশবনা নখোইগী অরাবা মাংহনসনু ।১২॥ *

* ব্যাখ্যা— বৃষভানু নন্দিনী শ্রীমতী রাধিকানা ইখ্বাইগা মানদবা রসজ্ঞতা ওইবনা পুক্লিংদা ফাউহুনা অনুমান তৌবা পুন্নমক

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অদু মন্তুংচনবী সখীদা হাঙ্গদোকখরে. পুন্নমকতু ইওই ওইবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা কবি জয়দেবনা অতোপ্পী গোপী ময়ামগী মরক্তা লৈনা লৈনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতীরাধিকাগী অনুরাগনা ভিনবা মতৌ অদু লেংহুনা রসজ্ঞ ভক্ত ভাবকসিংবু আশীর্ব্বাদ তৌবা য়াথং অসি সর্গগী অরোইবদা য়াম্না হৈসিংনা লেংসিন্দুনা খংহল্লি, মাহুদি অদুপ য়াম্বী গোপী পুন্নমক অদু শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমবু খমথেংনা পাম্বী ঙাক্তনি। অদুবু শ্রীকৃষ্ণগীদি শ্রীমতীরাধিকা নত্তনা প্রেমগী খোৈরাংবা কোকপা ঙমদে, মরম অসিনা গোপী পুন্নমকনা কোইহুনা লৈহুনস্থ শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতী রাধিকাগী চিন্তাদা লূপখি। মাসিদা মুগ্ধমনোহরম্—অপাংবসিংগী পুক্নিং হুনবা ওইবা হাঙ্গবগী ভাবতি, রসখংদবা মীসিংনা গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা তৌরিবা সোমোন নোকপা, শম পুনসিনবা, পীগুমথেকপা, পাম্বোম থাংগৎতুনা থবাক উহনবা, অসিগুম্বসি উরগা অউ অউবা অহুদা অহুমক ইস্থম স্থমহৎতুনা, অসিমনা হেল্লি রাৎলি খংদে, অউবদা অহুমক লেপতুনা লৈ। অতুনা রস খংদবা অপংবদস্থ মহৎ হাঙ্গনা বিশেষণ অসি হাপলি, রসময় ওইবা শ্রীকৃষ্ণদি ফজবী নায়িকাসিংগী অত্ত-গুম্বা হাব ভাবনা স্থমহৎপা ঙমদে, সুপ্নগী প্রেমময়ী গী প্রেমতা লৌবনি, অস্থম হাঙ্গবা ভাবনি। শার্দ্দূলবিক্রীড়িত ছন্দনি, সমুচ্চয় অমস্থ আশীঃ অলঙ্কারনি।১২।

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা অক্লেশ-কেশব
কৌথা অনিস্থবা সর্গ লোইরে।

—ঃঃঃ—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্ ।

তৃতীয়ঃ--সর্গঃ ।

—ঃ—

(মুগ্ধ মধুসূদনঃ)

কংসারিরপি সংসারবাসনাবদ্ধশৃঙ্খলাম্,
রাধামাধায় হৃদয়ে তত্যাজ ব্রজসুন্দরী ।১॥

কংসারিঃ অপি (শ্রীকৃষ্ণসু) হৃদয়ে (থমোইদা) সংসার বাসনা-বদ্ধশৃঙ্খলাম্ (সংসার বাসনাগী বন্ধনদা য়োৎহিংগুম্বী) রাধাম্ (রাধাবু) আধায় (হাপতুনা) ব্রজসুন্দরীঃ (ব্রজসুন্দরী খিবিকপু) তত্যাজ—(থাদোকখি) ।১॥

শ্রীকৃষ্ণসু থমোইদা শ্রীমতী রাধিকাতবু চেৎনা হাপখরে. ইবেমা মহাক্তি শ্রীকৃষ্ণগী মরিদা কাউণ্ডমদবী, পুকনিংগী তুংনফম ওইবীনি, অতুনা মহাকপু খনখিবা অতুনা কনমনখিতুনা ব্রজসুন্দরী পুমনমকপু থাদোকখরে ।১॥ *

---

* কবিনা অহানবা অমসু অনিসুবা সর্গদা শ্রীরাধা শ্রীকৃষ্ণ অনিগী প্রেমগী চাংদমবা লৈতবা অথোইববু উৎখরে, অতুগা শ্রীমতী রাধিকাগী উৎকণ্ঠাবু কবিন হাঈরুরগা হৃজিক্তি শ্রীকৃষ্ণগী উৎকণ্ঠা বর্ণন তৌবা হৌরে। মাতুদি "কংসারিঃ অপি—শ্রীকৃষ্ণসু অসুমা 'সু' (অপি) অমা হাপ্পগী মরমদি—"শ্রীরাধাতনা শ্রীকৃষ্ণদা আসক্ত ওইবা নত্তে, শ্রীকৃষ্ণসু শ্রীরাধাদা আসক্ত ওই হাঈবা ভাবনি । "সংসার বাসনা বদ্ধ শৃঙ্খলাম্" হাঈবা পদ অসিনা 'রাধাম্' হাঈবা বিশেষ্য অসিবু বিশেষণ তৌরি, মাতুগী অর্থদা টীকাকার অমনা পামই, মাতুদি— সংসার বাসনাবদ্ধে সংসারগী বাসনানা পুনবদা, শৃঙ্খলাম্— য়োৎহিংগুম্বী রাধানি, অথাৎ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতস্ততস্তামনুসৃত্য রাধিকামনঙ্গবাণব্রণখিন্নমানসঃ।

অনঙ্গবাণ ব্রণখিন্নমানসঃ (কামগী তেন্না থিন্দুনা শোকপনা পুক্লিং

কামদেবগী তেন্না থাবগী অনাবনা রারবা শ্রীকৃষ্ণনা নিংঙমদবগী

—শ্রীকৃষ্ণবু সংসারগী বাসনানা পুল্লবদা ইবেমনা য়োৎহিংগী মশককুম্না শ্রীকৃষ্ণবু ফারি। সংসার হাঙ্গৈবদি তাইবংপানববু কৌই, বাসনা হাঙ্গৈবদি অহানবদা খংখ্রবা বিষয়বু পাম্বা মাতুনা নিংসিংবা কৌবনা মরম ওইতুনা পুক্লিংদা থোরকপবু কৌই। অতুগুম্বা বাসনাগী বন্ধ—পুনবদা শ্রীমতীবু য়োৎহিংগুম্বী হাঙ্গৈবগী অসম্বা ভাবার্থদি কাউঙমদবা অপাম্ববু চেৎসিনহনবা হাঙ্গৈবনি। মাসিদা পুজরী গোস্বামীনা সংসার হাঙ্গৈবসিবু তাইবংপানবা হাঙ্গৈবা অর্থ পামদে। সং—চঙ্খোনবা, সার—মচি ওইবা, বাসনা অসুমনা ব্যাখ্যা তৌই। মাতুসু ক্লিষ্টকল্পনা ওই। মরমদি—সংসারগী হাঙ্গৈবদি তাইবংপানবা শেম্বগী, বাসনা হাঙ্গৈবদি মাংদবা মরু ওইবা সংস্কার=(আত্মাদা পকপা খুদম) গী অতুগুম্বা বন্ধন হাঙ্গৈবদি তিন্নবা. মাতুগী য়োৎহিং ওইবী হাঙ্গৈবদি তাইবংপানবগী মরু ওইবা মাংদবা আত্মাদা লৈবা সংস্কার পুন্নমকপু মথং মনাউ নাইনা ভৎতনা লৈননবগী মশক ওইবী মহৌশানা (প্রকৃতি) গী মশক ওইবী শ্রীমতী রাধিকানি, অসুম্না অর্থ হনবসু য়াই। অতুবু মাসুম্না দার্শনিককী ব্যাখ্যা অসি কবি শ্রীজয়দেবনা কাব্যগী সরস ওইবা অর্থ হুপ্পেকতুনা নুংজেং সাইবগুম্বা দার্শনিককী ব্যাখ্যা অতু লেংফম থোক্তে। অতুনা অর্থদি লাইবা সরস ওইবা কাব্যগী ব্যাখ্যাদা লেংবনি। অতুনা ক্লিষ্ট ওইবা ব্যাখ্যা থাদোকতুনা ইচম চম্বা অর্থনা সরস ওইনা লৌবনা কবিগী ভাবতা সরস ওইবা হেল্লি। মরম অতুনা "সংসার বাসনা শৃঙ্খলাম্" হাঙ্গৈবদি তাইবংপানবগী কাউঙমদবা অপাম্বগী চুখিবনা শ্রীকৃষ্ণবু পুন্নবগীদমক্তা শ্রীকৃষ্ণদা ফারিবা য়োৎহিংগুম্বী শ্রীমতী রাধিকানি, অসুম্না ব্যাখ্যা তৌবা টীকাকারসীংনা পামই।.॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৃতানুতাপঃ স কলিন্দনন্দিনীতটান্তকুঞ্জে বিষসাদ মাধবঃ ।২॥

গুর্জরী রাগেণ যতি তালেন গীয়তে ।

মামিয়ং চলিতা বিলোক্য বৃতং বধূনিচয়েন,

সাপরাধতয়া ময়াপি ন বারিতাতিভয়েন ।

ব্বারবা) কৃতানুতাপঃ (নিংঙমদবমক্তনা পুক্লিং চাক্লবা) সঃ (অদুগুম্বা) মাধবঃ (মাধবনা) কলিন্দনন্দিনীতটান্তকুঞ্জে (কলিন্দগী মচানুপী যমুনা মপান্দা লৈবা কুঞ্জদা) ইতস্ততঃ (এৎলোম ওইরোমদা) তাম্ (অদু-গুম্বী) রাধিকাম্(রাধিকাবু) অনুসৃত্য (থিদুনা) বিষসাদ (ব্বাখি) ।২।।

হরি হরি (অরাবনি) হতাদরতয়া (মহাকপু লুনা তৌহৌবনা) সা (রাধিকানা) কুপিতা এব (সাওরবীমক ওইদুনা) গতা (চৎখরে) মরমদি—ইয়ম্, (অসিগুম্বী রাধিকানা). বধূনিচয়েন (বধূসিংনা) বৃতম্ (কোইরবা) মাম্ (ঐবু) বিলোক্য (উদুনা) চলিতা (চৎখরে).

নুভাইতবনা পুকনিং চাক্লদুনা যমুনা মপান্দা লৈবা কুঞ্জদা মফম মফম খুদিংদা শ্রীমতী রাধিকাবু কোইনা কোইনা থিদুনা ব্বাখি।২।। *

ঐনা গোপী ময়াম্না কোইদুনা লৈরিঙৈদা ঐবু রাধিকানা উদুনা চৎখরে, ঐসু লাল্লবা ওইবনা য়াম্না কিখরদুনা রাধাবু খামহৌদরে ;

---

* শ্লোক অসি ধংশস্থ বৃত্তনি। শ্লোক অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী বিরহাবস্থাদা তৌবা মওং অদু হাঙ্গৈরি। মাসিদা শ্রীকৃষ্ণবু "মাধব" হাঙ্গৈবা নাম অসি লেংবগী তাৎপর্য্যদি—মা হাঙ্গৈবদি লক্ষ্মীবু মধবঃ মপুরোই-বনি, শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা মতম পুম্নমক্তা চান্নবী প্রিয়া লক্ষ্মীবু পুদুনা ইথা থানদনা লৈরিবনি, অদুবু লক্ষ্মীমকপু লৈ হাঙ্গৈবা ফাউবা নিংসং-দনা শ্রীমতী রাধিকাতবু খি। ইদেমগী প্রেমনা ব্বারিবা মতৌ পুম্নমক অসি বর্ণন তৌবনা শ্রীমতী রাধিকানা লক্ষ্মীনাচিংবদগী হেনবসি মাসুপ হেল্লি হাঙ্গৈবা ধ্বনি অসি ফোংদোকলি ।২।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরি হরি হতাদরতয়া গতা সা কুপিতেব ॥ ধ্রু ।৩॥

কিং করিষ্যতি কিং বদিষ্যতি সা চিরং বিরহেণ,
কিং ধনেন জনেন কিং মম জীবিতেন গৃহেণ ।৪॥

ময়া অপি (ঐস্মু) সাপরাধতয়া (অপরাধ তৌবগী মতৌ ওইদুনা) অতিভয়েন (য়ামনা কিত্নুনা) ন নিবারিতা (খামহৌদরে) ।৩।।

সা (রাধিকানা) চিরং বিরহেন (কুইনা ঐগা কাইনবনা) কিম্ (করিবু) করিষ্যতি (তৌগনি) কিম্ (করিবু) বদিষ্যতি (হাঙ্গৈগনি) ধনেন (লন্না) কিম্ (করি কান্ননি) জনেন (মীনা) কিম্ (করি কান্নগনি) মম (ঐগী) জীবিতেন (হিংবনা) গৃহেণ (য়ুমনা) কিম্ (করি কান্নগনি) ৪।।

ওন্থোক্লা রাখ্রেদা ! ঐনা লুনা তৌহৌদবনা সাউত্নুনা রাধিকানা চৎখ্রে-বনি ।৩।। *

রাধিকানা ঐগা কুইনা উনদ্রবত্নুনা কাইনরবদা করম্বা থবক তৌ-গনি, করি রা হাঙ্গৈগনি, ঐগী ইরন্না করি তৌননি, মীনা করি তৌ-ননি. ঐগী পুন্সিনা অমসু য়ুমনা করি তৌননি ।৪।। ✣

---

* রাহৈ অসিনা শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনি উনরে, হাঙ্গৈবা খংনরে। ঐস্মু লাল্লবা ওইবনা হাঙ্গৈবদি—অতোপ্পীসীংগা সান্নরুবগী ইকাইবা অকিবনা ঐবু করম্না উনগদগে হাঙ্গৈত্নুনা লোৎতুনা "সাউগন্নু, থোক্সানবিয়ু—" হাঙ্গৈবনাচিংবা হাঙ্গৈত্নুনা খামহৌদরে, হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৩।।

✣ ঐগা কুইনা কাইনবা বিরহনা রাধিকানা করি তৌগনি হাঙ্গৈবদি বিরহগী অরাববু করি উপায় তৌগদগে ? হাঙ্গৈবনি। করি হাঙ্গৈগনি, হাঙ্গৈবদি—ঐগী অফবা গুণ হাঙ্গৈরিগদ্রা, দোষবু হাঙ্গৈরিগদ্রা হাঙ্গৈবনি। অমসু "কিং বদিষ্যতি" হাঙ্গৈবসি কাকু স্বরদা হাঙ্গৈবা ওইনা অর্থ তৌরগা অম্নম হাঙ্গৈগনি, মাত্নুদি— করিগুম্বা ঐগা লোইনত্নুনা রা ঙাংনগদরা,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চিন্তয়ামি তদাননং কুটিলভ্রু কোপভরেণ,
শোনপদ্মমিবোপরি ভ্রমতাকুলভ্রমরেণ। হরি হরি॰ ।৫॥

উপরি (মথক্তা) ভ্রমতা (পাইরিবা) ভ্রমরেণ (খোইমুনা) আকুলম্ (থল্লবা) শোণ পদ্মম্ ইব (থম্বান অঙাংবগুন্না) কোপভরেণ (অশাওবনা থল্লত্তুনা) কুটিলভ্রু (পিশুম খোইরবা) তদাননম্ (মাগী মাইথোংবু) চিন্তয়ামি (ঐনা নিংলি) ৫॥

থম্বাল অঙাংবগী মথক্তা খোইমুনা কোইপাই পাইবনা থনবগুন্না সাউত্তুনা পীশুম খোইরবা রাধিকাগী মাইথোংবু ঐনা নিংলি ।৫॥ *

—হাঙ্গৈবনি। ঐগী লননা করি তোগনি, হাঙ্গৈবদি মহাকপু নত্তনদি লন্না করিসু কান্ননে. হাঙ্গৈবনি। লন লৈত্রবদি মী অমত্তসু লৈররোই, অত্তু ওইরবসু লননা মহাকপু নত্তনদি করি কান্নগদগে? করিসু কান্নদে, হাঙ্গৈবনি। মী লৈত্রবদি গোধনদি কনানা ঙাকপিগনি হাঙ্গৈববু মহাকপু নত্তনদি গোধনদি লাইরত্তুনা ঐনবু হিংত্তুনা করি কান্নগনি অমসু জীব-মকসু কান্নত্রবদা লৈননবা য়মনা করি তৌনগদগে হাঙ্গৈবা ভাবনি।

মাসি বিরহগী অনুস্মৃতি কৌবী অহুমগুবা অবস্থানি, অসুমনা খংনগনি। মাতু—"অর্থানামানুভূতানাং দেশকালানুবর্ত্তিনাম্। সাতত্যেন পরামর্শো মানসঃ স্যাদনুস্মৃতি।।" হান্না খংখ্রবা বিষয়সীংবু মফম অমসু মতমগী মত্তুংইন্না ইত্তত্তুনা খনববু অনুস্মৃতি কৌই, অসুন্না রসার্ণবনা হাঙ্গৈ। অমসু "কিং ধনেন" হাঙ্গৈবা পঙ্ক্তি অসি বঙ্গদেশগী পাঠগা মান্নদে। "কিং ধনেন কিং জনেন কিং মন সুখেন গৃহেন" অসুমনা বঙ্গাক্ষরদা হাঙ্গৈ, অত্তুগা পুজরী গোস্বামীগী সুবোধিনী টীকানাসু মাত্তুদা ব্যাখ্যা তৌই। অত্তুবু ঐখোইনা মাতু লৌদরে, মরমদি—মাতুদি ছন্দ কাই, ছন্দ কাইনা জয়দেব কবিনা মাত্তুগুন্না লেংগনি, হাঙ্গৈবা থাজদে। মরম অসিনা রসিকপ্রিয়া অমসু রসমঞ্জরী কৌবা টীকানা ভৌবা ব্যাখ্যা অমসু বোম্বেগী সংস্করণগী মত্তুংইন্না মূলদা লৌখৎলে ।৪॥

* শ্রীকৃষ্ণগী রাহৈ অসিনা গুণোৎকীর্ত্তন কৌবা বিরহগী মরিসুবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তামহংহৃদি সঙ্গতামনিশং ভৃশংরময়ামি,
কিং বনেহনুসরামি তামিহ কিং বৃথা বিলপামি। হরি হরি০ ।৬॥
তন্বি খিন্নমসূয়য়া হৃদয়ং তবাকলয়ামি।

অহম্ (ঐনা) হৃদি (থমোইদা) সঙ্গতাম্ (লৈবা) তাম্ (রাধাবু) অনিশম্ (অতৎপা লৈতনা) ভৃশম্ (থোইদোক্না) রময়ামি (নুঙাইহনগে) বনে (বনদা) কিম্ (করিনো) তাম্ (রাধাবু) অনুসরামি (থিগে) ইহ (মাসিদা) বৃথা (অরেম্বদা) কিম্ (করিনো) বিলপামি (কপপা) ।৬।।

তন্বি (হে তন্বি রাধে) তব হৃদয়ম্ (নহাক্কী থমোইদু) অসূয়য়া

ঐগী থমোই মনুংদা লৈবী রাধিকাবু থমোই মনুং আসিদা অস্তুম্মক ইতত্তত্তনা নুঙাইহনগে, থমোইগী মপান্দা বনদা থিসিরা ? কদৌননি অদুনা, অরেম্বা নত্তুরা, নুংশিবী রাধিকাবু লৈতবা মফম অসিদা কপসিরা ? কান্নদে ।৬। *

হে তন্বি ! নহাক্কী থমোইদু নুমিৎচুপ্পা ঐবু দোষ তৌবা মক্তনা

—অবস্থানি, অস্তুন্না খংনগনি। মাতুদি "অঙ্গপ্রত্যঙ্গলীলাভি বাক্‌চেষ্টাহসিতেক্ষণৈঃ। ন তস্য সদৃশং কশ্চিৎ ইত্যাদি গুণ কীর্ত্তনম্ ॥" অঙ্গ প্রত্যঙ্গ লীলা খিবিক্তনা, রাহৈ-রাতা, থৌদৌ মিনোক অমসু মিৎএংনা মহাক্কা মান্নবা লৈতবা ওইনা হাঙ্গৈববু 'গুণ কীর্ত্তন' কৌই, অস্তুমনা রসশাস্ত্রনা হাঙ্গৈরি।৫॥

* শ্রীকৃষ্ণনা থমোইদা সংসংনা লাক্লুবী ইবেমাবু উরগা খল্লি—ঐগী থমোইদা সংসংনা লৈবা অসিদা অস্তুম্মক ইবেমাবু পেলহনসিরা ? চান্নবী নুংশিবীবু উবা ঋংদবা বনদা চৎতুনা থিদুনা ভেংথাদুনা কপসিরা ? মাতু কান্নদে, অউবা মফম থমোই অসিদা অস্তুম্মক ইবেমাবু পেলহনগে হাঙ্গৈবনি ।৬।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তন্নবেদ্মি কুতো গতাসি ন তেন তেঽনুনয়ামি। হরি হরি० ।৭॥

দৃশ্যসে পুরতো গতাগতমেব মে বিদধাসি।
কিং পুরেব সসম্ভ্রমং পরিরম্ভণং ন দদাসি। হরি হরি० ।৮॥

(ঐঙোন্দা দোষ তৌবনা) খিন্নম্ (ৱারবীনি অস্নুন্না) কলয়ামি (ঐনা উরে) তৎ (মরম অদুদগী) ন বেদ্মি (ঐ খংদরে) কুতঃ (করিদগী) গতাসি (নংনা চৎখিবা) তেন (মরম অদুদগী) তে (নহাক্কী মরিদা) ন অনুনয়ামি (ঐনা খুরুম-খাজংদুনা থেমদরে) ।৭॥

দৃশ্যসে (নংবু উরে) মে (ঐগী) পূরতঃ (মাংদা) গতাগতমেব (অমোক চৎ অমোক হল্লকপবু) বিদধাসি (নহাক্না তৌরি) কিম্ (করিনো ?) পুরেব (মমাংদৈঙগুম্না) সসম্ভ্রমম্ (তকুপ-তরাংনা) পরিরম্ভণম্ (আলিঙ্গনবু) ন দদাসি (নংনা পীদরে) ।৮॥

ৱাররিনি হাঙ্গনা ঐনা উরে, নহাকনা ঐগী থমোইদগী চৎখোক-খিবসি করিগীনো হাঙ্গবা ঐ করিনা খংদনি, খংই, মরম অদুনা ঐনা খুরুমদুনা নংবু থেমদরে।৭। *

ঐনা নহাকপু উরে, ঐগী মাংদা নহাকনা অমোক চৎলি অমোক লাকই, অদুগা করিননো ? মমাংদৈঙগুম্না ঐবু নহাকনা তকুপতরাংনা কোনদরিবা ।৮। †

---

* শ্রীমতীবু থমোইদা উরম্বদগী অমোক হেক উখিদবদা হাঙ্গরিবনি, মাস্নুন্না উথিদবা অদুবু শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাবু হুপ্পেকপা ওইনা থোকতুনা অতোপ্পা সুন্দরীসিংগা সানরুবা অদুগী সাউদুনা চৎখরবনি হাঙ্গবগী ভাবত হাঙ্গবনি। শ্রীকৃষ্ণনা খল্লি ঐবু সাউদুনা চৎখিবনি অদুদা ঐনা "ঐ লাল্লে" হাঙ্গদুনা খুরুমজগদববু "ইবেমনা সাউরি হাঙ্গবা উরদুনা তৌদরে" অস্নুন্না ইবুঙোনা হাঙ্গরি। মাদুগী ভাবতি—"প্রতপ্তস্বেদ সহসা সপিব স্তোয়বিন্দবঃ" অসোম্বা ঘাদা ঈশিং হুপ্পনবগুম থোকতুনা হেন্না ৱা থোক্লগনি হাঙ্গনা কিদুনা হাঙ্গজদবনি হাঙ্গবা ভাবনি ।৭।

† ৱাহৈ অসি অমোক হন্না ইবেমাবু উরদুনা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গরি,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ক্ষম্যতামপরং কদাপি তবেদৃশং ন করোমি।
দেহি সুন্দরিদর্শনং মম মন্মথেন দুনোমি। হরি হরি০ ।৯॥
বর্ণিতং জয়দেবকেন হরেরিদং প্রবণেন।

ক্ষম্যতাম্ (অপরাধ ঙাকপীয়্) কদাপি (কদৌঙৈদসু) তব— নহাক্কী মরীদা) ইদৃশম (অসিগুম্বা) অপরম্ (অতোপ্পা অপরাধবু) ন করোমি (ঐনা তৌদরি) সুন্দরি (হে ফজবী !) মম (ঐগী মরীদা) দর্শনম্ (নহাকপু উবা) দেহি (পীয়ু) মন্মথেন (বিরহগী মশক ওই- তুনা কন্দর্পনা) দুনোমি (ঐ চাকলে) ।৯।।

হরেঃ প্রবণেন (শ্রীহরিদা পরায়ণ ওইবা ; কেন্দুবিল্বসমুদ্র সম্ভূত-

---

হে সুন্দরী রাধে ! ঐনা তৌবা অপরাধ ঙাকপায়্, নঙোন্দা ঐনা লাল্লিবসি মাসুন্না অমোক্তা তৌজদ্রিবনি, নহাকপু উহনবিয়্ নহাক য়াউ- দবদা ঐবু কন্দর্পনা চাকলে ।৯।। *

হরিদা পরায়ণ ওইবা, কেন্দুবিল্বগী মশক ওইবা সমুদ্রদগী পোকপা

মাসিমক্তি মফম থুদিংদা অতৈ'মা উথিদরে, শ্রীমতী রাধিকামক্তা উখরে। মাসিদি অভিজ্ঞসিংনা হাঙ্গৈরি—"প্রাসাদে সা পথি পথি চ সা পৃষ্ঠতঃ সাপুরঃ সাপর্য্যঙ্কে সাদিসি দিশি চ সাত্তদ্বিযোগাতুরস্ত। হং হো চেতঃ প্রকৃতিরপরা নাস্তিতে কাপি সা সা সা সা সা সা জগতি সকলে কোহ- য়মদ্বৈতবাদঃ।" অর্থাৎ চান্নবী চান্নবনা কাইনরিঙৈ মতমদা মফম মফম থুদিংদা নিংশিবী অত্তুতা উত্তুনা অদ্বৈতবাদী বেদান্তসিংনা তাইবংপানবু ব্রহ্মতা ওইনা উবগুম্না লুংসিব নুংসিবিতা মউই ৮।।

* ইবেমাবু অমোক উদ্রতুনা হাঙ্গৈরি—হে সুন্দরী ! ঐনা লাল্লিবাসি মমাংঙৈদদি অসুমনা অমোক্তা তৌঙখিদ্রিবনি হন্দক্তা ঙাইহরি হাঙ্গবা খনবিতুনা ঐবু ঙাকপিয়্, নহাকপু উদবদা কামদেবনা ঐবু চাক্লরে নহাক্কী নশক অতু উৎতুনা ঐবু কনবিয়্, অর্থাৎ নখাপোনবনা লাল্লুরবাদ রারক- পীবা হৌনৈ ভাম্বোকপীবাদ চমদে, নহাকনা ঐবু উহন্দনা লৈতুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কেন্দুবিল্ব সমুদ্রসম্ভবরোহিণীরমণেন। হরি হরি০ ।১০॥

হৃদি বিসলতা হারো নায়ং ভুজঙ্গম নায়কঃ,
কুবলয়দল শ্রেণী কণ্ঠে ন সা গরলদ্যুতিঃ।

রোহিণী-রমণেন (কেন্দুবিল্ব কৌবা সমুদ্রদগী থোকপা থা ওইবা) জয়-দেবকেন (জয়দেবনা) ইদম্ (মাসিবু) বর্ণিতম্ (হাঙ্গৈখি) ।১০॥

অনঙ্গ (হে কামদেব) হৃদি (থমোইদা) বিসলতা হারঃ (থম-বৌণী লিক) অয়ম (মাসি) ন ভুজঙ্গম নায়কঃ (বাসুকী কৌবা লিন নিংথৌ অত্তু নত্তে) কণ্ঠে (ঐগী খৌরীদা) কুবলয়দলশ্রেণী (থরো অশংবগী পরেংনি) সা (ইথ্বাইনা খংলবী) ন গরলদ্যুতিঃ (হুগী মঙাল

থা ওইবা জয়দেবনা শ্রীকৃষ্ণগী বিরহগী ব্রাহৈ অসি লেংই ।১০ ॥ *

হে হকচাং লৈতবা কামদেব ! নংনা ঐবু মহাদেব ওইনা নিংহুনা লুংাসবীগা কাইনরিবা ঐঙোন্দা অরাবা পীগনু, সাউহুনা নংগী এরুবা মহাদেবনি হাঙ্গৈনা খংদহুনা হাৎকে হাঙ্গৈহুনা ঐঙোন্দা চোংসিনবরা এঙু ঐগী থমোইদা হাপ্লিবা থম্বৌগী লীকসে মহাদেবগী লৈতেং বাসুকী কৌবা

ননাক্তা ঐবু থম্বিদবসি কনমল্লে ভৌবিনু হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৯।

* বীরভুম কৌবা জেলাদা অজয় কৌবা তুরেনগী মনাক্তা হুজিক ফাওবা কেন্দুবিল্ব কৌবা খুন অমা লৈ, মাহু থাইনগী কেন্দুবিল্ব কৌবা শ্রীজয়দেব গোস্বামীগী পোকনফম অহুনি। মফম অতুদা কবি অথোইবা জয়দেবনা লিংথৎলম্বা শ্রীবিগ্রহ অমা হুজিক ফাউবা লৈরি, মাহুদা চহি খুদিংগী তিলসংক্রান্ত নুমিৎতা মেলা তৌহুনা হুজিক ফাউবা সাধু বৈষ্ণব য়ামনা তিল্লি। কবিনা মতাং অসিদা মহাক্কী লম অসিদা লৈবা মাখোইগী শাগৈ অহুবু য়ামনা চাউনা সমুদ্র ওইনা কল্পনা তৌরি। রোহিণী রমণ-হাঙ্গৈবদি চৎনবিদা রোহিণা কৌবী থরানমচাকপু থানা য়ামনা পামই হাঙ্গৈবনা থাবু মফম অসদা রোহিণা রমণ হাঙ্গৈ। ১০ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মলয়জরজো নেদংভস্ম প্রিয়ারহিতে ময়ি,
প্রহর ন হরভ্রান্ত্যাণঙ্গ ক্রুধা কিমুধাবসি ।১১॥

নত্তে) মলয়জরজো: (চন্দনগী উফুন) ইদম্ (মাসি) ন ভস্ম (উৎ নত্তে) প্রিয়া রহিতে (প্রিয়াগা কাইনরিবা) ময়ি (কৃষ্ণ ঐঙোন্দা) হর ভ্রান্ত্যা (মহাদেব ওইনা নিংহুনা) ন প্রহর (পীড়া তৌগনু) ক্রুধা (সাউহুনা) কিমু ধাবসি (করিনো হাৎকে হাঙ্গইহুনা নংনা হোৎচিল্লক-পরা ?) ।১১।।

লিন নিংথৌ অতু নত্তে, খৌরিদা লৈরিবা অমুবসি হুগী মঙান নস্তে থরো অসংবগী পরেংনি। ঐগী হকচাংদা তৈরিবসি মলয়জ চন্দনগী উৎনি মহাদেবগী লৈতেং উৎ নত্তে ।১১।। *

* পৌরাণিক প্রসঙ্গ লৈ, সতীবিরহগী মতমদা মহাদেবনা হিমা-লয়দা তপ তৌহুনা লৈখ্রবদা হিমালয়গী মচানুপী গৌরীনা মপাগী য়াথংনা সাধুনি হাঙ্গইহুনা সেবা তৌই, মহাদেবদি যোগনা মপান্দা এং-থোরকত্রবদা হিংচাবনা রাহল্লবা লাইসিংগী গৌরীগী গর্ভদগী কার্ত্তিক পোকতুনা মানা লাইগী সেনাপতি ওইত্রবদি স্বর্গপুর অসি হিংচাবনা লৌখিবা তারে, অতুনা কামদেবদা ইনসিন্দুনা মহাদেবগী থমোইদা কাম-দেবনা তেন্না থাখি, মহাদেবনা মিৎ পাংলবদা মনাক্তা গৌরী লৈরম্বাহু উবদগী সাউহুনা অসাউবগী মৈনা চাকতুনা কামদেবগী দেহবু উৎ ওইনা তুমহনথি। মরম অসিনা কামদেবনা মাবু মাংহনবগী সাউহুনা মাগী এক্লবা মহাদেববু মুমিৎচুপ্পা ছিদ্র থিহুনা লৈ।

মুংসিব মুংসবীগী কাইনবগী মৈনা মৈন চাকলবা মতমদা খাংবা ঙমত্রবদা মৈচাক অতু কোকনবা হাঙ্গইহুনা থম্বাল, থম্বৌ, থন্না অমস্তুং থরোগী অয়িংবা অতু লৌনৈ, মাসি থাইনগী চৎনবিনি। প্রিয়াগী কাই-নরিবা শ্রীকৃষ্ণনা বিরহগী মৈচাকতা খাংনবা হাঙ্গইহুনা থমোইদা থম্বৌ হাপই, থরো অশংগী পরেং ঙক্তা থোল্লি হকচাং অপুম্বা মলয়জ নন্দনতৈ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পাণৌ মা কুরু চুতশায়কমমুং মা চাপমারোপয়,
ক্রীড়ানির্জিতবিশ্ব মূর্চ্ছিতজনাঘাতেন কিং পৌরুষং।

ক্রীড়ানির্জিত বিশ্ব (হে সান্নবনা তাইবংপানববু ঙম্বা!) মনসিজ (হে পুক্লিংদগী পোকপা হে কামদেব!) অমুম্ (নমাংদা লৈবা) চুত-শায়কম্ (হৈনৌ মপানগী মশক ওইবা তেনবু) পাণৌ (খুত্তা) মা কুরু (তৌগনু) চাপম্ (লিরুংবু) মা আরোপয় (লিরী হাপকনু)

তাইবংপানববু শান্নতুনা ঙম্বা হে কামদেব! মাংদা লৈবা হৈনৌ-মপানগী মশক ওইবা তেন খুত্তা পাইঁবিগনু, লিরুং লিরি হাপ্পিগনু,

---

মাতুদা শ্রীকৃষ্ণনা খল্লি, মাতুদি :—এনদি ঐগী থমোইগী লল ওইবী বৃষভানু কুমারীগা উনদবগী মৈনদি অস্তুম অস্তম চাকসিনলক্লবা মতম অসিদা ওনথোইতুনা লৈরি, কামদেবনা মাহু উরগা মাগী এক্লবা মহাদেব ওইরবোই নিংতুনা ঐবু হাৎকে হাঙ্গৈনা ঐঙোন্দা হোৎচিল্লকলে। ঐদি মহাদেব নত্তে, ঐনা বিরহগীমৈ ফোক্লবা থমোইদা থম্নৌ হাপচবনি, মহা-দেবগী খাওম্নরিবা বাসুকী কৌবা লিম্নিংথৌত্র নত্তে, অতুঙে সমুদ্র নৈঙৈদা থোরকপা হু থকখিবগী খুদমনা মহাদেবগী খোরিদা লৈবা অমুবা নত্তে ঐনা বিরহগী মৈচাকনা থরো অসংবগী পরেং সিজবনি! অমস্থ ঐনা বিরহনা চাক্লবদা শাবনা খাংবা ঙমদ্রহুনা মলয়জ চন্দন তৈরগা হকচাং পুমনমক চন্দন ঙাকতা চাইবসি নংনা মহাদেবগী বিভূত তৈবনি অস্তুমনা নিংবরা ? মাসি উৎ নত্তে চন্দন তৈজবনি অস্তুমনা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গৈরি। ব্রাহৈ অসিদা কামদেববু শ্রীকৃষ্ণনা "অনঙ্গ" হে হকচাং লৈতবা হাঙ্গৈনা কৌবগী ভাবতি নংদি মহাদেবগী অসাউবনা নসা অতু উৎ ওইনা তুম-খ্রবনি অতুদা নসা অমা লৌগে পানগে নিংতুনা ঐগী পুকনিংদা লৈরতুনা নমিং "মনসিজ" পুকনিংদগী পোকপা হাঙ্গৈবা নমিংতুগী লিচৎ তৌর-বোইরে' ঐগী পুকনিংদগী পোকতুনা নশক অমা লৌরগা নংগী এক্লবা মহাদেবগী নাক্তদি চত্রহুনা ঐবু মহাদেব ওইনা নিংতুনা ঐঙোন্দা নংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তস্যাএব মৃগীদৃশো মনসিজপ্রেঙ্খৎকটাক্ষাশুগ,
শ্রেণীজর্জ্জরিতং মনাগপি মনো নাদ্যাপি সংধুক্ষতে ।১২॥

মুর্চ্ছিতজনঘাতেন (রান্থরবা মীবু হাৎপনা) কিং পৌরুষম্ (কার নিপা থোকপগে ?) তস্যাঃ (অদুগুস্বা) মৃগীদৃশঃ ইব (শজি অমোমগী মিৎ মানবীদগী) প্রেঙ্খৎকটাক্ষাশুগ শ্রেণীজর্জ্জরিতম্ (কাপল্লৰা মিৎচিগী মশক ওইবা তেনগী মপৈনা থাদুনা নারবা) মনঃ (পুকনিং অসিনা) অদ্যাপি (হুজিক ফাউবা) মনাগ অপি (খজিক্কসু) ন সন্ধুক্ষতে— (পোত্থাদরি) ।১২॥

রান্থরবা মীবু হাৎলগনু নিপা পোকপরা ? এঙ, হে কামদেব সজি অমোমগী মিৎ মানবী অদুনা কাপলকপা তেনয়ামনা থাবনা ঐপী পুক্লিং অসি হুজিক ফাওবা ঙাহাকতসু নুঙাইবা ফংজদরি । ১২॥ *

লান্দাররে, হুজিক্তি ঐগী নুংশিবী রাধাগা কাইনরিবৈ অসিদা নংনা ঐবুদি ঙম্লে ঐবু নংগী শোষণ, মারণনাচিংবা তেন্না থাদুনা পীড়া তৌবিগনু ঐ কৃষ্ণান, অস্থম হাঙ্গৈবা ভাবতা "অনঙ্গ" হাঙ্গৈন। কামদেববু কৌরি। শ্লোক অসি "হরিণী" কৌবা বৃত্তিনি। অলঙ্কারনা "ভ্রান্তিমান"নি বস্তুন্যত্র কুত্রাপি তত্তুল্যাশ্চান্য বস্তুনঃ নিশ্চয়ো যত্র জায়তে ভ্রান্তিমানঃ স্মৃতো যথা ॥" অস্থুম্না অলঙ্কারনা হাঙ্গৈবা করিগুম্বা পোৎ অমদা মাদুগা মান্নবা পোৎ অমবু ওইরবোই নিংবা রাহৈ অসিনা থোকলে। অমসু রাহৈ অসি "অপহ্নুতি" কৌবা অলঙ্কারান হাঙ্গৈবসু য়াই, মাদুদি "নৈত দেতদিদং হেতদিত্য পহ্নব পূর্ব্বকম্ উচ্যতে যত্র সাদৃশ্যাদপহ্নুতিরিয়ং বথা ॥" মাদু মাসি নত্তে, মাদুদি মাসিনি, অস্থমনা ঙাংনদুনা হাঙ্গৈরিবা রাহৈ অদু অপহ্নুতি অলঙ্কার কৌই ॥১১॥

* শ্লোক অসি শার্দ্দূল বিক্রীড়িত ছন্দনি। অলঙ্কারনা আক্ষেপনি। হন্দক্কী রাহৈ অসিগী তাৎপর্য্যদি কামগী তেন্না শ্রীকৃষ্ণগী পুকনিংবু থিঙ্গাইবা ওইবনা "মনঃ— পুকনিং" না কর্ম্ম ওইনা হাঙ্গৈগদবদগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভ্রূপল্লবং ধনুরপাঙ্গতরঙ্গিতানি বাণা গুণঃ শ্রবণপালিরিতি স্মরেণ।
তস্যামনঙ্গজয়ঙ্গমদেবতায়ামস্ত্রাণি নির্জ্জিতজগন্তি কিমর্পিতানি ।১৩।

ভ্রূপল্লবম্ (পিশুমনা) ধনুঃ (লিরুং) অপাঙ্গতরঙ্গিতানি (মিৎ-চিনা এংবনা) বাণাঃ (তেন) শ্রবণপালিঃ (নাকোং মচিনা) গুণঃ (লীরি) ইতি (অসুম্না) স্মরেণ (কামদেবনা) অনঙ্গজয়ঙ্গমদেবতায়াম্ (কামদেবদা জয় পীবা অচেৎপা দেবতাগী মশক ওইবা) তস্যাম্ (শ্রী-মতী রাধিকাদা) নির্জ্জিতজগন্তি (তাইবংপানববু ওম্বা) অস্ত্রাণি— খুৎলাইবু) কিম্ (করিনো ?) অর্পিতানি (পীবরা ?) ।১৩।।

কামদেবনা মাগী খুৎলাইসিং অত্তু পাইদুনা তাইবংপানববু জয় তৌরগা লোইরত্তুনা মাবু তাইবংপানবা অপুম্ববু ওমহনবী লাইরেম্বীগী মশক ওইবী রাধিকাদা মাগী খুৎলাইসিং অত্তু অমোক হৃঙ্গন্দুনা কংথোক-লবোইরে অসুম্না ঐনা নিংই, মাত্তুদি কামগী লিরুংনা শ্রীরাধাগী পীশুম, তেন্না মিৎচি অমসুং নাকোং নাতোন্না লীরিনি । ১৩ ।। *

"সন্ধক্ষতে" ক্রীয়াগী কর্ত্তা ওইনা হাঙবনা চমৎকারগী মত্তৌ ফোং-দোকই । মাতুমক অভিজ্ঞশিংনা হাঙ্গী, "সাম্বয়ং শোভতে বাক্যমুচিতৈরেব কারকৈঃ । কুলাভরণমৈশ্বর্য্যমৌদার্য্য চরিতৈরিব ।" মতিক চাবা কারকনা রাহৈ অত্তু মহাক্কী মরোইসিংগা লোইননা কজৈ । মাত্তুদি পুকচেন চাউবা হাঙ্গবা গুণনা শাগৈ, লৈতেং অমসুং সম্পত্তিবু ফজহনবগুম্বনি অসুম্না হাঙ্গরি । কবিনা মতাং অসিদা কামদেববু শাস্ত্রনা লৈগী তেন পাইবা অসুম্না হাঙ্গনবা চৎনরি মতুংইন্না বসন্ত ঋতুদা শাৎপা হৈনৌমপানবু তেন ওইনা কল্পনা তৌরি ।।১২।।

* শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতীগী মিৎচিনা এংববু কামদেবগী তেননি অসুমনা হাঙ্গবত্তু মথক্কী শ্লোকতা হাইথরে হন্দক্কী শ্লোক অসিদা হাঙ্গরিবনবু ইবেমগী মিৎচি অত্তুবু হাঙ্গরুবা অত্তুদা ইবেমগী নিংথিজবা মূর্ত্তিনা শ্রীকৃষ্ণদা ফাউরকলে অত্তুগুম্বী শ্রীমতীগা উনরিবা রূপ অত্তু এংলদুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভ্রূচাপে নিহিতঃ কটাক্ষবিশিখো নির্ম্মাতু মর্ম্মব্যথাং,
শ্যামাত্মা কুটিলঃ করোতু কবরীভারোঽপি মারোদ্যমম্ ।

ভ্রূচাপে (পিশুম ওইবা লারুংদা) নিহিতঃ (ভেঙ্গা থোংলবা) কটাক্ষ বাণঃ (মিৎচিগী মশক ওইবা তেননা) মর্ম্মব্যথাম্ (১) (অথুপ্পা মফমদা অরাবা পীববু) নির্ম্মাতু (তৌসনু) শ্যামাত্মা (মচু মুবা) কুটিলঃ (অখোইবা) কবরী ভারঃ অপি (শম্বুন্নসু) মারোদ্যমম্ (শিননবা

হে তন্বী রাধে ! নহাক্কী পিশুমগী মশক ওইবা লিরুংদা মিৎচিগী তেন্নসু ঐগী হৃকচাংগী অথুপ্পা মফমদা থাউ, অমুবা খোই খোইবা শম্বুন্না ঐবু হাংফেসু তৌ, অভাংবা ।চনবান্না ঐবু স্বদ্ধৎলু অতুগা করিনে। ?

শ্রীকৃষ্ণনা খল্লি, মাতুদি, কামদেবগী শোষণ, মারণনাচিংবা তেন মঙা, অমসু মাগী লিরুংনাচিংবতু মহাক্কী মরন্নাই অমত্তা নত্তবোইরে, কাম মগাক্কী মবেমা লাইরেম্বী শ্রীমতী রাধিকানা কামদেব মাঙোন্দা তাইবং পানববু ঙমজৌ হাঙ্গিতুনা পীবোইরে অসুম্না শ্রীকৃষ্ণনা খল্লুরে। মরমদি খ্যানদা উম্বিবা ইবেমাগী মাইথোং অতুদা কামদেবগী খুৎলাই পুন্নমকতু ঙমনা লৈরে, মাতুদি ইবেমাগী পীশুমনা কামগী লিরুংনি, ইবেমাগী মিৎচিনা এংলিবা অসিনা কামগী তেন্নি, অতুগা নাকোংগী মচি তারিবনা কামগী লিরীনি, অসুম্না ইবেমাগী পীশুম, মিৎচিনা এংবা অমসুং নাকোংগী নিংথজবতু এংত্নুনা খল্লি অতুগা মাসুন্না নিংথি, মাতুদি— কামগী মবেমা শ্রীমতীনা মনাই কামদেবদা তাইবং পানববু ঙমজৌ হাঙ্গিনা পীনবিবা খুৎলাইসিং অতু পাইতুনা কামনা তাইবংপানবা পুন্নমকপু ঙমখরে, হৃজিক্তি দিগবিজয় তৌবা লোইরতুনা খুৎলাই অতু পীবা মাবু তাইবং-পানবা ঙমহনবা মবেমদা কামদেবনা মাগী খুৎলাই পুন্নমকতু অমোকহন্না কৎথোকলবোইরে. অত্নুনা কামগী খুৎলাই পুন্নমকতু ইবেমদা ঙমনা

(১) মফম অতুদা নোইবতদা সিনবা ওইবা ঙক্কচিংবদা লৈবা মফমবু মর্ম্ম = অথুপ্পা মফম কৌই ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মোহন্তাবদয়ঞ্চ তন্বিতনুতাং বিম্বাধরো রাগবান্,
সদ্‌বৃত্তস্তনমণ্ডলস্তব কথং প্রাণৈর্মমক্রীড়তি ।১৪॥

থৌরাংবু) করোতু (তৌসন্নু) তন্বি (খ্বাংনৌবী হে রাধে !) অয়ম্ (অসিগুম্বা) রাগবান্ (অঙাংবা) বিম্বাধরঃ (তয়াল মানবা চিম্বান্না) মোহম্ চ (অঙকপবুস্নু) তাবৎতনুতাম্ (সন্দোকসন্নু) তব (নংগী) সদ্‌বৃত্তঃ (মতুম ওইবা) স্তনমণ্ডলঃ (স্তন মণ্ডলনা) মম (ঐগী) প্রাণৈঃ (প্রাণবু) কথং (কারগুম্বা) ক্রীড়াত (সান্নবা) ।১৪॥

পুম্‌ন্বা নহাক্কী থবাকনা ঐগী থরাইবু সান্নরিবসে। ১৪ ॥ *

লৈরে অসুমনা নিংতুনা মতাং অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা খনবা পুন্নমকতু হন্দক্কী শ্লোক অসিদা হাঙ্গী, শ্লোক অসি রূপকালঙ্কারনে উৎপ্রেক্ষলঙ্কারনে অলঙ্কার অনিনি। ১৩॥

* পিশুমনা থোংতুনা কাপলকপা মিৎচিৎ মতোন অতুম্বনা থিন্দুনা ঐবু নাহম্বদি হৌনৈ। মরমদি মতোন অতুম্বদি থিল্লগা নাবা হৌনৈ। শম্বুন হাঙ্গবা অতুমা মুবনিনা মন্নুং শেংবা হৌনদে, খোইবনগা লিচৎ চুমদবনি অতুনা মানা ঐবু হাৎকে তৌবস্নু তৌফে, নংগী তয়ানগুন্না ঙাংবা চিনবাননা ঐবু স্নমহৎপস্নু ফৈ. মরমদি অঙাংববু রাগ কৌই, রাগ লৈবা হায়বসিদি অতোপ্পবু রাখিনি হাঙ্গবগী এংবা হৌনদে. মাতগী ফনবা হোৎনবনি। অতুনা পুন্নমক অসি ওন্থোকপা অঙকপা খক ওইদে ওন্থোকপদি নহাক্কী থবাকনা ঐগী থবাই পাইতুনা সান্নরিবসিনি মরমদি মহাক্তি তুমপক তুমই, অতুম্ববু "সদবৃত্ত" কৌই মাগী অর্থদি সদবৃত্ত— অফবা লমচৎ হাঙ্গনৈ অতোপ্পগী থরাইবু পাইতুনা থরাই শোকহনববু অফবা কোগদ্রা ? অতুনা সদবৃত্ত (তুম্বক তুম্বা) নংগী স্তন অসিদি সদ্‌বৃত্ত ওইদরে অসুম হাঙ্গবা রাহৈনি মাসিবু অলঙ্কার শাস্ত্রনা "বিরোধালঙ্কার" কৌই। ছন্দনা শার্দ্দুল বিক্রীড়িতনি । ১৪ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তানি স্পর্শসুখানি তে চ তরলাঃ স্নিগ্ধাদৃশোর্বিভ্রমা,
তদ্বক্ত্রাম্বুজসৌরভং স চ সুধাস্যন্দী গিরাং বক্রিমা।
সা বিম্বাধরমাধুরীতি বিষয়াসঙ্গেঽপি চেন্মানসম্,
তস্যাং লগ্নসমাধিহন্তবিরহব্যাধিঃ কথংবর্দ্ধতে।১৫॥

তানি (মমাংঙৈদা খংখরবা) স্পর্শসুখানি (শোক্লবগী নুঙাইবা পুন্ন-মক্লা ওই) তে চ (অতুগুম্বা — মমাংদা খংখরবা) তরলাঃ (তথক ত-থকপা) স্নিগ্ধাঃ (ফুইরবা) দৃশোঃ বিভ্রমাঃ (মিৎ অনিগী বিভ্রমনা ওই) তৎ (মাংদা খংখরবা) বক্ত্রাম্বুজসৌরভম্ (মাইথোং থম্বানগী নিংথবা মননম্ ওই) সঃ চ (অতুগুম্বা খংখরবা) সুধাস্যন্দী (অমৃত সিন্থবা গিরাম্ বক্রিমা (রাঙাং নিংথিজবনা ওই) সা (অতুগুম্বী ঐনা খংখরবা) বিম্বাধর মাধুরী (তয়ান মানবা চিনবানগী নিংথিবা অতুনা ওই) ইতি (অসুমনা) বিষয়াসঙ্গে অপি (বিষয়গা সম্নবা ওইবমক্তদা) চেৎ যদি (মতম অতুদা) তস্যাম্ (রাধিকাদা) মানসম্ (পুকনিংগী ওইবা) লগ্ন সমাধি (পকতুনা মতোন অনি লোংদ্রবা ওইবা) তদা (মতমতুদা) হন্ত (ওন্থোকপনি) বিরহব্যাধিঃ (বিরহগী অরাবনা) কথং (করি মরমনা) বর্দ্ধতে (চাউখৎপা) ।১৫॥

ওন্থোকইদা শ্রীমতী রাধিকাবু শোকলুরগা ওইবা তমেং তমেংবন-চিংবা নুঙাইবা পুন্নমকসি ঐনা হাননা খংখিবা অতুমকনিসে, রাধিকাগী মিৎ ঐনা হান্না খংখিবা অতুমকনিসে, রাধিকাগী মিৎ অনিগী তথক তথক এবা মিৎএংগী নিংথিবা ঐনা উরিবসে মহৌশা উখিবা অতুমক-নিনে, রাধিকাগী মাইথোং থম্বান অসিগী নিংথিজবা মনম অসিসু হান্নগী অতু মঙাই করি ভমত্তা রাত্তে, ফজরবা রাঙাংবা ভারিবাসসু মহৌশা তাখিবগা করি অমত্তা কাইনবা নৈতে অতুগী অতু মঙাই অমসু মহাক্কী চিম্বান ভয়ান মানবগী অথুম্বা মহাওসু হৌজিক ঐনা ফংলিবসি চপ মমান্নে, অতুনা বিষয় অপুম্বা ইফং মফংলি, মাসুম তৌদুনা ঐগী পুকনিং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অসিনা শ্রীমতী রাধিকাতদা চেৎনা নপখিত্নুনা মথন্তবু খন্দুনা মরৈ, অত্তগা রাধিকাগা ঐগা কাইনবগী মৈদি অস্তুম্মক হেন্না হেন্না চাক্লকই করিননো ! ॥ ১৫ ॥ *

* শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতীগা কাইনরিঙৈদা শ্রীরাধাগী মিৎচি, শম্বুন্নচিংবনা অৱাবা পৌরবদা শ্রীমত্তীগী মিৎচি, শম্বুন্নচিংবত্নবু অভিলাসগা লোইননা নিন্দা তৌববু মথক্কী শ্লোকতা হাঙ্গখরে। হন্দক্কী শ্লোকতা হাঙ্গবিরিদি অত্নু অত্নুম্বা শ্রীমত্তীগী মিৎচনাচিংববু অস্তুম অস্তুম নিংসংখিবদগী কনমন-খিত্নুনা শ্রীকৃষ্ণগী থমোইদা ইবেমগী মোহিণী মুর্ত্তিনা ফাউরবা অত্নুদা সংসংনা শ্রীকৃষ্ণনা উরে, মাস্তুন্না মানস সম্মিলন—পুকনিংদ উনরবদি ফাইনবদগী মৈ অত্নু খরদি কোক্নিঙাই ওইরবনি, তৌইগুম্বস্তু কাইনবগী মৈদি হান্নদগী হেন্না ২ অস্তুম চাক্লকই। মরমসিনা খন্তুবদা ফংবা ঙমদ্র-ত্নুনা শ্রীকৃষ্ণনা ঙাংবা য়াথংত্নু হন্দক্কী শ্লোক অসিনা হাঙ্গরি। শ্রীকৃষ্ণনা খল্লি, মাত্নুদি—কাঙ্গনবা হাঙ্গবদি মহাক্কা শোক্লদবা, মহাকপু উদবা, মহাক্কী মনম ভাদবা, মখোন তাদবা অমস্তুং মহাক্কী মহাও খংদবা অস্তুম হাঙ্গবা বিষয় মঙাসি ফংনদ্রববু মাগা কাইনবা অস্তুন্না তাইবংপানবদা চৎনৈ, অত্নু ওইরবদি ঐদি হুজিক রাধিকাগা শোক্লবসিগী তসেং তসেংবা ওইরিবসি হান্নগা চপ মানৈ, রাধাগী ঐনা উরিবা মুত্তি অসিস্তু হান্নগী অত্নু মঙাই, রাধাগী মাইথোং থম্বানগী মনমস্তু হুজিক নমলিবসি হান্না নম্বগা কাইনদে, রাধানা ৱা ঙাংবগী ফজরিবা অসিস্তু মমাঙৈদা ঙাংবগা চপমানৈ, মহাক্কী তয়ান মানবা চিনবানগী অথুম্বা অসিস্তু অত্নুগী অত্নুমঙাই, অস্তুম তৌত্নুনা কাইনদবা মতমদা ওইবা বিষয় মঙাগী সম্বন্ধ মঙাত্নু হুজিক অসিদা ইওই মওইরি অত্নুগা অমরোমদা হাঙ্গরগা মাসিমস্তু লৈরি, মাত্নুদি নুংশিবগা নুংশিবীগা অনিগী মপানগী মিৎনা উনবা নাকোংনা তানবা মতম—কাইনদ্রিঙৈদদি পুক্লিং অসিনা চেংনা খনবা ঙমদে, পুক্লিংনা খনখিবাসিমক্তুনা সমাধি কৌষা পুক্লিংগী অবস্থা অত্নু ওইথরে, অত্নুগা কাইনবগী মৈনা হেন্না হেন্না চাক্লকপা করিননো ? ।১৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তির্য্যক্‌কণ্ঠবিলোলমৌলিতরলোত্তংসস্যবংশোচ্চরদ্গীতি-
স্থানকৃতাবধানললনালক্ষৈর্নসংলক্ষিতাঃ।
সম্মুগ্ধং মধুসূদনস্য মধুরে রাধামুখেন্দৌ মৃদু,
স্পন্দংকন্দলিতাশ্চিরং দধতু বঃ ক্ষেমং কটাক্ষোর্ম্ময়ঃ।১৬॥

ইতি শ্রীজয়দেবকৃতৌ গীতগোবিন্দমহাকাব্যে মুগ্ধমধুসূদনো
নাম তৃতীয়-সর্গঃ।

—ঃ—

তির্য্যক্‌কণ্ঠ বিলোল মৌলি তরলোত্তং যস্য (ফৈরপ তৌবা ভক, হাইহুম্বা চুড়া অমসু তনিক তনিকপা নায়িন ওইবা) মধুসূদনস্য (শ্রী-কৃষ্ণগী) বংশোচ্চরদ্ গীতিস্থানকৃতাবধানললনা লক্ষৈঃ (বংশীদগী থো-রকপা ঈশৈগী খোন্থাং পুয়মক্তা পুকনিং চংখরবী গোপী লক্ষানা) ন সংলক্ষিতাঃ (মহাকপু উত্রবা) মধুরে (নিংথিজবা) রাধামুখেন্দৌ— (রাধাগী মাইথোং থাদা) সম্মুগ্ধং (নিংথিজবা) মৃদুস্পন্দম্ (তনিক তনিকনা) কন্দলিতাঃ (ময়োন চোংলবা) কটাক্ষোর্ম্ময়ঃ (মিচ্চিগী ঈথক থিবিকনা) বঃ (নখোইগী) ক্ষেমম্ (মঙ্গলবু) চিরম্ (মতম কুইনা) দধতু (পীসনু) ।১৬।

মতাং অসিদা শ্রীজয়দেবনা লেংবা গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা
মুগ্ধ-মধুসূদন কৌবা অহুমসুবা সর্গঃ লোইরে।

—০—

শুকচেপলপ তৌবা, চূড়ানা তনিক তনিকপা, নাকোংগী নায়িন্না চাইহ্নংদা হাইহুমডনা বংশীখোংবা মধুসুদন শ্রীকৃষ্ণগী মিংচিগী ঈথক-সিংনা বংশীদা শকলিবা ঈশৈগী খোন্থাং ময়াম তাবদা পুক্নিং চিংসনশ্রবী গোপ রমণী লক্ষা লক্ষানা উহোদনা শ্রীমতী রাধিকাগী মাইথোংগী মশক ওইবা ফজরবা থাবু উরগা নিংথিনা তনিক তনিকনা ইপোম হৌহুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্

চতুর্থঃ-সর্গঃ।

—:—

(স্নিগ্ধ-মধুসূদনস্থ)

যমুনাতীরবানীরনিকুঞ্জে মন্দমাস্থিতম্ প্রাহ,
প্রেমভরোদ্‌ভ্রান্তং মাধবং রাধিকাসখী।১॥

রাধিকাসখী (শ্রীমতী রাধিকাগী সখীনা) যমুনাতীরবানীরনিকুঞ্জে (যমুনা মপান্দা বেতসগী মনানা থন্না হৌবা কুঞ্জদা) মন্দম্ আস্থিতম্ (রানা লৈরবা) প্রেমভরোদ্‌ভ্রান্তম্ (প্রেমগী মৈনা ইঙাও ঙাওরবা) মাধবম্ (মাধবতা) প্রাহ (হাঙ্গৈ)।১॥

এংবা অহুগুম্বা মিৎএ়না ভক্ত পুন্নমক্কী মঙ্গলবু মতম কুইনা পীন-বিসনু।১৬॥ *

মতাং অসিদা শ্রীজয়দেবগী গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা
মুগ্ধ-মধুসূদন কৌবা অহুমস্থুবা সর্গ লোইরে।

—।—

শ্রীমতী রাধিকাগী সখী অমনা শ্রীকৃষ্ণবু থিরকপদা যমুনা মপান্দা

---

* মহৌশাগী মতৌগুম্না সর্গ অরোইবদা তৌবা মঙ্গলাচরণ অহু অহুম-স্থুবা সর্গগী অরোইবা অসিদা কবি জয়দেব গোস্বামীনা হন্দকস্থু তৌরি মাসি আশীর্ব্বাদগী মশক ওইবা মঙ্গলাচরণনি অলঙ্কারনা রূপকনি, ছন্দনা শার্দ্দূল বিক্রীড়িতনি। ১৬॥

মতাং অসিদা মুগ্ধ-মধুসূদন কৌবা অহুমস্থুবা সর্গ লোইরে।

—।—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কর্ণাটরাগ যতিতালাভ্যাং গীয়তে।

নিন্দতি চন্দনমিন্দুকিরণমনুবিন্দতি খেদমধীরম্,
ব্যালনিলয়মিলনেন গরলমিবকলয়তি মলয়সমীরম্।

মাধব (হে মাধব) সা (রাধিকানা) তব বিরহে (নংগা কাইনবা অসিদা) দীনা (তোল্লবী ওইদুনা) চন্দনম্ (চন্দনবু) নিন্দতি (নিন্দা তৌই) ইন্দু কিরণম্ (থাবনবু উরগা) অধীরম্ (তপথবা

বেতসপাম্বীগী মনানা থন্না হৌবা কুঞ্জদা প্রেমগী মৈনা ইন্ডাও ভাওরবা রানা লৈরবা মাধবতা হাঙ্গৈ। ১ ॥ *

হে মাধব ! শ্রীমতী রাধিকাদি নংগা উনদবা মতম অসিদা য়াম্না অতোনবগী মশক ওইখরে, চন্দনবু নুমিৎচুপপা এংথিনবগী মশক ওইনা নিন্দা তৌই, থাবন উরগা থকত্তুনা অব্রাবা ফংই, চন্দনগী চিং মলয়গী নুংশিৎনা তপনা তপনা হুমলগা চন্দন পাম্বীদা লৈবা লীনগী হুগা তিন্নরক্তুনা তৌবগুম্না নুংশিৎ অদুবু হু ওইনা রাধানা নিঙি। কামগী মৈনা

---

* শ্লোক অসি পথ্যাবক্ত্র কৌবা ছন্দনি। শ্লোক অসিনা হাঙ্গৈরিবসি মথক্কী সর্গদা হাঙ্গৈখরবা শ্রীকৃষ্ণগী অবস্থা অদুগী ওইফম অদুগা লোইননা অমোকহন্না হাঙ্গৈবনি। হুন্দক্কী ঈশৈ অসিনা বিরহোৎকণ্ঠিতা নায়িকাবু হাঙ্গৈগনি। শাস্ত্রনা হাঙ্গৈ,— "নায়িকা লব্ধা নিযুক্তা গীতকাব্যেষু দর্শিতা। একৈব নায়িকা বাপি হরমূর্ত্তিরিবাষ্টধা ॥ বাসকসজ্জা সমুৎকণ্ঠা স্বাধীনভর্ত্তৃকা তথা। কলহান্তরিতা বাপি বিপ্রলব্ধাভিসারিকা। খণ্ডিতা প্রোষিতাচৈব নায়িকা চাষ্টসম্মতা ;।" মথাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা মওং অসিনা স্নুনা তিনবী নায়িকাবু ঈশৈদা শকনৈ। মাহুদি— মশাদি অমত্তা ওইরগা নুপী অহু ফিবম নিপান থোকই, মাহুদি— অমত্তং ওইবা মহাদেববু নিপান থোক্না খাইবগুম্বনি। নায়িকা অদুগী মশাদা মথন নিপান অসি সুদবীবুদি ঈশৈদা হাপ্লদে। মাহুদি ১ বাসক সজ্জিকা, ২ উৎকণ্ঠিতা, ৩ স্বাধীন ভর্ত্তৃকা, ৪ কলহান্তরিতা, ৫

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মাধব মনসিজবিশিখভয়াদিব ভাবনয়া ত্বয়ি লীনা,
সা বিরহে তব দীনা। ধ্রুবম্ ।২॥

লৈতনা) খেদম্ অনুবিন্দতি (অৱাবা ফংই) মলয় সমীরম্ (মলয়চিং-গী নুংশিৎপু) ব্যালনিলয়মিলনেন (লিন লৈবা চন্দন পাম্বীগা তিন্নরুতুনা) গরলমিব (হুগুম্না) কলয়তি (নিংই) মনসিজবিশিখভয়াদ্ ইব (কামগী তেনবু কিবদগী তৌবগুম্না) ভাবনয়া (ধ্যান তৌতুনা) ত্বয়ি (ইবুঙো নঙোন্দা) লীনা (পকতুনা লৈখরে) ।২।

তত্তুনা চাকলক্লবদা কামগী শোবণ মারণনাচিংবা তেম্না থাৱক্লনি হাঙৈনা কিহুনা ইবুঙো নংগী মুত্তিবু থমোইদা হাপতুনা মূর্ত্তি অতুদা চেৎনা কোন্দুনা খাঙি। ২ ॥ *

—ব্যাখ্যা— বিপ্রলব্ধা, ৬ অভিসারিকা, ৭ খণ্ডিতা অমসু ৮ প্রোষিত ভর্ত্তৃকা, মাখোই অসিনা হন্দক্কী ঈশৈ অসিদা হাঙৈগদৌরিবদি উৎক-ন্ঠিতানি। মহাক্কী মশক্তি ভরতনা হাঙৈ,— "যস্যাঃ সমুচিতেপ্যহ্নি প্রবাসী নৈব বল্লভঃ। সা স্মরানলসংতপ্তা বিরহোৎকন্ঠিত মতা।"— নুপী অতুগী মপুরোইবনা লংফে চৎখিবা নত্তুনা উনগদবা নুমিৎ অতু-মক্তদা উনত্রবদি নুংশিবগী মৈনা চাকতুনা খাংলবী নুপী অতুবু উৎ-কন্ঠিতা কৌই ।১॥

* মতাং অসিদা ইবেমাগী উৎকণ্ঠা বর্ণন তৌবদা উৎপ্রেক্ষা কৌবা অলঙ্কারগী রাহৈনা ইবেমগী মতৌ পুন্নমক থারি, মাসিবু রূপকোৎপ্রেক্ষা হাঙৈনা খংনগনি। সখীসিংনা ইবেমাগী প্রেমগী মৈনা চাকলিবা অতু উরগা ইংনবা হাঙৈতুনা চন্দন অতকপা পুসল্লি, মাতুনা হেন্না হেন্না প্রেমগী মৈচাক খাংবা ওমত্রবী রাধিকানা হে ইত্তাসা। চন্দন হাঙৈবসে শ্রীকৃষ্ণ লৈত্রবদি ঐবু অৱাবা পী, ঐগী এরুবনি পুশিনবিরক্লু হাঙৈ-তুনা চন্দনবু নিন্দা তৌই। শ্রীবৃন্দাবনগী উ-রা পুন্নমকপু সঙোম অনৌবগী সমুদ্রনা পাথতুনা থুম্বগুম্না থাবনগী অঙৌবনা কুপ্না থাগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অবিরলনিপতিতমদনশরাদিবভবদবনায় বিশালম্ ।
সহৃদয়মর্ম্মণি বর্ম্ম করোতি সজলনলিনীদলজালং । সা বি ।৩॥

অবিরল নিপতিতমদনশরাদ্ (অতৎপা লৈতনা পাইশিনলকলবা কামগী তেন্দগী) ভবদবনায় ইব (ইবুঙো নংবু কনগে হাঙ্গবগী মতৌ-গুন্না) স্বহৃদয় মর্ম্মনি) ইবেমা মহাক্কী থমোইগী অথুপ্পা মফমদা) বি-শালম্ (পাক্লবা) সজলনলিনীদলজালম্ (ঈশিংগা লোইনবা থমবাল লকাগী জালবু) বর্ম্ম করোতি (কবচ তৌরি ; ।৩।।

কামদেবনা অতৎপা লৈতনা ৱাধাগী হকচাংগী অথুপ্পা মফম পুন্ন-মক্তা তেন্না থারবদা ইবুঙো নংবু ঙাক্কে হাঙ্গবগী দমক পাক্লবা থম্বাল লকাবু ঈশিংগা লোইননা থমোইদা হাপতুনা নংগী কবচ শাতুনা কুপলি ।৩।। *

—মঙান অতু উরগা প্রলয়গী মতমদা সাংবর্ত্তক কৌবা মৈনা লৈপাক্লা দোশী, ঈশিংনা থাউ ওইতুনা চাক্লকপা ওইনা নিংতুনা মিপাইরবী ইবেমনা তথক তথক চেনবনা অরাবা ওইহৌরে। বসন্তঋতু অসিদা মথারোমদগী নুংশিৎ নামিবনা চন্দন কৌবা মলয়চিংদগী চন্দনগী মনম পুতুনা ইবেমাগী হকচাংনা য়ৈরবদা নুংশিৎ অতুবু হু ওইনা নিংঙি ; মরমদি নুংশিৎনা চিঞ্জাক ওইনবা লান্না চন্দনপাম্বীদা লৈতুনা নুংশিৎ চাবদা কামথোরকপা হু পুরকতুনা ইবেমাগী হকচাংদা হু অতুনা য়ৈ-রবরা ? কামদেবনা বসন্ত কৌবা ভেঙ্গোনগা লোইনতুনা বৃন্দাবনগী ৱন পুন্নমক্তা মহাক্কী শোষণ, মারণনাচিংবা তেন্না থাগে হাঙ্গনা লারি চিংতুনা ঙাইরিবতু উরগা চংনফম লৈত্রবী ওইতুনা ইবুঙো নংগী মুর্ত্তিবু থমোইদা হাপলগা হে মাধব, ঐবু তেন্না থাগদোরে, কনবিয়ু হাঙ্গনা নঙোন্দা চেৎনা কোল্লতুনা চংজরি ।২।।

* কামগী তেন্না ইবেমগী হকচাংগী অথুপ্পা মফম (মফম অতুদা কন্না নোইবতদসু হেক্তা সিবা মফম) থুদিংদা অতৎপা লৈতনা থাজিল্লক্লবদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কুসুমবিশিখ শরতল্পমনল্পবিলাসকলা কমনীয়ম্।
ব্রতমিব তব পরিরম্ভসুখায় করোতি কুসুমশয়নীয়ং। সা বি০ ।৪॥

তব (নংগী) পরিরম্ভসুখায় (আলিঙ্গনগী নুঙাইবা ফংনবগীদমক) কুসুমবিশিখশরতল্প (কামগী তেনগী শয্যা ওইবা) ব্রতম্ ইব (ব্রত-গুম্না) অনল্পবিলাসকলা কমনীয়ম্ (অয়াম্বা বিলাসকী কলা পুমনমক্তা পান্নবা ওইবা) কুসুমশয়নীয়ম্ (লৈগী শয্যাবু) করোতি (তৌই) ।৮।।

হে মাধব ! শ্রীমতী রাধিকানা লৈগী শয্যা শেমই, মরমদি নহাকপু আলিঙ্গন তৌবগী নুঙাইবা কৌব মহৈ অতু ফংগে হায়ৈতুনা ; তেন মথক্তা হিপ্পঃ ব্রত তৌগে হায়বগীদমক লৈনা তেন ওইনবা কামগী তেন ময়াম্না শয্যা শাবগুম থোকলে । ৪ ।। *

ৱারবা ইবেঙনা খল্লি. ঐগী হৃক্‌চাংগী অথুপ্পা মফম অগোইবদি থমোইনি, থমোই অসি তমন স্নামনা তেন্না তক্তুনা ংারকলি. ঐগী থমোই অসিদদি বিরহগী মৈ অসিনা খাংবা ঙমদতুনা মৈ অসি কনবিয় হায়ৈতুনা ঐগী নুংসিবা শ্রীকৃষ্ণবু থগলি, অতুগুম্বা শ্রীকৃষ্ণদা কামগী তেন্না পানল্লবানি হায়ৈবগী ৱাবনা থম্বাল মনা অপাকপা অপাকপা খন্দুনা ঈশিংগা লোইননা কামগী তেন্না পানবদা শ্রীকৃষ্ণনা নাদনবা কবচ শেমলতুনা থমোইদা হাপ্পনি হায়বনি । মাসি মহাভাববতী শ্রীমতীগী ইথৱাইগা মান্নদবা প্রেমনি মাসিবু শ্রীসুকদেবনাচিঙ্‌বা মুনীন্দ্র যোগীন্দ্রসিং্না গোপীপ্রেম হায়ৈতুনা তান্নরিবতু মাসিনি—মহাক্কী অৱাবদি খন্দবা নুংিৎ-চুপ্পা শ্রীকৃষ্ণগী নুঙাইনবতা খনবা শ্রীকৃষ্ণ ৱাখিন হায়না খন্তরগা মাতুতা ৱাবা অসিনা ব্রজ প্রেমনি । ৩ ।।

* শ্রীমতীগী বাসক সজ্জিকা কৌবা অবস্থাদা লৈনা শয্যা শেম্বা অতুনা ইবেমগী উৎকণ্ঠাগী অবস্থা য়োরবা মতমদদি ঙসাইসি নুঙাইনা শেমখিবা লৈগী শয্যা অতুনা ইবেমগী ৱানবগী মশক ওইরকপা অতুবু সখীনা কল্পনা তৌরি । মাতুদি বিরহগী মতমদদি লৈসিং অতুনা মতু-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বহতি চ (১) বলিতবিলোচনজলধরমাননকমলমুদারম্ ।
বিধুমিববিকটবিধুন্তুদ দন্তদলনগলিতামৃতধারম্ । সা বি০ ।৫॥
বিলিখতি রহসি কুরঙ্গমদেন ভবন্তমসমশরভূতম্ ।

বিকটৈঃ (অকিবগী মশক ওইবা) বিধুন্তুদস্য (রাহুগী) দন্তৈঃ (ময়া খিবিক্লা) দলনাৎ (চিকপদগী) গলিতামৃতধারম্ (অমৃত সিন্ত-রবা) বিধুম্ ইব (থা গুম্না) বলিতে (নহাকপু এঃনবগী দমক কৈনা এঃলিবা) বিলোচনে (মিৎ অনিদা) জলধরৌ যত্রতম্ (নোং অনি ওই-তুনা মঙোন্দা লৈবা) উদারম্ (অথোইবা) আনন-কমলম্ (মাইথোং-থম্বানবু) বহতি (পুরি) ।৫।।

রহসি (অচিকপা মফমদা) কুরঙ্গমদেন (কস্তুরি চন্দননা) অসম-শর ভূতম্ (কামদেবগী মশক ওইরবা) ভবন্তম্ (ইবুঙো নহাঙ্কপু) বি-লিখতি (একই) অধঃ (অএকপা অক্তগী মখা ফমফমদা) মকরম্ —

ইবুঙো নহাকপু লাকপরা হাঙ্গৈনা এঃলিবা, পিনা থল্লবা মিৎস্না অনিনা নোং অনিগুমনা লরবা রাধাগী মাইথোংগী মশক ওইবা স্না থম্বান অন্দা রাহুগী অকিবগী মশক ওইবা য়ানা চিকখাইতুনা অমৃত শিন্থরবা থাগুমই । ৫ ।। *

অচিকপা মফমদা রাধানা কস্তুরি চন্দনা কামদেবগী মশক ওইবা

পানবা তেন ওইথরে, মাতুদি ইবুঙো নঙবু ফংগে হাঙ্গৈবগীদমক কামগী তেন মথক্তা হিপতুনা ইবেমনা ব্রত তৌবগুম্না থোক্লে হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৪।।

* হুন্দক্পী পদ অসিনা ইবেমগী উন্মাদ কৌবা তরেৎস্নু অবস্থাবু থারি, মাতুদি মিৎ অনিমকতা পীন থনখিবা অন্তবু সখীনা নোং অনি ওইনা হাঙ্গৈরে, মিৎ অনিতুনা লৈতেংলিবা মাইথোংবুদা স্না থম্বাল ওইনা

---

(১) "চলিত বিলোচন জলভর" অস্নুয় পাঠান্তর লৈ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রণমতি মকরমধো বিনিধায় করে চ শরং নবচূতম্ । সা বি০ ।৬॥

(ঙাক্যোং) করে চ (অএকপা অতুগী খুত্তা) নব চূতম্ (হৈনৌ মপান ওইবা) শরম্ চ (তেনবুম্ব) বিনিধায় (থমলগা) প্রণমতি (খুরুমই) ।৬।

ইবুঙো নহাকপু একই, অতুগা নহাক্কী ফমফমদা ঙাকোং অমম্বং খুত্ত তেন ওইবা হৈনৌমপাল হাপ্লগা রাধানা খুরুমলি । ৬ ॥ *

হাঙ্গৈরি, অতুগুম্বা মাইথোং অতুদগী পী চেম্বত্তবু পূর্ণিমানা তিথিগী মপুং ফারবা থাদা রাহুনা চিকখাইতুনা অমৃত সিনথবা ওইনা হাঙ্গৈতুনা সখীনা ইবেমগী উন্মাদবস্থা বর্ণন তৌরি । ৫ ॥

* অথোইবী নুপীনা মবুঙোগা উনদ্রগা তৌব হৌনবা অতু হন্দক্কী পদ অসিদা হাইরি, মাতুদি আদিকবি ভরতনা হাঙ্গৈ "দেবতা পুজনং-কুর্য্যাদ্দদ্যাদ্বলিভূজে বলিম্ । লিখেৎকান্তপ্রতিকৃতিং পাঠয়েচ্ছুক—শারিকাঃ ।। গণয়েৎ চাবধিদিনং গীতং গায়েৎ তদঙ্কিতম্ । এবং বিধ-বিনোদেন নয়েৎকালং বিয়োগিনী ।" অথাৎ—লাইখুরুম্বা, মতিকচাবা লাইদা পোৎ কৎপা, নুংশিবগী মশক একপা, তেনরা চোঙাদা মরোন তম্বিবা, নুমিৎ কয়ানি স্থরবগে হাঙ্গৈনা নুমিৎথিবা, নুংসিববু থাতুনা ঈশৈ শকপা, অম্বম তৌতুনা নুংশবা কাইনরিবী অথোইবী নুপীনা মতম লেনলি, মাসি তৌবা হৌনবা ব্রত অমাগুম্বা নৈদুনা চান্নবগী উনদ্রি-ভৈদা তৌদবা য়াদবা ওইনা তৌবনত্তে, নুংসিবগা কাইনরিবী অথোইবী নুপীনা মথনতা তৌজরকপা স্বভাবনি, মাতুদি নুংশিবা মচা কাইনরবা মানা ইনসিনদবস্থ হেক্তা কপচরকপাগুম্বনি, মরমদি ঐগী চান্নববু উদবা কয়ানি সুরে, নুমিৎ মসিং থিজে, অরাবা মৈ অতু কোকতুনা থুনা উননবা লাইখুরুম্বা পোৎ কৎপা হৌনবীনি ; নুংসিববু মপান্দা উদ্রগা থমোইদা উরিবতু ব্রকনিংলকই । থাংব। ঙমলক্তরগা চোংঙা তেনরানা চিংবদা মরোন তম্বিতুনা থাঙ, নুংসিববু থাতুনা শকনিংই মাসি মতম অতুগী চৎনবি অকোইবদা লৈবা ফিবম অতুগী মতুং ইন্না ওইবা মানসিকাবস্থানি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধ্যানালয়েন পুরঃ পরিকল্প্য ভবন্তমতীবদুরাপম্।
বিলপতি হসতি বিষীদতি রোদতি চঞ্চতি মুঞ্চতি তাপম্। সা০ ।৭॥

ধ্যানালয়েন (ধ্যানগী লয় হাঙ্গবদি—অনি লোংঙ্গবা অচেৎপনা) অতীবদুরাপম্ (থোইদোকনা ফংঙমদ্রবা) ভবন্তম্ (নহাকপু) পুরঃ (মাংদা) পরিকল্প্য (একতুনা থম্নতনা) বিলপতি (তেংথাই) হসতি (নোকই) বিষীদতি (ৱাই) রোদতি (কপই) চঞ্চতি (চেল্লি) তাপম্ মুঞ্চতি (অৱাবা কোকই) ৭।

ইবুঙো নংবু ইফং ফংলকত্রবদা ফংঙমদ্রবা নহাক্কী মুর্ত্তি অদুবু নিংসংবগী অচেৎপা অদুমক্তনা মাংদা একতুনা থম্নগা রাধানা তেংথাই, নোকই, ৱাই, কপই, অমস্তুং অৱাবা কোকনৈ। ৭॥ *

অদুনা ইবেমনা খল্লি অস্পপ রাথরবা ঐঙোন্দা রাহল্লিবা কামদেব হাঙ্গবসি শ্রীকৃষ্ণনা থোকহল্লিবনি, ইবুঙো মাগী বিরহ অসি ওইদ্রবদি কামদেবনা ঐঙোন্দা অৱাবসি পীরোই, অদু ওইরবদি কামদেব হাঙ্গববু থোকহনলবা ইবুঙোমান অস্তুম্না নিংদুনা শ্রীকৃষ্ণগী মুর্ত্তি অদু এরুগা কামদেবদি ঙাকোং তোঙি. হৈনৌমপান্না তেন ওইনা পাই হাঙ্গদুনা মাহু মাহুবু মফম মফম অদুদা থম্নগা হে ইবুঙো নংগী বিরহগী অৱাবসি পিনবিগনু হাঙ্গনা নিজে হাঙ্গবা ভাবনি। ৬॥

* বিরহগী, মতমদা ইফং ফংদ্রবদা ইবুঙো নংবু অমোক্তা উগে হাঙ্গনা কন্না নিংসংদুনা একলগা মাংদা থম্নগা ঙসাই মখৈদি কদাইদা চৎলুই, ওম্হোকনা ৱারুরেদা হাঙ্গবন চংবা হাঙ্গদুনা তেংথারগা উরেদনা করিগী অদুপ ৱারুখিগদগে হাঙ্গদুনা নোকই, উনৱগা করিগী ব্রা ঙাংদরে, 'ঐবুদি করি ভৌদুনা থুং অনি তিংথোকতুনা শোক্তরে' হাঙ্গদুনা ৱাই, ঐবু শোকপিদ্রবস্তু এংবতদি এঙ্ঙুদনা 'ঐবু এংবিদরে' হাঙ্গদুনা কপই, অদুগা এংদ্রিবা শোকত্রিবাসি করিগুম্বা চানবিদুনা ঐবু 'লাউ' হাঙ্গদুনা কৌবিরকপরা এংগে হাঙ্গদুনা তুক চৎথোকই অদুগা অমোক খল্লি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রতিপদমপি নিগদতি মাধব তব চরণে পতিতাহম্।
ত্বয়ি বিমুখে ময়ি সপদি সুধানিধিরপিতনুতে তনুদাহম্। সা০ ।৮॥
শ্রীজয়দেবভণিতমিদমধিকং যদি মনসা নটনীয়ম্।
হরিবিরহাকুলবল্লবযুবতীসখীবচনং পঠনীয়ম্। সা বি০ ।৯॥

প্রতিপদম্ অপি (খোংথাং খুদিংদা) নিগদতি (হাঙ্গৈ) মাধব (হে লক্ষ্মীগী মবুঙো) তব (নংগী) চরণে (নখোং খুয়াখাদা) অয়ম্ (ঐনা) পতিতা (তুজরি) ত্বয়ি (নংনা) বিমুখে (মাই ওন্থোক্লবদা) সুধানিধিঃ অপি (অমৃতগী ভুংনফম ওইতুনসু থানা) ময়ি (ঐঙোন্দা) তনুদাহম্ (হকচাং চাকপবু) সপদি (খুখক্তা) তনুতে (সন্দোকই) ।৮।।
যদি (মতম অতুদা) ইদম্ (অসিগুম্বা) শ্রীজয়দেবভণিতম্

রাধানা খোংথাং খোংথাং খুদিংদা হাঙ্গৈ হে মাধব ! নংগী নখোং খুয়াখাদা খুরুমজরি ইবুঙো নংনা মাই ওন্থোকখিবদা ঐবুদি অমৃতগী লৈফম, ওইবা থা মরুসু ঐগী হকচাংদা মৈ ওইতুনা চাকই । ৮ ।। *
শ্রীজয়দেব কবিগী অসিগুম্বা ৱাহৈবু পুক্লিংনা য়াম্না নিংথিনা মতৌ

উরবদবু লোইরেদনা ঐঙোন্দা শোক্লরবনি, এংলক্লি তৌরক্নি হাঙ্গৈতুনা অমোক হেক নুঙাই, অসুমনা সখীনঃ ইবেমগী সাউবা হরাওবা কপ্পনা-চিংবা ইয়ান য়াম্নবসি তমই, অসুম্না য়ান্নাশনবা অসিবু রস শাস্ত্রনা কিল কিঞ্চিত কৌই "ক্রোধাশ্রুহর্ষভীত্যাদেঃ সঙ্করং কিলকিঞ্চিতম্" অসুম্না দশরূপতা হাঙ্গৈ । অতুগা কারকতি অমত্তা ওইতুনা লৈরগা বিলপতি হসতি, বিষীদাত, রোদতি, চঞ্চতি, মুঞ্চতি, হাঙ্গৈনা ক্রিয়া ময়াম ওইরিবা আসদি দীপকালঙ্কার কোবা ৱাহে অতুনি । ৭ ।।

* বিরহিণী ওইবী ইবেমনা বিরহগী মতমদা ইংলবা থাবন উরগা খল্লি থা অমসু লক্ষ্মী অনিমকসি সমুদ্রগী মচানি, অতুনা মচল লক্ষ্মীগী লোয়বীনি হাঙ্গৈতুনা ঐবু বিরহগী মতম অসিদা মাগী মঙান্না মৈ ওইতুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

আবাসো বিপিনায়তে প্রিয়সখীমালাপি জালায়তে,
তাপোঽপি স্বসিতেন দাব-দহনজ্বালাকলাপায়তে।
সাপি তদ্বিরহেণ হন্ত হরিণী রূপায়তে হাকথং,
কন্দর্পোঽপি যমায়তে বিরচয়ন্ শার্দ্দূল বিক্রীড়িতম্ ।১০॥

(কবি শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গবা অসিবু) মনসা (পুকনিংনা) অধিকম্ (থোইদোকনা) নটনীয়ম্ (অভিনয় তৌগদবা ওইবা) তদা মতমতুদা) হরিবিরহাকুল বল্লবযুবতী সখীবচনম (হরি-বিরহনা ৱারবী গোপযুবতী শ্রীমতীগী সখীগী ৱাথং অসিবু) পঠনীয়ম্ (পাগদবা ওই) ।৯॥

আবাসঃ (য়ুমনা) বিপিনায়তে (বনগুম্না ওইরে) প্রিয়সখীমালা অপি (চান্নবী সখী ময়াম্না) জালায়তে (লাংনা ভৌবগুম ওইরে) স্বসিতেন (নুংশাস্বরনা মরম ওইতুনা) তাপঃ অপি (বিরহগী মৈনাম্থ) দাব দহনজ্বালাকলাপায়তে (লমৈ চাকপগী মপৈগুম্না ওইরে) ত্বদ্বিরহেণ

ভমগদবা ওইরবদি হরি বিরহনা ৱারবী গোপযুবতী ৱাধিকাগী সখীনা হাঙ্গবা ৱাথং অসি পাগদবা ওই । ৯ ।। *

হে কৃষ্ণ! অরাবনি! করিনো? ইবুঙো নহাক্না কাইনরবদা শ্রীমতীরাধিকাদি শক্তি অমোমগুম্না ওইহৌরে, মাহুদি য়ুম্না বনগুম ওইরে, চান্নবী সখীসিংনা লাংগুম ওইনা কোইরে, কাইনবগী মৈচাক্না নুংসাস্বর হোম্বনা নুংশিৎনা হুমলবা ওইতুনা লমৈগী মৈচাক্‌ম ওইরে, নুঙাইবগী

চাক্লিবনি অসুম্না খন্দুনা ভাব অদু ফোংদোকপা নাম্না "মাধব" হাঙ্গনা কৌতুনা অরাবা ফোংদোকপা অদু সখীনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গরি, ৱাহৈ অসি বিরোধালঙ্কারনি অমারোমদা হাঙ্গরগা অতিশয়োক্তিনি । ৮ ॥

* নটনীয়ম্ হাঙ্গবদি নাট্যদাদি অভিনয়না প্রধান্য ওইবনা "অভিনেটব্যম্" অসুম্না ব্যাখ্যা তৌগনি ভাবার্থদি—শ্রীজয়দেব কবিগী ৱাথং অসিগী মতুং ইন্না শ্রীরাধা কৃষ্ণগী লীলা অসি পুক্লিংনা অসুম পুথোকতুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দেশাখ্য রাগৈকতালীতালাভ্যাং গীয়তে।

স্তনবিনিহিতমপি হারমুদারম্, সা মনুতে কৃশতনুরিব ভারম্।
রাধিকা বিরহে তব কেশব। ধ্রুবম্।১॥

(নহাক্কী বিরহনা মরম ওইডুনা) সা অপি (রাধিকাস্থু) হন্ত (অৱাবনি) হরিণী রূপায়তে (শজি অমোম্না তৌবগুম ওইরে) হা (অৱাবনি) কথম (করিনো) কন্দর্পঃ অপি (মুভাইবগী মশক ওইবা কামদেবনবু) শার্দ্দূল বিক্রীড়িতম্ (কৈনা সান্নবগী মতৌবু) বিরচয়ন্ (শেমডুনা) যমায়তে (যমগুম্না ওই)।১০।।

কেশব (হে কেশব!) তব বিরহে (নংগা কাইনবদা) রাধিকা

মশক ওইবা কামমক্না কৈনা শানবগী মতৌ তৌডুনা যমগুম ওইরে।১০।*

হে কেশব! রাধিকানা ইবুঙো নংগা কাইনরবদা অস্থুপকী মতিক

গুরুরূপা সখীগী অনুগত ওইনা লীলা অপুম্বডু ধ্যান তৌডুনা নিংগে হাইরবদি বিরহিনী শ্রীমতী রাধিকাগী অবস্থা অসি ভজন তৌবদা পুন্নমককী সারনি হাঙ্গবনি। ৯ ॥

* মতাং অসিদা শ্রীমতীগী উদ্বেগাবস্থাবু বর্ণন তৌরি, ইবেমবু শজি অমোমগী মশক ওইনা হাঙ্গরি, মহৌশানা বিরহ বেদনানা পীড়া তৌরবী ইবেমগী কুচুনা ভৌথোকল্লকই, মাডু এংডুনা 'হরিণী রূপায়তে'—হরিণী রূপকুম্না তৌরে অস্থুম্না "রূপ" পদ হাপই। হরিণী পদনা খংহনলিবনা শজি অমোমনা মহাক্কী অকোঙ্গবদা অমারোমদা লমৈচাকপা অমারোমদা কৈনা তানবা, মাংদা শাদানবনা লাং থাকপা মাডু উরগা মাইকৈ তরা-মক্তা কদোমদা চৎলগা মুঙাইগদগে হাঙ্গনা থিবদা মুঙাইফম ফংদবা অডুগুম্না, বিরহগী মৈনা চাকসিনলকপা সখীসিংনস্থু চৎথোকখিনি হাঙ্গনা খাম্বা অডুনা লাং ওইনা থোকপা অডুনা ইবেমাডু য়ুমদা লৈবদা য়ুমনা বনগুম ওইথরে, হাঙ্গবা ভাবনি, "শার্দ্দূল বিক্রীড়িতং" হাঙ্গবনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সরসমসৃণমপি মলয়জ পঙ্কম্,

পশ্যতি বিষমিব বপুসি সশঙ্কম্। রাধিকা০ ।২॥

(শ্রীমতী রাধিকানা) কৃশতনুঃ (কংশনখ্রবী হকচাং ওইতুনা) স্তন বি-নিহিতম্ (সখীসীংনা থবাক্তা হাপ্পা) উদারম্ (অথোইবা) হারম্ (লিকপু) ভারম্ ইব (অরুম্বা ওইবগুম্না) মন্নুতে (নিঙি) ।১।।

সরস মসৃণম্ অপি (ঈশিংগা তকতুনা থোৎলবা ওইতুনম্ব) বপুসি

কংশিনখরে, মাতুদি সখীসিংনা থবাক্তা লিকপরেং সিবিরগা অসুপ ফজনা লিক অতুবু অরুম্বা ভার অমা হাপ্পগুম্না থোকখরে । ১ ।। *

ঈশিংগা ভকতুনা থোৎলবা মলয়গী চন্দনমকপুস্থ হকচাংদা তৈরিবা

ছন্দস্থ মাতুনি হাঙ্গৈবা ফোংদোকপনি। অলঙ্কারনা বিরোধী ভাবনি ।১০॥

* ঈশৈ অসি দেশাখ্য, কনা কনাগুম্বগী মতভা "দেশাগ" রাগ (১) একতালী তালনা শকই। রাধিকা হাঙ্গৈবসি রাধা শব্দদা অনুকম্পমগী অর্থদা ক প্রত্যয় ভৌবনি অতুনা রাধিকা অনুকম্প্যা রাধা অসুম্না অর্থ তৌগনি, ভাবতি বিরহগী মতমদা ইবেমনা অসুপকী মতিক বাখরে, ইবেমন্ উরগা গুন্থোকনা তোনখ্রবী মতৌ ওইনা উতুনা অউবা পুন্নমক্তা অতোনববু উরগা ইনশিনলুদবস্থ থৌজানগী মশক ওইনা নুংসিবা অতুগুম্বা মতৌ অদু ওইরে, অতুনা হকচাংদা মাসুপকী মতিক কংখরে, থবাক্তা সখীসিংনা লিক সিবিরগা লিক অতুমক্তবু পুবা ঙমদ্রবা ওইনা থোকলে ।১।

(১) ঈশৈ অসি সুরট মল্লার রাগিণী অমস্থ একতালী তালদা সক্লগা য়ান্না চাই, অস্থম্না ঈশৈ হৈবসিংনা হাঙ্গৈ, দেশাগ হাঙ্গৈবা রাগিণী অসিদি মল্লারগী জাতীয়নি, মাবু হুজিক্তি দেশ রাগিণী হাঙ্গৈনা খংনৈ ঐনা গীতগোবিন্দ ইরিবৈ অসিদা মণিপুরগী শ্রীথম্বৌসিংহ অসামদা ঈশৈ তম্বিবা চৎখি, অতুনা রাগ রাগিণী তালগী মরমদা ঐনা হৈতবনা নিং-খিনা ইদরে।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্বশিতপবনমনুপমপরিণাহম্,
মদনদহনমিব বহতি সদাহম্ । রাধিকা০ ।৩॥
দিশি দিশি কিরতি সজলকণজালম্,
নয়ননলিনমিব বিগলিতনালম্ । রাধিকা০ ।৪॥

মলয়জ পঙ্কজম্ (হকচাংদা তৈরিবা চন্দনবু) বিষম্ ইব (হুগুন্না) সশঙ্কম্ (চিংননা) পশ্যতি (রাধিকানা উই) ।২।

সা (রাধিকানা) অনুপম পরিণাহম্ (লোইবা নাইদনা শাংলবা) স্বশিত পবনম্ (নুংশাস্বরবু) সদাহম্ (মৈচাকক্কা লোইননা) মদন দহনমিব (কামগী মৈচাককুন্না) বহতি (পুরি) ।৩।

সা (রাধিকানা) দিশি দিশি (মাইকৈ মাইকৈদা) সজলকণ-জালম্ (পিগী পরেংগা লোইনরবা) নয়ন-নলিনম্ (মীৎ থম্বালব) বিগলিত নালম্ ইব (মকোক য়াওদ্রবা থম্বানগুম) কিরতি (হাই-হুল্লি) ।৪॥

অদুবু হুরা হাঙ্গনা চিংনরদুনা রাধানা এংই । ২ ॥ *

রাধিকানা রাবনা লোইবা নাইদনা শাংনা হোল্লগা নুংশাস্বরবু মৈচাক্কা লোইনরবা কামগী মৈ ওইনা পুহোই । ৩ ॥ †

রাধিকানা ইবুঙো নংবু লাকপরা ? হাঙ্গদুনা মাইকৈ মাইকৈদা পিনা

---

* বিরহগী মতমদা অয়িংবনা অশাবা ওইরকপনা অদুপ ঙংলবা চন্দন্না চাক্লকপদা শ্রীমতীনা হু ওইরবোই নিংলে হাঙ্গবা ভাবনি ।২।

† শ্রীমতীগী ব্যাধি কৌবা অবস্থা অদুবু হাঙ্গরিবনি, বিরহনা রারবী ইবেমনা মশান থোকখিদৌরবা প্রাণবায়ুনা চিংশনবা য়াদনা হোন-দোকপদা ওইরবগুমনা ফুইনা ২ শাংনা ২ হোল্লবা অদুনা নুংশিৎ ওইদুনা বিরহগী মৈ হেঙ্গংহনবা অদুবু হাঙ্গবনি ।৩।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ত্যজতি ন পাণিতলেন কপোলম্,
বালশশিনমিব সায়মলোলম্ । রাধিকা০ ।৫॥
নয়নবিষয়মপি কিশলয়তল্পম্,
কলয়তি বিহিতহুতাশবিকল্পম্ । রাধিকা০ ।৬॥

সা (রাধিকানা) সায়ম্ (নুমিদাংরাইদা) অলোলম্ (লেং-ওৎ-ত্রবা) কপোলম্ (চাইরুংবু) পাণিতলেন (খুৎনা) বালশশিনম্ ইব (নিনি পানবা থাবু পুবগুম্না) ন ত্যজতি (থাদোক্তে) ।৫ ।

নয়নবিষয়ম্ (মিৎকী বিষয় ওইরবা) কিশলয় তল্পম্ অপি (উনাগী

থল্লবা মিৎ থম্বানব্ কোইনা লৈতুনা এংই, মিৎ অতুদি মকোক য়াউদ্রবা থম্বানগী মতৌগুমই । ৪ ।। *

রাধিকানা নুংদাংরাই ওইরকপদা করিমত্তা লেংওদ্রবা চাইরুংবু খুত্তা হাপতুনা নিনিপানবা থাবু তৌবগুম থাদোক্তে ।৫।। † অঙাংবা উনাগী

---

* পি তারকপনা মিত্তা তৈরিবা কাজল পক্ত্রবা, অমসুং অরাবনা মিৎ কুপত্রবা মরমনা মিংপু ঈশিংগা লোইননা মকোক য়াওদ্রবা থম্বানগী পান্দম তৌরি, অমসুং থম্বানগা মান্নবা ওইবনা মিৎ অনি অতু কুপ্তরে হাঈবা খংহনবনা বিরহগী মাপনগুবা অবস্থা 'জড়তা'' কৌবা অবস্থানি অঙন্না খংনগনি । রসশাস্ত্রনা হায়রি "যত্র ধ্যায়তি নিঃশঙ্কং জড়তা সা প্রকীর্ত্তিতা । অত্র স্পর্শনাভিজ্ঞত্বে বৈবর্ণ্য শিথিলতা। অক্রীড়াঙ্গকৃতিঃ স্তম্ভঃ নিঃশ্বাস কৃশতাদয়ঃ ।" অসিনচিংবনি ।৪।

† মাই তঙ্খাই অমদি খুৎনা খুমজিনখিবা, অতুগা বিরহগী ঈথাদ্রবা অঙৌবা কুচুনা তিনবা মাইবু নুমদাংরাইগী মঙান লৈতেব। থা মচেৎকুম্না চাংদমনরি, মাসি নুমিদাংরাইগী জড়তাবস্থাদা তৌবা মওংনি, মরমদি নুংথিনগী মতমদি হাঈনা ২ মলেনখরে, অহিং ওইরগদি করম্না লেনসিবা হাঈবগী অরাবনা চিন্তা তৌবগী অবস্থা হাঈবনি ।৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরিরিতি হরিরিতি জপতি সকাম্,
বিরহবিহিত মরণেব নিকামম্ । রাধিকা০ ।৭॥
শ্রীজয়দেবভণিতমিতি গীতম্,
সুখয়তু হরিপদমুপনীতম্ । রাধিকা০ ।৮॥

শয্যাবুম্ন) বিহিতহুতাশবিকল্পম্ (মৈরা হাঙ্গনা চিংননা) কলয়তি—(এংই) ।৬।।

সা (রাধিকানা) বিহিতমরণা এব (বিরহনা শিগদৌরবী ওইতুনা) নিকামম্ (পান্না) হরিঃ ইতি হরিঃ ইতি (হরি হা'র অস্তুম্না) জপতি (শোনখি) ।৭।।

শ্রীজয়দেবভণিতম্ (শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গবা) ইতি গীতম্ (ঈশৈ অসিনা) হরিপদম্ উপনীতম্ (শ্রিকৃষ্ণগী চরণদা পুশিনবা ওইতুনা) সুখযতু (অতাবা অশকপবু মুঙাইহনসনু) ।৮।।

শয্যাবু উরগা মৈরা হাঙ্গনা চিংননা রাধিকানা এণ্ডি। ৬ ।। *

শ্রীমতীরাধানা ইবুঙো নংগী বিরহনা সিরমদাই ওইরবদা য়ান্না পান্না হরি, হরি, অস্তুম্না নংগী নাম শোল্লি । ৭ ।। †

শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গরিবা ঈশৈ অসিনা অশকপা অমসু অতাবা

---

* উনা অনৌবগী ঙাংলৈনবা মচুনা নিংথিরবা শয্যাবু উরগা ইবেমানা মৈরা হু ঈনা "উদ্বিগ্না" কৌবা বিরহগী অবস্থাবু হাঙ্গবনি ।৬।।

† মাসিনা বিরহগী তরাসুবা 'মরণ" কৌবা অবস্থা হাঙ্গরি, অন্তে যা মতিঃ সা গতি—অন্ত-কালদা নিংখিবা অতুতা সিরগা ওই অস্তুম্না শাস্ত্রনা সিদ্ধান্ত তৌরি, অতুনা সিরমদাইদা ভগবান্দা তিনবা সাযুজ্য পাম্বসিংনা, হরি নরায়ণ, ব্রহ্ম, হাঙ্গবনচিংবা নাম শোল্লি । শ্রীরাধানা বিরহগী ১০ সুবা অবস্থা শিবা কৌবহু য়ৌরক্লবদা ইবুঙো নঙোন্দা তিনববু পাম্বনা অতৎপা লৈতনা হরি হরি হাঙ্গনা শোল্লি ।৭।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সা রোমাঞ্চতি সীৎকরোতি বিলপত্যুৎকম্পতে তাম্যতি,
ধ্যায়ত্যুদ্‌ভ্রমতি প্রমীলতি পতত্যুদ্যাতি মুর্চ্ছত্যপি।
এতাবত্যতনুজ্বরে বরতনুর্জীবেন্ন কিং তে রসাৎ,
স্বর্বৈদ্যপ্রতিম প্রসীদসি যদি ত্যক্তোঽন্যথা হস্তকঃ।৭॥

সা (রাধিকানা) রোমাঞ্চতি (তু চুংঙি) সীৎ করোতি (সীৎ হাঙ্গবাসিবু তৌই) বিলপতি (তেংথাই) উৎকম্পতে (নিকই) তাম্যতি (মকশিল্লি) ধ্যায়তি (নিংঙি) উদ্‌ভ্রমতি (য়ায়া ঙক্‌ই) প্রমীলতি (উইশিল্লি) পততি (তুই) উদ্যাতি (নহাকপু হৌগৎতুনা ওকই) অপি (অমসু) মূচ্ছর্তি (রান্থে) স্বর্বৈদ্যপ্রতিম (লাইগী মাইবা অশ্বিণী কুমারগা মান্নবা হে কৃষ্ণ !) অতনুজ্বরে (লাইহৌনা) এতাবতি (মাসুপকী মথৈ ওইরবদা) যদি (মতম অতুদা) প্রসীদসি (নংনা থৌজানবিবা) তদা (মতম অতুদা) বরতনুঃ (নিংথিজবা হকচাংনা যাগী ওইবা রাধানা) তে (নংগী) রসাৎ (রসদগী) কিম্ (করিনো) ন জীবেৎ (হিংলোইদগে ?) অন্যথা (নংনা থৌজানবিদ্রবদি) ত্যক্তঃ (হুন্দোকলবা) হস্তকঃ (থৃৎনা ওই) ।৭।

ভক্তবু শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরন্দা পুশিন্দুনা নুঙাইহনসনু। ৮॥ *

হে লাইগী মাইবগা মান্নবা কৃষ্ণ! রাধিকাগী হকচাংদা অতনুগী লাইহৌনা, হুজিক্তি মাসুম তোহোরে, মাতুদি লাইহৌ অতুনা মরম ওইতুনা রাধিকানা তু চুংই, সীৎ অসুম্না হাঙ্গ, তেংথাই, নিকই, কুচু মকশিল্লি, নিংসংই, ঙাউই, মিৎ উইশিল্লি, তুই, নহাকপু ওক্কদবগী হৌগৎলি, অহগা রান্থে। লাইহৌনা মাসি যৌখ্রবা অসিদা ইবুঙো নহাকনা থৌজানবিতুনা নহাক্কী হিদাক রস হাঙ্গবতু পীরবদি হকচাংফবী রাধিকাতু

---

* হন্দক্কী ঈশৈ অসিদি মাত্রা চতুষ্পদী ছন্দঙাক্তনি অলঙ্কারন উপমালঙ্কার ঙাক্তনি ।৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

করিগী হিংদগনি ? নত্রবদি খুৎ খারনি ।৭।। *

* ইবেমগী বিরহাবস্থা হাঙ্গৈরিবা অসিদা সখীনা হাঙ্গৈরিবা "রোমাঞ্চতি," তু চুংই, হাঙ্গৈবসিনা অভিলাস কৌবা অবস্থা অদু ফোংদোকপনি । মাহুম্না 'সীৎ" হাঙ্গৈ, হাঙ্গৈবনা 'চিন্তা, স্মৃতি' অনিবু ফোংদোকপনি, বিলপতি—তেংথাই হাঙ্গৈবনা "শ্রীকৃষ্ণ হাঙ্গৈবদু ওনথোক্লা পুকচেন থৌখ্রেদা অসুপ তোনবা ঐবু বনগী মনুংদা হুপ্লেকপী, ওনথোকনসু মহাক্কী রূপতু ফজেদা" অসুম্না ঙাংবা অদুনা বিরহগী গুণ কীর্ত্তনবু ফোংদোকপনি । উৎকম্পতে নিকই, তাম্যাতি—মর্কসিল্লি ধ্যায়তি—নিঙি, অহুম অসিনা বিরহগী উদ্বেগ কৌবা অবস্থাবু ফোংদোক্কই, উদ্ভ্রমতি য়াম্না ঙকই, হাঙ্গৈবদি ক্রীড়া স্খলনাচিংবদা হেক চৎপা ভাব তাদবা রা ঙাংবা—লাইহৌগী চোইরোনগুম্না ঙাংবা হাঙ্গৈবনি মাসিনা প্রলাপ কৌবা অবস্থা ফোংদোকপনি । ধ্যায়তি—নিঙি, হাঙ্গৈবদি পূর্ব্বুংনা মহাক্কী মূর্ত্তি অদু শেমই, অদুগা মাদুবু কোনগে হাঙ্গৈবগীদমক 'নিমীলতি— উইশিল্ল হাঙ্গৈবসিনা 'উন্মাদ' কৌবা অবস্থাবু ফোংদোকপনি । পততি—তুই, হাঙ্গৈবসিনা বিরহগী অরাবনা হাকমন্দুনা ইবেমাগী হকচাংদু মাঙপকী মতিক ফংখরে লেপ্পা ফম্বা ঙমদরতুনা লৈপাক্তা তুতুনা লৈরে মাতুম্না লৈরিবঙ অদুদা ভাবনা ইবুঙো নহাকপু লাকপগুম নিংলুহুনা ওক্কদবগী 'উদ্যতি'—হৌগৎলি, মাসিনা "ব্যাধি" কৌবা অবস্থাবু ফোংদোকপনি । অদুদগী নহাকপু উত্রবা অদুদা 'মূর্চ্ছতি—রানথৈ, মাসিনা জড়তা কৌবা অবস্থানি (হাঙ্গৈখ্রিবা রাহৈ অসি দীপক কৌবা অলঙ্কারনি । অবস্থাশিং অদুদা ওইরবা ইবেমগী পুক্লিংসিং অদুনা অতোপ্পা রসগী স্থায়ী ভাবনি মাতুনা বিপ্রলম্ভণ কৌবা শৃঙ্গারগী বিরহাবস্থা ওইনা ইবেমাগী পুক্লিংদা মথং মথং থোকপা, মাংখিবা অমগা অমগা য়াম্নাইনবা "শাবল্য, প্রশম, উদয় সন্ধি" ওইবনি অসুম্না খংনগনি । অদুনা রোমাঞ্চতি—রোমাঞ্চ, সীৎ করোতি—বৈবর্ণ্য, বিলপতি, উদ্যাতি অশ্রু, উৎকম্পতে, উদ্ভ্রমতি—বেপথু, তাম্যতি—স্বেদ, ধ্যায়তি, পততি—স্তম্ভ, প্রমীলতি—স্বরভঙ্গ, মূর্চ্ছতি—প্রলয়, অসুম হাঙ্গৈবা অষ্ট

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সাত্ত্বিক (১) পুল্লিংগী অবস্থা নিপাল্ল অহু মহাভাবময়ী শ্রীমতীদা ওই। অহুবু সখীনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গৈহুনা অন্নাবা লিবনি মাহুদি, স্তম্ভ লেংদবা, স্বেদ—হুমাংসৌবা, রোমাঞ্চ—ভুচুংবা, বৈবর্ণ্য-কুচুহোংবা অশ্রু—কপ্পগী পি সিনথবা, বেপথু—নিকপা, স্বরভঙ্গ—স্বরথিংব, প্রলয়, ন্নানথবা অস্থুন্না খংনগনি।

মাসিদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গৈগদবা অমা সখীনা খল্লি, মাহুদি—হে সখী! কন্দর্পগী জরনা রাধিকাগী মাসিগুম্বা অসি য়ৌখ্রবদি ঐ চৎতুনা হিংবস্থ ঙম্নরোই, কান্নদ্রে হাঙ্গৈগদরা ? অস্থুন্না নিংহুনা হাঙ্গৈ হে লাইগী মাইবগা মান্নবা কৃষ্ণ অতনুগী জ্বর (লাইহৌ) না মাসিগুম্বা অবস্থা অসি য়ৌরবদা ইবুঙো নহাকনা থৌজানবিহুনা নহাক্কী হিদাক রস হাঙ্গৈবহু

(১) অষ্টসাত্ত্বিক কৌবা অসি মহাভাববতী শ্রীমতী রাধিকা অমস্থু ইবেমাগী কনা কনাগুম্বী সখীতনা ওইবনি। কলিদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রভুদা ওই, প্রভুগা গুণ, প্রেম, চেষ্টা মান্নবা মহানুভাবসীংতদা ওই, অহু নত্তবা অচম্বা মীদদি ওইবা হৌনদে। হাঙ্গৈরিবা মখন নিপান অসিনা ঈশ্বরগী মরমদা ওইবা অহু পামজহুনা মভৌ ভম্বমকপু য়াবা নত্তে। ফংবদা মতিকচাবা মহাত্মা সৌভাগ্যবান্‌সীংতনা ফংগনি। হুজিক্কী কালদা রামকৃষ্ণ পরমহংসগুম্বতনা ওইবা উনখি। মাহু নত্তনা কনাগুম্বা মহৌশানা কপচেৎপা নত্রগা মীঙোন্দা ধমকা তৌহুনা নাপন তৌগে, মহাকপু ভক্ত ওইনা নিংহনগে হাঙ্গৈহুনা ঔরাইহুনা হোৎনবা, মীসীংদস্থু সাত্ত্বিকভাব য়াওদনা পি তাবা, মতু-চুংবা উইঁ। মাখোই অহুদি অভক্তগী চরিতনি, হরিভক্তিদা য়ান্না বিরোধ ওই। অহুনা মহানুভাবসীংনা হাঙ্গৈ,—"স্বভাব পিচ্ছলস্বান্তে তদভ্যাস পরেতি চ সত্বাভাসঙ্ বিনাপিস্মুঃ কেহপ্যশ্রুপুলকাদয়ঃ।" অহুগুম্বা ঈশৈ শকপদা, পুঙ য়ৈবদা সত্বভাব নত্তনা তাৎ তৌহুনা কপ্পা অহুদি ফদিগা মণিগা খেন্নবগুম্বনি ; করি অমত্তস্থু ওইবা নত্তে। মাখোই অহুদি পাদরীসীংগী গর্জ্জাদা ধর্ম্ম অনৌবনা কপ্পা, রাম্থবগুম্বনি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পিরবদি হকচাংফবী রাধিকানা কৃষ্ণগী হিংদনি হিংগদবমক্কি সোইরোই হাঙ্গৈবনি। নত্রবদি খুৎ থারনি হাঙ্গৈবনি, নংনা থৌজানবিদ্রবদি "ত্যক্তঃ হস্ত" হুজিক্কি রানথত্তুনা লৈথ্রবা রাধিকাত্থু রাঙাংবামকপু ঙমদ্রবসিদা খুৎসা লেংবামকপু ঙম্নরোই (রসমঞ্জরীগী মততা) হাঙ্গৈবনি। মাত্থুগী অসম্বা ভাবতি রানথবা অত্থুদা রা ভাংবা ঙমদ্রবদা সখীসিংদা খুৎসা হাঙ্গৈত্থুনা ইঙ্গিত তৌবা অত্থুমকপু ঙম্নরোই হাঙ্গৈবদি মহাকাব্যদা পনবা হৌন্দবনা পনদবা অর্থ "সিরান" হাঙ্গৈবা ফোংদোকপনি। অমস্থু "ত্যক্তঃ হস্তঃ" খুৎ থারনি হাঙ্গৈবগী ভাবসি মস্থুন্না হাঙ্গৈবস্থু য়াই, মাত্থুদ (পূজরী গোস্বামীগী মততা) অতনুজ্বরনা ব্রানথরবা অত্থুমক্তুদা প্রাণ লৈরিবা ওইবনা কবিগুম্বা খরদং নুংাইনবা সখীসিংনা নানথোকত্থুনা হিংনবা হোৎনবনাচিংবা খুৎকী সেবা তৌরিবত্থু অনাবা লাইহৌ অত্থু যন্ত্রবদি মতুংদদি য়াররোই, অর্থাৎ সিখ্রবদি মাত্থুগুম্বা সেবাত্থু কান্নররোই অস্থুন্না ইবেমাবু নংগী বিরহনা সিরনি হাঙ্গৈবা খংহনবনি।

মাসিদা মাস্থুন্নস্থু হাঙ্গৈবা য়াই, মাত্থুদি কবি অথোইবা শ্রীজয়দেবগী কাব্যবু বৈষ্ণব সম্প্রদায়না 'বেদ' মককুম্না লৌনৈ, অত্থু ওইরবদি বৈষ্ণবকী মততা কাব্য অসিবু বেদগুম্না ব্যাখ্যা তৌবস্থু য়াই। (য়োঙ মাইবা ধন্বন্তরিনা পুকস্থুবা হৌদোকই, মচা সুষেননা য়োঙয়ামদা তন্বী য়োঙনা বঙ্গদেশদা মণিপূরদস্থু তন্বী)।

নিরুক্তদা "ক্বচিৎ দেশাচারেণ বেদার্থমুপবৃংহয়েৎ" হাঙ্গৈবা ন্যায়গী মতুংইন্না হাঙ্গৈরবদি 'ত্যক্তেহন্যথা হস্তকা' অর্থাৎ ইবুঙো মহাক্না থৌজানবিদ্রবদি খুৎ থারনি হাঙ্গৈবদি নারগা পুবতা খুৎনাম্লবা হাঙ্গৈবা লাএং অমা চৎনরি, মাসি মণিপুরদাগুম্না পৃথিবী অপুম্বদদি তৌই হাঙ্গৈবা ঐখোইনা হৌজিক ফাওবা উবা তাবা ফংদরি। তৌইগুমস্থু অঙ্গমর্দ্দন কৌবা লাএং অমদি চৎনৈ। অত্থুগুম্বা খুৎনা সুত্থুনা, নানত্থুনা লাএংবা হাঙ্গৈবসি অনাবা অত্থুনা কনমনত্থুনা হিংগনি হাঙ্গৈবা আশা লৈত্রবদি তোকনৈ। ইবেমনা অতনুজ্বরগী লাইহৌ অসিনা কনমনবসিনা ইবুঙো নংগী থৌজান্না রস কৌবা হিদাক অত্থু পিবিদ্রবদি মাইবগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

'খুৎথাবা' কৌবা ফিবম অদু ওইরগনি অসুম হায়বা ভাবনি। হন্দক্কী শ্লোক অসিদা 'অত্নু জ্বর, রস' হায়বা পদ অনি আসনা উত্তম কাব্যগী হৌনবি ধ্বন্যন্তর ময়াম ফোংদোকলি. মাতুদি, তনু—হায়বদি হকচাং, অর্থ অমনা পিশক হায়. অদুনা অতনু হায়না নঞতৎপুরুষ সমাস তৌরবদি অতনু হকচাং লৈতবা কামদেব, অর্থ অমনা অতনু পিশক নত্তবা—য়ামনা চাউবা হায় অদুনা অতনুজ্বর—কামদেবগী লাইহৌ, অর্থ অমনা য়াম্লবা হায়বদি অকনবা লাইহৌ হায়গনি। অদুনদি কামগী লাইনাগী ইবেমদা ওইরিবা তুচুংবা, সাং হায়বা, কপ্পা, চোইরোন-লোনবা, বুদ্ধি তাদবা অসিনাচিংবা অষ্টসাত্বিকাবস্থা অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা থৌজানবিরবদি অনুরাগগী মশক ওইবা রস পিরগা ইবেমগী হিংবা ওইগনি, নত্রবদি ইবেমদি খুৎমকপু হায়বা ওয়রোই অমসু খুৎকা সেবানসু কান্নররোই হায়রি। পক্ষ অমদা ধ্বনি তৌরবনবু অতনুজ্বর অকনবা লাইহৌ—হায়বদি সান্নিপাতিক কৌবা লাইহৌ (তায়ফয়েট) ভৌরবদা রোমাঞ্চতি,—নিংথমদুনা তুচুংই. সীৎকরোতি— নাদুনা সী সী হায়, বিলপতি—ওক্তুনা মখলমখা ময়াম ওাংই। উৎকম্পতে—নিকই, তাম্যতি—পাখৎলি, ধ্যায়তি—অতোপ্পা নিংসংই। উদ্ভ্রমতি—কোক ওাউই, প্রমীলতী—মিৎ উইশিল্লি। পততি,—তুই। উদ্যাতি—কূক ২ হৌগৎলি। মূর্চ্ছতি,—রানথৈ হায়রিবা অবস্থা পুমনমক অসি তৌই। মাতুদা হে স্ববৈদ্যপ্রতিম—হে লাইগী মাইবগা মান্নবা হে কৃষ্ণ, তে—নংগী. রসাৎ—সনাহিদাকনা শেম্বা রস কৌবা হিদাক অদু পিরগা, কিং ন জীবৎ—করিনা হিংলোইদবগে ? অর্থাৎ সান্নিপাতিকজ্বর অত্ত ফগনি। অদু ওইরবদি সান্নিপাতিককৌবা লাইহৌ অত্ত ভৌরবদি রস কৌবা হিদাক অত্তবু লাইএংদরিঙৈদা হান্ননা হেক তৌবদি য়াদে, অসুমনা আয়ুর্বেবদনা হায়রি অতুনা অহানবদা খুৎলিস্নবা কৌবা অদুনা মিহুন্না-চিংবা এংদুনা খুৎনা লাইহৌ লোকপা মরিসুবনাচিংবা তৌথিগনি অদুনা রস কৌবা হিদাক অদু তৌবা য়াদরি, অহানবদা মাইবা কৌদুনা "হুথবটি" কৌবা খুৎলিনা লাএংখো, অসুমনা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রক্কদবদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্মরাতুরাং দৈবতবৈদ্যহৃদ্য তদঙ্গাসঙ্গামৃতমাত্রসাধ্যা।
বিমুক্তবাধাং কুরুষে ন রাধামুপেন্দ্রবজ্রাদপি দারুণোঽসি।১০॥

দৈবতবৈদ্যহৃদ্য (হে লাইগী মাইবদগী হেন্না নিংথিবা কৃষ্ণ !) স্মরাতুরাম্ (কন্দর্পগী পীড়ানা রারবা) তদঙ্গসঙ্গামৃতমাত্রসাধ্যাম্ (মহাক্কী হকচাংগা ভিন্নবগী মশক ওইবা অমৃততনা লাইএংগদবা ওইবী) রাধাম্ রাধাবু) বিমুক্তবাধাম (অরাবা কোকপবু) ন কুরুষে (নংনা তৌদ্রবদি) উপেন্দ্রবজ্রাৎ অপি (ইন্দ্রগী বজ্রদগীসু) দারুণঃ (কনবা) অসি (নংনা ওইরে) ।১০।।

হে লাইগী মাইব (অশ্বিনীকুমার) দগী হেন্না নিংথিবা হে কৃষ্ণ ! কামগী লাইনানা রারবা রাধাবু অরাবা কোকহনগদবদি স্নপগী নহাক্কী হকচাংগী মশক ওইবা অমৃতনা শোকপতনা কোকহনগদবনি, অতুবু

—সখীনা হাঙ্গৈরি,—"ত্যক্তাঽন্যথা হন্তকঃ"— অন্যথা—সাহিত্যমার্গনা লাইএংলবদি, হন্তকঃ—হথবটি কৌবা খুৎলিগী লাএংদি, ত্যক্তঃ—হুঞ্জেকই, হাঙ্গৈবদি সংহিতামার্গগী লাএং তৌরগা সনাহিদাকনা শেন্বা রস কৌবা হিদাক অতু দান তৌরগা শান্নিপাত্তিকজ্বর কোক্কনি হাঙ্গৈবা ভাবনি। শ্লোক অসিগী অরোইবা অসিদা "ত্বত্তোঽন্যপা নান্তকঃ অস্নম হাঙ্গৈবা পাঠসু করি করিগুম্বা মফমদা উই, মাতু ওইনবদি অন্যথা—নংনা থৌজ্ঞানবিদ্রবদি, ত্বত্তঃ—নঙোন্দগী হেনবা, অন্তকঃ—সিনবা যম অমা, ন—নৈররোই অর্থাৎ নংমক্তনা শ্রীমতী রাধিকাগী শিননবা যম হাঙ্গৈবদু ওইরে হাঙ্গৈবা ভাবনি।

শ্লোক অসি শার্দ্দুল বিক্রীড়িত ছন্দনি। রসনা বিপ্রলম্ভন কৌবা শৃঙ্গার রসনি। নায়কনা দক্ষিন, অনুকুলনি। নায়িকানা উৎকন্ঠিতানি সখীনা দূতী ওইনা সহায় ওই। দীপলঙ্কারনা স্থায়ীভাব ময়াম ওইরি মাতুনা বিরহোৎকন্ঠিতা নায়ীকাগী সাত্বিকাবস্থা নিপানবু ফোংদোকই, অস্নুন্না খনগনি ।৯।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কন্দর্প জ্বর-সংজ্বরাতুর-তনোরাশ্চার্য্যমস্যাশ্চিরম্
চেতশ্চন্দন-চন্দ্রমা কমলিনী-চিন্তাসু সংতাম্যতি।
কিন্তু ক্ষান্তি রসেন শীতলতনুং ত্বামেকমেব প্রিয়ং
ধ্যায়ন্তী রহসি স্থিতা কথমপি ক্ষীণা ক্ষণং প্রাণিতি।১১॥

কন্দর্পজ্বর সংজ্বরাতুর-তনোঃ (কামদেবগী লাইনাগী মৈচাক্না ন্নাববা হকচাংনা ওইবী) অস্যাঃ (রাধাগী) চেতঃ (পুক্নিংনা) আশ্চার্য্যম্ — (ওন্থোকপনি) চন্দন-চন্দ্রমঃ-কমলিনী-চিন্তাসু (চন্দন, থা, থম্বাল পুন্নমক অসিগী চিন্তাদা) চিরম্ (কুইনা) তাম্যতি (ন্নাই) কিন্তু (তৌইগুম্বসু) ক্ষান্তি-রসেন (নহাকপু ঙাইবগী নুঙাইবনা) একম্ (অথোইবা) প্রিয়ম্ (চান্নবা) শীতলতনুম্ (ঙীংলবা হকচাং ওইবা) ত্বামেব (নহাকতবু) ধ্যায়ন্তী (নিংলিবী) রহসি (ভচিকপদা) স্থিতা (লৈবী) ক্ষীণা

ইবুঙো নহাক্না শোকতুনা রাধাগী অন্নাবসি কোকহনবিদ্রবী নহাক আস ইন্দ্রগী বজ্রদগী হেন্না কনবা ওইরে।১০॥ *

ওন্থোকপনি! হে মাধব! কামগী লাইনাগী মৈচাকনা চাকলবী

---

* শ্লোক অসিদা সখীনা উৎলিবা ভাবতি—কামগী পীড়ানা ন্নারবী রাধাগী অনাবসিগী কোকনবদি স্বপনগী শ্রীকৃষ্ণগী অঙ্গসঙ্গগী মশক ওইবা অমৃততদা লৈ। অসিগুম্বা মতম অসিনা ওইরবদা নংদি পাঙল্লবা লাইসিংগী কোকওমদ্রবা অন্না-অনাবু কোকহনবাঙম্বা ওইতুনসু চংনফম লৈজদ্রবী স্বপনগী নঙোন্দদা চংজরিবী রাধাগী অন্নাবসি কোকহন্দ্রবদি নংবু বজ্রদগী হেন্না কনবা অথাবা পুকচেননি হাঙ্গৈফম থোকলে, মরমদি —ইন্দ্রনা বজ্রনা ন্নাহনবদি বজ্র অতুনা থারগা ন্নাহল্লি, নহাক্তি নংগী হকচাং অতুগা কাইনহল্লগা ন্নাহল্লি। অতুনদি বজ্রদগী হেন্না নংনা কঠিন ওই হাঙ্গৈব ভাবনি, মাসিদা শ্লেষালঙ্কারনা উপেন্দ্রবজ্রাছন্দনি হাঙ্গৈবা ফোংদোকই।১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ক্ষণমপি বিরহং পুরা নসেহে নয়ন নিমীলন খিন্নয়া যয়া তে।
শ্বসিতি কথমসৌ রসালশাখাং
চিরবিরহেণ বিলোক্য পুষ্পিতাগ্রাম্ ।১২॥

(কংশিল্লবী রাধানা) কথমপি (রানা) ক্ষণম্ (ঙাইহাক্তং) প্রাণিতি (হিংই) ।১১॥

পুরা (মমাংঙৈদা) নয়ননিমীলন-খিন্নয়া (মিৎ কুপ্পনা মহাকপু এংবদা পলহল্লি হাঙ্গইহুনা রারবী) যয়া (অহুগুম্বী রাধানা) ক্ষণম্ অপি

রাধাগী মৈচাক অসিদি চন্দন, থা, থম্বাল হাঙ্গবসিবু নিংসংবতদা শ্রীমতী রাধিকানা ওন্থোক্লা রাখরে। ১১।' *

মমাংঙৈদা—নহাক্কা কাইনদ্রিঙৈদা শ্রীমতী রাধানা ইবুঙো নংবু

---

* ইশ্বরাইগী অসাবা মৈচাক্ত চন্দন তৈরগা, থা য়েংলগা অমস্থু থম্বান নম্নগা অসাবা পোথানৈ, রাধাদা ওইরিবা মৈচাকতি মাখোই অতুগা খোক্ল-উনরুবদি থন্নহুনা চন্দন, থা, থম্বাল হাঙ্গনা নিংসংবতদা হেন্না হেন্না চাক্লে। হুজিক হিংলিবদি ইবুঙো নহাক লাক্কনি হাঙ্গবগী ঙাইবদা ওইবা হুঙাইবা অতুভনা অচিকপা মফমদা লৈহনা ঈংলবা, চানখোইবা নহাকপু নিংবগী মুঙাইবা অতুতনা রাবন কংলবী রাধানা ঙাহাক ঙাহাকতং হিংবা অতুতা ঙাইরে ।" শ্লোক অসিগী তৃতীয় পাদদা "কিন্তু ক্ষান্তিরসেন" হাঙ্গবসি পুজরী গোস্বামীগী পাঠনি, রস-মঞ্জরীনা মফম অতুদা "কিন্তুৎক্রান্তিবশেন" হাঙ্গ. কিন্তুউৎক্রান্তিবশা (মপান থোরকপনা খুহুম চল্লবী রাধানা) ঈন (হে প্রভু) অম্মুন্না অর্থ তৌই। অতুগা রসিকপ্রিয়ানা "কিন্তু ক্লান্তিবশেন" অম্মুন্না পাঠ তৌহুনা (কিন্তু ক্লান্তিবশেন) চোকথ হুইথবনা ক্ষাণা ওইরবী অম্মুন্না অর্থ তৌই। শ্লোক অসি শার্দ্দূলবিক্রীড়িত ছন্দনি, অলঙ্কারনা বিরোধালঙ্কারনি, অইংবনা রাবা, অইংবনম্মু হিংব ওইনা হাঙ্গবনা রসিকপ্রিয়ানা শ্লোক অসিবু অদ্ভুত রসনি হাঙ্গবা পামই ।১১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বৃষ্টিব্যাকুলগোকুলাবনরসাদুদ্ধৃত্য গোবর্দ্ধনং,
বিভ্রদ্বল্লববল্লভাভিরধিকানন্দাচ্চিরং চুম্বিতঃ।

(ঙহাক্তস্থু) তে (নংগী) বিরহঃ (বিরহবু) ন সেহে (খাংবা ঙমদে) অসৌ (রাধানা) পুষ্পিতাগ্রাম্ (মপান শাৎপা মতোন্না ওইরবা) রসাল শাখাম্ (হৈনৌ মশাবু) বিলোক্য (উরগা) চিরবিরহেণ (কুইনা কাইনবনা) কথম (করম্না) শ্বসিতি (হিংগনি)।১২॥

বৃষ্টিব্যাকুলগোকুলাবনরসাৎ (নোং ভাবনা ৱারবা গোকুলবু ঙাকপা —বীররসতগী) গোবর্দ্ধনম্ উদ্ধৃত্য বিভ্রদ্ (গোবর্দ্ধনবু থাঙ্গৎতুনা পুবা)- অধিকানন্দাৎ (য়াম্না নুঙাইবদগী) বল্লববল্লভাভিঃ (গোপীসীংনা) চিরং

এংবদা মিৎ কুপ্পগী ঙাহাক উদবা অতুতস্থ ৱাবনা খাংবা ঙমদে, হুজিক্তি মহাক্কা অস্থুপ কুইনা কাইনরবা অসিদা মপান শাৎলবা হৈনৌ মতোল অসি উরগা করম্না হিংগদগে, শিরনি ।১২॥ *

ইন্দ্রনা সাউতুনা চুথহল্লকপা নোংনা ৱাহল্লবদা গোকুলবু কনবিবা বীররসনা গোবর্দ্ধনবু ফুক্তুনা থাঙ্গৎপা মাতুগী নুঙাইবনা গোপরমণা- সিংনা ইবুঙো মহাক্কী পাম্বোম অতুবু চেৎনা কোল্লতুনা চুপই, মাতুদি গোপীকাসিংনা ইবুঙো মাগী পাম্বোমতু চুপ্পদা লাইপক্তা থিল্লিবা সিন্দুরনা

---

* শ্লোক অসিনা হাঙ্গৈরিবদি মথক্তা ইথেমাবু বিরহনা শিরগদববু, নহাকপু লাক্কনি হাঙ্গৈবগী ঙাইবদা, নহাকপু নিংসংবগী নুঙাইবা অতুনা ঙাহাক ঙহাক্তং হিংতুনা লৈরিবনি অম্নুম্না হাঙ্গৈথরে মাতুম্না হিংবা মহিং অতুনা কুইনা হিংবা য়াব নত্তে। হুজিক্তগী থরদং থিল্লবদি সিরনি. অম্নুম্না হন্দক্কী শ্লোক অসিনা হাঙ্গৈরি, মরমদি—কাইনদ্রিঙৈদা মিৎ কুপপগী হৌনবী ঙাহাকতং উদবতম্নু খাংবা ঙমদবদা হুজিক অস্থুপ কুইনা কাইনরগবু করম্না হিংগনি। অতুগী মথক্তা বসন্ত চংলকপনা হৈনৌ মপান শাৎলে, মাসিবু উরগা রাধানা হিংগনি হাঙ্গৈবা আশা লৈতরে হাঙ্গৈৱা ভাবনি। শ্লোক অসি "পুষ্পিতাগ্রা" কৌবা ছন্দনি।১২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দর্পণৈব তদর্পিতাধরতটীসিন্দুরমুদ্রাঙ্কিতো,
বাহুর্গোপতনোস্তনোতু ভবতাং শ্রেয়াংসি কংসদ্বিষঃ ।১৩॥

চুম্বিতঃ (কুইনা চুপলবা) দর্পেণ এব (নাপন্না মরম ওইহুনা) তদর্পিতাধরতটী-সিন্দুরমুদ্রাঙ্কিতঃ (পাম্বোম অহুদা চুপলিবা গোপীসীংগী চিনৰান মনাক্কী সিন্দুরনা মুদ্রা ওইহুনা চুরবা) গোপতনোঃ (গোপগী ফিজেৎ শেৎপা) কংসদ্বিষঃ (কংসগী একবা শ্রীকৃষ্ণগী) বাহুঃ (পামবোম্না) ভবতাম্ (নখোই পুন্নমক্কী) শ্রেয়াংশি (মঙ্গল খিবিকপু) তনোতু (সন্দোকসনু) ।১৩।।

পাম্বোমদা পকহোবা অহুদি ইন্দ্রবু ঐনা ওমলে হাঙ্গৈবগী নাপন্না মুহোর নম্বগুম থোকলি, অহুগুম্বা গোপবেষ শেৎপা কৃষ্ণগী পাম্বোম্না নখোই পুন্নমক্কী অয়াম্বা মঙ্গলবু সন্দোকসনু ।১৩।। *

* শ্রীমতীগী বিরহগী অরাবা পুন্নমকপ্ শ্রীকৃষ্ণদা তম্লিবী সখীনা খল্লি, নুমিৎ চুপ্পা ব্রজজনগী অরাববু ওাকপীবা শ্রীকৃষ্ণনা প্রিয়সখীগী বিরহগী অরাববু কোকহনবিগনি, ইন্দ্রনা শাউত্নুনা ব্রজবু মাংহল্লগে হাঙ্গৈহুনা নোং চুহল্লবদা গোবর্দ্ধন ধারণ তৌহুনা ব্রজজনবু ইবুঙো মহাক্না ওাকপীখি, অস্মুন্না খল্লহুনা সখী হনখরে, অহুগুম্বা সখীগী রাখল অহু ফোংদোক্তুনা কাবনা শ্রোতৃবর্গ—অতাবা ভক্ত পুন্নমকপু অধ্যায় লোইবগী মতাং অসিদা গোবর্দ্ধনধারণ লীলা অহু বর্ণন তৌরহুনা মঙ্গল ফংসনু, অস্মুন্না আশব তৌই ।

মফম অসিদা কবিনা উৎপ্রেক্ষা তৌরি— অকনবা মল্লসিংনা মমান্নবা অকনবা অমগা পাৱবা মতমদা লৈচেংনা মপাম্বোমদা, থবাক্তা তৈ । গোপীসিংনা ইবুঙো মাগী বীররসগী অকনবা উরগা হরাউহুনা চুপ্পদা গোপীসিংগী লাইপক্তা থিনবা সিন্দুরনা পকহোবা পাম্বোমদা ওাংলিবা অহুবু শ্রীকৃষ্ণনা ইন্দ্রবু ওম্বগী নাপন ভোহুনা পাম্বোমদা লৈচেং তৈবা অদুগুমই, অস্মুন্না থারিবনি । মাসি উৎপ্রেক্ষা অমসু উপমা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতি শ্রীজয়দেবকৃতৌ গীতগোবিন্দমহাকাব্যে স্নিগ্ধমধুসূদনো নাম চতুর্থঃ-সর্গঃ।

—ঃ—

শ্রীগীতগোবিন্দম্

পঞ্চমঃ-সর্গঃ।

—:—

(সাতঙ্কপুণ্ডরীকাক্ষঃ)

অহমিহনিবসামি যাহি রাধামনুনয় মদ্বচনেন চানয়েথাঃ।

মতাং অসিদা শ্রীজয়দেবগী গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা স্নিগ্ধ-মধুসূদন কৌবা মরিস্তুবা সর্গ লোইরে।

—।—

অহম্ (ঐনা) ইহ (কুঞ্জ অসিদা) নিবসামি (লৈগে) যাহি (নং চৎলো) মদ্বচনেন (ঐগী য়াথং অসি হাঙ্গৈত্না) রাধাম্ (রাধাবু) অনুনয়ঃ (থেম্মু) আনয়েথাঃ চ (পুরকউ) ইতি (অসুন্না) মধুরপুণা

মতাং অসিদা শ্রীজয়দেবনা লেংবা গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা স্নিগ্ধ-মধুসূদন কৌবা মরিস্তুবা সর্গঃ লোইরে।

—০—

শ্রীকৃষ্ণনা সখীদা হাঙ্গৈ—ঐদি লাল্লবনিনা চত্নুনা চিন্থেংননা হাঙ্গৈজবা ওমদ্রে, অদুনা কুঞ্জ অসিদা ঐ লৈহোগে নং চৎলো, ঐগী পাউ অসি হাঙ্গৈত্না শ্রীরাধাবু পেলহল্লু অদুগা পুরকউ, অসুন্না থৌদারবদা

অলঙ্কারনি, ছন্দমা শার্দ্দূলবিক্রীরিতনি। শ্লোক অসি অদ্ভুতরসনি।১৩॥

মতাং অসিদা স্নিগ্ধ-মধুসূদন কৌবা মরিস্তুবা সর্গ লোইরে।

—।—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতিমধুরিপুণা সখী নিযুক্তা স্বয়মিদমেত্য পুনর্জগাদ·রাধাম্ ।১॥

দেশবরাড়ী রাগেন রূপক তালেন গীয়তে ।

বহতি মলয়সমীরে মদনমুপনীধায়, .
স্ফুটতি কুসুমনিকরে বিরহিহৃদয়দলনায় ।১॥

(শ্রীকৃষ্ণনা) নিযুক্তা (থৌদারবী সখীনা) স্বয়ম্ (মহাক্না) এত্য (লাকতুনা) পুনঃ (অমোকহন্না) রাধাম্ (রাধাদা) ইদম্ (হাঙ্গৈগ-দৌরিবা অসিবু) জগাদ (হাঙ্গৈখি) ।১।।

মদনম্ উপনিধায় (কামদেববু নাক্তা থমহুনা) মলয়সমীরে (মলয়া-গী নুংসৎনা) বহতি সতি (সিৎলবদা) বিরহিহৃদয়দলনায় (কাইনরি-বগী থমোই থিঙ্গাইনবগী দমক) কুসুম নিকরে (লৈগী মপৈনা) স্ফুটতি (শাৎলবদা) সখী (হে সখী) তব (নহাক্কী) বিরহে (কাইনরবদা) বনমালী (শ্রীকৃষ্ণনা) সীদতি (রারি) ।১।।

সখী অহুনা শ্রীমতী রাধাগী নাক্তা লাক্লে, অহুগা মখাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা রা অসি, সখীনা শ্রীমতীরাধিকাদা হাঙ্গৈ ।১॥ *

মলয়পর্ব্বততগী লাকপা, নুংশিৎনা কামদেববু নাক্তা থমহুনা সিৎলবদা কাইনরিবা মীগী থমোই থিঙ্গাইনবগীদমক লৈ পুন্নমক্লা সাৎ-লবদা হে সখী রাধে ! শ্রীকৃষ্ণনা নহাক্কা কাইনবনা য়ান্না রারে ।১।। †

---

* শ্রীমতীনা বিরহদশাদা রাবা পূন্নমকতু তারগা শ্রীকৃষ্ণনা হান্না রারম্বদগী অমোক হেন্না রাখরে, অহুবু ইবুঙো মহাক্কী অপরাধ অহু খল্লুরগা করি অমত্তা হৈদ্রে শিঙমদরে, অমসু য়াম্না চিংনরে' অহুনা শ্রীমতী রাধিকাগী নাক্তা চৎকদবদা ঙমদ্রহুনা শ্রীরাধাগা কাইনবগী খাঙমদ্রবা অরাবহু অহুমক রাবা তারহুনা অহুগুম্বা অরাবহু শ্রীমতীদা তম্লগা ইবেমাগী অসাউবা কোকহন্নবগীদমক সখীবু শ্রীকৃষ্ণনা চৎহনবা অহু হন্দক্কী শ্লোক অসিনা হাঙ্গৈরি. শ্লোক অসি পুষ্পিতাগ্র কৌই ।১॥

† ঈশৈ অসি দেশীবরাড়ীরাগ. রূপক তালনি অম্নুন্না মূলদা হাঙ্গৈরি,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তববিরহেবনমালী সখি সিদতি। ধ্রু॥

দহতিশিশিরময়ুখে মরণমনুকরোতি।

পততি মদনবিশিখে বিলপতি বিকলতরোঽতি। তববিরহে০ ।২

শিশিরময়ুখে (থানা) দহতি (চান্নবদা) মরণম্ অনুকরোতি (শিবদা তৌবগুন্না ওই) মদন বিশিখে (কামদেবগী তেন্না) পততি (থারবদা) বিকলতরঃ অতি (থোইদোক্না বিহ্বল ওইদুনা) বিলপতি (বিলাপ তৌই) ।২॥

থাগী মঙান্না ইবুঙো মহাকপ্ন চান্নবদা অশিবগুন্না তাদুনা লৈ, কামগী তেন্না থারক্লবদা জ্ঞান মাংদুনা তেংথাদুনা কপই ।২॥ *

অদুগা মশামক্তি বিভাবরাগিণ একতালা তালদা শকপা য়ান্না পকই, অমুন্না সাধিতকণ্ঠসিংনা হাঙ্গৈ। হন্দক্কী সর্গ অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীমতীগা কাইনারঙেগী অরাবা অবস্থা ময়াম সখীনা ইবেমদা তমগনি, ঙৈশে অসিদা কবিনা কল্পনা তৌরি, মাদুদি—বসন্তদা মখারোমদগী অরাং তন্না নুংসিৎ নামিবনা সিৎলক্লবদা বনদা হৌরিবা লৈসিংনা শাৎপা অদুবু কামদেবনা মাগী লৈগী মশক ওইবা তেন কাপলিবনি, অমুম্না কল্পনা তৌরি, অদুগা মৈথু উরবদি মৈ লৈরে হাঙ্গৈবা খংবা অদুগুন্না মাগী তেনসিং অদু উরবদা কামদেববুস্থ লৈরে, অমন্না অনুমান তৌদুনা মলয়গী নুংশিৎনা সিৎপা অদুবু কামদেব পুত্রনা সিৎপনি, "মদনমু-পনিধায়" অমুম্না কল্পনা তৌরি, সখীনা ইবেমদা খংহল্লি, অসিগুম্বা মতম অসিদা নহাক্কা কাইনরিবা শ্রীকৃষ্ণগী থমোইদা কামদেবগী তেন্না থারবদা শ্রীকৃষ্ণদি অরাবগী মশক ওইদুনা রান্থরে, নহাক্কা নংগী নুংসিবা শ্রীকৃষ্ণবু অরাবদগী কোকহন্দুনা হিংহল্লু, মতম ঙাইদুনা মান তৌদুনা লৈবা চুমদরে, অমুম হাঙ্গৈবা ভাব অসি খংহল্লি—"সখী সীদাত তব-বিরহে বনমালী" হাঙ্গৈরসিনা ধ্রুবনি ।১॥

* ইথ্বাইগীদি রারগা, চান্নগা থাগী মঙাল ফংলগা ঙৈই, ইবেমগা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধ্বনতি মধুপসমুহে শ্রবণমপি দধাতি।
মনসি বলিতবিরহে নিশিনিশি রুজমুপযাতি। তববিরহে০ ।৩॥

মধুপসমুহে (খোইমুগী মপৈনা) ধ্বনতি (খোংলবদা) শ্রবণম্ (নাকোংবু) অপি দধাতি (খুৎ অনিনা মেনশিল্লি) নিশি নিশি (অহিং অহিং খুদিংদা) বলিতবিরহে (কাইনবনা থল্লবা) মনসি (পুকনিংদা) রুজম্ (পীড়াবু) উপযাতি (থোইদোক্লা ফংই) ।৩।

খোইমুগী মপৈনা লৈহী চুপকদবগী গুং গুং হাঙৈনা ঙংলবদা শ্রীকৃষ্ণনা নাকোং অনিবু খুৎনা মেন্দুনা খাংঙি, অহিং অহিংদনা নহাক্কা কাইনরে হাঙৈবা খল্লিবা পুক্লিংনা অরাবা ওইরি ।৩। *

কাইনবদা শ্রীকৃষ্ণগী চাক্লিবা অরাবসিদি মাহু নত্তে, তাইবংপানগী অয়িংবনা ইবুঙোদা মৈগুম চাকই, অচাকপা মৈনাচিংবনা অইংবা ওই, অতুনা সখীনা ইবেমদা মাহু তম্বদা হাঙৈরি. মাহুদি—থাগী ঈংলবা মঙান্না মৈগুন্না চাক্লবদা শ্রীকৃষ্ণনা 'মরণম্ অন্নকরোতি'—শিববু মতৌ তমই, হাঙৈবদি সিরগা তৌবা—লেংদনা তাবা স্বর হোন্দবনাচিংবা অতু ওইতুনা লৈ. অসুন্না খংনগনি। মাতুন্না চান্ননামক সিরবরা হাঙৈববু মাতুদা কন্দর্পগী তেন্না থারবদা অমোক তেংথাত্রনা কপই। ২ ॥

* শ্রীরাধাকৃষ্ণগী কাইনবা হাঙৈবদি লৈবনত্তে, মাহুদি থম্নতুন কালাণ্ডর্য্যামী ওইবা ইবুঙো মহাক্কা জীব ঐখোইগস্থ কাইনবা লৈবনত্তে, ইবেমগা ইবুঙোগা কাইনৈ, চুম্নগী লীলাগীদমক্তা কাইনবা ওইনা থোকপভনি, অতুনা মাসবু কবিনা "হরিবিরহবিলসিতেন" শ্রীহরিগা কাইনবগী সান্নবনি অসুন্না হাঙৈরি। মাহুদা কবিনা খংহল্লি,—অসিগুম্বা ইবেমা ইবুঙো অনিগী কাইনবা ওইনা সান্নরিবা অসি লেংলিবা পদ মঙা অসিবু শকচবদা, তাজবদা মাতুগী মহৈনা অতুগুম্বা মীশিং অতুগী থমোইদা "রভসবিভব" পুকনিংদা উৎসাহ অমা পোক্কনি, অর্থাৎ নুঙাইবগী ময়াইকাবা অমা ওইগনি, মাহু ওইরবা লুরবা পুকনিং অতুদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বসতিবিপিনবিতানে ত্যজতি ললিতধাম।
লুঠতি ধরণিশয়নে বহু বিলপতি তব নাম। তববিরহে০ ।৪॥
ভণতি জয়দেবে বিরহবিলসিতেন।
মনসি রভসবিভবে হরিরুদয়তু সুকৃতেন। তববিরহে০ ।৫॥

বিপিনবিতানে (বন অপাকপদা) বসতি (লৈ) ললিতধাম (নিংথিবা মফম্ব) ত্যজতি (হুঞ্জেকই) ধরণি শয়নে (লৈপাক্কী শয্যাদা) লুঠাভ (ওল্লি) তব (নহাক্কী) নাম (মিংবু) বহু (থোইদোক্কনা) বিলপতি (হাঙ্গৈতুনা কপই) ।৪।।

জয়দেবে (জয়দেবনা) ভণতি (হাঙ্গৈরবদা) বিরহবিলসিতেন (কাইনতুনা থানবনা মরম ওইতুনা) রভসবিভবে (শ্রীকৃষ্ণবু শকপবু থিজয় ওইবা উৎসাহগী চঞ্চোনবনা তিল্লবা) মনসি (শক্কি শোল্লিবা মাগী পুকনিংদা) সুকৃতেন (মাতুগী নিংথিবা পুণ্যনা) হরিঃ (কৃষ্ণনা) উদয়তু (আবির্ভাব ওইসনু) ।৫।।

বন মঙুংতদা লৈরে, নিংথিবা লৈফমবুদি হুঞ্জেকলে লৈপাক মথক্তা ওন থোইতুনা লৈ, নহাক্কী রাধা হাঙ্গৈবা মিংতা হন্না হন্না শোন্দুনা থাংলি ।৪।।

কবি জয়দেবনা হাঙ্গৈরিবা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতী রাধিকাগা কাইনবগী অরাবনা কপ্পা অসিবু শকচ-শোঞ্জবগী মহৈনা তিল্লবা অতুগুম্বা মীগী প্রেমনা থল্লবা পুকনিংদা হরিনা উদয় ওইবিসনু ।৫।।

ঐখোইনা সংসারগী মায়ানা শেম্বা সমুদ্রদা তাতুনা ঐখোইগী ইনাক্তা ক্ষণ অমত্তসু থাদোক্তনা লৈবা হরিবু নোংনা কুপ্তুনা লৈবা নুমিৎ থাবু নোং অতু হাঙ্গৈদোকুশ্রগা উবা অতুগুম্বা তরং তরংনা উগনি। অতুগুম্বা হরিনা উদয় ওইবদা ওইরিবা নুঙাইবা অতু ঐনা লেংলিবা পদ অসিনা মরম ওইতুনা ভক্ত ভাবক পুন্নমকনা ফংসনু, অসুম্না কবিগুরু শ্রীজয়দেবনা ঈশৈগী ভণিতি অসিদা আশীর্বাদ তৌই ।৩—৫।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পূর্ব্বং যত্র সমং ত্বয়া রতিপতেরাসাদিতাঃ সিদ্ধয়,
স্তস্মিন্নেব নিকুঞ্জ-মন্মথ-মহাতীর্থে পুনর্মাধবঃ ।১॥
ধ্যায়ং স্ত্বামনিশং জপন্নপি তবৈবালাপমন্ত্রাক্ষর,
ভূয়স্ত্বৎকুচকুম্ভনির্ভরপরীরম্ভামৃতং বাঞ্ছতি ।২॥

যত্র (মফম অদুদা) পূর্ব্বম্ (মমাংদা) ত্বয়া সমম্ (নহাক্কা লোই-নদুনা) রতিপতেঃ (কামদেবগী) সিদ্ধয়ঃ (সিদ্ধি পুন্নমকপু— চুম্বন, আলিঙ্গননচিংববু) আসাদিতাঃ (শ্রীকৃষ্ণনা ফংখিবা) তস্মিন্ এব (অদু-গুম্বা) নিকুঞ্জ-মন্মথ-মহাতীর্থে (নিকুঞ্জগী মশক ওইবা কন্দর্পগী অথোইবা তীর্থ অদুদা) মাধবঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) ত্বাম্ (নংবু) অনিশম্ (অতৎপা লৈতনা) ধ্যায়ন্ (ধ্যান তৌদুনা) অপি (অমসু) তব এব (নহাক-ত্তগী) আলাপ মন্ত্রাক্ষরম্ (রাধা রাধা হাঙ্গৈবা মন্ত্র ময়েকপু) জপন্— (শোন্দুনা ত্বৎকুচকুম্ভনির্ভরপরীরম্ভামৃতম্ (নহাক্কী বক্ষগী মশক ওইবা কুম্ভবু চেৎনা কোনবগী নুঙাইববু) পুনঃ (অমোকহন্না) ভূয়ঃ (য়ান্না) বাঞ্ছতি (পায়লি) ।১—২॥

হে রাধে ! মমাংঙৈদা শ্রীকৃষ্ণনা নহাক্কা লোইননা কামদেবগী সিদ্ধি ফংখিবা মফম, নিভৃত নিকুঞ্জ অদো হুজিক্তি কামগী মহাতীর্থ ওইখরে, অদুনা নহাক্কা কাইনবনা থ্বারবা শ্রীকৃষ্ণনা মফম অদুদা তীর্থ-ব্রত তৌদুনা, নহাক্কী মূর্ত্তিতবু ধ্যান তৌদুনা, নহাক্কী নাম 'রাধা' হাঙ্গৈবা অসিবু মালামন্ত্র ওইদুনা জপ তৌরি, মাদুগী মহৈনা নহাক্কী বক্ষ অনিগী আলিঙ্গনগী মশক ওইবা অমৃতবু অমোকহন্না ফংগে হাঙ্গৈনা শ্রীকৃষ্ণনা নিংই ।১—২॥ *

---

* শ্লোক অসিগী তৃতীয়পাদগী অরোইবা "বালাপমন্ত্রাক্ষরম্" দা "বালাপমন্ত্রাবলীং" হাঙ্গৈবা পাঠলৈ অর্থদি—মন্ত্রগী পরেং হাঙ্গৈবনি অনি-মক্তা শ্রীরাধাগী নামনা মালামন্ত্র ওইদুনা জপ তৌর হাঙ্গৈবনা ভাৎ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গুর্জ্জরীরাগৈকতালীতালাভ্যাং গীয়তে।

রতিসুখসারে গতমভিসারে মদনমনোহরবেশম্,
ন কুরু নিতম্বিনি গমনবিলম্ব মনুসর তং হৃদয়েশম্।

নিতম্বিনি (হে তুংয়ান ফজবী) গমনবিলম্বনম্ (চৎপা থিনববু) ন কুরু (তৌগনু) রতিসুখসারে (রতিসুখগী অথোইবনা তিনবা) অভিসারে (সঙ্কেত মফমদা) গতম্ (লৈখ্রবা) মদনমনোহরবেশম্ (কামগী পুক্লিং হুনবা বেশ ওইবা) হৃদয়েশম্ (থমোইগী মপু ওইবা) তম্—

শ্রীকৃষ্ণনা কামদেববু সুমহৎনবা বেশ তৌহ্না রতিসুখগী অথোই-বনা তিনবা সঙ্কেত মফমদা লৈরে, হে রাধে, হে নিতম্বিনী! চৎক-দবদা থিনলগনু, থমোইগী মপু ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎলো। গো-পীসীংগী মপুং ফারবা বক্ষবু নোইহৎপনা হাই হুন্নবা খুৎ অনিনা

—পর্য্যদা অমত্তনি। মফম অসিদা সখীনা হাঙ্গৈরি। ভাবতি—বিরহ-বিধুর হরিনা অরাবা কোক্লবা হাইবমক্তবু শ্রীরাধাবু ধ্যান তৌহ্না রাধা-নামমন্ত্রবু জপতৌবা নত্তনা উপায় অমা লৈত্রে হাঙ্গৈনা নিংলে। কনাগুম্বী দেবতা অমবু ধ্যান, জপ তৌগে মাহুগী মহৈ অহু ফংগে হাঙ্গৈরবদি শোনগদবা মন্ত্র অহুগী ময়েক খুদিং অহুদা "অবকহরা" "ঋণিধনি" না চিংবদা এংহ্না শেংদোক্কনি, অমসু মাহুগী তৌননবা মফম অমসু মতমসু এংগনি। মাহুগী মথক্তা মন্ত্র অহুদগী কনানা হান্না সিদ্ধ ফংখিবা অহানবা "ঋষি" মন্ত্র অহুগী দেবতা অমসু করম্বদা মন্ত্র অহু সিজন্নগদগে হাঙ্গৈবা মন্ত্র অহুগী বিনিয়োগ অসিনচিংবসু খঙগদবনি, (মন্ত্র অহুগী জপ তৌবদা হাঙ্গৈরিবসিং অসি নিংসংগনি) মাহু পুন্নমক অহুগী মরমদা সখীনা হাঙ্গৈরি, 'রাধা" হাঙ্গৈবা মন্ত্র অসিগীদি আলাপমন্ত্রাক্ষরম্, হাঙ্গৈবা ৱাহৈ অসিনা মালামন্ত্র ওইরবা মরম্না মন্ত্রগী শোধন তৌদবসু য়ারে, হাঙ্গৈবা ফোংদোক্লি, মাহুদি--"স্বপ্নে পদে স্ত্রিয়াদন্তে মালামন্ত্রে তথৈব চ। বৈদিকেষু চ সর্ব্বেষু সিদ্ধাদীনৈব শোধয়েৎ।।" মংদা ফংবা, নুপীনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধীরসমীরে যমুনাতীরে বসতি বনে বনমালী,
গোপীপীনপয়োধরমর্দ্দনচঞ্চলকরযুগশালী । ধ্রু ।১॥

(শ্রীকৃষ্ণদা) অনুসর (চৎলু) গোপীপীনপয়োধরমর্দ্দনচঞ্চলকরযুগশালী (গোপীসীংগী মপুং ফারবা বক্ষস্থ মর্দ্দন তৌবনা হাই-হুন্নবা খুৎ অনিনা নিংথিবা) বনমালী (শ্রীকৃষ্ণনা) ধীরসমীরে (তপ্পা হুন্বা নুংসিৎনা তিল্লবা) যমুনাতীরে (যমুনা লপান্দা) বনে (বনদা) বসতি (লৈ) ।১॥

নিংথিরবা শ্রীকৃষ্ণনা বনমালা থোন্দুনা তপ্পা তপ্পা হুন্বা নুংসিৎনা লৈতেংবা, যমুনাগী মপান্দা, বনদা লৈরে।১॥ *

পীবা ১স্থ মালামন্ত্রদা সিদ্ধসুসিদ্ধনচিংবা শোধন তৌরোই, 'সুম্না শাস্ত্রনা হাঈ । অদুগা "মন্মথমহাতীর্থ" হাঈবা অসিনা অহানবদা শ্রীকৃষ্ণনা মন্মথগী সিদ্ধি পুন্নমক শ্রীমতীরাধাদগী ফংথিবা মফম নিকুঞ্জগৃহনা মন্ত্রজপ তৌফম পুণ্যতীর্থ ওইরে হাঈবা ভাব ফোংদোকভুনা মফম অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা রাধানামমন্ত্র শোনফম ওইরি হাঈবনি। মাদুমক "গৃহে গোষ্ঠে বনারামনদীনগরসুবালয়ে। অনুগ্রহাদ্‌গুরোঃ সিদ্ধি শীঘ্রং স্যাদুত্তরোত্তরম্ ।।" অসুন্না শাস্ত্রনা হাঈরি।

"ধ্যায়ংস্ত্বমনিশম্" হাঈবনা শ্রীরাধা জপ, ধ্যান তোবনা মন্ত্রগী দেবতা ধ্যান তৌবা ফোংদোকই, অহানবা সিদ্ধ ফংথিবা ঋষিনা রাধামন্ত্রগীদি "পূর্ব্বং যত্র সমং" হাঈবনাচিংবনা শ্রীকৃষ্ণমকনি হাঈবা ফোংদোকই। অদুগা রাধানামমন্ত্রগী বিনিয়োগদি শেষপাদগী "ভুয়স্ত্বৎ কুচকুম্ভ" হাঈবনাচিংবনা তাকই, মাদুদি—শ্রীমতীগী কুচকুম্ভবু আলিঙ্গন তৌবগী অমৃতবু ফংননবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধানামজপ তৌই হাঈবনি। মাদুগী ভাবার্থদি রসমঞ্জরীনা হাঈ মফম অসিদা অমৃত হাঈবনা "মোক্ষ"বু খংনগনি, মরমদি বেদান্ত অমস্থ ভট্টগী মততা হুঙ ইবা অথোইববু ফংবা পরমানন্দাপ্তিবু মোক্ষ কৌই।১—২॥

* "ধীরসমীরে" হাঈবা পদ অসিনা ঈশৈ অসিগী ধ্র বপদনি, অদুবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নামসমেতং কৃতসঙ্কেতং বাদয়তে মৃদু বেণুম্।
বহু মনুতে ননু তে তনুসঙ্গতপবনচলিতমপি রেণুম্। ধীর০ ।২॥

কৃতসঙ্কেতম্ (সঙ্কেত তৌরিবা) বেণুম্ (বেণুবু) নাম সমেতম্ (নহাক্কী নামগা লোইননা) মৃদু (তপনা) বাদয়তে (শ্রীকৃষ্ণনা খোংলি) নন্নু (হে রাধে) তে (নহাক্কী) তনুসঙ্গতপবনচলিতম্ (হকচাংগা শোক্রুরবা নুংসিৎনা পুরকপা) রেণুম্ অপি (উফুনবুসু) বহু (য়াম্না) মনুতে (আদর তৌই) ।২।

হে সখী রাধে! শ্রীকৃষ্ণনা নিকুঞ্জদা লৈতনা বেণুদা নহাক্কী নাম হাপত্নুনা তপ্না তপ্না খোংত্নুনা সঙ্কেত তৌরে, হে রাধে, নহাক্কী হকচাংদা শোক্লমত্নুনা শিংখ্রবা নুংশিৎনা উফুন পুত্নুনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গদা শোকলুরে, অদুগা শ্রীকৃষ্ণনা উফুন অদুবু য়াম্না আদর তৌরি।২॥ ❋

মহাক্কী মশা ওইবনা "গোপীপীনয়োধরমর্দ্দনচঞ্চলকরযুগশালী" হাঙ্গবগী অরোইবদা 'ধ্রুব' থারি। মাস্তুয়া রসিকপ্রিয়া অমসু রসমঞ্জরীনা তৌই। অদুগা মাসিদা পাঠ মখল অনিমসু লৈ, মাদুদ—"গোপীপীনপয়োধরপরিসরমর্দ্দনকরযুগশালী"—"গোপীপীনপয়োধরমর্দ্দনচঞ্চৎকরযুগশালী" পাঠ অনি অসি টীকাকারসিংনা প্রসিদ্ধ ওইনা লৌদবনা মুলদা হাপ্তুরে, অমসু করি ২ গুম্বা সংস্করণদদি "গোপীপীনপয়োধর" পদ অসি পূজ্যশ্রীগোস্বামীগী টীকানাচিংবদা য়াউদে, অদুবু প্রয়োগ অসি এংবদা য়াউবনা চাবহেল্লি, অদুগা প্রসিদ্ধ টীকাকারাসংনসু লৌবা ওইবনা মুলদা ঐখোইনা হাপলে। ঈশৈ অসিগী ভাবতি—হৈসিংবী সখীনা শ্রীরাধাগী মরিদা শ্রীকৃষ্ণনা তৌরিবা অনুরাগ ফোংদোকপা মথক্কী শ্লোক অমসু গীত্ত অদু ভারগা—ইবেমাগী প্রেমগী অভিমান অদু থরদং হন্দরে হাঙ্গবা উরত্নুনা ইবেমাবু ইবুঙোগা লোইননা সান্ননিংহন্দুনা অভিসার তৌননবগীদমক হাঙ্গবান।১॥

❋ শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাগা উনদবগী অরাবনা খাংবা ঙমদত্নুনা নিকুঞ্জ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পততি পতত্রে বিচলতি পত্রে শঙ্কিতভবদুপয়ানম্ ।
রচয়তি শয়নং সচকিতনয়নং পশ্যতি তপ পন্থানম্ । ধীর০ ।৩॥

পতত্রে (উচেক মশানা) পততি (লেংবদা) পত্রে (উনানা) বিচলতি (নোমলবদা) শঙ্কিতভবদুপয়ানম্ (ইবেমা নহাক্না নাক্তা লাক্লে হাঙ্গৈনা চিংনহুনা) শয়নম্ (শয্যাবু) রচয়তি (শেমই) তব পন্থানম্ (নহাক্কী লম্বেনবু) সচকিতনয়নম্ (তথক তথকপা মিৎএংনা) পশ্যতি (এংই) ।৩।।

উচেক মশানা হুম্বদা, উনা লেংবদা ইবেমা নহাকপু লাক্লমাল্লে নিংহুনা শ্রীকৃষ্ণনা শয্যা শেমই, নহাক্কী লাক্কদবা লম্বেলদা তথক্ তথক্ এংলি ।৩।। *

ভবনদা লৈ, মতম অহুদা নুংশিৎনা উফুল হুমলকতুনা শ্রীঅঙ্গদা ঈরাউ রাউহল্লরে, মাহু উরগা শ্রীকৃষ্ণনা খল্লি, ঐবু রাধাগী বিরহনা চাকলিবাস কোকহনগে হাঙ্গৈহুনা মলয়গী নুংশিৎনা শ্রীরাধাগী হকচাংদা শোকলুরগা ঐভোন্দা শোক্লহিবনি, অহুন্না খন্দুনা নুংসিৎনা পুরকপা উফুলবু শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গৈরি, "উফুল ! নংদি ওন্থোকনা লাইপকফৈদা, রাধাগা তিন্নজবা ফংলবা নুংশিৎকা মংনা তিন্নজরে, ঐগী হকচাংদা লৈরো লাউ" হাঙ্গৈহুনা উফুল অহুবু য়ান্না তরাম ২না শ্রীঅঙ্গদা লৈহল্লি। ইন্দ্রমণিদগী হেন্না নিংথিজবা শ্রীঅঙ্গদা লৈভেংলিবা জবাপুষ্পগুম্ ভাংলবা চিনবান্দা মধুরবেণু হাপ্লহুনা খুংমচা ১০ দা লৈবা খুজিন থা ১০ না বেণুগী মথক্তা জগোই শাহুনা "রাধা" হাঙ্গৈবা নাম মহামন্ত্র হাপতুনা ভপ্পা ২ খোংলি, হে সখী রাধে, বেণুগী খোঞ্জেল অসে ফুইনা হৌরক্লবা নোংনা বেণুগী খোঞ্জেল ওইনা ভংলগা চাতকীপক্ষিনা ভৌবগুমনা খৌরাংদবরা ? ইভা বেণুগী সঙ্কেততা চৎলো,—থিল্লগল্লু ।২॥

* সঙ্কেতকীদমক বেণুগান ভৌরগা মথংদা শ্রীকৃষ্ণনা নিকুঞ্জদা কুসুমশয্যা শেমবা মশেম হাঙ্গৈ,—অহিংদা উদা লেক্লিবা উচেকসিংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মুখরমধীরং ত্যজ মঞ্জীরং রিপুমিব কেলিষু লোলম্ ।
চল সখি কুঞ্জং সতিমিরপুঞ্জং শীলয় নীলনিচোলম্ । ধীর০ ।৪।।
উরসি মুরারেরুপহিতহারে ঘনইব তরলবলাকে ।
তড়িদিব পীতে রতিবিপরীতে রাজসি সুকৃতবিপাকে । ধীর০ ।৫।।

মুখরম্ (মখোন হৌবা) অধীরম্ (তপ্তবা) লোলম্ (অথৎপা) কেলিষু (সান্নবদা) রিপুম্ ইব (এরুববু ভৌবগুন্না) মঞ্জিরম্ (নুপুরবু) ত্যজ (হুঞ্জেকউ) সখি (হে সখি) কুঞ্জম্ (কুঞ্জদা) চলো (চৎলো) নীলনিচোলম্ (অঙাংবগা অমুবগা তিন্নবা হুকচাং কুপ্পবা ফীবু) সতিমির পুঞ্জম্ (অমম্বগী মপৈগা লোইনবা ওইনা) শীলয় (শেৎলু) ।৪।।

পীতে (হে গৌরাঙ্গী) তরলবলাকে (উরোক পরেংনা ইনোম নোমনা পাইরবা) ঘনে ইব (নোংগুম্না) উপহিতহারে (লিকসিবা) সুকৃতবিপাকে (পুণ্যগী মহৈ ওইবা) মুরারেঃ উরসি (শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা)

নূপুর হাঙ্গৈবা অসি মহৌশানা বখোন হৌই, মশাদা অতপ্পা লৈতে, কেলিগী মতমদা খুৎলি, মহাক্না এরুবগী মতোৌগুম্না ভৌই, অতুনা হুঞ্জেকউ, অসংবা ফী শেৎতুনা কুঞ্জদা অমম্বগী মপৈগা লোইনতুনা চৎলু ।৪।। *

নোং অনৌবা হৌরকপা মতমদা উরোকী পরেংনা পাইবগুমনা

মখোং নাম্থোকতুনা উনা মথক্তা তাবা. উনাসিংনা নিকপা উচেক্না অমোক হান্নগী তোংফমদা তোংবা, মাতুগী মখোল তারগা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমা লেংলকপগী খোঞ্জেল ওইনা নিংতুনা শয্যা শেমজিল্লি, য়োর-ক্লুবরা ? হাঙ্গৈনা তকুপতরাংনা এংই ।৩।।

* অভিসারগী মতমদা খোংদা সিরিবা নূপুরগী খোঞ্জেল্না এরুবগী মতৌ ওই, অতুনা নূপুর সিগন্থ, অম্বুম্না সখিনা হাঙ্গৈর, মতম অসি থা মম্বা মতমনি হায়বা "অসংবা ফীজেৎলু" হাঙ্গৈবসিনা তাকই ।৪।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিগলিতবসনং পরিহৃতরসনং ঘটয় জঘনমপিধানম্ ।
কিসলয়শয়নে পঙ্কজনয়নে নিধিমিব হর্ষনিধানম্ । ধীর০ ।৬॥

রতিবীপরীতহারে (নায়িকানা নিপাগুয়া ওইবা রতিলীলাদা) তড়িদ্ ইব (নোংথাংগুন্না) রাজসি (নংনা নিংথিজগনি) ।৫।

পঙ্কজনয়নে (হে থম্বানবু ঙমজবা মিৎ ওইবী রাধে!) কিসলয়শয়নে (অনৌবা উনাগী শয্যাদা) বিগলিতবসনম্ (শ্রীকৃষ্ণবু উবদা মথন্তা ফি তাজখ্রবা) পরিহৃতরসনম্ (মেখলা নাম্থোক্লবা) অপিধানম্ (খুমজিন-দ্রবা) নিধিম্ ইব (লনগেগুয়া) হর্ষনিধানম (হরাউনবগী অহানবা কারণ ওইবা) জঘনম্ (খ্বাংগী মখাবু) ঘটয় (হাপউ) ।৬।

লিক্‌কী পরেংনা নিংথিজরবাঃ শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা পুণ্যগী মহৈ ওইরবা নহাক্না, লেংদবা নোংথাংগুম্না ওম-তৈনবা রতিলীলাগী মতমদা নিংথি-জগনি ।৫। *

হে পঙ্কজ-নয়নী রাধে! শ্রীকৃষ্ণনা শেম্বা উনাগী শয্যাদা নহাক্কী হকচাংগী খ্বাংগী মখাবু হাপউ, কোটিকন্দর্প লাবণ্য ওইবা হরিবু উবদা নহাক্কী ফি অমসু মেখলানা মথন্তা তাজগনি, মাহ্ উরগা লৈনুংদা ফুম-

---

* মতাং অসিদা শ্রীমতীবু নোংথাং নাপুমানবা ওইনা শ্রীকৃষ্ণগী থবাকপুনা নোং ওইনা হাঙ্গরে। মাহুনা মরম ওইহুনা নোং অসি চুগদৌবা ঈসিংগা লোইনবনি হাঙ্গনা খংনগনি, "পীতা বর্ষায় বিজ্ঞেয়" নোংথাং নাপুমানবনা নোং চুগনি হাঙ্গবা খংনৈ, অম্মুন্না হাঙ্গরি। শ্রীমতীগী থোল্লিবা লিক্ক: শ্রীকৃষ্ণগী নোংগুম্বা থবাক মথক্তা হাই-হুম্বধু উরোক পরেং পাইবা ওইনা কবিনা কল্পনা তৌরি, মাহুদি—ইথব্রাইগী নোংদি নোংগী মখাদা উরোক পাই, হুন্দক্তি নোংগী মথক্তা পাইবা ওইনা পান্দম্নরে, অমসু ইবেমাবু নোংথাং লেংদবা ওইনা হাঙ্গরিবা অসিসু নোংগী মথক্তা থোকপা নোংথাং, নোংসু মখাদা মংবা নোংওইনা হাঙ্গবনগা উপমা অসি "অদ্ভুতোপমা" কৌই অম্মুন্না খংনগনি ।৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরিরভিমানী রজনিরিদানীমিয়মপি যাতি বিরামম্।
কুরু মম বচনং সত্বররচনং পূরয় মধুরিপুকামম্। ধীর০ ।৭॥

হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণ) অভিমানী (পুকচেন চাউই) ইদানীম্ (হুজিক্তি) ইয়ম্ (অসিগুম্বী) রজনি অপি (অহিংসু) বিরামম্ (অরোইববু) যাতি (ফংগদৌরে) মম (ঐগী) বচনম্ (য়াথংবু) সত্বররচনম্— (থিন্দনা শেম্ববু) কুরু (তৌ) মধুরিপুকামম্ (মধুরিপুগী অপাম্ববু) পূরয় (থুংহল্লু) ।৭॥

খরবা লনগৈবু উবগুম্মা হরাওবা ওইগনি ।৬।। *

পুকচেন চাউবা শ্রীকৃষ্ণনি, হুজিক্তি অহিংসু লোইগদৌরে, ঐনা হাঙ্গৈরিবসি থিন্দনা তৌ, শ্রীকৃষ্ণগী পুক্লিং থুংহল্লু ।৭।। †

---

* মথক্কী ৫ সুবা পদদা নায়িকানা নিপাগী মতৌওইনা সান্নবগী সুওাইবা উৎতুনা ইবেমাবু উৎকন্থা তৌহল্লি, হন্দক্কী পদ ৬ সুবা অসিদনা সখীনা ইবেমাবু, শ্রীকৃষ্ণবু উবত্তদা নায়কতগী ওইরক্কদবা রতিকেলী উত্তুনা উৎকন্থা তৌহল্ল। প্রেমময়ী রাধাগী অহুগুম্বা শ্রীঅঙ্গগী মফম অহুবু শ্রীকৃষ্ণগীদি লোৎতুনা থমথ্রবা লনগৈনি, অমুম্না কবিনা থারি। প্রেমময়, প্রেমময়ী রাধাকৃষ্ণ অনিগী হেক উনবতদা ইবেমগী অহুগুম্বা শ্রীঅঙ্গদা থোল্লবা ফী অমসু কাঞ্চিমেখলানা শেমলুদবসু প্রেমবিকারনা মথন্তা তাজখিবা অহুবু কবিনা উপমা তোরি, মাহুদি—লৈনুংদা ফুমহুনা লৈবা সনা লুপানাচিংবা লনগৈবু ফংনিংতনা তাল্লিবা মীনা হেক ফংবদা উবদা হরাউবা অহুগা পান্দমনি ।৬।।

† হরিঃ অভিমানি—পুকচেল চাওবা শ্রীকৃষ্ণনি হাঙ্গৈবদি অসুপয়াম্বা দৈন্য তৌহুনা হাঙ্গৈজরবা মক্তদা পুকনিংদা অপেৎপা পোক্তবদি পুকচেনচাউবা শ্রীকৃষ্ণনা কানদরে হাঙ্গৈনা নহাক্পু হুপ্তেক্লম্বা থোকলকলোই হাঙ্গৈনিঙাই লৈতে, অহুওইরবদি নহাক্কী সর্ব্বনাশ হাঙ্গৈবহু ওইরগনি। অহিংসু লোইগদৌরে হাঙ্গৈবদি মতম অসিমক অভিসারগী চপচারা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবে কৃতহরিসেবে ভণতি পরমরমণীয়ম্ ।
প্রমুদিতহৃদয়ং হরিমতিসদয়ং নমত সুকৃতকমনীয়ম্ । ধীর০ ।৮॥
বিকিরতি মুহুঃ শ্বাসানাশাঃ পুরো মুহুরীক্ষতে,

কৃতহরিসেবে (শ্রীহরিবু সেবা তৌরিবা) শ্রীজয়দেবে (শ্রীজয়দেব কবিনা) পরমরমণীয়ম্ (থোইদোকনা নিংথিজবা অসিবু) ভণতি (হাঙ্গৈরবদা) অতি সদয়ম্ (য়াম্না থৌজান হৈবা) সুকৃতকমনীয়ম্ (পুণ্যনা মরম ওইতুনা পাম্নবা ওইবা) হরিম (শ্রীকৃষ্ণবু) প্রমুদিতহৃদয়ং (পুক্নিং হুঙাইনা) নমত (হে বৈষ্ণবসা নখোইনা খুরুম্মু)।৮॥

কান্তে (হে চান্নবী) তব (নহাক্কী) প্রিয়ঃ (চান্নবা শ্রীকৃষ্ণনা)

শ্রীহরিবু সেবা তৌবা শ্রীজয়দেবনা অসিগুম্বা নিংথিজরবা পদসীং অসি ছক্লি, হে বৈষ্ণবসা ! নখোইনা থৌজানহৈবা হরিবু পুক্নিং হুঙাইনা খুরুম্মু, হরিবু পাম্বা হাঙ্গৈবাসিদি পুণ্য তৌবতনা ফংই ।৮।*

হে চান্নবী রাধে ! ইবেমা নংগী চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা কামগী

মতমনি, থিল্লবদি হেন্দোকখ্রনি, অতুনা থিন্দনা ঐনা হাঙ্গৈবসি ইন্দুনা শ্রীকৃষ্ণগী নিংলিবসি থুংহলহৌরো হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৭॥

* মথক্তগীনা তৌরকপা কাইদনা পদগী অরোইবদা কবিনা মহাক্কী ভাব ফোংদোকপা ভণিতি অসি হাঙ্গৈরি। মাসিগী ভাবতি—শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণবু পামবা হাঙ্গৈবসিদি, মী মহাক অতুগী পুণ্যগী পাঙ্গলনা পোকপনি, অতুনা জীব হাঙ্গৈবসিগী শাংলবা মায়াগী লম্বেল অসিদা চৎতুনা অমোক পোক, অমোক সি তৌতুনা চাকলিবা জীবনদি ফংবা হৌনদরে, অতুবু জয়দেব কৌবা ঐনা মতম পূন্নমক্তা শ্রীহরিবু সেবা তৌজবা অতুগী মহৈনা নিংথিজরবা দপসিং অসিবু ঐনা শকলি মাসি তারগা কোকওমদ্রবা পাপ অসিদগী কোকতুনা থমোইদা পুণ্যগী মহৈ ওইগনি মাতুগী পাঙ্গল্না হে বৈষ্ণবসা ! নখোইনা পুকনিং হুঙাইনা হরিবু খুরুম্বা ফংগনি হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রবিশতি মুহুঃ কুঞ্জং গুঞ্জন্মুহুর্বহু তাম্যতি।
রচয়তি মুহুঃ শয্যাং পর্য্যাকুলং মুহুরীক্ষতে.
মদনকদনক্লান্তঃ ক্লান্তে প্রিয়স্তব বর্ত্ততে।৩॥

শ্বাসান্ (নুংশাস্বর খিবিকপ্) মুহুঃ (হন্না হন্না) বিকিরতি (হোল্লি) পুরঃ (মাংদা) আশাঃ (মাইকৈ পুন্নমকপ্) মুহুঃ (হন্না হন্না) ঈক্ষতে (এংই) গুঞ্জন (ঙংল ঙংলহুনা) কুঞ্জম্ (কুঞ্জদা) মুহুঃ (হন্না হন্না) প্রবিশতি (চংই) বহু (থোইদোকনা) মুহুঃ (হন্না হন্না) তাম্যতি (ৱাই) শয্যাম্ (শয্যাবু) মুহুঃ (হন্না হন্না) রচয়তি (শেমই) পর্য্যাকুলম্ (খফম পুন্নমক্তা অৱাবা ওইনা) মুহুঃ (হন্না হন্না) ঈক্ষতে— (এংই) মদনকদনক্লান্তঃ (কামগী অৱাবনা তিন্দুনা) বর্ত্ততে (লৈ) ।৩॥

অৱাবনা তিন্দুনা লৈরে, মাহুদি— হন্না হন্না নুংশাস্বর ফুইনা ফুইনা হোল্লি, অমোক মাংলোমদা মাইকৈ পুন্নমকপু এংই, ৱা ঙাংলঙাংলহুনা কুঞ্জ মনুংদা হন্না হন্না চংই, অতুগা হন্না হন্না ৱাই, হন্না হন্না শয্যা শেমই, য়ামনা ৱানা হন্না হন্না এংই।৩॥ *

* শ্লোক অসিনা মরম ওইহুনা শ্রীকৃষ্ণগী ভাব ময়ামগী মপান্দাওইবা থৌদোসিং ফোংদোক্লি মাহুদি—চান্নথোইবী শ্রীৱাধাবু লাক্করে হাঙ্গনা খনবগী অৱাবনা শ্রীকৃষ্ণনা নুংশামপী ফুইনা ২ হোল্লি, অমোক শ্রীকৃষ্ণনা "লাকপা মতম ওইরেনা" অসুন্না খল্লহুনা মাইকৈ পুন্নমক্তা কদোমদা লাকপগে হাঙ্গনা হন্না ২ য়েংই। উদ্রবদা লাকপা মতন্নদি ওইখ্রবনিনা ঐনা উহৌদনা চংখরবনি নিংহুনা কুঞ্জ মনুংদা কোইনা ২ থি, ফংদ্রবদা শ্রীকৃষ্ণনা খল্লি, শোয়দনা লাক্লরিনি, প্রেমময়া লোৎতুনা লৈরবনি অসুন্না নিংহুনা শ্রীকৃষ্ণনা শয্যা শেমই, থোক্লকত্রবদা করিননো? হাঙ্গহুনা য়ায়ারানা এঙি, মাসুম তৌহুনা কামগী পীড়ানা ৱাহুনা চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা লৈ হাঙ্গবা ভাবকী মতৌ ময়াম অসি, সখীনা শ্রীমতিদা ফোংদোকই।৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তদ্বাম্যেন সমং সমগ্রমধুনা তিগ্মাংশুরস্তংগতো,
গোবিন্দস্য মনোরথেন চ সমং প্রাপ্তং তমঃ সান্দ্রতাম্।
কোকানাং করুণস্বনেন সদৃশী দীর্ঘা মদভ্যর্থনা,
তন্মুগ্ধে বিফলং বিলম্বনমসৌ রম্যোঽভিসারক্ষণ ।৪॥

অধুনা (হুজিক) তিগ্মাংশু (সুর্য্যনা) ত্বদ্বাম্যেন সমং (নহাক্কী অখোইবগা লোইনজুনা) সমগ্রম (পুন্নমক ওইনা) অস্তং গতঃ (তাখরে) তমঃ (অমম্বনা) গোবিন্দস্য (শ্রীকৃষ্ণগী) মনোরথেন (অপাম্বা বাঞ্ছাগা) চ সমম্ (লোইনজুনা) সান্দ্রতাম্ (অফুইবব্) প্রাপ্তম্ (ফংখরে) মদভ্যর্থনা (ঐগী হাঙ্গৈজবনা) কোকানাম্ (ঙান্নু থঙ্গোংগী) করুণস্বনেন (হুংশিরবা খোঞ্জেনগা) সদৃশী (মান্নবা) দীর্ঘ (অশাংবা ওইরে) তৎ (মরম অতুদগী) মুগ্ধে (হে অপংবী অমদি হে ফজবী রাধে) বিলম্বনম্ (থিনবা) বিফলম্ (অরেম্বনি) অসৌ (অসিগুম্বা) অভিসার ক্ষণঃ (অভিসারগী মতম অসি) রম্যঃ (নিংখিজরে) ।৪॥

হে সুন্দরী রাধে ! এংউ, নহাক্কী পুকচেনগী অখোইবগা লোইনজুনা নুমিৎনা নোংচুপ্লোমদা মশা অপুম্বা তাখ্রে। অহিংগী থা থোকত্রিঙৈগী অমম্বা অসিনা শ্রীকৃষ্ণগা নহাক্বা লোইনজুনা সান্নগদবগী খল্লম্বা অপাম্বা ময়াম অতুগা লোইনজুনা অস্নুম অস্নুম কুংশল্লকলে, ঐনা নঙোন্দা হাঙ্গৈজবা পুন্নমক অসি ঙানুথঙ্গোংগী হুংশিনবগী খোঞ্জেনগী মতৌগুন্না শাংদোক্লক্লে, মরম অসিনা হুজিক্তি থিনবা অরেম্বনি, ফজরবা অভিসারগী মতম ওইরে ৪॥ *

---

* শার্দ্দূলবিক্রীড়িত ছন্দনা লেংবা শ্লোক অসিগী অহোবা পাদদগীনা পাদ অহুম্না সহ শব্দগী অর্থগা মানবা সমং অমসু সদৃশী পদনা রাহৈ আসগী সহোক্তি কৌবা অলঙ্কার অতু ফোংদোকলি, মাতুদি—নুমিৎ তাখরে, মাতুগা লোইনজুনা নহাক্কী পুক্নিং খোইরম্বসু তাখরে হাঙ্গৈবদি তোকখরে। ("ত্বদ্বাম্যেন" হাঙ্গৈবসিদা "ত্বদ্বাম্পেন" "ত্বদ্বাক্যেন" অর্থাৎ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অশ্লেষাদনু চুম্বনাদনু নখোল্লেখাদনু স্বান্তজ,
প্রোদ্বোধাদনু সম্ভ্রমাদনু রতারম্ভাদনু প্রীতয়োঃ।

অন্যার্থং গতয়োঃ (অতোপ্পগী মুপী. অতোপ্পগী নিপা ওইবগী মতৌ ওইরুরবা. অর্থাৎ অতোপ্পা নায়িকা অমদা অতোপ্পা নায়ক অমদা খংদ-হুনা চংলুরবা) ভ্রমাৎ (কোইনা চৎলুবদগী) মিলিতয়োঃ (তিন্নরবা) সম্ভাষণৈঃ (মহৈ ৱাঙাংনবনা) জানতোঃ (খংনরবা) অশ্লেষাদ্ অনু (আলিঙ্গন তৌনবদগী মতুংদা) চুম্বনাদ্ অনু (চুম্বন তৌনবদগী মতুংদা) নখোল্লেখাদ্ অনু (খুজিন্না এক্লবদগী তুংদা) স্বান্তজ প্রোদ্বোধাদ্ অনু

অহানবদদি নুপীস্থ অতোপ্পা অমগী, নিপাস্থ অতোপ্পা অমগী মতৌ-গুম ওইনা চখোক্লরম্লগা কুঞ্জ কুঞ্জদা কোইনা কোইনা চৎনরবদা তুংদা থেংনরে, অমস্বা অহিংদা শক্তি উনদবদগী ৱা ঙাংনরকপদগী খংনরক-তুনা চেৎনা কোন্নবা, চুম্বন তৌনবা, খুজিন্না হকচাংদা এক্লবা, থমোইদা

নহাক্কী পী, নহাক্কী ৱাঙাং অস্থন্না পাঠ লৈ, মাহু ওইরবস্থ নহাক্লা কপ্লবস্ত লোইখরে, অমস্থং নহাক্কী ঙাংলম্বা পুন্নমকস্থ লোইখরে হাঙ্গৈবনি।) থা খোক্তরিঙৈগী অমম্বা অহিং অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী অপাম্বা ময়ামগা লোই-নহুনা কুংশিল্লক্লে হাঙ্গৈবদি অহিংনা মথং ২ মম্বা হেঞ্জল্লকপা অহুগুম্না শ্রীকৃষ্ণগী অপাম্বস্থ মথং ২ হেঞ্জল্লক্লে হাঙ্গৈবনি। মহৌশাগী হৌনবী অমা লৈ, মাহুদি— ঙানুথঙ্গোং (চক্রবাক) কৌবা উচেক মহৈ মনাউনা অয়ুক নুংথিনগী মতমদা ঙাহাক্তস্ত থাদোক্লদে, আহং ওইরবা মতমদদি তোঙান তোঙান লৈনহুনা ফজরবা নিংথিজবা খোঞ্জেন্না কাই-নবগী নুংসিবা থাহুনা তেংথানহুনা অহিং লেল্লি, সখিনা হাঙ্গৈরি—ঐনা নুংসিবগী ৱাহৈনা নহাকপু থেল্লকপা অসি অহিং হৌবদগী তোরকপনা অহিংগী কুইরক্লবা অসিদা ঙানু থঙ্গোংগী তেংথাবা অস্থপ কুইরকলে, অহুনদি হুজিক্তি অভিসারগী মতম অসি অমোক সাংদোকহনবা অরেম্ব ওইরে, থিনথবা চুমদরে হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৪।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অন্যার্থং গতয়োর্ভ্রমান্মিলিতয়োঃ সংভাষণৈর্জানতো-
র্দম্পত্যোরিহ কোন কোন তমসি ব্রীড়াবিমিশ্রোরসঃ ।৫॥

(মহাক মহাক্কী থমোইদা কামদেবনা থোরকপদগী তুংদা) সম্ভ্রমাদ্ অন্নু (রসগী অংকপদগী তুংদা) রতারম্ভাদ্ অন্নু (রতিকেলী শান্নবদগী তুংদা) প্রীতয়োঃ (পেল্লবা। দম্পত্যোঃ (দম্পতি অনিগী) কঃ কেঃ (করম করম্বা) ব্রীড়াবিমিশ্রঃ রসঃ (ইকাইবগা য়ান্নরবা রসনা) ইহ তমসি (অসিগুম্বা অমম্বসিদা) ন (ওইদবা) ন (ওইদে—ওইগদবমক্কি) ।৫॥

কামদেবনা থোরকপ', অদুগী তুংদা মাতুনা ওক্নখিতুনা রতিলীলা শান্নবা অম্তুন তৌতুনা পেল্লবা দম্পতি অনিগী মরীদা ইকাইবগা য়ান্নরবা করম করম্বা রসনা অহিং অমম্বা অসিদা ওইরোইদবা লৈবরা ? লৈরোই—ওইরগদবনি ।৫॥ *

* মথক্কী মরিস্তবা শ্লোকতা সখীনা অভিসার তৌবদা মতিকচাবা মতমনাচিংবা হাঙ্গৈতুনা শ্রীরাধাগী উৎকণ্ঠাবু চাউখৎহন্নবা হাঙ্গৈখরে। হন্দক্কী শ্লোক অসিদা সখীনা শ্রীরাধাবু উহল্লি, মাতুদি লুরবা রাহৈনা মরম ওইতুনা অভিসার তৌরগা উনরুরবদা ওইবা মুঙাইবতু একথোক্-তুনা মাংদা পুথোকপগুম্না শ্রীরাধাবু সখীনা উহল্লি, অদুগা অভিসার তৌগদবদা থিন্তদনবা হোৎনরি, মাতুদি অ'সনি,—

"অন্যার্থং গতয়োঃ"—অতোপ্পগী দমক চথোক্লবা হাঙ্গৈবনি। মাসিগী ভাবতি রসিকপ্রিয়ানা "পরস্ত্রী পরপুরুষগী মতৌ ওইনা ফংনরবা" অম্নুম্না হাঙ্গৈ। রসমঞ্জরীনা "অতোপ্পী নুপী অমদা, অতোপ্পা নিপা অমদা উদ্দেশ্য তৌতুনা চথোক্লবা" অম্নুম্না হাঙ্গৈ, অমসুং পুঞ্জরীগোস্বামীনা— "মহৈ মহৈ ফংনদবগী রাবনা অতোপ্পা মওং অবস্থা অমা থোকনবগী দমক চথোক্লবা" অম্নুম্না হাঙ্গৈ। পুম্নমক অসিগী ভাবতি — অভিসার হাঙ্গৈবাস স্বকীয়াস্ত্রী স্বকীয়পুরুষ দম্পতি অনিদা তৌনদে, অদুনা — নুপীনসু লোম্না চান্নবা পরপুরুষবু উনগে, নিপানসু লোম্না চান্নবী পরু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সভয়চকিতং বিন্যসন্তীং দৃশৌ তিমিরে পথি,
প্রতিতরু মুহুঃ স্থিত্বা মন্দং পদানি বিতন্বতীম্ ।

সুমুখি (হে মাইথোং ফজবী) সঃ (অদুগুম্বা) সুভগঃ (ফজবা শ্রীকৃষ্ণনা) তিমিরে (অমম্বা) পথি (লম্বেন্দা) দৃশৌ (মিৎ অনিবু) সভয়চকিতম্ (অকিবগা লোইননা তথক তথক্না) বিন্যসন্তীম্ (থম্লিবী ঐবু কনানা উখ্রবগে হাঙ্গীনা কোইনা যোইনা এংলিবী) প্রতিতরু—

হে সুমুখী রাধে ! ইবেমা নহাকনা অমম্বা লম্বেন্দা ঐবু কনানা উখিগদগে হাঙ্গীবগী অকিবগা লোইননা তথক্ তথক্ এংবা, কারগুম্বা উথোং অমদা ঐগী চান্নথোইববু লৈরিগদ্রা হাঙ্গীবগী উথোং খুদিংদা

নায়িকাবু উনগে হাঙ্গীবগী দমক চথোক্লকপবু কৌই। অদুনা কবিনা অরাইবা ভাবন্তা 'অন্যার্থং'—অভোম্পগী দমক, 'গতয়োঃ'—চথোক্লক্লবা অম্মুন্না অভিসারগী চথোক্লকপা অদতবু হাঙ্গীবনি। ভ্রমাদ মিলিতয়োঃ হাঙ্গীবনা অভিসারগী হোৌনবী চান্নবী চান্নবা অনিনা কোইনা কোইনা থিনরগা ফংনববু হাঙ্গী। সম্ভাষণৈজ্ঞানতোঃ হাঙ্গীবনা অকিং অমম্বদা উনবদা শক্ মুন্না খংনদববু ৱা ঙাংথোক্নরকপদা চান্নলা খংনববু হাঙ্গী। 'অশ্লেষাদনু' হাঙ্গীবনবু কামশাস্ত্রনা হাঙ্গীবা মথং মনাও হাঙ্গীবনি, মাহুদি 'আশ্লেষ, চুম্বন, নখক্ষত, কামবোধ, শীঘ্রতা, মৈথুনমনন্ত সুখবোধং। প্রীতিস্ততোঽপিরসভাবনমেবকার্য্যমেবং নিভৃতচভুরা সুচিরং রমন্তে ॥ অর্থাৎ— আলিঙ্গন, চুম্বন, নখক্ষত, কামোদয়, থাংবা ঙমদবা, রতি-লীলা, য়াম্না পেনবা, শুঙাইবা, অদুগী তুংদা রস মযাম ওইবা হাঙ্গীবা মথং মথং অসি কবিনা কামশাস্ত্রগী পরেং অসি কাইদনা লেংই। মাসিগী মতুংদা ওইরিবা কবিগী ভাব অমা লৈরি, মাহুদি— আলিঙ্গননচিংবা পরেং অসিদা "দন্তক্ষত, কুজিত—খোন থোকপা, কেশগ্রহণ অসিনা-চিংবা মথন নিপান, অমসু কামশাস্ত্রনা হাঙ্গীর, মাহুদি—কবিনা মফম অসিদা হাঙ্গীদরে, মাহু হাঙ্গীদবা অদুনা খংহল্লিবা ভাবতি, মাহুদি—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কথমপি রহঃ প্রাপ্তামঙ্গৈরনঙ্গতরঙ্গিভি,
সুমুখি সুভগঃ পশ্যন স তামুপৈতু কৃতার্থতাম্ ।৬॥

(উ খুদিংদা) মুহুঃ (হন্না হন্না) স্থিত্বা (লৈত্তুনা) পদানি (খোঙথাং) খিবিকপু) মন্দম্ (তপ্না তপ্না) বিতন্বতীম্ (থাংলিবী, অর্থাৎ করিগুম্বা উ মনাক্তা শ্রীকৃষ্ণনা লোৎতুনা লৈবরা হাঙ্গৈনা উখোং খুদিংদা চংতুনা এংলিবী) কথমপি (উচিন্না তপ্না তপ্না চৎপনাচিংবনা) রহঃ প্রাপ্তাম্ (কনাস্ত্র লৈত্তবা মফম য়ৌরক্লবী) অনঙ্গতরঙ্গিভিঃ (কামগী ঈথক খিবিকনা তিল্লবা) অঙ্গৈঃ (হকচাংনা) উপলক্ষিতাম (খুদম ওইতুনা খংনরবা) ত্বাম্ (নংবু) পশ্যন্ (এংতুনা) কৃতার্থতাম্ (মহৈ য়ানববু) উপৈতু (ফংসনু) ।৬।

হন্না হন্না লৈত্তুনা তপ্না তপ্না চৎপা, অস্তুম ভৌনা য়ানা অচিকপা মফমদা লৈবা, কামদেবগী ঈথকনা থল্লবা হকচাংনা এইবী নহাকপু উরগা ফজবা

স্বকীয়রসদা কামশাস্ত্রনা লেংই। হন্দক্কী অভিসারগী সুরতরত অসিদি পরকীয়া ওইবা অভিসার হাঙ্গৈবা ওইবনা নায়ক নায়িকা অনিমককী পুক্নিংদা শঙ্কা লৈনৈ। অতুনা শঙ্কিত নায়ক নায়িকা অনিগী সুরতরত বর্ণননি, হাঙ্গৈতুনা মাতু থাদবন, অস্তুন্না খংনগনি। থাদবা অসিমক্তনা খংনৈ, মাতুদি— দন্তক্ষতনাচিংবতু ওইদরে হাঙ্গৈবা নত্তে, স্বপ্নগী শঙ্কাদগী থোকপা রস বিশেষ অতুতা খংননবা হাঙ্গৈবনি, অস্তুন্না খংনগনি। মাতুদি অসিনি,— অভিসার ভৌতুনা নায়ক নায়িকা অনি লাক্লে, উনরে হাঙ্গৈবতু হেক খংনবদা আলিঙ্গন ভৌনৈ হাঙ্গৈবনা ভয়না স্থায়ীভাব ওইবা ভয়ানক রস, অতুগী মথংদা চুম্বন হাঙ্গৈবনা দম্পতি অনিগী থমোইদা করুণরস ওই, নখক্ষতনা বীররস, কামগী উদয় ওইবনা হাস্যরস, সম্ভ্রমনা অদ্ভুতরস, অসিগুম্বা রস ময়াম অসিনা মহাক্কী পরিকর ওইতুনা রস পুম্নমক্কী রাজ ওইবা শৃঙ্গাররসনা উদয় ওইবা অতুবু কবিনা শ্লোক অসিনা খংহল্লি।৫।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রাধামুগ্ধমুখারবিন্দমধুপস্ত্রৈলোক্য মৌলিস্থলী,
নেপথ্যোচিতনীলরত্নমবনীভারাবতারান্তকঃ।
স্বচ্ছন্দং ব্রজসুন্দরীজনমনস্তোষপ্রদোষশ্চিরং,
কংসধ্বংসনধূমকেতুরবতু ত্বাং দেবকীনন্দনঃ।৭॥

রাধামুগ্ধমুখারবিন্দমধুপঃ (শ্রীরাধাগী মাইথোং থম্বানগী খোইমু ওইবা) ত্রৈলোক্যমৌলিস্থলীষু (মরোল অহুমগী কোকথক্কী লৈতেং থিবিক্তা) নেপথ্যোচিতনীলরত্নম (লৈতেংনবগী দমক মতিকচাবা ইন্দ্রনীল মণি ওইবা) অবনীভারাবতারান্তকঃ (পৃথিবীগী অরুম্বা মাংহন্নবা যম ওইবা) স্বচ্ছন্দম্ (মনিং তৌনা) ব্রজসুন্দরীজন-মনস্তোষ-প্রদোষঃ— (ব্রজসুন্দরীজন—গোপীসীংগী পুক্নিং পেন্নবগী দমক অহিং মচিন ওইবা) কংসধ্বংসনধূমকেতুঃ (কংসবু মাংহন্নবগী দমক্তা ধূমকেতুগুম্বা) দেবকীনন্দনঃ (দেবকীগী মচানা) ত্বাম্ (নংবু) চিরম্ (কুইনা) অবতু (ঙাকপীসনু) ।৭॥

শ্রীকৃষ্ণনা নিংথিবগী মহৈয়ানবা ওইসনু ।৬॥ *

শ্রীমতী রাধিকাগী মাইথোং থম্বানগী খোইমু ওইবা, তাইবংপান মরোল অহুম্মক্কী লুহুপ মতোন্দা লৈতেংড়না হাপলবা ইন্দ্রনীলমণিগুম্বা পৃথিবীগী অরুম্বা মাংহন্নবগী দমক্তা যমগুম্বা, ব্রজগী ফজবী ইবেমাসিংগী পুক্নিং পেন্নবগী দমক্তা অহিং মচিন ওইবা, কংসবু মাংহন্নবগী মরীদা

---

* মথক্কী ৱাহৈসীংদু তারগা শ্রীমতী রাধিকানা অভিসারগী দমক লেংলগে হাঙ্গনা থৌরাং তৌবদু উরদুনা হৈ-সিংলবী সখীনা অভিসারগী চথোক্লকপদা তৌরুগদবা মওং অদু হাঙ্গরদুনা ইবেমাবু অমোক হন্না থোগৎলি। শ্লোক অসি হরিণী বৃত্তনি, অলঙ্কারনা অতিশয়োক্তিনি। তৃতীয়া পদগী 'অঙ্গে' হাঙ্গবা অসি বিশেষণদা তৃতীয়া ওইবনি। মাতুঙ্দি "জটাভিস্তাপসমহমদ্রাক্ষম্" হাঙ্গবগুম্বনি ।৬।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দমহাকাব্যেঽভিসারিকাবর্ণনে সাকাঙ্ক্ষ-
পুণ্ডরীকাক্ষো নাম পঞ্চমঃ সর্গঃ ।

—।—

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা অভিসার বর্ণন তৌবদা
সাকাঙ্ক্ষ-পুণ্ডরীকাক্ষঃ কৌবা মঙাস্নুবা সর্গ লোইরে।

—ঃঃ—

ধূমকেতুগুম্বা দেবকীগী মচা শ্রীকৃষ্ণনা নহাকপু মতম কুইনা ঙাক-
পীসনু ।৭॥ *

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা অভিসার বর্ণন তৌবদা
সাকাঙ্ক্ষপুণ্ডরীকাক্ষঃ কৌবা মঙাস্নুবা সর্গ লোইরে।

—০—

* শ্রীরাধাকৃষ্ণগী বিরহ বর্ণনা তৌরুবনা ন্নারবা কবিনা সর্গগী অরোইবদা অনিমক্কী উনন্নবা মতমদা ওইগদবা সঙ্গমন্নথবু থারদুনা— ভক্তবু আশিষ তৌরি। মাত্তদি—"রাধামুগ্ধমুখারবিন্দ-মধুপঃ" হায়বা অসিনা বিপ্রলম্ভন কৌবা শৃঙ্গার লোইনদুনা ওইরক্কদবা সম্ভোগরসবু ফোংদোকপা ন্নাহৈনি। "ত্রৈলোক্যমৌলিস্থলী-নেপথ্যোচিতনীলরত্নম্" হায়বা পদ অসিগী অর্থদি হায়থরে। মাত্তুদা পূজরী গোস্বামীনা পাম্বদি ত্রৈলোক্যমৌলিস্থলী—মন্নোল অহুমগী কোকথক্কী লৈতেং ওইবা মফম, অস্নুন্না অর্থ হায়দুনা শ্রীব্রজভূমিবু হায়বা পামই, মদোমদা হায়রবদি নেপথ্যোচিতনীলরত্নম্— হায়বসি ব্রজভূমিগী লৈতেং ওইবা ইন্দ্রনীল-মণিগুম্বা শ্রীকৃষ্ণনি, অস্নুন্না হায়গনি, মাত্তগী ভাবতি অসিনি। শ্রী-রাধাকৃষ্ণগী বিরহগী লীলাবু মতুংইন্না ঐনা বর্ণন তৌথরে, থাঙ্গৈশেংবদি ইবেমা ইবুঙো অনিমক্কীদি কাইনবা হায়বতু লৈতে। মরমদি শ্রীকৃষ্ণ হায়বসিদি ব্রজবাসী পুন্নমক্কীদি মশা মশাদা পকপা লৈতেং ওইনা ইরে লৈমিন্নবনি, হায়বা ভাবনি। অবনীভারাবতারান্তকঃ— পৃথিবীগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অরুন্বা কোক্লবগী মরমদা যমগা মান্নবা হাঙ্গৈরুবগী ভাবতি—শ্রীরাধা-কৃষ্ণগী অসিগুম্বা লীলা অসিদি অতৎপা লৈতনা মতম পুন্নমক্তা সান্নতুনা লৈ, অদুবু পৃথিবীগী অরুন্বা মাংহন্নবা হাঙ্গৈসিন্নতুনা মপান্দা জীবসিংবু ইবুঙো মাগী শ্রীমূর্ত্তি অদু উহন্দুনা মতম খরদং উহল্লম্বতনি। অসিগুম্বা প্রেমজগৎ অসিগী মপান্দা লৈবা জীবসিং অদুগী মরীদদি শিবা হাঙ্গৈনা কৌবা অদুগী মশক ওইতুনা লৈ, হাঙ্গৈবা ভাবনি। স্বচ্ছন্দম্ ব্রজসুন্দরীজনমনস্তোষপ্রদোষঃ— ব্রজগোপীসিংগী পুক্নিং পেন্নবগী-দমক অহিং মচিনগুম্না মনিংতৌনা ওইবা, হাঙ্গৈবদি নুংথিনগী মতমদা ইবুঙোনা গোচারণ তৌবা লেংখ্রবা ইবুঙো উদবনা ব্বারবী ব্রজগোপী-সিংগী অব্বাবতু, মীওইবগী চিন্না মাস্লপ রাই হাঙ্গৈনা সিংথাবা ঙমদে, করম্বা মতমদা অহিং ওইরক্নবা, অহিং ওইরগা ইবুঙোগী নাক্ ভানুনা অভিসার তৌতুনা চৎকে, হাঙ্গৈনা ঙাইতুনা লৈরিবী ইবেমাসিংনা অহিংগী মচিন প্রদোষ কৌবা অদু উরগা নুঙাইবা অদুগুম্বা প্রদোষগী মতম অদুগুম্বা কৃষ্ণনি, হাঙ্গৈবনি। মাদুগী ভাবতি অসিনি,— যূথেশ্বরী ওইবী শ্রীমতী রাধিকানাচিংবী ইবেমাসিংগী বিরহনা ব্বারবা, প্রাণ পুবা ঙমলকত্রবদা ক্ষণ ক্ষণ খুদিংদা প্রদোষ ওইরবগুম্না অভিসার তৌবা মতম পীবা শ্রীকৃষ্ণনি, হাঙ্গৈবনি। মাদুগী অনুভাবনা মাসিনি,— অস্লপ য়াম্না ইবেমাগী রাধ্রবা বিরহাবস্থাবু ঐনা বর্ণনা তৌথরে, অদুগুম্বা মতম অদুদসু শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমগী নাক্তা চংলকতুনা ইবেমদা শ্রীমূর্ত্তি দর্শন হেক মপীরৈ, অদুগী লীলা কারণগী দমক অমোক উহনদে হাঙ্গৈবনা কংসধ্বংসনধূমকেতুঃ—কংসগী মাংননবা ধূমকেতুগুম্বা কৃষ্ণনি, হাঙ্গৈবদি ধূমকেতু হাঙ্গৈবদি থরাম্মচাক মমৈপানবা হাঙ্গৈনা খংনবা করি করিগুম্বা মতমদা মীওইবনা আকাশতা অহিংদা উবা থরাম্মচাক অমগী মতুংদা নিংথৌতুরেনগুম্না অশাংবা পরেং অমা মৈথুগুম্না থোকপা অদুবু কৌই, মাদু থোক্লগা "নিংথৌ অচৌবগী মুৎলমদাইদা থোকই" হাঙ্গৈনৈ। মাদু চুম্বরা? ধূমকেতু অথোক অথোক খুদিংগী দেশবিপ্লব ওইবা পৃথিবীগী অচৌ অচৌবা নিংথৌ শিবা, মফম তোকপা তৌরকই। হন্দক শ্রীকৃষ্ণনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্ ।

ষষ্ঠঃ--সর্গঃ ।

—ঃ—

(ধন্যবৈকুণ্ঠকুঙ্কুমঃ)

অথ তাং গন্তুমশক্তাং চিরমনুরক্তাং লতাগৃহে দৃষ্ট্বা,
তচ্চরিতং গোবিন্দে মনসিজমন্দে সখী প্রাহ ।১॥

অথ (অতুগী তুংদা) সখী (সখীনা) গন্তুম্ (চৎকদবগী দমক্তা) অশক্তাম্ (ঙমদ্রবী) লতাগৃহে (উরীগী মাণ্ডবতা) চিরম্ (কুইনা)

সখীনা তম্লিবা— ইবেমাগা কাইনরবদা ইবুঙোনা ৱাহৌরিবা অতু তারগা, ৱাখিবনা হাক্লনখিতুনা শ্রীমতীনা ইবুঙোগী নাক্তা চৎপা

ব্রজদা সান্নবা অসিদি কংস নিংথৌগী শিগনি হাঙ্গনা উৎপা ধূমকেতু থোকপগুমই, হাঙ্গবনি। মাতুগী ভাবতি শ্রীকৃষ্ণদি প্রেমজগৎতা প্রেমময়নি, অতুবু কংসগুম্বা পাপীগী মফমদদি ধূমকেতুগী মমৈনি হাঙ্গনা উরিবা মঙানতুদি মাতুনা হেক শোকপদা পৃথিবী অসিদি থমলতুনা— পৃথিবী অসিগুম্বা কোটি অমা চাউবা ফাউবা ক্ষণ অমদা উৎকুমনা তুমগনি। অতুগুম্বা অক্বিবগী মশক ওইবা ধূমকেতুগুন্না গোপীসিংবু মাংহনবনা ইবুঙো মহাক্কী অবতারগী উদ্দেশ্য নত্তে, মাতুদি সুপনগী আনুসঙ্গিক উদ্দেশ্যতান, হাঙ্গবা ভাবনি। দেবকীনন্দনঃ— দেবকীগী মচা হাঙ্গবসিম্থ পুজরী গোস্বামীনা যশোদাগী মচা হাঙ্গনা অর্থ হনবা পামই। মরমদি পুরাণদা যশোদাবু 'দেবকী' হাঙ্গনসু খংনৈ, মাতুদি "দ্বেনারী নন্দভার্য্যায়া যশোদা দেবকী চেতি" অম্মুন্না হাঙ্গ ।৭॥

মাসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা মঙাস্থবা সর্গ লোইরে।

—০—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গোণ্ডকরী রাগেন রূপকতালেন গীয়তে।

পশ্যতি দিশি দিশি রহসি ভবন্তম্, তদধর মধুরমধূনি পিবন্তম্।

নাথ হরে সীদতি রাধা বাসগৃহে। ধ্রু০ ।১॥

অনুরক্তাম্ (শ্রীকৃষ্ণদা অনুরাগনা তিল্লবী) তাম্ (রাধাবু) দৃষ্ট্বা— (উরবুনা – খংলহুনা) মনসিজমন্দে (প্রিয়া কাইনহনবগী রারবা পুক্লিং-দগী থোরকপা কামনা থৌনা লৈত্রবা) গোবিন্দে (শ্রীকৃষ্ণদা) তৎ চরিত্রম্ (শ্রীরাধাগী চরিতপু) প্রাহ (হাঙ্গখি) ।১।।

নাথ (হে ইবুংঙো) হরে (হে হরি) বাসগৃহে (বাসগৃহদা) রাধা (রাধানা) সীদতি (রারে) রহসি (অচিকপা মফমদা) দিশি দিশি

ঙমদরে, উরাগী মাগুপ ওইবা ফুগু অদুদা মতম কুইনা শ্রীকৃষ্ণদা অনু-রাগ তৌরিবী অদুগুম্বী ইবেমগী মতৌ অদুবু ইবেমগা কাইনবদগী রারবা শ্রীকৃষ্ণদা অমোকহন্না সখী অদুনা তমলুই ।১।। *

হে নাথ, হে হরি ! বাসগৃহদা শ্রীরাধানা য়াম্না অরাবগী মশক

* হৈ-সীংবী সখীনা কয়ামুকপু লুনা তৌথবা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীমতী-রাধিকাদা ওইয়িবা অতৈগা মান্নদ্রবা অনুরাগ অমসু বিরহগী অরাবদু তমত্তনা ইবেমগী অভিমান অদু কোকইল্লে, অদুগা নুংশিবা নুংশিবী অনিগী চাংদম্নবা লৈত্রবা অভিসারগী নুঙাইবগী ফজবদু হাঙ্গদুনা শ্রী-রাধাবু অভিসার তৌনিংহনবা প্রসঙ্গ অসি মথক্কী মঙাসুবা সর্গদা হাঙ্গখরে। ওস্লোকপনি মাসুম্না য়াম্না তৌজগল্লি, মাদুদি,— ফনবা তৌবদা ফত্তনবা ওইবা হাঙ্গবদুনি, সখীগী য়াথং অদু তারগা শ্রীমতী রাধিকাগী পুক্লিংদা শ্রীকৃষ্ণগী হান্না সান্নরম্বগী কাউদনা লৈরম্বা পুম্ন-মকতু নিংসংলুবদা প্রেমনা থল্লবী ইবেমগী শ্রীঅঙ্গ অপুম্বদু ইহিক হিক-থখরে, মাতুমক্তনা লেং-ওৎপা ঙমখিদরে, অদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎপা ঙমদ্রবা মতৌ অদু সখীনা উরদুনা ইবেমনা রারিবা অদুগা চপ মান্নদা রারিবা শ্রীকৃষ্ণদা অমোকহন্না চৎখ্রদুনা ইবেমগী মতৌ অদু অমোক-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

(মাইকৈ মাইকৈদা) তদধরমধুরমধুনি (নহাক্কী অধরগী অথুম্বা অমৃতবু) পিবন্তম্, (থকপা) ভবন্তম্, (নহাকপু) পশ্যতি (এংই) ।১।

ওইনা লৈহৌই, মহাককী অধরগী অমৃতবু থকপা ইবুঙো নহাকপু অচিকপা মাইকৈ খুদিংদা এংতুনা লৈহৌই ।১।। *

হন্না তম্মুই, মাতু হন্দক্কী তরুকস্নবা সর্গদা হাঙ্গৗর। বৃত্ত অসি আর্য্যা ছন্দনি, মাসি ইবেমগী বাসকসজ্জিকাবস্থা বর্ণন তৌগদৌরি হাঙ্গনা খংনগনি। বাসকসজ্জিকা হাঙ্গবদি—"স্ব বাসকবশাৎ কান্তঃ সমেষ্যতি নিজং বপুঃ। সজ্জীকরোতি গেহঞ্চ যা সা বাসকসজ্জিকা।" মহাক্কী লৈফমদা চান্নবনা লাক্কনি, নুপী অতুনা মহাক্কী হকচাংবু লৈতেংবা, লৈফমস্থ শেম্বা অতুগুম্বা নুপী অতুগী অবস্থা অতুবু বাসকসজ্জিকাবস্থা কৌই ।১।।

* ঈশৈ অসিগী য়াম্না চানবা রাগদা গীতকারনা শন্নমই, মাতু'দ— পুজরী গোস্বামীনা "রতোৎসুকা কান্ত প্রতীক্ষা সম্পাদয়ন্তী মৃদুপুষ্প-তল্পম্। ইতস্ততঃ প্রেরিতদৃষ্টিরার্ত্তাশ্যামাতনুর্গোণ্ডকরী প্রদিষ্টা ॥" রতি বিলাস পাম্বী, চান্নববু ভাইরিবী, মেংলবা পুষ্পশয্যা শেম্নিবী, মাইকৈ মাইকৈ খুদিংদা কোইনা কোইনা এংলিবী, চান্নবগা কাইনরিবনা ন্নারবী মহাক্কী হকচাংনা অইংবা মতমদা অইংবা কোকহনবী অমস্থ অশাউবা মতমদা ইংবীনুপীগী মশক ওইবা, গোণ্ডক (কি) রী "রাগনি" অস্থুম্না হাঙ্গ। 'নাথ' হাঙ্গনা কৌবা অসিনা নাথ ধাতুনা অনুতাপকী অর্থদা লৈবনা মাসিগুম্বা শ্রীমতীগী অন্নাবসি ইবুঙো নহাকনা ' থাকহনবনি, হাঙ্গবগী ভাবতা 'হে নাথ' হাঙ্গনা সখীনা কৌই। অমস্থ ন্নারগা গুণ চেনবী নুপীগী হৌনবী ইকাইবা, পুংলিং-তপ্পা কৌবা নুপীগী মরল লৈবা হৌনৈ ; মাতুনা অন্নাবতু খাংগনি, অস্থুম্না শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গগদবদা সখীনা শ্রীকৃষ্ণবু 'হরে' হাঙ্গনা কৌই। মাতুগী ভাবতি— ইবেমগী অতুগুম্বা ইকাইবা, অকিবা, তপথবনাচিংবা পুন্নমক অতু ইবুঙো নংনা ঙন্না হুখরে, হাঙ্গবা ভাবতা 'হরে— হে হরি' হাঙ্গনা কৌবনি। মাইকৈ মাইকৈ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ত্বদভিসরণরভসেন বলন্তী,
পততি পদানি কিয়ন্তি চলন্তী। নাথ হরে০ ।২॥

তদভিসরণরভসেন (নহাক্কী নাক্তা অভিসার তৌহুনা চৎকনি হাঙ্গৈবগী অয়িনবা উৎসাহনা) বলন্তী (পাঙ্গল লৈরবী) কিয়ন্তি (কয়া

হে মাধব ! অতুপ ৱারবী ৱাধানা ইবুঙো নহাক্কী নাক্তা চৎকনি, হাঙ্গৈবগী অইনবনা পাঙ্গন ওইহুনা হকচাংদা লৈতেংবা ঙমই, অতুগা

খুদিংদা ইবুঙো নংবু এংই. হাঙ্গৈবগী ভাবাত অমুপ য়াম্বা পুন্নমক অসি শ্রীমতীনা মতম অতুদা কৃষ্ণমক্তা ওইনা উই, অতুনা অতুপয়াম্বা কৃষ্ণ পুন্নমক অতুবু কোইনা কোইনা এংবা অতু ভম্বনি, মাসি বিরহগী মতমদা তৌই। মাসগী মরমদা প্রাচীনসিংনা হাঙ্গৈ,—"সঙ্গমবিরহ বিবেকে বরমিহ ন সঙ্গমস্তস্যাঃ। সঙ্গমে সাপি তথৈকা ত্রিভুবনমপি তন্ময়ং বিরহে॥" অর্থাৎ— নুংশিবা নুংশিবী অনিগী উনবগা, কাইনবগা— কনানা ফবগে ? হাঙ্গৈনা বিচার তৌরবদি কাইনবনা ফৈ। মরমদি— উনরবদি অমতা মউই, কাইনরবদি ভাইবংপানবা পুন্নমক্তা নুংশিবা, নুংশিবীবু উই। অতুনা ইবেমনা মকম পুন্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণবু উরিবনি। 'তদধরমধুনি' হাঙ্গৈবসিদা 'ত্বদধরমধুরমধুনি' হাঙ্গৈবা পাঠ লৈ। মাতুদি 'ত্বৎ' হাঙ্গৈবা অসি যুষ্মচ্ছব্দগী পঞ্চমী একবচন ওইহুনা হাঙ্গৈবদি— নঙোন্দগী অর্থাৎ শ্রীরাধানা ইবুঙো নঙোন্দগী ৱাহোরে, হাঙ্গৈবদি ইবেমনা ৱাবতু নহাকনা ৱাহনবনি। ত্বৎ হাঙ্গৈবসিতনা লোয়্নবা অন্য (অতোপ্পা) অর্থ হাঙ্গৈবা শব্দ অমনি, সর্ব্বনামগী গণনি হাঙ্গৈনা লৌবস্নু য়াই, মাতু ওইরগা "ত্বত্তঃ অন্যস্যাঃ অধরমধুরমধুনি পিবন্তম্"— ত্বত্তঃ (অতোপ্পী নায়িকাগী অধরগী থুমলবা অমৃতবু থকপা নহাকপু অস্মুন্না অর্থ হনগনি। 'বাসগৃহে' হাঙ্গৈবদি 'ভোগগৃহবু কৌই,— "ভোগা বাসো বাসগৃহম্।" অস্মুন্না হারাবলীনা হাঙ্গৈ। অতুনা নায়ক নায়িকাগী সান্নবা ভোগবিলাস তৌনবা মফম্নু বাসগৃহ কৌই।১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিহিত বিশদবিস কিশলয়বলয়া,
জীবতি পরমিহ তব রতিকলয়া । নাথ হরে০ ।৩।।

মরুম ওইবা) পদানি (খোংথাংবু) চলন্তী (চৎলিবী রাধানা) পততি (তুই) ।২।।

ইহ (হৌজিক অসিদা) পরম্ (সুপ্নগী থাঙ্গেশেংবা) তব (নংগী) রতিকলয়া (রতিলীলাতবু, খল্লুবতনা মরম ওইদুনা) বিহিতবিশদবিস-কিশলয়বলয়া (নিংথিজবা থম্বৌ অমসুং উনা অনৌবনা বলয়া শেমদুনা সীরিবী রাধানা) জীবতি (হিংই) ।৩।

খোংথাং অমা অনি চৎলগদি তুদুনা চৎপা ঙমদদুনা লৈহৌই ।২। *

অদুনা করম্না হিংহৌবগে ? হাঙ্গীগনি, হে মাধব ! ঐখোইগী সখী রাধানা বিরহগী মৈচাক ইংনবা হাঙ্গীদুনা থম্বৌনা বলয়া শাদুনা সিরগা অনৌবা উনানা কুপ্পদুনা সুপ্নগী নংগী শান্নবা অদুতা নিংদুনা হিংহৌই ।৩। †

---

* অদুপ য়াম্না অনুরাগবতী ওইবী নত্তা রাধানা করিগী অদুপ রাবগে ? অদুপ রারবদ ঐগী ইনাক্তা লাক্লদবনি । অসুম্না হাঙ্গীগদবদা হাঙ্গীরি,—"হে মাধব, সখী রাধানা নংগী বিরহগী মৈনা চাক্লদদা খোং খুৎমকপু লেংবা ঙমদ্রদুনা তুহৌরে, নংগী নাক্তা চৎকনি হাঙ্গীবগী নুঙাইবগী অরিনবনা মশাদা লৈতেংজরবা ফাউবদি ঙমই, অদুদগী চৎলগে হাঙ্গীদনা খোং থাংবদদি খোংথাং অমা অনিদং থাংবগা তুদুনা লৈহৌরে, লেংবা ঙমদ্রে ।২।

† নুংশিবগা কাইনবা হাঙ্গীবাসিদি, কাইনবা য়ুথক অদুদা হেক্তা শিগদবনি, (মাসি শাস্ত্রনম্ "কৈ অব রহি অং পেমং নহু চিঠু়ঠে মানবে লোয়ে জই হোই বিরহে কোজী অই" অসুম্না হাঙ্গী) অদুগা শ্রীরাধানা থাঙ্গেশেংনা শ্রীকৃষ্ণগা নুংশিনরবদি কাইনবা মতম অসিদা করমনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মুহুরবলোকিত মণ্ডন লীলা,
মধুরিপুরহমিতিভাবন শীলা । নাথ হরে০ ।৪॥

মুহুঃ অবলোকিতা মণ্ডনৈঃ লীলা যয়া সা (হন্না হন্না এংলবা, মণ্ডন—মুকুট, কুণ্ডল বনমালানাচিংবনা, লীলা— নহাক্কী নভৌ ভম্লিবী) মধু-রিপুঃ অহম্ (কৃষ্ণত্ন ঐনি) ইতিভাবনশীলা (অস্নন্না নিংলিবী) ।৪॥

(শ্রীমতী রাধানা) ইবুঙো নহাককুম্না চূড়া, বাঁশী, ফিগেসনানা-চিংববু শেৎ-ইল্লহ্না, মাহ্নবু হন্না হন্না য়েংই, অহ্নগা ঐ কৃষ্ণ ওইরে, অস্নন্না নিংই ।৪॥ *

হিংবা ভম্লিবনে ? অস্নন্না হাঙ্গৈগদবদা সখীনা হাঙ্গৈরি, মাহ্নদি—নহাক্কী বিরহনা মৈ ওইহ্না চাক্লরবদা মৈশা কোক্লবা হাঙ্গৈহ্না থম্বৌনা খুজি শাহ্না, উনা অনৌবনা কুপহ্না খুজি সিরগা (বিরহগী মৈদা থম্বাল, খন্না, থম্বৌগী অয়িংবা লৌনবসি মমাংঙৈদা চৎনবা কবিগী রাহৈনি) ইবুঙো নহাক্কা সান্নবা রতিলীলাবু নিংসিংই, মাহ্নমা নিংসিংবগী হুডাইবা অহ্নভনা সখী রাধানা হিংহৌবা হাঙ্গৈবহ্ন মডাইরে ৩।।

* হন্দক্কী পদ অসিবু ব্যাখ্যা তৌবদা রসিকপ্রিয়া টীকানা মাস্নন্না পামই, মাহ্নদি — 'ঐ কৃষ্ণনি' অস্নন্না নিংবা হুপীগী মৈভেং অগ্নমবা হুংঙ্করহ্না নহাকক্কী বিরহগী অরাবা কোক্লবা হাঙ্গৈহ্না নিপাগী মভো তৌহ্নুনা সুরতলীলাদা তৌগদবা মৈতেং পুন্নমক তৌহ্নুনা নহাক্কী নশক লৌহ্নুনা মতম লেপ্লি। অমরোমদা হাঙ্গৈরগা ইবুঙো নহাকপু ফংজ্র-বদা সখী রাধানা নহাক অমোক ওই, রাধা মহাক অমোক ওইহ্নুনা "স্ত্রীণাং প্রিয়ালোকফলো হি বেশঃ"—হুপীগী দি চান্নবগা উনবগীদমক্তা মৈতেংই, হাঙ্গৈবা চৎনবীগী মতুংইন্না নহাক্কী পুক্লিং হুননবা মৈতেং তৌহ্নুনা মৈহৌই, অস্নন্না হাঙ্গৈবা ভাবসি পামই । অসিগুম্বা প্রাচীন টীকাকারসিংগী ভাব অসি রসশাস্ত্রগী হৌনবীদা ব্যাখ্যা তৌরগা ওই-বনি— চুমই । অহ্নগা মতাং অসিদা ঐখোইনা হাঙ্গৈনিংবা গোস্বামী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পাদসিংগী ব্যাখ্যা খরদং লৈরি, মাহুদি—শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরিঙৈ মতমদা গোকুলস্ত্রীসীংনা প্রেমনা ভাওহনা শ্রীকৃষ্ণগী মতৌ তমই, অস্থুন্না শ্রীমদ্-ভাগবতনা হাঙ্গী (১)। শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরবদা ইবেমাসীংনা শ্রীকৃষ্ণনা ভাংলম্বা, এংলম্বা, চৎলম্বা, নোক্লম্বা পুন্নমক অহু মতৌ তমহুনা তৌই। (কাইনরবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা তৌরম্বা ময়ামহু নিংলুবদা কনমনখিহুনা মাহু হেক্তা তম্বনি,— শ্রীকৃষ্ণনা মাস্থন্না চূড়া থোল্লি, মাস্থন্না বাঁশী খোংই, অস্থুন্না গুণ্ডা থাদৈ, হাঙ্গীবনাচিংবা শ্রীকৃষ্ণগী মওং-মতৌ পুন্ন-মক অহু তমই ; মাসি তম্নগা অন্নাবা কোক্কনি হাঙ্গীহুনা তম্বা নত্তে।) মাস্থন্না তল্লিঙৈ অহু ফাওবদি বুদ্ধি লৈরমই, মাহুগী মথংদা উন্মাদাব-স্থানা য়ান্না হেঞ্জল্লক্লবদা তম্নল্লিবা শ্রীকৃষ্ণগী মওং মতৌ অহুদা হাপখ্রবা বুদ্ধি ওইহুনা ভকভুনা "ঐ কৃষ্ণনি" অস্থুন্না হাঙ্গী, মাসি "লীলা কৌবা অনুভাবনি" অস্থুন্না রসশাস্ত্রনা হাঙ্গী। মাহুমক উজ্জ্বলনীলমণিনা লৌখংলি—"প্রীয়ানুকরণং লীলা রম্যৈ বেশক্রিয়াভিঃ—চান্নবগী ফজবা বেষ, চৎপনাচিংবা মওং মতৌ তম্ববু লীলা কৌই" অস্থুন্না হাঙ্গী। অসিগুম্বা ব্রজদেবীসীংগী ভাবকী পরেং অসি মুনীন্দ্র শ্রীশুকদেবনা রাসগী মতুংদা বিরহনা য়ারবী ইবেমাসীংগী বিরহ-বেদনাগী পরেংদা হাঙ্গীখবনি, মাহুগী ব্যাখ্যানা শ্রীসনাতন গোস্বামী পাদনা শ্রীগীতগো-বিন্দগী 'মুহুরবলোকিত মণ্ডন লীলা, মধুরিপুরহমিতি ভাবন শীলা।" অস্থুন্না তাক্লমই। প্রেমগী অসিগুম্বা অবস্থা অসি খরগী মখৈতদি অদ্বৈতবাদীসীংগী 'সোহহং' চিন্তা গুমই ; থাঙ্গেশংবদি মাহুদি নত্তে। ইবুঙো মহাক্তি থরাইগী থরাইনি. আত্মাগী আত্মানি, মহাক্কা কাই-নরগা ইবুঙো মহাক্তবু পূক্নিংদা থল্লি। মতম অহুদা মাওগী ভাবতনা অয়াম্বা পুকনিং লৌসিংগী অখংবা পুন্নমকপু নমহৎখি মপান্দা উরিবা, খংলিবা পুন্নমক কাউখি, জ্ঞান তাকই, 'ঐ লৈরি' হাঙ্গীবা ফাউবা

(১) মাহুদি দশমস্কন্ধগী অধ্যায় ৩০ গী ২সুবা শ্লোকনাচিংবদা হাঙ্গরি, মাহু য়াম্মন্দুনা লৌখত্তরে, মতাং অসিদা ঐগী ব্যাখ্যাদা পাঠকসীংনা এংবিগনি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ত্বরিতমুপৈতি ন কথমভিসারম্,
হরিরিতি বদতি সখীমনুবারম্ । নাথ হরে০ ।৫॥

হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) অভিসারম্ (অভিসার কুঞ্জদা) ত্বরিতম্ (থুনা) কথম্ (করিনো) ন উপৈতি (লাক্তবদে) ইতি (অসুমনা) সখীম্ (সখী ওইবী ঐঙোন্দা) অনুবারম্ (হন্না হন্না) বদতি (হাঙ্গৈ) ।৫॥

"শ্রীকৃষ্ণনা অভিসার কুঞ্জদা থুনা লাক্তবা করিননো ?" অসুন্না

কাউই। মতম অদুদা স্বপ্নগী চান্নবা ইবুঙো মাতবু খংই। অসিগুম্বা অবস্থা অসিবু 'তন্ময়ত্ব' কৌই, অবস্থা অসিদা চান্নবীস্ত চান্নবস্তু ভুংলিবা অদুগী মতৌ তম্লিংলকই, অসিগুম্বা ভাব অসিবু রসশাস্ত্রনা লীলানুভাব কৌই। মাদু হন্দক্কী পদ "মুহু..." হাঙ্গৈবাসিদা কবিনা ফোংদোক্লি। অনুগা—"মধুরিপুরহ..."। শ্রীকৃষ্ণবু অসুম অসুম নিংখিবনা হাক-মনখিদুনা 'ঐ কৃষ্ণনি' হাঙ্গৈবসি 'সোঽহম্' ভাবক্কা মান্নবগুম উরবস্তু মনুংদা য়ান্না থেন্নৈ। সোঽহং ভাবপু ভক্তিশাস্ত্রনা অহং গ্রহোপাসনা কৌই। মান্নবুদি প্রেমভক্তসিংনা পামদে, নিন্দা তৌই। ভাববিশেষগী ঈচেন্না চান্নবীবু চান্নবনবু ওইরবস্তু মশা অমত্তা ওইনা নিংবা হাঙ্গৈবসি মতম অমদা থোক্লরবস্তু অদুগুম্বা অমত্তা ওইনা নিংবা অদুগী মনুংদা ভেদ-জ্ঞান—তোঙান তোঙানবনি হাঙ্গৈনা খংবা অদু ইকাই কাইদনা অদুম্মক লৈ। অসিগুম্বা গোপীপ্রেমগী তন্ময়ত্বদগী "ঐ কৃষ্ণনি—কৃষ্ণহু ঐনি" অসুম হাঙ্গৈনা নিংবা অসি অদ্বৈতবাদীশিংগী 'সোঽহম্' ভাবতগী থোকপা ওইরবদি "ঐ অসিমক কৃষ্ণনি—কৃষ্ণ অদুমক ঐনি" অসুন্না 'সাবধারণজ্ঞান' ওইনা হাঙ্গৈগদবনি। অদুনা শ্রীভাগবতনা প্রেমগী বিরহদা 'অসাবহং' অসুন্না হাঙ্গৈ। মাদুগী অনুবাদ তৌদুনা মতাং অসিদা কবিনা 'মধুরিপুরহম্' অসুন্না লেংই। তৌইগুম্বস্তু ভাব পুন্নমক্তা চান্নবা অদুতা নিংতনা লৈবনা থমোইবু শুন্ধংলি। ব্রজরসগী উপাসনাদা অদ্বৈতভাবকী মফম লৈতে। প্রিয়ানুকরণ—প্রিয়জনগী মতৌ তম্বতবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্লিষ্যতি চুম্বতি জলধরকল্পম্,
হরিরুপগত ইতি তিমিরমনল্পম্। নাথ হরে০ ।৬॥

জমধরকল্পম্ (নোংগুম্বা) অনল্পম্ (য়াম্লবা) তিমিরম্ (অমম্বব্) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) উপগতঃ (লাক্লে) ইতি (অসুম হাঈত্তুনা) শ্লিষ্যতি (কোল্লি) চুম্বতি (চুপই) ।৬॥

চান্নবা সখী ঐঙোন্দা রাধানা হন্না হন্না হাঈ ।৫। *

নোংগুম্বা অমম্বা ময়াম উরগা কৃষ্ণ লাক্লে হাঈতুনা অমম্বা অতুদা কোল্লি, অতুগা চুপই ।৬। †

প্রেমনা হেণ্ডল্লকতুনা ভস্ময়ত্বগী মতৌ ওইবনি। মরম অসিনা মথংদা ভেদভাব লৈবাতু উৎলি— ।৪।

* শ্রীমতীগী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণনা ফাউরবা, মাতুব্ উবগী লুভাইবনা ইবেমানা বাহ্যজ্ঞান কাউথিতুনা ঐ কৃষ্ণনি, হাঈরমই। মাতুম্না কাউরম্বা অতু অমোক মাংখিবগা সখীদা হাঈ— "হে সখী ! ঙসি শ্রীকৃষ্ণনা থুনা সঙ্কেত (কুঞ্জ) স্থানদা লাক্কবা করিননো ?" অসুমনা তোইনা তোইনা হংই ।৫॥

† শ্রীমতী রাধানা অমম্বব্ উরগা নোং অনৌবা ওইনা নিংলমই, মমৈদদি শ্রীকৃষ্ণ ওইনা নিংখ্রে, অতুনা হৌগৎতুনা অমম্বব্ কোল্লি, চুপই, মাসি উৎভ্রান্তপ্রেমগী অবস্থান ; মাসিব্ দিবোন্মাদগী মশাক্ক হাঈগনি। অসিগুম্বা প্রেম অসিতব্ প্রেম কৌই। অসিগুম্বা প্রেম অসিতনা লুংশিবব্ অমসু লুংশিবীবু তাইবংপান্দগী প্রেমজগৎতা পুখৎতুনা প্রেমকল্পতরুগী মনাক্তা থমই। মাসিব্ রাধাভাব হাইগে হাঈয়ু গোপীপ্রেম হাঈগে হাঈয়ু, মাসিব্ মধুরপ্রেম কৌই। প্রেম অসিনা হেক শোকলুবদা মী অতুগী স্পর্শমণিনা শোকপগুম্না সনা ওল্ল। প্রেম অসিগী মরিক্ অমত্তং পাম্বগীদমক শ্রীবৃন্দাবনদা লৈতুনা তাইবংপানবব্

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভবতি বিলম্বিনি বিগলিতলজ্জা,
বিলপতি রোদিতি রাসকসজ্জা । নাথ হরে০ ।৭॥
শ্রীজয়দেবকবেরিদমুদিতম্,
রসিকজনং তনুতামতিমুদিতম্ । নাথ হরে০ ।৮॥

ভবতি (ইবুঙো নংনা) বিলম্বিনি (থিল্লবদা) বিগলিতলজ্জা (ইকাইবা থাদোক্লবী) বাসকসজ্জা (বাসগৃহদা- ভোগগৃহদা· কান্তবু অভিসারগী দমক সান্নবদা চংগদবা মপোৎ পুন্নমক থৌরাং ভৌরিবী শ্রীমতী রাধানা) বিলপতি (তেংথাই) রোদিতি (পি সিন্থদুনা কপই) । ।৭॥

শ্রীজয়দেবকবেঃ (শ্রীজয়দেব কবিগী) উদিতম্ (য়াথংনা) রসিক জনম্ (শৃঙ্গাররসবু আস্বাদন ভৌদুনা ভগবদ্ভক্তিগী মশক ওইবা রসগী

ইবুঙো নংনা থিল্লবা—লেংলকত্রবদা ইকাইবা লান্থোকখ্রবী রাধানা বাসগৃহদা ইবুঙো নংগা সান্নবা পোৎ-চৈ পুন্নমক শেম্লবদগী তেংথাদুনা কপলি ।৭। *

শ্রীজয়দেবকবিগী অসিগুম্বা য়াথং অসিনা রসিক ভক্তজনসিংগী শুঙাইবা সন্দোকসনু ।৮।

থাক্কাশনগুম (ফত্তবা চাবগুম) তুক্কচদুনা ঙান্নু কাঙনা লপ্নেন চৎপদগী পোৎ নিদুনা চাবগুম নিদুনা ঙাইনরি । শ্রীমতী রাধানা হাঙ্গৈরম্বা অদুমক শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈরি,— 'সপদি গৃহকুতুম্বং দীনমুৎসৃজদীনাবহু বিহঙ্গ বিহঙ্গা ভিক্ষুচর্য্যাং চিরন্তি ।" ইতি ভাগবতঃ— ১০ । ৪৭ । ১৬

চৈতন্যচরিতামৃতগী ভাষানা য়াম্না তেন্না ইবেমগী প্রেম অসিবু—

"অকৈতব কৃষ্ণঃপ্রেম যেন জাম্বুনদহেম সেই প্রেম নরলোকে না হয় ।
যদি হয় তার যোগ না হয় তার বিয়োগ
বিয়োগ হৈলে কেহ না জীয়য় ॥" অস্থন্না বর্ণন তৌই ।৬।

* ঙহাক্তং অমম্ববু শ্রীকৃষ্ণ ওইনা নিংলুবদগী নত্তে হাঙ্গৈবা থংলকলবদা তৌবা মওং অদু হন্দকী পদনা হাঙ্গৈরি ।৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিপুল-পুলক-পালিঃ স্ফীতসীৎকারমন্ত-
র্জনিতজরিম কাকু ব্যাকুলং ব্যাহরন্তী।
তব কিতব বিধায়ামন্দকন্দর্পচিন্তাং,
রসজলনিধিমগ্না ধ্যানলগ্না মৃগাক্ষী ।২॥

স্বাদ লৌবা ভক্তবু) অতি মুদিতম্ (থোইদোক্না নুঙাইববু) অস্তাম্ (সন্দোকসনু) ।৮।।

কিতব (হে ধূর্ত্ত—লৌনম তৌবা) তব (নহাক্কী) অমন্দকন্দর্প-চিন্তাম্ (থোইদোকপা কামগী চিন্তাবু) বিধায় (তৌতুনা) বিপুলপুলক-পালিঃ (অয়াম্বা তুগী পরেংনা তেল্লবী— ধ্যান তৌবদা থমোইদা উরিবা কৃষ্ণনা চংলকতুনা খুংনা শোক্লবদা তু চুংথোক্লবী) স্ফীতসীৎকারম্ (চাউ-খৎলবা সীং' হাঙ্গৈবা ওইতুনা—ধ্যানদা ফংনরিবা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেংগী নীবী কৌবা ফিবু থোক্লবদা ইবেমনা 'কুট্টিম' কৌবা হাব ওইতুনা ইবুঙোগী খুত্তা খামতুনা 'থাদোকউ' অস্তুনা কাকুগী খোঞ্জেল্না রানা) ব্যহরন্তী (ঙাং লিবী) মৃগাক্ষী (শজি মিৎ মানবী রাধানা) রসজলধিমগ্না (রসগী সমুদ্রদা লুপতুনা) ধ্যানলগ্না (ধ্যানদা পকতুনা লৈখরে) ।২।।

লৌনম চাউবা হে কৃষ্ণ ! ঐখোইগী ইতা সজি-মিৎ-মানবী, শ্রী-রাধানা নহাক্কী কামদেবগী ৱাখন তৌতুনা রসগী সমুদ্রদা লুপতুনা ধ্যান তৌতুনা লৈখরে, হকচাং অপুম্বদা তু চুংথোক্লই, মরক মরক্তা চিনদা 'সী সী' হাঙ্গৈরকই, থমোই মনুংদা পংথতুনা অরাবগী খোঞ্জেল্না ঙাংতুনা লৈহৌই ।২।। *

---

* সর্গ অসিদা কবিনা বাসক সজ্জিকা নায়িকাগী মওং মতৌ পুম্নমক থারি, ঈশৈগী শরুক্তা হাঙ্গৈখিবদা রাৎপা অত্তুগী মথৈ (শ্লোক অসিগা মথংগী শ্লোকনা) হাঙ্গৈতুনা সখীনা শ্রীকৃষ্ণদা তত্বগী মওংদা লেংই । বাসক সজ্জিকা নায়িকাগী লক্ষণবু শ্রীরূপগোস্বামীনা উজ্জ্বলনীলমণিদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

"স্ব বাসক বশাৎ কান্তে স মেষ্যতি নিজং বপুঃ। সজ্জা করোতি গেহঞ্চ যা সা বাসক সজ্জিকা"— ইবেমা, নহাক লৈরম্মু, ঐ লাক্কনি, অসুন্না হাঙ্গনবদগী হাঙ্গনবা মফমদা চান্নবা লাক্কদবদা মহাক্কী হকচাং অমসুং সান্নগদবা য়ুম্ব মতিক ওকপা লৈতেংবা অত্বু বাসকসজ্জিকা কৌই, অসুন্না লৌখ লি। অমসু অত্নুগুম্বী নায়িকাগী চেষ্টা— অনুভাবতি "চেষ্টা চাস্যাঃ স্মরক্রীড়া সংকল্পোবত্ম বীক্ষণম্। সখীবিনাদ বার্ত্তা চ মুহুর্দুতীক্ষণাদয়ঃ।"— কামক্রীড়াবু খনবা, অসুম অসুম সান্নগে হাঙ্গবা-নচিংবা, লাক্কদবা লম্বেন এংবা, সখীগা বিলাপকী রা ঙাংনবা, হন্না ২ দূতিগী লম্বেন এংবা অসিনাচিংবনি। মহাভাবময়ী প্রেমবতী শ্রীমতী রাধিকাগী ইখ্বাইগা মান্নদবা মওং মতৌ অত্নু কবিনা শ্লোক অসিদা হাঙ্গরি, মাতুদি— বাসগৃহদা লৈরিবী ইবেমনা শ্রীকৃষ্ণবু উদ্রবদা ধ্যান তৌত্নুনা অসুম অসুম নিংসংখিবদগী ধ্যানগী মনুংদা শ্রীকৃষ্ণগা উনবদা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীহস্তনা ইবেমবু হেক শোকপদা মপান্দা ইবেমগী শ্রীঅঙ্গদা তু চুংথোক্লকই। মাত্নুবু "বিপুল পুলক পালিঃ" অসুন্না বর্ণন তৌরি। ধ্যান অত্নুদা ইবুঙোনা শ্রীমতীবু খুজিন্না শোকপদা মপান্দা ইবেমনা 'সী, সী" হাঙ্গববু (১) "স্ফীতসীংকারম্" অত্নুয়া বর্ণন তৌরি। ধ্যানগী মনুংদা ইবুঙোগা লোইনত্নুনা সান্নবগী নুঙাইবা অত্নুবু ইবেমনা আস্বাদন তৌবদা ইবেমগী থমোই মনুংদা 'স্তম্ভ' কোবা সাত্বিক বিকার ওইত্নুনা য়ুম্বীগুম্না ইপং পংথখিবা অত্নুবু (২) "অন্তর্জ্জনিত জরিম্" অসুন্না বর্ণন তৌই। অত্নুগা ধ্যান মনুংদা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীহস্তনা ইবেমগী নীবী থোক-পদা ইবেমনা খামত্নুনা "থাদোকউ থাদোকউ" হাঙ্গনা ঙাংবা মঙাংদি "কেশাধরাদিগ্রহণে মাদ মানাপি মানসে। দুঃখিতেব বহিঃ কুপ্যেদ্ যত্র কুট্টিমিতং তুতৎ।"— নায়কনা নায়িকাগী শম, চিনবাননচিংববু পাইরগা, মনুংদদি হরাউরবী নায়িকানা মপান্দদি ব্বারবা নুঙাইত্রবগী মতৌ শাত্নুনা সাওববু 'কুট্টমিত' কৌই। অসিগুম্বা হাবগী মতৌদা লৈরবী ইবেমনা ঙাংলকপা অত্নুগুম্বা রা অত্নু হাঙ্গদোক্লকপদা অকিবা, নুংশিবা, অরাবা অসিগুম্বনা পাল্লবা মীনা খোঞ্জেন হোংনা ঙাংবা রাঙাং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অঙ্গেষ্বাভরণং করোতি বহুশঃ পত্রেঽপি সঞ্চারিণি,
প্রাপ্তং ত্বাং পরিশঙ্কতে বিতনুতে শয্যাং চিরং ধ্যায়তি।

অঙ্গেষু (অঙ্গ পুম্নমক্তা) আভরণম্ (লৈতেংবু) বহুশঃ (য়াম্না) করোতি (তৌই) পত্রে অপি (পত্রনসু) সঞ্চারিনি (লেংলবদা) ত্বাম্ (নংবু) প্রাপ্তম্ (লাক্লবা ওইনবু) পরিশঙ্কতে (চিংনৈ) শয্যাম্ (শয্যাবু) বিতনুতে (শেমই) চিরম্ (কুইনা) ধ্যায়াতি (নিংই) ইতি (অসুন্না) আকল্প বিকল্প তল্পরচনা সংকল্প লীলাশত ব্যাসক্তা অপি (আকল্প—লৈতেংবা, বিকল্প—মণ্ডন মণ্ডন খনবা, তল্প-রচনা— উনানা ফমুং শেম্বা, সংকল্প — ইবুঙোগা অসুম্না উনবা হাঙ্গৈবনাচিংবা খনবা,

---

শ্রীরাধানা হন্না হন্না হকচাং থুদিংদা লৈতেং ময়াম, মাসি ফজ-বরা, মাসিদি ফজদে অসুম হাঙ্গৈদুনা লৌখোক-লৌশিন তৌদুনা শেংলি

অদুবু 'কাকু' কৌই। অদুগুম্বা কাকু খোন্দা ইবেমনা হাঙ্গৈরকপা অদুবু কবিনা— (৩) "কাকু ব্যাকুলং" অসুন্না বর্ণন তৌরি। পদ অহুম অসি ক্রিয়া বিশেষণ ওইনা লেংই। শ্লোক অসি মালিনী ছন্দনি, রাহৈনা রসবদ্ অলঙ্কারনি। মতাং অসিদা ইবেমগী অবস্থা অসি বর্ণন তৌবদা কবিনা তৌরিবা কল্পনাদি—ইবেমনা রসগী সমুদ্রদা লুপ্না অদুগী মরমদা সখীনা কৃষ্ণদা হাঙ্গৈ,— হে লৌনম চাউবা! ঈশিংদা তাদুনা শিগ-দোরবা মীনা মশা অপুম্বা তু চুংই. মচিন্দা ফুইনা ফুইনা সীৎ সীৎ কামই. তথক্ তথক্না পূকনিংদা মাগী অরাবদু থারদুনা হাঙ্গৈজে. মাদু-গুম্না শ্রীকৃষ্ণগী রসদা লুপ্লবী ইবেমগীসু মাদু পুম্নমক অদু তৌরকপা মওং অদুদা কবিনা শ্রীকৃষ্ণগী রসবু ঈশিংগী তুংনফম সমুদ্র ওইনা কল্পনা তৌরি, অদুগা ঈশিংদা লুপতুনা শিগদোরবা মীনা করিগুম্বা দৈবঘটনাদগী উগুম্বা সীংগুম্বা অম ফংলগা মাদু পাইদুনা হিংবগুম্না ইবুঙো মাগী ধ্যানদা উরিবা শ্রীমূর্ত্তি অদুগী বিলাসবু পাইদুনা ইবেমনা হিংহৌরি হাঙ্গৈবা ভাবনি।২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইত্যাকল্প--বিকল্প--তল্পরচনা--সঙ্কল্প--লীলাশত,
ব্যাসক্তাপি বিনা ত্বয়া বরতনুর্নৈষা নিশাং নেষ্যতি ।৩।
কিং বিশ্রাম্যসি কৃষ্ণভোগিভবনে--ভাণ্ডীরভূমীরুহি,
ভ্রাতর্যাহি ন দৃষ্টিগোচরমিতঃ সানন্দনন্দাস্পদম্ ।

অসিগুম্বা লীলা চামা চামাদা পুক্লিং চংলিবী ওইড়নস্থ) এষা (অসিগুম্বী) বরতনুঃ (ফজবী রাধা অসিনা) ত্বয়া বিনা (নহাক য়াওদনা) নিশাম্ (অহিংবু) ন ইষ্যতি (লেল্লরোই) ।৩।

ভ্রাতঃ (হে ইচিন ইনাউ লম-চৎপা !) কৃষ্ণভোগীভবনে (কৃষ্ণ-ভোগীগী লৈকম ওইবা) ভাণ্ডীরভূমীরুহি (ভাণ্ডীর বনগী উখোদা) কিংবিশ্রাম্যসি (করিগী পোথ্মারবগে—থারুনু) ইতঃ (মাসিদগী নাক্তা)

পত্র না লেংলগা ইবুঙো নহাক ওইরবোই নিংতুনা শয্যা শেমই, অতুগা মতম কুইনা ইবুঙো নহাকপু নিংতুনা লৈ, অসুম্না লৈতেং তৌবা মওন মওন খনবা, শয্যা শেম্বা, মাসুম মাসুম তৌগে নিংবা অসিগুম্বা লীলা চামা চামা তৌড়নস্থ সুন্দরী রাধিকানা ইবুঙো য়াওদ্রবদি অহিং অসি লেনবা ঙমলোই ।৩। *

হে লম-চৎপা, ইচিন-ইনাওসা! ভাণ্ডীরগী উখোং (বটমখোং) সিদি

---

* শ্লোক অসিদা হকচাংদা লৈভেংই, হাঙ্গৈবনা আকল্পনি, উনা লেং-লবদা নহাক লাক্লরোই নিঙি, হাঙ্গৈবনা বিকল্পনি, শয্যা শেমই হাঙ্গৈ-বনা শয্যা রচনানি, অতুগা মতম কুইনা নহাকপু নিঙ হাঙ্গৈবনা সং-কল্পনি। অসিগুম্বা বাসকসজ্জিকাবস্থা ওইরিবী নায়িকাগী অনুভাব ওইবা লীলাসীং অসি ইবেমনা তৌবতু সখীনা শ্রীকৃষ্ণদা তল্লি । অসুম অসুম্বা লীলা অসি চামা চামা তৌড়নস্থ নহাকপু য়াওদ্রবদি বিরহগী বেদনা মক্তনা অহিং লেল্লরোই, অসুম্না সখীনা খংহল্লি । শ্লোক অসি শার্দ্দূল বিক্রীড়িত ছন্দনি. অলঙ্কারনা সমুচ্চয়নি ।৩।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রাধায়াবচনং তদধ্বগমুখান্নন্দান্তিকে গোপতো,
গোবিন্দস্য জয়ন্তি সায়মতিথিপ্রাশস্ত্যগর্ভাগিরঃ ।৪॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যে বাসকসজ্জাবর্ণনে
ধৃষ্টবৈকুণ্ঠো নাম ষষ্ঠঃ সর্গঃ ।

—ঃ—

দৃষ্টিগোচরম্ (উরিবা) সানন্দনন্দাস্পদম্ (নুঙাইবনা তিনবা নন্দগী আলয়দা) যাহি (চৎলু) নন্দান্তিকে (নন্দগী নাক্তা) অধ্বগমুখাৎ (লমচৎপগী মাচন্দগী ওইরকপা) রাধায়াঃ বচনম্ (শ্রীরাধাগী য়াথংবু) গোপতঃ (লোৎলিবা) গোবিন্দস্য (শ্রীকৃষ্ণগী) সারম্ (নুংদাংরাইদা) অতিথিপ্রাশস্ত্যগর্ভা (অতিথিদা চংবিরকউ হাঙ্গৈবনাচিংবা তরাম তরান্না রাহৈ মনুংদা ফুমল্লিবা) গিরঃ (য়াথং থিবিকনা) জয়ন্তি (পুন্নমক্তুগী থোইদোক হেন্দোক্লা লৈরি) ।৪।।

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা বাসকসজ্জাবর্ণনদা
ধৃষ্টবৈকুণ্ঠঃ কৌবা তরুকস্তুবা সর্গ লোইরে ।

—।—

কৃষ্ণভোগী (লীন অমুবা অর্থ অমদা রতি সান্নবা শ্রীকৃষ্ণগী) ময়ুমনি, করি তৌহুনা মাহুদা পোত্থারুবগে ? ঐঙোন্দা অসিদগী থরদং চৎলগা লৈবা এংথোকপদা উরিবা নুঙাইরবা নন্দগী আলয়দা চৎলু, অস্তুন্না শ্রীরাধানা হাঙ্গৈরকই হাঙ্গৈনা লমচৎপা অতিথিসীংনা নুমিদাংয়াইদা তথ্বা পাউভারগা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী সঙ্কেতনি হাঙ্গৈবা নন্দনা থংথিগনি হাঙ্গৈনা ইকাইহুনা তাহল্লোইদবগী অরাকপা মীসীং অহুবু চংবিরকউ , ফম্বিরো হাঙ্গৈনা তরাম তরান্না ঙাংবা য়াথংগী মনুংদা শ্রীরাধাগী সঙ্কেতবচন অহু য়ানসিনহন্দুনা ঙাংবা শ্রীকৃষ্ণগী য়াথংনা জয় ওইরি ।৪। *

মতাং অসিদা শ্রী গীতগোবিন্দ মহাকাবাদা বাসকসজ্জাবর্ণনদা
ধৃষ্টবৈকুণ্ঠঃ কৌবা তরুকস্তুবা সর্গঃ লোইরে ।

—০—

* ভাবতি ইবেমগী বাসকসজ্জিকাগী অবস্থাদা ব্বারিবা অব্বাবহু বর্ণন

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তৌরুবদা মাস্থ 'ব্বারবা কবিনা সর্গ লোইবা ফোংদোকপা শ্লোক্তা বাসক সজ্জিকা ওইদ্রিবঙৈগী মমাংদা ইবেমনা সঙ্কেত তৌরকপা মফম শ্রী-কৃষ্ণনা খংলগা তৌবা মওং অতু থারতুনা আশীব তৌরি, মাতুদি—ইবেমনা মুমিৎ অতুদা ভাণ্ডীর বনগী বট মখোংদা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নগে হাঙ্গৈনা নিংলে, চুন্নগী অচৎপা মীনা উখোংদা পোথারম্বা উবদা হাঙ্গৈ "হে ভ্রাতঃ! ভাণ্ডীরগী উখোং অসিদি 'কৃষ্ণভোগীগী' মফম'ন, ফমলু-গন্নু, অসিদগী খজিক্তং চৎলগা লৈবা মুডাইরবা নন্দগী আলয় অসিদা চংলু" অম্সুম্না হাঙ্গৈরকই। মাতুদা লমচৎপাসীংনা কৃষ্ণভোগী হাঙ্গৈবদি লীন অমুবগী মথুন লৈ, হাঙ্গৈবা ওইনা ভাতুনা চৎখ্রগা নন্দালয়দা চৎখিতুনা ব্রাহৈ অতু হাঙ্গৈরকই। মাতু তারগা শ্রীকৃষ্ণনা খংই, লম চৎপদা চেল্লকপা পার্উনি, লম·চৎপনা লীন অমুবগী মফমনি হাঙ্গৈনা ভাব লৌবতনি। শ্রীকৃষ্ণভোগগী মফমনি, হাঙ্গৈবদি কৃষ্ণগী রতি-বিলাস তৌফমনি, হাঙ্গৈবনি অম্সুমনা খংলে। শ্রীকৃষ্ণনা মাসিমাস্থ খংলে মাতুদি— ঙসিদি ভাণ্ডীরগী বট মখোংদা সঙ্কেত তৌরকপনি হাঙ্গৈবস্থ খংলে। অসিগুম্বা সঙ্কেতবচন অসি লমচৎপাসীংনদি খংদতুনা নন্দগী নাক্তা হাঙ্গৈবতুদা করিগুম্বা নন্দনা খংখিগদ্রা ?— হাঙ্গৈনা ইকাইতুনা লম·চৎপাসীংগী ব্রা অতু তাহল্লোইদবগী 'অসোমদা চংবিরকউ, লৈবিয়ু' হাম্বৈনাচিংবা য়াথংনা মাখোইগী ব্রা অতু তাদনবা ঙাংবা শ্রীকৃষ্ণনা জয় ওইরি, হাঙ্গৈবদি—"মেঘৈ……" অহানবা শ্লোক্কী ব্যাখ্যাদা হাঙ্গৈ-বগুম্না জয় ওইবগুম্না জয় ওইরসন্নু হাঙ্গৈবনি ।৪।।

মতাং অসিদা ধৃষ্টবৈকুণ্ঠঃ কৌবা তরুকস্থবা সর্গ লোইরে।

—।—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্

সপ্তমঃ-সর্গঃ।

—:—

(নাগর নারায়ণ)

অত্রান্তরে চ কুলটাকুল বর্ত্মপাত,
সঞ্জাতপাতকইব স্ফুটলাঞ্ছন-শ্রীঃ।
বৃন্দাবনান্তরমীপয়দংশুজালৈর্দিক্সুন্দরী বদন চন্দন বিন্দুরিন্দুঃ।১॥

অত্রান্তরে চ (মাসিগী মরক্তা) কুলটাকুল-বর্ত্মপাত সঞ্জাতপাতকঃ ইব (ওক্তবী নুপীসীংগী লম্বেল থিংবদগী ওইরকপা পাপনা তিল্লবাগুম্বা) স্ফুটলাঞ্ছন শ্রীঃ (ফেংদোক্লবা অমকপগী নিংথিজবনা ওইবা) দিক্সুন্দরী বদন চন্দনবিন্দুঃ (মাইকৈ কৌবী ফজবী নুপীগী মাইপক্তা থিনবা চন্দন বিন্দু ওইবা) ইন্দুঃ (থানা) অংশুজালৈঃ (মঙানগী মপৈ খিবিকনা) বৃন্দাবনান্তরম্ (বৃন্দাবনগী মনুংবু) অদিপয়ৎ (ঙালহনখি) ।১।।

মরক অসিদা নোংপোক মাইকৈদা থা থোরক্লে, থা মহাক্তি মাসুম তৌদুনা মহাক্লা থোক্লগা ওক্তবী নুপীসাংনা মাখোইগী লোল্লা চান্নবগা হাঙ্গনা-সিংনথিবা মফমদা চৎপগী লম্বেনবু ঙালহন্দুনা থুগাইরুবগী পাপনা মশাদা লৈবগুম্রবা, অদুগী পাপ অদু লৈবগী হৌনবী মশাদা খুদম পানবগুম মমাইদা মাইহিং থুংবগী নিংথিজবনা তিল্লবনি, অদুগুম্বা থা অদুনা নোংপোক পানথোইবীগী মরাইপক্তা থিনবা চন্দন বিন্দুগুম নিংথিজনা মাগী মঙান ময়াম্না বৃন্দাবন মনুং পুন্নমকপু পুমঙান ঙান্হনখরে ।১।। *

---

* মানিনী ওইবী নুপীগী মান মাংহনবা তাংথক্ নাইদবা মকোইনা মপুম ফারবা থানা নোংপোক মাইকৈদা থোরকপা অদু কবিনা বর্ণন

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রসরতি শশধরবিম্বে বিহিতবিলম্বে চ মাধবে বিধুরা।
বিরচিতবিবিধবিলাপং সা পরিতাপং চকারোচ্চৈঃ ।২।

শশধরবিম্বে (থানা) প্রসরতি (থোক্লবদা) মাধবে (শ্রীকৃষ্ণনা) বিহিত বিলম্বে চ (থিল্লবদা) বিধুরা (ৱারবী) সা (রাধানা) বিরঃচিত বিবিধ বিলাপম্ (মখন মখা য়াম্না তেংথাহুনা) উচ্চৈঃ (থোইদোক্না) পরিতাপম্ (পরিতাপপু) চকার (তৌখি) ।২।

থানদি নোংপোক মাইকৈদগী মথং মথং কাখৎলক্লবা শ্রীকৃষ্ণনদি ইরেং লেংলকত্রবদা ৱারবী শ্রীরাধানা মখা মখা য়াম্না তেংথারহুনা থোইদোকনা ৱাখি ।২।। *

তৌখি,— মথক্কী সর্গদা কবিনা শ্রীরাধিকাগী বাসক সজ্জাস্থা বর্ণন তৌহুনা হুন্দক্কী সর্গ অসিদা মথং অবস্থা বিপ্রলব্ধাবস্থা হাঙ্গৈরক্কদৌরি। চান্নবীনা মাগী চান্নবগী সঙ্কেতস্থলদা ভাইবদা চান্নবনা লাক্তরবদা মাহুগী দমক উৎকণ্ঠা তোরিবী নুপী অহুগী মহাক্লা তৌরিবা থৌরাং, আশা, অপুম্বা কাইরহুনা নিরাশা ওইরকপা অহুবু বিপ্রলব্ধা কৌই। মাহুদি থোওইদবা, স্বর ফুইনা ফুইনা হোনবা, পুক্লিং চাকপা, ৱা অরেম্বা ভাংবা (প্রলাপ), কিবা, সখীবু চৈবা (তিরস্কার), ৱাখল ভৌবা, পিভাবা, লৈপাক্তা ভুহুনা লৈবা, অসিনাচিংবা অনুভাবসীং অসি বিপ্রলব্ধাবস্থাদা নুপীনা তৌই। কবি জয়দেবনা সর্গ অসিদা শ্রীরাধাগী বিপ্রলব্ধাবস্থা পুথোক্লিবা অসিগী ফিদমদগী মতুংগী বৈষ্ণব কবিসীংনা মাথুর লীলাদা বিরহোৎকণ্ঠিতা শ্রীরাধাগী অৱাবামক্তগী মশক ওইবা ভাব ময়াম অহু লোই, মরমদি বিরহদা উন্মাদবতী শ্রীরাধাগী ভাব অপুম্বা মুনা মভাং অসিদা কবিনা ফোংদোকপনি। অহুগুম্বা অবস্থা অহু হাঙ্গৈগদবগী দমক শ্লোক অসিনা বসন্ততিলক ছন্দদা রূপক অমসু উৎপ্রেক্ষানে অলঙ্কার অনিগী ৱাহৈদা উদ্দীপন বিভাব ওইনা থাবু হাঙ্গৈরি ।১।।

* অহানবদদি মফম অহুদা শ্রীকৃষ্ণ লেংলক্কনি, হাঙ্গৈনা থাজরমই,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মালব-রাগ যতি তালাভ্যাং গীয়তে।

কথিতসময়েঽপি হরিরহহনযযৌ বনম্,
মম বিফলমিদমমলরূপমপি যৌবনম্।
যামি হে কমিহ শরণং সখীবচনবঞ্চিতা ॥ ধ্রুবম্ ।১॥

হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) কথিত সময়ে অপি (সখীনা ঐঙোন্দা হাঙ্গৈবা মতম অতুদাসু) বনম্ (সঙ্কেত নিকুঞ্জদা) ন যযৌ (লাকখিদরে) অহহ (ওস্থোকইদা) মম (ঐগী) ইদম্ (অসিগুম্বা) অমলম্ (মকত্রবা) রূপম্ (রূপ) যৌবনম্ অপি (যৌবনসু) বিফলম্ (অরেম্বা ওইরে) হে (প্লুক্লিংদা খনববু কৌবনি 'এ') ইহ (মাসিদা) সখীবচন বঞ্চিতা (সখীগী বচননা তাৎ ভৌহনা নমহুৎপীরবী ঐনা) কম্ (কনাদা) শরণম্ গচ্ছামি (চংজসিবা) ।১॥

সখীনা হাঙ্গৈবা মতমদসু শ্রীকৃষ্ণদি লেংলকখিদরে, ওস্থোকইদা! রাধা কৌবী ঐগী মথোৎ-কারকপা মতম অমসু ইশক অঙ্কক নিংথি-জবা অসি অয়েম্বা ওইরেদো, এঃ সখীনা ঙাংবনা নুক্কৎলবী ঐনা হুজিক্তি কনাদা চংজগিবা ।১। *

মথংদনা লেংলকত্রেনা করিননো ? নিংলমই। মাতুগী তুংদদি থা পো-রল্লবতুদা শ্রীবৃন্দাবনগী মফম পুম্নমক মঙ্গোম অনৌবগী সমুত্রনা পাথ-রকপাগুম্না থাবলনা ইঙাল ঙাল্লক্লবদা শ্রীকৃষ্ণনা মী উহন্দনা লোননা অভিসার তৌরক্কনি হাঙ্গৈবা আশা লৈতরে, অতুনা ইবেমনা খল্লু খল্লু-রগা খাংবা ঙমত্রবী ওইরতুনা কল্লকই, অসুম হাঙ্গৈবনা শ্লোক অসিগী ভাবনি। মাসি আর্যাগীতি ছন্দনি, অসুন্না থংনগনি ।২॥

* সখীনা মফম অতুদা, মতম অতুদা শ্রীকৃষ্ণ লেংলক্কনি, হাঙ্গৈনা তাকপতু ওইখিদ্রে, মাতুবু ঙাইহরিঙৈদদি ঐগী থরাই অসিনা ইবুঙোগী বিরহগী যেদনা অতু খাংবা ঙম্নমই, হুজিক্তি মুঙাইবা ফংবদি থল্লহুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

—অরাবা অতুমকপু ফংজবা ওয়োইদৌরে, ঐগী থরাই অসিনা হুকচাং আস হুঞ্জেক্লগনি, অতু ওইরবদি ঐগী মথোৎ-কারকপা যৌবন অমসু ফজরবা ঐগী শক পুন্নমক অসি অরেম্বদা মাংহৌরনি, হাঙ্গৈবঃ ভাবনি। অর্থাৎ— রাধা কৌবী ঐগী রূপ যৌবন অসিদি শ্রীকৃষ্ণগী দমকনি, শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবভা হাঙ্গৈতুনা ঐনা ঐগী রূপ, যৌবন অসি পুবনি। শ্রীকৃষ্ণনা অসিবু থৌজানবিতুনা লৌবিত্রবদি অরেম্বা ভারে, হাঙ্গৈবা নত্তে, ইবেমনা হাঙ্গৈরি,— ইবুঙো মহাক্কী পেন্নবতা হাঙ্গৈতুনা ঐনা পুরিবা ঐগী রূপ, যৌবন অসি ইবুঙো মহাক হুজিক লেংবিরকত্রবদি ঐনা বিরহগী অরাবতু খাংবা ঙমদ্রতুনা শিরানি, অতু ওইরবদি শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা থম্লিবা ঐগী রূপ, যৌবন অসিসু থাম্বা হুকচাংদদি ফজবদি থম্লতুনা অশিবা অতুগী মথক্তা অমাংবা— অমঙ্গলগী মশক ওইতুনা শ্রীকৃষ্ণনা লৌবিররোই, অরেম্বদা মাংলগনি। মাংখ্রিবা ঐগী রূপ, যৌবন অতুদি ঐগী লন নত্তে শ্রীকৃষ্ণগী লননি, ইবুঙো মাগী মরল অসি রাধা কৌবী ঐনা শাস্তবতনি, অসংবা ঐনা ইবুঙোগী মরল্ অসি সংবা ঙমদতুনা শিরবদি সংবিনবা লৈত্রদ্রনা মাংখিবতু ঐনা মাংহনবা থোক্লে, অতুনা মপুগী মরল্ মাংহনবা মনাইনা ফংবা হৌনবা দোষ অতু রাধা কৌবী ঐনা ফংহৌরনি, হাঙ্গৈবা অসিনা অনুধ্বনিনা ফংহনবা অর্থনি। মাসিদা ইবেমগী ভাব অসিদা মীচমগী অপাঙ্গা কাম হাঙ্গৈবতু মনম ফাউবা য়াউদে। অচম্বী তুপী ওইরবদি অইগুম্বী তুপীনা হাঙ্গৈগদবদি মিতৈ কবিসীংনা লেংলমই, মাতুদি,—"চংদা শাৎপা ইভেললৈ, চিন্নদনা কেনথিবা পামুইএ" অসিনাচিংবা কবিভাসি অফাউবা কবিগী নিতৈ ঙ্গশৈ অফাউবনি। মাসিগী ভাবতি ভারততা চৎনরকপা অমা লৈ, মাতুদি— কনা কনাগুম্বা অঙাং তুপীগচা নিংথৌনা য়োকই, মাখোই অতু মপা মমা মশক থংদে। নিংথৌগী কোন্নুংদা চাউরকতুনা অতুমক লৈরিবনি, মাখোইনা নিংথৌগী মচানুপীগী মতা সখী ওইতুনা লৈ। মাখোই অতুবুসু মিতৈরোনদা নিংথেমতুবী হাঙ্গৈরপসু মথংনৈ। অহগুম্বী তুপী অতুনা শক-চুদা, ফজবা নিংথিবা নিংথৌগী মচানুপীগা চপমান্ননা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

যদনুগমনায় নিশি গহনমপি শীলিতং।
তেন মম হৃদয়মিদমসমশরকীলিতম্। যামিহে০ ।২॥
মম মরণমেব বরমতিবিতথকেতনা।
কিমিহ বিষহামি বিরহানলমচেতনা। যামিহে০ ।৩॥

যদনুগমনায় (মহাক্কী তুংইনবগী দমক—থানদবগী দমক) নিশি (অহিংদা) গহনম্ অপি (শুক্লবা বনমকপুস্থ) শীলিতম্ (এনা সেবন ভৌরে বন মনুংদা লাকতুনা লৈরে) তেন (অদুগুম্বা কৃষ্ণনা হেতু ওই-বনা) মম (এগী) ইদন্ (অসিগুম্বা) হৃদয়ম্ (থমোইবু) অসমশর-কীলিতম্ (কামগী তেন্না থাদুনা ব্রাহল্লে) ।২॥

মম (ঐগী) মরণম্ এব (শিবমক্তনা) বরম্ (অফবা ওইরে) ইহ (অসিদা) অতিবিতথকেতনা (অরেম্বা হকচাং ওইরবী) অচেতনা

ইবুঙো নহাক্কী তুংইন্দুনা কাইনবগী দমক্তা অহিংদা অসুক শুক-খরবা বন অমিদা ঐনা লাব্র অদুগা ইবুঙো নহাকনা ঐবু এংবিদদুনা হুজিক্তি এগী থমোই অসিবু কামগী তেন্না থাদুনা ব্রাহল্লে ।২।

অদুপ য়াম্না ব্রাবা মৈচাক অসি খাংববুদি এগীদ শিথিবনা হেন্না

ফজবা মাখোইনবু হেন্না ফজবীম্থ য়াওরকই, অদুমাদ ওইরগা মাখোইবু ফজৈ হাঙ্গদুনস্থ খোইমুনা লৈহাউগী লৈহৌ চুপ্তবগুম কনাগুম্বগী প্রেমগী তুংনফম ওইনদে। অদুগুম্বী নুপী অদুনা মাখোইগী রূপ যৌবন অদুনা অরেম্বদা মাংখিবা অদুগী মরমদা থাদুনা শকপা ঈশৈনি। নুপী অদুনা নিংথৌ মাকোন্নুংবু মওইবনা চংবা ঙমদবা, অদুগা মীনম্থ ইউ উবা মফম অদুবু চিংগা পান্দম্নরি। মহাকপুনা ইঙেনদা শাৎপা ইঙেললৈগা পান্দম্নবনি; মাসিদি অচম্বী নুপীগী কাম-পীড়ানা ব্রাদুনা ঙাংবনি। অসিগুম্বা লৌকিক প্রেম অসিদগী ইবেমা শ্রীমতীগী প্রেমগী খেন্নবা অদু পাঠকসিংনা উবিনবা মতাং অসিদা খুলঙ ঈশৈ অমা লৌখৎপা অসিদা এখোইবু ঙাকপীয়্ম ।১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মামহহ বিধুরয়তি মধুরমধুযামিনী।
কাপি হরিমনুভবতি কৃতসুকৃতকামিনী। যামিহে০ ।৪॥
অহহ কলয়ামি বলয়াদিমণিভূষণম্।
হরিবিরহদহনবহনেন বহুদূষণম্। যামিহে০ ।৫॥

(জ্ঞান মাংলবী ঐনা) বিরহানলম্ (বিরহগী মৈবু) কিম্ বিষহামি (করম্না খাংবা ঙমগবা ?) ।৩।

মধুর মধুযামিনী (নিংথিজরবা বসন্তগী অহিং অসিনা) মাম্ (ঐবু) অহহ (ওন্তোকইদা) বিধুরযতি (রাহল্লি) কাপি (কনাগুম্বী) কৃতসুকৃতকামিনী (পুণ্য তৌরকপী নুপীনা) হরিম্ (হরিবু) অনুভবতি (অনুভব তৌই—শ্রীকৃষ্ণগা লোইনরূনা নুঙাইবা ফংলি) ।৪।।

অহহ (ওন্তোকই) বলয়াদি মণিভূষণম্ (বলয়ানাচিংবা মণিগী লৈতেংব) কলয়ামি (ঐনা শিরি) হরিবিরহদহন বহনেন (হরিগা

ফরে, মরমদি শ্রীকৃষ্ণনা এংবিদ্রহুনা কান্নদ্রবা হকচাং ওইবী, ঐহাক্না বিবহুনা রান্নুনা জ্ঞান মাংহুনা লৈরগা কাইনবগী মৈচাক খাংবনা করি কান্নগনি ।৩। *

ওন্তোকইদা! অসুপ নিংথিরবা বসন্তগী অহিং অসিনা রাধা কোবী ঐবুদি অরাবা পীরে. অসিগুম্বা মতম অসিদা কনাগুম্বী লাইপকফবী নুপীভনা শ্রীকৃষ্ণগা নুঙাইর ।৪।।

ওন্তোকইদা ঐনা মাগনা সাবা বলয়ানাচিংবা লৈতেং অপুম্বা শিরে,

---

* ঐনা বিরহগী মৈনা চাকতুনা জ্ঞান য়াওদনা শিবগুম্না লৈহুনা শ্রীকৃষ্ণনা এংবিদ্রবা হকচাং অসি পুহুনা কাইনবগী মৈচাক অসি খাংলগা করি কান্নগনি. মাম্নম্না খাংলগা শ্রীকৃষ্ণনা এংবিরনি হাঙৈরবদি কান্নগদবনি। অহুনদি শ্রীকৃষ্ণনা এংবিগদবা লৈত্রবনিনা শিজাখবনহুম ঐগীদি ফরগনি হাঙৈবা ভাবনি ।৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কুসুমসুকুমারতনুমতনুশরলীলয়া ।
স্রগপি হৃদি হন্তি মামতিবিষমশীলয়া । যামিহে০ ।৬॥
অহমিহনিবসামি ন গণিতবনবেতসা ।
স্মরতি মধুসূদনো মামপি ন চেতসা । যামিহে০ ।৭॥

কাইনবগী মৈবু পুবা অসিমক্তনা) বহুতুষণম্ (থোইদোক্সা ফত্তবা ওইরে) ।৫।।

স্রগ্ অপি (লৈপরেংমকুস্থ) অতিবিষমশীলয়া (থোইদোক্সা ওন-থোকপা লীচৎ ওইবা) অতনুশরলীলযা (কামগী তেনগী লীলানা মরম ওইত্তুনা) কুসুমসুকুমারতনুম্ (লৈদগী হেন্না নৌবা হকচাংনা ওইবী) মাম্ (ঐবু) হৃদি (থমোইদা) হন্তি (পীড়া তৌই) ।৬।

ইহ (অসিদা) ন গণিতবনবেতসা (বন, লীনচিংববু সিংথারুদ্রবী) অহম্ (ঐনা) নিবসামি (লৈ) মধুসূদনঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) চেতসা অপি

মাখোই পুন্নমক অসি হরিবিরহগী মৈচাক অসনা মরম ওইত্তুনা ফত্ত-নবা ওইখরে ।৫।। *

তুজিক্তি অস্তুক নৌখবী লৈপরেং অসিমকুস্ম লৈদগী হেন্না নৌবী হকচাং ওইবী রাধা কৌবী ঐবু থমোইদা কামগী তেনগী লীলানা থাত্তুনা ব্রাহল্লে, তেন অসিগী লমচত্তি ওন্থোকপনি, মহাকনা মপান্দা থমোইদি থিনগাইদনা মনুংদা চংত্তুনা ৱাহনবনি ।৬।। †

ঐনা বন অমস্ত বনদা হৌরিবা লীনচিংববু খল্লদনা বন অসিদা

---

* তুপী ওইবী হাঙবা অসিগীদি হকচাংদা লৈতেংবা হাঙবাসিদি চান্নবগা উননবগী দমক্তনি, চান্নবনবু এংবিত্রবদি পুন্নমকতু অরেম্বনি, মাত্তুনা চুন্নগী অরেম্বতা ওইজখিবতা নত্তনা ঐগী রাননবগী মশক ওইররে ।৫।।

† কামগী তেন হাঙবাসিগী পাঙনদি ওন্থোকপনি ! মপান্দদি করি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরিচরণশরণ জয়দেবকবিভারতী।
বসতু হৃদিযুবতিরিব কোমলকলাবতী। যামিহে০ ।৮॥
তৎ কিং কামপি কামিনীমভিসৃতঃ কিংবা কলাকেলি-
ভির্বদ্ধোবন্ধুভিবন্ধকারিণি বনাভ্যর্ণে কিমুদ্ভ্রাম্যতি।

(পুক্লিংনস্থ) মাম্ (ঐবু) ন স্মরতি (নিংসংদে) ।৭॥

হরিচরণশরণ জয়দেবকবিভারতী (শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণদা চংজরিবা জয়দেবগী য়াথং অসিনা) কোমল কলাবতী (তনৌ তনৌবা কলাবিদ্যানা তিনবা) যুবতীঃ ইব (যুবতীগুমনা) হৃদি (থমোইদা) বসতু— (লৈসন্থু) ।৮॥

যৎ (মরম অদুদগী) কান্তঃ (চান্নবনা) সঙ্কেতীকৃতমঞ্জুল-বঞ্জুল-লতাকুঞ্জে অপি (সঙ্কেত তৌখ্রবা, নিংথিজরবা বঞ্জুলতাগী কুঞ্জদা) ন

ইবুঙো মহাকপু ঙাইহনা লৈরি, অদুগা শ্রীকৃষ্ণনদি পুক্লিংতনস্থু ঐবু নিংসংবিদরে ।৭॥

শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীচরণ অনিদা চংজরিবা জয়দেবগী য়াথং অসিনা তনৌ তনৌবা কলানা তিল্লবী যুবতীনা তৌবগুন্না হৃদিদা লৈসনু ।৮॥

ঐগী চান্নবা শ্রীকৃষ্ণনা সঙ্কেত তৌখ্রবা নিংথিজবা বঞ্জুল লতাগী

—অমস্তা হোগাই-থিনগাইবা লৈতে, অদুগা থমোই মনুংতদা থিঙ্গাই-রুবনি। শ্রীরাধানা ইবেমা মহাক্কী লৈপরেং অদুদা থল্লি,—অসিগুম্বা কামগী তেনগী থৌদো অসি লৈপরেং অসিনা তৌরে, অদুনদি লৈ-পরেং অসি শোইদনা কামগী তেন ওইরগনি অমুন্না নিংই। অমস্ত লৈপরেং অসি য়ান্না থোৎলি অমস্থ মেংই, অদুগা মহাক্না ঐগী হক-চাংবু রাহল্লি। মাসিগী মরমদি ঐগী হকচাং অসিনা লৈদগী হেন্না থোৎপা ওইরে, মাঙোন্দগী হেন্না থোৎপবু রাহনবদি হৌনবীনি, অসুম নিংহুনা "কুসুমসুকুমারতনুম্" অসুমনা ইবেমনা হাঙ্গ ।৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কান্তঃ ক্লান্তমনা মনাগপি পথি প্রস্থাতুমেবাক্ষমঃ,
সঙ্কেতীকৃত মঞ্জুলবঞ্জুললতাকুঞ্জেঽপি যন্নাগতঃ ।৩॥

আগতঃ (লাক্লে) তৎ (মরম অদুদগী) কাম্ অপি (কনাগুম্বী) কামিনীম্ অভিসৃতঃ (কামিনী অমদা অভিসার তৌখ্রবরা) কিম্ (করি-ননো ?) বন্ধুভিঃ (সখাসিংনা) কলা কেলিভিঃ (সান্নবগী কলা কেলী-সিংনা) বদ্ধঃ (ফাপ্রবরা ?) কিম্ (করিনো) বনাভ্যর্ণে (সঙ্কেত তৌখ্রবা বন মনাক্তা) অন্ধকারিনি (অমম্বদা) উদ্‌ভ্রাম্যতি (লম্মুক্লবরা ?) ক্লান্তমনাঃ (ঐগী বিরহনা ৱারবা চান্নবনা) পথিঃ (লম্বেন্দা) মনাগ্ অপি (খজিক্কম্ম) প্রস্থাতুম্ (চৎকদবগী দমক) অক্ষম এব (ঙমদ্র-বরা ?) ।৩।।

কুঞ্জদা লাক্তবা অসি করিননো ? কনাগুম্বী কামিনী অমগী মনাকতা শ্রীকৃষ্ণনা অভিসার তৌখ্রবনরা ? নত্রগা সখাসীংনা সান্নদুনা ফাদুনা থমই-বনরা ? অদুগা করিগুম্বা বন মনাক অসিদা অমম্বা অহিংদা লম্বেন থংদ্রহনা ঙকদুনা লৈরবনরা ? মাসি পুন্নমক অসি ওইরম্লোই, ঐগী চান্নবা ইবুঙো অদুনা ঐগা কাইনবাদুদা ৱামনখিদুনা লম্বেন্দা খজিক্কম্ম চৎপা ঙমদ্রদুনা লৈরম্নগনি, অদুনা লাকত্রবরা ? ।৩।। *

---

* শ্লোক অসি শার্দ্দূল বিক্রীড়িত ছন্দনি, অলঙ্কারনা সংশয়নি। মাসিগী ভাবতি শ্রীমতী রাধিকানা শ্রীকৃষ্ণদা ওইবা অনুরাগ অমসু লেংদ্রবা বিশ্বাস অদুগী নিংথিজবা অদু হাঙ্গৈরি। ইবেমনা খল্লি, ঙসি শ্রীকৃষ্ণনা সঙ্কেতস্থানদা লেংলক্তবা অসি করিননো ? অসুম্না থিদুনা লেংলক্তবা য়াবা কারণ ময়াম অদু মথং মথং থুগাই থুগাইদুনা থিবদা ইবেমনা ইরোই লোইবদা এঃ মাসিনা ওইরে, হাঙ্গবদু লেপ্লি, মাদুদি কনাগুম্বী লাইপকফবী নুপী অমগী নাক্তা অভিসার তৌখ্রবরা ? নত্তে সখা ময়ামগা সান্নবনা চখোকপা য়াদ্রদুনা লাকত্রবরা ? নত্তে, বন মনাক্তা অহিংগী অমম্বনা লম্মুক্লদুনা তৌরবরা ? নত্তে, অসুম্না মথং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অথাগতাং মাধবমন্তরেণ সখীমিয়ং বীক্ষ্য বিষাদমূকাম্ ।
বিশঙ্কমানা রমিতং কয়াপি জনার্দ্দনং দৃষ্টবদেতদাহ ।৪॥

অথ (অতুগী তুংদা) ইয়ম্ (শ্রীরাধানা) মাধবম্ অন্তরেণ (শ্রীকৃষ্ণ য়াওদনা) আগতাম্ (লাক্লবী) বিষাদমুকাম্ (রাবনা ব্রাঙাংদ্রবী) সখীম্ (সখীবু) বীক্ষ্য (উরতুনা) জনার্দ্দনম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) কয়া অপি (কনাগুম্বী নুপী অমগা লোইননা) রমিতম্ (সান্নখরে হাঙ্গনবু) শঙ্কমানা (চিংনরবী ওইহুনা) এতৎ (হাঙ্গগদৌরিবা অসিবু) দৃষ্টবৎ—(উরবগুন্না—করিগুম্বা অমবু সংসংনা উরগা হাঙ্গবগুম্না)আহ (হাঙ্গ) ।৪।

অতুগী মতুংদা শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণদ য়াওদনা লাক্লবী রাবনা ব্রাঙাংদ্রবী সখীবু উরগা শ্রীকৃষ্ণদি কনাগুম্বী অমগা সান্নমিন্নথ,বোইরে অম্মমনা চিংনরহুনা মথাদা হাঙ্গগদৌরিবা অসি উরুরতুনা হাঙ্গবগুন্না হাঙ্গ ।৪॥ *

—মথং কারণ ময়াম অহু এংলুরগা অকৈতব প্রেম লৈবগীদি প্রেম অহুনা ঙাল্লবা থাওমৈ ওইহুনা নিংলিবা থমোইগী লকান্নংদা লৈরিবা পুকনিং অহু ইঙান ঙাম্না উনৈ। মাহুগী মরমদা পাঠকসিংনা সন্দোকপা ব্যাখ্যা পাবিনিংবসিংনা শ্রীভাগবতকী গোপীগীত ব্যাখ্যাদা গোস্বামীপাদসিংগী ব্যাখ্যাদা উবিরিনি। মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী হ্লাদিনীগী সার ওইবী মহাভাববতী ওইবী প্রেমময়ী শ্রীরাধানা মতম অহুদা শ্রীকৃষ্ণনা সঙ্কেতকুঞ্জদা লেংলক্তবা অতুবু ইবেমা মহাক্কী বিরহগী মৈনা য়াম্মন্দুনা লেংলকপা ঙমদ্রবনি, হাঙ্গনা অনুমান তৌরি, মাহু থাঙ্গেমকশেংনা প্রেমবতীনা খনগদবমক্কি। মাস্থন্না চান্নবনা লাকত্রবদা—লাক্তবগী কারণ ময়াম খনবা অসি উৎকণ্ঠিতা যুবতীগী হৌনবীনি, অস্থন্না রসশাস্ত্রনা হাঙ্গ ৩॥

* শ্লোক অসি উপেন্দ্রবজ্র ছন্দনি। মহাক্না হাঙ্গরিবা ভাবতি—হল্লক্রবী সখীগী অৱাবহু ইবেমনা উরগা শ্রীকৃষ্ণদি য়াওরক্তরে, অহুগা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বসন্ত-রাগ যতি-তালাভ্যাং গীয়তে।

স্মরসমরোচিত বিরচিতবেশা, গলিতকুসুমদরবিলুলিতকেশা।
কাপি মধুরিপুণা বিলসতি যুবতিরধিককগুণা। ধ্রুবম্ ।১॥

স্মরসমরোচিত বিরচিতবেশাঃ (কামগী লান্দা শেৎকদবদা মতিক-চাবা বেশনা লৈতেংলবী) গলিতকুসুমদরবিলুলিতকেশ (লৈ নান্থোক-লবা অমসু খর খর হাঙ্গৈ-জুম্নবা শমনা ওইবী) অধিকগুণা (এৗভোন্দগী হেন্না গুণ চেনবী) কাপি (কনাগুম্বী) যুবতিঃ (যুবতীনা) মধুরিপুণা (শ্রীকৃষ্ণগা লোইনত্তুনা) বিলসতি (সান্নরি) ।১॥

কামগী লানফমদা শেৎকদবা ফীজোন্না লৈতেংলবী, সমজিদা থেৎপা লৈনা নান্থোকত্তুনা নঙ্গন্দা শমনা হাই-হুম্নবী, রাধা কৌবী ঐবু হেননা মগুণ চেনবী কনাগুম্বী যুবতী অমনা মধুগী এরুবা শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা সান্নরি ।১॥ *

সখ অসিনা য়ান্না ৱারিবা অসিনদি সোইদরে শ্রীকৃষ্ণদি লাইপকফবী নুপী অমগা সান্নত্তুনা লৈগ্রবোইরে, অসুম হাঙ্গৈনা চিংনরে, অত্তবু ইবেমা মহাকমক্না নুপী অমনা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নহৌরত্ত উকুরত্তুনা তম্বাগুমনা মখাদা হাঙ্গৈগদৌরবা অসি হাঙ্গৈ। অত্তগা পত্ত অসিদা শ্রীকৃষ্ণবু জনা-র্দ্দন হাঙ্গৈবা নাম অসি লেংত্তুনা কবিনা ভাব অসিমাসু ফোংদোকলি, মাত্তুদি— "জনানাং মর্দ্দনস্বভাবং যস্তস্য তস্যাঃ তাপ জনকত্বমুচিতম্" মীওইববু ৱাহনবনা মহাক্কী লমচৎ ওইবতনা মাসুমনা ৱাহল্লি, অত্তুনা শ্রীকৃষ্ণনা জনার্দ্দন কৌবা অসিমক্তুনা ইবেমাবু মাসুম্না ৱাহল্লিব ন; অসুম্না শ্লেষার্থনা ফোংদোকই ।৪॥

* 'কামগী লানফমদা' হাঙ্গৈবা অসি 'সুরতলীলাবু' হাঙ্গৈবনি। শম-জিদা থেৎপা লৈ নান্থোকপা, হাঙ্গৈবাসিনা বিপরীত রতিলীলাদা নায়কনা নায়িকাগী শম পাইবা, অধরামৃত পীববু ফোংদোকপনি। 'বি-লসতি' অসুম্না সান্নে, হাঙ্গৈবা ক্রিয়াপদ লেংই। মরম অসিনা নুপীনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরিপরিরম্ভণবলিতবিকারা ।
কুচকলসোপরি তরলিতহারা । কাপি० ।২॥
বিচলদলকললিতাননচন্দ্রা ।
তদধরপানরভসকৃততন্দ্রা । কাপি० ।৩॥

হরিপরিরম্ভণ বলিতবিকারা (শ্রীকৃষ্ণনা আলিঙ্গন তৌবনা মশাদা তু-চুংবনাচংবা বিকার ওইবী) কুচকলসোপরি তরলিতহারা 'কুচকলস-গী মথক্তা লিকক্ৰী পরেংনা হাই-হুয়ি) ।২।।

বিচলদ্ অলক ললিত আনন-চন্দ্রা (হাই হুম্লবা শমজোইনা ফজ-রবা মাইথোংনা থা মানবী তদধরপানরভসকৃততন্দ্রা (শ্রীকৃষ্ণগী অধরবু পান তৌরুবগী মিৎ অনি উইসিন্দুনা ভুম্বগুমা লৈরবী) ।৩।।

শ্রীকৃষ্ণনা চেৎনা আলিঙ্গন তৌবদা মশা অপুম্বা তুচুংবনাচিংবা বিকারনা ওইরবী যুবতী অতুনা মহাক্কী থবাক মথক্তা লিক পরেংনা হাই-হুমলি ।২।। *

থাগুম্বা মাইথোংগী অকোটবদা শমজোইনা হাই-হুম্লবী যুবতী

—নিপাগী মতৌগুম্বা সান্নরবু খংনগনি । অগিকগুণা— ঐঙোন্দগী হেনবা গুণনা ওইবী হাঙ্গৈবা ব্রাহ্সিনা খংহল্লিবা ভাবতি ঐবু হেনবা মরম্না শ্রীকৃষ্ণনা ঐবু হুঞ্জেকতুনা মহাক্কা লোইনতুনা সান্নরিবনি, অস্তুন্না হাঙ্গৈবনি । অতুগা মাতুনা খংহল্লিগদি 'মধুরিপুণা— মধু হিংচাবগী একবা' অসুমনা শ্রীকৃষ্ণবু হাঙ্গৈবনা শ্রীকৃষ্ণদি মাধুর্য্য খংদবনি, খংদবা শুক্রনা যুবতী অতুগা সান্নজবনি, থাঙ্গৈশংবদি হুপী অতু ঐঙোন্দগী হীন ওইবী অতোম্বীনি, হাঙ্গৈবা ধ্বনিনা ফোংদোকপনি ।১।।

* থবাক্ মথক্তা লিক্কা লেংদনা লৈ হাঙ্গৈদনা লিক্কা হাই-হুম্বা হাঙ্গৈবসিগী ভাবতি রতিলীলা অসিদা নায়িকানা নিপাগী মওং ওইরবীনি খংহনবনি ।২।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চঞ্চল কুণ্ডল ললিতকপোলা।
মুখরিতরসনজঘনগতিলোলা। কাপি০ ।৪॥

চঞ্চল কুণ্ডল ললিতকপোলা (হাই হুম্লবা কুণ্ডল অনিনা নিংথিজবা চাইরুংনা ওইবী) মুখরিত রসন জঘন গতিলোলা (মখোন থোকলবা খ্বাংশরিকপরেংনা লৈতেংবা খ্বাংগী মথাগী হাই-হুম্বনা হকচাং নোমলবী) ।৪'।

অতুনা শ্রীকৃষ্ণগী চিম্বানবু থকলুবগী নুঙাইবনা মিৎ অনিমক উইসিল্লদুনা তুম্বগুন্না লৈরি ।৩।। *

নাদা চিল্লিবা নায়িন অনিনা চাইরুংদা নিংথিজরবী. খ্বাংগী মথা থংবা শরুকনা হাই হুম্বনা খ্বাংদা সিরিবা খ্বাংশরিকনা খোঙ্গেন থোকলকপা অমসু হকচাং অপুম্বা নোম্লবী যুবতী অতুনা হরিগা সান্নমিন্নার ।৪।। †

* মাইদা শম্জোইনা ভরেং ভরেং তাবগী ফজববু থাদা মাইহিং থুংবা ওইনা হাঙ্গৈরগা থাগী মাইহিংদি লেংদনা লৈবা মাইথোংগীদি ভরেং ভরেং চৎপনা পাদগী হেন্না ফজ হাঙ্গৈবা ফোংদোকই। শ্রীকৃষ্ণগী অধরবু পান তৌরুবগী নুঙাইবনা মিৎ উইশিল্লবী হাঙ্গৈবনাবু রতিসুখগী অনুভব তৌনবা তুম্মিন্নবা ফোংদোকতুনা শ্রীকৃষ্ণগী অধরামৃতদগী হেন্না থুমই, হাঙ্গৈবা ফোংদোকপনি। মাসিনসু রতিলীলা অসি বিপরীত লীলানি হাঙ্গৈবা মথক্কীগুন্না ফোংদোকপনি ।৩।।

† নায়িকানা নায়কক্কী মতৌ ওইরগা রতিলীলাদা নিপাগুন্না মশা অপুম্বা লেং-ওৎপা মতৌবু ওইরবদা নায়িকাগী নাকোংদা য়ানবা নাইন অনিনা হাই-হুম্বা অমসু খ্বাংগী খ্বাংশরিকনা মখোন থোরকপগী নিংথিজববু হন্দকক্কী পদ অসিনা হাঙ্গৈরি। সাঙ্খ্যনা প্রকৃতিবু লেং-ওৎতবা, পুরুষবু অথংবা জ্ঞানগী মশক ওই। প্রকৃতি পুরুষ অনিগী সম্বন্ধ ওইনরগা লেং-ওত্তবী প্রকৃতিনা লেং-ওৎলকপা হাঙ্গৈবতু প্রকৃতি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দয়িত বিলোকিত লজ্জিত হসিতা।
বহুবিধ কূজিতরতিরস রসিতা। কাপি০ ।৫॥
বিপুল পুলক পৃথু বেপথু ভঙ্গা।
শ্বাসতনিমীলিত বিকসদনঙ্গা। কাপি০ ।৬॥
শ্রমজনকনভরসুভগশরীরা।
পরিপতিতোরসি রতিরণধীরা। কাপি০ ।৭॥

দয়িত-বিলোকিত লজ্জিত-হসিতা (চান্নবনা এংবনা ইকাইতুনা নোক্লবী) বহুবিধ কুজিত রতিরস রসিতা (মখল মখা য়ান্নবা কোকিল, রাহোং, কাংঙাগী খোঞ্জেনগুম্বা খোঞ্জেননা ওইবী, রতিরসনা হরাউরবা, অর্থ অমদি রতিরসনা তিল্লবী) বিপুল পৃথু বেপথু ভাঙ্গা (য়ান্না চুং-থোক্লবা ভুগী মপেনা তিল্লবা, হকচাংদা য়ান্না নিকপনা ঈথককুম্না হো-রবা) শ্বাসত নিমীলিত বিকসদনঙ্গ (রারবী নুংশাম্বর ফুইনা হোন-দোকপনে, নুংঙাইবগী মিৎ উইশনবনে অসিনা কামবু ফোংদোকলবী) শ্রমজনকনভরসুভগশরীরা (সুরতক্রীড়াগী অরাবদগী থোরকপা হুমাংমরিক্লা হকচাং পুম্নমক্তা ফজরবী) উরঃস (শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা) পতিতা (তারবী)

চান্নবা শ্রীকৃষ্ণনা এংবদা ইকাইতুনা নোক্লবা, মখল মখা য়ান্নবা (কোকিলনা চিংবা উচেক্কী মখোনগুম্বা) মখোননা তিল্লবা, রতিরসনা মখোন খোক্লবী, হকচাং অপুম্বদা তুচুংবগা লোইননা তনিক তনিক-পনা ঈথককুমনা নিক্লবী, রতিক্রীড়াগী নুংশামপী রাবগা হোনবনে, নুংঙাইবগী মিৎ উইশিনবনে অসিনা তিল্লবী, হুমাংগী মরিক মরিকনা হকচাং অপুম্বদা লৈতেংলবী, শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা তুরিবী অমসু রতি-

---

—স্থানীয়া ওইবী নায়িকাগী পুরুষ স্থানীয়া ওইবা নায়কক্তা সম্বন্ধ ওইরবদা বীপরিত রতিলীলানা সৃষ্টিগী হৌগৎলকপা অতুগা মান্নবা ফোংদোকলি ।৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিত হরিরমিতম্ ।
কলিকলুষং জনয়তু পরিশমিতম্ । কাপি০ ।৮॥

রতিরণধীরা (রতিযুদ্ধদা হৈসিংলবী অদুগুম্বী যুবতী অদুনা হরিগা লোই-নদুনা সান্নরি) শ্রীজয়দেবভণিতম্ (শ্রীজয়দেব কবিনা হাঙ্গৈবা) হরিরমিতম্ (হরিগী ক্রীড়া আসনা) কলিকলুষম্ (কলিগী পাপপু) পরিশমিতম্ (কোকপবু) জনয়তু (পোকহনসনু) ।৫—৮।

ক্রীড়াদা হৈসিংলবী যুবতী অদুনা হরিগা সান্নার । জয়দেবগী অসি-গুম্বা শ্রীহরিগী লীলাবু হাঙ্গৈবা রাহৈ অসিনা পাজবা জীবসীংগী কলিগী পাপ পুম্নমক কোকহনসনু ।৫—৮॥ *

* "রতিরস রসিতা" হাঙ্গৈবসি "রসিতং শব্দিতেহ্মষ্টে" অসুম্না কোশ-গী মত এংদুনা রতিরসনা খোঞ্জেন থোক্লবী অমসু হরাউরবী অসুম্না অর্থ অনি থংনগনি। তরুকশুবা পদগী তু চুংবা, হকচাং নিকপা, মুংশা মপী ফুঙ্গৈনা হোনবা, হাঙ্গৈবা অসিদি রতিযুদ্ধগী বীর্য্য সান্নিধ্য (নক্-লকপা) গী মতৌবু হাঙ্গৈবনি — "মুহুশ্চ স্বজনাশ্লেষঃ সীৎকারাঞ্চিত লজ্জিতম্ । হুঙ্কারোচ্ছ্বসিতংনার্য্যাবীর্য্য সান্নিধ্য সূচকম ॥" অসুম্না রতি রহস্যনা হাঙ্গৈ । অদুগা মিৎ উইশিনবা, হাঙ্গৈবা অসিনবু রতিযুদ্ধগী "চ্যুতিকাল" বুনি হাঙ্গৈনা থংনগনি,— "মূর্চ্ছনা মীলনঞ্চাক্লোশ্চ্যুতি-কালস্য লক্ষণম্ ." অসুম্না শাস্ত্র অদুমক্তদা হাঙ্গৈ । নিপানশুবা পদগী হুমাংশৌবা, হাঙ্গৈবাসিনা রতিযুদ্ধদা নায়িকাগী লিক তংখিবা ওইদুনসু হুমাংগী মরিক মরিক অদুনা মুক্তাগী পরেং ওইদুনা লৈতেংই হাঙ্গৈবা থংহনবনি । শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা তুদুনা লৈবা অমসু রতিযুদ্ধদা হৈ-সিংবী হাঙ্গৈবনবু সুরতলীলা লোইরে হাঙ্গৈবা ফোংদোকপান । মাদুদি "অঙ্গে স্বেদঃ শ্লথত্বঞ্চ কেশবস্ত্রাদ সংস্রুতিঃ । জাতিচ্যুতি সুখেনার্য্যা বিরামেচ্ছাচ জায়তে ।" অসুম্না হাঙ্গৈ । হন্দকী পদসীং আসনা হাঙ্গৈরিবা —নায়িকানা নায়ককী মওং ওইদুনা সান্নবা রতিযুদ্ধ অসিগী বন্ধন (ফীতুপ) অসি "হংসলীলক" কৌই । মাদদি — "নারীঃ পাদদ্বয়ং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিরহপাণ্ডুমুরারিমুখাম্বুজদ্যুতিরয়ং তিরয়ন্নপি বেদনাম্।
বিধুরতীব তনোতি মনোভুবং সুহৃদয়ে মদনব্যথাম্ ।৯।।

অয়ে (হে সখী) মনোভূবঃ সুহৃদ্ (কামগী চান্নবা ওইবা) বিরহ পাণ্ডুমুরারিমুখাম্বুজদ্যুতিঃ (ঐগা কাইনবগী ৱাবনা ৱাওরবা মাইথোং ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং থম্বানগী মঙানগা মান্নবা) অয়ম্ (অসিগুম্বা) বিধুঃ (থানা) বেদনাম্ (অৱাববু) তিরয়ন্নপি (মাংহন্দুনসু) হৃদয়ে (ঐগী থমোইদা) মদনব্যথাম্ (কামগী অৱাববু) অতীব (থোইদোক-না) তনোতি (সন্দোকই) ।৯।।

হে ইতা ! ঐগা কাইনহুনা ৱারবা শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোং থম্বালনা ৱাওবগুম ঙৌবা থা অসিনা ৱাধা কৌবী ঐগী থমোইগী মৈচাক অসি কোকহল্লে. তৌইগুম্বসু থা মহাক্তি কামগী চান্নবা ওইবনা ঐগী থমোই-দদি কামগী অৱাববু হেন্না হেন্না থোকহল্লি ৯। *

দত্বা কান্তস্যোরুযুগোপরি। কটিমান্দোলয়াদাশু বন্ধোহয়ং হংসলীলকঃ ।।" অসুন্না রতিশাস্ত্রনা হাঙ্গৈ। পদ নিপাননা শাবা প্রবন্ধ আসদা বাসু-দেবগী নায়িকাগা ওন্নন। সান্নবা রতিলীলাবু বর্ণন তৌবনি। শ্রীরাগ, দ্রুতমন্থর তাল ওইবনা প্রবন্ধ অসিবু "হরি রমিত চম্পকশেখর" প্রবন্ধ কৌই অসুন্না থংনগনি ৫—৮।।

* "সুহৃদয়ে" হাঙ্গৈবাসি "সুহৃদ্+অয়ে" অসুমনা থাস্তদোকতুনা ব্যাখ্যা তৌথরে। অয়ে হাঙ্গৈবদি অৱাবা ফোংদোকতুনা সখীবু শ্রী-রাধানা কৌবনিনা বিরহ-পাণ্ডু হাঙ্গৈবা পদ অসিগী ভাবতি— কাই-নবগী মৈনা চাকতুনা ৱারবদা মাইথোংদা তাইফেং তাইরকই, মাসি হৌনবীনি, অসুন্না অঙ্গবিদ্যাদা হাঙ্গৈ। থানা নোংপোক মাইকৈদা অঙৌবা মঙালগা লোইননা ফজরবা মাইথোংনা থোঙকপবু ইবেমনা এংলুরগা ইবেমনা খল্লি, মাহুদি— শ্রীকৃষ্ণনা ঐগা কাইনরগা ৱাহুনা ইবুঙো মহাককী মাইথোংনা ৱাউবা অহুবু পুকনিংদা সংসংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গুর্জ্জরা-রাগৈকতালীতালেন গীয়তে।

সমুদিতমদনে রমণীবদনে চুম্বনবলিতাধরে।
মৃগমদতিলকং লিখতি সপুলকং মৃগমিব রজনীকরে।১॥

রমতে যমুনাপুলিনবনে বিজয়ী মুরারিরধুনা। ধ্রুবম্ ॥

বিজয়ী (জয় ওইরবা) মুরারীঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) অধুনা (হৌজিক) যমুনা পুলিনবনে (যমুনাগী পাল্লবা লৈঙোই সেক্তাগী বনদা) রমতে— (সান্নরি) সমুদিতমদনে (কামনা চম্খোন্না থোক্লবা) চুম্বন বলিতাধরে (চুপ্পবগী দমক চান্নবগী চিনবান্না ওনশিল্লক্লবা) রমনীবদনে (নুপীগী মাইথোংদা) মৃগমদতিলকম্ (কস্তুরীগী চন্দনবু) সপুলকম্ (ভু চুংহুনা) লিখতি (ইরি) রজনীকরে (থাদা) মৃগমিব (মাইহিংগুমই)। ॥

হে সখী! জয় ওইরিবা শ্রীকৃষ্ণনা হৌজিক্তি যমুনাগী পাল্লবা মপানগী

—নিংসংলুহুনা ঐ কৃষ্ণগা উনরেদনা হায়ইহুনা ভহাক্তং থা অসিন ঐবু নুংঙাইহল্লমই, অসুন্না সখীদা ইবেমনা হায়ইবনি। শ্রীকৃষ্ণবুদি উনদনা নিংবতা নিংশংহল্লবা অত্নদা ইবেমদি হান্নদগী অমোক হেন্না রাসিললকলে, অতুদা সখীদা ইবেমনা হায়ই,—"কামগী চান্নবা ওইবনা ঐগী থমোইদদি কামগী অরাবত্নু হেন্না হেন্না থোকহল্লি হায়ইবগী অথদি কাম হায়ইবসি রুদ্রগী অশাওবগী মৈনা চাকতুনা উৎ ওইখ্রবনি, অহুনা মহাক্কী হকচাং লৈত্রহুনা মীওইবগী পুক্লংদা লৈহুনা পুক্লিংদা নংনা থোকলগা জীববু রাহল্লি, অহুনা কামবু "মনসিজ" পুক্লিংদা পোকপা কৌই। থা হায়ইবা অসিসু শ্রুতিনা "চন্দ্রমা মনসো জাতঃ"— থানা পুক্লিংগী মচানি, অহুনা মচিন মনাও ওইবনা মবিঙানি অসি চান্নবনি, অহুনা শ্রীকৃষ্ণ লৈতহুনা মনিংতৌনা রাধা ঐবু কামনা রাহল্লিঙৈ অসিদা থা মহাক্না অমোকসু তেংবাংহুনা হান্নদগী হেন্না অমোক রাহল্লে হায়ইবা ভাবনি।১।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বন্দা সান্নার, মাত্তুদা শ্রীকৃষ্ণনা চুম্বনগীদমক ওনসিনলবা অমস্থ মাহুদা কামদেবনা থোক্লবা যুবতীগী মাইথোংদা শ্রীকৃষ্ণনা কস্তুরী চন্দননা একথোংলি, মাহুদি থানা মাইহিংনা নিংথিবগুমনা ফজরি ।১॥ *

* মথক্কী প্রবন্ধদা রতিযুদ্ধবু শ্রীমতীনা সখীদা হাঙ্গখরে হুজিক্তি রতি যুদ্ধ লোইরগা স্বাধীন ভর্ত্তৃকা ওইবী নায়িকা অতুগা লোইনহুনা শ্রীকৃষ্ণনা সান্নবা স্বাধীনভর্ত্তৃকাগী নায়িকাগী লীলা অতুগা ইবেমনা সখীদা মথং মথং হাঙ্গৈরি রতিযুদ্ধগী মতমদা নায়িকাগী মাইদা থিল্লিবা চন্দন্না একথোংপা অপুম্বা কোকখি, মাহুবু নায়কনা নায়িকাগীদমক অমোক একখোংপী মাত্তুবু মতাং অসিদা হাঙ্গৈরি। শ্রীকৃষ্ণবু "বিজয়ী" হাঙ্গনা বিশেষণ পীরনা যমুনা পুলিনদা নিঙাইবা লৈতনা সান্নবা অতুবু ফোংদোকপনি। যমুনা পুলিনদা পাক্লবা লৈঙোই ময়ামদা সঙ্গোম অনৌবগুম ঙৌরবা থাবন্না ক্ষীরদ সমুদ্র পাথরকপগুমনা থাবন্না ইঙান ঙাল্লবদা থানা নায়িকা অনিগী পুক্লিংদা কামউদ্দীপন ওইহল্লক্ল-বদা নাক্তা লৈরিবী নায়িকাগী মুখচুম্বনগীদমক নায়কনা মাই ওন-সিনলকপা নায়িকাগী মাইথোংদা কামউদ্দীপন ওইরকপা তুচুংলকপা মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা কস্তুরীচন্দন্না উনা, ব্রানা মান্না নায়িকাগী মাই-থোংদা একপী মাহুবু সংসংনা উরবগুম্না ইবেমনা সখীদা হাঙ্গবনি। মতম অসিদা ইবেমনা থুপলবা ভাব অমা ফোংদোক্লি, মাহুদি "মৃগ-মিব রজনীকরে" থাদা মৃগ (শজি—মাহিং) গুমই হাঙ্গৈ, মাত্তুদি ফজরবা নায়িকাগী মাইথোংদা অমুবা কস্তুরীচন্দন্না একপবু খাদা থাগী মাহিং মান্দূনা ফজৈ হাঙ্গবনা মপান্দা হাঙ্গবনি। মনুংগী ভাবতি থাবু "রজনীকর" অহিংদা ঙানবা কৌই। থা হাঙ্গবসি ফন ফজহুনস্থু তুংথিন্দদি ফজদে অমস্থু থাগী মঙানস্থু অমোক মাংবা অমোক লৈবা নাই, অতুনদি থাগী ফজবা মঙানদি মতম ২ অতুগীভা ওইজবনি অরেপ্পা নিংথিবা নত্তে, মতম খরতগী ওইজবনি হাঙ্গবা ভাবনি। মাহুগী মনুংদা অমোক ওইরিবা ভাবনা থা হাঙ্গবসিদি মাগী মরনাইগী মঙান লৈতে তুমিংকী মঙান তাংহুনা ঙানজবনি, অতুগুমই হাঙ্গবদি নায়িকা অতুদি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঘনচয়রুচিরে রচয়তি চিকুরে তরলিততরুণাননে ।
কুরুবককুসুমং চপলাসুষমং রতিপতিমৃগকাননে ।২॥

ঘনচযরুচিরে (নোংগুম্না নিংথিজবা) তরলিত তরুণাননে (তথক তথক্লবা ভরুণ—পাখংসীংগী মাইথোংনা ওইবা অর্থ অমদা হাই-হুমলবা তরুণ কৌবা উগী মতোম্না ওইরবা) রতিপতি মৃগকাননে (কামদেবগী মশক ওইবা সজিগী বন ওইবা) চিকুরে (শমগী মপৈদা) চপলা সুষমম্ (নোংগুম ফজবা) কুরুবক কুসুমম্ (কুরুবক কৌবা লৈবু) রচয়তি (শ্রীকৃষ্ণনা থেৎপিহনা শেমলি) ।২।।

হে সখী ! নুপী অহুগী নোংগুম্না ফজরবা কামদেবগী মশক ওইবা সজিনা সান্নবা বনগুম্বা অহুদা তরুণবয়স ওইবা নিপাসীংনা মাহুবু এংগদবগী তথক তথক্লবা শমগী মপৈদা শ্রীকৃষ্ণনা নোংথাংগুম ফজবা কুরুবক কৌবা লৈবু থেৎপীরি ।২।। *

নুমিৎ লৈত্রগা নুমিৎকী মতান রাইহুনা ফজ্রবগুম্বনি রাধাকৌবী ঐ লৈতবদা ঐগী মতান ভাংহুনা শ্রীকৃষ্ণবু ওহাক্তং পেলহপ্পবনি শ্রীকৃষ্ণদি ঐগীনি হায়বা ভাবনি।১।।

* স্বাধীন ভর্তৃকাবস্থাদা নায়কনা নায়িকাগী শম শেম্বিববু ইবেমনা মতম অহুদা শ্রীকৃষ্ণনা কনাগুম্বী নুপী অমদা মাহুমক তৌহনা শান্নরি হায়না উবগুম সখীদা হায়রি। মকম অসিদা শম্মু মচুমুবা অমসু মহাককী মচু অহুনা থমোইদা কাইনবগী মৈচাক কোকহনবা ওইবনা নেং ওইনা হায়রি, অমসু নুপীগী ফজবা শম ময়াম উরগা নিপা ওইবগী পুকনিংদা কামউদ্দীপন ওইবনা শমসিং অহুবু অমোকসু কামদেবগী মশক ওইবা সজিগী লৈফম বন ওইনা হায়, অহুগা শমগী নিংথিজবা অহুবু নিপা ওইবসীংনা উরগা এ-নিংহুনা তথক তথক এংবা অহুবু বিশেষণ ওইহন্দুনা "তরলিত তরুণাননে" হায়রি বিশেষণ অসিমক্তি তন্ত্রন্যায়না মরম ওইহুনা কামগী মশক ওইবা বনগী বিশেষণসু ওইহল্লি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঘটয়তি সুঘনে কুচযুগগগনে মৃগমদরুচিরুষিতে।
মণিসরমমলং তারকপটলং নখপদশশিভূষিতে ।৩।

সুঘনে (চংখোন্না ফুইরবা, অর্থ অমদা নিংথিজবা নোংনা লৈবা) মৃগমদরুচিরুষিতে (কস্তুরীগী নিংথিজবনা থল্লবা, অর্থ অমদা মৃগমদকী মঙান্না তিল্লবা) নখপদশশিভূষিতে (খুজিন্না খেৎখিবগী থামচেৎ শাবা ময়িনা লৈতেংলবা, অর্থ অমদা খুজিন্না খোৎপা গুল্লবা থানা তিল্লবা) কুচযুগগগনে (বক্ষ অনিগী মশক ওইবা অতিয়াদা) অমলম্ (মকত্রবা নিংথিজরবা) মণিসরম্ (হীরা-মণিগী লিকপু) তারকপটলম্ (থরাম-মচাক্কী মপৈ ওইনবু) ঘটয়াত (শেমই, সিবী) ।৩।

হে সখী ! শ্রীকৃষ্ণনা চান্নবী নায়িকা অমুগী পাক্লবা থবাক অনিগী মরক্তা হীরা-মণিগী লিকপু অতিয়াদা থরান্মচাক ময়াম খোকপগুম শিবিরি, থবাক অমুমক্তি মথোৎ কারকপগী মপুংফানা নোইবা অমুনা নোং অনৌবনা তারমদাইদা ফুইনা লৈপাক্তা লুকথরকপা ওইরি, মাহুদা ভৈরবা কস্তুরী চন্দনগী মঙান্না নোংগী নিংথিজবা মঙান ওইরি,

মাদোমদা হাঙ্গৈরগা "তরলভ তরুণাননে" তরুণ কৌবা উ য়ামনা হৌবদা নামিব নুংসিৎনা হুমহুনা মতোন তনিক ২ পা ওইনা হাঙ্গৈরি। কুরুবক কৌরা লৈগী মচু অঙাংববু শরজিদা খেৎপা তথক তথকপবুনা নোং অনৌবা হৌবদা নোংথাংনা ঙানবা ওইনা হাঙ্গৈরি। ব্রাহৈ অনি অসিনা খংহল্লিব। ভাবতি— নোং অনৌবদা নোংথাংনা ফজবসি গুহাক্ত-গীনি অরেপ্পা নত্তে, অমুগুন্না হন্দককী নায়িকা অসিগী প্রেমসুখ অসি মতম খরতগীনি কুইনা ওইগদবা প্রেমসুখ নত্তে হাঙ্গৈবনি অমসু শম্ভু কাম কৌবা সজিগী শান্ননবা বন ওইনা হাঙ্গৈবনবু মাহুদা শান্নরিবা শ্রীকৃষ্ণবু কামসুখতগীদমক্তা ওইবা পশুজাতি সুলভ প্রেমনি মীন-চিংবদা লৈবা দাম্পত্য প্রেম অমসু বিশুদ্ধ প্রেমদি মুপী অমুদা লৈতে হাঙ্গৈবা ফোংদোকই ।২।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জিতবিসশকলে মৃদুভুজযুগলে করতলনলিনীদলে।
মরকতবলয়ং মধুকরনিচয়ং বিতরতি হিমশীতলে ।৪॥

জিতবিসশকলে (থম্বৌগী মতেকপু ঙমজবা) করতল-নলিনীদলে (খুবাঙ অনিনা থম্বাল মনাগুম্বা) হিম-শীতলে (উনগুম ঈংলবা) মৃদু-ভুজযুগলে (মেংলবা খুজেং অনিদা) মরকতবলয়ম্ (মরকত মণিগী বলয়াবু) মধুকর-নিচয়ম্ (খোইমুগী মপৈবু) ।বতরতি (পী) ।৪।।

অমস্থু রতিযুদ্ধগী মতমদা নায়ককী খুজিন্না নমখিবগী থামচেৎ শানা লৈহৌবা ময়িনা অতিয়া স্বদুদা খোকপা থা ওইনা ঙাল্লি ।৩।। *

হে সখী ! শ্রীকৃষ্ণনা নায়িকা অদুগী থম্বৌগুমলবা খুজেং; মহাক্তি খুবাঙ অনিনা অনৌবা থম্বাল মনা মানবা উনগুম ঈংলবা খুজেং অদুদা

* ছন্দক হাঙ্গৈরিবা "শশী" হাঙ্গৈবসি থামচেৎ হাঙ্গৈনা ব্যাখ্যা তৌগনি, মাদুদি,— খুজিন্না নম্বগী কুৎতুনা লৈহৌবা মফমবু রতি-শাস্ত্রদা "থামচেৎ" অস্থুন্না হাঙ্গৈনৈ, মাদুদি পঞ্চশায়কতা "অর্দ্ধেন্দু-সঙ্কাশমিদং নখক্ষতমর্দ্ধেন্দু সংজ্ঞং কথিতং সমাসতঃ। কক্ষানিতম্বা স্তনপার্শ্বমধ্যোদাত্তব্যমেতৎ করজং সদৈব ।।" অস্থুন্না হাঙ্গৈ। মরম অসিনা থবাক্তা কুঙ্কুম চন্দন্না তৈবা মাদুদা কস্তুরী চন্দন্না থিনবা অদুবু থাদা মাহিং ধুবা ওইনা হাঙ্গৈরি, অদুগা থবাক্কী অপাকপা অদুনা অতিয়া ওইনা হাঙ্গৈরগা হীরামণি থাম্বা লিক্কা পরেংবু আতয়াদা থোকপা থরানমিচাক ওইনা হাঙ্গৈরি। স্বাধীনভর্ত্তৃকা ওইরিবী নায়ি-কাবু নায়কনা লিকাসবিববু হাঙ্গৈরগা ইবেমনা মন্নুংদা ফোংদোকলিবা অথদি নায়িকা অদুগী থবাকপু "গগন— অতিয়া" গা চাংদন্নবনা শ্রীকৃষ্ণনা মুপী অদুদা হান্না বৈরবা অভিলাস অদু হুজিক্তি অতিয়া ওইরে—শূন্য ওইরে, ঐবু নিংলক্তুনা মহাকপু হুজেক্লম্ম হাঙ্গৈবসিনা ৱাহৈগী ব্যঙ্গার্থনি ।৩।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রতিগৃহজঘনে বিপুলাপঘনে মনসিজকনকাসনে।
মণিময়রশনং তোরণহসনং বিকিরতিকৃতবাসনে ।৫॥

বিপুলাপঘনে (মপুং ফারবা হকচাংগী মফম ওইবা) মনসিজ কনকাসনে (কামদেবগী সনাগী আসনগুম্বা) কৃতবাসনে (ফী শেৎচিনলবা, অর্থ অমদি ধূপ তৈত্নুনা মনম নুংশিরবা) রতিগৃহজঘনে (শৃঙ্গাররসগী তুংনফম ওইবা খ্বাংদা) তোরণহসনম্ (মঙ্গলগী পরেংবু ওমজবা) মণিময়বসনম্ (মণিগী মশক ওইবা মেখলাবু) কিরতি (হাপই) ।৫॥

মরকত মণিগী খুজিবু খোইমুগী মপৈ তোংবগুম সিবিরি ।৪। *

হে সখী ! শ্রীকৃষ্ণনা নায়িকা অদুগী কামদেবগী সনাগী আসনগুম্বা, ফীনা মথক্তা কুপসিল্লবা অমস্থ ধূপনা মনম নুংশিরবা, নোইরবা

* খুবাক্কী মনুংদা ভাংবা মথক্তা ভৌরুনবা অদুবু মফম অসিদা থম্বান মনা ওইনা হাঙ্গৈরি মাদুনা পাল্লিবা খুজেংবুনা থম্বৌ ওইনা হাঙ্গৈরগা মরকট মণিথাম্বা বলয়াকৌবা খুজিবুনা খোইমু ওইনা হাঙ্গৈ। খোইমু তোংবা থম্বানগী ফজবা অদুগী মতোংগুম হাঙ্গৈবা ব্রাহৈসিনা নায়িকা অদুগা শ্রীকৃষ্ণগা শান্নবা অদু চান্নবা স্নেহ নত্তে "ঔপাধিকস্নেহ" নি হাঙ্গৈবা 'যাবক মণ্ডন কমনীয়তা' কৌবা ন্যায়না ফোংদোকই, অর্থাৎ যাবক— অঙাংবা তৈরগা যাবক্কী মচু অঙাংবনা মতম খরা ফজহনবা অদুগা চান্নবা খোং খুৎ অদুগী মচু নত্তবনিনা হেক্তা মকোকথিবা অদুগুম্না শ্রীকৃষ্ণগা সান্নারবী নায়িকা অসিদা ওইনরিবা প্রেম অসি চান্নবা নত্তে হাঙ্গৈবনি। অদুনদি মসি রসাভাসগী মতৌ ফোংদোকপনি। অমস্থ নায়িকা অদুগী খুজেংগী ফজবা অদুবু থম্বান ওইনা অয়িংবা পোত্তা পান্দমনা হাঙ্গৈবা অদুগা "হীম শীতলে" অস্থমনা উনগুম ঈংবা অস্থমনা বিশেষণ পীবা অসিনা অপাম-নুংসিগী অয়িনবা কামগী মৈদি অয়িংবনা কোকই অদুনা নায়িকা অদুদা ওইরম্বা শ্রীকৃষ্ণগী অপাম্বগী মৈ অদু কোকখরে শ্রীকৃষ্ণনা মাবু হু-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চরণকিশলয়ে কমলানিলয়ে নখমণিগণপূজিতে।
বহিরপবরণং যাবকভরণং জনয়তি হৃদিযোষিতে।৬॥

কমলানিলয়ে (লক্ষ্মীগী লৈফমগুমলবা) নখমণিগণপূজিতে—(খুজিনগী মশক ওইবা মাণনা পূজা তৌরবা) হৃদি (কৃষ্ণগী খমোইদা)

রতিগী তুংনফম ওইবা খ্বাংদা মঙ্গলগী লৈপরেংবু ভমজনা নিংখিজবা মেখলা হাপই ।৫।। *

হে সখী ! শ্রীকৃষ্ণনা ইবুঙো মহাককী লক্ষ্মীগী তুংনফম ওইবা

শ্লেক্লগনি হাঙ্গৈবা অর্থ অমস্থু বাঞ্জনাবৃত্তিনা ফোংদোক্লি। অদুনা নায়িকা অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী রসাভাস ওইরে হাঙ্গৈবা ভাবনি। রসাভাস হাঙ্গৈবগী অর্থদি—"অনুরাগোঽনুরক্তায়াং রসাবহ ইতি স্থিতঃ। অভাবে অনুরাগস্থ রসাভাসং জগুবুর্ধাঃ।।" ।নপানা নুপী অদুদা পামলিঙৈ অদুবু রসাবহ কৌই, পামুকত্রবদি পণ্ডিতসিংনা রসাভাস অস্তুম্না কৌই ।৪॥

* নায়িকাগী খ্বাংগী মখাথংবা তুংয়ানবু কামদেবগী সনাগী সিংহাসন ওইনা হাঙ্গৈদুনা কামদেববু নিংথৌ ওইনা কল্পনা তৌরি, অদুগা মফম অদুবু "রতিগৃহজঘনে" হাঙ্গৈবা ৱাহৈ অসিনা শৃঙ্গার কৌবা রসগী তুংনফমনি হাঙ্গৈরি। মাসিনা নায়কনা স্বাধীন ভর্তৃকাগী মতমদা চান্নবীবু মেখলা হাপ্পা হাঙ্গৈবনি। 'কৃত বাসনে" হাঙ্গৈবসিগী ভাবভি "কৃতং বাসনং শ্রীকৃষ্ণ বশীকরনায় ধূপবিশেষঃ তস্মি-"— নায়িকা অদুনা শ্রীকৃষ্ণবু শুমহৎকে হাঙ্গৈবগীদমক মশাদা ধূপ মনম নুংশিনবা শেম্বা হিদাক তৈ হংঙ্গৈবনি, অদুনা নুপী অদুনা হিদাক তৈদুনা শ্রীকৃষ্ণবু শুমহৎতুনা ঐবু হুঙ্কেক্কুনা শ্রীকৃষ্ণনা মাগা লোইনদুনা শান্নখ্রিবনি অদুনা চান্নবা প্রেম নত্তে, মহাক্কী হিদাকনা শুমহৎপনি হিদাক অদু কোকথ্রগা শ্রীকৃষ্ণনা ঐগী নাক্তা লাক্কনি হাঙ্গৈবা ভাবনি। নায়িকানা নিপাবু শুমহৎনবা হিদাক তৌই হাঙ্গৈবসি রতি শাস্ত্রনা হাঙ্গৈ—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রময়তি সুদৃশং কামপি সুভৃশং খলহলধরসোদরে।
কিমফলমবসং চিরমিহ বিরসং বদ সখি বিটপোদরে ।৭॥

যোজিতে (হাপলবা) চরণকিশলয়ে (খ্বাঙগী মশক ওইবা উনা ময়োন অনৌবদা) বহিঃ অপবরণম্ (মপান্দা কুপশনবা) যাবকভরণম্ (যা-বকনা থনববু) জনয়তি (থোকহল্লি) ।৬।।

খলহলধরসোদরে (ফত্তবা লাঙ্গল পাইবগী মনাউনা) কাম্ অপি (কনাগুম্বী) সুদৃশম্ (মিৎ ফজবী নুপীবু) সুভৃশম্ (থোইদোকনা)

নায়িকাগী খুজিনগী মশক ওইবা মণিসীংনা পূজা তৌরবা থমোইদা নায়িকাগী উনা অনৌবা ময়োনগুম মেংলবা খোঙবু হাপলগা মপান্দা তৈবা যাবকপু থনহল্লি ।৬।। *

পুকচেন খাবা লাঙ্গল পাইবগী মনাও শ্রীকৃষ্ণনা মিৎ ফজবী

"বরযুবতী মলয়োদ্ভব সুক্ষেমলা সর্জ্জ কুষ্টসিদ্ধার্থৈঃ। সর্ব্বাঙ্গনো ধূপঃ সর্ববজনানাং বশীকরনম্ ।" অস্মমনা রতি রহস্যনা হাঙ্গৈ মাতুদি— এলাচি অকুপ্পনে শালবৃক্ষদা শৌবা মখোম মেক্রুক কুষ্বনে হঙ্গাম মরু অঙৌবনে মাসিগী মকুপ তৈরগা বশীকরণগী ধূপ ওই অস্মমনা হাঙ্গৈ ।৫॥

* স্বাধীন ভর্ত্তৃকা নায়িকাগী খোংবু নায়কনা তম্পাক্তা থাঙত্তুনা যাবক তৈবিবদা খোংবু উনঃ অনৌবা চোংখৎলকপা ওইনা হাঙ্গৈরগা খোং অদুগী খুজিনবুনা মণি ওইনা হাঙ্গৈরি, অদুগা শ্রীকৃষ্ণগী তম্পাক্তা হাপ্পনা ফম্নবা শ্রীকৃষ্ণগী লক্ষ্মীগী রেখানা লৈতেংবা থবাক্তা খোং অদুনা লৈববু মণিনা পূজা তৌবা— লৈতেংবা ওইনা হাঙ্গৈ মাসি "অযুক্ত" কৌবা রূপকালঙ্কার নি হাঙ্গৈনা খংনগনি। মাতুদি "ইদং মন্দস্মিতং জ্যোৎস্না স্নিগ্ধনেত্রোৎপলং মুখম্" অস্মমা দণ্ডিনা হাঙ্গৈবা অদুগুম্বনি। শ্রীকৃষ্ণগীদি নুমিৎ চুপ্পা চান্নবী লক্ষ্মীতগা লোইনদুনা লৈরিবনি অদুবু অদুপ চান্নবী লক্ষ্মী অদুমক্তদগী হেন্না চান্নবী নায়ি-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইহ রসভণনে কৃতহরিগুণনে মধুরিপুপদসেবকে।
কলিযুগচরিতং ন বসতু দুরিতং কবিনৃপজয়দেবকে ।৮॥

রমরতি (নুঙাইহল্লবদা) সখী (হে সখী !) বদ (হায়য়ু) বিটপোদরে (কুঞ্জ ময়াইদা) ইহ (মাসিদা) চিরম্ (কুইনা) বিরসম্ (রস য়াওদনা) অফলম্ (অরেম্বা ওইনা) অবসম্ (ঐনা লৈথিবা) কিম্ (করি কান্নগনি ?) ।৭।।

ইহ (মাসি—কাব্য অসি লেংলিবা) রসভণনে (শ্রীকৃষ্ণগী মরীদা

কনাগুম্বী অমবু থোইদোক্লা নুঙাইহনখ্রবদা হে সখী, হায়য়ু ঐনা বন মনুং কুঞ্জসিদা অরেম্বদা রস য়াওদনা কুইনা লৈবা করি কান্নগনি ? ।৭। *

শ্রীকৃষ্ণগী চরণগী মনাই জয়দেবনা শ্রীহরিগী গুণবু লেংলি, মহাক্কী

কানি হাঙ্গবা থুংনবা লক্ষ্মী অদুগী ময়ুম থবাককী মপাদা মাগী চরণ থাঙ্গৎলি হাঙ্গবা ভাব অসি ধ্বনি ভৌরি, অমসু শ্রীকৃষ্ণগী থমোইদি ইন্দ্রনীলমণিগুম্না অমুবনি, নায়িকা অদুগী চরণনা অঙাংবনি অমুবদা অঙাংবা চুপদি চুরিভৈদদি য়াম্না ফজৈদি হাঙ্গবাবু অমুবদা অঙাংবা সংবদি চান্নবা চুবা ভৌনদে অদুনা নায়িকা অসিদা লৈবা শ্রীকৃষ্ণগী রাগ অদু থুনা কোকখরে হাঙ্গবা অসিমসু ধ্বনি ভৌরি। "বহিঃ অপবরণম্" মপান্দা কুপ্পা "যাবক" হাঙ্গবা অসিনসু মুপী অসিদা লৈবা রাগ অদ মনুংচনবা নত্তে মপান্দা ওইবা রাগনি হাঙ্গবা অনুভাব অসিমসু ফোংদোকই ।৮।।

* মতাং অসিদা শ্রীকৃষ্ণবু খলহলধরসোদর অমুম্না হাঙ্গবনা বলদেববু মধুপান তৌবা বুদ্ধি তাদবা ওইনা হাই দুনা মনাউ শ্রীকৃষ্ণবু মাদুম্না বুদ্ধি তৌদবা ওইনা হাঙ্গদুনা অর্থ অমদনা সোদর হাঙ্গবনা মান্নবা হাঙ্গবা অর্থদা পুরগা হলধর— লাঙ্গোন পাঙ্গবা লৌউবা মীগুম্না শ্রীকৃষ্ণবু অপাংবগী ভাব ওইহল্লি। মাদুগী ভাবতি— রসদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নায়াতঃ সখি নির্দ্দয়ো যদি শঠস্ত্বং দূতি কিং দূয়সে,
স্বচ্ছন্দং বহুবল্লভঃ স রমতে কিং তত্র তে দূষণম্।
পশ্যাদ্য প্রিয়সঙ্গমায় দয়িতস্যাকৃষ্যমাণং গুণৈরুৎ-
কণ্ঠার্ত্তিভরাদিবস্ফুটদিদং চেতঃস্বয়ং যাস্যতি ॥৯॥

লেংবা রস হাঙ্গৈরিবা) হরিগুণগণনে (হরিগী গুণ লেংলিবা) কবিনৃপ-জয়দেবকে (কবি অথোইবা জয়দেবদা) কলিযুগ চরিতম্ (কলিযুগকী চরিত ওইবা) দুরিতম্ (পাপনা) ন বসতু (লৈতসনু) ।৮।।

সখি (হে সখি !) দূতি (হে দূতি !) যদি (মতম অদুদা) নির্দ্দয়ঃ (থৌজান লৈতবা ! শঠঃ (তাৎ তৌবা কৃষ্ণনা) ন আয়াতঃ— (লাকত্রবা) তদা (মতম অদুদা) ত্বম্ (নংনা) কিম্ দূয়সে (করিগী ব্বাবা) বহু বল্লভঃ (চান্নবী য়াম্বা) সঃ (কৃষ্ণনা) স্বচ্ছন্দম্ (মনিং-তৌনা) রমতে (সান্নরে) তত্র (মাদুদা) তে (নংগী) কিং দূষণম্ (করি দোষ লৈবগে) পশ্য (এংউ) অদ্য (ঙসি) প্রিয়সঙ্গমায় (চান্ন-

---

হরিগী গুণতনা থল্লবা থমোই অদুদা কলিযুগকী লিচৎ ওইবা পাপনা চংত্রসনু ।৮।। *

হে সখী, হে দূতি ! তাৎ তৌবা শ্রীকৃষ্ণনা থৌজানবিদতুনা লাকত্রগা নহাক্না করিগী ব্বারুরিবগে ? শ্রীকৃষ্ণ অদো মহাক্কী চান্নবা য়ামখ্রবনি,

---

হৈসিংবী ঐবুদি হুপ্পেক্লগা কনাগুম্বী গোপী নিংভোন অমগা সান্নদুনা লৈথোকখ্রবদি অদুগীদমক ঙাইরুদুনা কান্নদরে অদুনা কুঞ্জ অসি হুপ্পেক্কুনা চৎলসি হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৭।।

* কবি জয়দেবনা স্বাধীন ভর্ত্তৃকা নায়িকাগী শ্রীকৃষ্ণগা লোইনদুনা শান্নবাবু বর্ণন তৌরুরগা শ্রীভাগবতকী "হুদ্র্গমা শ্বপহিনোত্যচিরেণ ধীরাঃ" অম্ভুন্না হাঙ্গৈবা প্রমাণগী মতুংইন্না মহাক্কী থমোইদা কলি কৌবা যুগনা থোকহনবা পাপ অপুন্বা চংদনবা আশা ভোই ৮।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মগা উনগনি হাঙ্গৈবগী দমক) দয়িতস্য (চান্নবগী) গুণৈঃ (গুণ খিবিক্লা) আকৃষ্যমাণম্ (চিংশনলবা) উৎকণ্ঠার্ত্তিভারাদ্ ইব (উৎকণ্ঠানে কাইনবগী অৱাবনে অ'নিনা থনখ্রবগুম্না) স্ফুটৎ (কাইরবা) ইদম্ (অসিগুম্বা) চেতঃ (ঐগী পুক্নিং অসিনা) স্বয়ম্ (মানা) যাস্যতি (চৎচখিগনি) ।৯।।

অহুনা করিস্থ নিংঙাইদনা অতোপ্পা নুপীগা লোইনহুনা সান্নখিবদা নংগী করি দোষ লৈবগে ? এংউ, ঙসিদি চান্নববু উনগনি হাঙ্গৈবগী দমক্কা নুংশিবা ইবুঙো মাগী গুণনা চিংশন্দুনা মহাক্কী উৎকণ্ঠানে মহাকপু ফংদবগী অৱাবনে অ'ননা থনখিহুনা কাইবগা মান্নরবা ঐগী পুকনিং অসিনা মথন্তা চৎচখিগনি ৯। *

---

* শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণগা উনগনি হাঙ্গৈনা উৎকণ্ঠা তৌরম্বদগী অতোপ্পী নুপী অমগা লোইনহুনা সান্নখিবনা ঙাকত্রব'ন অস্নুম্না নিশ্চয় তৌরহুনা বাসগৃহ থাদোকতুনা চৎলগে অস্নুম্না লেপ্লক্লে, মতম অহুদা বিরহগী অৱাবনা খাংবা ঙমদ্রবী ইবেমনা ৱারবী দূতীবু এংলগা দূতী অহুদা হাঙ্গৈরি—শ্রীকৃষ্ণ লাক্তুরগা নংনা করিগী ৱাবগে ? ইবুঙো মানা ঐবু থৌজান্দবনা লৌনম তৌহুনা লাক্তুবনি, ইবুঙো মহাক্কি চান্নবী য়াম্ন'ন অহুনা ঐবু হুঞ্জেকতুনা অমগা সান্নহুনা মহাক্কীদি করিস্থ নুংশাখিব লৈতবনি অহুগা নংগী করি দোষ লৈবগে ? অতোপ্পী অহুবু মহাক্কা পীহুনা সান্নহল্লুবা নত্তে। অহুনা হুজিক্তু মাগী গুণনা ঐগী থমোই অসি হু'খহুনা নুমিৎচুপপা ইবুঙো মহাকতবু থৌরাংবা অহুগা ইবুঙো মহাকপু উবদি ফংদব অহুগী অৱাবমক্তনা য়ামনখিহুনা থমোই অসে কাইখরে, অহুনা হে সখী থমোই অসি মথন্তা চৎচখ্রবনি । মাসিনা ৱাফম অসি হাঙ্গৈরিবী শ্রীমতীনা ইখরাইগা মান্নদবা অমম্ভ ৱাহৈ অসিনা নির্দয়, শঠ হাঙ্গৈবনাচিংবা পদ য়াউবনগা ৱাহৈ অসি অতোপ্পা ধ্বনি ময়াম থোকহনাল, মাহুদি অসিনি— হে দূতী !

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইবুঙো মহাকনা লাকপিদ্রগা নংনা করিগী ৱারিবগে ইবুঙোনা লাক্ত-বদি ঐগী ৱাননবগীমকনি. মহাক্কী ৱাননবা নত্তে অর্থাৎ নংদি শ্রী-কৃষ্ণনা লাক্কদবা খংঙু হাঈনা চৎখ্রুগা কৃষ্ণগা সান্নরক্লতুনা নুঙাইরবনি নত্রদো ? ফরেংনা সখীগী লমচৎ ভৌরেদনা হাঈবা ভাবনি। নির্দয় হাঈবনবু নংবু অচিক্পা মফমদা উরগা চেৎনা নংবু কোন্দুনা মহাক্কী কুচদা কন্না নোইহৎপা অত্থু করিগী নংনা কিরুবগে নায়কনা মাতুম্না নায়িকাবু নুংসিদনা নোইহৎপনাচিংবা তৌরিবা অতুদি নুপী ওইবগী লাইপকতা তমথ্রবনি মাতুংগীদমক হুজিক নুপী ওইনা পোক্লবদা করিগী শোচনা তৌরুবগে কান্নদে হাঈবনি। শঠ, হাঈবদি মহাকনা ঐগী পাউ অত্থু হাঈরুবা মতমদা নতানা হাঈরকপদি মাস্তুম তৌ হাঈরিবনি অস্থমনা তাৎ ভৌত্নুনা মহাক্পু ফাত্নুনা উপভোগ তৌখিবত্থু শ্রীকৃষ্ণগী শঠগী মতৌনি হাঈবা ভাবনি। ইবুঙো অত্নুনা চান্নবী য়ামত্নুনা অ-তোপ্পা নুপীগা লোইননা সান্নখিবস্থু নংনা মীহৌরুফম থোক্তে, ইবুঙো অত্নুনা চান্নবী যাম্বা অত্নুনা মহাকপু চান্নবীসীং অত্নুগী মরকতগী অথোইবা অমা ওইত্নুনা সান্নরিবনি হাঈবা ভাবনি। পশ্য অদ্য—হাঈবদি এংঙু ইতা মখোইগুম্বা ফজবীতবু সান্নগে হাঈবগীদমক্তা শ্রীকৃষ্ণনা চান্নবা য়াম্লিবনি মাত্নুনা নংগীদি করিস্থ ময়েং তাবা লৈতে। ঐদি অহানবা অনুরাগ ওইবদগী হোত্নুনা ঐগী চান্নবা শ্রীকৃষ্ণনা ঐ নত্তবা অতোপ্পী নুপী অমবু এংখিদ্রবনি ঐস্থু মঙ ফাউবা ইবুঙো মা নত্তবা চান্নবা অমা উখিদ্রবনি অত্নবু লাইপক থিবনা ঙসিদি চান্নবা শ্রীকৃষ্ণনা ওন্না তৈনখরে অত্নুনা কান্নদ্রব ঐগী থরাই অসি থা-দোকতুনা হুজিকমক চৎলগে হাঈবা ভাবনি। মতাং অসিদা শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণবু শঠ অমস্থু ধৃষ্টনায়ক ওইনা হাঈরি। হাঈখিবা ভাবসীং অসিনা শ্লোক অসিগী মথক থংবা তত্থাইগীনি. মথাগী ' পশ্যাদ্য... " হাঈবনা হোৌবা তত্থাইগী ভাবতি— প্রিয় সঙ্গমায়— চান্নববু উনগনি হাঈবগী দমক্তা, দয়িতস্য গুণৈঃ আকৃষ্যমাণং— নুংশিবগী গুণনা চিংশন্দুনা ঐগী পুক্নিংনা মথন্তা চৎচখিগনি, হাঈবদা দয়িত শব্দ লেংবা অত্নুদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দেশবরাড়ী-রাগ রূপক-তালাভ্যাং গীয়তে।

অনিলতরলকুবলয়নয়নেন তপতি ন সা কিশলয়শয়নেন।
সখি যা রমিতা বনমালিনা। ধ্রুবম্ ।১॥
বিকসিতসরসিজললিতমুখেন।
স্ফুটতি ন সা মনসিজবিশিখেন। সখি যা০ ।২॥

সখি (হে সখী !) অনিল তরল কুবলয় নয়নেন (নুংসিৎনা হুমবদা তথক তথক্লবা থরোগুম্বা মিৎনা মাগী ওইবা) বনমালিনা (শ্রীকৃষ্ণনা) সা (মাবু) রমতি (সান্নবুনা নুভাইহল্লবী) সা (অদুগুম্বী গোপী অদুনা) কিশলয় শয়নেন (উনা অনৌবগী শয্যানা মরম ওইদুনা) ন তপতি (চাক্তবা ওই) ।১॥

বিকসিত-সরসিজ-ললিত মুখেন (শাৎকাইরবা থম্বালগুম্না ফজরবা মাইথোংনা ওইবা শ্রীকৃষ্ণগা) সা (সান্নরিবী নুপীনা) মনসিজ-বিশিখেন (কামগী তেন্না মরম ওইদুনা) ন স্ফুটতি (রাদে) ।২॥

হে সখী ! বনমালা থোনবা শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী নুংশিৎনা হুমদুনা, থরোগুম্বা মিৎনা এংদুনা সান্নরিবী নুপী গোপরমনী অদুদি অনৌবা উনাগী শয্যানা মৈ ওইদুনা শাবসি ওইরোই ।১॥ *—

মহাক্কী মাইথোংনা অশাৎপা থম্বাল মানবা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নরিবা

চৎচথিগনি হাঙ্গবা অসিনা ইবেমা মহাক্কী দশমী দশা কৌবা তরাগুবা অবস্থাবু সখীদা হায়েমনা খংহনবনি। গুণৈঃ আকৃষ্যমাণং হাঙ্গবদি—থৌরাঙনা পুল্লবা পোৎপু চিংশিনবাগুম্না, দয়তে চিত্তমাদত্তে— নুংশিবা হাঙ্গবদি পুক্লিং হুবা ইবুঙো মাগী গুণনা পুন্দুনা ঐগী পুকনিং অসিবু চিংশনখরে অদুনা হকচাং অসি হুঞ্জেকতুনা পুকনিংনা ইবুঙো মাগী মনাক্তা চৎচথ্রগনি হাঙ্গবনি ।৯॥

* হন্দক্কী ১—৮ ফাওবা পদ অসিগী ব্যাখ্যাদি মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অমৃতমধুরমৃদুতরবচনেন।
জ্বলতি ন সা মলয়জপবনেন। সখি যা০ ।৩॥
স্থলজলরুহরুচিকরচরণেন।
লুঠতি ন সা হিমকরকিরণেন। সখি যা০ ।৪।
সজলজলদসমুদয়রুচিরেণ।
দলতি ন সা হৃদি বিরহভরেণ। সখি যা০ ।৫॥

অমৃতমধুরমৃদুতরবচনেন (অমৃতগুন্না থুম্বা অমংবা ভাংবা হরিগা লোইননা) সা (সান্নরিবী নুপীনা) মলয়জ পবনেন (মলয় চন্দনগী মনম পুবা নুংশিৎনা মরম ওইদুনা) ন জ্বলতি (চাক্তে) ।৩।।

স্থলজলরুহ-রুচিকরচরণেন (স্থলকমলগুম্না নিংথিবা খোঙ খুৎনা ওইবা শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা) সা (সান্নরিবী অদুনা) হিমকরকিরণেন (থাগী মভান্না মরম ওইদুনা) ন লুঠতি (ওনদে) ।৪।।

সজলজলদসমুদয়রুচিরেণ (অনৌবা নোং মংলকপদগী হেন্না নিংথি-জবা শ্রীহরিগা লোইননা) সা (সান্নরিবী নুপীনা) হৃদি (থমোইদা) বিরহভরেণ (কাইনবগী অৱাবনা থন্দুনা) ন দলতি (কাইদে) ।৫।।

নুপীতনা কামগী তেননা থাবগী অৱাবা ফংদে ।২।।

মাগী ভাংথোরকপা য়াথংনা অমৃতগুম মেংবা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নরিবা নুপীতনা মলয়গী নুংসিৎনা শোক্লগা চাকপা ওইদে ।৩।।

মহাক্কী খুৎ অমসু চরণনা স্থলকমলগুম্না মেংবা শ্রীকৃষ্ণগা সান্ন-রিবী নুপীতনা থাগী মভাননা শোকলগা ওনবা ওইদে ।৪।।

মহাক্কী কুচুনা অনৌবা নোং হৌরকপদগী হেন্না নিংথিবা শ্রীকৃষ্ণগা

গা সান্নরিবী গোপী অদুগী লাইপক ফববু থার থারদুনা কাইনরিবী ইবেমগীদি লাইপকথিবা মতৌবু হাঈরি। মাসিদা খংনরিবা ভাবনবু পদসিং অসীদা য়াউরিবা নঞ্জসিং অসি কাকু কৌবা ৱাহৈ ওইবনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কনককনিকষরুচিশুচিবসনেন।
শ্বসিতি ন সা পরিজনহসনেন। সখি যা০ ।৬॥
সকলভুবনজনবরতরুণেন।
বহতি ন সা রুজমতিকরুণেন। সখি যা০ ।৭॥

কনক নিকষরুচি শুচিবসনেন (নিকষণ কৌবা নুংদা সনাবু তক্লগা লৈবা মচুগুম্বা ফীগে সনা থোনবা শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা) সা (সান্নরিবী নুপী অদুনা) পরিজন হসনেন (মহাক্কী মীশিংনা নোকপনা মরম ওইদুনা) ন শ্বসতি (মনুংশ ফুইনা হোন্দে) ।৬।।

সকলভুবন জনবর-তরুনেন (অয়াম্বা মরোন অহুমগী যুবাসিংগী অথোইবা হরিগা লোইননা) সা (সান্নরিবী নুপীনা) অতি করুণেন (থোইদোকপা করুণরসনা মরম ওইদুনা) রুজম্ (থমোইগী অনাবনা) ন বহতি (পুদে) ।৭।।

সান্নরিবী নুপীতনা চান্নবা কাইনবগী অন্নাবনা থন্দুনা থমোই কাইবা ওইদে ।৫ ।

ইবুঙে মহাক্কী শ্রী অঙ্গদা ফীগে সনা থোনবনা নিকষণ কৌবা নুংদা সনাবু তক্লগা লৈবা মচুবু হেন্না ফজবা সনা ফিগে থোনবা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নরিবী নুপীতনা মহাক্কী মীশিংনা নোক্লগা নুংশামপী ফুইনা হোন্দে ।৬।।

মরোন অহুমগী যুবা অথোইবা শ্রীকৃষ্ণতগা সান্নরিবী নুপীতনা

অর্থদা ওন্ন—ত্তৈননা খংনগনি ; মাহুদি ১মগী "নতপতি অনৌবা উনাগী শয্যানা মৈ ওইদুনা শাবসি ওইরোই ? হাঙ্গবদি শাগনি হাঙ্গবনি, ভাবন্তি শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম হাঙ্গবসিমক্তবু মাহুম তৌই, মাহুদি ইবুঙো মাঙোন্দা পুক্লিং হাপল্লুরবী নায়িকা অহুগীদি তাইবংপানবা অসি থাদোকতুনা ইবুঙো মহাক্কী অপূর্ব্ব প্রেমরসনা মাস্তম তৌই হাঙ্গবা হাঙ্গনিঙাই সৈতবা প্রেম সুখনা ওই। অহুগুম্বা প্রেমসুখ অহুদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতবচনেন ।
প্রবিশতু হরিরপি হৃদয়মনেন । সখি যা০ ।৮॥

অনেন (আসগুম্বা) শ্রীজয়দেব-ভণিতবচনেন (শ্রীজয়দেবনা হাঙ্ঈবা ৱাহৈ অসিনা মরম ওইতুনা) হরিঃ অপি (শ্রীকৃষ্ণনা) হৃদয়ম্ (ভাৱিবা, পাৱিবা ভক্তগী থমোইদা) প্রবিশতু (চংসনু) ।৮;

য়াম্না নুংশিবা করুণরসনা তিন্দুনা থমোইগী অৱা-অনা পুবা তৌদে ।৭॥

শ্রীজয়দেবনা হাঙ্ঈবা ৱাহৈ অসিনা মরম ওইতুনা অতাবা অমসু ভক্তসিংগী থমোইদা শ্রীকৃষ্ণনা চংবিসনু ।৮॥

বিরহাবস্থাদা বেদনা অমা ওইরি, অতুগুম্বা বেদনা অতুনা পাল্লবা মতমদা তাইবংপানবদা নুঙাইবনি হাঙ্ঈতুনা লৈরিবা পুন্নমক অসনা ৱানুবগী মশক ওইরকই হাঙ্ঈবা ভাবন। অতুনা ২য়গী নস্ফুটতি ক্ষামগী তেন্না থাবগী অৱাবা ফংদে। হাঙ্ঈবদি ফংগদবমক্তি। ভয়গী ন জ্বলতি—মলয়গী নুংশিৎনা শোক্লগা চাকপা ওইদে! হাঙ্ঈবদি চাক্ক-দবমক্তি। ৪র্থগী "ন লুঠতি—থাগী মঙাল্লা শোক্লগা ওনবা ওইদে। ওনগদবমক্তি।" ৫মগী "ন দলতি—অৱাবনা থন্দুনা থমোই কাঙ্ঈবা ওইদে? থমোইদু কাইগদবমক্তি।" ৬ষ্ঠগী "ন শ্বসতি— মহাক্কী মীসিংনা নোক্লগা নুংশামপি ফুইনা হোন্দে। হাঙ্ঈবদি ফুইনা হোন-গদবনি।" ৭মগী "রুজং ন বহতি—য়াম্না নুংসিবা করুণ রসনা ভিন্দুনা থমোইগী অৱা-অনা পুবা ওইদে। নুমিৎচুপ্পা থমোই অসিদা অৱা-অনানা তিনবা ওইডুনা লৈ।" অসুম্না খংনগনি। মাসিদা হাঙ্ঈরিবা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নরিবী নুপীতনা অড্র অদুগুম্বা অৱাবতু ফংই অসুমনা ইবেমনা হাঙ্ঈরি, মাতুম্না ফংলিবা অদুবু মীওইবগী লোন্দা হাঙ্ঈনিঙাই লৈতবনা অৱা-নংবা—দুঃখ হাঙ্ঈরুবতনি, অতুগা মাতুদি তাইবংপান-বগী অৱাবা হাঙ্ঈবা অসিদি নত্তে। জীবনা ফংলিবা অৱাবা হাঙ্ঈবা অসিদি পাপ তৌখিবগী পাপনা থোকহনবনি। শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরগা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মনোভবানন্দনচন্দনানিল প্রসীদ রে দক্ষিণ মুঞ্চ বামতাং।
ক্ষণং জগৎ প্রাণ বিধায় মাধবং পুরো মম প্রাণহরো ভবিষ্যসি।৭॥

মনোভবানন্দন (হে কামবু নুঙাইহনবা!) চন্দনানিল (হে চন্দনগা মরী লৈনবা নুংসিৎ!) রে দক্ষিণ (হে জীব পুম্নমক্কী ফোরোই ইনবা!) প্রসীদ (থৌজানবিয়ু) বামতাম্ (ওই ওইনবা—জীবগী অকাইবা তৌবা) মুঞ্চ (থাদোকউ) জগৎ প্রাণ (ভাইবংপানববু হিংহনবা) মম (রাধা ঐগী) পুরঃ (মাংদা) ক্ষণম্ ভাহাক্তং) মাধবম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) বিধায় (থন্নগা) প্রাণহরঃ (ঐগী থন্নাই মাংনবা) ভবিষ্যসি (নংনা ওইগনি)।৭॥

হে কামগী চান্নবা, হে চন্দনগী শুংসিৎ! ঐবু চানবিয়ু, হে মীগী ফননবা তৌবা নুংসিৎ! ঐগী মরীদা ওইওইনবিগনু (কাইনবা ফত্তনবা

ওইরিবা বেদনা অসিবু থোকহনবা পাপ লৈবা হৌনদে। অদুনা মাসিবু ঐথোইনা খংনরিবা জীবনা ফংবা য়াবা অন্নাবা অদু নত্তে হাঙ্গৈবা খংনগনি। মাদুদি শ্রীভাগবততা গোপীগীততা "তব কথামৃতং তপ্ত জীবনং" অমসু ভ্রমরগীততা "যদনু চরিত লীলা কর্ণপীয়ুষ বিপ্রুট্" হাঙ্গৈবা অদুগুম্বা ভাবনি।

হন্দক্কী পদ অসিদা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নরিবী গোপী অদুগী শ্রীকৃষ্ণগা সান্নমিন্নারভেগী নুঙাইবা অদু হাঙ্গৈরগা শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরগা ওইগদবা অন্নাবা প্রেমগী বেদনা অদুবু ইবেমনা কাকুনা ফোংদোকতুনা শ্রীমতীদা মতম অদুদা ওইরিবা প্রেমগী বেদনাবু থারিবনি অসুম্না খংনগনি।

মনুংগী ভাব অমনবু ইবেমগী ৱাহৈসিং অসিনা মরম ওইদুনা মনুংগী ভাব অমসু খংনরি, মাদুদি— মতম অদুদা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নরিবী গোপী অদুদা শ্রীকৃষ্ণগী থাঙ্গৈশেংবা প্রেমগী তুংনফম ওইদে, সুপনগী কামগী অপাম্বা তুংনফম ওইবনি অদুনা মতম খর শ্রীকৃষ্ণগা গোপী অদুগা সান্নবনি অসুম্না খংনগনি। অদুনদি কামবতী ওইবী নুপীবুদি কামী ওইবা নিপানা মাগী কামগী নিংবা অদু থুংলগা অমোক হেক

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রিপুরিব সখীসম্বাসোঽয়ং শিখীব হিমানিলঃ,
বিষমিব সুধারশ্মির্যস্মিন্ দুনোতি মনোগতে।

যস্মিন্ (কৃষ্ণনা) মনোগতে (পুক্লিংদা লৈরবদা— মপান্দা উত্র-তুনা পুক্লিংদা নিংশংলবদা) অয়ম্ (আসগুম্বা) সখীসম্বাসঃ (সখীগা ওইবিগনু), হে জীবনু হিংহনবা নুংসিৎ ! ঐগী মাংদা ঙাহাক্তং শ্রীকৃষ্ণবু থম্বিরগা কোন্না ঐবু হাৎলু।৭॥ *

হে সখী ! শ্রীকৃষ্ণবু মিৎনা উত্রতুনা পুকনিংদা ইবুঙো মহাকনা থাদোকই, মাসি হৌনবীনি। হোরেন অমোক কামগী অয়িনবা রিরংসা ওইরবদা অমোক উনৈ মাতুবুদি প্রেম জগৎদি থাগৎনদে, মাতুগুম্বা কাম রিরংসানা চান্নবগুম থোকপা অতুদি পশুজাতিদাস্তু লৈ। অতুনা হুজ্জিকমকস্তু লোইনতুনা সান্নরিবী নুপী অতুদা শ্রীকৃষ্ণগী নুপী অতুগা লোইনতুনা সান্ননিংবা রিরংসা অতু লৈতরে, শ্রীকৃষ্ণনা মহাকপু খাদোক্কদৌরে হান্নবা খংননবা ইবেমানা পদ নিপান অসিগী হৌগৎলকপদা শ্রীকৃষ্ণবু "বনমালী" হাঙ্গবা মিংফম অসিনা হাঙ্গরি। মাগুগী ভাবতি—"নিন্দা পক্ষেতু বনমালিনেতি মালায়াঃ সম্ভাশ তস্থা সম্ভোগপরাঙ্ঃমুখত্বং সুচিত্ত্বম্" ইতি রসিক প্রিয়া— বনমালা থোনবা শ্রীকৃষ্ণ হাঙ্গবনা বনমালাগা লোইনৈ হাঙ্গবা খংনরে বনমালা অতু থোনবা অতুমক্তনা নায়িকা অতুগা কামক্রীড়া সান্নগদবদি তোক্লে হাঙ্গবা খংহল্লি।১—৮।

* শ্রীমতীনা মলয়গী নুংসিৎনা ইবেমগী অঙ্গদা চাক্লকপা অতুদা পুবা ঙমদ্রতুনা নোল্লুকপা রাহৈনা নুংসিৎপু লৈসি লৈথোল্লি– অহানবা কৌবা "হে মনুভবানন্দন কামগী চান্নবী কামবু নুঙাইহনবা" হাঙ্গনা কৌবা আসগী ভাবতি,— ঐবু শ্রীকৃষ্ণনা হুঞ্জেকপিরবা মতম অসিদা ঐবু লা ইবকথিবীনি হাঙ্গতুনা কামনা মাগী সেনাগা লোইননা মথুত্তা খুৎলাই পাইতুনা ঐবু অব্বাবা পীরে, অতুগুম্বা কামদেব হাঙ্গবা ঐগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৃদয়মদয়ে তস্মিন্নেবং পুনর্ব্বলতে বলাৎ,
কুবলয়দৃশাং বামঃ কামো নিকামনিরঙ্কুশঃ ।৮॥

রা ঙাংনবনা) রিপুঃ ইব (এক্লবগুম্না) হিমানিলঃ (উনগী অয়িংবা নুং-সিৎনা) শিখীব (মৈগুম্না) সুধারশ্মিঃ (মাগী মঙাম্না অমৃত পুবা থানা) বিষম্ ইব (হুগুম্না) হুনোতি (পীড়া তৌই— ব্লাহল্লি) যস্মিন্ (অদু-গুম্বা কৃষ্ণনা) অদয়ে (থৌজানবিদ্রবদা) হৃদয়ম্ (ঐগী থমোইনা) এবম্ (হাঙ্গৈগ্রবা মওং অদু তৌদুনা) পুনঃ (অমোকহন্না) বলাৎ— (পাঙ্গল থোকনা) বলতে (মতুং ইন্দুনা চৎলি) কুবলয়দৃশাম্ (মমিৎ থম্বাল মানবা নুপীসিংগী) কামঃ (নুংশিববু পাম্বা হাঙ্গৈবাসিদি) নিকাম নিরঙ্কুশঃ (মনিং তৌনা মীওইবগী লম্বেল থাদোকই, মাদুনা) বামঃ (ঐ-গীদি) প্রতিকুল (অকাইবা ওইরে) ।৮।

লৈখ্রবদা সখীগা রা ঙাংনবনা এক্লবগুম ওইদুনা, উনগী অয়িংবা অসিনা মৈগুম্না অমসু অমৃতগী মঙান পুবা থানা হুগুম্না ঐবু ব্লাহল্লি, অদুগা ইবুঙো মহাক্না ঐবু চানবিদ্রবদা ঐগী থমোই অসিনা অসিগুম্বা অরাবসি ওইদুনা অমোক ইবুঙো মাগী নাক্তা চেনখি, মাদুবু খাম্বা ঙমদে, মাসি হে সখী, মিৎ থম্বাল মানবী নুপী ওইবীসিংগী নুংশিববু পাম্বা হাঙ্গৈবা অসিদি মী ওইবগী হৌনদে হাঙ্গৈনা থিংলিবা পন পুম্ববু মনিং তৌনা

এক্লবা অদুবু নংনা নুঙাইহন্দুনা নংস্ত য়াওনা ঐবু মাংনবা তৌরে, মরমদি নং অসি কামগী চান্নবনি অদুনা কামবু নুঙাইহনবদি হৌ-নবিনি হাঙ্গৈবা ভাবনি। তৌইগুম্বসুং নংদি চন্দনগী পোক্লফম মলয় চীঙদা লৈবনা চন্দনগা মরুপ ওইনরুবদগী সঙ্গী গুণনা নিংথিজবা ফজবা লমচৎ ওইরিবনি, অদুনা নগুণ এংদুনা রারবা ঐনা হাঙ্গৈজবা অসি ভাবিয়ূ হাঙ্গৈবগী ভাবত্তা "হে চন্দনানিলপ্রসীদ"— "থৌজান-বিয়ূ" হাঙ্গৈ। মলয়চীঙগী চন্দনগী নুংসিত্তি দক্ষিণদা লৈবনি (দক্ষিণ হাঙ্গৈবগী অর্থদি,— অর্থ অমদা মথাথংবা মাইকৈ, অর্থ অমদা এৎথংবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হেন্দোকতুনা চৎলি, অসিগুম্বা নুপী ওইবীগী লিচৎ অসিনা রাধা কৌবী ঐগীদি অকাইবা ওইরে ।৮।। *

হাঙ্গবদি এৎলোইনচুনা জীবগী অনুকুল ওইবা ফোরোইইন্বা মতেং পাংবা হাঙ্গ । অচুনা রাধা কৌবা ঐগীদি করিগী বামতা (ওই-ওইন-চুনা অর্থ অমদা প্রতিকুল— ফত্তনবা, মাংহনবা, থুগাইবা) ওইবা হৌনদে অসুম হাঙ্গবা ভাবতা "রে দক্ষিণ মুঞ্চবামতাঃ" হে দাক্ষণগী নুংসিৎ ঐগী মরিদা বামতা ওইবা (ওই-ওইনবা প্রতিকুল ওইবা) থাদোকউ অদুম্না হাঙ্গ (মাসি বিরোধাভাস কৌবা অলঙ্কারগী রাহৈনি) অমম্ব নংদি তাইবংপানবা পুন্নমকপু হিংহনবনি 'জগৎ প্রাণ' ঐবুদি নংনা মাংহনলগে হাঙ্গরবস্ত মাংহনলু অদুগা শ্রীকৃষ্ণবু ওহাক্তং ঐগী 'মাংদা থমচুনা ঐবু উহনবিয়ু অদু ওইরবদি নহাক্না ঐবু হাৎতুনা সিহনলবস্তু ঐগী নুংশাইতবা লৈররোই হাঙ্গবা ভাবনি ।৭।।

* শ্রীকৃষ্ণবু উদ্রচুনা পুক্নিংনা নিংসংলুবদা সখীগা রাঙাংনবা কৌবা নুপী ওইবীগী অচুপ নুঙাইবা অদুনা এরুবগুম ওই, হাঙ্গবদি সখীনা হকচাংদা লৈতেংবিবা বাসগৃহবু শেম্বনাচিংবদু নিংসংউরগা মাচুগী নুঙাই-তবনা হাঙ্গরুবনি । নুঙাইতনবা তৌববু এরুবা কৌবনা নুঙাইতবা তৌবা ওইবনা সখীবু এরুবগুমলে হাঙ্গনা চাংদম্নবনি । অচুনা উনগী অয়িংবা নুংসিৎনা মৈগুম শারে, থাগী থাবলনা হুগুম থোক্লে । মতম অদু য়ৌরবদা শ্রীকৃষ্ণনা থৌজানবদ্রবদি ঐগী পুকনিং অচুনা খাংবা ওমদ্রচুনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক তান্না মথন্তা চৎচখি, মাসি নিংথিজবী নুপীগী হৌনবীনি । মাচুদি মিৎ থম্বান মানবী নুপী হাঙ্গবাসনা মাখোইনা নুংশিবা নিপাবু থাদোক্লিংদবা পাম্বা হাঙ্গবাসিদ ইকাইবা, অকিবা, পামুবা, লোকলজ্জা, গুরুজনগী ভয়নাচিংবা মীওইবগী পন পুন্নমকতু থুগাইচুনা ইরাই লাইনা নুংশিবগী নাক্তা হেক্তা চৎখি । অসিগুম্বা নুপীগী হৌনবী অসিনা রাধা ঐগীদি বাম ওইরে, হাঙ্গবদি নুংশিনবা হাঙ্গবাসি অনিনা নুংশিনরগা ফজবনি, অনুকুল ওই । অমনদি ইনুং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বাধাং বিধেহি মলয়ানিল পঞ্চবাণ,
প্রাণান্ গৃহাণ ন গৃহং পুনরাশ্রয়িষ্যে।
কিন্তে কৃতান্তভগিনি ক্ষময়া তরঙ্গৈ,
রঙ্গানি সিঞ্চ মম শাম্যতু দেহদাহঃ ।৯॥

মলয়ানিল (হে মলয়গী নুংশিৎ !) বাধাম (পীড়াবু) বিধেহি — (তৌ) পঞ্চবাণ (হে তেন মঙা পাইবা কামদেব) প্রাণান্ (থৱাই মঙাবু) গৃহাণ (লৌ) গৃহম্ (য়ুমদা) পুনঃ (অমোকহল্লা) ন আশ্রয়িষ্যে অমোক হল্লরে ই) কৃতান্তভগিনি (হে যমগী মচন যমুনা) তে (নংগী) ক্ষময়া (ঙাকপিবনা) কিম্ (করি কান্নগনি) তরঙ্গৈঃ (নংগী ঈথক খিবিক্লা) অঙ্গানি (হকচাং খিনিকপু) সিঞ্চ (থুম্লরো) মম (ঐগী) দেহদাহঃ (হকচাং চাকপা'সনা) শাম্যতু (কোক্লসন্নু) ৯।

হে মলয়গী নুংসিৎ ! ঐবু অৱাবা পীরো, হে তেন মঙা পাইবা কামদেব ! ঐগী থৱাই মঙাবু লৌরো. ঐদি শ্রীকৃষ্ণনা য়েংবিত্রবসিদা য়ুমদা অমোক হল্লরোই. হে যমগী মচন যমুনা ! নংনা ঐবু ঙাকপিবা অসিনা করি কান্নগনি ? নংগী ঈথক'সংনা ঐবু থুম্বিরো, মাতুনা

নুংশিত্রগা অমতুনা মনুংশিরবদি অমগী দি অমাংবা ওই, মাতু রাধা কৌবী ঐগীদি থোক্লে। ঐতনা ঐগী ঈবুঙোগী শ্রীচরণবু থাদোকপা ঙমদে, মহাক্কী চরণগী দমক্তা অস্তুপ য়াম্না লোকলজ্জা, ভয়না চংবা জলাঞ্জলি তৌরগা ঈবুঙো মহাক্কুদি ঐবু নুংশিবিবা থৌজানবিবা লৈতবনা। অসি-গুম্বা কামদেবগী পীড়া অসিনা ঐঙোন্দা ওইরিবনি। অসিগুমবা শ্রীমতীগী ৱাহৈ অসিনা য়াম্না তেন্না দাম্পত্যপ্রেমগী তাইবংপানবু পুল্লপ ওইনা খোমজিনবা, নুংশিবগা কাইনবা হাঙ্গশাসিগী খাংবা ঙম-দবা অমসু প্রেমনা খুতুম চনগ্রবা থমোইগী লাকশিনবা ঙমদববু য়াম্না তেন্না ঙাংবা ৱাহৈনা উৎখরে।৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রাতর্নীলনিচোলমচ্যুতমুরঃ সংবীত পীতাম্বরম,
রাধায়াশ্চকিতং বিলোক্য হসতি স্বৈরং সখীমণ্ডলে।

প্রাতঃ (অয়ুক অঙনবদা) নীলনিচোলম (অসংবা ফী থোনবা) অচ্যুতম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) রাধায়াঃ (রাধাগী) সংবীত পীতাম্বরম্ (পীতাংশুকম্)—(ফিগে সনা কুপ্পা) উরঃ (থবাকপু) বিলোক্য (উরগা) সখী মণ্ডলে (সখীগী মপৈনা) চকিতম্ (তথক তথকনা) স্বৈরম্—

ঐগী হকচাংদা প্রেমগী মৈনা চাকপগী মৈচাক অসি কোক্লনি ।৯। *

নিশান্তগী মতমদা ফি ওন্নখিত্নুনা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমগী অসংবা ফি থোনখিবা, ইবেমনা শ্রীকৃষ্ণদগী ফিগে সনা থোনখিবা, মাত্তুবু সখীসীংনা অয়ুক্তা উরত্নুনা ভথক তথকনা মনিং তৌনা নোকই, মতমত্নুদা

* হে মলয়ানিল— 'হে মলযগী নুংসিৎ' হাঙ্গৈনা কৌবগী ভাবতি নংদি চন্দনগা সঙ্গ তৌবনা পুকচেল চাউবনি অত্নুনা হাঙ্গৈজবা য়াদবা হাঙ্গৈবত্নু ওইররোই হাঙ্গৈবা ভাবনি। কামদেববু হে পঞ্চবাণ তেন মঙা পাইবা হাঙ্গৈবদি নংনা তেন মঙা পাইবনা ঐগী প্রাণস্তু মঙানি মাসি মাংহনবদা মতিক চাই হাঙ্গৈবা ভাবনি। অত্নুদি শ্রীকৃষ্ণনা নুংসিবিদ্রগা নয়ুমদা চৎলো হাঙ্গৈগনি অস্নুম হাঙ্গৈবা ভাবতা "ন গৃহং পুনরাশ্রয়িষ্যি" ঐদি অমোক হন্না য়ুমদা হল্লরোই হাঙ্গৈবদি অস্নুপ বানা প্রেমগী মৈনা চাকত্নুনা লৈগদবগী শরুকপুদি য়ুমদা হল্লরোই হাঙ্গৈবা ভাবনি। হে কৃতান্ত ভগিনী— যমগী মচন হাঙ্গৈনা কৌবদি জীববু লাকুবা যমগী মচন নংনা রাধা ঐবু নুংসিবদি চুমদে, নবুংগী লীংজেন লৌত্নুনা ঐবু নংগী ঈশিংনা থুমত্নুনা সিহনবিয়ু, মাত্নু তৌরবদি ঐগী হকচাংদা চাকলিবা প্রেমগী মৈ অসি মুৎকনি হাঙ্গৈবা ভাবনি। মতাং অসিদা হাঙ্গৈরিবা কামগী তেন মঙা হাঙ্গৈবদি,— "সংমোহনঃ শোভনশ্চদহনঃ শোবনস্তথা। উচ্চাটনশ্চ কামস্য বাণাঃ পঞ্চ প্রকীর্ত্তিতা" অস্নুম্না শাস্ত্রনা হাঙ্গৈবদগী তেন মঙা অত্নুবু খংনগনি ।৯॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ব্রীড়াঞ্চলমঞ্চলং নয়নয়োরাধায় রাধাননে,
স্বাদু স্মেরমুখোঽয়মস্তু জগদানন্দায় নন্দাত্মজঃ ।১০॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যে বিপ্রলম্ভণবর্ণনে
নাগর নারায়ণো নাম সপ্তমঃ সর্গঃ ।

—:—

(মনিং তন্না) হসতি (নোক্লবদা) রাধায়াঃ (রাধাগী) আননে (মাই-থোংদা) ব্রীড়াচঞ্চলম (ইকাইত্না তথক তথক এংলবা) নয়নয়োঃ (মিৎ অনিগী) অঞ্চলম্ (মিৎচিৱু) আধায় (হাপতুনা) স্বাদুস্মের-মুখঃ (নিংথিনা মোমোন নোক্লিবা) অয়ম্ (অসিগুম্বা) নন্দাত্মজঃ—(নন্দগী মচা কৃষ্ণনা) জগদানন্দায় (তাইবংপানবগী নুঙাইনবগী দমক) অস্তু (ওইরসনু) ।১০।

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা বিপ্রলম্ভণ বর্ণনদা
নাগর নারায়ণ কৌবা তরেৎসুবা সর্গ লোইরে ।

—।—

শ্রীকৃষ্ণনা ইকাইরত্না তথক তথক এংবা মিৎযেং ওইত্না শ্রীমতীগী মাইথোংদা মিৎচিনা এংলগা ফজনা মোমোন মোমোন নোকপা অতু-গুম্বা নন্দগী মচা কৃষ্ণনা তাইবংপানবা লপুন্নগী নুঙাইবা পিনসনু ।১০।*

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা বিপ্রলম্ভণ বর্ণন তৌবদা
নাগর নারায়ণ কৌবা তরেৎসুবা সর্গঃ লোইরে ।

—০—

---

* কবি জয়দেবনা ইবেমগী বিরহগী অরাবা ময়াম অত্থু থারুরগা মহাককুম্না তাইবংপান পুম্নমক অসি প্রেমগী অৱাবগী সমুদ্রদা লুপক্রে হাঙ্গনা উরে, অতুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী নিশান্ত লীলাদা ফী ওন্ননা থোনথিত্না নোংঙাল্লগা সখীসিংনা উত্না নোকপা, শ্রীকৃষ্ণনা মাতু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্

অষ্টমঃ-সর্গঃ।

—:—

(বিলক্ষ্য-লক্ষ্মীপতি)

**অথ কথমপি যামিনীং বিনীয়, স্মরশরজর্জ্জরিতাপি সা প্রভাতে।
অনুনয়বচনং বদন্তমগ্রে প্রণতমপি প্রিয়মাহ সাভ্যসূয়ম্ ।১॥**

অথ (অতুগী তুংদা) স্মরশরজর্জ্জরিতা অপি (কামগী তেন্না থাতুনা হকচাং অপূন্বা ৱারবী ওইতুনসু) সা (রাধিকানা) যামিনীম্— (বিরহনা শাংলবী অহিংবু) কথমপি (য়াম্না ৱানা) বিনীয় (লেল্লগা) প্রভাতে (নোংঙাল্লবদা) অনুনয়বচনম্ (ঐ মাসুম্না তৌজররোই হাঙ্গবনাচিংবা অথেন্বা, হাঙ্গজববু) বদন্তম্ (ঙাংলিবা) অগ্রে (মাংদা) প্রণতম্ অপি (খুরুমজতুনসু) প্রিয়ম্ (চান্নবা শ্রীকৃষ্ণদা) সাভ্যসূয়ম্ (অসুম্না তৌতুনা ফত্তবা দোষ হাপতুনা) আহ (হাঙ্গ) ।১।

কামগী তেন্না হকচাং পুন্নমক্তা থাতুনা ৱারবী শ্রীরাধানা শাংলবা অহিংবু ৱানা লেল্লে. অতুগী মতুংদা অয়ুক অঙনবদা "ঐ তৌজররোই, হন্দক্তদি ঙাকপিয়ু" অসুম হাঙ্গবনা চিংবা রাহৈনা হাঙ্গজরিবা ইবেমগী

উরগা ইকাইহুনা মিৎচিনা এংলগা মোমোন নোকপা অতুগুম্বা শ্রীরূপ অতুবু সিংহাবলোকিত কৌবা ন্যায়না মথাদা কাব্য অসিনা ওইরক্কদবা প্রসঙ্গবু হান্নানা এংতুনা সর্গগী অরোইবদা প্রেমগী ৱারবা জগৎপু আশীর্ব্বাদ তৌতুনা সর্গগী অরোইবদা ফোংদোকপনি ।১০॥

মতাং অসিদা নাগর নারায়ণ কৌবা তরেৎসুবা সর্গ লোইরে।

—।—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চরণদা তুত্নুা থুরুমজরিবা চান্নবা শ্রীকৃষ্ণদা ইবেমনা মখাদা হাঙ্গৌরিবা ব্রা অ'স হাঙ্গৈত্নুা দোষ তৌরত্নুা হাঙ্গৈ।১।। *

* হৃন্দক্কী সর্গ অসিদা শ্রীমতীগী খণ্ডিতা অবস্থা হাঙ্গৈগনি, খণ্ডিতা কৌবদি "উল্লঙ্ঘ্য সময়ং যস্যাঃ প্রেয়ানপভোগবান্। ভোগলক্ষ্মাঙ্কিতঃ প্রাতরাগাচ্ছ সাহি খণ্ডিতা।" অথাৎ নুপী অত্তুগা হাঙ্গৈন-সিঙনবদা থানবা মতম হেন্দোকতুনা অতোপ্পা নুপী অমগা সান্নরুবগী খুদম প্তুনা চান্নবনা অয়ুক্তা লাকপা, মতম অত্তুদা নুপী অত্নুা ওইরিবা ফিবম অত্নুবু রস শাস্ত্রনা "খণ্ডিতা" কৌই। ইবেমনা অহিং অত্তু লেনবদা বিরহগী মতমদদি মিকুপ অমত্তসু যুগ অমা হৌখরে হাঙ্গৈনা নিংবী ইবেমনদি অহিং অমা চুপনা লেনবত্তু ওন্থোক্নুা শাংনা থোকখরে, মরম অসিনা চুন্নগী অহিং হাঙ্গৈবা মমিং পুন্নামক হুঞ্জেকতুনা "যামিনী" শব্দ লেংই, মাত্নুদি "উদরবশী কন্যা" হাঙ্গৈবাগুম্না ইবেমদদি অহিং অত্তু ওন্থোক্না শাংনা থোক্লে, হাঙ্গৈবনি। "স্মরশর জর্জ্জরিতা অপি" অস্তুয়া অপি শব্দ য়াউবনা খংহল্লিবদি বিরহগী বেদনানা অস্তুপ ব্রাথ্রবী ওইত্নুাস্তু অতোপ্পী নুপী অমগা লৈমিন্নরুরে হাঙ্গৈবা নোঙানলগা খুজিন মফম উবদা মাত্নুগী কল্পকপনা য়ামনা অমোক হন্না ব্রাখরে, অত্তুগা মাত্নুগী নুঙাইতবামক্তনা অত্তুপ কুইবা অহিংগী অব্রাবা পুন্নমক কাউখরে হাঙ্গৈবা খংহল্লি। মতম অত্তুদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গৈরিবা "যজ্জাতং তজ্জাতং ভূয়োনেদৃশমাচরামি" ইবেমা! থোকখিবদি থোকখরে, অমোক হন্না মাস্তুন্না তৌজররোই, অস্তুমনা হাঙ্গৈবনাচংবা অত্নুমক্পু এংবদা খোং অনিদা তুত্নুা থুরুমজরিবা শ্রীকৃষ্ণদা সাভাসূয়ম্— অস্তুয়া তৌত্নুা— দোষ হাপতুনা ইবেমনা হাঙ্গৈ। ব্রাহৈ অসিনা খংহনলিবদি নুংসিবী অমনা নুংসিবাবু নুংসিবগী খমথেংবা ওমথৈ হাইবত্নু মাসি ওইরে হাঙ্গৈবা ফোংদোকপনি, মাত্নুদি ইবেমদি লোকভয়, গুরুজনগী গঞ্জনা, নুপী ওইবগী লজ্জা পুন্নামক থাদোকতুনা অকিবগী মশক ওইবা বন মনুংদা ইবুঙো মহাক্কীদমক্তা হাঙ্গৈত্নুা শা, কৈ, লান, ভূত প্রেতগী মফম অত্নুবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভৈরবী·রাগ যতি·তালাভ্যাং গীয়তে।

রজনিজনিতগুরুজাগররাগকষায়িতমলসনিমেষম্,

হরি হরি (অৱাবনি !) মাধব (হে মাধব !) যাহি (চৎলো)

হরি হরি ! হে মাধব ! চৎলো, হে কেশব ! চৎলো, তাৎ তোবা

ইখন থন্দনা ইবুঙো মাগী যাথং মতুংইন্না মহাকপু ঙাইত্নুনা মমখ্রবা অঙ্গিংদা লৈরুরিবনি। লৈদগী হেন্না নৌবী নুমিৎকী মঙান্না শোকপতদা থোঙ থাংত্নুনা চৎপা ঙমদবা তনৌ তনোবা যুবতী ওইবী নিংথৌগী মচানুপী অমনা অতুগুম্বা মফমদা ইবুঙো মাবু ঙাইবদা ৱাখিবা অৱাবত্নু মথক্কী সর্গ খুদিংদা কবিনা হাঙ্গৈখরে, অতুগা ইবুঙো মহাক্নুদি অতুপ য়াম্বা ইবেমগী অৱাবত্নু ইএং এংদনা অতোপ্পা নুপী অমগা সান্নত্নুনা ইন্নুং নুঙাইনা লৈথোক্লবদা পুক্নিং লৌসিং লৈবী, কনানা কারি থনগনি, মাসি থমোই পানবা মী পুম্নমক্না ইখং খংনরিবনি, অৱাবা মতম অতুপ কুইবত্নু হুন্দোকখ্রগা করি অমত্তা দোষ লৈতবা শাত্নুনা লাক্লগা তথক তথকপা তাৎ তৌত্নুনা ঙাংলবা অত্নু তারগা 'নুংসিবনা তৌথোক্লকপা অপুম্বা ইন্নুংতা নুংসি" হাঙ্গৈবনা শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা ইন্নুংতা নুংশি, অতুপ য়ান্না ৱাখিবা অপুম্বত্নু ইকাউ কাউই ইবেমনা সাউবা লৈতে, নুঙাইতবা লৈতে, অয়ূক ওইরগা নোংঙাল্লকপা মতমদা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গদা অতোপ্পী নুপীগা সান্নারুবগী খুদম লৈরকপা, খুদম অত্নুতবু কল্লকই, মাত্নুবু সাউই, মরম অসিনা খুদম অত্নুগা লোইনরুবগীদমক শ্রীকৃষ্ণদা দোষ অত্নু হাপচিন্দুনা ইবেমনা মথাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা ৱা অসি হাঙ্গৈ, মরম অসিনা "সাভ্যসূয়ম্"--- অসূয়াগা লোইননা অস্মন্না ক্রিয়াবিশেষণ অসি লেংই। অসূয়া কোবদি "গুণেষু দোষারোপণম্" গুণদা দোষ হাপ্পব্ৰ কৌই। শ্লোক অসি "পুষ্পিতাগ্রা" ছন্দনি। নায়িকানা খণ্ডিতানি, নায়কগা ধূর্ত্তনি, রসনা বিপ্রলম্ভন শৃঙ্গারনি অলঙ্কারনা জাতিনি ।১।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বহতি নয়নমনুরাগমিবস্ফুটমুদিতরসাভিনিবেশম্ ।
হরি হরি যাহি মাধব যাহি কেশব মাবদ কৈতববাদম্ ।
তামনুসর সরসীরুহলোচন যা তব হরতি বিষাদম্ । ধ্রুবম্ ।১॥

কেশব (কে কেশব !) যাহি (চৎলো) কৈতববাদম্ (তাৎ তৌবা ৱাবু) মা বদ (হাঙ্গৈগনু) সরসীরুহলোচন (হে মিৎ থম্বাল মানবা !) যা (নুপী অতুনা) তব (নংগী বিষাদম্ (অৱাববু) হরতি (মাংহল্লি) তাম্ (নুপী অতুগী) অনুসর (মতুং ইন্দুনা চৎলো) রজনিজনিতগুরুজাগর রাগকষায়িতম (অহিংদা ওইবা কুইনা তুমদবনা থোকহনবা অঙাংবনা খজিক্লুং ঙাংলবা) অলসনিমেষম্ (ভপ্পা ভপ্পা কুপলবা) নয়নম্ (নহাক্কী মিৎনা) স্ফুটম্ (থমোইং মনুংদগী মপান্দা থোরল্লবা) উদিতরসাভিনিবেশম্ (থংথ্রবা রস —অতোপ্পা নুপীগা সান্নরুবগী নুঙাইবাতুদা পুক্লনা থনব ওইনা) অনুরাগম্ (অনুরাগবু) বহতি ইব (পুবগুমই) ।১।

ৱা হাঙ্গৈবরনু, ইবুঙো নংগী পুকনিংগী অৱাবা মাংহনবা ঙম্বী অতুগী মনাক্তা চংলো, অহিং তুমদবগী ঙাংলকপনা মিৎ অতু ঙাংজুনরে, উইরুম উইরুম তৌবা মিৎ অতুনা ঙাহাক ঙাহাক লৈরগা কুপতুনা ঙৱাং সান্নরুবী নুপী অতুগী রসতু কাউবা ঙমদতুনা নুমিৎচুপ্পা ইবুঙো নংনা মাত্ততবু নিংসংবা অতু থমোইদগী মপান্দা থোরকতুনা অনুরাগ ওইনা মিৎনা ফোংদোক্লে ।১। *

* হরি হরি— হাঙ্গৈবা অসি য়াম্না ৱারবদা হাঙ্গৈবা ৱাহৈনি— ইমাইপেম্মা ! হাঙ্গৈবগুম্বনি । মাধব ! হে লক্ষ্মীগী মপু ! চৎলো, হাঙ্গৈবদি নুপী অমদা পাল্লগা দোষ লৈতবী নুপী অমবু তাৎ তৌরগা করি কান্নবগে ? অমসু মা—লক্ষ্মীগী + ধব—মপুরোইবা = মাধব, হাঙ্গৈবনা চঞ্চলা ওইবী লক্ষ্মীগী মপুরোইবা ওইবনা ইবুঙো নংসু (চঞ্চলঃ অথৎপনি, অতুনা অতুগুম্বী চঞ্চলা ওইবীগী নাক্তা চৎপীরো, স্থিরানুরাগ ওইবী (নুংসিখিবা অহুত্তবু অতুম্মক নুংসিবা, অতোপ্পা অমদা অমোক

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কজ্জলমলিনবিলোচনচুম্বনবিরচিতনীলিমরূপম্।
দশনবসনমরুণং তব কৃষ্ণ তনোতি তনোরনুরূপম্। হরি° ।২॥

কৃষ্ণ (হে কৃষ্ণ!) অরুণম্ (মহৌশানা ঙাংবা) কজ্জলমলিন-বিলোচনচুম্বন-বিরচিত-নীলিমরূপম্ (কাজলগী অমুবনা মোৎলবা মিৎপু চুপলুবনা মুরবা) দশনবসনম্ (নহাক্কী চিনবান্না) তনো (নহাককী হকচাং অমুবগী) অনুরূপম্ (মতিকচাবা মচুবু) তনোতি (সন্দোকই) ।২।

হে কৃষ্ণ! নহাক্কী চিনবান অসি মহৌশাদি ঙাংবান, অতুবু কাজল তৈত্থনা মুরবা চান্নবীগী মিৎপু চুপলুত্থনা হুজিক্কি চিনবান অতু নহাক্কী

হোৎদবী) ঐখোঙবুদি নহাক্কী কান্নবা ওইরোই হাঙ্গৈবা ভাবনি। হে কেশব, চৎলো। হাঙ্গৈবদি "প্রশস্ত কেয়োহস্যাস্তীতি কেশবঃ" শম ফববু কেশব কৌই, ইবুঙোনদি শম ফবনিনা গুমিৎচুপ্পা শমতা শেমত্থনা লৈবী ওক্তবীদা পুকনিং চংবান, অতুগুম্বা নুপীগী মনাক্তা চৎপীথরো, তাৎ তৌত্থনা (কৈতব বাদং মাবদ) ঙাংবিরগনু হাঙ্গৈবনি। "হে সরসী-রুহ লোচন"— হে মিৎ থম্বান মানবা— থম্বালনা অহিংদা উমশিল্লম্মী নোংঙাল্লগা তম্মাই অমা শাকাহরকই. মাতুগুম্বা নহাককী মিৎ অতু হুজিক্কি অহিং তুমদবগী অতনবনা উইশিনখিবদা পাংথোকপা হোৎ-নবদা অহিং তুমদবগী চোইরোন পারোগ লোল্লে, হাঙ্গৈবা ভাবনি। অর্থ অমদা হাঙ্গৈরগা— থম্বালনা অহিং উমসিল্লি, নোংঙাল্লগা শাত্তোকহ, মাতুগুম্বা অহিংদা ঐগী মরমদা নহাক্কী মিৎ অসি উইসিল্লুরে, হুজিক নোংঙাল্লত্থনা ঐঙোন্দা পাংবিররে, হাঙ্গৈবা ভাবনি। "ঐদি নহাক নত্তবী চান্নবী মমা লৈত্রদে" অতম্মা হাঙ্গৈবিগনু, মিং অতুনা তাক্লে, হাঙ্গৈবা ভাবত: হাঙ্গৈ মাহুদি— অহিং তুমদবগী ঙাংখৎলকপা। অতুনা মিৎ অতু ইঙাং ঙাংলে, অতুগুম্বা অঙাংবা মিৎতুনা তাক্লি— ইবুংঙো নহাকনা ওরাং সান্নরুবগী কাউবা ঙমদত্থনা নিংসংলিবা (উদিতরসাভি নিবেশম্) অহু থমোই মনুংদা লৈরম্বদগী মপান্দা থোক্লবদা (স্ফুটম) মুংশিবাগুম

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বপুরনুহরতি তব স্মরসঙ্গরখরনখরক্ষতরেখম্ ।
মরকতশকলকলিতকলধৌতলিপেরিব রতিজয়লেখম্ । হরি° ।৩॥

তব (নংগী) স্মরসঙ্গরখরনখরক্ষতরেখম্ (কামগী লান্দা থৌরবা খুজিন্না হোৎখ্রবা) বপুঃ (হকচাংনা) মরকতশকলকলিতকলধৌতলিপেঃ (ইন্দ্রনীলমণিদা একপা সনাগী ময়েক্কী) রতিজয়লেখম্ (রতিদা ঙম্বগী জয়পত্রবু) অনুহরতি ইব (মতৌ তম্বগমই) ৩॥

অমুবা হকচাং অতগী মচুগা মান্নন: মুরে ।২। *

ইবুঙো নহাক্কী হকচাংদা কামগী লানফমদা খুজিন্না হোংলকপা (অনুরাগমিব) মিং অতুনা পুরি (বহতি) হাঙ্গৈবনি। মাতুনা ধ্বনি তৌর-বদি নহাক্কী মিংনা হাঙ্গৈরি— ঙরাং অহিং অরেম্বদা তুমহন্দতুনা মিং ঐবু এংহনলি, অসুম হাঙ্গৈতুনা সাউনা ঙাংতুনা (রাগকষায়িতা রাধা ঐগী মাংদা অতোপ্পা নুপীগা সান্নরুবগী অথুপ্পা অত কোংদোক্লক্লে, হাঙ্গৈবসি ধ্বনি তৌরি। হংদক্কী রাহৈ অসিদা "মাধব, কেশব অমসুং সরসীরুহলোচন —পদ্মলোচন" অসুপ্না হাঙ্গৈব মিঙ্গৌ অতুমনা ইবেমনা সাউতুনা শ্রীকৃষ্ণবু কৌরি। মিঙ্গৌ অতুম অসি শ্লেষার্থদা 'মাধব — হিংচাব ; কেশব— অসিবা, সরসীরুহলোচন— অহিং এংখুমিৎ থুংবা" হাঙ্গৈবা অর্থনম্ভ অয়াকপা রাহৈ হাঙ্গৈবনি। মাধবো—দৈত্যান্তাৎ দৈত্যোঽ-পি মাধবঃ স্মৃতঃ। কমলাক্ষো নিশাক্ষোঽপি রাত্রৌ কমলমুদ্রণাৎ। চৈতন্য রহিতঃ মর্ত্যোঽপি কেশবমভ্যেতু। জলেমৃতস্য সাদৃশ্যাৎ বদ্ধ কুম্ভঃ গলে-মুধেতি ।১।

* ঐগী মিৎ ঙাংবসিদি নহাক্তবু খনবামক্তনা অহিং তুমদতুনা ঙাংবনি, অসুম হাঙ্গৈরক্কনি হাইতুনা ইবেমনা হাঙ্গৈরি হে কৃষ্ণ ! নহাক্কী চান্নবীগী কাজল তৈবা মিত্তা চুপ্পতুনা অতুপ ঙাংবা, নহাক্কী চিনবান, হুজিক্তি নহাক্কী কুচুগুম্না মুরে, মাত্ত করম্না লোৎকদগে মাতুদি ধূর্ত্তগী মতৌনি ক্রীড়াগী মতমদা নায়কনা নায়িকাগী মিত্তা চুপই, অসুমনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চরণকমলগলদলক্তকসিক্তমিদন্তব হৃদয়মুদারম্।
দর্শয়তীব বহির্মদ-দ্রুমনবকিশলয়পরিবারম্। হা।রং ।৪॥

তব (নংগী) ইদম (অসিগুম্বা) উদারম্ (ফজরবা) চরণ-কমলগলদলক্তসিক্তম্ (খোঙগী মশক ওইবা থম্বালদগী খোরকপা যাবক্কা চুরবা) হৃদয়ম্ (থমোইনা) বহিঃ (মপান্দা) মদনদ্রুম—নবকিশলয় পরিবারম্ (কামগী মশক ওইবা থমোইদা লৈবা উগী অনৌবা উনাগী মপৈবু) দর্শয়তি ইব (মতৌ গুমই) ৪।

অসিদি ইন্দ্রমণিদা একপা সনাগী লাইরিক ময়েকনা ইবা রতিগী জয়পত্রগুমই ।২।। *

চান্নবীগী মখোঙ থম্বালবু নগাদা কোল্লত্না খোঙ অত্থদা তৈবা যাবককী অঙাংবনা থমোইদা চুরিবত্থদি থমোই মন্নুংদা লৈবা কামগী মশক ওইবা উগী অনৌবা মনা ময়াম্বু মপান্দা উহনবগুমই ৪। ক

রতিশাস্ত্রনা হাঙ্গ “ গুহ্য নেত্রে ললাটেচ চুম্বনং পরিকীর্ত্তিতম্ ”। ইতি ২।

* “ঐগী চিনবাননা মুবদি নহাক্কা কাইনবগী রাবমক্তননি, কামিন চুম্বনগী মুব নত্তে” হাঙ্গগদবদা ইবেমনা হাঙ্গ, মাত্থদি— “নহাক্কী হক-চাংদা মুপীনা থুজিন্না খোৎলকপগী মফম লৈরিবা অসিদি রতিলীলাদা ওমলে হাঙ্গবা থংননবা ইন্দ্রমণিদা, সনানা হাজং য়ৈত্থনা জয়পত্র ইত্থনা পীরকপগুম্না মুৎপা য়াদনা লৈরে” হাঙ্গবনি।৩।।

ক “লম্বেন লমহুরুত্থনা তিঙ্খং মরক্তা চৎপগী তিঙ্খংনা খোৎপনি, মুপীগী থুজিন্না হোৎপা নত্তে” অস্তম হাঙ্গগদবদা অহিংদা অতোপ্পী মুপীগা সান্নরুবদা “ক্রোধ” কৌবা বন্ধনদগী শ্রীকৃষ্ণগী থমোইদা চান্ন-বীগী যাবক চুরকপা অত্থ এংত্থনা হাঙ্গরি,— চান্নবীগী মখোঙথম্বালদা তৈবা যাবকনা ঈশিংগী মশক ওইত্থনা নহাক্কী থমোই মন্নুংদা হৌরিবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দশনপদং ভবদধরগতং জনয়তি চেতসি খেদম্।
কথয়তি কথমধুনাপি ময়া সহ তববপুরেতদভেদম্। হরি০ ।৫॥

ভবদধরগতম্ (নহাক্কী খজাইদা লৈবা) দশন পদম্ (য়াখুন্না) মম (ঐগী) চেতসি (পুকনিংদা) খেদম্ (অনাববু) জনয়তি (পোকহল্লি) অধুনাপি (হুজিক্কা) তব (নংগী) এতৎ (অসিগুম্বা) বপুঃ (হকচাংনা) ময়া সহ (ঐগা) অভেদম্ (তোঙান্দববু) কথম্— (করমনা) কথয়তি (হাঙ্গৈরি) ৫ !

হে কৃষ্ণ ! হুজিক্কি সংসংনা নহাক্কী হকচাংসিনা রাধা ঐবু ঐ-খোই অনিদি অমত্তুনি, করিমত্তা খেন্নদে হাঙ্গৈরিবসি করিগীনো ? মাহু'দ ইবুঙো নহাক্কী খজাইদা লৈবা চান্নবীগী য়াখুন অতুনা ঐগী পুকনিংদা নাহল্লে ॥ ৫॥ *

কাম কৌবা উত্তদা চাইবদা উত্তুনা মাস্থপকী মতিক পেনখরে, মাতুদি কাম কৌবা উ অতুগী মনা অনৌবা এন্নিং হুনবনা য়াম্মন্দুনা মপান্দা থোরকপগুন্না থমোইদা অঙাংবনা লৈরে, হাঙ্গৈবনি। ক্রোধ কৌবা বন্ধন অত্থ বাৎস্যায়ণনা— "যোষিৎপাদৌ হৃদিন্যস্ত করাভ্যাং ধারয়েৎ কুচৌ। যথেষ্টং তাড়য়েদ যোনিং ক্রোধবন্ধঃ প্রকীর্ত্তিতঃ" অস্থন্না হাঙ্গৈ। সর্বাঙ্গ স্থন্দরীনদি ক্রোধবন্ধ ক্রৌঞ্চবন্ধ অস্থন্না হাঙ্গৈ ।৪॥

* "ঐগী থমোইদা চুরিবা অঙাংবা অসি নুপীসিংগী খোঙদা তৈবা যাবক নত্তে, চীংগী মনঃশীলা অমস্থ গৈরিকরাগগী অঙাংবনি" অস্থন্না হাঙ্গৈগদবদা হাঙ্গৈরি,— "নহাককী অধরদা লৈবা অতোপ্পী নায়িকাগী য়াখুন অসিনা ঐগী পুকনিংদা অরাবা পোকহল্লি, অস্থম্বা নহাককী হকচাং অসিনা হুজিকস্থ ঐগা অমত্তুনি, অস্থন্না করিগী হাঙ্গৈরি ? অর্থাৎ— অতোপ্পা অমগী হকচাংদা খোৎপাৎলগা অতোপ্পা অমনা নাবা হৌনদবনিনা হকচাং অনি তোঙান তোঙাল্লি, হাঙ্গৈনা খংহনলি, হাঙ্গৈবা ভাবনি। অতুনা ঐখোই অনিগী থমোই অনি অসি খমথেংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

বহিরিব মলিনতরং তব কৃষ্ণ মনোঽপি ভবিষ্যতি নূনম্।
কথমথ বঞ্চয়সে জনমনুগতমসমশরজ্বরদূনম্। হরি০ ।৬॥
ভ্রমতি ভবানবলাকবলায় বনেষু কিমত্র বিচিত্রম্।
প্রথয়তি পূতনিকৈব বধূবধনির্দ্দয়বালচরিত্রম্। হরি০ ।৭॥

কৃষ্ণ (হে কৃষ্ণ) তব (নহাক্কী) মনঃ অপি (পুক্লংসু) বহিঃ ইব (মপানগুম্না) মলিনতরম্ (মোৎপা) নূনং ভবিষ্যতি (ওইরগনি) অথ (পৃচ্ছামি— নংঙোন্দা হংগে। অসমশরদূনম্ (কামগী তেন্না ৱা-ৱবা) অনুগতম্ (নংঙোন্দা চংজরিবা) জনম্ (ঐগুম্বা মীবু) কথং (করিনা; বঞ্চয়সে (লৌনম তৌবগে ?) ।৬॥

ভবান নহাক্না) বনেষু (বনখিবিক্তা) অবলা কবলায় (কা-মিনীসিংবু হাংকে হাঙ্গবগীদমক) ভ্রমতি (কোইনা চংলি) তত্র (মসিদা) বিচিত্রম (অঙ্গোকপা) কিম্ (করি লৈ) পূতনিকা এব (পুতনামকনা) বধূবধনির্দ্দয়বাল চরিত্রম্। বধূ হাৎপদা নহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী চরিতপু) প্রথয়তি (সন্দোকই) ।৭।।

হে কৃষ্ণ ! ইবুঙো নহাকসে মপানগী কুচু মতা অসিগুম্না থমোইসু মোংলগনি, নত্রবদি করিগী কামগী তেন্না থাহনা ৱারবী নঙোন্দা চংজরিবী মীদা করিগী ভাং তৌহনা নমহৎপগে ? ।৬। *

ইবুঙো নহাক্না চান্নবী পাঙ্গল লৈজদবী নুপীবু হাংকে হাঙ্গবগী দমক্তা বন বন খুদিংদা কোইনা ২ চংলবনি, মরম অসিদা করি চিংনবা

তোঙান তোঙান্নরবনিনা হকচাং তোঙান্নদে, হাঙ্গবসি চুমদে, হাঙ্গবনা খ্বনিনি ।৫।।

* চংজরবা জীববু নমথাক তৌবা হাঙ্গবসিদি মপুক শেংদবতনা তৌবা হৌনৈ। অতুনা ইবুঙো নংসি মপান্দা কুচু মুবাসিনা মনুংদসু মোংলি, হাঙ্গনা তাকপা ভাবনি ।৬।।

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতরতিখণ্ডিতযুবতিবিলাপম্ ।
শৃণুত সুধামধুরং বিবুধা বিবুধালয়তোঽপিদুরাপম্ । হরি০ ।৮॥

বিবুধা (পণ্ডিতসা !) সুধামধুরম্ (অমৃতদগী হেন্না থুম্বা) বিবুধালয়তঃ অপি (স্বর্গমক্তদসু) দুরাপম্ (ফংঙমদবা) শ্রীজয়দেবভণিত রতিবঞ্চিত খণ্ডিত যুবতি বিলাপম্ (শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গৈবা শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা সান্নবা ফংদ্রবী খণ্ডিতা অবস্থা ওইবী যুবতী—শ্রীমতী রাধিকাগী তেংথাববু) শৃণুত (নখোইনা তাউ) ।৮॥

লৈবগে থাঙ্গৈশেংবনি, থুদমদি নুপী হাংপদা হলেংবা লৈতবা পুকচেন অসিবু অঙাং ওইরিঙৈগী নহাককী চরিতপু পুতনামক্না খরাদ ফোংদোক্লমলে ।৭। *

হে মধুর প্রেমরসদা হৈ-সিংবা পণ্ডিতসা ! তাউ শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গৈরিবা শ্রীকৃষ্ণগা সান্নজবা ফংদ্রবী ইবেমা শ্রীমতীগী খণ্ডিতাদা কপ্পগী তেংথাবসে, অমৃতদগী হেন্না থুম্বনি, অতুগা স্বর্গমক্তদসু ফংদবনি ।৮॥ †

---

* নহাকনা অঙাং ওইরিঙৈদা নঙোন্দা স্তন্যরস পীথক্কদবগী লাকচবী পুতনাবু হাংপিবদি অঙাং ওইরিঙৈ অতুমক্কদসু অতুপ কন্থ্রবী হিংচাবীবু ঙমলবদা হুজিক পাথং ফারবদা কোমলাঙ্গি ওইবী ঐখোইগুম্বাবু হাংপদি করি লৈগদগে ? হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৭॥

† স্বর্গদা নুঙাইবা লৈ. তোইগুম্বসু অমৃত থক্পগী অহাউবা, ময়াই কাবা অতুমক্কনা মখোইদি পরানুরক্তি ভক্তিদি স্বর্গনা ফংবা ঙমদে, মরম অদুনা রাধাকৃষ্ণগী ভজনগী নুঙাইবা ফংদবা স্বর্গদা করম্না মধুরপ্রেমরসগী সুখ লৈগদগে হাঙ্গৈবা ভাবনি । খণ্ডিতা কৌবদি নিদ্রকষায় কলুষীকৃত তাম্র নেত্রো নারী নখব্রণ বিশেষ বিচিত্রাঙ্গঃ । যস্যাঃ কুতোঽপি গৃহমেতিপতিঃ প্রভাতে সা খণ্ডিতেতি কথিতা কবিভিঃ পুরাণৈঃ । অতোপ্পা মফমদা লেকলুবগী মিৎ ঙাংলবা অমসু নুপীগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তদেবং পশ্যন্ত্যাঃ প্রসরদনুরাগং বহিরিব,
প্রিয়াপাদালক্তচ্ছুরিতমরুণদ্যোতি হৃদয়ম্ ।
মমাদ্য প্রখ্যাত প্রণয়ভরভঙ্গেন কিতব,
ত্বদালোকঃ শোকাদপি কিমপি লজ্জাং জনয়তি ।১।।

কিতব (হে তাৎতৌবা) তব (নংগী) ইদম্ (অসিগুমবা) বহিঃ প্রসরদ্ (মপান্দা থোরক্লবা) অনুরাগম্ ইব (অনুরাগগুমবা) প্রিয়াপাদালক্তচ্ছুরিতম্ (চান্নবীগী খোঙদা তৈবা যাবকনা চুরবা) অরুণদ্যোতি (অঙাংবা মঙান ওইবা) হৃদয়ম্ (থমোইবু) পশ্যন্ত্যাঃ (উরবী) মম (ঐগী) ত্বদালোকঃ (নহাক্কা উনবাসিনা) অদ্য (ঙসি) প্রখ্যাত প্রণয় ভরভঙ্গেন (অফাউবা প্রেম কাইদুনা) শোকাৎ অপি (শোকদগীসু) কিমপি (হাঙ্গৈনিংঙাই লৈতবা) লজ্জাম্ (ইকাইববু) জনয়তি (থোকহল্লি) ।১।।

হে লৌনমতোবা কৃষ্ণ ! নহাক্কী চান্নবীগী খোঙদা তৈবা যাবক্না ইবুঙো নহাক্কী থমোইদা চুরকপাসিদি নহাক্কী থমোইদা চান্নবীদুবু নুং-শিবদুনা য়াম্মন্দুনা মপান ফাউবা পাথোকতুনা থোরকপগুমই, মাদুবু উরিবী ঐগা ইবুঙো নহাক্কা উনবা অসিনা ঐখোই অনিগী ইখাইনা খং-নরিবা অফাউবা প্রেম অদু থুগাইদুনা ঙসাইগীমখৈ ইবুঙো নংবু উদবগী কাইনবগী ব্রারম্বা অদুদগী হেনবা ইকাইবা অমা থোকহল্লি ।১।। *

খুজিননা হকচাদা খোগাইরবা পতিনা করিগুম্বা অয়ুক্কা লাকলগা ওইরিবী নুপী অদুগী অবস্থাবু খণ্ডিতা কৌই ।৮।

* ইকাইবা অমা পোকহল্লি, হাঙ্গৈবদি মমাংঙৈদদি প্রেমদা রাধা ঐনা ইহেন হেল্লি হাঙ্গৈনা ঐবু সিংথানরম্বা অদু ঙসিদি ঐগী মাংদা ঐবু হেনবী নুপী অমগী মখোঙগী যাবকনা নহাক্কী থমোইদা তৈবা উরবা-মক্তদা হিংদুনা মরে। অদুনদি রাধানা শ্রীকৃষ্ণদা প্রেম লৈ হাঙ্গৈবদ্র

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অন্তর্মোহনমৌলিঘূর্ণচলন্মন্দারবিস্রংসন,
স্তব্ধাকর্ষণ দৃষ্টিহর্ষ মহামন্ত্রঃ কুরঙ্গীদৃশাম্ ।
দৃপ্যদ্দানবদূয়মানদিবিষদ্দুর্ব্বার দুঃখাপদাম্,
ভ্রংশঃ কংসরিপোর্ব্ব্যপোহয়তু বঃ শ্রেয়াংসি বংশীরবঃ ।২॥

কুরঙ্গীদৃশাম্ (শজি মিৎ মানবী গোপ রমণীসীংগী) অন্তর্মোহন মৌলিঘুর্ণন চলন্মন্দরবিস্রংসন স্তব্ধাকর্ষণ দৃষ্টি হর্ষন মহামন্ত্রঃ (অন্তর্মোহন পুকনিং শুঙ্কৎপা, মৌলিঘুর্ণন—কোক ভাওহনবা, চলন্মন্দার-বিস্রংসন—পারিজাত লৈবু স্বর্গদগী থাদহনবা, স্তব্ধ—লেংহন্দবা, আ-কর্ষণ—চিংশনবা, দৃষ্টি—থবক পুন্নমক্তা পলহনবা, হর্ষণ—হরাউহনবা, পুন্নমক অসি তৌননবা অযোইবা মন্ত্র ওইবা) দৃপ্যদ্দানবদূয়মানদিবি-ষদ্দুর্ব্বার দুঃখাপদাম্ (নাপন তৌবা হিংচাবীসিংনা রাহল্লবা লাইসিংগী অচৌবা অরাবসিংগী) ভ্রংশঃ (মাংনবা ওইবা) কংসারিপোঃ বংশীরবঃ (কংসগী এরুবা শ্রীকৃষ্ণগী বংশী খোঞ্জেল্লা) বঃ (নখোইগী) শ্রেয়াংসি (মঙ্গলবু) বাপোলতু (য়ৈথাইবা মাংহনসনু) ।২॥

কংসগী এরুবা শ্রীকৃষ্ণগী বংশীগী খোঞ্জেননা নখোই পুন্নমক্কী মঙ্গলবু য়ৈথাই থিঙ্গাই মাংহনসনু. মহাক্কী বংশী খোঞ্জেন অতুদি সজিমমিৎ মানবী গোপী নিঙোনসীংগী পুক্লিং শুমহৎপা, অমোক ভাওহনবা স্বর্গদা লৈবা লাইসিংনা মাখোইগী মকোক্তা পারিজাৎ চাইথহনবা, লেপহনবা চিংনবা, থবক পুন্নমক পলহনবা, নুঙাইহনবা পুন্নমক অসি তৌননবা

কদাইনো ? অমুম হাঙ্গইদুনা ঐগী মিং নগুবা নুপীসীংগী মমাংদা ঐগী প্রেম অতু লাল্লে, মাতুগী ইকাইবা অমসু প্রেম অতগী লমন খুমতুনা ইবুঙো নহাক্পু হুঞ্জেকতুনা শিগদরা হাঙ্গইবগী খনবনা নহাক্কী কাইন-বগী য়ামনা ওইরমবা শোক অতুদগী হুজিকনা হেন্না রারে, হাঙ্গইবা ভাবনি।১।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দমহাকাব্যে খণ্ডিতাবর্ণনে বিলক্ষ্য লক্ষ্মীপতির্নাম অষ্টমঃ সর্গঃ।

—।—

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা খণ্ডিতা বর্ণন তৌবদা বিলক্ষ্য-লক্ষ্মীপতি কৌবা নিপানমুবা সর্গ লোইরে।

—ঃ০ঃ—

মহামন্ত্রনি অমম্ন নাপন তৌবা হিংচাবাসীংনা হ্বাহল্লবা লাইসীংগী অন্নাবা পুম্বা কোকহনবনি ।২।। *

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা খণ্ডিতা বর্ণন তৌবদা বিলক্ষ্য-লক্ষ্মীপতি কৌবা নিপানমুবা সর্গ লোইরে।

—০—

* গীতকর্ত্তা কবি শ্রীজয়দেবনা শ্রীমতাগী মানগী অকনবদা হাঙ্গ-রুরগা আশা তৌই, মাহুদি— "হে ইবেমা! নহাক্কী মান অসি ওন থোক্লা কনখরে, অহুব্ হোরেন শ্রীকৃষ্ণগী বংশীগী খোঞ্জেন ভারগদি সোইদনা মান অহু মাংখিগনি" হাঙ্গবা ভাব তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণগী বংশী খোঞ্জেন ভারগা তৌবা মওং অহু থারহুনা আশীর্ব্বাদগী মশক ওইবা মঙ্গলাচরণ তৌবনি ।২।।

মাসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা নিপানমুবা সর্গ লোইরে।

—০—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্ ।

নবমঃ--সর্গঃ ।

—ঃ—

(মুগ্ধঃ মুকুন্দঃ)

তামথ মন্মথখিন্নাং রতিরসভিন্নাং বিষাদসম্পন্নাম্ ।
অনুচিন্তিতহরিচরিতাং কলহান্তরিতামুবাচ রহসি সখীম্ ।১॥

অথ (শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান ওইখ্রবা অতুগী তুংদা) সখী (সখীনা) রহসি (অচিকপদা) মন্মথখিন্নাম্ (কামনা চিন্তা তৌহনা রারবী) রতিরসভিন্নাম্ (প্রেম রসনা তিল্লবী) বিষাদসম্পন্নাম্ (অরাবা ফংলবী) অনুচিন্তিত হরিচরিতাম্ (কৃষ্ণগী চরিততা খাল্লবী) কলহান্তরিতাম্ (কলহান্তরিতা কৌবা অবস্থা ফংলবী) তাম্ (শ্রীমতী রাধিকাদা) উবাচ (হাঙ্গখি) ।১।

মাস্থম তৌহনা প্রাতঃগী খণ্ডিতাগী মতমদা ইবেমাগী বিলাপ তৌবা য়াথং তারল্লগা শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান ওইখ্রবদা কামগী পীড়ানা রাহৌরবী রতিরসনা তিল্লবী, অরাবা ফংলবী ইবেমনা কলহান্তরিতা কৌবা অবস্থা ওইতুনা শ্রীকৃষ্ণগী তৌখি তৌখিবা লীলা চরিতপু নং-সংহুনা লৈ, মতম অতুদা অচিকপা মফমদা সখীনা ইবেমদা হাঙ্গ ।১। ক

ক খণ্ডিতা কৌবা অবস্থাদা ইবেমনা প্রাতঃ কালদা শ্রীকৃষ্ণবু মান তৌহুনা ময়েংখিদরে। শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমগী মান সংবরণ মওইদ্রবদা লেংখরে—অন্তর্দ্ধান ওইখরে। মতুং অতুদা থমোই মন্নুংদদি শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমনা ইবেমগী হকচাং অতু কাইগদৌবগুম রাগ্রবী ওইতুনা অরাবগী সমুদ্রদা লুপ্তুনা লৈখরে, মতম অতুদা ওইরবা ইবেমগী অবস্থাসি রসশাস্ত্রনা কলহান্তরিতা কৌই, মাতুদি,— "যা সখীণাং পুরঃ পাদ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গুর্জ্জরী রাগ যতি-তালাভ্যাং গীয়তে।

হরিরভিসরতি বহতি মধুপবনে, কিমপরধিকসুখং সখি ভবনে।
মাধবে মাকুরু মানিনি মানময়ে। ধ্রুবম্ ।১॥

অয়ে মানিনি (হে মান তৌরিবী) মাধবে (শ্রীকৃষ্ণদা) মানং মাকুরু (মান তৌগনু) মধুপবনে (নিংথিরবা বসন্তগী নামিবা নুংসিৎনা) বহতি (সিৎলবদা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) অভিসরতি (অভিসার তৌরে) সখি (হে সখী) ভবনে (য়ুমদা) অপরম্ (অতোপ্পা) অধিক সুখম্ মাসিদগী হেন্না নুঙাইবা) কিম্ (করি লৈবগে ?) ।১।

হে মানিনি! সখীরাধে! মাধবতা মান তৌগনু, এঙু নুঙাইরবা বসন্ত ঋতু অসিদা নিংথিরবা বসন্তগী নুংসিৎ নামিবনা সিৎলবদা হরিনা অভিসার তৌরে, মাসিদগী হেন্না নুঙাইবা করি লৈরিবগে ? ।১।।*

পতিতঃ বল্লভঃ রুষা নিরস্য পশ্চাত্তপতি কলহন্তারিতাহি সা ।।" অর্থাৎ সখীসীংগী মনাক্তা চংবরক্কনু হাঙৈনা তাম্থোকখিবা, অদুগা চান্নবনা চৎথ্রগনা রাডুনা লৈহৌবা অদুবু কলহান্তারিতা কৌই। দর্গী সর্গ অসিদা কবিনা কলহান্তরিতাবস্থা হাঙৈনবগীদমক সর্গগী হৌগৎপদা পথ্যাবৃত্তছন্দনা ইবেমগী মওং অদু বর্ণন তৌরি। রতিরস-ভিন্নাম — হাঙৈবা পদ অসি রসমঞ্জরীনা "শৃঙ্গার রসনা ফংলবী" অমুমনা অমসু পুজরী গোস্বামীনা "রতিরসনা খণ্ডিতা— ককথৎপা ওইরবী" অমুন্না অর্থ তৌবা পামই ।১।।

* হন্দক্কী পদ অসিদা মাধব অমুন্না শ্রীকৃষ্ণবু হাঙৈবদি মা— সর্ব্ব সম্পত্তি— ধিশ্বরী লক্ষ্মী তস্যাঃ ধবঃ— পতিঃ অয়াম্বা সম্পত্তিগী মপু ওইবী লক্ষ্মীগী মপু হাঙৈ, অর্থ অমদা শ্রুতিনা "মধু মাধবো বসন্তঃ" হাঙৈবনা বসন্ত ঋতুগী চান্নবা অমসু ঋতুরাজ বসন্তগী মপুনি হাঙৈদুনা শ্রীকৃষ্ণবু মাধব কৌই, অর্থ অমদা মধুবশোৎস্তবঃ মাধবঃ—মধু কৌবা শাগেদা পোকই হাঙৈদুনামু মাধব কৌই, অদুনা অদুগুম্বা শ্রীকৃষ্ণদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তালফলাদপি গুরুমতিসরসম্ ।
কিং বিফলী কুরুষে কুচকলশম্ । মাধবে০ ।২॥
কতি ন কথিতমিদমনুপদমচিরম্ ।
মা পরিহর হরিমতিশয়রুচিরম্ । মাধবে০ ।৩॥

তালফলাদ্ অপি (কোনা মহৈদগী হেন্না) গুরুম্ (কঠিন—কনবা) অতি সরসম্ (অথোইবা রসনা তিনবা) কুচ-কলশম্ (থবাককী মশক ওইবা চফুবু) কিম্ (করিগী) বিফলী কুরুষে (নংনা অরেম্বা ওইহনবা) ।২।

নাচিরম্ (হুজিকমক্তা) অনুপদম (মফম থুদিংদা) ইদম্— (মাসিবু) কতি ন কথিতম্ (ঐনা কয়া কয়া হাঙ্গৈখিদ্রা ?) মাহুদি—

হে সখী ! নহাক্কী বক্ষগী মশক ওইবা চফুবু করিগী অরেম্বা ওইহনবগে. মহাক্তি কোনা মহৈদগী হেন্না কনবা অমসু রসগা লোইনবনি ।২॥ *

হে সখী রাধে ! শ্রীকৃষ্ণ হাঙ্গৈবসে পুন্নমক্তগী থোইদোকপনি,

নহাক্কী নপুরোইবা ওইবা ফংজরবদা করিগী নপুক্তা অরাবতা পুদুনা লৈবা কান্নবরা, নংগী মপান্দা ইকাইদুনা তৌরিবা মান অদু থাদোকউ হাঙ্গৈবা ভাবনি । হরি হাঙ্গৈবনধু "হরতি— ভক্তজন দুঃখম হরিঃ" ভক্তজনগী অরাবা মাংহনববু হরি কৌই, অদুনা নহাক্কী অরাবা মাংহনগে হাঙ্গৈদুনা হরি অদুনা নহাক্কী সঙ্কেতস্থলদা লাক্লবদা মাসিদগী হেন্না নুঙাইবা করি লৈরিবগে হাঙ্গৈবা ভাবনি ।১॥

* বক্ষস্থলবু কলস— চফু ওইনা হাঙ্গৈরে মহাক্তি য়াম্না কনবনা কোনামহৈগা চাংদমনৈ রসগা লোইনবা হাঙ্গৈবনা চফুগী পক্ষদা ঙৈশিংগা লোইনবা হাঙ্গৈবনি, বক্ষস্থলগী পক্ষদনা রস হাঙ্গৈবদি শৃঙ্গার রসবু খংনগনি মাহুবু অরেম্বা ওইহল্লে হাঙ্গৈবদি মহাকপু শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীহস্তনা মর্দ্দন তৌরগা নিংখিজবা রস থোকহল্লু ; অরেম্বা ওইহনগনু হাঙ্গৈবা ভাবনি ।২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কিমিতি বিষীদসি রোদিসি বিকলা
বিহসতি যুবতি সভা তব সকলা । মাধবে০ ।৪॥

অতিশয় রুচিরম্ (থোইদোক হেন্দোক্লা ফজবা) হরিম্ (শ্রীকৃষ্ণব) ন পরিহর (হুপ্রেকনু) ।৩।

বিকলা (বিহ্বলা ওইরবী নংনা) কিমিতি (করিগী) বিষীদসি (ব্লারি ?) রোদিষি (কপ্লি ?) সকলা (অয়াম্বা) যুবতিসভা (যুবতীগী সভানা) তব (নংগী নভৌব) বিহসতি (নোক্লরগনি) ৪।।

মহাকপু হুপ্রেকনু হাঙ্গবসি হুজিক্তস্থ ঐনা নঙোন্দা কয়া কয়া হাঙ্গখিদবরা ? ।৩।। *

হে রাধে ! ঙসাই হাঙ্গরিঙৈদদি অসি থোক্কনি হাঙ্গবা খংদ্রেগা হুজিক্তি ইউক ঙক্লতুনা করিগী ব্লারি ? রাদে হাঙ্গবশানি য়ারোই, নমিত্তা পি তাতুনা করিগী কপলি ? নংগী নতৌসি যুবতীগী সভা ময়ামনা নোক্লরগনি ।৪।। ণ

* ইবেমগী প্রেমগী অরাবনা চাকলিবা অতুনা য়াম্মনখিত্না মাননা মাতুবু থিংবা ঙম্লক্তবা উবদা সখীনা হাঙ্গরি.— ইতা নংনদি ঙসাই শ্রীকৃষ্ণ লৈরিঙৈদদি মাসুম্না খক হাঙ্গদে, হুজিক্ত মহাঙ্গ, হাঙ্গগনি মাসি থোক্কনি হাঙ্গবা উতুনা ঐনা নঙোন্দা মান তৌগনু ভৌগনু হাঙ্গনা হন্না হন্না হাঙ্গখিবতু নংনা য়াদতুনা হুজিক্তি থোক্লরেদো করম তৌগনি হাঙ্গবা ভাবনি ।৩।।

ণ মান কোক্লবা হাঙ্গতুনা ঙসাই নহাক্কী খৃয়াথাদা চংজতুনা লুংসিবা কৃষ্ণনা খুরুমলিঙৈদদি মান ভৌরবনি হাঙ্গতুনা এংদরে, অতুগা হুজিক্তি নংনা ব্লারে, নমিত্তা পী ভাতুনা কপলে । নং অসি মান তৌবগা হোনবী খংদবীনি—বিকলানি, অর্থাৎ কলাবিদ্যা হৈতবী রস খংদবীনি অতুনা সকলা— চতুষষ্টি কলাহৈবী যুবতীসাংগী সভানা নংবুদি নোক্লরগনি হাঙ্গবা ভাবনি ।৪:।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সজলনলিনীদলশীতলশয়নে।
হরিমুবলোকয় সফলয় নয়নে। মাধবে০ ।৫॥
জনয়সি মনসি কিমিতি গুরুখেদম্।
শৃণু মম বচনমনীহিতভেদম্। মাধবে০ ॥৬॥

সজলনলিনীদল·শীতল·শয়নে (ঈসিংগা লোইনবা অয়িংবা থম্বাল মনাগী ফমুংদা) হরিম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) অবলোকয় (এংঙি) নয়নে (মিৎ অনিবু) সফলয় (মহৈ য়ালহল্লু) ।৫।।

কিমিতি (করিগী দমক) মনসি (পুক্কিংদা) গুরুখেদম্ (য়ামনা ৱাববু) জনয়সি (নংনা পোকহনবা ?) মম (ঐগী) অনীহিতভেদম্ (মীচং মাখাই নাইদবা) বচনম্ (য়াথংবু) শৃণু (তাউ) ।৬।।

ঈসিংগা লোইনবা অয়িংবা থম্বাল মনাগী শয্যাদা শ্রীকৃষ্ণবু এংঙনা নহাক্কী মিৎ অনিবু মহৈ য়ানহল্লু ।৫।। *

হে সখী ! করিগী নবুক্কিংবু অতুক য়াম্না ৱাহনবগে ? ঐনা হাঙ্গ-রিবা মীচং মীখাই নাইদবা ৱাসি তাউ ।৬।। †

---

* হে সখী রাধে ! নংগী প্রেমগী মৈচাক কোকনবা, ঈংনবা হাঙ্গ-তুনা নখুৎনা শেমজবা ঈশিং চাইতুনা থম্বা থম্বান মনাগী ফমুং অসিদা নংগী প্রেমনা চাক্লবা শ্রীকৃষ্ণবু ফমহল্লগা এংউ অতুগা তাইবংপানবগী ফজবা নিংথিবগী তুংনফম ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা নঙোন্দা পামজবগী মিৎ অতু মহৈ য়ানহল্লু হাঙ্গবা ভাবনি ।৫ ।

† মানগী হৌনবীদি খংদনা মান তৌরুতুনা হাঁজক্তি কয়াদা নপুকনিংদা ৱাৱিবনো ? করিগী অতুমনা ৱাহনবগে ? ঐনা "মাধবে মানা মাকুরু" হাঙ্গথিবহ্ন তাউ, ঐনা হাঙ্গবদি— মীচং মীখাই নাই-দবনি, হাঙ্গবদি— "ঐগী সখী অসে ইশা অমকনি" মানা হাঙ্গবদি ঐগী ফননবতা হাঙ্গবনি, অতুনদি মানা হাঙ্গবদি লোফম থোকই.

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরিরুপযাতু বদতু বহুমধুরম্‌ ।
কিমিতি করোষি হৃদয়মতিবিধুরম্‌ । মাধবে০ ।৭।

হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) উপযাতু (নাক্তা লাকসনু) বহু মধুরম্‌ (য়াম্না নিংথিনা রসগা লোইননা) বদতু (হাঙ্গৈসনু) হৃদয়ম্‌ (নহাক্কী থমোইবু) কিমিতি (করিগী দমক) অতি বিধুরম্‌ করোষি (থোইদোকপা অরাববু তৌবগে ?) ।৭।

শ্রীকৃষ্ণনা নাক্তা লাকসনু, নিংথি নিংথিবা রসগী রাহৈ হাঙ্গৈহাঙ্গৈবসি নহাকনা থংউ হাঙ্গৈবনি, অমসু ঐগী য়াথং আস অনীহিত ভেদম্‌— ভেদভাব লৈতবনি, হাঙ্গৈবদি—নংগা শ্রীকৃষ্ণগদি নুংসিনবনিনা নশা অমত্তুনি, নপুকনিং অমত্তুনি, মরম অতুনা নুংসিবগা নুংশিবীগা অনিগীদা মাস্থম তৌনবা হৌনৈ হাঙ্গৈবতু খংতুনা ঐনা নঙোন্দ তাকপনি। নহাক্তি হুজিক্তি প্রেমগী অরাবনা জ্ঞান মাংলবনি, অতুনা সুহৃৎনা হাঙ্গৈবা রা লৌদ্রবদি নহাক্তি মাংলগনি, নীতিশাস্ত্রনা হাঙ্গৈ—

"দীপনির্ব্বাণগন্ধঞ্চ সুহৃদ্বাক্যমরুন্ধুতিম্‌ । ন জিঘ্রতি ন পশ্যতি গতায়ুষঃ ।।" মাংলমদাই সিরমদাই ওইরবা মীনা মুৎপগী মনম নমদে, সুহৃৎকী য়াথং তাদে অমসু অহিংদা বশিষ্ঠগী মনাক্তা পোকপা অরুন্ধতি (অপকণ্ডা) উদে অম্সুন্না হাঙ্গৈ, অতুগা হে সখী রাধে সুহৃৎকী য়াথং অসি তাউ, মাতু তারগা নংগী তৌগদবা থবক অতু তৌ হাঙ্গৈবা ভাবনি। নুংশিবগা নুংসিবীগা অনিগী পুক্লিংবু অমত্তুনি হাঙ্গৈবগী ভাবতি রসশাস্ত্রনা মাস্থন্না হাঙ্গৈ, মাতুদি.— "প্রেম্না বিদ্রুত্ত মেকবদ্‌ যত্ভয়োস্তন্মানসং মানসং, সর্ব্বাস্বেব দশাসু যন্নবনবং তৎ সৌহৃদম্‌ । যৎ কৃষ্ণস্য বিনোদভূরহস্তদ্‌ যৌবনং যৌবনং, তাদ্বিচ্ছেদবিধৌ ন যৎ পরিচয়ন্তজ্জীবনং জীবনম্‌ ।। "নুংসিবগা নুংসিবীগা অনিগী চান্নবা অতুনা মহি ওইনা চেন্দুনা পুক্লিং অনিতু অমত্তা ওইনা তিনসিন্নপ্রবা অমনা নিংবতু অমনা হেক্তা খংবা অতুগুম্বা পুক্লিং অতুতবু পুক্লিং কৌই। অমগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতমতিললিতম্ ।
সুখয়তু রসিকজনং হরিচরিতম্ । মাধবে০ ।৮॥
স্নিগ্ধে যৎ পুরুষাসি যৎ প্রণমতিস্তব্ধাসি যদ্রাগিণি,
দ্বেষস্থাসি যদুন্মুখে বিমুখতাং যাতাসি তস্মিন্ প্রিয়ে।

শ্রীজয়দেব-ভণিতম্ (শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গৈরিবা) অতি ললিতম্— (থোইদোক্না নৌরবা) হরিচারতম শ্রীকৃষ্ণগী চরিতনা) রসিক জনম্ (মধুরপ্রেমভক্তসিংবু) সুখয়তু (নুঙাইহনসনু) ।৮॥

তস্মিন্ অদুগুম্বা) প্রিয়ে ।মবনা) স্নিগ্ধে (ফজ্র ফজবা রাহৈন যথেমজরবদা) যৎপুরুষাসি (নংনা অদুম্বা অথৌ অথৌবা রাহৈ হাঙ্গৈবা ওই।) প্রণমতি (অদুম্না চান্নবনা খুরুম্নবদা) স্তব্ধাসি (নহাক্না চৈগুমনা

নু, করিগী দমক নপুকনিং রাহনবগে ? ।৭।। *

শ্রীজয়দেবনা হাঙ্গৈরিবা নৌরবা হরিগী চরিত অসিনা শ্রীহরিগী মধুরপ্রেম ভক্তিবু পাম্বসিংবু নুঙাইহনসনু ।৮।।

চান্নথোইবনা নিংথিজবা রাহৈনা থেমজরগা নংনা অথৌবা রাহৈনা

অরা অনাবা তারবদা হান্নদগী হেঙ্গৎলক্লনা অনৌ অনৌবা লুংশিনবতা মওইবা অদুগুম্বা চান্নবা অদুতবু চান্নবা কৌই। মী অদুগী মথোৎ কারকপগী নিংথিবা, ফজবা, চংখোনবা অদুনা শ্রীকৃষ্ণবু নুঙাইহনবা ঙম্নবতদা মগী মথোৎ কারকপা অদুতবু মথোৎ কারকপা কৌই। শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরগনি হাঙ্গৈবতদা মাগী থরাই অদু মাস্তম তৌরি হাঙ্গৈবা মওং খংদবা অদুগুম্না হিংবা অদুতবু হিংবা কৌই। মাসি মধুর প্রেম রসগী পরিপাটিনি অস্নুম্না রসশাস্ত্রনা হাঙ্গৈ ৬।

* শ্রীকৃষ্ণনা নাক্তা লাক্লগা চটুবচন কয়া হাঙ্গৈরগনি, অদুগুমবা নিংথিজবা রাহু তারগা মহাক্কী রারিবা থমোইগী অরাবদু কোক্কনিঃ অদুনা হে ইতা! করিগী পুক্কিং অদুবু অদুপ রাহনবগে হাঙ্গৈবা ভাবনি।৭।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0: In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তত্যুক্তং বিপরীতকারিণি তব শ্রীখণ্ডচর্চ্চা বিষং,
শীতাংশুস্তপনো হিমং হুতবহঃ ক্রীড়ামুদো যাতনাঃ ।২॥
সান্দ্রানন্দপুরন্দরাদিদিবিষদ্বৃন্দৈরমন্দাদরাদান-
ম্রৈর্মুকুটেন্দ্রনীলমণিভিঃ সন্দর্শিতেন্দিন্দিরম্ ।

কন্দুনা লৈ) যৎ রাগিনি— (অহুম্না অনুরাগনা তিল্লবা) দ্বেষ-স্থাসি (নহাক্না বিরক্ত ওই) যত্নুম্মুখে (অহুন্না চান্নবনা মাইওনসিল্লক্লবদা) বিমুখতাং যাতাসি (নংনা মাই ওন্থোকপবু ফংই) তৎ (মরম অহুদগী) যুক্তম্ (মতিক ওই) বিপরীত কারিণি (হে ওন্নবা তৌবী) তব— (নংগী) শ্রীখণ্ডচর্চ্চা (চন্দন তৈবনা) বিষম্ (হু ওইবা) শীতাংশুঃ (থানা) তপনঃ (নুমিৎকুম্না) হিমম্ (উননা) হুতবহঃ (মৈ-গুম্না ওইবা) ক্রীড়ামুদঃ (রতিলীলাগী নুঙাইবনা) যাতনাঃ (অকনবা রাবা ওইবা) ।২।।

সান্দ্রানন্দ পুরন্দরাদি-দিবিষদ্বৃন্দৈঃ (হরাওরবা ইন্দ্রনাচিংবা লাই-সিংনা) অমন্দাদরাদ্ (য়াম্না ভক্তি তৌবদগী) আনম্রৈঃ (খুরুম্বগী লুকথরবা)

খুম্বা. চান্নবনা খুরুমজরগা নংনা চৈগুম্না কনবা, চান্নবনা নংবু নুংশিরগা নংনা এংনিংদবা, চান্নবনা মাই ওনসিল্লগা নংনা নমাই ওন্থোকপা, হে ওন্নতৈনবী ! নংনা তৌখিবা অহুগী মতিক চাবদি নংনা ফংলবাসিনি, মাহুদি — চন্দননা হু ওইরে, থানা নুমিৎকুম্না শারে, উননা মৈগুমনা চাকলে, রতিরসগী নুঙাইবনা অরাবা ওইরে ।২।। *

শ্রীগোবিন্দগী শ্রীচরণগী মসক ওইবা থম্বানবু ফত্তবা পুমনমক মাংনবগী দমক খুরুমজে, থম্বাল অহুমক্তি মঙোন্দা খুরুমজরিবা ইন্দ্র-

---

* হে সখী ! নংনা চান্নথোইরবা শ্রীকৃষ্ণদা ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তা খণ্ডিতাবস্থাদা তোখিবা অহুনা হুজিক্তি নঙোন্দা পুন্নমক্না ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তা ওইরবনি, ইংলবা চন্দন, থা, উননা অশাবা ওইরে, নুঙাইবনা অরাবা ওইরবনি, হাঙ্গৈবা ভাবনি ।২।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্বচ্ছন্দং মকরন্দসুন্দরমিলন্মন্দাকিনীমেদুরম,
শ্রীগোবিন্দপদারবিন্দমশুভস্কন্দায় বন্দামহে ।৩।।

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যে কলহান্তরিতাবর্ণনে
মুগ্ধ-মুকুন্দো নাম নবমঃ সর্গঃ ।

—ঃ—

মুকুটেন্দ্রনীলমণিভিঃ (কিরীটদা থামলিবা ইন্দ্রনীলমণি অশংবনা) সন্দর্শিতেন্দিন্দিরম্, (খোইমু ওইনা তোংলিবা) স্বচ্ছন্দম্ (মনিং তমনা) মকরন্দসুন্দর মিলন্মন্দাকিনীমেদুরম্, (লৈহীগুম্না নিংথিজনা লৈবা মন্দাকনী গঙ্গানা মেংলবা) শ্রীগোবিন্দপদারবিন্দম্ (শ্রীগোবিন্দগী চরণপদ্মবু) অশুভস্কন্দায় (ফত্তবা মাংনবগী দমক) বন্দামহে (ঐখোইনা খুরুমজৈ) ।৩।।

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা কলহান্তরিতা বর্ণন
তৌবদা মুগ্ধ-মুকুন্দ কৌবা মাপনশুবা সর্গঃ লোইরে ।

—০—

নচিংবা লাইসীংগী মকোক্তা উপ্পা কিরীটগী মতোন্দা থাম্বা ইন্দ্রনীলমণিসীংনা খোইমু ওইহনা তোংবা, স্বর্গদা চেল্লিবা গঙ্গানা মন্দাকিনী কৌহনা লৈহীগী মশক ওইনা লৈবা অহুগুম্বা শ্রীচরণগী মশক ওইবা থম্বালবু জীবগী অৱা-অনানাচিংবা ফত্তবা মাংহনবিনবা খুর মজৈ ।৩।। *

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা কলহান্তরিতা বর্ণন
তৌবদা মুগ্ধ-মুকুন্দঃ কৌবা মাপনশুবা সর্গ লোইরে ।

—০—

---

* মথংগী সর্গদা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতী রাধিকাগী মফমদা অনুনয় বাক্য কয়ামরুম হাঙ্গিগদৌরি, মাত্তবু কবিনা নিংসংলগা খল্লি—লাইসীংনা ইবুঙো মাগী শ্রীচরণদা খুরুমজরিবা স্বয়ং ভগবান্ শ্রীকৃষ্ণনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্

দশমঃ-সর্গঃ

—❀—

(চতুর চতুর্ভুজঃ)

অত্রান্তরে মসৃণরোষবশামপার নিঃশ্বাসনিঃসহমুখীং সুমুখীমুপেত্য।
সব্রীড়মীক্ষিতসখীবদনাং দিনান্তে সানন্দগদ্‌গদপদং হরিরিত্যুবাচ।১॥

হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) অত্রান্তরে (মরক অহাংবা অসিদা) দিনান্তে (অহিংগী হৌগংলকপা মচিন্দা) মসৃণরোষবশাম্ (কন্না সাউবনা খুত্তুম চনগ্রবী) অপরানিঃশ্বাস-নিঃসহ মুখীম্ (অরোইবা নাইদবা নুংসামপী হোনবনা বিরহনা অৱাবা থাংবা ঙমদ্রবী মাইথোং ওইবী) সব্রীড়ম্ ঈক্ষিত-সখী-বদনাম্ (ইকাইনা সখীগী মাইথোং এংলিবী) সুমুখীম্ উপেত্য (মাইথোং ফজবী শ্রীমতীগী নাক্তা চংলকতুনা) ইতি (মখাদা হাঙ্গগদৌরিবা অসিবু) সানন্দগদ্‌গদপদম্ (নুঙাইবগা লোইননা হিক্লা হিক্লা ঙাংবা ৱাঙাংনা) উবাচ (হাঙ্গথি)। ॥

মতম অসিদা অহিংগী হৌগৎলকপা মচিন্দা শ্রীমতী ৱাধিকাগী

ইবেমা মহাক্কী চরণদা তুজরি, অদুনদি ইবেমাগী মহিমা অসি কয়াদা চাউগ্রবা, অসুম হাঙ্গবা শ্রীমতীগী মহিমা অদু ভক্তজন্না নিংসংনবগী-দমক ইবেমদা নোঞ্জগদৌরিবা শ্রীকৃষ্ণগী মহিমা অদু হাঙ্গতুনা সর্গসিগী অরোইবা ফোংদোকই। মরমদি— অসুপ চাউবা মহিমা ওইবা শ্রীহরিনা মাগী মথোংদা তুরিবা অদুগুম্বা ইবেমা অদুগী মহিমাদি কয়াদা ওইগদগে হাঙ্গবদু থংহনবনি।৩॥

মতাং অসিদা মুগ্ধ মুকুন্দো কৌবা মাপনসুবা সর্গ লোইরে।

—(০)—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দেশবরাড়ী-রাগ অষ্ট-তালাভ্যাং গীয়তে।

বদসি যদি কিঞ্চিদপি দন্তরুচিকৌমুদী, হরতিদরতিমিরমতিঘোরম্।
স্ফুরদধরসিধবে তব বদন চন্দ্রমা, রোচয়তি লোচনচকোরম্ ।১॥

যদি (মতম অতুদা) কিঞ্চিৎ (করিগুম্বা) বদসি (ৱা ঙাংবা) ভদা (মতম অতুদা) দন্তরুচি কৌমুদী (নংগী য়াগী ফজবনা থাবল ওই-

---

নাক্তা শ্রীকৃষ্ণ লেংশিল্লক্লে, মতম অতুদা ইবেমনা ওইরিবা মওংদি— সাউরুবগী অকনবনা ইবেমগী হকচাং অপুম্বতু লাকসিনবা ঙমদ্রবীনি, নুংশামপী শাংনা শাংনা হোনবনা থম্বালবু ঙমজবী মাইথোং অদু পুবা ঙমদ্রবী ওইতুনা চান্নবী সখীগী মাইথোংবু তোইনা তোইনা এংলিবা, ইবেমবু শ্রীকৃষ্ণনা এংলতুনা মখাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা ৱা অসিবু হরাওবা নুঙাইবনা মতেক মতেক ওইনা হিক্লা হিক্লা হাঙ্গৈরকই ।১। *

নহাক্লা করিগুম্বা ৱা ঙাংবিরবদি নহাক্কী য়াগী মঙান্না মেংলবা

---

* মথক্কী সর্গদা সখীনা ইবেমদা হাঙ্গৈখবা পুন্নমক অতু সায়ংগী মতমদা হাঙ্গৈবনি। নুমিৎ তাগ্রবদা নোংস্থ মংবা থাস্থ থোকপা অহিং হৌগৎলকপা প্রদোষ কৌবা অহিংগী মাচন্দা থোকপা থৌদোক লেং-গদবগী কবিনা বসন্ততিলক ছন্দনা লেংলি। মাতুদি — প্রদোষগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমগী নাক্তা লেংশিনলক্লে, অতুগা ইবেমবু উরগা হান্নদগী সাউবা থরা ফরতুনা সখীসিংনা ঙাংবগী ফৌরোই ইল্লবী, অতুনা "ঐবু ছুজিক কার তৌগে ?" অশুন্না হংগদবস্থ ইকাইতুনা সখিদা হন্না ২ এংলিবা, ইবুঙো মহাক্কা কাইনরুবগী ৱাবনা নুংশামপি ফুইনা ২ হোনবনা ৱাখিতুনা মাইথোং থম্বালতু পুবা ঙমদ্রবী ইবেমবু উরগা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমগী মান কোক্লক্লে সাউবা থরা ফরে হাঙ্গৈবা হেক উবদা হরাউবনে নুঙাইবনে ৱা ঙাংবদা পরেংশানা ঙাংবা ঙমদ্রতুনা মতেক মতেক ওইনা হিক্লা মখাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা ৱা অসি হাঙ্গৈখি ।১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রিয়ে চারুশীলে মুঞ্চ ময়িমানমনিদানম্,

তুনা) অতি ঘোরম্ (অন্থোক্লা সুক্লবা) দরতিমিরম্ (মিপাইবগী মশক ওইবা অমম্ববু) হরতি (মাংহল্লি) তব বদন চন্দ্রমা (নংগী মাইথোং থানা) স্ফুরদধরসিধবে (নংগী ঙাল্লবা অধরগী অমৃত ফংগদবগী দমক) লোচন-চকোরম্ (ঐগী মিৎ-নোইনবু) রোচয়তি (পামহল্লি) ।১॥

প্রিয়ে (হে চান্নবী !) চারুশীলে (হে লমচৎ ফজবী ! রাধে !) ময়ি (ঐঙোন্দা) অনিদানম্ (কারণ লৈতবা) মানম্ (মানবু) মুঞ্চ

থাবল ওইতুনা ঐগী অকিবগী মশক ওইবা সুক্লবা অমম্ববু মাংহনলি, নহাক্কী মাইথোং থানা ঐগী মিৎ অনিগী মশক ওইবা নোয়িনদা নহাক্কী অধরগী মশক ওইবা অমৃতবু পামহল্লি ।১। *

হে চান্নবী ! লমচৎ ফজবী ! হে রাধে ! নহাকনা ঐঙোন্দা

* "হে প্রিয়ে চান্নবী !" হাঙ্গনা কৌবদি "নুংসিবনা তৌথোরকপা পুন্নমক নু সিবমক্তা ওই" হাঙ্গবনা নহাক্না তৌরিবা পুন্নমকসি ঐগী মরীদদি নুমিৎচুপ্পা ইন্নুংভন্নুংসি, হাঙ্গবা ভাবনি। অতুনা চুন্নগী সীং-দগী থোকপা মৈথুদি অন্নাবগী মশক ওইরবস্থ, অগরুচন্দনদগী থোকপা মৈথুদি নুঙাইনবা ওইবা অতুগুম্না নহাকনা ঐবু চৈহৎতুনা ঙাংলিবা রাঙাং পুন্নমকতুনা কৃষ্ণ কৌবা ঐগী মরীদদি ওন্থোকনা নুংসিবগী মশক ওই, হাঙ্গবনা অন্তর্ধ্বনিনি। মরম অতুনা "বদসি যদি কিঞ্চিদপি..." নংনা করিগুম্বা রা ঙাংলগা নহাক্কী য়াগী মঙাম্না থাবল ওইতুনা ঐগী অকিবগী মশক ওইবা সুক্লবা অমম্ববু মাংহল্লি, হাঙ্গবা রাহৈ অসিনা হান্ননা হাঙ্গ। রাহৈ অসিদা ইবেমগী য়াগী অরংবা মঙানবুনা থাবল ওইনা অমস্থ শ্রীকৃষ্ণনা অতোপ্পা নুপীগা সান্নরুবগী "ঐবু রাধানা করি হাঙ্গরমগবা ?" হাঙ্গনা কিনা কিনা লাকপদগী কৃষ্ণগী পুক্লিংদা ওই-রকপা অকিববনা 'অমম্বা' ওইনা হাঙ্গরি। শ্রীকৃষ্ণনা কিবা লৈবা হৌনদে "যস্তয়াদ্বাতিবাতোয়ং"— মাবু কিবনা নুংসিৎ সিৎলি, অর্থাৎ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সপদি মদনানলো দহতি মম মানসং।

(থাদোকউ) সপদি (নংনা মান তৌবা মতমদা) মদনানলঃ (কামগী মৈনা) মম (ঐগী) মানসম্ (পুকনিংবু) দহতি (চাকই) মুখকমল

মরম লৈতনা তৌবা মানবু থাদোকপীয়ু, নংনা মাস্থন্না মান তৌরবদি

মাবু কিবনা তাইবংপানবনা মাগী মাগী মশিল তৌরিবনি, অস্থমনা শ্রুতিনা হাঙ্গী, অমস্থ স্মৃতিনা হাঙ্গী, — "যদ্বিভেতি স্বয়ং ভয়ং" অকিবা হাঙ্গীবাত্থনা ইবুঙো মাবু কিবনি, অদুনা কনাবু কিবা হৌনবগে ? অত্থমনদি ওইরগা ইবুঙো মাদি রস পুন্নমক্কী তুংনফমনি. ভয়ানক রসস্থ ইবুঙো মঙোন্দা লৈফম থোকই। ইবুঙো মহাক্তি প্রেমগী মখা —পোনবনি, প্রেমনা মহাকপু ঙমই। অদুনা প্রেমগী তুংনফম ওইবা ভক্তদদি ইবুঙো মহাক্না কি। মাখন হুরুবদগী মমা যশোদানা চৈরগা কি, প্রেমবতী শ্রীমতীগী মফমদা শ্রীকৃষ্ণদি থাঙ্গৈমক শেংনা কি। ইবেমদা লাল্লুরে— অতোপ্পী নুপীগা সান্নরুরে, ইবেমনা প্রণয়কোপ ওইরে, মাত্থদগী ইবুঙোনা ওন্থোক্না কি। শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমবু কিবা মকি অসি গীরম্বেনদা 'মাস্থন্না তৌই' হাঙ্গনবা লোন লৈতে। নিরুপাধি প্রেমগী নিরুপাধি ভয়নি, হাঙ্গীগদরা ? ইবেমতদা ইবুঙোনা ওইবা প্রণয়ভয অত্থ অনির্ব্বচনীয়নি। অত্থগা ভয়ানককী অচম্বা অকিবা হাঙ্গীবসিদি কাব্যদা রস ওইবনি, লৌকিকতদি— থেংনরিঙৈদদি রস ওইদে, মাত্থদি—মালতীমাধবতা নিংথৌগী অয়োকপা কৈদগী মালতীগী অকিবত্থ মালতীমাধবতা রস ওইথিবা নত্তে, অত্থগা নাটদদি সামাজিকতা রস ওইরৈ, মাসিগুম্বা অকিবসি লৌকিক ভয়ানকনি। অলৌকিক ভয়দি মশা মশাদস্থ রস ওই। অর্জ্জুননা বিশ্বরূপ উবদা অর্জুনদা রস ওই। শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমবু কিবা অত্থ অলৌকিকনিনা শ্রীকৃষ্ণদা রস ওই (১)। তৌইগুম্বস্থ মধুররসদা অকিবনা রস পুষ্টি ওইবদি

(১) অর্জ্জুননা বিশ্বরূপ উরে, কিবনা থক্ থক্ নিকই, তৌইগুম্বস্থ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দেহি মুখকমলমধুপানম্ । ধ্রুবম্ ॥

মধু পানম্ (নহাককী মাইথোং থম্বালগী মধু— খোহী থকপবু) দেহি (পীয়ু) ।।

খুথক অতুদা কামগী মৈনা ঐবু পুকনিংদা চাকই, মৈচাক অদু কোক-নবা ঐবু নহাক্কী মাইথোং থম্বালগী খোহী পীথকউ ।।

য়ামদ্রগা ওইগদবনি অমস্তু অকিবনা মহাক্কী অকিবতু কোক্লবগী দমক হাঙ্গৈজবা, চংঙ্গবনাচিংবা তৌবা হৌনবতু ইকাই কাইদনা থাংগৈশেংনা কিরিবা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমদা হাঙ্গৈজরি, মাতুদি—"চারুশীলে" হে লমচৎ ফজবী ! হাঙ্গৈবদি মপুরোইবদা লৈসিলৈথোনবী বরবর্ণিনী ওইবীম্নি হাঙ্গৈবা, মাতুগী ভাবতি "ভবন্তি বরবর্ণিন্যো দুঃখিনাং বেদনাচ্ছিদঃ"— লমচৎ ফজবী নুপী হাঙ্গৈবা অসিগীদি ৱারবা জীবগী অৱাবা মাংহনবা হৌনবনি, অতুনা ৱারবা শ্রীকৃষ্ণ কোবা ঐগী অৱাবদি নহাকতনা মাংহনগদবনি, হাঙ্গৈবা ভাবনি। মাতুমক হাঙ্গৈ,— "মুঞ্চ ময়ি মানম-নিদানম্" অর্থাৎ— মরম লৈতবা মানবু হাঙ্গৈঘদি— ঐনা অতোপপা নুপীগা সান্নরুবগী চিহ্ন পুরকপা নত্তে, ঐগী হকচাংদা মহৌশানা লৈবা চিহ্নবু নহাকনা পংথন খনবতনি, অতুনা নহাক্না ঐঙোন্দা সাও-তুনা ওইরিবা মান অতু অকারণনি। মাতু মুঞ্চ – ঐঙোন্দা ঙাকপীয়ু, তৌবিগনু, হাঙ্গৈবা ভাবনি। মাতুগী ভাবভি—নহাক্না সাওরগা ঐনা কি, ঐগী থমোই অসিনা অকিবা ভয়ানক ৱসগী 'ভী' কৌবা স্থায়ী-

ঐগী ইবুঙোনি, ঐবু নুংশিতুনা কিহনবনি, হাঙ্গৈবা অর্জ্জুননা কাউদে। অতুনা অর্জ্জুনদা কিনা নুঙাইবা পোকই। লৌকিকপ্রেমদা নুংশিবা হাঙ্গৈবাসি চান্নবা লৈবা হৌনদবনিনা মানা ৱান্না পাম্বী নুপীদা লাল্লু-ৱগা মাগী ইন্দ্রিয়-চরিতার্থগী দমক ফংলরোই, হাঙ্গৈনা অচম্বা নিপা, নুপী কিনবা অতুদি ৱস ওইদে, মাতুনা নাট্যদা সামাজিকতা ৱস ওই-ৱবদি য়াই।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সত্যমেবাসি যদি সুদতি ময়ি কোপিনী,
দেহি খরনয়নশরঘাতম্ ।

সুদতি (হে য়া ফজবী !) যদি (মতম অত্তুদা) ময়ি (ঐঙোন্দা) কোপিনী (সাউরবী) সত্যম্ এব (থাঙ্গৈশেংনা) আসি (ওইরে) তদা (মতম অত্তুদা) খর নয়ন-শরঘাতম্ (থৌরবা মিৎকী মশক ওইবা

হে রাধে, হে সুদতি— য়া ফজবী ! নহাক্কী থাঙ্গৈশেংনা সাউরবদি নহাক্কী মিৎকা মশক ওইবা থৌরবা তেন্না থাবিয়ু, মাতুনশু পেন্দ্রগা

ভাব ওইরবদি শৃঙ্গাররসগী অক্নাইবা ওইরগনি, মাত্ত ওইহনবিগন্নু হাঙ্গৈবনি । "স্ফুরদধর সিধবে তব বদন চন্দ্রমা রোচয়তি লোচন-চকোরম্" হাঙ্গৈবাসিদা নহাক্কী মাইথোং থানা ঐগী মিৎ-নোয়িনবু নহাক্কী অধরামৃত পামহল্লি; হাঙ্গৈবাসিদা "স্ফুরদধর সিধবে" হাঙ্গৈবা চতুর্থী অসি নিমিত্তার্থে চতুর্থীনি। রোচয়তি ক্রিয়ানা নিজান্ত ওইবনা "রুচ্যর্থানাং প্রেয়মানঃ" হাঙ্গৈবা সূত্র অসিনা চতুর্থী ওইবা নত্তে, মরমদি অতোপ্পা অমনা অতোপ্পা অমবু পামহনববু 'রুচি' কৌই। অত্তুনা ইবেমগী বদন-চন্দ্রগীদি রুচি অত্তু ওইদে, শ্রীকৃষ্ণগী লোচনরূপ চকোরবু পামহল্লি, হাঙ্গৈবনি। মাত্তুদি— নোয়িন কৌবা উচেক (১) না থা উরগা থাগী থাবল অত্তু পামত্তুনা অহিংদা আকাশদা থাবলনা হেক লৈরিবমখৈ কোইনা পাইবা অত্তুগুন্না ঐগী মিৎ অসিনা নহাক্কী অধরামৃতত্তু পামত্তুনা নহাক্কী মাইথোংতবু এংত্তুনা লৈরে, থাদোকপা ভমদরে, হাঙ্গৈবনি ।১।

(১) নোয়িন হাঙ্গৈবা উচেক অসি মণিপূরদা লৈত্তে, ঐনা উত্তর ভারততা উরব্বই। মচুদি লমখুন্নুগী মচু মাল্লি, চাউবনা অয়োকপা, অথাকপা খুনু-সাবা মরুম চাওই। মণিপূরদা লৈতবা উচেক অত্তুগী মমিং মণিপূরদা চৎনরম্বা অসিদি রাহোংগুন্না লৈত্রবস্নু মাখোইনা হান্না উরকপগী থোনবা মমিং ওইগনি

Dr. Urmila Sharma Colleotion, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঘটয় ভুজবন্ধনং জনয় রদখণ্ডনং,
যেন বা ভবতি সুখজাতম্। প্রিয়ে০ ।২॥
ত্বমসি মম ভূষণং ত্বমসি মম জীবনং,
ত্বমসি মম ভবজলধিরত্নম্।
ভবতু ভবতীহ ময়ি সততমনুরোধিনী,
তত্র মম হৃদয়মতিযত্নম্। প্রিয়ে০ ।৩॥

তেননা থাবিয়ু) দেহি (পীয়ু) ভূজবন্ধনম্ (পাম্বোম অনিনা পুনববু) ঘটয় (তৌ) রদ-খণ্ডনম্ (য়ানা চিকপবু) জনয় (থোকহল্লু) যেন বা (মাহুনা মরম ওইহুনা) সুখজাতম্ ভবতি (নুঙাইবা ওইবা) তৎ (মাহু) কুরু (তৌ) ।২।।

ত্বম্ (নংনা) মম ভূষণম্ আসি (ঐগী লৈতেংনি) ত্বম্ (নংনা) মম (ঐগী) জীবনম্ (পুনসিনি) ত্বম্ (নংনা) মম (ঐগী) ভব জলধিরত্নম্ আসি (সংসার সমুদ্রগী রত্ননি) ইহ (মাসিদা থুরুমজবা) ময়ি (ঐঙোন্দা) ভবতী (ইবেমা নংনা) সততম্ (অতৎপা লৈতনা) অনুরোধিনী (অনুকুলা ওইবী) ভবতু (ওইসনু) তত্র (মাহুদা) মম

মহাককী পাম্বোম অনিনা অকনবা থোরী ওইহুনা ঐবু পুনবিয়ু, মাহু-নসু ওকত্রগা য়ানা চীকপীয়ু, মাহু পুন্নমক্তসু নত্তে, মাস্তম তৌরগা নুঙাইগনি হাঙৈবতা খন্দুনা তৌবিয়ু ।২।। *

হে রাধে। নংনা ঐগী লৈতেংনি, নংনা ঐগী তাইবংপানবা কৌবা সমুদ্রদা লৈবা রতননি, ঐনা নঙোন্দা চংজবা থুরুমজবা মাত্নুদা

---

* হন্দককী রাহৈ অসিগী অথুপ্পা অভিপ্রায়দি— "স্বীয়ে অপরা-ধিনি দণ্ড এবোচিত্তান্যেপেক্ষা ইতি ভাবঃ"— ঐগী ওইবা মীনা লাল্ল-বদি মহাকপু মতুং মনাও তৌদনবা দণ্ড তৌই, অতুগা তানথোকপদি তৌখিফম থোকতে, হাঙৈবা ভাবনি ।২।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নীলনলিনাভমপি তন্বি তব লোচনম্,
ধারয়তি কোকনদরূপম্ ।

(ঐগী) হৃদয়ম্ (থমোইনা) অতি যত্নম্ (য়ামনা যতন তৌই) ।৩।।

তন্বি (হে কৃশাঙ্গা—খ্বাংজেংবী রাধে !) তব লোচনম্ (নহাক্কী মিৎনা) নীলনলিনাভমপি (থরো অশংবগী মচু ওইতুনসু) কোকনদরূপম্ (অঙাংবা থরোগী মচুবু) ধারয়তি (পুৰি) ত্বম্ (নংনা) যদি

নহাক্কা ঐবু থৌজানবিবা ওইসনু, অসুম্না ঐগী থম্মোই অসিনা অতৎপা লৈতনা তোংনজ্জরি ।৩।। ✽

হে তন্বি ! নংগী থরো অশংবা মানবা মিৎ অসিনা হুজিক্তি থরো অঙাংবগী মচু ওইখ্রে, অতু ওইরবদি নহাক্কী মিৎনা লৈগী মতৌ

✽ "হে কৃষ্ণ ! নংগী চান্নবী অতোপ্পীগী মান কোক্কবা হোৎনজরু, ঐদি নহাক্কী কান্নবা নত্তে" হাঙ্গীগদবদা হাঙ্গ,—"ত্বমসি মম জীবনম্" —নংদি ঐগী পুন্সিনি, অর্থাৎ-- নংনা ৱারগা ঐনা হেন্না ৱ্বাই, নংনা মুভাইরগা ঐনা হেন্না হুভাই, অতুনা নংদি ঐগী হিংননবা পুন্সিগী মশকনি ; হাঙ্গীবা ভাবনি । "ত্বমসি মম ভূষণম্—নংনা ঐগী লৈতেংনি" হাঙ্গীবদি নংগা লোইনরভদা ঐগী ফজবা কান্তি ওই, অতুনা অতৈ অভোপ্পা অলঙ্কারদি কান্নদে, নংতনা ঐগী লৈতেংনি হাঙ্গীবনি । "মম ভবজলধিরত্নম্— নংনা ঐগী তাইবংপানবা সমুদ্রদা লৈবা রতননি" হাঙ্গীবদি--- লাইরবা মীনা মানা ৱতন ফংজরগা হৱাউবা অতুগুমনা ঐনা নংবু উরগা হৱাউই, হুভাই, অতুনা নহাক্সি ঐগী মণিনি, হাঙ্গীবদি তাইবংপানবা সমুদ্রগী রতননি, হাঙ্গীবদি— রতনদি সমুদ্রদা লৈ, অতুনা রতন অথোইবী নংনা তাইবংপানবদা লৈবনা তাইবংপানবাসিসু সমুদ্রগুম্না রতনগী পোক্লফম লৈফম ওইরে, অতুনা ঐগী মরিদদি ঐগী ৱতন নং লৈবনা তাইবংপানবসু সমুদ্র ওইরে, হাঙ্গীবা ভাবনি ।৩।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কুসুমশরবাণভাবেন যদি রঞ্জয়সি,
কৃষ্ণমিদমেতদনুরূপম্। প্রিয়ে০ ।৪॥
স্ফুরতু কুচকুম্ভয়োরুপরি মণিমঞ্জরী,
রঞ্জয়তু তব হৃদয়দেশম্।

(মতম অতুদা) কুসুমশরবাণভাবেন (কামগী তেনগী মওং ওইনা) ইদম্ (অসিগুম্বা) কৃষ্ণম্ (কৃষ্ণ ঐবু) রঞ্জয়সি (চুহনলবদি) এতৎ (অসিগুম্বা মৎকী মচু অসি) অনুরূপম্ (মশক্কা চারে) ।৪॥

মণিমঞ্জরী (মণিগী পরেংনা); কুচকুম্ভয়োঃ (কুচগী মশক ওইবা

ওইবনিনা মিৎত্তুনা লৈগী তেন পাইবা কামগী তেন ওইহুনা ঐবু থাবিয়ু, অদুগা ঐবুস্থ নংগী মিত্তা অঙাংবা চুথ্রিবা অদুগুম্না চুহনবিয়ু, মাদুম্না তোবা থোক্লবদি নহাক্কী মিৎ অমুবনা ঙাংখ্রবা অদু মতিক চাই হাঙ্গগনি ।৪ । *

মণিগ পরেংনা কুচগী মশক ওইবা চফূ অনিদা হাই-হুমসনু,

* শ্রীকৃষ্ণনা মতাং অসিদা শ্রীমতীদা রসিকতা ওইনা হাঙ্গরি, মাদুগী ভাবতি অসিনি— হে কৃশাঙ্গী রাধে! নহাক্কী মিৎ অসি মহৌশাদি থরো অশংবা শাৎকাইবগুম্না মিৎপান্দা কাজলনা লৈভেংহুনা মনুংদা অঙৌবগী ময়াইদা মিৎ নহানা ফজবনি। মাদুবু "নীলোৎপল" থরো অশংবা মাল্ল। হুজিক্তি মাননা মিৎ অদু ঙাংনা উরে, থরো অঙাংবা-গুমখ্রে। অদুনা এনা খংলে ইবেমা নংসি "অনুরঞ্জিনী" কৌবা বিদ্যা অমা হৈরে (অনুরঞ্জিনী হাঙ্গবদি মচুশংবা অথ অমদা মীবু নুংশিহনবা নুঙাইহনবা ঙম্বা মহৈবু কৌই) অসুম্না ঐনা খল্লে। মাদু থাঙ্গশেংনা হৈরবদি কৃষ্ণ কৌবা অমুবা ঐবু অনুরঞ্জন ওইহনলু (ঐবুস্থ নংগী মিৎ অমুববু ঙাংহনবগুম্না ঙাংহনলু অর্থ অমনা ঐবু নুঙাইহনলু) মাদু ঙম-লবদি নহাক্কী অনুরঞ্জিনী বিদ্যাবু মহৈ য়াল্লে, মতিক মগুণ লৈরে হাঙ্গনা খংনসি হাঙ্গবনি ।৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রসতু রসনাপি তব ঘনজঘনমণ্ডলে,
ঘোষয়তু মন্মথনিদেশম্। প্রিয়ে০ ।৫॥
স্থলকমলগঞ্জনং মম হৃদয়রঞ্জনম্,
জনিতরতিরঙ্গপরভাগম্।

চফু অনিগী মথক্তা) স্ফুরতু (হাই-হুমসনু) তব (নংগী) হৃদয়দেশম্ (থমোইবু) রঞ্জয়তু (ঙাংহনস৭) তব (নংগী) ঘনজঘনমণ্ডলে (নোই চাওরবা খব্রাংগী মখাথংবা মফমদা) রসনাপি (সনরিক পরেংনা) রসতু (মখোন থোকসনু) মন্মথনিদেশম (কামগী য়াথংনা) ঘোষয়তু (হন্না হন্না হায়সনু) ।৫॥

মসৃণবাণি (হে ফজবা রাহৈ ঙাংবী হে রাধে !) ভণ (নংনা য়াথং পীয়ু) স্থলকমলগঞ্জনম (স্থলকমলবু ঙমজবা) মম হৃদয়রঞ্জনম্ (ঐগী

অতুগা নংগী থমোইবু ঙানহনস৭, নহাক্কী নোইরবা খরাংগী মখাদা খ্বাংশরিকনা মখোন নিংথিনা থোকতুনা কামগী য়াথংবু হননা হননা হাঙ্গসনু ।৫॥ ❊

হে রাঙাং ফজবী রাধে ! নহাক্না ঐভোন্দা য়াথং পীনবিয়ু, মাতুদি নহাক্কী স্থলকমলবু ঙমজবা, কৃষ্ণ ঐগী থমোইবু ঙাংহনবা নখোঙ অনিবু

❊ নহাক্কী মিৎনা অঙাংবা মচুবু পুরে, নংনা ঐবুস্থ নুংশিহল্লে, মরম অতুনা মণিমঞ্জুরী সিরবী নহাক্না নহাক্কী থবাকপু নিংথিহল্লবদি মতিক্ক চপ চারে, হাঙ্গবা ভাবনি। মাসিদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রিবদি কেলিগী মশক ওইবা শুভকর্ম্মগী হোগৎলকপদা মঞ্জরী হাপ্পা ঘটচফু হান্নরা থিনবা হৌনৈ, অতুনা চফু ওইনা মণিমালাবু মঞ্জরী ওইনা হাঙ্গ। খব্রাংদা সিরিবা খ্বাংসরিকনা মখোন হৌববুনা খব্রাংগী মখাথংবা অনোইবা মফমদা নৈতুনা কামগী য়াথং হন্না হন্না হাঙ্গসনু "সান্নরো, সান্নরো" অস্থমনা খ্বাংসরিকনা লাউসনু হাঙ্গবা ভাবনি ।৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্তুণ মসৃণবানি করবাণি চরণদ্বয়ম্,
সরসলসদলক্তকরাগম্ । প্রিয়ে০ ।৬॥
স্মরগরলখণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনং,
ধেহি পদপল্লবমুদারম্ ।

থমোইবু ঙাংহনবা) জনিত রতিরঙ্গ পরভাগম্ (রতিলীলাগী হৈসিংবদা মহৈ মহৈ অমনা অমবু ফজহনবা) চরণদ্বয়ম্ (নখোঙ অনিবু) সরসলসদলক্তকরাগম্ (ফুইনা নিংথিজরবা অঙাংববু) করবাণি (ঐনা তৌগে) ।৬।

স্মরগরলখণ্ডনম্ (কামগী হুবু মাংহনবা) মণ্ডনম্ (ঐগী কোকতা লৈতেং ওইবা) উদারম্ (ফজরবা) পদ-পল্লবম্ (নখোঙ উনা অনৌববু) মম (ঐগী) শিরসি (কোকতা) ধেহি (নংনা হাপ্পীয়) ময়ি (ঐঙোন্দা) দারুণঃ (থাংঙমদ্রবা) মদনকদারুণঃ (কামগী পীড়াগী মৈচাক্কী

ফুইনা নিংথিজরবা অঙাংবা ওইহল্লগে, মরমদি নহাক্কী নখোঙ আনহুনা রতিকেলিগী হৈসিংবা অমবু অমনা মহৈ মহৈ ফজহনবা ওই ।৬।। *

হে রাধে। নহাক্কী ফজরবা নখোঙ উনা অনৌববু কামগী হু কোরুবা ঐগী কোক্তা হাপ্পীয়, মাহুনা ঐগী কোক্কী লৈতেংনি, ঐঙোন্দা থাংঙমদ্রবা কামগী মৈচাকনা মুমিৎ ওইহুনা চাকলে, মাহুগী অরাবনা

---

* হন্দক্কী পদ অসিগী ভাবতি শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমদা প্রার্থনা তৌরি, "হে রাধে ! ইবেমা নহাক্কী নখোঙ অনিবু ঐনা যাবকরস তৈদুনা ঙাংহল্লগে, অহুগা ঙাংলবা নখোঙ অনিনা ঐবু অমোক বিপরীত রতিলীলাগী ক্রৌঞ্চ বন্ধন (মথক্তা হাঙ্গথরে) না চিংবদা ঐগী হৃদয়বু ঙাংহনগনি। মাস্তুমনা তৌরবদি ঐনা নহাক্কী খোঙবু ফজহনবা, নহাক্কী খোঙনা ঐবু ফজহনবা ওইহুনা রতিলীলাগী হৈসিংবা মহৈ মহৈ অমনা অমবু ফজহনবা ওইগনি হাঙ্গবনি ।৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জ্বলতিময়ি দারুণো মদনকদারুণো,
হরতু তদুপাহিতবিকারম্ । প্রিয়ে০ ।৭॥
ইতি চটুল চাটুপটুচারু মুরবৈরিণো,
রাধিকামধি বচনজাতম্ ।

মশক ওইবা নুমিৎনা) জ্বলতি (চাক্লে) তদুপাহিত বিকারম্ (মাতুনা থোকহনবা ৱাস্তবহাচিংববু) হরতু (মাংহনসনু) ।৭॥

ইতি (অসুন্না) চটুল—চাটু—পটু—চারু (ফজবন', অপেনবনা

ঐগী ৱাস্তবনাচিংবা ওইহৱিবাস নংগী নখোঙনা কোকহনসনু ।৭॥ *

পদ্মাবতীগী চান্নবা কবি জয়দেবগী ভারতী কৌবা ৱারেংনা

* স্মরগরল— 'কামগী হু' হাঙ্গৈবদি মলয়চাঙদগী লাকপা চন্দনগী গনম্ পুবা নুংসিৎপু হাঙ্গৈবনি। মরমদি— বিরহগী মতমদা মলয়গী নুংসিৎনা হু ওইদুনা চাকই। অদুনা কামবু লিন ওইনা হাঙ্গৈবনি। অদুগা ইবেমাগী খোঙবুনা কামগী হু কোকহনবা ওইবা, লিনগী হু কোক্লবা উনাগী হিদাক ওইনা হাঙ্গৈদুনা ইবেমাবুনা গারুড়িক—লিনগী মাইবা ওইনা হাঙ্গৈবনি। লিনগী মাইবনা লিননা চিক্লবা মীবু মখোঙনা কাওদুনা অমসু উনাদা মন্ত্র শোন্দুনা হিদাক তৌবা অদুগুমনা কাম কৌবা লিনগী হুনা ৱারবা ঐগী অৱাবাস কোকহনবিয়ু হাঙ্গৈবা ধ্বনিনি। অমসু ইবেমাগী শ্রীচরণনা য়াম্না মেংবা অমসু নৌবা অদুবু শ্রীকৃষ্ণনা অনৌবা উনা ওইনা হাঙ্গৈবা অদুনা কামবু মৈচাক কোকহনবা নুমিৎ ওইনা অগোক হাঙ্গৈদুনা প্রার্থনা তৌই, মাতুদি— "মদনকদারুণঃ" কামগী মশক ওইবা নুমিৎনা ঐবু চাক্লে, ঐনা থাংবা ওমদদুনা ৱাস্তবনচিংবা ওইহৱিবসি নহাক্কী নখোঙ উনানা কোকহনসনু হাঙ্গৈবদি নুংসানা চাক্লবদা কোক্তা উনা হাপ্পনাচিংবা তৌদুনা মীওইবনা অৱাবা কৌক্লে, মাদুগুম্না নহাক্কী নখোঙ অদু ঐগী কোক্তা হাপ্পিয়ু হাঙ্গৈবা ধ্বনিনি।৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জয়তি পদ্মাবতীরমণ জয়দেব,
কবিভারতী ভণিতমতি শাতম্। প্রিয়েং ।৮॥
(জয়তি জয়দেবভারতী ভূষিতং মানিনী জনজনিত শাতম্)

তিনবা হৈসিংবা—তনৌ তনৌবা) পদ্মাবতীরমণ জয়দেব-কবিভারতী-ভণিতম্ (পদ্মাবতীগী চান্নবা কবি জয়দেবগী ভারতী কৌবা ৱারেংনা হাঙ্গৈবা) অতি শাতম্ (থোইদোকপা নুঙাইবগী মশক ওইবা) মুরবৈরিণঃ (কৃষ্ণগী) রাধিকাম্ অধিবচনজাতম্ (শ্রীরাধাদা হাঙ্গৈবা য়াথংগী মপৈ অসিনা) জয়তি (পুন্নমক্তগী হেনবা ওইসনু)। (জয়দেব ভারতী ভূষিতম্—জয়দেব কবিগী ভারতী কৌবা ৱাহৈন। লৈতেংলবা, মানিনী জনজনিতশাতম্— মান তৌরিবী পুকনিংদা নুঙাইবা পোকহনবা য়াথংনা) ।৮॥

হাঙ্গৈরিব! থোইদোকনা নুঙাইবগী মশক ওইবা, রাধিকাদা হাঙ্গৈবা মুরারি শ্রীকৃষ্ণগী ৱাহৈ অসিদি ভজবা, অপেনবা, হৈ-সিংবা অমসু তনৌ তনৌবনি, মাসিনা পুন্নমক্তগী হেনবা ওইসনু ।৮॥ *

---

* হন্দককী পাদ অসিগী মথাথংবা পাদ অসি বোম্বে অমসু বঙ্গদেশগী মুদ্রিত গীতগোবিন্দগী পাঠ মান্নদে। বন্ধনীগী মন্নুংদা হাপুলিবা অদু বোম্বেদা চংনবা রসিকপ্রিয়া অমসু রসমঞ্জরীগী সম্মত পাঠনি। "ভারতী" হাঙ্গৈবদি অলঙ্কারগী বৃত্তি মখল অমনি। মাতুঙ্গি শৃঙ্গারতিলকতা মাগী লক্ষণ হাঙ্গৈ,— প্রধান পুরুষপ্রায়া সদ্বক্রোক্তিনিরন্তরা। ভারতী সা ভবেদ্বৃত্তি বীরহাস্যদ্ভুতরসাশ্রয়া ।। রসার্ণবসুধাকরদসু—"শৃঙ্গারাদি সর্ব্বেষু রসেম্বিষ্টা হি ভারতী" অস্নুম্না হাঙ্গৈ। হন্দককী অষ্টপদী "বদসি" নাচিংবা পদশিং অসি কীর্ত্তন গায়কশিংন্না অফাউবা ঙৈশৈনি। মাথোইনা ঙৈশৈগী মশাদা হাপলিবা রাগ অদুদা শক্তে, মিশ্র জয়-জয়তি রাগিনী অমসু ঝাঁপ-তালদা শকনৈ ।৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পরিহর কৃতাতঙ্কে শঙ্কাং তয়া সততং,
ঘন স্তনজঘনয়া ক্রান্তে স্বান্তে পরানবকাশিনি।
বিশতি বিতনোরন্যোঃধন্যো ন কোপি মমান্তরম্,
প্রণয়িনি পরীরভারন্তে বিধেহি বিধেয়তাম্ ।২॥

কৃতাতঙ্কে (হে অতোপ্পী নুপীগা সান্নরুরে হাঙ্গনা চিংনরিবী !) শঙ্কাম্ (চিংনববু) পরিহর (থাদোকউ) পরানবকাশিনি (অতোপপা অমা চংনবা মফম লৈত্রবা) স্বান্তে (ঐগী থমোইদা) ঘনস্তন জঘনয়া নোইর : স্তন অমস্থং খরাংগী মথাদা ওইবী) ত্বয়া (নংনা) সততং (অতৎপ লৈতনা) আক্রান্তে (সনথ্বংনা লৈরবদা) বিতনোঃ (কামদগী) ..: (অতোপ্পা) ধন্যঃ (লাইপক ফবা) কঃ অপি (কনাগুম্বা অমত্তনস্থ) মমান্তরম্ (ঐগী থমোই মনুংদা) ন বিশতি (চংদে) প্রণায়নী (হে প্রেমনা তিনবী !) পরিরম্ভারম্ভে (আলিঙ্গন হৌগৎলকপদা) বিধেয়তাম্ (তৌগদববু) বিধেয় (নংনা তৌ) ।২॥

ঐবু অতোপ্পা নুপীগা সান্নরুরে হাঙ্গনা চিংনরিবী হে রাধে ! চিংনবা থাদোকউ, নহাক্কী নোইরবা থবাক অমস্থু খরাংগী মথা অতুনা ঐগী থমোই অসিদা অতোপ্পা অমা চংনফম থাক্তনা নংনা কুপশিনতুনা লৈরিবনি মশা লৈত্তবা কামতনা ঐগী থমোই মনুংদা চংবা ঙমগনি, মশা পানবা অতোপ্পা জীব অমদি কনা অমতা চংবা ঙম্লরোই, হে নুংশিবী রাধে ! কোন্নবগী হৌগৎলকপদা তৌগদববু নংনা তৌবিয়্ ।২। *

---

* শ্রীকৃষ্ণনা ইবুঙো মহাকপু দোষ লৈতে হাঙ্গবতু খংহল্লগা রতিকেলীগী দমক তৌগদবা মরম শ্রীমতীদা খংহনলি. মাদু খংহনবদা শ্রীকৃষ্ণনা হন্দককী শ্লোক অসিনা রসিকতা তৌরি। মাদুদি— শ্রীরাধাগী নোইরবা স্তন অমস্থু খরাংগী মথাথংবা শরুক অদুতবু নুমিৎ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মুগ্ধে বিধেহি ময়ি নির্দ্দয়দন্তদংশ,
দোর্বল্লিবন্ধ নিবিড়স্তনপীড়নানি।
চণ্ডি ত্বমেব মুদমঞ্চ ন পঞ্চবাণ,
চাণ্ডাল কাণ্ড দলনাদসবঃ প্রয়ান্তু।৩॥

মুগ্ধে (হে অপংবী—ফজবী !) ময়ি (ঐঙোন্দা) নির্দ্দয়দন্তদংশ দোর্বল্লিবন্ধ—নিবিড়স্তনপীড়নানি (থোজান য়াওদনা য়ানা চিকপা, পামবোম অনিনা পুনবা, নোইরবা স্তননা নৈথেকপা পুন্নমক অসিবু) বিধেহি (তৌবিয়ু) চণ্ডি (হে সাওগনবী) মুদম্ (নুঙাইববু) অঞ্চ (ফংউ) পঞ্চবাণ চাণ্ডাল কাণ্ডদলনাৎ (কামগী তেননা থাবদগী) অসবঃ (ঐগী প্রাণ পুম্নমকনা) ন প্রয়ান্তু (চত্তসনু) ।৩।।

হে ফজবী রাধে ! ঐঙোন্দা নহাক্না থোজান য়াংদবা মথৈ য়ানা চিকপীয়ু, নংগী পাম্বোম অনিনা চেৎনা পুনবিয়ু, নোইরবা নহাক্কী থবাক্না ঐবু নোইহৎপিয়ু. হে সাওগনবী রাধে ! মাম্নমনা ঐবু রাএনবিহুনা

চুপ্পা খনবনা শ্রীকৃষ্ণগী পুক্নিং অত্ত থন্দুনা লৈরে, মরম অতুনা অহাংবা লৈতবা পুক্নিং অত্তদা হকচাং পানবা অতোপ্পা জীব অমগী চংনফম লৈতে, মুপ্পগী কামদেব হাঙ্গবসিদি মাগী হকচাং লৈতে। স্নুপনগী ৱাখনতগী মশক ওইবননা মহাক্তদি অহাংবা লৈভবা ঐগী পুকনিং অত্তদা চংবা ঙমই। অতুনা হে রাধে ! কামদেব নত্তবা অতোপপা অমনা কনাগুম্বী শমনা ঐগী পুকনিংদা চংতুনা লৈরে হাঙ্গনা নহাক্না চিংনরিবহু তৌগনু, রতিকেলীগী হৌগৎলকপা আলিঙ্গনগী মতমদা তৌগদবহু তৌরো হাঙ্গবনি। ভাবত্তি—শ্রীকৃষ্ণনা শ্লোক অসিনা মরম ওইহুনা শ্রীরাধাগী মফমদা ইবুঙো মহাককী অচেৎপা পুকনিং ওইবা, অতৈ অতোপ্পা অমা নিংদবা অমস্থ কামগী পীড়াদা অতোপ্পা অমদা চংবনা কোকপা ঙমদবা অত্ত খংহল্লি ২।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শশিমুখী তব ভাতিভঙ্গুরভ্রূর্যুবজনমোহকরালকালসর্পী।
তদুদিতভয়ভঞ্জায় যূনাং ত্বদধরসীধুসুধৈব সিদ্ধমন্ত্রঃ ।৪॥

শশিমুখী (হে মাইথোং থা মানবী !) যুবজনমোহকরালসর্পী— (তরুণসিংবু ঙকহনবদা অকিবগী মশক ওইবা অমুবা লিন ওইবা) তব ভঙ্গুরভ্রূঃ (নংগী থেকলিবা পিশুমনা) ভাতি (ঙাল্লি) যুনাম্ (তরুণ-সিংগী) তদুদিতভয়ভঞ্জনায় (মাদুদগী থোরকপা অকিবা কোকনবগী-দমক) ত্বদধরসীধুসুধৈব (নহাক্কী অধরগী মশক ওইবা সিধু কৌবা মদিরাগী অমৃতগী) সিদ্ধমন্ত্রঃ (সিদ্ধ ওইরবা মন্ত্রনি) ।৪।

নুঙাইবিয়ু, মখুংঙা তেন মঙা পাইবা কামগী তেননা থাদুনা ঐগী প্রাণ পুন্নমকসি চত্তসনু ।৩। *

হে মাইথোং থা মানবী ! তরুণ ওইবশিংবু শুঙ্গাৎপদা অকিবগী মশক ওইবা অমুবা লিনগী মশক ওইবা নংগী অথেকপা পিশুমনা নিংথিরি, অদুগুম্বা লিন অদু উবদগী থোরকপা তরুণজনগী অকিবং অদু কোরুবগী দমক্তা নহাক্কী অধরগী মশক ওইবা সিধু কৌবা মদিরাগী অমৃতনা মহে পাল্লবা মন্ত্রনি ।৪। †

* শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাবু 'হে মুগ্ধে !'' হাঙ্গনা কৌবাসনা খংহনগি, মাদুদি— চংজারবা মীনা দোয ভোরবদি মপু অদুনা রারকপীগদবনি, মাদুদি নত্তনা ঐবু কাম কৌবা চণ্ডালগী মথুত্তা পীরবদি মাদুবু অচুম্বা -বিচার নত্তে, হায়বা ভাবনি ।৩॥

† শ্রীকৃষ্ণগী বাক্যগী তাৎপর্য্যদি— লিনগী হু কোকপা ঙম্বা হিদাক মন্ত্র খংলবাদ অথংবা মী অদুনা মমাংদা লিননা চিকতুনা রান্থরবা মী উরগা মাগী 'হদাক মন্ত্র অদু ভোত্রবদি মাইবত্ত দোয লৈ, মাদু শ্রী-মতীদা থোকপা তারে। মরমদি— মহাক্কী পিশুমনা লিনগী মশক ওইদুনা চিকতুনা মাগী হুনা রান্থরবা ঐবু উনা উনা মাদু কোকপা ঙম্বা হিদাক প্যারবী নহাকনা এংবিত্রবদি দোযদু নহাক্না পুবিগনি, হায়বা ভাবনি ।৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ব্যথয়তি বৃথা মৌনং তন্বি প্রপঞ্চয় পঞ্চমং,
তরুণি মধুরালাপৈস্তাপং বিনোদয় দৃষ্টিভিঃ।
সুমুখি বিমুখীভাবং তাবদ্বিমুঞ্চ ন মুঞ্চ মাং,
স্বয়মতিশয়স্নিগ্ধো মুগ্ধে প্রিয়োঽয়মুপাস্থিতঃ।৫॥
বন্ধূকদ্যুতিবান্ধবোঽয়মধরঃ স্নিগ্ধো
মধুকচ্ছবির্গণ্ডশ্চণ্ডিচকাস্তি নীলনলিনশ্রীমোচনং লোচনম্।

তন্বি (হে কৃশাঙ্গী রাধে !) বৃথা মৌনং (অরেম্বদা ব্রা ঙাংদবনা) ব্যথয়তি (ঐবু ৱাহল্লি) তরুণি (হে যুবতী) মধুরালাপৈঃ (নিংথিজবা ৱাঙাং থিবিকনা) পঞ্চমম্ (পঞ্চম স্বরবু) প্রপঞ্চয় (সন্দোকউ) দৃষ্টি-ভিঃ (মিৎএং খিবিকনা) তাপম্ (মৈচাকপু) বিনোদয়ঃ (নুঙাইহন-বিয়ু) সুমুখী (হে মাইথোং ফজবী !) বিমুখীভাবম্ (মাই ওনথোক-পবু) তাবদ্ বিমুঞ্চ (থাদোকউ) মাম্ (ঐবু) ন মুঞ্চ (থাদোকপীনু) মুগ্ধে (হে অপংবী !) অতিশয়স্নিগ্ধ (নংবু য়াম্না নুংশিবা) অয়ম্ (অসি-গুম্বা) প্রিয়াঃ (চান্নবনা) স্বয়ম্ উপস্থিতঃ (কোৱুদ্রবসু মথন্তা লাক-চরে) ।৫।

অয়ম্ (অসিগুম্বা) অধরঃ (নহাক্কী চিনবাননা) বন্ধুকদ্যুতিবান্ধবঃ (বন্ধুক কৌবা লৈগী মঙানগা মরুপ ওই) স্নিগ্ধঃ (ফুইরবা) গণ্ডঃ (নংগী

হে থৱাংজেংবী ! নংনা অরেম্বদা ৱাঙাংদবা অসিনা ঐবু ৱাহল্লে, তৌবিগনু, নিংথিবা ৱাহৈনা নহাককী খোঞ্জেনগী পঞ্চমস্বরনা সন্দোক-পীৱো, হে তরুণী। নহাককী মিৎএংনা ঐগী মৈচাক অসি কোকহন্ন-বিয়ু, হে সুমুখী ! ঐ উৱগা মাহ ওন্থোকপীগনু, ঐবু হুঞ্জেকপীগনু, হে মুগ্ধে ! নংবু য়াম্না নুংশিরবা, চান্নবা ঐনা নহাক্না কৌদ্রবসু ইথন্তা লাকচরে ।৫।।

হে রাধে ! নহাককী চিনবাননা বন্ধুক কৌবা লৈগুম ঙাংবা হে

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নাসাভ্যেতি তিলপ্রসূনপদবীং কুন্দাভদন্তি প্রিয়ে.
প্রায়স্ত্বন্মুখসেবয়া বিজয়তে বিশ্বং স পুষ্পায়ুধঃ ।৬॥
দৃশৌ তব মদালসে বদনমিন্দু সন্দীপনম্,
গতির্জনমনোরমা বিজিতরম্ভমুরুদ্বয়ম্ ।

চাইরুংনা) মধুকচ্ছবিঃ (মধুক কৌবা লৈগী মঙান·ওই) চণ্ডি (হে সাওগনবী !) নীলনলিনশ্রীমোচনম্ (অসংবা থরোগী নিংথিবযু মাংহন্বা) লোচনম্ (মিংনা) চকাস্তি (ঙাল্লি) নাসা (নাতোননা) তিলপ্রসূন পদবীম্ (থোইদিং মপানগী খুবন্নু) অভ্যেতি (ফংই) কুন্দাভদন্তি— (কুন্দো মানবা য়া ওইবী) প্রিয়ে (হে চান্নবী !) প্রায়ঃ (তর্কয়ামি— ঐনা খল্লি) সঃ পুষ্পায়ুধঃ (অচুগুম্বা লৈনা খুৎলাই ওইনবা কামনা) ত্বন্মুখসেবয়া (নংগী মুখবু সেবা তৌজদুনা) বিশ্বম্ (তাইবংপানববু) বিজয়তে (ঙমই) ।৬।

তন্বি (হে কৃশাঙ্গী রাধে !) পৃথ্বীগতা (পৃথিবীদা লৈবী নংনা) বিবুধ যৌবতম্ (লাইগী যুবতী ময়াম্বু) অহ (ওন্থোকপনি) বহসি—

সাওগনবী রাধে! নহাক্কী চাইরুংনা মধুকপুষ্পগুম্বা, মিৎনা থরো অসংববু ঙমজবা, নাতোননা থোইদিং মপানগী মতৌ ওইবী, হে য়াতানা কুন্দো পবেং মানবী রাধে, হে প্রিয়ে! ঐনা খনববু লৈনা খুৎলাই ওইনবা কামদেবনা নহাক্কী মাইথোং অসিবু সেবা তৌজবনা তাইবং-পানববু ঙমলিবনি ।৬।। *

নংগী হরাওবনা তপ্পা তপ্পা এংবা মিৎ অনি, থাবু ঙান্থোকহনবা

---

* শ্রীকৃষ্ণগী রাহৈ অসিগী তাৎপর্য্যাদি,— কামদেবনা মরোল অহুম্বু ঙমগে হাঙৈবগী দমক অরবিন্দ, অশোকনাচিংবা লৈবু মাগী লৈগী তেন ওইননবা থিদুনা ৱারুদবসু শ্রীরাধাগী মাইথোংবু সেবা তৌজরবদি নহাক্কী চিনবান, খজাই, মিৎ, নাতোন অমসু য়াদা ওইরিবা বন্ধুক, মধুক...

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রতিস্তব কলাবতী রুচিরচিত্রলেখে ভ্রুবা
বহো বিবুধযৌবতং বহসি তন্বি পৃথ্বিগতা ।৭॥

(পুরি) মাতুদি—তব (নংগী) মদালসে (নুঙাইবনা তপ্পা তপ্পা এংবা) দৃশো (মিৎ অনিনা) ইন্দু সন্দীপনম্ (থাবু ঙান্থোকহনবা) বদনম্ (মাইথোং) জন মনোরমা (মীওইবগী মপুক নুঙাইহনবা) গতিঃ (খোংচৎ) বিজিতরম্ভম্ (লফুবু ঙমজবা) উরুদ্বয়ম্ (ফৈবোম অনি) তব (নংগী) কলাবতী (হৈসিংবী) রতি (রতিকেলী) রুচিরচিত্রলেখে (নিংথিনা থেকতুনা এক খোৎলবা) ভ্রুবৌ (পিশুম অনিনা ওই) ।৭॥

নংগী মাইথোং, মীওইববু নুঙাইহনবা খোঙচৎ, নংগী লফুবু ঙমজবা ফৈবোম, হৈসিংলবা রতিকেলী, ফজনা এক খোৎলবা পীশুম অনি, মাসি পুন্নমকনা হে কৃশাঙ্গী রাধে? পৃথিবীদা লৈবী নংনা স্বর্গদা লৈবী লাইগী যুবতীশিংবু পুরিবসি ওন্থোকপনি ।৭॥ *

—নীলোৎপল, তিলপুষ্প অমসুং কুন্দো লৈ মঙা অসি নংগী মাইথোং-ভদা ফংই, মাতুনা তাইবংপানববু জয় তৌবা ঙমই হাঙ্গবা ভাবনি ।৬।

* মতাং অসিদা ইবেমাগী মিৎ মাই, খোঙচৎ, ফৈবোম, রতি অমসুং পীশুমবু বিশেষণ অমামম পীরি। মাতুদি— মিৎপু মদালসা কৌবী স্বর্গগী নুপী অনি (মাইবু ইন্দু-সন্দীপন) থাবু ঙালহনবা শ্লেষদা ইন্দু সন্দীপন কৌবী লাইগী নুপী (খোঙচৎপু জনমনোরমা) মীবু নুঙাই-হনবা শ্লেষদা মনোরমা কৌবী লাইগী নুপী. ফৈবোম— বিজিতরম্ভা (লফুবু ঙমজবা, শ্লেষদা রম্ভা কৌবী লাইগী নুপী অনি), রতিবু— কলাবতী (হৈসিংবী, শ্লেষদা কলাবতী কৌবী লাইগী নুপী) পীশুমবু রুচির চিত্রলেখা (নিংথিনা এক খোৎপা, শ্লেষদা চিত্রলেখা কৌবী লাই-গী নুপী অনি) অসুম্না হাঙ্গদুনা শ্লেষার্থনা মরু ওইনা বিরোধাভাস কৌবা অলঙ্কারনা ভাবার্থ অমা খংহনলি, মাতুদি— পৃথিবীদা লৈবী নুপী অমনা অতুপ য়াম্বা লাইগী নুপী মদালসা অনি, ইন্দু-সন্দীপনী,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রীতিং বস্তনুতাং হরিঃ কুবলয়াপীড়েন সার্দ্ধং রণে,
রাধা পীনপয়োধরস্মরণকৃৎকুম্ভেন সম্ভেদবান্।
যত্র স্বিদ্যতি মীলতি ক্ষণমথ ক্ষিপ্তেদ্বিপে তৎক্ষণাৎ,
কংসস্যালমভূজ্জিতং জিতমিতি ব্যামোহকোলাহলঃ ।৮॥

রণে (লানফমদা) রাধাপীনপয়োধরম্ স্মরণকৃৎকুম্ভেন (শ্রীরাধাগী নোইরবা কুচযুগব নিংসংহনবা মকোকনা ওইবা) কুবলয়াপীড়েন (কুবলয়াপীড়গা) সার্দ্ধম্ (লোইনত্তুনা) সম্ভেদবান (ভিন্নরবা) হরিঃ— (শ্রীকৃষ্ণনা) বঃ (নথোইগী) প্রীতিম্ (অপেনবব) তনুতাম্ (সনদোকসনু) যত্র (কুবলয়াপীড়গী মকোক্তা শোকউবদা শ্রীরাধাগী বক্ষস্থলব নিংসংবা মতম অত্তুদা) ক্ষণম্ (ওহাক্তং) স্বিদ্যতি (সাত্বিক ওইত্তুনা হুমাং শোঁই) মীলতি (মিৎ উইশিল্লি) অথ (অতুগী তুংদা) তৎক্ষণাৎ (থুথক অত্তুদা) দ্বিপে (কুবলয়াপীড়ব) ক্ষিপ্তে (হুন্দোকলবদা) কংসস্য (কংসগী) জিতম্ জিতম্ ইতি (ওমলে ওমলে অস্থম হাঙ্গবা) ব্যামোহকোলাহলঃ (অঙকপা নিন্ খোংবনা) অলম্ (থোইদোকনা) অভূৎ (ওইথি) ।৮।

কংসগী রঙ্গভূমিদা শ্রীকৃষ্ণনা কুবলয়াপীড়গা লান তৌবদা কুবলয়াপীড়গী কনলবা মকোক্তা পাইরুবদা শ্রীমতীরাধিকাগী থবাক অকনবব নিংসংলকই, মাদু নিংসংলুবগী প্রেমগী সাত্বিকনা শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গদা ওহাক্তং হুমাং শোরকই, মিৎ উইসিল্লকই, মাতুম্না ওহাক্তং নিংসংলুরগা এরুবা সামুগী মকোকনি হাঙ্গবদু কাউদবনিনা মকোক্তা নোইহৎ-বদা কংসনা ওমলে হাঙ্গনা হয়াওবা অঙকপা থোঞ্জেননা ইনিন্

মনোরমা, রম্ভা অনি, কলাবতী, চিত্রলেখা অনি, পুন্নমক মথন্তনা পুবা য়াবা হৌনদে। রাধাতদি মহাক্কী অঙ্গদা পুন্নমক অদু পুতুনা ওইবা য়াদবব ওইহনলি হাঙ্গবনি।৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যে মানিনীবর্ণনে
চতুর-চতুর্ভুজঃ নাম দশমঃ সর্গঃ।

—:—

মতাং অসিদা শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা মানিনী বর্ণন ভৌবদা
চতুর-চতুর্ভুজঃ কৌবা তরাস্থুবা সর্গ লোইরে।

—।—

নিন্‌থি, অদুগুম্বা শ্রীহরিনা নখোই পুন্নমকপ্ন মঙ্গল পীনবিসন্থু।৮॥ *

মতাং অসিদা চতুর-চতুর্ভুজ কৌবা তরাস্থুবা সর্গঃ লোইরে।

—০—

* শ্রীকৃষ্ণনা সামু মকোক শোকপদা ওহাক্তং শ্রীরাধাগী বক্ষ নিং-সংদুনা নুঙাইবগী হুমাং শৌবা অমস্তং মিৎ উইসল্লকপদা কংসনা থল্লি, কৃষ্ণবু সামুনা ঙমলে হাঙ্গৈনা উদুনা হরাওদুনা "ঙমলে" হাঙ্গৈনা লাউই, কংসনা অমোকস্থু হন্না "ঙমলে" হাঙ্গৈনা লাউবদদি কৃষ্ণনা এরুবনি, হাঙ্গৈবা নিংসংলকতুনা সামু মকোকতু অদুম্মক নোইহৎখরে। অদুনা কংসগী অকোনবগী "ঙমলে" হাঙ্গৈবদুনা কৃষ্ণনা কুবলয়াপীড়বু ঙস্থা ওই-খরে। অসিগুম্বা কংসগী অঙকপা ওইবা য়াথংনা ইনিন নিনলি হাঙ্গৈ-বনি। অশিগুম্বা লীলা সান্নবা শ্রীহরিনা নখোই— মাসিবু পাঠ ভৌরিবা তাজরিবা পুন্নমকপ্ন পেনবিসন্থু হাঙ্গৈবনি। শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যগী মতাং অসিদা চতুর চতুর্ভুজ কৌবা তরাশুবা সর্গ লোইরে (বঙ্গগী সংস্করণদদি সর্গ অসি "মুগ্ধ মাধব" কৌই, মাদুদি কয়া অর্থ সঙ্গতি ওইদে হাঙ্গৈদুনা প্রাচীন টীকাশিংগী পাঠ লৌদুনা "চতুর চতু-র্ভুজ" হাঙ্গৈখরে।৮।

মতাং অসিদা তরাস্থুবা সর্গ লোইরে।

—০—

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীগীতগোবিন্দম্ ।

একাদশঃ--সর্গঃ ।

—ঃ—

(সানন্দ-দামোদরঃ)

সুচিরমনুনয়নেন প্রাণয়িত্বা মৃগাক্ষীং,
গতবতি কৃতবেশে কেশবে কুঞ্জশয্যাম্ ।
রচিতরুচিরভূষাং দৃষ্টিমোষে প্রদোষে,
স্ফুরতি নিরবসাদাং কাপি রাধাং জগাদ ।১॥

দৃষ্টিমোসে (মিৎনা পোৎ উরক্তবা য়ান্না মম্লবা) প্রদোষে (অহিংগী মচিন্না) স্ফুরতি (চংলক্লবদা) কৃতবেশে (লৈতেংলবা) কেশবে (শ্রী-কৃষ্ণনা) মৃগাক্ষীম্ (সজীমিৎ মানবা রাধাবু) সুচিরম্ (কুইনা) অনুনয়নেন (হাঙ্গৈজবা অথেম্বা রাহৈনা) প্রীণয়িত্বা (পেনহল্লগা) কুঞ্জ-শয্যাম (কুংনা হৌরবা উরিনা কোইশিনবা কুঞ্জগী ময়াইদা লৈবা শয্যা-দা) গতবতি (চংখ্রবদা) রচিত রুচির ভূষাম (নিংথিজবা বেশনা লৈতেংলবী) নিরবসাদাম্ (চান্নবগা উনবনা অব্রাবা কোক্লবী) রাধাম্ (শ্রীরাধাদা) কাপি (কনাগুম্বী সখী অমনা) জগাদ (হাঙ্গৈখি) ।১॥

অহিংগী মচিন— প্রদোচ কৌবা মতম ওইরে, মাইকৈ অপূম্বা অমম্বনা এংবা উরক্তরে, শ্রীকৃষ্ণনু সজী·মিৎ মানবী শ্রীরাধাবু মতম কুইনা নিংথিজবা রাহৈনা থেম্নগা নিংথিবা বেশ তৌদুনা কুঞ্জগী শয্যাদা লেংশনখরে, মতম অদুদা কনাগুম্বী সখী অমনা নিংথিনা লৈতেংলবী অরাবা কোক্লবী শ্রীরাধাদা হাঙ্গৈ ।১॥ *

---

* শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমাবু নিংথিজবা শ্বাহৈ থিবিকনা পেনহল্লগা কুঞ্জ-শয্যাদা লেংসিনখি, হাঙ্গৈবসি গ্রন্থগী হৌগৎপদা হাঙ্গৈথিবা মেঘৈমে'দুন্নম্

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বসন্তরাগ যতিতালাভ্যাং গীয়তে।

বিরচিত চাটুবচনং চরণে রচিতপ্রণিপাতম্,
সম্প্রতি মঞ্জুলবঞ্জুলসীমনি কেলিশয়নমনুযাতম্ ।২॥
মুগ্ধে বধুমথনমনুগতমনুসর রাধিকে ॥ ধ্রুবম্ ॥

মুগ্ধে (হে অপংবী!) রাধিকে (হে রাধে!) বিরচিত চাটুবচনম্ (নহাক্কী মান কোক্লবা থেমজবা নিংথিবা ৱাহৈ ঙাংলবা) চরণে রচিত প্রণিপাতম্ (খোঙদা খুরুমজরবা) সম্প্রতি (হুজিক্কি) মঞ্জুলবঞ্জুল-সামনি (নিংথিজরবা বঞ্জু লতাগী ময়াইদা) কেলি শয়নম্ (সান্নবা শেল্লবা শয্যাদা) অনুযাতম্ (লৈখ্রবা) অনুগতম্ (নঙোন্দা চংজরবা) মধুমথনম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) অনুসর (তুং ইন্দুনা চৎলো) ।২॥

হে রাধে, হে অপংবী! শ্রীকৃষ্ণনা নহাকপু নিংথিজবা ৱাহৈনা মতম কুইনা থেল্লগা নংগী নখোঙদা তুহ্না খুরুল্লম্লে, হুজাক্ক ফজরবা বঞ্জুল লতাগী কুঞ্জ মন্নুংদা শয্যাদা চৎখরে, নংগী তুং ইঞ্জরিবা শ্রীকৃষ্ণগী মতুং ইন্দুনা নংসু চংলো ।২॥ *

—হাঙ্গৈবা শ্লোকতা হাঙ্গৈখিবা সখীগী উক্তি অহুনা মরম ওইগুনা হৈবেমদা সখীনা হাঙ্গৈবা অহু তাহুনা সখাগী ইঙ্গিতনা চংখবনি অহুন্না খংনগনি। শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী যমুনা পুলিনদা ওইবা রতিকেলি-কথা পুন্নমকতি ইন্দক্কী সর্গ অসিদগী হৌহুনা সখী অসিনা গ্রন্থ লোইবা ফাওবা হাঙ্গ-গদৌরি ।১।।

* প্রদোষ--(অহিং মচিন) দা মকোন্দা লৈবা কাঙশিংনা খোংলকই. মাহু তারগা সখীনা হাঙ্গৈরি,— "হে রাধে! এংউ, নংগী অভিসারগী মতম অসি করে. থিল্লগনু হাঙ্গৈবা খুদম লাকলে, হৌগৎলো, খোঙ থাংলো। নংনা হোরেল কুঞ্জ শয্যা মনাক্তা চংখিবা, কিনা কিনা খোঙ তপ্পা থাংবা, অহুনা নিকতুনা নখোঙদা সিন্নিবা মণিগী নূপুরনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঘনজঘনস্তনভারভরে দরমন্থরচরণবিহারম্।
মুখরিতমণিমঞ্জীরমুপৈহি বিধেহিমরালনিকারম্। মুগ্ধে০ ।২॥
শৃণু রমণীয়তরং তরুণীজনমোহনমধুরিপুরাবম্।
কুসুমশরাসনশাসনবন্দিনি পিকনিকরে ভজ ভাবম্। মুগ্ধে০ ।৩॥

ঘনজঘনস্তনভারভরে (নোইরবা খ্বাংগীমখা, থবাক্কী অরুম্বনা লুম্নবী হে রাধে) দরমন্থর চরণ বিহারম্ (কিচ্ছুনা তপনা তপনা খোং থাংহুনা) মুখরিত মণি মঞ্জরীম্ (মণিনা থাম্বা নুপুরগী মখোন থোক উপৈহি (শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংউ) মরালানক্কারম্ (কাণ্ডগী খোঞ্জেন ঙমজববু) বিধেহি (তৌ) । ২ ॥

রমণীয়তরম্ (থোইদোক্না নিংথিজবা) তরুণীজন মোহন মধু-

নোইরবা থরাংগী মখা অমস্থ বক্ষস্থলগী অরুম্বনা তিল্লবা হে রাধে, কুঞ্জ শয্যাদা চেপলিবা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা নংনা চংবদা আকিবগী খোংথাংনা তপনা তপনা থাংহুনা খোংদা শিন্নিবা মণিগী নূপুরগী খোঞ্জেন্না নিংথিজনা চংউ, খোঞ্জেন অহুনা নংগী যাত্রাগী মতম অসিদা খোংলিবা কাণ্ডগী খোঞ্জেন্দ্য অসিবু নংগী নূপুর খোঞ্জেন্না ঙমজনা নিংথিহল্লু । ২ ।

হে সখী রাধে ! শ্রীকৃষ্ণগী খোঞ্জেন্না যুবতী পূন্নমক্কী পুক্নিং হুনদা

—নিংথিজবা মখোন থোকনি, খোঞ্জেন অহুনা মকোন্দা খোংলিবা যাত্রা মঙ্গল পীরিবা কাণ্ডগী খোঞ্জেনবু ঙমজনা নিংথিজগনি হাঙ্গৈবনিঃ মাসিগী ভাবতি—কাণ্ড মকোন্দা খজিক খজিক্কং ওইনা খোংবা মখোনগা নূপুরগী খোঞ্জেনগা মান্নৈ অহুম্না লোকতা চৎনৈ। অহিংদা কাণ্ডনচিংবা উচেক্না অহিংগী য়ুথক ২ খুদিংগী খোংই, অদুগা শাকুন শাস্ত্রন হাঙ্গৈ কাণ্ডনা চৎলমদাইদা খোংলবনি যাত্রা অঙ্ক অফবনি অহুম্ন হাঙ্গৈ। 'হংসস্য চ শব্দেন সর্ব্বসিদ্ধিঃ' মরম অহুনা সখীনা ইবেমদা খংহল্লি, কাণ্ডখোংলে মতম ফরিভৈদা থুনা চৎলো হাঙ্গৈবা ভাবনি ।২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অনিল তরল কিসলয়নিকরেণ করেণ লতানিকুরম্বম্ ।
প্রেরণমিব করভোরু করোতি গতিং প্রতি মুঞ্চ বিলম্বম্ । মুগ্ধে০ ।৪॥

রিপুরাবম্ (তরুণীসিংগী সুমহৎনবা ওইব। শ্রীকৃষ্ণগী খোঙ্গেনবু) শৃণু তাউ) পিকনিকরে (কোকিলগী মপৈনা) কুসুম শরাসন শাসন-বন্দিনি (লৈনা লিরুং ওইনবা কামগী য়াথংবু থাগৎলবদা) ভাবম্ (শ্রীকৃষ্ণগী অনুরাগবু) ভজ (আশ্রয়তৌ) । ৩ ॥

লতানিকুরম্বম্ (লতাগী মপৈনা) অনিল তরল কিসলয় নিকরেণ (নুংশিৎনা হাঙ্গৈহুন্নবা অনৌবা উনাসিংগী মপৈ ওইবা) করেণ (খুৎনা) গতিম প্রতি (নংগী চৎকদবদা) প্রেরণম্ ইব (ইনসিনবা-গুম্ববু) করোতি (তৌই) করভোরু (খুৎচেপ মানবা ফৈবোম ওইবী হে রাধে) বিলম্বম্ (থিনববু) মুঞ্চ (থাদোকউ) । ৪॥

ওইবা ফজবত্ত তারু, কোকিলসিংনা লৈগী লীরুং পাইবা কামগী য়াথং থাগৎলিবা মতম অসিদা নংনা শ্রীকৃষ্ণগী মরিদা অনুরাগতৌ । ৩ । *

খুৎচেপ মানবা ফৈবোম ওইবী হে রাধে! উরি ময়াম্না নুংসিৎনা হুমহুনা নিকলবা অনৌবা মনা ময়াম্না খুৎ ওইহুনা নংবু চৎলো হাঙ্গৈনা যাত্রাগী মতম তাক্লে খিল্লগনু । ৪ । †

*—শ্রীরাধানা হাঙ্গৈরক্কদবা "এনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎলগা করি তৌরুগে" হাঙ্গৈগদবদা সখীনা হাঙ্গৈ,—অহানবমক্তদা শ্রীকৃষ্ণগী ঙাংবা খোঙ্গেন তাউ, খোঙ্গেন অহুনা ফজবদি যুবতী পুন্নমকপু সুমহৎনবা ওইবা খোঙ্গেননি । কোকিলগী মপৈনা কামগী য়াথং থাগৎপা হাঙ্গৈবদি "হৈনৌ মপান খবোম থন্না উমহুনা মঙাসুবা খোন্থাংদা খোংলিবা কোকিলন কাম-দেবগী য়াথং (হুকুম) বু যুবতীসীংদা খংহনলি মাহুদি হে যুবতীসা! নখোইগী চান্নবা নপুরোইবগী নাক্তা চংজহোরো নত্রবদি ঐগী লৈগী তেনগী মমাংদা নখোই খাংবা উমলোই" অসুম্না হাঙ্গৈবা কামগী য়াথং অহু কো-কিলনা যুবতীসীংদা তাকলি হাঙ্গৈবা ভাবনি । ৩ ॥

†—করোরু—হায়বদদি খুৎনাওবীগী মতেন্দগীনা খুজেং ফাউবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্ফুরিতমনঙ্গভরঙ্গবশাদিব সূচিত হরিপরিরম্ভম্ ।
পৃচ্ছ মনোহরহারবিমলজলধারমমুং কুচকুম্ভম্ । মুগ্ধে০ ।৫॥

অনঙ্গতরঙ্গবশাদ্ ইব (কামগী মশক ওইবা ঈথকতগীগুন্না) স্ফুরিতম্ (চোংলবা—নিক্লবা) সূচিত হরিপরি রম্ভম্ (শ্রীহরিবু আলিঙ্গন তৌগদবা ফোংদোক্লবা) মনোহরহার বিমলজলধারম্ (মক্তু বা লিক্কী পরেংনা ঈশিংগী ধারা ওইতুনা লৈরবা) অমুম (অসিগুম্বা) কুচকুম্ভম (বক্ষঃস্থলগী মশক ওইবা চফুদা) পৃচ্ছ (হংউ) । ৫ ।।

হে সখী রাধে ! নহাক্কী থবাক অনিসি যাত্রাগী মতমদা ঈশিং অথনবা চফু ওইরি, মাথোই অনিগী মথক্তা লৈবা ফজরবা লিকপরেংসীংনা ঈশিংগী ধারা ওইরি, ঐনা হাঙ্গৈরিবসি চুমবরা ? নংগী থবাক অনিদা হংউ, রসগী ঈচেন্দা তাউতুনা নংনা লৈরবা মরমনা কামগী ঈথক্লা নশাদা ফুবদা নহাক্কী থবাক অনিতুনা নিক্তুনা চোংসি, মাতু হরিবু আলিঙ্গন তৌগনি হাঙ্গৈবা ফোংদোকপনি । ৫ *

খুৎচেপ মপা অতুবু ভরত কৌই । "মণিবন্ধাদাকনিষ্ঠং করস্য করভো বহিঃ" নিংথিজবা ফৈনা মাতু মানলি অতুনা সখীনা শ্রীরাধাবু "করভোরু" হাঙ্গৈনা কৌই, মথক্কী পদদা কোকিলখোংবা অমসু উনা অনৌবা উবা লু সিংন চৎকদবা মাইকৈরোমদা সিৎপা হাঙ্গৈবসি শাকুন শাস্ত্রগী যাত্রা ফরবা মতম ভাকপনি অত্তুনা অসিগুমবা অফবা মতম অসিদা থিনলগনু থুনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংখরো হাঙ্গৈবা ভাবনি । "বামে মধুর বাক্পক্ষী বৃক্ষঃ পল্লবিতোঽগ্রতঃ ।" অনুকুলো বহন্ বায়ুঃ প্রয়াণে শুভ সূচকঃ ॥ " ওইরোমদা মখোন ফজবা উচেক খোংবা, মাংদা এনিংহুনবা উ উবা, চৎকদবা মাইকৈরোমদা নুংসিৎসিৎপা হাঙ্গৈবসি যাত্রাদা অফবা ফোংদোকই অসুন্না শাকুন শাস্ত্রনা হঙ্গৈ । ৪ ॥

*—মতাং অসিদা সখীনা শ্রীমতীবু প্রেমগী ঈচেনদা তাউরে হাঙ্গৈবা উতুনা হাঙ্গৈরি, অতুদা কামগী অয়িনবা ঈথক ওইনা ইবেমগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অধিগতমখিলসখীভিরিদং তব বপুরপি রতিরণসজ্জম্ ।
চণ্ডি রণিতরশনারব ডিণ্ডিমমভিসর সরসমলজ্জম্ । মুগ্ধে০ ।৬॥
স্মরশরসুভগনখেন করেণ সখীমবলম্ব্য সলীলম্,

আখিলসখীভিঃ (অয়াম্বসখীসিংনা) তব (নংগী) ইদম্ (অসিগুম্বা) রতিরণসজ্জম্ (ঘ্নতি যুদ্ধগী মতিক চাবা বেশ তৌরবা) বপুঃ অপি (হকচাং অসিবু) অধিগতম্ (খংখ্রে) চণ্ডি (হে সাউগনবী) রণিতরশনারবডিণ্ডিমম্ (মখোন থোল্লবা খাংশরিক্পরেংগী মখোন্না ডিণ্ডিম ওইদুনা) সরসম্ (নিংথিনা) অলজ্জম্ (ইকাইদনা) অভিসর (শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংলো)। ৬ ॥

স্মরশরসুভগনখেন (কামগী ভেনগুম্বা ফজরবা খুজিননা ওইবা)

হে রাধে ! নংনা সখীসীংগী মাংদা করম্না অভিসার চৎকদগে হাঙ্গনা ইকাইরে. মাদু তৌগনু, সখীসীংন। হান্ননা খংলবনি, অদুনা নংগী সখীসীংনা নহাকপু রতিযুদ্ধগী বেশনা হান্ননা লৈতেংবিরে, হে চণ্ডী-সাউগনবী রাধে ইকাইদনা ফজনা কৃষ্ণগী নাক্তা চৎলো, নংনা চৎপদা খরাংদা য়ানবা খাংশরিক্কী মখোন্না যাত্রাগী ডিণ্ডিম পুংয়ৈবা ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা অভিসার তৌরো । ৬ ।

হে রাধে ! নংগী কামগী তেন মানবা ফজরবা খুজিন্না লৈতেংবা

বক্ষস্থলবু যাত্রাকালগী পূর্ণঘট (ঈশিংথন্না হাপ্পা ঘট) ওইনা হায়রি, থবাক্তা সিরিবা লিকপুনা চফুদা হাপ্পা ঈশিংনা চফুদু নিকপদগী ঈশিং পাথরকপা ওইনা হাঙ্গৈরি, অমসু প্রিয়জনগা উনরমদাইদা হুপীগী বক্ষস্থলনা চোংঈ, মাদুবু এংদুনা সখীনা হাঙ্গ,—"হে ইভা ঐনা নংবু শ্রীকৃষ্ণগা উনরনি" হাঙ্গৈরিবসি চুমই চুমদে হাঙ্গৈবা নহাক্কী থবাক অনি অদুদা হংজো, অর্থাৎ সোইজ্রবনি থবাক চোংলবদি সোইদনা চান্নবা উনবনি হাঙ্গৈবা ভাবনি, মদুদি শাকুন শাস্ত্রনা হাঙ্গ "নিত্যং নার্যাঃ স্তেন-কম্পঃ প্রিয়সঙ্গমসূচকঃ ;" ৫ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চল বলয়ক্কণিতৈরববোধয় হরিমপি নিগদিত শীলম্ । মুগ্ধে০ ।৭॥
শ্রীজয়দেব ভণিতমধরীকৃতহার মুদাসিত বামম্
হরিবিনিহিতমনসামধিতিষ্ঠতু কণ্ঠতটীমবিরামম্ । মুগ্ধে০ ।৮॥

করেণ (খুৎনা) সখীম্ অবলম্ব্য (সখীদা পাইদুনা) সলীলম্ (লীলাগা লোইননা) চল (চৎলু) হরিম অপি (শ্রীহরিবুসু) বলয়ক্কণিতৈঃ (খুজিগী মখোননা মরম ওইদুনা) নিগদিতশীলম্ (নহাক্লাক্লে হাঙ্গৈবগী খোঙ্জেনবু) অববোধয় (খংহল্ল) । ৭ ।।

অধরীকৃতহারম্ (লিকপু হেনবা) উদাসিতবামম্ (নিংথিজবী সুপীবু হেনবা) শ্রীজয়দেব ভণিতম্ (শ্রীজয়দেবগী রাহৈ অসিনা) হরি বিনিহিতমনসাম্ (শ্রীকৃষ্ণদা পুক্লিং হাপখ্রবসিংগী) কণ্ঠতটীম্ (খোরিদা) অবিরামম্ (অতংপা লৈতনা) আধাতিষ্ঠতু (লৈসনু) ।৮।।

নখুৎনা সখীদা পাইদুনা ফজনা চৎলো নংবু ঙাইরিবা চান্নবা হরিবু নংগী খুজিনাচিংবা অলঙ্কারগী মখোন্না নাহাক লাক্লে হাঙ্গৈবা খংহনলু । ৭ ।*

শ্রীজয়দেব কবিগী রাহৈ অসিনা খোড়ীদা সিবা লিক, অমসু পুক্লিং সুন্নৎপা মুপীমকপু হেনবা ওইনা শ্রীহরিগী ভক্তসীংগী খোড়ীদা অতৎপা লৈতনা লৈসনু । ৮ ।†

---

*—মতাং অসিদা ইবেমগী খুজিনবু সখীনা কামগী তেন ওইনা মাদুনা রতি যুদ্ধদা খুজিন্না খুৎলাই ওইগদবা ফোংদোক্ত্না ইবেমাবু রতি যুদ্ধগী খুৎসু খুৎলাই পুরবা লান চংগদোরিবা যোদ্ধা ওইনা সখীনা হাঙ্গৈ, অদুগা ইবেমানা লেংবদা বেষ অলঙ্কারসাংগী মখোনবুনা অকনবা যোদ্ধানা লানচৎপদা যন্ত্রনচিংবা পুং সেন (বাঝাই খোংদুনা য়ৈদুনা চৎপা অদু) ওইনা হাঙ্গৈবনি । ৭।।

† কবি জয়দেবনা কৃষ্ণ প্রেমগী অমিনবনা নুঙাইরদুনা মাধুর্য্যাবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সা মাং দ্রক্ষ্যতি বক্ষ্যতি স্মরকথাং প্রত্যঙ্গমালিঙ্গনৈঃ,
প্রীতিং যাস্যতিরংস্যতে সখীসমাগত্যেতি সঞ্চিতয়ন্ ।
স ত্বাং পশ্যতি বেপতে পুলকয়ত্যানন্দতি স্বিদ্যতি,
প্রত্যুদ্গচ্ছতি মূর্চ্ছতি স্থিরতমঃ পুঞ্জে নিকুঞ্জে প্রিয়ঃ ।২॥

সখি (হে ইতা) স্থিরতমঃ পুঞ্জে (লেংদবা অমম্বগী মপৈনা ওইবা) নিকুঞ্জে (নিকুঞ্জদা) সঃ (অদুগুম্বা) প্রিয়ঃ (চান্নবা কৃষ্ণনা) সা (রাধিকানা) সমাগত্য (লাকতুনা) মাম্ (ঐবু) দ্রক্ষ্যতি (এংগনি) স্মরকথাম্ (কামকথাবু) বক্ষ্যতি (হাঙ্গৈগনি) প্রত্যঙ্গম (মহাক্কী হকচাং পুম্নমকপু) আলিঙ্গনৈঃ (আলিঙ্গন থিবিকনা) প্রীতিম্ (অপেনববু) যাস্যতি (ফংগনি রংস্যতে (সান্নগনি) ইতি (অসুম্না)

হে সখী অমম্বগী মপৈনা তিল্লবা নিকুঞ্জদা নংগী চান্নাথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা নংবু ঙাইহুন। খল্লি, মাতুদি ঐগী চান্নবী শ্রীরাধানা চংলক্লগা ঐবু এঙ্গনি। অদুগা কামকেলিগী রারিল্লাতাই ঙাংলগনি মতম

সন্দোক্লিবা মহাক্কী কবিতানা মহাকমকপু সুন্দ্ধৎতুনা হাঙ্গৈরি—ভাইবং-পানবা হাঙ্গৈবসি ফজবা লিকপরেং অমসুং ফজবী মুপী অনি অসিনি অদুগুম্বা কামিনী কাঞ্চন অচুমক্তদগী হরিগুণনা লেংসিনলবা কবিতা অসিনা হেন্না পান্নবগী মশক ওইরে, মরম অসিনা হরিভক্তসীংনা কামিনী কাঞ্চনবু থাদোক্তুনা কবিতা অসিবু মখোয়ড়ীদা থমদুনা জাবুতি তৌসন্নু হাঙ্গৈবা ভাবনি। লিক অমসু মুপী হাঙ্গৈবাসিবু পাম্বদি রাগিণী ওইনা মীসীংগী খোয়ড়ীদা লৈরগা ফজবনি, তৌইগুম্বসুং কামিনীনা মাগী মাগী মপুরোইবগী অমসুং কাঞ্চন্না সুন্দরী রমণীগী খোয়ড়ীদা ফজবনি অমসু যৌবনবয়সদা মাতুসু মতম পূম্নামক্তা ফজবা নত্তে কহি জয়দেবগী কবিতাদি মতম পুম্নমক্তা মুপী, অহন খাইদনা মী খুদিংদা ফজে অদুনা কবিতানা লিক্তগী ১সুং বামাস্ত্রীদগী হেন্না ফজনা ভক্তকণ্ঠদা লৈসন্নু অসুম্না ধ্বনিনা ফোংদোকই ।৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অক্ষ্ণোর্নিক্ষিপদঞ্জনং শ্রবণয়োস্তাপিচ্ছগুচ্ছাবলীং,
মূর্দ্ধ্নি শ্যামসরোজদাম কুচয়োঃ কস্তুরিকাপত্রকম্ ।

সঞ্চিন্তয়ন্ (খন্দুনা) ত্বাম (নংবু পশ্যতি (এঙি) বেপতে (নিকই) পুলকয়তি (তুচুংই) আনন্দতি (নুঙাই) স্বিদ্যতি (হুমাং শোই) প্রত্যুদ্গচ্ছতি (হৌগৎতুনা লেপই) মূর্চ্ছতি (ব্লানথৈ) । ২ ।।

সখি (হে ইন্তা) নীলনিচোলচারু (অসংবা ফীগুম ফজবা) ধ্বান্তম (অমম্বনা) অক্ষ্ণোঃ (মী অনিগী) অঞ্জনম্ (কাজলবু) শ্রবণয়োঃ (নাকোং অনিগী) তাপিচ্ছগুচ্ছাবলীম্, (তমালমনা অনৌবগী নাচোমবু) মূর্দ্ধ্নি (কোক্তা) শ্যামসরোজদাম (থরো অসংবগী পরেংবু) কুচয়োঃ (বক্ষ অনিদা) কস্তুরিকাপত্রকম্ (কস্তুরা চদন্না একপা উনা মানবা চন্দনবু) নিক্ষিপদ (পিদুনা) ধূর্ত্তানাম্ (অতোপ্প মীবু নমহৎপী) অভিসারসংভ্রমজুষাম্ (অভিসারগী দমক থৌনাফরবী

অদুদা ঐনা মহাক্কী হকচাং পুম্নমক্পু আলিঙ্গন তৌবগা রাধানা পেনগনি অদুগা সান্নগনি, অসুম্না খন্দুনা খন্দুনা ঙাইরম্বদগী থ্যা কনমন্দুনা নংবু চংলক্লে হাঈনা উই, মাদুগী মুঙাইবনা "নিকই" "তুচুভি" "হুমাং শোই" অদুগী তুংদা ধ্যান্দা উরম্বা নহাকপু উদ্র তু হৌগৎতুনা লেপই, অদুগী তুংদা ব্লানথৈ । ২ । *

হে সখী রাধে, এঙু, নিকুঞ্জদা ফী অসংবগুম ফজরবা অমম্বনা অভিসার তৌবদা, অকিবা লৈতবী মীবু নঙ্কৎতুনা চংলিবী মিৎ ফজবী মুপীসীংগী হকচাং অপুম্ববু কোল্লি মতুদি অমম্বসিনা ফজবা মুপীগী মিৎ

---

* সখীনা ইবেমবু অভিসারগী মতম অদুদা য়াম্না থুনা চৎনবা হাঈদুনা অমোক হন্না শ্রীকৃষ্ণগী উৎকণ্ঠা হাঈদুনা ইবেমবু থৌগৎলি, মাদুদি ইবেমনদি কুঞ্জগৃহদা চংলক্করিঙৈদা শ্রীকৃষ্ণনা অমম্বা মনুং অদুদা লৈদুনা ঙাইরিঙৈ অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা খল্লগা ইবেমবু ধ্যান মনুংদা উদুনা তৌরিবা মওং অদু সখীনা শ্রীরাধাদা তম্নদুনা হাঈবনি ।২।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধূর্ত্তানামভিসারসংভ্রমজুষাং বিষ্বঙ্ নিকুঞ্জে সখি,
ধ্বান্তং নীলনিচোলচারুসুদৃশাং প্রত্যঙ্গমালিঙ্গতি ।৩।।
কাশ্মীরগৌরবপুসামভিসারিকাণামাবদ্ধরেখমভিতো রুচিমঞ্জরীভিঃ।

সুদৃশাম্, (মিৎ ফজবী নুপীসাংগী) প্রত্যঙ্গম্ (হকচাং পুম্নামক্কপু) নিকুঞ্জে (নিকুঞ্জদা) ভিষভ (পুম্নামক্তা) আলিঙ্গতি (কোল্লি) ।৩।

কাশ্মীরগৌরবপুসাম্ (কুঙ্কুমগুম্না ঙৌবা হকচাং ওইবী) অভি-

অনিদা কাজল, নাকোংদা তমাল মনা অনৌবগী নাচোম, কোকতা থরো অসংবগী পরেং শিরি । ৩ । *

তমাল কৌবা উগী মতোল অনৌবাগুম মুবা অমম্বা অসিনা অভি-

---

* মতম অসিদা ইবেমনা অভিসার তৌগদবা অসি অহিং অমম্বগী কৃষ্ণাভিসারনি অদুনা অমম্বদা অমুবা ফীনাচিংবা থোল্লি, মাদুগী মতিক্কচাবা লৈতেংসীংবু অমম্বদা থোন্দুনা হাঙ্গৈবনি । শ্লোক অসিদা "নিক্ষিপদ্" হাঙ্গৈবা অসিগী অর্থদি "পী" অর্থ অমনা "মাংহনলি" অয়্যা অনি থোকই । পুজরীগোস্বামী অমসুং রসিকপ্রিয়া টীকাকারনা অর্থ অনিমক পামই । রসমঞ্জরী টীকানা "পী" হাঙ্গৈবসি পামই । থাঙ্গৈশেংবদি কবিগী ভাবতা অভিপ্রায়দা অর্থ অনিমক হাঙ্গৈবা পামই। মরমদি তপথনা এংলগা থংবা ঙমই, অহিং অমম্বগী মচুগা মান্নবনা অভিসার তৌরিবী নায়িকাগী মিংকী কাজল, নাগী তমাল মনাগী নাচোম, কোক্তা থরো অসংবা পরেং, থাবাক্তা কস্তূরীগী চন্দন অদু ওইনা লৈতেংদবসু অমম্বনা মফম মফম অদুদা ওইরে হাঙ্গৈবগী ভাবতা অদু অদুগুম্বা লৈতেং অদু অমম্বনা পী অমসু অদু অদুগুম্বা লৈতেং অদু অমম্বগা মচু মান্নখিবনা উহনদে, মাংহনঙ্গে হাঙ্গৈবা অর্থ অনিমক কবিগী অভিপ্রায় লৈ অসুম্না থংনগনি । অদুনা কবিনা অমম্বনা অভিসারিকা নায়িকাগী অনুকুল কম্ম' তৌরে অদুনা কুঞ্জদা কৃষ্ণগী নাক্তা চৎলে৷ হাঙ্গৈবনা ধ্বনিনি ।৩।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

এতত্তমালদলনীলতমং তমিস্রং,
তৎপ্রেমহেমনিকষোপলতাং তনোতি ।৪।।

সারিকাণাম্ (অভিসার তৌরিবী নুপীসীংগী) অভিতঃ (মাইকৈ অকোইবদা) রুচিমঞ্জরীভিঃ (হকচাংগী মঙাল নিংথিজবনঃ) আবদ্ধ-রেখম্ (লয়িগুম্না লৈরব') তমালদলনীলতমম্ (তমাল ময়োন অনৌবা গুন্না মুবা) এতৎ (অসিগুম্বা) তমিস্রম্ (অমম্বনা) তৎ প্রেমহেম নিকষোপলতাং (নায়িকাসীং অতুগী প্রেমগী মশক ওইবা সনাগী নিকষ পাষাণগী মতৌবু) তনোতি (সন্দোকই) ।৪।

সার তৌতুনা চংলিবী নুপীসীংগী কুঞ্জ মগুন্না ভোরবা মাখোইগী হকচাংগী অঙৌবা কুচুনা মরক মরক্তা থোরকপতু নিকষ পাষাণ কৌবা নুংদা সনাচি লগা লৈবা ময়িগুমই, মাতুদি অভিসার তৌরিবী নুপীসীংগী প্রেমগী মশক ওইবা সনাগী অফ ফত্ত এংবগুমই । ৪ । *

---

* শ্লোক অসিদা অমম্বা অহিংবু নিকষপাষান (সনা চিংতুনা অফ ফত্তা এংনবা নুং) ওইনা হাঙ্গিরে, অতুগা নুপীসীংগী চান্নবা উনগে হাঙ্গিতুনা অহিং অমম্বদা থোকপদা মীনা উথিনি হাঙ্গিতুনা মশা অপুম্বা অমুবা ফীনা কুপশিন্দুনা কুঞ্জ মগুন্না ভোবা মখোইগী হকচাংগী অঙৌবা মরক ২তা অমম্বা অহিংদা হাঙ্গিফেৎ ২ উববুনা নিকষপাষাণদা সনাচিংলগা সনাগী ময়ি লৈবা অতু ওইনা কবিনা কল্পনা তৌই। অতুনা নুপীসীং অতুগী প্রেমবুনা সনা ওইনা হাঙ্গি, মরমদি ফত্তবা সনাদি নুংদা ময়ি লৈত্তে, ফরবত্তদা সনা ময়িতু নাপু ওইনা চুই, মাতুগুম্না নুপীসিং অতুনা মাখোইগী চান্নবদা অচেৎপা প্রেম লৈতনদি অমম্বা অহিং অতুদা অকি অথং লুঞ্জেক্তুনা থোক্লোইদবনি অতুনা মখোইগী অমম্বদা চৎপদা উরিবা কুচুবু সনাগী মরি ওইনা হাঙ্গি-বনি ।৪।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হারাবলীতরলকাঞ্চন কাঞ্চিদাম, মঞ্জীরকঙ্কনমণিদ্যুতিদীপিতস্য ।
দ্বারে নিকুঞ্জনিলয়স্য হরিং বিলোক্য,
ব্রীড়াবতীমথ সখীমিয়মিত্যুবাচ ।৫।।

দেশবরাড়ী রাগ রূপক তালাভ্যাং গীয়তে ।

মঞ্জুতর কুঞ্জতলকেলি সদনে, বিলস রতিরভসহসিত বদনে ।১।।

ইয়ম্ (অসিগুম্বী দূতীনা) অথ (অদুগী তুংদা) হারাবলী, তরলকাঞ্চনকাঞ্চিদাম, মঞ্জীর, কঙ্কন, মণিদ্যুতিদীপিতস্য (লিককী পরেং তথক ২ লবা সনা থাম্বা খ্বাঙ্গোই মরি, ন পুরনে, খুজিনে অনিদা থাম- লিবা মণি প্ন্নমক্কী মডান্না ঙানহল্লবা) নিকুঞ্জনিলয়স্য (নিকুঞ্জদা লৈবা অথুপ্পা হ্নমগী) দ্বারে (থোংজিন্দা) হরিম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) বিলোক্য (উরগা) ব্রীড়াবতীম্ (ঐনা অথিবা রাহৈনা ঙাংখরে হাঙ্গৈবগী শ্রীকৃষ্ণগী নাকতা চংগদবদা ইকাইরবী) সখীম্ (শ্রীরাধাদা) ইতি (মখাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা অসিবু) উবাচ (হাঙ্খি) ।৫।

রাধে (হে রাধে !) রতিরভস হসিতবদনে (হে রতিলীলাগী

শ্রীমতী রাধানা লেংসিল্লকপদা নিকুঞ্জ গৃহগী থোঙ য়োরে, ইরেমগী থোল্লিব লিক, তথক ২ লবা সনানা থাম্বা খরাংগোই, নূপুর অমস্তং খুজি পুন্নমক অসিদা থাম্লিবা মণিসৌংগী মঙান্না অমস্বা কুঞ্জগৃহত ইঙান ঙানখরে, অঙানবা অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা কুঞ্জগৃহ মনুংদা লৈবদু উরগা ইবেমনা ইকাই- তুনা মাই লুকথদুনা লৈথি, মাদু উরগা দূতীনা মখাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা বা অসি শ্রীমতীদা হাঙ্গৈ । ৫ । *

হে রাধে ! রতিলীলাগী অয়িনবনা মোমোন নোক্লিবী ! মাধবকী

---

* ইকাইবা হাঙ্গৈবদি কুঞ্জগৃহদা শ্রীকৃষ্ণতা লৈবদু উরগা খণ্ডিতাগী মতমদা ইবেমনা ঙাংথিবা অয়াকপা অদু নিংশিংলগা ইকাইনা লৈথি হাঙ্গৈবনি । ৫।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রবিশ রাধে মাধবসমিপমিহ। ধ্রুবম্।
নবভবদশোকদলশয়ন সারে,
বিলস কুচকলসতরলহারে। প্রবিশ০ ।২॥
কুসুমচয়রচিতশুচিবাসগেহে।
বিলস কুসুমসুকুমারদেহে। প্রবিশ০ ।৩॥

অয়িনবনা নোকলিবী) মাধব সমীপম্ (শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্তা) প্রবিশ (চংউ) ইহ (মাসিদা) মঞ্জুতর, কুঞ্জতল, কেলিদসনে (নিংথিজরবা কুঞ্জ মনুংদা লৈবা কেলিগৃহদা) বিলস (সান্নৌ) ।১।

কুচকলসতরলহারে (বক্ষগী মশক ওইবা চফু অনিগী মথক্তা লিকপরেংনা নিংথিজরবী হে রাধে !) নবভবদশোকদল শয়নসারে (অনৌবা নিংথিজবা অশোক লতাগী মনানা সেম্বা নিংথিজবা শয্যাদ) বিলস (সান্নৌ) ।২।

কুসুম সুকুমারদেহে (হে লৈদগী হেন্না নৌবী হকচাং ওইবী হে

নাক্তা চংলো, নিংথিজরবা কুঞ্জ মনুংগী সান্নবা য়ুমদা সান্নরো ! । ১ ।

হে রাধে ! নহাক্কী বক্ষগী মশক ওইবা পূর্ণকুম্ভগী মথক্তা লিকপরেংনা লৈতেংলিবী হে সখী ! অশোক কৌবা লতাগী অনৌবা নিংথিজবা মনানা শেমবা শয্যাদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনাডুনা সান্নৌ । ২ । *

লৈদগী হেন্না নৌবা হকচাং ওইবী হে রাধে ! লৈময়াম্না শেম্বা

---

* সখীগী রাহু তারগা ইবেমনা হাঙ্গৈগদৌরি, হে ইতা ঐগী পুক্নিংনা লাংবা নস্তে, নংগী নাগর হরিগী অন্নাবা উত্নুনা ঐনা নোকপনি অসুম হাঙ্গৈরবদা সখীনা "কুচকলশ তরলহারে" হাঙ্গৈনা কৌরি, মাহুদি নংগী থবাক্তা শিরিবা লিকনা তনিক তনিকলিবা অহুনা নংগী পুক্নিংদা শ্রীকৃষ্ণগা সান্ননিংবহু থবাকনা ফোংদোকলে হাঙ্গৈবা ভাবনি ।২।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চল মলয়বনপবনসুরভিশীতে
বিলস রতিবলিতললিতগীতে। প্রবিশ০ ।৪॥
বিততবহুবল্লিনবপল্লবঘনে।
বিলস চিরমলস পীনজঘনে। প্রবিশ০ ।৫॥

রাধে!) কুসুমচয় রচিত শুচি বাসগেহে (লৈ ময়াম্না সেম্বা অশেংবা সাম্নবা য়ুমদা) বিলস (সান্নো) ।৩।

চল মলয়বনপবনসুরগীতে (শিংলিবা মলয়বনগী চন্দনগী নুংসিৎনা মনম নুংসিরবা অমসু ঈংলবা মতম অসিদা) রতিবলিত ললিতগীতে (রতিকেলিদা মতিক ওকপা নিংথিজবা ঈশৈ ছকলিবী হে রাধে!) বিলস (সান্নো) ।৪।

অলস পীনজঘনে (তপথরবা অমসু নোইরবা খুরাংগী মথানা ওইবী হে রাধে!) বিতত বহুবল্লি নবপল্লবঘনে (সাংদোক্লবা অনৌবা

অশেংবা শাম্নবা য়ুমদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনন সান্নো। ৩। *

রতিলীলাদা শক্কদবদা মতিক ওকপা ঈশৈ শক্লিবী হে রাধে! মলয়-চাওগী চন্দনগী বন্দা সিংপা নুংসিংনা সিত্তুনা মনম নুংশিরবা অমসুং ঈংলবা মফম অসিদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনজুনা সান্নো। ৪। †

তপথরবা অমসু নোইরবা খরাংগী মথানা ওইবী হে রাধে শাংনা

---

* সখীনা হাঙ্গৈরি ঐনা অসুপ য়াম্না হাঙ্গৈরিবসি, নংগী হকচাংগী মওং অসি উত্নুনা হাঙ্গৈবনি অসুম্বা ভাব অসি ভৌত্নুনা "কুসুম সুকুমারদেহে" অসুম্না ইবেমবু কৌরি, মাতুদি নংগী হকচাংদি লৈদগী হেম্না নৌবনি, নংগী চান্নবনা নিকুঞ্জদ্বারদা ভাইরবদা নহাক্না ওইনা তাম্নতুনা লৈবা চুমদে হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৩।

† হন্দক্কী পদ অসিদি মতম অতুদা ওইরিবা উদ্দীপনগী ইখুৱাই-দগী থোইদোকপা উত্নুনা সখানা সানফমবু থাত্নুনা ইবেমদা হাঙ্গৈবনি ।৪।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মধুমুদিতমধুপকুলকলিতরাবে।
বিলস মদনরসসরসভাবে। প্রবিশ০ ।৬॥
মধুরতরপিকনিকরনিনদমুখরে,
বিলস দশনরুচিরুচিরশিখরে। প্রবিশ০ ।৭॥
বিহিতপদ্মাবতীসুখসমাসে,

উরি ময়ামগী মনা পুন্নমকনা ফুইনা কুংনা লৈরবা নিকুঞ্জদা) চিরম্ (কুইনা) বিলস (সান্নৌ) ।৫।

মদনরস সরসভাবে (শৃঙ্গাররসগী নিংথিজবা ভাব পুন্নমকনা ওইবা হে রাধে !) মধুমুদিত মধুপকুল কলিতরাবে (লৈহী থকতুনা ময়াই কারবা খোইমুসাংগী খোঞ্জেল্না ভংলবা নিকুঞ্জদা) বিলস (সান্নৌ) ।৬।

দশনরুচি রুচিরশিখরে (য়াগী মঙান্না নিংথিজবা শিখর মণিগুম্বী হে রাধে !) মধুরতর পিকনিকর নিনদমুখরে (নিংথিজরবা কোকিলগী মপেগী খোঞ্জেলনা নিল্লবা নিকুঞ্জদা) বিলস (সান্নৌ) ।৭।

মুরারে (হে কৃষ্ণ !) বিহিতপদ্মাবতীসুখসমাজে (শ্রীলক্ষ্মা— শ্রীরাধিকাগীনুঙাইবা ময়াম্বু তৌরিবা) কবিরাজরাজে (কবিসীংগী

চৎথোক্লবা উরি ময়ামগী মনানা কুংনা লৈরবা নিকুঞ্জদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনদুনা কুইনা সান্নৌ । ৫ ।

শৃঙ্গার রসগী নিংথিবা ভাবনা তিল্লবী হে রাধে। লৈগী লৈহি থকপদগী ময়াই কারবা খোইমুনা ভংবনা নিনখোংলবা নিকুঞ্জদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা সান্নৌ । ৬ ।

য়াগী মঙান্না ফজরবা শিখরমণি মানবী হে রাধে ! নিংথিজরবা কোকিলসীংগী খোঞ্জেননা নিনখোংলবা নিকুঞ্জদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা সান্নৌ । ৭ ।

পদ্মাবতী শ্রীরাধাগী নুঙাইবা খিবিকপ্ তৌরিবা সেবা তোজরিবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কুরু মুরারে মঙ্গলশতানি।
ভণতি জয়দেব কবিরাজরাজে। প্রবিশ° ।৮।।

অথোইবা সার্ব্বভৌম নিংথৌ ওইবা) জয়দেব (জয়দেবনা) ভণতি সতি (হাঙ্গৈরবদা) মঙ্গল শতানি (মঙ্গল চামা চামাবু) কুরু (তৌ) ।৮।

কবিসীংগী অথোইবা সর্ব্বভৌম ওইবা জয়দেবনা অসিগুম্বা নংগীদমক্তা সখীনা শ্রীমতীদা হাঙ্গৈবা অসিবু হাঙ্গৈরবদা মঙ্গল চামা চামাবু হে কৃষ্ণ ইবুঙো নংনা তৌবিয়ু ! ৮ । *

---

* পদ অসিদা য়াউরিবা "পদ্মাবতী" হাঙ্গৈবসি জয়দেবনা লিখ্খৎপা শ্রীলক্ষ্মীদেবীগী মন্দির লৈ মাতুদা লৈবা লক্ষ্মীদেবী পদ্মাবতী অসুম্না কেন্দুবিল্বগ্রামদা ফাউরি। পদ্মাবতী হাঙ্গৈবা অসিনা লক্ষ্মীগী নাম ওইবনা লক্ষ্মী পুন্নামক্কী মশক ওইবী শ্রীমতী রাধাবু খংনগনি, শ্রীরাধাগী নুভাইনবা তৌবা হাঙ্গৈবনবু জয়দেবকৌবা মহাক্কী নুমিৎচুপ্পা সেবা তৌবা নিত্যসেবা অহুবু নিংশংহুনা হাঙ্গৈবনি। শ্লেষনা 'পদ্মাবতী' হাঙ্গৈবসিনা কবিগী নিজপত্নীবুসু ফোংদোকই, মাতুনা পতী পত্নী অনিগী দাম্পত্যপ্রেম অতুনা পরস্ত্রীদা কবিগী পুক্নিং লৈভবা অমসুং শ্রীরাধা কৃষ্ণগী নিত্যসেবাদা পুক্নিং চংবা অতুবুসু ফোংদোকই। কাব্যদা নিজপত্নীগী নাম পননা সনাজনা দোষগুন্না উবগী দোষ লৈতবা মরমদি প্রথমসর্গদা ঐথোইনা ব্যাখ্যা তৌখরে। কবিনা মতাং অসিদা মহাকপু "কবি রাজ রাজ" হাঙ্গৈরুবগী মরমদি "নিজেষ্টদেবোপাসনায়া নিত্যত্বসর্ব্বোত্তমত্ব নিশ্চয়বেশেনাত্মানং বহুমন্যমানস্য "কবি রাজ রাজ" ইতিপ্রৌঢ়োক্তিরিয়ম্,— কবিমহাক্কী ইষ্টদেব শ্রীরাধাকৃষ্ণবু উপাসনা তৌবগী অরেপ্পা মাংদবা অহোংবা লৈতবা অমসু পুন্নমক্তগী হেনবগী মতৌদা পুক্নিং চংখিবনা মথন্তবু য়ামগ্রবা ওইনা নিংলুহুনা, "কবিরাজ রাজ" অসুম্না চাওনা হাঙ্গৈ- রুবনি নাপন তৌবা নত্তে ।৮।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ত্বাং চিত্তেন চিরং বহন্নয়মতিশ্রান্তো ভৃশন্তাপিতঃ,
কন্দর্পেণ চ পাতুমিচ্ছতিসুধাসম্বাধবিম্বাধরম্ ।
অস্যাঙ্কং তদলংকুরু ক্ষণমিহ ভ্রূক্ষেপলক্ষ্মীলব,
ক্রীতে দাস ইবোপসেবিতপদাম্ভোজে কুতঃ সম্ভ্রমঃ ।১।।

চিত্তেন (পুক্নিংনা) ত্বাম্ (নংবু) চিরম্ (কুইনা) বহম্ (পুতুনা) অয়ম্ (শ্রীকৃষ্ণ অসি) অতিশ্রান্তঃ (য়াম্না রারে) কন্দর্পেণ চ (কামদেবনাসু) ভৃশম্ (থোইদোকনা) তাপিতঃ (চাকহল্লে) সুধাসম্বাধবিম্বাধরম্ (অমৃতনা থল্লবা নংগী অধরবু) পাতুম্ ইচ্ছতি (থক্কদবগী দমক নিংলি) তৎ (মরম অতুদগী) অস্য (কৃষ্ণ অসিগী) অঙ্কে (তম্পাক্তা) ক্ষণম্ (ভাহাক্তং) অলম্ কুরু (লৈতেংউ) ইহ (মাসিদা) ভ্রূক্ষেপ লক্ষ্মালব ক্রীতে (পিশুম থেকপগী নিংথিজবা মচেৎ অমনা লৈরবা) দাসে ইব (ননাই গুমলবা) উপসেবিত পদাম্ভোজে (নখোং সেবা তৌরবা কৃষ্ণদা) কুতঃ (করিদগী) সম্ভ্রমঃ (কিবগে) ।১।

হে সখা রাধে ! শ্রীকৃষ্ণ অসে পুক্নিংদা নংতবু হাপ্তুনা পুবামক্তনা নংগী চাউরবা নোইরবা থবাক অমসু খব্রাংগী মথাগী অরুম্বনা রারে, অমসু কামনা থমোইদা চাকপনগা নংগী অমৃতনা থল্লবা অধরবু থকনিংবনা খোরাংলে অতুনা মহাক্কী মতম্পাক্তা ভহাক্তং লৈতঙু, শ্রীকৃষ্ণবু করিগীনো নংনা চংগদবদা হঙ্গোইতুনা কিরিবদি করিগীনো ? নহাক্কী পীশুম অমুক্তং থেকপগী ফজবগী মচেৎ অমনা লৈরবা মীনাইগুম্না নহাক্কী নখোঙদা সেবা তৌজরবনি । ১ । *

---

* হন্দক্কী ব্রাহৈ অসিদি ইবেমগী অপেনবা মতো উরবদা নর্ম্ম পরিহাস তৌতুনা হাঙ্গৈবনি রূপক উৎপ্রেক্ষা অলঙ্কারনি ।১।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সা সসাধ্বসসানন্দং গোবিন্দে লোললোচনা,
শিঞ্জানমঞ্জুমঞ্জীরং প্রবিবেশ নিবেশনং ।২॥

বরাড়ীরাগ রূপকতালাভ্যাং গীয়তে।

রাধাবদনবিলোকনবিকসিতবিবিধবিকারবিভঙ্গম্,
জলনিধিমিব বিধুমণ্ডলদর্শনতরলিততুঙ্গতরঙ্গম্ ।১॥

গোবিন্দে (শ্রীকৃষ্ণদা) লোললোচনা (তথক তথকপা মিৎএংনা ওইবী) সা (শ্রীরাধানা) অভিবেশনম্ (রতি লালাগী দমক্ক সেমলবা গৃহদা) সসাধ্বস সানন্দম্ (ভকুপ-তরাংনা নুঙাইনা) সিঞ্জান মঞ্জু মঞ্জীরম্ (ফজরবা নূপুরগী খোঞ্জেন থোকনা) প্রবিবেশ (চংখি) ।২।

· সা (শ্রীমতী রাধানা) বিধুমণ্ডল দর্শন তরলিত তুঙ্গ তরঙ্গম্ (থাগী মকোই উরগা তনিক তনিকনা রাংলবা ইথক হৌরবা) জলনিধিম্ ইব (সমুদ্রগুমনা) রাধ:বদন বিলোকন বিকসিত বিবিধ বিকার বিভঙ্গম্ (শ্রীরাধাগী মাইথোং উবদগী ফোংদোক্লক্লবা মথন মথা অয়াম্বা স্তম্ভ, স্বেদ, হর্ষনাচিংবা বিকারনা তিল্লবা) একরসম্ (শ্রীমতী রাধিকাগী মশক ওইবা আলম্বন অমত্তদা লৈবা রসনা ওইবা) চিরম্ অভিলষিত বিলাসম্ (কুইনা ইবেমা মহাকভগা সান্নগে হাঙৗনা পামলক্লবা) গুরুহর্ষ বশংবদ বদনম্ (য়ামনা হরাওবনা ভমলবা মাইথোংনা ওইবা) অনঙ্গ-বিকাশম্ (কামনা ফাউদোক্লক্লবা হরিম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) দদর্শ (উখি) ।১।

শ্রীমতী রাধানা শ্রীকৃষ্ণবু তথক তথকপা মিৎয়েংনা এংলহুনা লীলাগৃহদা তকুপ তরাংনা নুঙাইনা নূপুরগী খোঞ্জেনগা লোইননা চৎখ্রে। ২।

·ইবেমনা লেংশিল্লকপা উবদা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীঅঙ্গগী অস্থম্বা প্রেমগী স্তম্ভ স্বেদনাচিংবা বিকার পুন্নামক্ক ওই, মহৃদি,—থা মকোই উরগা সমুদ্রনা চাউর চাউরবা ঈথক হৌহুনা মশা অপুম্বা ইরাং লাংবা অহুগুমই, শ্রীমতী-রাধাদা চেৎনা আলম্বন ওইনা নিংহুনা লৈখরবা শ্রীকৃষ্ণনা অতৈ অতোপ্পা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরিমেকরসং চিরমভিলষিতবিলাসম্,
সা দদর্শগুরুহর্ষবশম্বদবদনমনঙ্গবিকাসম্। ধ্রুবম ॥
হারমমলতরতারমুরসি দধতং পরিরভ্য বিদূরম্,
স্ফুটতরফেনকদম্বকরম্বিতমিব যমুনাজলপুরম্। হরিম্°।২॥
শ্যামলমৃদুলকলেবরমণ্ডলমধিগতগৌতুরকুলম্;
নীলনলিনমিব পীতপরাগপটলভরবলয়িতমূলম্। হরিম্°।৩॥

স্ফুটতরফেনকদম্বকরম্বিতম্ (তাউখৎলবা কোঙ্গোনগী মপৈনা লৈতেংলবা) যমুনা জলমপুরম্ ইব (যমুনাগী—ঈশিংগী মপৈগুমনা) বিদূরম্ পবিরভ্য (অরাপ্পা মফমবু কোল্লহনা অর্থাৎ—চোন্না) অমল-তরতারম্ (মকত্রবা মুক্তাগী পরেংনা তিনবা) হারম্ (লিকপু উরসি (থবাক্তা) দধতম (শিব হরিবু উরে) ।২।

পীতপরাগপটলভরবলয়িতমুলম্ (নাপু মানবা লৈরিকনা কোই-শিনলবা মরুনা ওইবা) নীলনলিনম্ ইব (থম্বান অসংবগুমনা) অধিগতগৌরদুকূলম (ফীগে নাপু থোনবা) শ্যামলমৃদুলকলেবর মণ্ডলম্ (অসংবা মেংলবা হকচাংগী মওংনা ওইবা হরিবু উখি) ৩।

নুপীসাংগী সান্নরিভৈদাস্থ ইবেমা মহাক্তগা সান্নবতবু নিংগ্রবনি অতুনা ইবেমনা চংলকপা উবদা হারা উমনখিবনা থুত্মচনখিতুনা মাইথোং অপুম্বা ইঙক ঙকথরে শ্রীকৃষ্ণগী শ্রী অঙ্গ অপুম্বা কামগী বিকারনা ফাউদোক্লকবা অতুগুম্বা হরিব রাধানা উখি। ১।

ইন্দ্রমণিদগী হেন্না নিংথিবা শ্রী অঙ্গদা মুক্তা পরেংগা লোইনবা লিকপরেংনা চোন্না থোম্ব যমুনাগী অসংবা ঈশিংদা অভৌবা কোঙ্গোন তাউবাগুন্না হরিবু শ্রীরাধানা উরে। ২।

অনৌবা নোংগুন্না সংবা অমস্থ মেংলবা শ্রী অঙ্গদা ফীগেসনা থোনবা শ্রীহরিবু নাপু মানবা লৈরিক্না কোইশিল্লগা অসংবা থম্বালগী মন্থুংদা ফজবাগুন্না শ্রীরাধানা উরে। ৩।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তরলদৃগঞ্চলচলনমনোহরবদনজনিতরাগম্,
স্ফুটকমলোদরখেলিতখঞ্জনযুগমিব শরদি তড়াগম্ ।
হরিমং ।৪॥

বদনকমলপরিশীলনমিলিতমিহিরসমকুণ্ডলশোভম্,
স্মিতরুচিরুচিরসমুল্লসিতাধরপল্লবকৃতরতিলোভম্ ।
হরিমং ।৫॥

শরদি (শরৎ ঋতুদা) স্ফুটকমলোদর খেলিত খঞ্জনযুগমিব (শাৎকাইরবা থম্বাল অসংবাগী মনুংদা খাত্রাংচাক অনি চিল্লোক্লনা তাবগুন্না) তরলদৃগঞ্চল চলন মনোহরবদন জনিতরাগম্ (তথক তথকপা মিৎচিগী হাই হুম্বনা নিংথিরবা মাইথোংনা রাগবু পোকহনবা হরিবু উখি) ।৪।

বদনকমল পরিশীলনমিলিতমিহিরসমকুণ্ডলশোভম্ (মাইথোং থম্বানবু কোনগে হাঙ্গবদমক লাকপা নুমিৎ মানবা নায়িন অনিনা লৈতেংবা) স্মিতরুচিরুচিরসমুল্লসিতাধরপল্লবকৃতরতিলোভম্ (মামোন নোকপা থিংথিজরবা অমস্থ শ্রীরাধাগী অধর পান তৌনিংবনা তনিক তনিক্লবা ইবুঙো মাগী চিনবাননা শ্রীরাধাবু রতিলীলা পামহনবা হরিবু উখি) ।৫।

মাইথোংদা তথক তথক এংলিবা মিৎকী মিৎলৈনা অনুরাগ পোকহনলিবা হরিবু শরৎ ঋতুদা পুখ্রীদা শাৎকাইরবা থম্বাল অসংবগী মনুংদা খাত্রাংচাক অনি চিল্লোক্লনা তাবগুম রাধানা উরে ।৪।।

চাইরুং অনিদা য়াল্লিবা নায়িন অনিনা মাইথোংগী মশক ওইবা থম্বালবু শোকে হাঙ্গইত্নুনা লাক্লবা নুমিৎ অনিগুম নিংথিজবা অমস্থ শ্রীমতীবু উরগা ইবেমগী অধরপানবু তৌনিংত্নুনা তনিক ২ পা চিম্বান্দা মোমোন নোকপগী নিংথিজবনা মহাকপু রতিলীলা পামহল্লবা হরিবু শ্রীরাধানা উরে ৫ ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শশিকিরনোচ্ছুরিতোদরজলধরসুন্দরসকুসুমকেশম্,
তিমিরোদিতবিধুমণ্ডলনির্মলমলয়জতিলকনিবেশম্। হরিমং ।৬॥
বিপুলপুলকভরদন্তুরিনং রতিকেলিকলাভিরধীরম্,
মণিগণকিরণসমুহসমুজ্জ্বলভূষণসুভগশরীরম্। হরিমং ।৭॥
শ্রীজয়দেবভণিতবিভবদ্বিগুণীকৃতভূষণভারম্,
প্রণয়তহৃদি বিনিধায় হরিং সুচিরং সুকৃতোদয়সারম্। হরিমং ।৮॥

শশিকিরণোচ্ছুরিতোদর জলধর সুন্দর সকুসুম কেশম (থাগী মঙান্না থল্লবা অনৌবা হৌরকপা নোংঙুম্না নিংথিরবা লৈ-থেৎপা শমনা ওইবা) তিমিরোদিতবিধুমণ্ডলনির্মল মলয়জ তিলকনিবেশম্ (অমম্বগী ময়াইদা থোরকপা থা মকোইগুম্না মলয় চন্দনগী তিলক থিনবা হরিবু উথি) ৬।

বিপুলপুলভর দন্তুরিতম্ (য়ামনা হরাওরবা তু ময়ামনা থল্লবা) রতিকেলী কলাভিঃ (রতিলীলাগী কলা খিবিক্না) অধীরম্, (তপথদ্রবা) মণিগণকিরণসমুহ সমুজ্জ্বল ভূষণ সুভগশরীম্ (মনি ময়ামগী মঙান পুন্নমকনা ভান্থোকহল্লবা ভূষণনা নিংথিজরবা হকচাং ওইবা হরিবু উথি) ।৭।

শ্রীজয়দেব ভণিতবিভবদ্বিগুণীকৃতভূষণভারম্ (শ্রীজয়দেব কবিনা

অনৌবা নোংদা থাগী মঙান্না ফজবগুম অমুবা শমদা লৈথেৎপা. অমসুং লাইপক্তা থিনবা মলয়গী চন্দন্না অমম্বদা থা মকোই থোকপা মানবা হরিবু রাধানা উরে। ৬।

অয়াম্বা তুকুপকী মপৈনা লৈতেংবা; রতিকেলীগী কলাথিবিক্না তপথদ্রবা অমসু শ্রীঅঙ্গদা থোল্লিবা মণিময়ামগী মঙান পুন্নমক্না লৈতেং পুন্নামকপু ফজহনবা হরিবু শ্রীরাধানা উরে। ৭।

হে ভক্তসা! শ্রীহরিবু থমোইদা থুরুমউ। ইবুঙো মহাক্তি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অতিক্রম্যাপাঙ্গং শ্রবণপথপর্য্যন্তগমনপ্রয়াসে,
নৈবাক্ষ্ণোস্তরলতরতারং পতিতয়োঃ।

হাঙ্গৈরিবা য়াথংগী নিংথিবনা শরুক অনি চাউখৎহল্লবা ভূষণনা লৈতেংবা) স্তকৃতোদয়সারম্ (পুণ্যগী মপৈনা পোক্লকপাগী মচি ওইবা) হরিম্ (শ্রীহরিবু) হৃদি (থমোইদা) বিনিধায় (হাপতুনা) প্রণমত (নখোইনা খুরুমউ) ।৮। অপাঙ্গম্ (মিৎচিবু) অতিক্রম্য (লানথোকতুনা) শ্রবণপথপর্য্যন্ত গমনপ্রয়াসে ইব (নাকোংগী লম্বেন ফাউবা চৎকে হোৎনবগী অরাবনা তিনবাগুমনা) তরলতরতারম্ (তথক তথকলবা মিং নহানা ওইতুনা) পতিতয়োঃ (চান্নবগী মাইথোংদা তুররবা) অক্ষ্ণোঃ (শ্রীরাধাগী মিৎ অনিদা) স্বেদাম্ভঃ প্রসরঃ ইব (রাতুনা

শ্রীজয়দেব কবিনা লেংবা কবিতাগী রাহৈনা হান্না লৈতেংলিবা ভূষণ অলঙ্কার অতু শরুক অনি হেঙ্গৎনা লৈতেংলবনি, অয়াম্বা ভক্তগী পুণ্যগী মপৈনা ওইরকপা পুন্নামক্কী লেংদ্রবা মচিনী।৮। *

শ্রীকৃষ্ণবু উবা মতমদা প্রীরাধাগী মিৎ অনিনা মিৎচিগী লম্বেন লাম্থোক্তুন্য নাকোংতান্না চৎকে হোৎনবদগী ব্বারবাগুমনা মিৎ নহা

* শ্রীকৃষ্ণনা হান্নবা লৈতেংলিবা অলঙ্কার পুন্নামক অতুবু জয়দেব কবিনা উপমানাচিংবা অর্থালঙ্কারনা থাবদা হান্নদগী শরুক অনি চাউখৎলে হাঙ্গৈবদি শ্রীকৃষ্ণগী খম্বতনাবু মাস্থপ ফজৈ হাঙ্গৈবতু চাংদমনবা লৈতবা শ্রীঅঙ্গদা থোনলিবা অলঙ্কার ভূষণ পুন্নামক অতুগা লোইননা ভক্তগী থমোইদা শ্রীমূর্ত্তি অতু নিংসংবা, মাতুবু নিংসংবদা পুক্নিংনা উরিবা শ্রীঅঙ্গ অমম্ভ ভূষণসীং অতু কবিগী কবিতানা অমোক নৌহনলিবা অতু ওইনা নিংসংলবদি হান্নদগী শরুক অনি হেন্না নিংথিজৈ, মাতুবু থমোইদা হাপলগা হে ভক্তসা! নখোইনা খুরুম্মু হাঙ্গৈবা ভাবনি।৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তদানীং রাধায়াঃ প্রিয়তমসমালোকসময়ে,
পপাত স্বেদাম্ভঃ প্রসর ইব হর্ষাশ্রুনিকরঃ ।৮॥
ভজন্ত্যাস্তল্পান্তং কৃতকপটকণ্ডূতিপিহিত,
স্মিতং যাতে গেহাদ্বহিরবহিত.লীপরিজনে ।

থোরকপা হুমা গুম্না) মর্ষাশ্রুনিকরঃ (হর'উবদগী থোরকপা পিগী মপৈনা তদানীম (মতম অদুদা) প্রিয়তম সমালোক সময়ে (চান্ন-থোইবা শ্রীকৃষ্ণবু উনবা মতমদা) পপাত (তাখি) ।৮।

অবহিতালী পরিজনে (পুক্নিং তপথরবা সখীময়াম্না) গেহাৎবহিঃ (নিকুঞ্জগৃহগী মপান্দা) কৃতকপটকণ্ডূতিপিহিত স্মিতং (তাং তৌদুনা

অনিনা তথক ২ চেনলম্বদগী চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোংদা তুদুনা লেংদনা লৈখি ।　রারদুনা হুমাং শোৈবগুম্বা অদুগুম্বা মিৎ অনিদা হরাউ-বগী পিগী মপৈনা শিন্থখি ৮ ।*

ইবেমগী তুংইল্লম্বী সখীশিংনা নাকোং হাকশিন্নদুনা নাকোং হোৎ-তুনা মোমোন নোকতুনা মপান থোকখ্রবদা কামগী তেন্না চিংশিন্দুনা ফজনা শয্যা মনাক্তা চংশিল্লবা সজিমিৎ মানবী ইবেমনা

* শ্লোক অসি শিখরিণী বৃত্তনি, শ্লোক অসিদা কবিনা উৎ-প্রেক্ষাগা তিলদুনা সমাসোক্তি অলঙ্কারনি শ্রীমতীনা মতম কুইনা শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরুরগা অহানবা উনবদা ওইবা প্রেমগী ঈথকপু অথোইবা কবিতানা হাঈরি মাদুদি.—কনাগুম্বনা তথক তথক থুনা চৎলগা রাদুনা চৎপা ভমদ্রগা মাং তুংদা কনা লৈবগে হাঈনা কোয়েং এংলগা হেক তুদুনা লৈ, অদুগা রাদুনা হুমাং শোই, মাদুগুম্না ইবেমগী মিৎ আন অদুনা তথক তথক এংদুনা মিৎ নহানা মনুংদা হঙৎ-হন্দা চৎলম্বদগী শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোংবু থাদোকপা ভমদদুনা মাইথোং উরগা চপ লেপ্পা অদুগা মুংসিথোইবা উবগী মুভাইবনা সাত্বিক প্রেমনা ইবেমগী মিৎতা পীগী পরেংনা মুক্তা পরেংগুম সিন্থরি ॥ ৮ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রিয়াস্যং পশ্যন্ত্যাঃ স্মরশরসমাহুতসুভগম্,
সলজ্জা লজ্জাপি ব্যগমদিব দূরং মৃগদৃশঃ ।৯॥
[সানন্দং নন্দসুনুর্দিশতু মিতপরং সংমদং মন্দমন্দম্,
রাধামাধায় বহ্বোর্বিবরমনু দৃঢ়ং পীড়য়ন প্রীতিযোগাৎ
তুঙ্গৌ তস্যাউরোজাবতনুবরতনোর্নির্গতো মাস্ম ভূতাম্,
পৃষ্ঠং নির্ভিদ্য তস্মাদ্বহিরিতি বলিতগ্রীবমালোকয়ন্ বঃ ।১০॥

নাকোং হোৎসন্নহুনা মোমোন নোকহুনা) যাতে (চৎখ্রবদা) কল্পান্তম্ (শয্যা মনাক্তা) ভজন্ত্যাঃ (য়োরবা) স্মরশর সমাহুত সুভগম্ (কামগী ভেন্না চিংসিনবনা নিংথিজনা) প্রিয়াস্যম্ (চান্নবগী মাইথোবু) পশ্যন্ত্যাঃ (এংলিবী) সলজ্জা (ইকাইরবগুম্না) মৃগদৃশঃ (সজিগী মীৎ মানবা শ্রীরাধাগী) লজ্জা অপি (ইকাইব) দূরম্ (অরাপ্পদা) ব্যগমৎ (চৎখরে) ৯।

নন্দসুনুং (নন্দগী মচা শ্রীকৃষ্ণনা) বাহ্বে বিবরম্ (থমোইদা) রাধাম্ (শ্রীরাধাবু) মন্দমন্দঃ (তপনা তপনা) আথায় (হাপলগা) অনু (অহুগী তুংদা) প্রীতিযোগাৎ পেনবদগী) দৃঢ়ম্ (চেৎনা) পীড়য়ন্ (কোন্দূনা) অতনুবরতনোঃ (কামগী অথোইবা হকচাংগুম্বী) তস্যাঃ (শ্রীরাধাগী) তুঙ্গৌ (রাংলবা) উরোজৌ (বক্ষ অনিনা) পৃষ্ঠম্ (শ্রীরাধাগী নঙ্গনবু) নির্ভিদ্য (থিঙ্গাইহুনা) তস্মাৎ (মাহূগী) বহিঃ (মপান্দা) নির্গতৌ মাস্মভূতাম্ (থোক্লক্কসনু) ইতি (অসুম্না) বলিত গ্রীবম্ (ণক চেপথহুনা) আলোকয়ন্ (এংহুনা) বঃ (নখোইগী দমক) মিতপরম্ (চাংদমনবা লৈতবা) সংমদম্ (নুঙাইবাবু) সানন্দম্ (নুঙাইনা) দিশতু (পিসনু) । ১০।

চান্নবা শ্রীকৃষ্ণগী মাইথোবু এংলগা ইবেমগী ইকাইবা কৌবা অহুনা মথন্তা ইকাইজহুনা লাপনা চৎখরে । ৯

শ্রীকৃষ্ণনা থমোইদা পৈবু হেন্না নৌবী রাধাবু নাথিনি হায়হুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জয়শ্রীবিন্যস্তৈর্মহিতইব মন্দারকুসুমৈঃ,
স্বয়ং সিন্দূরেণ দ্বিপরণমুদ্রা মুদ্রিত ইব।
ভুজাপীড়ক্রীড়াহতকুবলয়াপীড়করিণঃ,
প্রকীর্ণাসৃগ্‌বিন্দুর্জয়তি ভুজদণ্ডোমুরজিতঃ ।১১॥

মুরজিতঃ (শ্রীকৃষ্ণগী জয়শ্রীবিন্যস্তৈঃ (জয় ওইবগী হুন্থরক্লবা) মন্দারকুসুমৈঃ (পারিজাত লৈ থিবিকনা) মহিতঃ ইব (পূজা তৌবা-গুম্না) দ্বিপরণমুদ্রা (সাসুগী লানগী ময়াই কাবনা) স্বযম্ (মহাক্না) সিন্দুরেন (সিন্দুরনা) মুদ্রিতঃ ইব (এক্ষ খোৎপাগুম্না) ভুজা-

---

তপ্না ২ হাপলগা নুঃশিবনা পেনবনা চেৎনা কোল্ল, ইবেমগী ব্লাংলবা থবাক অনিবু শোকউবদা মতোনভুস্না কল্লবা অতুদা শ্রীকৃষ্ণনা নিংই অস্তুপ নৌথ্রবা রাধাগী হক্চাং অসিদা অস্থুপ কনখ্রবা থবাক মতুম অনি লৈবসিনি রাধাগী নঙ্গল্লোমদতুম ফাউদোক্নুনা লৈরম্লগনি অস্থুম্না নিংতুনা ওক লূকথনা রাধাগী তুংলোমদা এংবা শ্রীকৃষ্ণনা নখোইগীদমক চাংদমনবা লৈতবা নুঙাইববু পীনবিসম্নু। ১০ *

মুরারী শ্রীকৃষ্ণগী পাম্বোম্না পুন্নমক্তগী থোইদোক্ হেন্দোক্না লৈ-পাম্বোম অতুমক্তি ইবুঙো মানা জয় ওইবদক লাইশিংনা স্বর্গদগী

---

* শ্লোক অসি আদর্শ ওইবাসীংদা খক য়াউদে, সুপনগী বঙ্গেগী সংস্করণদা উই, টীকাকার অতৈনসু ব্যাখ্যা তৌদে সুপনগী রসিকপ্রিয়াদনদি ব্যাখ্যা তৌই, অতুগা শ্লোক অসিগী শব্দ দোষ অমসু অর্থগী দোষ লৈবা মরৈগনা মহাকবি জয়দেবগুম্বা কবি অগোই-বনা লেংবসু মানদে মরম অসিনা মাসি কনা কনাগুম্বসীংনা হাপচিনবা প্রক্ষিপ্ত ওইগনি অস্তুম্না নিংই, অতুমকপু প্রক্ষিপ্ত ওইরবসু কুম্ভকর্ণগুম্বা প্রাচীনসীংনা লৌরম্লবনিনা ফনা কুইনা দক্ষিণ ভারততা চৎনরবনি হাঙৈতুনা মুলদদি হাপলগা খংননবা বন্ধনী পীরি। ১০ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

(সৌন্দর্যৈকনিধেরনঙ্গললনালাবণ্যলীলাপুষো,
রাধায়া হৃদি পল্লবে মনসিজক্রীড়ৈকরঙ্গস্থলে।
রম্যোরজসরোজখেলনরসিত্বাদাত্মনঃ খ্যাপয়ন্।

পীড়ক্রীড়াহতকুবলয়াপীড় করিণঃ (পাম্বোমনা ইরাই লাইনা হাৎলবা কুবলয়াপীড় সামুগী) প্রকীর্ণাসৃগ বিন্দুঃ (চাইথোক্লবা ঈগী মরিকনা তিল্লবা) ভুজদণ্ডঃ (পাম্বোমনা) জয়তি (জয় ওই)। ১১ ॥

সৌন্দর্য্যৈকনিধেঃ (নিংথিবা ফজবগী অরোইবা লনগৈ ওইবী) অনঙ্গ ললনা লাবণ্যলীলাপুষঃ (কামগী ভার্য্যারতিদেবীগী ফজববু ইরাই লাইনা পুবী) রাধায়াঃ (শ্রীরাধাগী) মনসিজক্রীড়ৈকরঙ্গস্থলে (কামদেবগী সান্নফম অথোইবা রঙ্গমঞ্চগুম্বা হৃদি পল্লবে (থমোইগী মশক ওইবা পুখ্রীদা) রাম্যোরোজসরোজ খেলনরসিত্বাৎ (নিংখিজরবা থবাক্কী মশক ওইবা থম্বান অনিবু সান্নবদা পুকনিং চংবদগী) আত্মনঃ (ইবুঙো মহাককা) ধ্যাতুর্মানসরাজহংসনিভতাং (ধ্যান তৌবা ভক্তসিংগী পুক্লিংগী মশক ওইবা মানস সরোবরদা তাবা কাউংগা মান্নবাবু) খ্যাপয়ন (ফাউদোকহন্দুনা) মুকুন্দঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) মুদম্ (হরাওববু) দেয়াৎ (পীসনু)! ১২।

পারিজাত কৌবা লৈ চাইথরক্তুনা পৃজা তৌবা, কুবলয়াপীড়গা লান শোক্লবগী ময়াইকাবনা ইবুঙো মহাক্না সিন্দুরনা একখোক্তুনা লৈতেংলবা, অমসু পাম্বোম্না ইরাই লাঈনা হাত্তোক্লবা কুবলয়পীড় কৌবা সামুগী ঈনা মতুম মতুম ওইনা লৈতেংখিবনি।১১।।

তাইবংপানবগী ফজবা পুন্নমক্কী তুংনফম অথোইবা ওইবী কামদেবগী ভার্য্যা রতিকৌবা দেবীগী নিংথিজবা ফজবা লাবন্যবু ইরাইলাঈনা পুবী শ্রীরাধাগী কামদেবগী সান্নফম ওইবা থমোইগী মশকওইবা পুখ্রীদা লৈবা থম্বাল শাৎপগুম্বা থবাক অনিবু শান্নগদবদা শ্রীকৃষ্ণনা পুক্লিং অনি লোংদনা খনবনা ইবুংঙো মহাকপু ভক্তসিংনা ধ্যান তৌবদা পুক্লিংগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধ্যাতুর্গানসরাজহংসনিভতাং দেয়ান্ মুকুন্দোমুদম্ ।১২॥

শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যে রাধিকামিলনে সানন্দ দামোদর নামৈকাদশ সর্গঃ ।

শ্রীগীতগোবিন্দম্ ।

দ্বাদশঃ সর্গঃ ।

—ঃ—

(সুপীতপীতাম্বর)

গতবতি সখীবৃন্দেহমন্দত্রপাভরনির্ভর,
স্মরপরবশাকূতস্ফীতস্মিতস্নপিতাধরাম্ ।

মতাং অসিদা গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা রাধিকামিলন
কৌবা তরামাথোইসুবা সর্গ লোইরে ।

হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) সখীবৃন্দে (সখীসীংনা) গতবতি (মপান চৎথ্রবদা) অমন্দত্রপাভর নির্ভর স্মরপরবশাকূতস্ফাত স্মিতস্নপিতাধরাম্

মশক ওইবা মানসসরোবরদা সানবা কাওওগুমই অসুম্না ফাউদোকহন-খরবনি অহুগুপঃ মুকুন্দ — কৃষ্ণনা নুঙাইবা পীনবিসনু । ১২*

মতাং অসিদা গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা রাধিকামিলন
কৌবা তরামাথোইশুবা সর্গ লোইরে ।

সখীসীংনা মপান্দা থোকখরে, পুক্রিংগী অপাম্বা ফোংদোকপা

---

* শ্লোক অসিসু ১০ সুবা শ্লোককুম্বনা প্রক্ষিপ্তনি অহুনা বন্ধনীগী মনুংদা হাপাঙ্গ । ১২ ॥

মতাং অসিদা রাধিকামিলন কৌবা তরামাথোইসুবা
সর্গ লোইরে ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সরসমনসং দৃষ্ট্বা রাধাং মুহুর্নবপল্লব,
প্রসবশয়নে নিক্ষিপ্তাক্ষীমুবাচ হরিঃ প্রিয়াম্ ।।১।।
বিভাসরাগৈকতালী তালাভ্যাং গীয়তে।
কিশলয শয়নতলে কুরু কামিনি চরণনলিনবেশম্,

(অকনবা ইকাইবা থিবকনা থোইদোল্লবা কামগী থুতম চনখিবনা পুক্লিংগী অনিংবা ফোংদোকপনা চাউখৎলবা মোমোন নোকপনা ঈরুজরবা চিনবান মথক মথা ওইবী) সরস মনসম্ (রসগা লোইনরবা পুক্লিং ওইবী) নবপল্লব প্রসবশয়নে (অনৌবা উনা, লৈনা সেম্বা শয্যাদা) মুহুঃ (হন্না হন্না) নিক্ষীপ্তাক্ষীম্ (মিৎনা এংলিবী) প্রিয়াম্ (চান্নবী) রাধাম্ (শ্রীরাধাদা) উবাচ (হাঙ্গীখ) ।১।

রাধিকে (হে রাধে !) অধুনা (হুজিক অসিদা) নারায়ণম (নারায়ণবু) অনুগতম্ (নংতদা পুক্নিং হাপপা) মাম্ (ঐবু)

ইকাইহুনাস্থু কামদেবগী থুতুম চনখিবনা মোমোন নোকপনা চিনবান মথক মথা খজিক্তুং কাংখৎলবা পুক্রংদা রসনা তিল্লবী, অনৌবা উনা অমস্থু লৈনা শেম্বা শয্যাদা হুন্ন ২ য়েংলিবী শ্রীরাধাদা শ্রীকৃষ্ণনা হাঙ্গ। ১। *

হে রাধিকে ! নারায়ণ ওইবা অমস্থ নহাক্তবু নিংজরিবা ঐবু হৌজিক ওহাক্তং নিংউ, হে কামিনী ! উনা অনৌবগী শয্যাদা

---

* হৈ-শিংবা নাট্যকবিনা নাট্যদা উৎকদবা বিষয় অপুগাবু প্রস্তাবনা (prologue)না হায়ননা উৎপাগুম্না শ্রীজয়দেব কবিনা রাহৈদা য়ামদবা বাঞ্জনা বৃত্তিনা শ্রীরাধাগী সম্ভোগমথি লালসা ফোংদোক্নুনা গ্রন্থ অসিগী হাঙ্গগদবা বিষয় ওইবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী সম্ভোগ লীলাবু হন্দক্কী সর্গ অসিদা হাঙ্গগদৌরি হাঙ্গবা শ্লোকঙ্ গসিনা তাকই। হন্দক্কী সর্গ অসিদা ইবেমগী অবস্থানা স্বাধীন ভর্ত্তৃকানি অঙম্না খংনগনি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তব পদপল্লববৈরিপরাভবমিদমনুভবতু সুবেশম্ ।১॥
ক্ষণমধুনা নারায়ণমনুগতমনুসর মাং রাধিকে। ধ্রুবম্ ॥

ক্ষণম্ (ভাহাক্তং) অনুসর (ফৌরোই ইল্লু—নিংউ) কামিনি (হে কামিনী!) কিশলয়শয়নতলে—(অনৌবা উনাগী শয্যাদা) চরণনলিনবিনিবেশম্ (নখোং থম্বান হাপ্পাবু) কুরু (তৌ) তব (নংগী) পদপল্লববৈরি (নখোং উনা অনৌবাগী এরুবা) সুবেশম্ নিংথিনা লৈতেংলবা) ইদম্ (অসিগুম্বা—উনা অনৌবাগী শয্যানা) পরাভবম্ (মাইথিবাবু) অনুভবতু (খংসনু) ।১।

নখোংও থম্বালব হাপউ অদুগা নংগী নখোংগী মশক ওইবা উনা অনৌবগী এরুবা, নিংথিনা লৈতেংলিবা উনাগী শয্যা অসিনা মমাইথিরে হাঙ্গীবা খংসনু । ১ । *

"যস্যা রতিগুণাকৃষ্টঃ পতিঃ পার্শ্বঃ ন মুঞ্চতি। বিচিত্র বিভ্রমাসক্তা সাস্যাৎ স্বাধীন ভর্তৃকা"। মুপী অদুগী রতিগুণনা ফাদুনা পত্তিনা মনাক্তগী থাদোক্তুনা লৈবা অমসুং মখলমখা অয়াম্বা বিভ্রমনা তিনববু স্বাধীন ভর্তৃকা কৌই ।১।

*নারায়ণ ওইবা হাঙ্গবদি "নারাসু—অপ্‌সু-অয়নং যস্য" হাঙ্গিংদা হিপ্পবু নারায়ণ কৌই. মাদুদি কামগী মৈচাক কোকুবা ঙ্গিংদা হুকচাং অপুম্বা ঙ্গিংহন্দুন খালিবা হাঙ্গীবনি, অর্থ অমদি "নারায়ণ সমোগুণৈঃ" অসুম্ন নামকরণগী মতমদা গর্গনা হাঙ্গীরম্বনা ব্রজদা শ্রীকৃষ্ণবু "নারায়ণ" হাঙ্গীবা মিং অসিনসু খনৈ। শ্রীকৃষ্ণগী গূঢ় অভিপ্রায় অমনবু "নারীণাং সমূহো নারং, তেষামাশ্রয়ো যস্তং—স্ত্রী সমূহাশ্রয়ঃ" মুপী ময়ামদা সান্নদুনা লৈবা হাঙ্গীবনি, অদুনা ফংহল্লিবা ভাবতি মুপী ময়ামগা সান্নরুদুনসু নংভদা পুক্লিং হাপ্পা কৃষ্ণ ঐবু ছজিক ভাহাক্তা নংনা হে রাধে! নিংবিয়ু অদু ওইরবদি ঐগী অরাবা অপুম্বা কোক্কনি, চংজরিবা মীবু থৌজানবিবদি অথোইবা মীগী লিচৎনি হাঙ্গীবা ভাবনি ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

করকমলেন করোমি চরণমহমাগমিতাসি বিদূরম।
ক্ষণমুপকুরু শয়নোপরি মামিব নূপুরমনুগতিশূরম্ ।ক্ষণ০।২।।

বিদূরম্ (লাপনা) আগমিতাসি (ঐনা নঃবু লাকহনবা ওইরে) অহম্ (ঐনা) করকমলেন (নৌরবা ঐগী খুৎ থম্বান্না) চরনম্ (নখোংবু) করোমি (সেবা ভোগে) ক্ষণম্ (ওহাক্তং) শয়নোপরি (শয্যাগী মথক্তা) মাম্ ইব (ঐবু তৌবগুমনা) অনুগতিশূরম্ (ফৌরেঙ্গ ইনবহৈবা) নূপুরম্ (নূপুরবু) উপকুরু (উপকার তৌ) ।২।।

হে রাধে! নহাকপু ঐনা অরাপ্পা মফমদা লাকহল্লে, ৱারারনি খুৎ থম্বাল্না নহাক্কী খোঙ অনিবু সেবা তৌজগে, নঃাক্কী তুং ইনবদা য়াম্না সিংবা নূপুরবু ঐবু তৌগাগুম্না শয্যা মথক্তা ওহাক্তং উপকার তৌ। ২। *

"ঐবু নিঙু" হাঙ্গবদি ঐবু নুংসিবিয়ু, চানবিয়ু, হাঙ্গবনি। "উনা অনৌবগী শয্যাদা নখোঙ থম্বালহু হাপউ" হাঙ্গবদি নুমিৎচুপ্পা নংতবু পূজা তৌজগে হায়বনি, পূজাগী হৌগৎপদা অহানবদা "আসন" কৎপা হৌনবিহু হাঙ্গরিবনি। নংগী নখোঙগী মশক ওইবা উনা অনৌবগী এরুবা লৈতেংলবা উনাগী শয্যানা মাগী মশাহু ইবেমগা চরণবু হেন্না নোগে হোৎনবহুনা শয্যাবু নংগী খোঙগী এরুবনি হাঙ্গ শয্যা অহুনা মাইথিরে হাঙ্গবা খঃসনু হাঙ্গবসি শয্যানা মাবু লৈতেংবিরে নৌরে ঐবু কনানা হেনগদগে হাঙ্গনা চাওখোকচরিবসি নংগী নৌরবা ফজরবা খোঙনা মথক্তা হেক নেৎপদা লৈনাচিংবহু তিংখংগুম্না থোকপদা এ ঐদি রাধাগী চরণগা থানরবদি মাইথিরেদনা করিহু লৈতে অস্থুম্না শয্যানা খংজসনু হাঙ্গবনি।১।।

*লাপনা লাকপগী অরাবা কোকনবা নখোঙ অহু কৃষ্ণ ঐনা সম্বাহন তৌহুনা সেবা তৌগে, নূপুরবু শয্যা মথক্তা ঐবু তৌবাগুম্না উপকার তৌ হাঙ্গবদি নংগী নখোঙবু সেবা তৌজবনা ঐবু নংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বদনসুধানিধিগলিতমমৃতমিব রচয় বচনমনুকূলম্ ।
বিরহমিবাপনয়ামি পয়োধররোধকমুরসি দুকূলম্ ।ক্ষণ০।৩।।
প্রিয়পরিরম্ভণরভসবলিতমিব পুলকিতমতিতুরবাপম্ ।
মত্তুরসি কুচকলসং বিনিবেশয় শোষয়মনসিজতাপম্ ।ক্ষণ০।৪।।

বদনসুধানিধিগলিতম্ (মাইথোং থাদগী শিনথরকপা) অমৃতম্ ইব (অমৃতগুম্বা) অনুকুলম্ (ঐগী অনুকুল ওইবা) বচনম্ (ৱাডাংবু) রচয় (শেমউ) উরসি (থবাক্তা) পয়োধররোধকম্ (গয়োধরবু খুমজিনবা) দুকুলম্ (ফিবু) বিরহম্ ইব (কাইনবা—বিরহবু তৌবগুমনা) অপনযামি (ঐনা লৌথোক্কে) ।৩।।

প্রিয়পরিরম্ভণরভসবলিতম্ ইব চানবা ঐনা আলিঙ্গন তৌবগী হুণ্ডাইবনা তিল্লবাগুম্বা) পুলকিতম্ তুচুংলবা) অতিতুরবাপম্ (ফংগুমদবা) কুচকলসম্ (কুচগী মশক ওইবা চফুবু) মত্তুরসি (ঐগী

ঐগী ফোরোই ইনবা ৱাহৈ ফজববু নহাক্কী মাইথোং থাদগী শিন্থরকপা অমৃতগুম্না হাঙ্গৈয়ু থবাক অনিবু কুপলিবা বিরহগুম্বা ফীবু ঐনা লৌথোক্কে ।৩।। *

ঐগী থবাক অসিদা চান্নবনা আলিঙ্গন তৌবগী হুংঙাইবনা তিন-

আলিঙ্গননাসিংবা ভৌতনা উপকার তৌই, অতুগুম্বা নংগী নখোঙদা থোগন তৌজরিবা নূপুরসু উপকার তৌবিয়ু হাঙ্গৈবনি। রসিকপ্রিয়া অমসু পূজরীগোস্বামীনা "ইব" অতু নূপুরগা অম্বয় তৌহনা নূপুরবু তৌবাগুম্না ঐবু উপকার তৌ অগুন্না ব্যাখ্যা ভৌবা পানই, অনিমক তাৎপর্য্যদা অমত্তনি হাঙ্গৈহুনাসু রস মঞ্জুরীগী মতুংইন্না অর্থ লৌরে ।২।।

*বিরহগুম্বা হাঙ্গৈবদি বিরহগী মতমদা নহাকপু উবা ফংনবা অতুগুম্বা থাবাক্তা কুপলিবা ফীনা কুচযুগবু খুমজিনলি হুজিক্তি বিরহ কোকখিতুনা নহাকপু উবাফংবা অসিগুম্না কুচবু খুমজিনবা ফিহু লৌথোক্কে হাঙ্গৈবা ভাবনি ।৩।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অধরসুধারসমুপনয় ভামিনি জীবয় মৃতমিব দাসম্ ।
ত্বয়ি বিনিহিতমনসং বিরহানলদগ্ধবপুষমবিলাসম্ ।ক্ষণ০।৫॥
শশিমুখি মুখরয় মণিরসনাগুণমনুগুনকণ্ঠনিনাদম্ ।
শ্রুতিপুটযুগলে পিকরুতবিকলে মমশময় চিরাদবসাদম্
।ক্ষণ০ ।৬॥

থবাক্তা) বিনবেশয় (হাপউ) মনসিজতাপম্ (কামদগী ওইরকপা মৈচাকপু) শোষয় (কোকহনলু) । ৪ ॥

ভাবিনি (হে প্রিয়ে সাউগনবী !) অধরসুধারসম্ (অধরগী অমৃতরসবু) উপনয় (পিয়ু) মৃতমিব (সিরগুমব।) ত্বয়ি বিনিহিত-মানসম্ (নঙোন্দা পুকনিং হাপ্লবা) বিরহানলদগ্ধবপুষম্ (বিরহগী মৈনা চাক্লবা হকচাং ওইবা) অবিলাসম্ (বিলাস লৈত্রবা) দাসম্ (ননাইবু জীবয় (হিংহল্লু) ।৫॥

শশিমুখি (হে মাঙ্গৈথোং থা মানবী) অনুগুনকণ্ঠনিনাদম্ (নহাক্কী খৌরিগী খোঞ্জেনগা মানবা) মণিরসনাগুণম্ (মণি খাঃসারকপু) পিকরুতবিকলে (কোকিলগী খোঞ্জেন্ন রারবা) শ্রুতিপুটযুগলে (ঐগী নাকোং অনিদা) মুখরয় (মখোন থোকহনলু) মম (ঐগী) চিরাৎ (কুইনা) অবসাদম্ (অরাববু) শময় কোকহনলু) । ৬ ॥

গুন্না তু চুংখোল্লবা ফংঙমত্রবা নহাক্কা কুচকলসবু হাপ্পিয়ু, অতুগা ঐগী কামগী মৈচাক অসিবু কোকহনবিয়ু । ৪ ।

হে প্রিয়ে সাউগনবী । নংগী অধরগী অমৃতরসপু পীনবিয়ু, নঙোন্দা পুক্নিং হাপখ্রবা বিরহগী মৈনা চাকলুরবা, কারিগুম্বা ইশাদা কুমৈ অমতা লৈরুদ্রবা শিবগুমলুরবা নতুং ইঞ্জরিবা ঐবু হিংহনবিয়ু । ৫ ।

হে মাইথোং থা মানবী রাধে ! নহাক্কী খরাংদা লৈতেংলবা মণিগী কাঞ্চী খৌরিবু নহাক্কী খৌনাওগী খোঞ্জেনগুন্না কোকিলগী মখোল তাবদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মামিতিবিফলরুষা বিফলীকৃতমবলোকিতুমধুনেদম্,
মীলতি লজ্জিতমিব নয়নং তব বিরম বিসৃজ রতিখেদম্
।ক্ষণ০ ।৭।।

শ্রীজয়দেবভণিতমিদমনুপদনিগদিতমধুরিপুমোদম্ ।
জনয়তু রসিকজনেষু মনোরমরতিরসভাববিনোদম্ ।ক্ষণ০।৮।।

অতিবিফলরুষা (থোইদোকনা অরেম্বদা সাউবনা) বিফলীকৃতম্ (অরেম্বা ওইহল্লবা) মাম্ (ঐবু) অবলোকিতুম্ (য়েংগদবগীদমক অধুনা (হৌজিক) লজ্জিতম্ ইব (ঈকাইরবাগুন্না) ইদম্ (অসিগুম্বা) তবনয়নম্ (নহাক্কী মিৎনা) মীলতি (উইসিনলি) বিরম (সাউবদগী পোথারো) রতিখেদম (রতিদা য়াদবা বামাবু) বিসৃজ (থাদোকউ) ।৭।।

ইদম্ (অসিগুম্বা) অনুপদনিগদিত মধুরিপুমোদম (পদ খুদিংগী রাঙাংলিবা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবা ওইবা) শ্রীজয়দেবভণিতম্ (শ্রীজয়দেবগী রাহৈ অসিনা) রসিকজনেষু (রসথংবা ভক্তসিংগী মরিদা) মনোরমরতিরসভাববিনোদম্ (নিংথিজবা রতি (ভোগ) রস (শৃঙ্গার)

ম্বারবা রাই চিল্লবা ঐগী নাকোং অসিদা মথোল থোকহল্লু, ঐগী মতম কুইনা রারুরবা অসিবু কোকহল্লু ।৬।। *

হে রাধে ! নহাক্না অরেম্বদা য়ায়া সাউহুনা ঐবু অরেম্বা ওইহনখিবনা হৌজিক্কি ঐবু এংগদবদা নহাক্কী মিৎ অহুনা ইকাইরবগুন্না উইাগল্লে, শাউরন্থু রতিদা বামতা ওইববু থাদোক্লো । ৭ ।

শ্রীকৃষ্ণগী রাহৈ খুদিংগী মুংঙাইবা ফোংদোকপা কবিজয়দেবগী

---

* কাঞ্চীদামগী (খরাংগী থোরী) মথোন থোকহল্লু হাঈবা অসিদি বিপরীত রতিক্রীড়াগী হংসলীলা কৌবা বন্ধন অহু তৌ হাঈবা ভাবনি। হংসলীলাগী মশকতি মথক্তা হাঈথরে।৬।।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রত্যূহঃ পুলকাঙ্কুরেণ নিবিরাশ্লেষে নিমেষেণ চ,
ক্রীড়াকূতবিলোকিতেহধরসুধাপানে কথানর্ম্মভিঃ।
আনন্দাধিগমেন মন্মথকলাযুদ্ধেঽপি যস্মিনভূ।
ত্তদ্ভুতঃ স তয়োর্বভূব সুরতান্তঃ প্রিয়ম্ভাবুক, ।২॥

ভাব (সাত্বিক সঞ্চারিনাচিংবা ভাব) পুম্নামক্কী মুঙাইববু) জনয়তু (থোকহনসন্থু) ।৮॥

যস্মিন (সুরতলীলা হৌগংপদা) নিবিড়াশ্লেষে (চেংন কোনবদা) পুলকাঙ্কুরেণ (তুচুংবনা খরদং খন্দোকপনা ক্রীড়াকুতবিলোকিতে (সান্নরিবা অতুগী ভাব ফোংদোকতুনা এংবদা) নিমিষেণ চ (মীং-কুপপনা) অধরসুধাপানে (অধরগী অমৃত থকপদা) কথানর্ম্ম ভি. (নোকনা হাঙ্গনবাগী ব্বাঙাংবনা) মন্মথকলাযুদ্ধে (কামগী কেলী-কলাগী লান্দা) আনন্দাধিগমেন (মুঙাইবা ফংবনা) প্রত্যূহঃ (অকাইবা অয়েৎপনা) উদ্ভুতঃ (থোক্লকলবা) প্রিয়ম্ভাবুকঃ (মতম অতুগী পেন্নবা ওইবনা) অভূৎ (ওইখিবা) সঃ (অতুগুম্বা) তয়োঃ সুরতারম্ভঃ (রাধা কৃষ্ণ অনিগী সুরতলীলা হৌগংপনা) বভূব (ওইখি) ।২।

অসিগুম্বা ব্রাহে অসিনা রস খংবা ভক্তশিংগী থম্মোইদা রতিরস ভাব পূম্নমক্কী মুংঙাইববু থোকহনগন্থু । ৮ ।

শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী সুরতলীলা হৌগংলে, মতম অতুদা অয়েৎপা অওৎপা বিঘ্ননা ইবুংঙো ইবেমা অনিগী মাঁরদদি মুঙাইনবা ওইখরে, মাতুদি অনিমক্কী চেৎনা কোন্নরকপদা প্রেমগী তুঃ চুংথোকপনা কেলিগী ভাব মতুংগী ফোংদোক্লতুনা মুন্না এংনবদা মিৎ কুপ্পনা অধরগী অমৃতরস থক্লবদা নোক্ল-হাঙ্গনবগী ব্রা ঙাংনবা অমসুং কামকেলিগী লান্দা মুঙাইবা ফাউবনা য়েখাইবন্থু মুঙাইনবা থোকখরে । ২ ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দোর্ভ্যাংসংযমিতঃ পয়োধরভরেণাপীড়িতঃ পাণিজৈ-
রাবিদ্ধো দশনৈঃ ক্ষতাধরপুটঃ শ্রোণীতটেনাহতঃ।
হস্তেনানমিতঃ কচেঽধরসুধাপানেন সম্মোহিতঃ,
কান্তঃ কামপি তৃপ্তিমাপ তদহো কামস্য বামা গতিঃ ।৩।
মারাঙ্কে রতিকেলিসঙ্কুলরণারম্ভে তয়া সাহস,

দোর্ভ্যাম্ (চান্নবীগী পাম্বোম অনিনা) সংযমিতঃ (চেৎনা পুনসিনলবা) পয়োধরেণ (কুচ অননা) আপীড়িতঃ (নোইহৎপীরবা) পাণিজৈঃ (খুজিন ১০ না) আবিদ্ধঃ (থিঙ্গাইরিবা) দশনৈঃ (য়া থিবিকনা) ক্ষতাধরপুটঃ (চিকখাইরবা চিনবাননা ওইবা) শ্রোণিতটেন (থল্লাংগী মথাখংবা হকচাংনা) আহতঃ (ফুরবা) হস্তেন (খুৎনা) কচে (শমদা পাইহুনা) আনমিতঃ চিংপরবা) অধরসুধাপানেন (অধরগী অমৃত থক্নুনা সংমোহিতঃ (সুমহৎ-পীরবা) কান্তঃ চান্নবা কৃষ্ণনা) কাম্ অপি (ক'রগুম্বা হাঙ্গনফম লৈতবা) তৃপ্তিম্ (অপেনববু) আপ (ফংখি) তৎ (মাদু) অহো (ওন্থোকপনি) কামস্য (কামগী) গতি (লিচৎ অসি) বামা (ওল্লতৈনে:) ৩॥

মারাঙ্কে (কামনা খুদম ওইবা) সঙ্কুলরণারম্ভে (খুংগু থুলাই

ইবেমাগী চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা সুরতলীলা অতুনা ওন্থোকপা মাসুপ হুণ্ডাই হাঙ্গৈনা হাঙ্গদোকপা থোক্তবা হুণ্ডাইবা অমা ফংই, মাদুদি ওন্থোকপনি, করিনা হাঙ্গৈববু ইবুঙো মাবু চান্নবী ইবেমনা পাম্বোম অনিনা চেৎনা পুনশিনবিরে ফল্লবা মতোন তুল্লবা কুচ অনিনসু নোই-হৎপিরে, খুজিন তরানম্ভ হোগাইবিরে, য়ানসু চিম্বান্দা চিকখাইরে, থল্লাংগী মথাখংবা হকচাংগী অনোইবা অতনসু যুবিরে, ইবেমগী খুৎনা শমদা পাইহুনা চিংথুবিরে, মহাক্কী অধরবু ইবেমনা থকহুনা শুম্নাংপিরে, অতুমক্তদা ইবুঙোনা হুণ্ডাইরিবা পেল্লিবসি করিনো কাম হাঙ্গৈবা অসিগী লিচত্তি ওল্লতৈনে ।৩।

কামনা খুদম ওইনবা খুজিল্লা হোৎপা, য়ানা চিকপা অসিনচিংবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রায়ংকান্তজয়ায় কিঞ্চিদুপরিপ্রারম্ভি যৎ সম্ভ্রমাৎ।
নিস্পন্দা জঘনস্থলী শিথিলতা দোর্বল্লিরুত কম্পিতঃ
বক্ষোমিলিতমাক্ষ পৌরুষরসঃ স্ত্রীণাং কুতঃ সিদ্ধ্যতি ।৪॥
মীলদ্দৃষ্টি মিলৎকপোলপুলকং শীৎকারধারাবশা-
দব্যক্তাকূলকেলিকাকুবিকসদ্দন্তাংশুধৌতাধরম্।

থানবনা থল্লবা লাওগী হৌগৎপদা) তয়া (শ্রীমতী রাধানা) সাহসপ্রায়ম্ (য়াম্না থৌনাফবা ওইনা) কান্তজয়ায় (চান্নবু – কৃষ্ণন ঙমজনবগী দমক) উপরি (কৃষ্ণগী মথক্তা) কিঞ্চিৎ (ভাইবংপানবদা ওইথোকতবা) প্রারম্ভি (নিপাগী মতৌ শাববু হৌগংথি) যৎ সম্ভ্রমাৎ (মাহুগী অশ্নিনবদগী) জঘনস্থলী ইবেমগী থুরাংগী মখাথংবা শরুক্তা) নিস্পন্দা (লেংদনা) দোর্বল্লিঃ (পান্থোম লতানা) শিথিলতা (কোমথোকপা) বক্ষঃ (থম্মোইনা) উৎকম্পিতম্ (চোংবা) অক্ষি মীৎনা। মীলিতম্ (উইশনখিবা) স্ত্রীণাং (নুপীনসংগী মরিদা) পৌরুষরসঃ (নিপাগী রসন) কুতঃ (করিদগী) সিদ্ধ্যতি (পাঙ্গদগে ?) ।৪।।

শ্বাসোম্রদ্ধপয়োধরো পরিদঙ্গী (স্বয়হোনবনা ভোংখৎলরুবা পয়োধরগী মথক্তা চেৎনা কোল্লবা) ধন্যঃ (ঐ লাইপক কৈ হাঙ্গনা নিংলবা শ্রীকৃষ্ণনা)

খুৎলাইনা কুংনা থানহুনা অকলবা লান হৌগৎলবা ইবেমনা য়ামনা থৌনা ফনা ইবুঙোবু ঙমগে হাঙ্গনা নিংহুনা ইবুঙোগী থক্তা ইথরাইনা ভোনদবা নিপাগী মতৌ হৌগৎখি, অহুব নিপাগী মরিদা নুঙাইবা রস অহুনা করিদগী পাংথোকপা য়াগদগে ? মাহুদি অমুহুম্বা মতৌ অহুগী হৌগৎলকপদা ইবেমাগী থুরাংগী মখাথংবা হকচাং অহু লেংবা ঙমদরে, চেৎনা ইবুঙোবু কোল্লগ্না পান্থোমসু হিকথরে, থজিনসু পিং পিং চোংলে, ইবেমাগী মিৎসু উইশিনখরে ।৪।।

ইবেমনা য়াহুনা স্বর ফুইনা ফুইনা হোনবদা পয়োধর অনিনা য়াংথৎলকপবু শ্রীকৃষ্ণনা চেৎনা কোল্লহুনা ঐ লাইপক ফরে. হাঙ্গনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্বাসোন্নদ্ধপয়োধরোপরি পরিষ্বঙ্গী কুরঙ্গীদৃশো,
হর্ষোৎকর্ষবিমুক্তি নিসহতনোর্ধন্যো ধয়ত্যাননম্ ।৫॥
তস্যাঃ পাটলপাণিজাঙ্কিতমুরো নিদ্রাকষায়ে দৃশৌ,
নির্ধৌতোঽধরশোণিমা বিলুলিতাঃ স্রস্তস্রজো মুর্দ্ধজাঃ ॥

হর্ষোৎকর্ষ বিমুক্তি নিঃ সহতনোঃ (হৱাউবগী খোইদোকপা খোকহনবা থাংবা ঙমদ্রবা হকচাং ওইবী) কুরঙ্গীদৃশঃ (সজীগী মিৎ মানবী শ্রীরাধাগী) মীলদ্দৃষ্টি (মিৎ অনি উইশনলবা) মিলৎকপোলপুলকম (চাইরুংদা তুচুংলবা) শীৎকারধারাবশাৎ (চিন্দা শী শী হাঙ্গৈবগী তত্তবা পরেংনা নমহুৎখিদুনা) অব্যক্তাকুলকেলিকাকু বিকসদ্দন্তাংশু ধৌতাধরম (অর্থ লৌবা য়াদবা, অবাবগী ওইবা সান্নাবদা নৌনা ভাংবা বাঙাংনা মতোন খর খদং উৱবা য়াগী মঙাল্না নিংথিরবা চিন্বাননা ওইবা) আননম্ (মাইথোংবু) ধয়তি (থকই) ।৫।।

তস্যাঃ (শ্রীরাধাগী) পাটলপাণিজাঙ্কিতম্ (পাটলকৌবা লৈগী অঙৌবগা অঙাংবগা য়াননবা মচু মানবা, খুজিমনা হোগাইবা) উরঃ (থবাক) নিদ্রা-কযায়ে (তুম্মুংনা ভাংলবা) দৃশৌ (মিৎ অনি) নির্ধৌতঃ (চুপ্পনা কোকখরবা) অধর শোণিমা (চিনবানগী অঙাংবা) বিলুলিতাঃ হাঙ্গৈহমলিব।) স্রষ্টস্রজঃ লৈতাথরবা) মুর্দ্ধজাঃ (শম পুন্নমক্লা) কাঞ্চিদাম (খ্বাংগী মেখলা) দরশ্লথাঞ্চলম (নাম্থোক্লবা ইনফি) প্রাতঃ (অয়ুক্তা) ইতি (অসুমনা) পত্যুঃ (মপুরোইবা

নিংই । ইবেমনা মিৎ অনি উইশ্বিনখিবা চাইরুংদা প্রেমনা তুচুংথোক্লবা অমসু রতিলীলাগী রাবনা চিংশনতুনা শী শী হাঙ্গৈবগা য়াম্থাইননা রাতুনা ৱা থরা থরা ঙাংলকপা অতু মাসি হাঙ্গৈরিবনি হাঙ্গৈবা অর্থ খঃদবা ৱা অতু ঙাংবদা ইবেমগী য়া মতোন খরা থরা উরতুনা ইবেমগী চিনবানবু ভান্থোকহনবা অতুগুম্বা মাইথোংবু শ্রীকৃষ্ণনা চুপতুনা থকখি ।৫।

অয়ুক্তা শ্রীকৃষ্ণগী মিরা তমতুনা কাপলকপা কাননী তেন পুন্নমক্লা পুক্লিংদা পান্দুনা থিঙ্গাইথি, তেনসীং অতুদি শ্রীরাধানা থবাক্ত খুজিন্না হোংথিবগী পাটল কৌবা লৈগী মচু মানবা ভাংলৈননা ভৌবা ময়ি, অহিংদা তুম্বগী মচেৎ মচেৎ ওইবনা মিত্তা ভাংখিবা, তোইনা চুপ্পনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কাঞ্চীদাম দরশ্লথাঞ্চলমিতি প্রাতর্নিখাতৈর্দ্দৃশো,
রেভিঃ কামশরৈস্তদদ্ভুতমভূৎ পত্যুর্মনঃ কীলিতম্ ।৬॥
ব্যালোলঃ কেশপাশস্তরলিতমলকৈ স্বেদলোলৌ, কপোলৌ
ক্লিষ্টা দষ্টধরশ্রীঃ কুচকমলসরুচা হারিতা হারযষ্টিঃ।

শ্রীকৃষ্ণ) দৃশোঃ (মিং অনিদা) নিখাতৈঃ (কাপনকপা) এভিঃ (অসিগুম্বা) কামশরৈঃ (কামগী তেন পুম্নমকনা) মনঃ (পুকনিংবু) কীলিতম্ (থিঙ্গাইবা) ভৎ (মাহ্র) অদ্ভুতম্ অভূৎ (ওংম্বাকপা ওইথি) ।৬।

ব্যালোলঃ (হাই হুমলবা) কেশপাশঃ (শম্বুন) অলকৈঃ (শমজোই থিবিক্লা) তরলিতম্ (হাই-হুমলবা) স্বেদলোলৌ (হুমাংনা তরং তরং চেল্লবা)

মচু কোকখ্রবা চিনবানগী অভাংবা অপুম্বা, নাম্বোক্লবা শম্না হাই হুম্বা, খব্রাংগী মেথজানা হিক্তোক্লবা অমস্থ খজিক্তা হিক্তোক্লবা কী পুম্নমক অসিনি, অসিগুম্বা তেনসীং অসিবু কামনা শ্রীকৃষ্ণগী মিত্তা থারক্লগা কাইবনা পুকনিংদা কাইক্লরিবসি ওন্থোকপনি ।৬। *

শ্রীমতী রাধাগী অয়ুক্তা ওইরিবা শম পুনবা নাম্বোকপা শমজোইনা

* মতাং অসিদা "অদ্ভুত— ওন্থোকপনি. হাঙ্গৈবগী ভাবতি অসনি, রাহৈ অহুনা কারণস্থ কার্য্যস্থ য়াওবা : কারণনা মফম অমদা লৈরগা কার্য্যনা মফম অমদা থোকথিবা কার্য্যগা ভিন্নদবা কবি কল্পনাগী অওবপা রারেং অহুবু "অসঙ্গতি অলঙ্কার" কৌই। মতাং অসিদা কানা অসঙ্গতি অলঙ্কারগী সাহার্য্যনা হাঙ্গৈরি, মাহুদি— অহিং সান্নবগী রারবী ইবেমগী শ্রীঅঙ্গদা ওন্ন-তৈনবা লৈতেং ওইহুনা অয়ুক্তা ফজবা ময়াম অহুনা চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণগী মিত্তা ভারুবা অতগা কৃষ্ণগী থমোইদা পানবা তেন্ন থাবগী কাইনবগী কারণনা মিত্তা ওইরগা থমোইনা কাইক্লরিবা অহ অসঙ্গতিনি, মাহুবু অদ্ভুত— ওন্থোকপনি, অস্থম হাঙ্গৈহুনা শ্রীমতীগী শেমদবস্থ ওইজবা মহৌশাগী ফজবা থাবনা শ্লোক অসিগী উদ্দেশ্যনি।৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কাঞ্চি কাঞ্চিদ্ গতাশাং স্তনজঘনপদং পাণিনাচ্ছাদ্য সদ্যঃ,
পশ্যন্তী সত্রপং মাং বদপি বিলুলিতস্রগ্ধরেয়ং ধিনোতি ।৭॥
ইতি মনসা নিগদন্তং সুরতান্তে সা নিতান্তখিন্নাঙ্গী,
রাধা জগাদ সাদরমদমানন্দেন গোবিন্দম্ ।৮॥

কপোলৌ (চাইরুং অনি) ক্লিষ্টা (মচু কোকতুনা তাইরবা) দষ্টাধরশ্রীঃ চিকথরবা চেনবানগী নিংখিজরবা) কুচকলসরুচা (পয়োধরগী মঙামা) হারিতা (মচু ফজবা মাংহল্লবা) হারযষ্টিঃ (লিকসীংগী পরেং) কাঞ্চী (খুরাঙ্গোই) এতৈঃ পুন্নমক'সনা) কাঞ্চি করিগুম্বা) আশাম্ (মাইকৈ অমরোমদা) গতা (মাই ওন্থোকতুনা লৈরবা) স্তনজঘনপদম্ খবাক (অনিনে খরাংগী মথা থংবনে সক্ষম অনি অ'সবু) পাণিনা (খুৎনা) আচ্ছাদ্য (কুপসিন্দুনা) সত্রপম্ (ইকাইনা) পশ্যন্তী (এংলিবী) বিলুলতা শ্রগ্ধরা (হাহ হুমলিবা লৈপরেং শিবী) ইয়ম্ (শ্রীরাধানা) তদাপ (অতুম ওইরনসু) মান (ঐবু) ধিনোতি (পেনহল্লি) ।৭।

ইতি (মাসুমনা) মনসা (পুক্লিংনা) নিগদন্তম (হাঙ্গৈরিবা) গোবিন্দম্ (শ্রীকৃষ্ণনা) সুরতান্তে (সুরতলীলা লোইরবদা) নিতান্তখিন্নাঙ্গী (থোক্তদোক্লা ৱারবী) সা (অদুগুম্বী) রাধা (রাধানা) আনন্দেন (নুঙাইনা) সাদরম্ (ব্যবহার তৌনা) ইদম্ (মাসিবু) জগাদ (হাঙ্গৈথি) ।৮।

লাইবক্তা হাই হুমলবা চাইরুং অনিদা হুমাংনা তরং তরং চেনবা চিকথৎপ্রবা চিম্বান্দা তঙাং তঙাংবা থবাক অনিগী মচু ফজবনা থবাক্তা সিরিবা লীক্কী মঙানবু নমহৎপা, খরাংদা পুনবা খরাঙ্গোইনা হিকথবা, ইবেমনা মাইকৈ অমরোমদা মাই ওন্থোকপা, থবাক অনি অমসু খরাংগী মথাবু খুৎনা কুপশিনবা ইকাই ইকাইনা এংলিবা, হাই হুম্বা লীক, লৈগী পরেং সিবা শ্রীরাধানা অমুকস্ত হেন্না পেনহল্লে।৭।

মাসুন্না পুক্লিংনা হাঙ্গৈহুনা শ্রীকৃষ্ণনা লৈরিবৈঙদা সুরতলীলা লোইরবদা য়ামনা ৱারবী রাধানা মথাদা হাঙ্গৈগদৌরিবা অসি নুঙাইনা য়ামনা আদর তৌনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গৈ ।৮।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বামকরীরাগ যতিতালাভ্যাং গীয়তে।

কুরু যদুনন্দন চন্দনশিশিরতরেণ করেণ পয়োধরে,
মৃগমদপত্রকমত্র মনোভবমঙ্গলকলসসহোদরে।
নিজগাদ সা যদুনন্দনে ক্রীড়তি হৃদয়ানন্দনে। ধ্রুবম্ ।১॥
অলিকুল গঞ্জন সঞ্জনকং রতিনায়কশায়কমোচনে,
ত্বদধরচুম্বন লম্বিত কজ্জলমুজ্জ্বলয় প্রিয়লোচনে। নিজ০ ।২॥

হৃদয়ানন্দনে (শ্রীরাধাগী থমোইবু হুডাইহনবা) যদুনন্দনে (শ্রীকৃষ্ণনা) ক্রীড়তি (ইবেমা মহাক্কা লোইননা মান্নহুনা লৈরবদা) সা (রাধানা) নিজগাদ (হাঙ্গৈখি) যদু নন্দন (হে যদুনন্দন কৃষ্ণ !) অত্র (মাসিদা) মনোভব মঙ্গলকলস সহোদরে (মাধদেবগী মঙ্গল ঘটকা মান্নবা) পয়োধরে (থবাক অনিদা) চন্দন শিশিরতরেণ (চন্দনগুম্না ঙৈংলবা) করেণ (খুৎনা) মৃগমদপত্রকম্ (কস্তুরগী পত্রাবলীবু) কুরু (তৌ) ।১।

প্রিয় (হে চান্নবী) রতিনায়ক শায়কমোচনে (কামদেবগী তেনবু কাপথোকপা) লোচনে (মিত্তা) অলিকুলগঞ্জন সঞ্জনকম্ (খোইমুগী মপেক্

শ্রীকৃষ্ণনা সুরতলীলা লোইরবমক্তদা রতি শয্যাদা ইবেমাবু থাদোকপা লৈতনা হুডাইহন্দুনা মলৈরবদা শ্রীরাধানা হাঙ্গৈ, হে যদুনন্দন কামদেবগী রতিযুদ্ধদা জয় ওইবনা খিনবা মঙ্গল ঘাটকা মান্নবা ঐগী কুচ অনি অসিদা ইবুঙোগী বদনগুম্না ঙৈংলবা খুৎমক্না কস্তুরী চন্দননা পত্রাবলী একপিয়্ ।১। *

হে চান্নবা ! মিচ্চিনা এংবা শাহুনা কামগী তেন ময়াম্বু থাদোক্লিবা

---

*—স্বাধীন ভর্ত্তৃকা অবস্থাদা পতিনা নায়িকাগী বেশ অলঙ্কার তৌরি, মাদু হন্দক্কী অষ্টপদীন হাঙ্গৈরি। পদ অসিদা ইবেমনা থবাক্তা কস্তুরী পত্রাবলী একপীয়্ হাঙ্গৈবদি থবাক্ত উনা মান্না লৈরোং ময়াম একপহু রতিযুদ্ধদা কোকখিবা অদু অমোকহন্না একপীয়্ হাঙ্গৈবনি ।১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

নয়ন কুরঙ্গ তরঙ্গ বিকাস নিবাসকরে শ্রুতিমণ্ডলে,
মনসিজপাশবিলাসধরে শুভবেশ নিবেশয় কুণ্ডলে।
নিজ০ ।৩॥

ভ্রমরচয়ং রচয়ন্তমুপরি রুচিরং সুচিরং মম সম্মুখে,
জিতকমলে বিমলে পরিকর্ম্ময় নর্ম্মজনকমলকং মুখে।
নিজ০ ।৪॥

চৈহৎহনবা) ত্বদধর চুম্বন লম্বিত বজ্জ্বলম্ (নহাক্কী অধরনা চুপতুনা কোক-থরবা কাজ্জলবু) উজ্জ্বলয় (লংহনলু) ।২।

শুভবেশ (নিংথিজবা বেশ তৌবা হে কৃষ্ণ !) নয়নকুরঙ্গ তরঙ্গবিকাস নিবাসকরে (ঐগী মিৎকী মশক ওইবা শজিগী হৌদ্বনা চেহ্লোকপাবু পিংবা মনসিজপাশবিলাসধরে (কামগী থোরীগী বিলাসবু পূবা) শ্রুতিমণ্ডলে (না-কোংদা) কুণ্ডাল (কুণ্ডলে নায়িনবু) নিবেশয় (হাপ্পীয়ু) ।৩।

মম (ঐগী) সম্মুখে (মাংদা) সুচিরম্ (কুইনা) ভ্রমরচয়ম্ (খোইমু মপৈবু) উপরি (মাহং মথক্তা) রচয়ন্তম্ (শোন্নবা) রুচিরম্ (নিংথিজবা) নর্ম্মজনকম্ (সখীজনগী পরিহাস তোহনবা) জিত কমলে—(থম্বালবু ভুমজবা) বিমলে (মকত্রবা) মুখে (মাইদা তারিবা) অলকম্ (খোই খাঙ্গবা শমবু) পরিকর্ম্ময় (সেমাবিয়ু) ।৪।

মিৎ ভাসদা নিংথিজবা কাজলবু নহাক্কী অধরনা চুম্বন তৌবদা কোক-থিবনি অমোকহন্না হাপ্পিয়ু ।২।

হে সুবেশ ! মিৎকী মশক ওইবা শজিনা চৎথিগদবদা থিংবা অমসুং বুবজনবু পুন্নবা কামদেব থৌরিগুম্বা ঐগী নাকোং অসিদা কুণ্ডল নায়িন য়ানবিয়ু ।৩।

ঐগী মাইদা তারকলবা শমসীং অসিবু শেম্বিয়ু, মখোই অসিদি ঐগী নাকোংদা, থম্বালবু ভুমজবা নিংথিজবা মাইদা খোইমুগুম্না কুইনা লৈগরে, মাসি উরগা সখীসীংনা নোক্করগনি ।৪।

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মৃগমদরসবলিতং ললিতং কুরু তিলকমলিকরজনীকরে,
বিহিতকলঙ্ককলং কমলানন বিশ্রমিতশ্রমশীকরে।
নিজ০ ।৫॥

মম রুচিরে কুরু মানদ মানসজধ্বজচামরে।
রতিগলিতে ললিতে কুসুমানি শিখণ্ডিশিখণ্ডকডামরে।
নিজ০ ।৬॥

সরসঘনে জঘনে মম শম্বরদারণবারণকন্দরে

কমলানন (হে মাইথোং থম্বাল মানবা !) বিশ্রমিত শ্রমশীকরে (হুমাং তৈথোকলবা) অলিকরজনী করে (মাইগী নলক ওইবা থাদা) মৃগমদরসবলিতম্ (কস্তুরীগী রসনা তিনব ; বিহিতকলঙ্ককলম (থাগী কলঙ্ক রেখাগুম ফজবা) তিলকম (চন্দনবু) ললিতম (নিংথিনা) কুরু (তৌ) ।৫।

মানদ (সন্মান পীবা হে কৃষ্ণ।) মম (ঐগী) রুচিরে (ফজবা) মানসজধ্বজচামরে (কামদেবগী ফিরানগী চামর ওইবা) রতি গলিতে (রতি-কেলীগী মতমদা পুনবা থোকখ্রবা) ললিতে (তনৌ তনৌবা) শিখণ্ডি শিখণ্ডকডামরে (ময়ুরগী মতুগী ময়োন্দগী হেন্না ফজবা) চিকুরে (শমদা) কুসুমানি (লৈ থিবিকপু) কুরু (তৌ—লৈ থেৎতুনা লৈতেংবিয়ু) ।৬।

শুভাশয় (হে পুকচেল ফজবা হে কৃষ্ণ।) মম (ঐগী) সরসঘনে (নিং-থিজরবা অমসু নোইরবা) শম্বর দারণবারণকন্দরে (কামদেবগী মশক ওইবা

হে মাইথোং থম্বাল মানবা কৃষ্ণ! ঐগী মাইথোং রাবদগী শৌরিবা হুমাংবু লৌথোক্লগা কস্তুরী চন্দনগী রসনা নিংথিনা থাদা কলঙ্করেখা ওইনা তিলক য়েকপিয়ু ৫।

হে ঐবু সম্মান তৌরিবা! হে কৃষ্ণ, ঐগী নিংথিজবা নৌরবা অমসু কামদেবগী ফিরান চামরগুম্বা শম অাস রতিকেলিগী দমক্তা শম্বুন থোকখ্রে, হুজিক্কি নিংথিজরবা লৈনা লৈতেংবিয়ু ।৬।

হে পুকচেল ফজবা কৃষ্ণ! কামগী মশক ওইবা শামুগী শান্নফম

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মণিরসনা বসণাভরণানি শুভাশয় বাসয় সুন্দরে ।৭।।
শ্রীজয়দেববচসি রুচিরে হৃদয় সদয়ং কুরু মণ্ডনে।
হরিচরণস্মরণামৃতকৃতকলিকলুষজ্বরখণ্ডনে। নিজ০ ।৮॥
রচয় কুচয়োঃ পত্রং চিত্রং কুরুষ্ব কপোলয়ো-
র্ঘটয় জঘনে কাঞ্চীমঞ্চ স্রজা কবরীভরম্।
কলয় বলয়শ্রেণীং পাণৌ পদে কুরু নূপুরা-
বিতি নিগদিতঃ প্রীতঃ পীতাম্বরোঽপি তথাকরোৎ ।৯॥

সাম্বু লমশাগী শান্নকম কোথুং ওইবা) সুন্দরে (ফজরবা) জঘনে (খুবাংগী মখাদা) মণিরসনাভরণানি (মণিগী খুব্রাঙ্গোই ফিনাচিংবা লৈতেংবু) বাসয় (শেৎপীয়ু, শেম্বীয়ু) ।৭।

রুচিরে (নিংথিজবা) মণ্ডনে (লৈতেংগী মশক ওইবা) হরিচরণস্মরণা-মৃতনির্মিত কলিকলুষজ্বরখণ্ডনে (শ্রীহরিগী চরণবু নিংসংবনা কলিগী পাপকী মশক ওইবা জ্বরবু মাংহনবা) শ্রীজয়দেব বচসি—শ্রীজয়দেবগী য়াথংদা) হৃদয়ম্ (থমোইবু) সদয়ং (দয়াগা লোইননা) কুরু (তৌ) ।৮।

কুচয়োঃ (থবক অনিদা) পত্রম্ (মকরিকা পত্রবু) রচয় (শেম্বীয়ু-একপীয়ু) কপলয়োঃ (চাইরুং অনিদা) চিত্রম্ (চিত্রকাবু) কুরুষ্ব (তৌবিয়ু) জঘনে (খুবাংগী মখাদা) কাঞ্চীম্ (মণিগী খুব্রাঙ্গোইবু) ঘটয় হাপ্পীয়ু) স্রজা (লৈ পরেংনা) কবরীভরম্ (শমবুনবু) অঞ্চ (ফংহনলু—থেৎপীয়ু) পাণৌ (খুৎজেংদা) বলয়শ্রেণীম্ (খুজি নাচবু) কলয় (সিবয়ু) পাদম্ (খোংবু

লোকনুংগুম্বা নিংথিজরবা অমসুং নোইরবা ঐগী খরংদা মাণনা শেম্বা খরাঙ্গোই অমসু ফিনচিংবা লৈতেং শেৎপীয়ু।৭।।

নিংথিজবা লৈতেংগী মশক ওইবা অমসু হরিগী চরণবু তত্তনা নির্শংবমত্তনা কলিগী পাপকী মশক ওইবা অনাববু মাংহনবা অসি-গুম্বা জয়দেবগী য়াথং অসিবু নুংশিবগা লোইননা তাবিয়ু ।৮॥

হে কৃষ্ণ! ঐগী থবাক অনিদা মকরিকা পত্র চাইরুং অনিদা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পর্য্যঙ্কীকৃতনাগনায়কফণাশ্রেণীমণীনাং গণে,
সংক্রান্তপ্রতিবিম্বসম্বলনয়া বিভ্রৎবিভুপ্রক্রিয়াম্।
পাদাম্ভোরুহধারিবারিধিসুতামক্ষ্ণাং দিদৃক্ষুঃ শতৈঃ,
কায়ব্যূহমিবাচরন্নুপচিতীভূতো হরিঃ পাতু বঃ।১০॥

[নূপুরৌ (নূপুর অনিবু) কুরু (তৌস বিয়) ইতি (অসুমনা) নিগদতঃ শ্রীরাধানা হাঙ্ইবদগী প্রীতঃ (পেনলবা) পিতাম্বরঃ অপি (শ্রীকৃষ্ণসু) তথা (মাদুমক) অকরোৎ (তৌখি) ।৯।

অক্ষ্ণাম্ শতৈঃ (লিৎ চামানা) পাদাম্ভোরুহধারি বারিধিসুতাম (মখোৎ থম্বান পাইত্তনা লোগন তৌরিবী লক্ষ্মীব) দিদৃক্ষুঃ (এংনিংলবা) হরিঃ (শ্রীনারায়ণনা) পর্য্যঙ্কীকৃতনাগনায়ক ফণাশ্রেণী মণীনাংগনে (ফমুং ওইনরবা লান নিংথৌ অনন্তগী মতোক্ষ ময়ামদা পুরিবা মণি ময়ামদা) সংক্রান্ত প্রতিবিম্বসংবলনয়া (তাহনা লৈরবা মনি প্রতিবিম্ব ময়াম সন্দোকপনা) বিভু প্রক্রিয়াম্ (মকম থুদিংদা লিন থুংনা লৈবগী থবকপু) বিভ্রৎ (পুরহনা) কায়ব্যূহম্ আচরন ইব (হকচাং ময়াম পুথোকপাগুন্না) উপচিতীভূতঃ (চাউথৎলবা ওইদুনা) বঃ (নখোইবু) পাতু (ঙাকসনু) ।১০।

চিত্রিকা একপিয়, খরাংদা কাঞ্চীদাম, শমজীদা লৈপরেং, খুজেংদা বলয়া অমসু খোঙদা নুপুর শিবিয়, হসুমনা শ্রীমতী রাধানা হাঙ্জরবদা পেল্লবা পীতাম্বর শ্রীকৃষ্ণনা ইবেমনা হাঙ্বা তৌমক কাইদনা তৌখি ।৯। *

ইবুঙো মহাক্কী শয্যা ওইরিবা লিন নিংথৌ অনন্তগী মতোকতা লৈবা মণি ময়ামদা মহাক্কী মমি ওইনা তারিবা প্রতিবিম্ব ময়ামনা

* রসশাস্ত্রনা হাঙ্ইরিবা অষ্টনায়িকাগী মপুংচনবা স্বাধীনভর্ত্তৃকা কৌবা পতিনা চানবী নায়িকাগী নিংথিজবানু হাঙ্থরবা অষ্টপদীনা হাঙ্থরে ; অদুগা স্বাধীনভর্ত্তৃকা নায়িকানা পতিদা হাঙ্বা অসুম পতিনসু মাদু হরাউনা ইনবা অদুগুম্বা চৌনবিদু শ্লোক অসিনা অমোক হন্না হাঙ্দুনা কবি জয়দেবন মহাক্কী কাব্যগী বর্ণনীয় বিষয় অদু হন্দক্কী শ্লোক অসিদা লোইরি ।৯।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ত্বাম্ প্রাপ্য ময়ি স্বয়ম্বরপরাং ক্ষীরোদতীরোদরে,
শঙ্কে সুন্দরি কালকূটমপিবন্মূঢ়ো মৃড়ানীপতিঃ।
ইত্থং পূর্ব্বকথাভিরন্যমনসো নিক্ষিপ্য বক্ষোঽঞ্চলং,
রাধায়াঃ স্তনকোরকোপরি মিলন্নেত্রো হরিঃ পাতু বঃ।১১

সুন্দরি (হে ফজবী !) ক্ষীরোদতীরোদরে (ক্ষীরোদ সমুদ্রগী মপান্দা) মূঢ় (পংলবা) মৃড়াণীপতিঃ (মহাদেবনা) ময়ি (ঐঙোন্দা) স্বয়ম্বরপরাম্ (স্বয়ম্বরদা লৈ হুকতুনা বরিব্রবী) ত্বাম (নংবু) অপ্রাপ্য (ফংদ্রতুনা) কালকুটম্ অপি (কালকুট কৌবা হু মকপুস্থু) অপিবৎ (থকখি) ইতি (অসুন্না) শঙ্কে (ঐনা চিংনৈ) ইত্থম্ (অসুন্না) পূর্ব্বকথাভিঃ (মমাংঙৈগী ৱারী খিবকনা) অন্যমনসঃ (ঙকলবা) রাধায়াঃ (শ্রীরাধাগী) বক্ষোঽঞ্চলম্ খবাককী ফিব্) নিক্ষিপ্য (হাইদোকতুনা) স্তনকোরকোপরি (থবাককী মশক ওইবা থম্বাল অপোম্বগী মথক্তা) মিলন্নেত্রঃ (মিৎ থল্লবা) হরি (শ্রীকৃষ্ণনা) পাতু (ঙাক-পীসনু) ।১১।

নিংথিরি, মাহুদি মহাক্কী মথোঙ থম্বালবু পাইরিবী লক্ষ্মীগী মাইথোংবু এংবদা পেন্দহনা মিৎ চাম চামনা এংগে হাঙ্গীতুনা ইবুঙো মাগী শ্রী-মূর্ত্তিগী কাংবুাহ ময়াম পুথোকপাগুন্না অমত্তা ওইরম্বদগী মফম খুদিংদা সিনথুংনা লৈবা ওইরবা হরিনা নখোং পুন্নমকপু ঙাকপিসনু ।১০।' *

হে ফজবী রাধে ! অত্তুঙৈ ক্ষীরোদ সমুদ্রগী মপান্দা নংনা স্বয়ং-বর তৌঙৈদা ঐঙোন্দা লৈ হুকতুনা বরিবা মতম অতুদা মহাদেবনা কালকূট কৌবা হু থকখিহনা নংবু ফংদবগী ঙাপখিতুনা তৌবগী অসুন্না ঐনা নিংই, অসুম হাঙ্গীতুনা মমাংঙৈগী ৱারী তাতুনা শ্রীরাধানা ঙক-

শ্লোক অসি রসিকাপ্রয়া অমসু রসমঞ্জরীনা ব্যাখ্যা তৌবদা যাওদে। বঙ্গেগী সংস্করণদা মুলদা হাপনদে অদুবু শ্লোক অসি মহাকবি জয়দেবগুম্বনা লেংবদা মতিমচাবা ৱাহৈ ৱাতা ওইবনা অমসু সর্গ খুদিংগী অরোইবদসু অতোপ্প লীলা বর্ণন তৌহুনা অশীর্ব্বাদ লেংবনা হন্দক্কী সর্গদসু তৌকম থোকপনা বঙ্গগী সংস্করণদগী লোহুনা ঐথোংসু মুলদা হাপলে।১০।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

যদ্গান্ধর্ব্বকলাসু কৌশলমনুধ্যানঞ্চ যদ্বৈষ্ণবম্
যচ্ছৃঙ্গারবিবেকতত্ত্বমপি যৎ কাব্যেষু লীলায়িতম্।
তৎ সর্ব্বং জয়দেবপণ্ডিতকবেঃ কৃষ্ণৈকতানাত্মনঃ,
সানন্দাঃ পরিশোধয়ন্তু সুধিয়ঃ শ্রীগীতগোবিন্দতঃ।১২॥

সুধিয়ঃ (পণ্ডিতসীংনা) সানন্দাঃ (নুঙাইবগা লোইননা) কৃষ্ণৈকতানাত্মনঃ (শ্রীকৃষ্ণদা মপুক্নিং হাপখ্রবা) জয়দেব পণ্ডিতকবেঃ (জয়দেব কৌবা চংথোনবা বিবেকনা তিনবা, নিংখিবা কাব্য লেংবা কবিগী) শ্রীগীতগোবিন্দতঃ (শ্রীগীতগোবিন্দদা) গান্ধর্ব্বকলাসু (সঙ্গীত বিদ্যাদা) যৎ (অদুগুম্বা) কৌশলম্ (হৈংসিংবা) যৎ (অদুগুম্বা) বৈষ্ণবম্ (মফম পুন্নামক্তা শিনথুংনা লৈবা শ্রীকৃষ্ণবু নিংবগী মশক ওইবা) অনুধ্যানম্ (অতৎপা লৈতনা নিংবা) যৎ (অদুগুম্বা) শৃঙ্গার বিবেকতত্ত্বম্ (মহাপ্রেম রসগী বিবেকনা তৌরম্বা তত্ত্ব) কাব্যেষু (কাব্যদা) যৎ (অদুগুম্বা) লীলায়িতম্ (রস লীলানা চংবা ফোংদোকপাবু লেংবা) তৎসর্ব্বম্ (পুন্নামকপ) পরিশোধয়ন্তু (শেংদোকসনু অরেপ্প মশক থংসনু) ।১২।

লিংইদা থবাককী কী হাইদোকতুনা পাম্বোমনা থম্বাল মানবা থবাক্তা এংতুনা লৈবা শ্রীহরিনা ঙাকপিসনু ।১১। *

শ্রীকৃষ্ণদা মতম পুন্নমক্তা পুক্নিং হাপখ্রবা, শাস্ত্রগী বুদ্ধিনা তিল্লবা অমসু সংস্কাব্য লেংবা জয়দেবগী গীতগোবিন্দনা পণ্ডিতসীংনা সঙ্গীত বিদ্যাগী রাগ তালনাচিংবা হৈ শিংবা মফম পুন্নমক্তা শিনথুংনা লৈবা শ্রীকৃষ্ণবু তত্তুনা নিংবা, মধুরপ্রেমরসগী বিচার তৌরবা তত্ত্ব, কাব্যদা রস অমসু লীলানচিংববু ফোংদোকপা রাহৈ পরেং, হাঙ্গখ্রবা পুন্নমক

---

* শ্লোক অসি জয়দেবগুম্বা মহাকবিগী রারেং মানদবগা অমসুং সর্গ থুদিংদদি অশীর্ব্বাদ শ্লোক অনিয়ক লেংলক্তবগনা একাদশঃ সর্গগী মতোংগুম্না হন্দক্লী সর্গগী অরোইবগী শ্লোক অসিদি প্রক্ষিপ্তনি হাঙ্গনা নিংতুনা বক্কনীগী মনুংদা হাপলি ।১১।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সাধ্বী মাধ্বীকো ! চিন্তা ন ভবতি ভবতঃ শর্করে ! কর্করাসি,
দ্রাক্ষে ! দ্রক্ষ্যন্তি কে ত্বামমৃত ! মৃতমসি ক্ষীর ! নীরং রসস্তে ।
মাকন্দ ! ক্রন্দ কান্তাধর ! ধরণিতলং গচ্ছ যচ্ছন্তি যাব-
দ্ভাবং শৃঙ্গারসারস্বতমিহ জয়দেবস্য বিষ্বগ্বচাংসি ।১৩॥

ইহ (তাইবংপানবা অসিদা) জয়দেবস্য (জয়দেবগী) বচাংসি (য়াথং থিবিক্লা) যাবৎ (অতুপকী মথৈ) বিশ্বক (পুম্নামক্তা) শৃঙ্গারসারস্বতম্ (রতিনা স্থায়ী ওইবা শৃঙ্গাররসগী য়াহৈ ওইবা) ভাবম্ (ভাবপু) যচ্ছন্তি (পীরিবা) তাবৎ (অতুপকী মথৈ) মাধ্বীক (হে য়ুমগী মশক ওইবা হে মধু) ভবতঃ (নংগী) চিন্তা (ঐনা হেল্লি হাঙ্গবা থন্দুনা) সাধ্বী (চংথোনবা) নাভবতি (ওইদে) শর্করে (হে চিনি অভোবা) কর্করা অসি (নংদি কেঙি) দ্রাক্ষে (আঙ্গুর) কে (কননা) ত্বাম্ (নংবু) দ্রক্ষ্যন্তি (এংবিগনি) অমৃত (হে অমৃত) মৃতম্ অসি (নং সিরে) ক্ষীর (হে শঙোম অনৌবা) তে (নংগী) রসঃ (মহাউদি) নীরম (ঈশিংনি) মাকন্দ (হে হৈংনৌ) ক্রন্দ (নং কপউ) কান্তাধরে (হে তুংসিবীগী অধর ধরণীতলং (লৈমুংদা) গচ্ছ (চৎলু) ।১৩।

অসিগী অরেপ্পা নিংথিজবা তুডাইনা উতুনা অরেপ্পা খংসনু ।১২।। *

কবিজয়দেবগী য়াথংনা শৃঙ্গাররসগী য়াহৈ ওইবা ভাবপু তাইবং-পানবদা মকম পুম্নমক্তা পিরিবৈদা হে মধু ! নংবু নিংথবনি হাঙ্গনা কনানসু খনথিরোই, হে চিনি অভোবা । নংদি অকেংবনি, হে অঙ্গুর ! নংবু কনানসু এংবিরোই, হে অমৃত ! নংদি শিরবগুম্বনি, কান্নদরে ;

---

* গীতগোবিন্দ মহাকাব্যগী অরোইবদা কার জয়দেবগী খোমজিনবা য়াহৈ উপসংহার তৌরি—কবি জয়দেবনা মহাক্তী অভীষ্ট শ্রীরাধাকৃষ্ণগী উপাসনানা পুম্নমক্তগী ইহেন হেনলি, হুংশাবিদুনা থংলরিরোই হাঙ্গনা চিংনদুনা রস থংবা ভক্তসিংদা হাঙ্গৈরি.— জয়দেবনা হাঙ্গৈরি হে ভক্তসিং তাইবংপানবদা লৈবা দৈবাহম্পাসীং মাহুদি সঙ্গীতকলা, ভগবদ্ভক্তজন, মধুরপ্রেমরসগী চান্নবা মচী অমসু কাব্যগী ক্ষজবা য়ারেং. পুম্নমক অসিগী অশেংবা চান্নবা থংগে হাঙ্গৈরবদি কবি জয়দেব পণ্ডিতকী গীতগোবিন্দদা ফংগনি এণ্ড পাউ হাঙ্গবনি ।১২।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীভোজদেবপ্রভবস্য বামাদেবীসুতশ্রীজয়দেবকস্য,
পরাশরাদিপ্রিয়বন্ধুকণ্ঠে শ্রীগীতগোবিন্দকবিত্বমস্তু ।
(ইত্থংকেলিততীর্বিহৃত্য যমুনাকূলে সমং রাধয়া,

শ্রীভোজদেব প্রভবস্য (শ্রীভোজদেব ব্রাহ্মণদগী পোকপা) বামাদেবীসুত শ্রীজয়দেবস্য (বামাদেবীগী মচা শ্রীজয়দেবগী) শ্রীগীতগোবিন্দ কাব্যত্বম্ (গীতগোবিন্দ কৌবা কবিতানা) পরাশরাদি প্রিয়বন্ধু কণ্ঠে (পরাশরনাচিংবা চান্নবা মরুপসাংগী খোড়াঁদা) অস্তু (ওইসনু) ।

হে যঙ্গোম অনৌবা ! নংগী মহাওদি ঈশিংগুম্বনি, হে হৈনৌ ! নংনা কপউ, হে নুংশিবীগী অধর ! নংনা লৈনুং চংখরো।১৩। *

শ্রীভোজদেব বামাদেবীগী মচা শ্রীজয়দেবকবিগী কবিতানা পরাশরনাচিংবা চান্নবা মরুপশংগী খোড়াঁদা লৈসনু ।

কবিনা হন্দক্কী শ্লোক অসিদা মাগী কবিতাগা পান্নরুরবদা তাইবংপানবগী অথুম্বা অহাউবা পুন্নমক কান্নদরে অসুম হাঙৈনা সমালোচনা তৌরবা মধুকৌবা সুরা অদু থুমই, হাউইদি হাঙৈবাবু অঙাওবা পী, অদুনা কস্তে। চিনি অঙৌবদু মহাউই অতুবু কেঙমল্লি, দ্রাক্ষা কিসমিসনাচিংবা রস হাঙৈবসি হাউই, অদুবু আর্য্যসিংনা তূক্কচনবা ম্লেচ্ছদেশ কাবুলন চংবদা হৌবনা কনানসু থৌ ওইবিদে। অমৃত হাউই হাঙৈত্নসু স্বর্গগী ভুব ওইবনা সিরগা চারুগদবনি অদুনা মাসু অসিবগী চীঙাক্তি, যঙ্গোম অনৌবা হাউইদ হাঙৈবাবু ডৌদ্রবদি ঈশিংগুম্বনি, হৈনৌ হাউই অদু ওইরবসু মকু মরূনাচিংবা য়াওই, নুংশিবাগী মথাজাইসু অহাউৱনিদি হাঙৈরগা নংদ অধর হাঙৈনা নমিং কৌবা অদুগী অর্থগা মতুং ইন্না—পাতালদা চংলো অথাং নুমিৎচুপ্পা ভোগ সুখতদা মাই ওনসন্দ্রনা লৈবা হিংচাবগী লৈবাক পাতালদা লৈবনা চুমই, অদুনা হাঙৈখরবদা, অহাউবা, নিংখিজবা পুন্নমক অসি সঙ্গীত কলাগী রাগতালনা চিংবা কাব্যগী চমৎকারত্বনা ডকহল্লবা নৌরবা, পেন্নবগী মশক ওইবা মধুর প্রেমরসবু আস্বাদন তৌরিবা মধুরপ্রেমভক্তসিং এং।বররোই মখোইব লৌবিন্নরোই হাঙৈবনি ।১৩

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তদ্রোমাবলিমৌক্তিকাবলিযুগে বেণীভ্রমং বিভ্রতি।
আহ্লাদিকুচপ্রয়াগকলয়ো লিপ্সাবতোর্হস্তয়ো-
র্ব্যাপারাঃ পুরুষোত্তমস্য দদতু স্ফীতাং মুদাং সংপদম্ ।১৪॥)

ইতি শ্রীজয়দেবকৃতৌ গীতগোবিন্দ মহাকাব্যে সুপ্রীতপীতাম্বরো নাম
দ্বাদশঃ সর্গঃ।

—:০:—

যমুনাকূলে (যমুনা মপান্দা) রাধয়া (শ্রীরাধাগা) সমম্ (লোইননা) ইত্থম্ (অসুন্না) কেলিতত্তীঃ (লীলাগী বিস্তার খিবিকপু, বিহৃত্য (সান্নতুনা) তদ্রোমাবলি মৌক্তিকাবলিযুগে (শ্রীরাধাগী রোমাবলী—থবাক্তা হৌবা অমুবা তুগীপরেং অমত্থং থবাক্তা সিরিবা মুক্তা পরেং পরেং অনিগী তিন্নবদা বেণী ভ্রমম্ (ত্রিবেণী—গঙ্গ, যমুনা, অনিগী তিন্নবা ওইরমালে হাঙ্গৈনা অঙকপপু) বিভ্রতি (পুরবদা) তত্র (ত্রিবেণী ওইররোই নিংবা অতুদা) অহ্লাদিকুচ প্রয়াগ-কলয়োঃ (নুঙাইবনে থবাক অনিগী মশক বট মহৈনে অনিদা লিপসয়োঃ (পামলবা) পুরুষোত্তমস্য হস্তয়োঃ (শ্রীকৃষ্ণগী খুৎ অনিগী) ব্যাপারাঃ (হাই-হুন্নবা থবক খিবিকনা) স্ফীতাম্ (চাউখৎলবা) মুদাম্ সংপদম্ (নুঙাইবগী সম্পত্তিবু) দদতু (পীসনু) ।১৪।

মতাং অসিদা গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা সুপ্রীত পীতাম্বর
কৌবা তরানিথোইশুবা সর্গ লোইরে।

—।—

স্বাধীনভর্তৃকাবস্থা ওইরিবী শ্রীমতী রাধিকাগা লোইনতুনা যমুনাগী মপান্দা মথক্তা হাঙ্গৈগ্রনা লীলা পুন্নমক অতুবু সান্নরগা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী থবাক্তা তুকুপ অমুবগী পরেংগা থবাক অতুদা সিরিবা মুক্তা অভৌবগী পরেংগা অনিতুনা তিন্নবা অতুবু গঙ্গা যমুনা অনিনা তিন্নবা ওইনা নিংতুনা ঙকখি, অতুগুম্বা ত্রিবেণীগী ঈচেল অতুনা শ্রীরাধাগী কুচনা বটফল কৌবা উহৈ গুইনা লৈববু শ্রীকৃষ্ণগী হস্তনা শোক্রুবদা নুঙাইবনে, মহৈ অনি ফংবগী হরাউবনে অনিনা চঞ্চল ওইরবদা পুরু-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ষোত্তম অনিগী থৌরম খিবিক্না নখোই পূম্নমক্কী চাউখৎলবা মুভাইবগী সম্পত্তিবু পীনবিসন্থ। ১৪। *

মতাং অসিদা গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা সুপ্রীত পীতাম্বর কৌবা তরানিথোইসুবা সর্গঃ লোইরে।

—০—

* শ্লোক অসি মূপনগী বঙ্গেগী সংস্করণতদা য়াওই, প্রসিদ্ধ সংস্করণসীংদসু য়াওদে, অমসু মহাকবিগী প্রয়োগসু যান্দে, অতুনা বন্ধনীগী মনুংদা হাপলি। ১৪।।

মতাং অসিদা সুপ্রীত পীতাম্বর কৌবা তরানিথোইসুবা সর্গ লোইরে।

—(*)—

সমাপ্তম্।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi